চরা হেনবা অমসুং চাবা


ইবা :

[illegible]

[illegible]

পকোওবা :

শ্রীওইনাম মঙ্গী সিংহ
শিংজমৈ-তোপ লৈকাই, ইম্ফাল।



[illegible]

১৯৮৬ ইং

[illegible]

মমল [illegible]

নফম : মণিপুরী [illegible] প্রেস, শিংজমৈ কৈথেল, ইম্ফাল।

চয়া হেনবা অমসুং চাবা

য়াওফম—তাকপা

পারা নম্বর — পৃষ্ঠা

গানের বিষয়	পৃষ্ঠা

পারা মমিং লামায

পাঠো মথং	মাথায়
১৮। [illegible]	২১৩
১৯। পুক থিনবা	২১৪
২০। খোং [illegible]	২১৫
২১। ডাইরিয়া	২১৫
২২। কোলাইটিস	২ ৬
২৩। [illegible]	২১৬
২৪। হবা	২.৭
২৫। চিকন্ পোক্স (লাইকুপ খোকপা)	২১৭
২৬। [illegible] চিংবা	২১৯
২৭। [illegible]	২২৫
২৮। [illegible]	২২৭
২৯। রিকেটস (খোয়মক্রাক)	২২৮
৩০। স্কার্ভি ([illegible])	২৩১
৩১। [illegible]	২৩৪
৩২। [illegible]	[illegible]
৩৩। [illegible]	২৩৮
৩৪ [illegible]	২৩৯
৩৫ মু	২৪০
৩৬। মুনা [illegible]	২৫০
৩৭। মু অমস্রুং লায়না	২৫৪
৩৮ আলকোহোলিজম	২৫৭
৩৯ ডিলিরিয়াম ট্রিমেন্স	২৫৮

পারা মমিং — লা ময়

(১৫)

	পারা মমিং	লামায়
২৩৮ ।	য়া	৫৬০
২৩৯ ।	উনশা	৫৬৭
২৪০ ।	উনশা মশক থীহনবা একনি	৫৭২
২৪১ ।	পাম্বৈগী হূ	৫৭৭
২৪২ ।	শমক্র	৫৭৭
২৪৩ ।	মরেক কাবা উনশা	৫৭৮
২৪৪ ।	অশোক অপনগী দাগ (মায়হিং)	৫৭৯
২৪৫ ।	উনশা ঈনপ নপশিনবা, ঈ থাংদবা	৫৮০
২৪৬ ।	হুংশানা কাহংলব উনশা নুংশিংনা, চেকথায়হল্লবা উনশা	৫৮১
২৪৭ ।	রটাস (শক্তিক)	৫৮২
২৪৮ ।	হুমাং শোগনবা	৫৮৩
২৪৯ ।	অঙৌবা পকপ	৫৮৪
২৫০ ।	উনশা অহল ওইবা মতম	৫৮৫
২৫১ ।	উনশাদা অঙৌবা মচেৎ মচেৎ লাকপা	৫৮৫
২৫২ ।	উরিং	৫৮৬
২৫৩ ।	খুহিং	৫৮৬
২৫৪ ।	খুং ফল	৫৮৭
২৫৫ ।	বাহি পুমলোন অমস্থং চেকথায়বা	৫৮৮
২৫৬ ।	তৈ শন-নানশিবীহনা শকশেম্বা (Make up)	৫৯০

ৱাহৈদোক

"অহৌবদা ঈৱা ইনীন লৈরমই—লাংবন থাগী খোইমুনা ঙংবগুম্বা ঙংবা খোঞ্জেল অমনা তাইবং মালং শম্-লৈরমই" তাইবং শেম্বা ময়ুনা হায়। "অহানবদা ৱাহৈ লৈরমই। ৱাহৈ অদু ঈশ্বরগা লৈমিন্নরমই, ৱাহৈ অদু ঈশ্বরনি" বাইবলনা হায়। "শব্দ ব্রহ্ম" ৱাহৈ হায়বসি ঈশ্বরনি। কৃষ্ণ হায়বা মাম (ৱাহৈ) অসিনা শ্রীকৃষ্ণদগী·হেন্না নুমই হায়বসি কৃষ্ণ মশাগী থদ্ ওন্দুনা য়েংনগ্রবনি হায়না ভক্তশিংনা থাজনরি।

পৃথিবীগী মনুংদা থাইদগী কবা পোৎশক অমা চানব খোংচৎ হায়রবা জেল্লস্ হায়না কৌবা কিলোমোকর অমনা মনাই ঈশোপকা হায়। ঈশোপনা তাইবং মীগী মরৈ অসি মথল মথেল নাইনা খোংহনা পীরে। তাইবং মীগী মরৈনা করম্না থাইদগী কবা পোৎশক অমা ওইরিবনো হায়না হংলকপদা, ঈশোপনা খুমই "মীৎতা পিরং হৌদনবা অম্বা ঈশৈ, পুন্সিবু লমজিংবা কিলোমোকী, পুক্নীং শুম্বৎনবগী মশক ওইরবা পোইত্রি, ৱাৱেং কপা লৈবা ওৎ-ওতুনা শেম্বা ৱাহৈ কপাগী নীংথিজরবা ঈচেল অসিনা তাইবংবা নুংঙাইবা য়েন্নি, ঈংনা চাম-চেৎনবা তাইবংবু থম্মৈনি। চাম্বা খোক্পা কায়নবক্রবদা মতম নুংশিবা ৱাহৈশিংনা তাইশিনরি। অমুক অমদুং অকবগী পোক্পদি ৱাহৈনি। কবিগুরু মথলগী শেম্ কৌবা, হিংবা লৈত্রবা মমক্রগা ৱাহৈদা থম্বুনা শিজিন্নবা, অশংবা ভয়ঙ্করইবা, পুম্মক অদু লৈ (tongue)-দদা থম্বুনা পুখোরকপনি।

মতুংগী চয়াদা খাইদগী কন্তবা পোৎশক অমা থোংই হায়না জেন্থস্না হায়রক্লবদা ঈশোপনা লৈ (tongue) অহুম থোংহুনা পুথোরকই। মৈবু খাইদগী কন্তবা পোৎশক অমানা হায়না করম্না হায়রবনো হায়না অমূক হংবদা ঈশোপনা খুম্না "লৈ অসিদগী হেম্না কন্তবা পোৎশক অসিবু করি অমা লৈরিবগে? মুখিং অসিগী মখদা থোকখ্রিবা থোদোক পুম্নমক্তা লৈ-না শরুক য়াদব করম্না অমা য়াওখ্রবগে? নিংথৌরেল কয়া, সম্রাজ্য কয়া সংরু মশাং নাইদনা তুম্না মাঙহনখিবা! মরুপ-মপাং কায়নহনবা, মনা-মচা শেংনহনবা, মচীন-মনাও চুংশিনহন্দবা থবক কয়াগী মরু, হাংদ-খিন্নবা, লাল, বিশ্বাসঘাটক পুম্নমক্তা হোকখদি লৈনি। লৈনা ওংওন্তুনা লিনগী চু চেনবা, মোংশাগী ময়া পাবনা প্রোসিক এসিদ য়াওবা চুপা মাম্নবা রাইহ কয়া পুথোক্লুনা অগং মাঙনবা হোৎনরী!

অওইবমক রাইহ খুদিংমক্তা 'রাখল অমস্তুং থবক' অমি ফুমচুনা লৈরিবনি। রাইহদা অমস্তুং তপথোক তপশিন্দা থঙিক্তং ওম্নবদা কয়া মাঙন-তাক্লুবা ওইবা। ইং ১৮৭৪ দা ইট্, এস এগী চৈরীকবীল অমদা মীরৈবাক্কুগী পুরকপা পোৎশিংগী মনুংদা 'ডিউটি' লৌরোইদবা থন্দোকপদা হৈ-পাস্পী হায়বগী মচুস্তা হৈ, পাস্পী হায়চুনা (-) হাইফেনগী মচুস্তা, (,) কোমা থমচুনা বীল অহু অমূক হন্না শেমদোকপা ওমত্রিইগী মনুংদা কমলা, চম্পা, কীহোম, এপল, অঙ্গুর মীরৈবাক্কুগী পুশিল্লকপদা ডিইটি লৌহৌ-দবদগী ডোলার মিলিয়ন ২০০০,০০০ মাঙই।

অমনা নিক্সি, খাও ময়ামা খোঙ-খুং য়াংপনি, নুং, খোং, উমা শক্ত থুদেকপনি, য়াইহেনবু করি তৌবা ওয়গে হায়না হায়রে। য়াহৈ অমা লাননা অর্থ হল্লুবদগী কয়া মাঙবা থোকখিবা! ইং শোক ১৯৪৫ গী জুলাই থাগী তাং ২৬ তা "পোটসদাম্ ডিক্লারেসন" হায়বদি জাপানবু সরেন্দার তৌহনবা লাউথোকখি। জাপান গোভর্ণমেন্টনা সরেন্দার তৌবা য়ানীংদবা নত্তে; শুপ্নগী ভাইথিরবা য়াবা মওং অমা থম্বদা মতম খরা লৌহুনা প্লান অমা শেমখি। অদুবু প্রেসনা তকশিন্নহুনা কোংদোকুবা তান্নরকপদা জাপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সুজুকীনা কেবিনেট পোলিসি "মোকুশাৎসু" দা থমই হায়না জুলাই ২৮ দা খুৎই। "মোকুশাৎসু" হায়বদি অর্থ অনি থোকই— অমনা "নো কমেন্ট" (no coment) হায়থিন্নুসি হায়বনি, ২ শুবনা খোশাক্নু (to ignore) থওইকপ্নু হায়বনি। কেবিনেটনা দিশিজন লৌখি, করিদু হায়খিরোই হায়জবনি। অদুবু জাপানগী দোমী নিউজ এজেন্সীনা ২ শুবা অর্থদা ত্রান্সলেট তৌখিহুনা তাপদবগী ভাইহুনা লৈরিবা মোংচুপকী লৈবাকশিংনা "to ignore" থওইকপ্নু হায়না খোত্রে। অদুগী আগষ্টকী তাং ৬ কী অয়ুক পুং ৮ গা মিনিট ১৫ দা হীরো সিমাদা হায়ড্রোজেন বোম থাদত্রে। মী ১০০,০০০ খুদকা শিখি মী ১,৪০,০০০ না নাহে-মাহেনা অরাবগী কিতমদা মথাই থাখি। মথোঙ মখুং তেকপা শোইনাইনা হিংহৌবমা ১০০,০০০ নি। থুমিং ছমনি লৈরগা আগষ্ট তাং ৯ দা জহাজ শাকম ওইরিবা সহর নাগাশাকী কৌবা মফমদা অমুক হন্না বোম থাদহুনা মী ৭৫০০০

হাৎখি। আগষ্ট তাং ১৪ দা আপাম্বা সরেন্দ্র তৌদুনা ২শুবা লাম্বাও লোইশিনখি। লাম্না অর্থ হল্লুবা মাটৈ অমত্তুগী মরীগী,

লাইব্রিক হায়বসি কারনো? — কমলা চন্দ্র খনগংলগা তৌনজা-লাইতংবা, হৈজিং কামব, অথুইবা, অশংবা মখৈ খংদোক-লগা, নীংথিজবা মুল্লবা ফজ-ফজরবা খুইদগী কবা খনগংলগা, য়েহোয়রকই, য়োংথ্রাকই অমসুং তাইবং মীনা চানবা খাদোরকই।

অচুম্বা ঈশ্বরগী শকখম লৌরবা, ঈশ্বরদগী লৈথমরিবা মাটৈ কয়া খনগংলগা - মাটৈ অমনা হৌবগা মাইংদনা পরেং পরেং লেংনা শেমজিল্লগা মাটৈ অমনা লোইশিল্লি। মাদুনি লাইব্রিক কৌই।) লাইব্রিক হায়বাসি অশিবনি, চেকচেৎনা শেম্বনি কপ্প হায়বা মাওনী। লেটেংগী 'কাইক্রস' তা হৈজিংকী নিংথৌ খেংসনা হায়— লাইব্রিক পাবা মী অসি মীয়োক্না উৎনবা ঙ্গাক খুনগংপনি, খোমজিন্নবনি, অশোংবা ঙ্গাম্বি কংদে। লাইব্রিক অমা পারগা মানা মহৈরে, লোইনা খঙবা মী অমা ওইরে হায়না উৎলি। খঙবদি করিমতা খঙদে। মীংশিংনবা হেন্দকপা কাম্নবরোমদা শিজিন্নখি হায়না খেংসনা হায়— লাইব্রিনা কালকুলেটিং মেচীন অমসুং কমপুটারগা করি খেন্নে? কালকুলেটিং মেচীন, কমপুটার থোরকপদগী মীওইবগী অঙ্ক হৈনবগী খুদোংচাবা পুম্নাও মাঙহল্লে। অহোইনবা অমনবা মাথক্না অমৌবা মাথক কয়া কয়া খঙনবা খবরা খোঙকোইহল্লি।

অমরোমদা অমুক মরেক অসি হেক পুথোরকপদগী হৌহনা হৌজিক কাওবদা মীওইবগী মাথল, খোদোক কয়া ইশিন্নুনা

মীহুনা থবনা মী থবনা হানা থওননা ত্থানথিবা ব'কম অহু ইবাই লায়না বাদনা থওবা ওনই। চাঅব অসংকা ব'কথেংনবা ওনজবিবসি লাইরিক্কগী ফংবা ওইনা লৌই— মপোকপা ব'না তাজহনা ফংহদি মাংদে। অহুনা উক তাকববা, অহৈবা অথৌবা মীনা ইরম্বা কয়া পাকবনা মশাগী মগুণ (merit ম'ওংদি হায়বসি ল'ম্লো'ইত্র ? অহুবু ল'ইবিক অসি মীনা ইবনি। মী হায়বসি করিনো ? মী হায়বসি মীওইবগী ডনশানা যে মশিনবা চাইবং মালং অপুনবী মচেৎ অমনি। মী হায়বসি হেক পোকপদা মীওইবা কাওমুপকী যেম্বর অমা ওইনা পোক্কপনি। অহুগা "জেনেটিক" মমা মপাবোমদগী ফংকম থে'কপা কয়া য় ওরকই, অহুগা মশাগীদা ওইবা মতোমদগী শওকম অম মাওরকই। মতুংদা লমচংতগী ওইবা গুদাউন কয়া মশাগী ওইন শাসওনা থমই। অহুনা থবক্হানা পেনবাথবা মী, অহুগা অ স্থা পেম্বা মী অসি থোক্লা দৈ।

"ঈশ্বর অমা মদুগি" (like a god হ'য়না হেকপেটনা ল'উথি লমচংবা সাইক্লিস্ট লেডলোড্না হায় "হুই অমা মাঙ্লী" (like a dog) হায়বগুম মীওংবা অমমুং মীওইংগী মচীল্পগী থোকপা বাতৈশিং অসি গোদ অমমুং দোগ (god-dog) অহোবা মরেক ওখোক্লবগা ইতা তাবগুম 'লাই ১ম' হুই মানব হায়বা অংক অসিমু ওংবা ভোৎনহুনা দৈ। শ.ক. মুনিনা সি'হাসন, ফুব'-পশায়, মতু মচা অমমুং মরৈবাক থাদোকুন মপুম চুম লাইশৈংলগা "অহিংসা পরম ধর্ম" 'হিংসা যাওদব মক ওইবা ধর্মনি" পুথোকই।

মশাবু হাংবনবা ক্রোস্ মশানা পুজখুনা মহুদা পাং থিংদুনা হ'ংভোকপীরগা মানা পুথোকচরম্বা বাহৈ 'নুংশিবনা ঈশ্বরনি' (love is god) হায়ব মন্ত্র অনিসিনা পৃথিবী অপুম্বগী লাম-মম ওইনরী অমরোমদা "লান লোইশিন্নবা বোম অমত্তং শাবনা কংলোইদ্রে" ? হায়না সাইন্টিষ্ট ময়াম্না কুজভেল্টতা হংবদা কুজভেল্টনা "শারো" হায়বা য়াথং পীখিবদগী লৈবক্ন লৈজরম-দবা শাবক্ন হৈরবদবা "এটোম বোম" হায়না কৌবা পোংশক অসি শাহনখি। অদুনা অনিশুবা লাঞ্জাও লোইশিনখি। অসি "শারো" হায়বা বাহৈগা "এটোম বোম" গা করম্বনা শাথীবগে থনবীমু।

পৃথিবী অসিদা লৈরিবা লাইব্রিক পুম্নমক অসি পুম্নপ লৈশিল্লবদি বাং-চাইগ্রবা চীং অমগা প্রমাণ তৌবা য়াই। অয়াম্বনা অশিবা, কান্নদবা চেজেং ওইনা লৌববক্ন অসি অজলদা শাগুম হিংচাবশুম লৈরম্বা কয়াদা অইবা লাইব্রিক্তনা জ্ঞানগী মৈরা ওইরী। স্কুল, কলেজ, ইউনিভার্সিটি, ক্লবশিং অসি লাইব্রিকী মন্দিরনি ; লিংকোলননা হায়— "ঐনা পাজদ্রিবা অনৌবা লাইব্রিক অমা ঐবু পাও হায়দুনা পীরিবা মী অদু ঐগী খ্বাইদগী য়েন্না কবা মরুপ্নি।" অদু য়োনা চঙশিন্নবক্ন, অয়াম্বা লাইব্রিক থৌওইবিন্নবক্ন তাইবং মীগী বাখল হোংহনবা, তাইবংপানবু হোংদোকহনবা বাখল কয়া ইবা লাইব্রিক থরদি থোশাদবা য়াদে। হিটলারগী 'মেন কেম্প' হায়বা লাইব্রিকসি ইরকপদা অতকপা মথলগী লাঞ্জাও অমা লাক্লগনি হায়বা মাওজৌমনা মথি তারকই। লাইব্রিক অসিদা য়াওরিবা বাহৈ অমত্তনা মী ১২৫ হাৎখি। লাখায় অমনা মী

৪,৭০০ মখায় থাহনি। চেপটর অমমা মী ১,২০০,০০০ গী থরায় মাঙহনখি। অদুদ নত্তে, জগৎ অসিদা পুথিৎ তাবা কৌবা লৈংতে হায়রবা বৃটিশ সম্রাজ্য, স্পেন, ফ্রান্স, পোর্তুগীজগী লম পুম্নমক থুনাইরগা পৃথিবীগী মেপ অমুক হন্না শেমগৎলকহনখি। ২শুবা লান্দাওগী মরাক্ত থাওবদা জর্মনদা কোপীগী ৫,০০০,০০০ য়োম্লি। অবাবনি, হিটলার শিঙ্গ্রগা হিটলারীজমস্তু শিঙ্গ্রবনি হায়বা লৌগ-মবক্ত কেমিষ্ট কম্প্লিশং অসিনা হিটলারীজম অসি লৈহৌনা লিংখত্তুনা জগৎ অসি তম্ন ভৌনবা ধ্রুবগুম লেঙদবা পোলিসি লৌখৎলি।

টোমাস পেইনগী কমনসেন্স হায়বা লাইরিক অসুনা আমে-রিকাগী নীংতম্নগী লান্দৌগী পোকথায়রগদবা মোমদা চুনবা ইন্না ওইরমই।

'অংকল তোমস কেবিন' হায়বা লাইরিক অসিনা আমে-রিকাগী সিভিল বার পুরকই। "লাইরিক অসিনা জগৎ অসিদা থাইদগী হেন্না থাঙনবা তৌই" হায়না অক'ওবা লেকচরর অমনা হায়খি। লোংফেলোনা হায় "লাইরিক অসিনা পীরিবা নিতিগী রা য়াওদনা, জগৎ অসিদা রেকোর্ড ওইনা সাহিত্যগী তম্ম ওইবা ইতিহাসতা লৈবা থাইদগী চাউন মায়পাকপা অমনি। অশেংবগীজম্ম (truimph of reality) ১ম্নং অমম ওইরবা লাইরিকনি অদুগা মশানা অতাঙবা লাইপোক ওইরবা মুগী অমনি"। কোমদোকপা পুথিম্তা কোপী ৩০০০ য়োম্লি। চমোন অমদা ১০,০০০ য়োম্লি। অহানবা চহীগী অয়োইবদা কো.পী ৩০০,০০০ য়োম্লি। চহি অমদা

ইংলণ্ড অমসুং কোলোনীশা কোশী চিংলগন অমগা মখাৎ চোংল্লি।
জাতি ১২ গী মরোম্না হল্লোকখি আৱেক মদা ত্রুশ শেমদে। মুশা
শাকুবদা থাইমগী মতম ... অমা ভাইখ ... লাই-
ব্রিক অসি পৃথিবীগী মনুংদা বাইবল নত্তনা অহৈ ... লাইব্রেক
সোড়ংগী ইতিহাসতা অপুক মায় রেকোর্ড ফজবা অমা লৈতে।
অদুনা মাণ্ডু ইত্তবদি অহৈবা মগী ৱোয়েদি শেলকর্ণজুম মতোম্লা
পাম্বিদে।

কার্লমার্ক্স — কাপিটেল পোথোক্কী পুক্নচেল চৎবা।
প্রেমোথসনা সোরারেঙ্গী লাইবং মনা শীজিন্নদ্রে মে হৈগা
পাইখী অসিনা পুরকই। মৈ অড়ু শীজিন্নবা মগী শাংগা
চেন শাদে। সোরারেননা মখু ফাগমা চেইন অৎনা পুম্বা
পুন্দুনা থমই। মুংথিলনা মাগী কীরাক অড়ু উপলদ শীজলোকই।
মুশাৎ ওইবগা অমুক শোগৎচবনি মুদুই মাইফনা থগোগে মৈ
পুরক হায়না জিয়মনা কাদনদা প্রোমেথসনা খুমখি – ‘ঐনা
কশোইদুদম্নু ঐগী মেৎশিংগা মীনাৎগী ওৎবা সেবাগী শিংবা
শজ্লোই। জিয়সপু সেবা চৌবগী মইতা নুংজাওদা পুম্নুনা মুম
লৈজগে।” মীবু ওৎপীবা, নৈহৎপীবা অমসুং নমহুনা মুন ববা
কোক্তনবা দাস কেপীটেল হৈবনি। অদুবু মার্ক্স-কী থিওরী অসি
মাগী ছাত্রশিংনা ওয়না পানবদগী “ঐদি মার্ক্সিস নত্তে” মখানা
হায়রৈ—

উইলিয়ম হার্বার্ট — “দি মোডু কোরদিস” হায়বা লাইব্রিক
অনিথক চার্লস (১) দা কথোকই। অহানবা মাহুদা হার্ট অমসুং

হকচাংশা, নিংথৌ অমসুং মহারাজা প্রমাণ তৌই। অদুগা হায়বদি থোরকপ নিরনা লোগবদা হৌরি অমবা থাজবা অচৌবী অচৌবা লেখা কয়বা ফংবনি। খোংঙাথি হুঙ্খোবদা লাইরিক; মতী অষ্টমে-ও চ-থাংনা, লিং থিরগ হুন্থোবনি কিন্দাগোলোজী নঙেম মতম অমা হৌরকপ লোপশক্রী ঙমজবনি অদুগা চেপ্টর ১০ কী লাইরিক অমা পুথোক্লবা থোক্লবী হার্ট অমসুং সারকু- লেসন অসি লানং থাংনা পাকবি। হার্ট মসম শুগচিনবা (সাংখিক) নিংথৌ পাক্কাখবা (dilatation) হায়বদি শু চেনব অমসুং শাক্লোকপ অনিশুনি। কবাস্থা-কবাসলো হায়বা ঈশ্বরনা থকপদবনি মরমদি ওনা অসিদি হায়না থজবা অমমমা ডাক্তরে অমসুং নোংখোং শমজুগ থুবনা থজবা কৌবা ডুবদেওয়। চহি ১০০ চথরকবা কিম লোংঙা অমসুং হিদাক অসি হাইনা পুথোকপা কাঙ্কবা 'হার্ট অমসুং সারকুলেশন' অসিগী মপান্দগী ঙমজবনি ঐ অমসুং ঈশ্বর ঈসেন হায়বা লাইরিক অদু পুথোরকপদ মহাকপু হেয়ক ক্রেক ওইরবদি হায়বী অদুগা ডক্তর পুরবকা মাগ নাকপাক তানখ। অদু পৃথিবী অসিদা কাংবা হায়বসি মনা অকুপ্পা পুরকই, অদুগা মশাবুস্থ অমর ওইহল্ল। তাবগদা পেল্লগা যুগতগী উরগতা পেনবা যুগতা লাকখল্ল। উক-ডাক্তরবা মতমদা থুং থাবা, পল্লগা প্লান অমদি মখাদা থুং থাবা মাবা ছেঙ্গ কাওবদা হাবীনা হকচাংগী মরমদা পুথোকপীরমই।

'মেকোয়াভেলীগী প্রীন্স' হায়বসি বাজনিতিগী হকচাং কায়াংকো ওইবা সহৈন (anatomy) নি। হৈটাগৌগী

মনীং ওন্থা চাৎনবদা লান্দাংবকপা চাবখোকুবা ইবনি। চহি ২৫গী মখুংদা ইন্ডিসন্ ২৫ বুক লৌখি। লাইরিক অসি মাংহনবা হুকুম তৌখি। মাবুম্ব লাইবু মাদবা মীসিং হাইনা লৌখি। ইউরোপ পুম্নমক্তা ফোংহনখিদে। অদুবু রাংভ লিপ্তি ঙংবা মীওইশিংনা যুদ্ধং খাৎদা হাপ্তবা লৈখিদে। হিটলারগী মোন মখাদা 'প্রীন্স' কোপী অমা অচুম থমই।

ইংলণ্ডনা কল্লোল-ইহিক অমম্ভং ইস্ক্রস্ত্রী চাওখৎলগে থন্নকপদা আদাম স্মীথকী "ৱেলথ ওফ দি নেসন" হায়বস ফোংদোরকই। লাইরিক অসি অহপ্পা মওংদা পোক-থায়রকপা বোম মৎল অমনি। অহানবদা কনাস্থ থোশাবিরমদে। "থাইদগী হেন্না য়াম্বা মশিংগী থাইদগী হেন্না ফুংঙাইহনব" হায়বসী স্মীথকী অরেপ্পা ফিলোসোফীনি। শেক ১৬৭৬ অসি আরবা যুগ অমা চৎথ্রগা অনৌবা যুগ অমা হৌগৎলকপা চহিনি লৌই। আমেরিকাগী নীংথম লাংহৌবা, ফ্রান্সকী লান চৌরক-দবগী চাইথুনা লৈবা মতমনি। ইঙ্গল্যাণ্ডগী লানহেৎ অসিম্বু ষ্টীম পাওয়ার পুথোরবগদগী খোংথাং হুপ্তলকই। অদুনা লৌখিবা মতম অসিবু "হৌজিকী মতমগী অমম্বা যুগ" কৌইনি। শেক-স্পীয়রগী ফিডম পুম্নমক গোভর্ণমেন্টনা পায়শিল্লি। পোৎকী মমল, খুৎথেকমম, পুথোকপগী চাং ইম্পোর্ট-এক্সপোর্ট পুম্নমক গভর্ণ-মেণ্টকী খুত্তা লৈরম্মী। অমরোমদা লাম্মী হেনগৎলকই, মীশিং হেনগৎলকই, লাইরিক লাইশু ওমম্ভ ইনাকখুনবগী মচামক্তগী ওইনা তৌই। লৈবা খিবিক পুম্নমক গোভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টনা

আইন শেমহুনা পুম্নমক মথুন্তা থমগ্রবদা আদাম স্মীথকী "বেলথ ওফ দি নেসন" হায়বা লাইব্রিক অসি পুথোরকপনি। লৌউবা, থবক শূবা, শেংন-চানবা লৈবা মী, সোসাইটি ফজবা কনবীমবগী অকবা পাঙ্গজেলনি। ভাইবং মী অসি মশাগীদা য়েংবা জীবনি। অহুনা মী মশা মশা অহুবু অয়োবীদা চাউ-থংহন্নগ জাতি অহু চাউথংলি হায়বসি আদামগী খোতনি। শগোলগী চুক্তি থাদোকপঞ্জুম ইন্দস্ট্রী কমার্স ট্রেডনচিংবা যোমজবদা মশানা পুথোকচবা মতংদা (initiative) থমহুনা পুমথা থাদোক-পীরগা চাউথ:নকনি। থাইদগী কবা গোভর্ণমেন্টতি থাইদগী চাং হন্থনা লৈবাক ঙাকপনি হায়বা ভোমপেইনগী বাকম নত্রগা থরি ওগী সাসন নুকতো ভোদবা সাসন অহুনা থাইদগী কবা সাসননি হায়বসি লম্লোন ইতিক—হায়বদি ফ্রি ট্রেড, কমার্স অমসুং ইন্দস্ট্রীগী প্রিন্সিপল ওইগদ'নি হায়বসি মাগী থাজবনি। অহুগা ডিভিসন ওফ লেবরনা চাউথংপা পী হায়বসি উংলি। আদাম স্মীথনা থোরকপা মতম অসি য়ায়া চাবনি। ব্রিটিশকী প্রজা পুম্নমক্না ইন্দস্ট্রী লম্লোল-ইতিক, বিজিনেস হেনগংলকপদগী অহুগা করিগুম্বা মথলগী রিসজ্রিকসন থম্বীদবদগী অগং অসিদা ভরাগুবা চাগী থাইদগী ইনাক খুনবা জাতি অমা ওইখি। স্মীথপু "ইকোনোমিগী মপামি" হায়। মশাদগী ওইজবা কামবদা থীবনা লন-থুম পৈশিনবগী মুক্ষমনি। মী খুদিংমক ইনাক খুল্লগা লৈবাক অহু ইনাক খুল্লি। থাইদগী হেন্না চাউ-থংপা ওবই।

থবক ইনখাং নম্নোম-ইতিক, ইন্দস্ত্রীদা, এগ্রিকলচরদা মোংফ-
মোংফগী চখ্রবা থবক্তা গোভর্ণমেণ্টনা খুৎ থিংজিনখীদ্রবদি মাগী
মাগী দায়িত্বদা চৎশ্রবনিনা গোভর্ণমেণ্টকী দায়ীত্বদি পীক্লা লৈদ্রে।
লৈবাক্তা লান্দরকপা থিংনবা, অচুম অরানগী বায়েন (Justice)দগী
হেন্না চঙদ্রে। মীয়ামগী ওইবা থবক অমম্বুং ইনষ্টিট্যুসন থম-
গদবনি। মাহুদা লম্বী নৈ থাম্নবা, ঈশিং পীনবা জাতিগী লম্বী
শেমজিনবগী থবক লৌখৎহনগদবনি বৃটিশকী কে'লোনী শন্নো:ক্রবা
পোলিসিদা খ্বাইদগী কজবা উৎখি। কোলোনী কয়া চাউখৎহনখি
লম চাউনা হোঙনা পিখি, খুৎশূৎনস্ত চাউনা পী, মীশিং হেনগৎহল্লি,
লৌউবা অমস্তুং অতোপ্পা মতৌ কয়াদা চাউখৎহল্লি। মরম অসিদা
পর্টুগাল অমস্তুং স্পেনগীদি অথিংবা অমস্তুং অখুবা মীৎয়েং থম্মখি।
মাহুনা খুদোংচাবা হেন্ন বৃটিশশিংনা ফংখিবনি। অমেরিকাবু
ফোংখিবা, 'গুড হোপ' ফংখিবা অসি ইউরোপকী জাতি কয়াদা
খুদোংচাবা পীখিবনি। অদুবু স্মিথকী মত মতুংইন্না রিস্ত্র ক্রীসন
অমস্তা কে'লোনীদা থমখিদে। স্মিথকী মতা লন হায়বসি সনা,
লুপা নত্তে। শেল অসি শেল নত্তে; লৈবা গুম্বা অদুনি। শেল
হায়বদি লৈবনি। যুগ অমগী ইতিহাসকী লোয়বা চৈয়ক্তা
শেল-থুমগী অরাবা কোকহনবা, ইকোনোমিক্সকী হোংদোকপা
খোঙচৎ, বৃটিশকী বিজিনেসমেন পুথোকপা, ইন্দস্ত্রীগী অকনবা
ঈহৌদা স্মীথকী শাঙতাক-পাঙথেল, লম্নোনবদা অথিংবা
লৌথোকপা, খুদোংচাবা পীবা পূম্নমক অসিনা বৃটিশনা বায়ন্ডগী
মঙ্গুংদা লন-থুমদা খ্বাইদগী অহেনবা ওইখি। বৃটিশকা মামবা

লম্নোল ইতিহ হৈবা হৈখিদে। আদাব মীথপু হৌজিকী ইকো-
নোমীগী মপা কৌই। মহাক্না পোকপসি মতম চানা থম্নগা
পোক্লকপনি হায়রৈ।

কোপরনিকস—সেলেসিয়েল রিভোল্যুসন।

মিতিগী ওইনা মুখিংনা থোরকপা অমম্বং তাখিবা, মমনা
থানা নোংম-নোংমগী শিথরকপা অহূপা নোংম-নোংমগী পান-
থৎলকপা উরগা চুম্ম য়েংজবদা নত্তনা মীওইবগী অরা-মুংতাই,
য়াইকবগা মরী লৈন হায়না থাজনরমই। নোংমদোমগী থবান-
মিচক গহ পূম্নমক মীওইবগী নোংমগী হিংবগী থোক্চৎ
কাওবগা মরী লৈনৈ, অহূপা লাইগী অমম্বং মীগী নক্লবা
য়াৱী (Legends) কয়া সেম্নম্বসি অহকপা অমনি। ইং শোক
১৫০০ ক'ওবদি পৃথিবী অসি স্বকলেং লেত্তদবা হব অমনি; মসিদা
পানসিনগা মুখিং থা থবানবিচাক পূম্নমক পৃথিবীগী অকোয়বদা
লৈত্তুনা লৈবনি, পৃথিবী অসি ময়োমনি (Centre) হায়না
থাজনরমই। মী হায়বসি মীওইবগী উমপানা য়োমশিনবা তাইবং
মানচ অসিগী মচেৎ মীশক অমনি। ব্রম্মাণ্ড অসিদা মীকপ্রবা কক্লাংনা
হুন্তুনা লেম্বা মথুনমচা অহূপা মামী মযূম পৃথিবী অসিগা প্রমাণ
তৌবা য়াই। অসিগুম্বা তাইবং মানচ অমগী মচা অসিদা পোকপা
অমম্বং হিংহনা পান্নকইবা তাইবং মী অসি তাইবং মানচ
অসিগী সেণ্টরনি, ময়োমনি, মপুনি থঞ্জবনি। অহুনা মপাদম্
মুংশিবা, মপাদগী থঞ্জবা, থঞ্জবদা অহুম শিনবা (Narcissism)

অমনি। নাপল তৌনা মওোন্দগী হেনবা লৈতে থন্দুনা পাল্লকই। অসিগুম্বা নাখল (Narcissism) অসিবু অকনবা চৈথেং অমা পীরকপসি কোপর নিকসকী কোসমোলোজী, অনিগুবদা দারউ-ইনগী বাইওলোজী অমস্যুং অহুমগুবদা ফ্রিউদকী সাইকোলো-জীনি। কোপারনিকস চর্চকী মীওই অমনি, লায়য়েকপা, কবি, মাইবা, ইকোনোমীষ্ট, রাজনিতিগী মীওই—ইউনীভার্সেল ওইবা মীওই অমনি। মহাক্না তাইবং মালেম অসিগী খোঙচৎ অসি ইনৌ-নৌনা তাকই। সুমিৎনা লেঙদবনি পৃথিবী, থা গ্রহ পুম্নমক মাগী অকোইবদা লৈছুনা চৎপনি উৎখি।

থাইনগী গৃকী অশাওবা এস্ত্রোনোমার কয়ানা সুমিৎনা সেন্টরনি হায়বা য়াওই। অহুগা এরিস্তার্চসনা অহুমগুবা বি,সি, দা সুমিৎনা সেন্টরনি তাকখি। পৃথিবী অসি নোংমদা অমুক্তং লৈরগা সুংথিল সুমিদাং থাই হায়না তাকখি। অদুবু তোলেমী অমস্যুং এরিস্তো-টল্না য়াহনখিদে। কোর্পানিকসকী লাইরিক অসি কোঙদোক্না থমই। ধর্ম্মগী মীভামিনা ধর্ম্মগা যরী লৈননা লান থৌরকপা য়াবগী অকিবা পোকখি। পোপকী মকমদা দিদিকেড তৌই। লাইরিক অসি কোঙহন্দে। ১৪৩৫ দদা কোঙহনখি। ধর্ম্ম অমস্যুং থাজবদা অকাইবা পূরকপনা মহেম অদুদা মহাকী মতুং ইন্না চৎখরকপা মহাকী মতুং ইজবা ব্রুনোনা কোপারনিকসকী থিওরী অসিদগী থেমা চঙশিনখিদুনা অহাংবা অসি মপান থাইদে। সুমিৎকী সিষ্টেম অসিগুম্বা, মীগুম্বা চন্দ্রগা মীওইবদগী হেনবা কয়ানা থুম্নাহুনা লৈবা সিষ্টেম কয়াম্দু লৈরম্বা য়াই হায়রকপগীদমক ব্রুনো অসি বিচার

থৌহুনা মরাম পীরগা শক ১৬০০ কী ফেব্রুয়ারি থাদা, মৈ থাহুনা হাৎখি। গেলিলিও হায়বা এস্ত্রোনোমার অমুম ১৬৩৩ দা হাৎকনি, ওৎকনি হায়না কিহন্দুনা খৃষ্ট-থুনক কুন্দুনা লাপ্লে হায়হুনা থাজবা অমু থাদোকহল্লগা মপুন্সিমী লেমহৌরিবা শক্তক অমু কেলদা থববিখি। অনৌবা র'কম অমা পুথোকপদা, অস্তুক থীনা মীওইবনী রাথলদা পুক্নীংদা অরাবা পাঁখিবস কোপার্নিকসগী রাক্ষম অসিনা মহেল্লে। হায়রা থাজনবয়া লাইগী ধর্মগী রাকম কয়া 'নৈংবেং কয়া উৎকুম ভুমহনখি। অসুম্না নিউতোন ডারউইন মখোয় অহুম অসিনা মীওইবগী লাংহৌবগা মাময়বা রাথল থময়বগী মুমকুম পীহুনা ঈবোল্যুশনগী (evolution) মুমকমদা রাথল থজবা ভমহল্লি। কোপার্নিকসকী লেওয়ান্দা কয়গা নিউটোনগা "লো অব গ্রেভীটি" পুথোকপা ভমখি।

তোমাস মোলথস (Too many mouths) চীনয়াম—

আমেরিকা অমসুং ফ্রান্স রিভোলুসনগী থেক মতুংদা মীৎমা য়েংবদা উরিবা মকম থুদিংদা মীওইবা হায়বসি মপুং ফাবে, অতুনা পৃথিবী অসিগী ওইবা স্বর্গ অমা শেম্বা মঙ মঙনরকই। ইংলণ্ডকী গোডউইনা হায়— পুন্সি অসি মুংতাইমন্নুনা তুম্বা কাওবা শংদবা অমা লাক্লগনি অদুগা অহিংবা মীনা থয়া লৈহুনা শিররোই। মুহোংবনী মহুত্তা জ্ঞান তাময়রগনি। মী পুম্নমক লাইনী হুত ওইরগনি। হকচাং কনা কুইনা পুক্নিহুনা লৈরগনি, লাল তৌরয়োই, চিন্তা অমতা লৈরয়োই অকবদা তৌনয়রগনি,

মীশীং হেনগংলবস্ু চাবা রাংপা কৌবা লৈরোই। ঙুপী খিবগী ভাব হুম্মরকনি।

রাকম অসি লাকপদা 'মোলথস' কৌবা নিপা অমনা মীশীংগী মরমদা প্রিন্সিপল অমা পীখি। অদুগা লায়রবগী মরম অমত্তুং হৌকম তাকখি। রাহৈ ৫০,০০০ দগী পমপ্লেট অমা ওইনা কোঙলম্মী।

১। মীওইবগী হিংনবগী চিঙ্গাক চঙই।

২। মুপী-মুপাগী নকুবা মরি মতম পুম্নমক্তা লৈগনি।

পৃথিবীনা চানববা পৃথোকপা ওস্বদগী মীশীং হেনগৎপগী পাঙ্গলনা য়াম্না হেল্লি। মীশীং হেনগৎপা থিংজ্রবদি জ্যামিতিগী চাংদা হেনগৎলকনি। হিংনবদা চঙবা চিঙ্গাক্না এরিথমেটিকী চাংদা হেনগৎপনি। মীওইবগী মশাংসি চহি ৫০ দা শরুক মরি হেনগৎলি। চহি ৫০ দা চানবা পোথোক অসি শরুক মরি হেনগৎহনবা থক ঙম্মোই। চিঙ্গাক অসি শরুক অহুম কাওবা হেনগৎকম্নবা লাক্লগদবনি।

মোলথসকী ফোর্মুলাদি মীশিংনা ১, ২, ৪, ৮, ১৬, ৩২, ৬৪ ; হিংনবা চিঙ্গাক্না ১, ২, ৩, ৪, ৫, ৬, ৭ মুম্না চৎলি।

মীওইবনা খাইদগী মুংঙাইবা পানগে হায়রবদি চাবা থকপা শেংপা মরাং কাইনা ফংগদবনি। থবক নোংথিজনা পীবা ঙমদবা অনা-অয়েক ফজনা শেম্নবা হৈত্রবা, অঙাং য়োকপা হৈত্রবা, চাক তাঙবা, অনাবা কয়া খিংবা ঙমদবা পাপ অমসুং অয়াবনবা কয়া নিতিদনা খিংবা ঙমদ্রবদি মুংঙাইবা কদায়দগী লাকনি? অগৎ

অসিদা পোকপা মী অদু মমা-মপাদগী হিংবগী উপায় কংদ্রবা সমাজনত্র মাগী থবক শূননবা পীবা পাববিদ্রগা মী অদু চাননবা চিঙ্গাক মচেৎ অমা কাওবা পীদু হায়রম থোক্কে। মানা হিং-ইবদু হিংকম থোক্কে হায়। পল্লিকী পোলিসি শেমদুনা, লায়র-বগী আইন শেমদুনা, মোকপা থাকপা ঙমলোইদবা মীনা অচাং পোকপা থিংগদবনি হায়।

দান তৌবা, গোভর্ণমেণ্টনা অমসুং প্রজারোমদগী লেম্না কয়িগুম্বা অমতা পীরোইদবনি। মরমদি পোখোক্কি হেনগৎ-হনদনা চাবা শেংপা হেনগৎহনবনা মথল হাইগৎহল্লি অমসুং পোৎ য়াৎহল্লি। পল্লিকী মুখ শাবিবনা ঙম্না ঙম্না পুপী থিবা পোয়দবনি। মীশীং হেনগৎহল্লবনি। অদুগুম্না ভদব নক্সগা খুংশুমন হাইগৎলকপনন্দ অসিগুম্বা খুদোংথীবসি পুরকই। মসিবু থিংগে হায়রবদি নিত্তিদগী পাঙ্গলদনা থিংগদবনি। মী য়াম্না লায়রবনবা অমসুং সম্বাজগা চাননা চংহনবা ঙমদবদগী ঙম্না মমুখ পানবা অমসুং চায়াব পোকপগী মরম ওই।

মীশীং হেনগৎপগী রাকমদা মানা হায়—যণ, ইরোই, হাথেং লোইবা মীদগী মহৈ-মরোং (corn) থাবা মীনা মীশীং হেনগৎপা হেল্লি। মহৈ-মরোং থাবা কাওবুদগী চেঙ চাবা মীনা মীশীং হেনগৎপা হেল্লৌ। মথোয়শীদি মী য়াম্না তাবা ফুংনা পানা তাবগী রাকম নত্তে, ইনাক খুনবা লায়রবগীসু রাকম নত্তে। চাক-কা মীশীংগা পামবগা চানবা মরী অদুদা থমবনি।

খোক ১৮০০ দা পৃথিবীগী মীশীং অসি মিলিয়ন অমনি। চহি ১৫০ গী মতুংদা মিলিয়ন ২½ শুরে। ইংলণ্ডগুম্বা লৈবাক্তা ইন্দস্ত্রী চাউখৎপনা লাক্লিবা খেলনা চাউখত্তবা লৈবাক্কী চিঙ্গাক লৈহৃনা চাবা ঙমই। এসিয়া আমেরিকাদা হিদাক্কা সেনিত্তেসননা মী কনবা ঙস্বদগী, লায়রবা অমম্তুং চাক তাঙবনা শিখিবা মী মশীং-না য়াম্বা হেল্লি। পৃথিবী অসিগী মীশীংগী ৩/৪ দি লোয়-শেন্দবা, চাবা ফংদবা, মশা ফত্তবা, অমাবনি হায়রবাস চহি ১৫০ গী মতুংদা অড়ুম চুমই; হৌজিকসু অড়ুম চুমই। প্রিন্সিপল ওফ পোপুলেসন হায়রবসি কাউবীগসু। মীশীং অসি হৌজিক হেনগৎলবা মতুংদা হেনগৎহল্লবদি চহি খরগী মনুংদা পৃথিবী অসি মীদমা ক্রক-ক্রক ইমনা ইঙ্কি অমা কাওবা হাৎদনা লৈগনি। লেপ্পদা চম্লোই। মোলথস কাউবা য়াদে।

ফ্রিউদ— "ফ্রিউদকী সাইকোলোজি" অসিনা পৃথিবীগী মীওই পুম্নমক্তা রাখল খলহন্নবগী য়ুক্তম অমা পী। মীনা য়োবা ঙমদবা পূক্নীংগী কাচীন-কোয়া চঙহুনা থিবদা লোংদগী হিংইবা অসিগী শরুক ওইনা লৈবা ভাব কয়া পুখোকই। সাহিত্য, আর্ট, ধর্ম্ম, এন্থ্রোপোলোজী, এডুকেসন, আইন, সোসিওলোজী, ক্রীমিনো-লোজী হিস্টরী, বাইওগ্রাফীনচিংবা সামাজগী অভোম্বা লৈনবদা মীওইবা থুদিংগী ওইনা। ফ্রিউদনা তাকপিরিবা অসিগা মরি লৈনৈ। মহাক অসি জিউ অমা ওইনা অড়ুম লৈজরকপনি হায়না হায়জে। মমানা থাইদগী সুংশিজবা মচানি; মানা ঙমগনি হায়বা আশা অসিনা থবক পুম্নমক্তা মতৈং য়ানবা ওইখি। মহাক ,অসি সাইকিয়াত্রি অহানবা পুথোকপা মীওইনি।

মহাক্না মখাগুম্দি সাইকিয়াট্রি হায়বসি অচাওবগী খুদমমগ্গা মরী লৈনরমই। নীউরোসিস অসি অনাবা মত্তে পুক্নীংগী কিডমদি হায়। মগী অর্থ মানা হন্দোকই নীউরোসিস অসি জ্ঞান তাদবা পুক্নীংদগী থোরকপনি। মী অমনা মপুক্নীংদা লাকপা নীংশিংবদ সুংঙাইতবা কয়া তাদোকুবা লাক্লে। নীংবা কায়বা বাকম কয়া তাদোকন্নীংই। তাদোকপা তমদতুনা মতুংগী সুংঙাইতবা কয়া লাকহনবগীদমক ওইনা পৈশিন্দুনা থমই। মীওই-বগী পুক্নীং অসি ইদ, ইগো, সুপারইগো অহুমথোক্না থাইদোকই। ইশাগী ইচ্ছাদা চঙবা যাদবা শরুক অমমবা অহুবু ইদ কোই। ঐথোয়না মসিগী ময়মদা থকিডং থঙবা তমইবসি মতমগীন অহুগা নিউরোতিক (মরী লোনবগী) খুদমমগী ফংবনি। প্রাইমেভিভ ইনষ্টিংটনা পীরকপা পাঙ্গল, অহুগা মাগী হৌখিবগী বাকমদা হয়া চঙশিনবা, জীংগী ওইবা অমস্তুং সুপী সুপাগী মরী ওইবা বাকম্নি। মসি জ্ঞ'ন লুক্তা তাদবা অমনি।

ইদ হায়বসি মপা মপূদগী লৌরকপা, মশা শাগৎলকপদা, পোকপদা যাওরকপা অহুমক যাওরিবনি। বায়বা, অঙবা কত্তবা নিতি ময়াম থক থঙদে। পোকপদা ডাইরিবা অচাংচু ইদনি। ইদসিদগী ইগো লাকই। সুংঙাইবদা চৎলমবদগী হৌজিক্তি নিয়মদা চৎলক্লে ইগোনা অকোয়বদা লৈরিবা অসিগা চায়না চৎলকপা তঙ্গকই। ইদকী নিয়ম, আইন য়াওদবচু যাঙনবা হোৎনরকই। অচুম্বদা', দণ্ড কংদনবা, ইশা কমনবা হোৎনবদা অথিংবা নমশিনবা কয়া থোকই। ইদকা ইগোগা থেংনবদা

মী অহুগী মগুণদা অহৎকপা কংবা শোকহল্লবা নীউরোসিস লাকপা য়াওই ।

স্নুপারগো হায়বা পুক্নীংগী থোঙচৎ অসিদা অমপা লৈ। মাহুবু খঙবগী পাঙ্গল জ্ঞান হায়বা য়াই। স্নুপারগো হায়বসি ইদকুম্না (uncouseeious) জ্ঞান কৌবা লৈতবনি। অনিসি মুক্নহুনতা লৈ। ইগোনা রেকরী ওইনা লৈ। ইদ, ইগো, স্নুপারগো অহুম অসি চান্ননা লৈরবদি মী অচ্থ মপুং ফানা সুংঙাইনা লৈ। ইগোনা ইদপু নিয়ম থুপাইহল্লবদি স্নুপারগোনা চিন্তা তৌই, লাল্লি হায়বা থঙলকই, জ্ঞান তাবা থুদম কয়া পীরকই। লিবিদো হায়বা অমপা লৈরি। মসিদি সাইকো এনেলাইটিকী মরু ওইবা পোৎচঙনি। ধর্ম্ম নিতি আর্টতা যায় পাকইবত্থ লিবিদো চাওখৎলকপদগীনি ; অঙাংগী সেক্স হায়রবদি থোম থকপা, থোটলদা থকপা, খুবী চুম্ন-নচিংবা চথরকপনা মতম অসিদা ফিম্নুংনোমগী বাকম কাওরকই। *ফিম্নুংগী বাকমদা লোৎশিনবা, নমশিন্নুনো থমনা মমী-মতাং চোকথবগী লায়না কয়া হৌকম ওই।

---

* Under the induence of libido, friend maintained in perhaps the most controversial of all psychoanalytic theories the child develops sexual feelings towards its parents. Begining with its sensual pressures derived from feeding at the maternal breast, the infant forms a love attachment for its mother, As he matures, but at an early

মীওইবগী পুক্নীং অসি অান তাদবা অান মাওবদা লোত্তুনা লৈ। মপান্দা উথিবহ্ নত্তবা নীংবা, পুক্নীংদদা কাওবা, মপাঙ্গা অনীংবা লৈ। মহ্ পুম্নমক মীতোন্দা উহন্ তাহন্দনা লোৎশিন্নুনা থমই। মশা কাওবদা লোৎশিন্নুনা থমই। মরী চোকথবগী লায়না অয়াম্বা অমুম্না লোৎশিন্নুনা থবা হায়বদি নমশিন্নুনা থবা অসিদগী পোকই। মথক্তা মতুংগী মাওনবগী-দমক লীহনা থমজিন্নি হায়বহনি। অহনা বাহং ১০০ হংবদা ম্যাগী মুংতাইতবা পীখিবা অহ কোতদোয়কই। মাহুদদা অনাবা (Neurasthenia) অহ্ কবা হোই। থাজবা বাৎপদগী থোক-পনি। ঐবু তাওগনা? ঐবু শিবগনা থমকই। শিরোই তাওরোই মহুদগী তৌখিবনি কবিন্দ্ নত্তে হায়না হেক তাক-পদা শিবগনা থমহু থাদোক্নুনা খুদক্তা লোকই।

---

age, the male child develops strong sexual urge for the mother, while hating his father as a rival. The female child, on the other hand, may move away from the close relationship with her mother and fall in love with her father, with the mother becoming an object of dislike and rivalry. As applied to the male this is called the Oedipus complex named after Greek mythological figure, who killed his father and married his own mother (unwittingly). The other applied to the female is called Ekebates complex.

ফ্রৌইদনা হায়—মরী শোরবগী লাইনা পূর্বক সৈক্সুয়েল কংসরদা অকায়বা পীবদগী লাকপনি। "লুচোংবদা শোয়ংবা মত্রগা পাখং নৈশা কারকপগী মুংশি মুংচোকগী মরী ময়ে, য়াম্না পীক্লিবা অতাং ওইবিরৈডগী সেক্সকী রাকমদগী লাকপনি। 'তোতেম অমসুং তাবু" হায়বা লাইরিক অদুদা ফ্রৌইদনা হায়, নেচর অমসুং ধর্মগী মতাংদা থাইনগী খুনুংগী মীওই কথাগী পুরাণ, পুয়া (myths) ময়াম অসি মম', মখাগী রাকম অশিদগী থোরকপনি। ধর্ম হায়বসি মপাবু মুংশিবা র'কমদগী থোরক-পনি হায়না মানা থাজৈ। অমাবা লায়য়েংগী মী চান চানগী এরেলাইসিসতা সেক্সকী রাকম অসিনা মী মী অদুগী মহিক মওং অমসুং মরী-মতাং শোনব', শোকপদা অচৌবা মরম ওই হায়না মহাক্না হায়।

মগী অর্থ হায়বদা ফ্রৌইদনা হায়, মচ হায়বসি ভুবগী শেন্নবীবা পাক্সিয়ানবনি। ময়ুমদি নমশিন্দুনা থমখিবা অদু ফোং-দোকপা মতংদা পাঙথোকপনি। মচ অসি ভুম্বা কায়হনবা নত্তে ভুমবদুদা নমশিন্দুনা থমখিবা কংখিদ্রবা পোৎশক অদুদগী পোক্লকপা অকা-অপূন অদু কৌমথোকহন্দুনা ভুমগী মত্তেং পীবনি। মচ হায়বসিদি ইদকী অান য়'ওনবা অদুদা নৈবনি ইগো অমসুং

As he or she reaches maturity, a normal person outgrows the Oedipus or Ekebates impulses. Weak individuals on the other hand, may never succeed in breaking the parental attachment, and thus are led in to a series of neuroses.

সুপারগোনা মমশিনবীহুনা থম্বা প্রোষ্টেটিক ওইবা মীংবা, পুক্নীং মথুম-মরাং যৌবা অপাম্বা অহুনী জ্ঞান তাদবা কিশুম অহুনি ; তৌবগী ওইবা কোর্স কয়া অহু মপুংফদা মমশিন্নুবা থবক মতদা অহুম থাদোরকপনি। মতদা কাওবা ইগো অমম্বুং সুপারগোনা শেমহুনা সেন্সর তৌই। অহুনা মঙ অসিম্বু পুমহুম চুম্না চথবা তমদে। অর্থ হ য়বা লুই।

এনেলাইসিস—অঙাং ওইরিবৈদা মমানা চাক তুম ইনবদা অহানবা ওইনা ঙা মতুম অমা অঙাং অহুনা লৌখতুনা মমাদা হকে তৌবদা মক্ল মাওয়মগনি, পন্নগনি খন্নুনা মমানা "হাই" হেক হায়না লাউবদা ঙা মতুম অহু থাদে। মহাক্কা লোখৎলক [illegible] হেক ফংবদা, থম্বনা কাও কাবদা লুংতাইবা, লমকেল থোইবদা হরাওবা অহুপা চপ মামবা মপুংতাই অপীকপা অঙাং অহুনা কাওগদবনি। অহুবু লাওহৎপিথিবা অহুনা মপুন্সিদী অখোইবা খোঙচৎ কাওবদা অচৌবা অকবা থবক্তা লাম্বৎপগী থবক হৌর-রোই। মমানা সুমিৎ অহুদা মচামা হাইপৎনা লামজবা কাখৎচনবগী মথৌনা পুদেকপীদ্রে। মী ২০ দং খোঙমাংখোঙ অমদা কমহুনা লৈরমমদা মাহুবু লাম্বোক্তুনা চৎপা তমদনা মাওই। কবিনীনো হায়না থিবদা মমানা বোংনা অচাংহুনা পীক্লিবৈদা কৈবেল্না লাকপদা পোৎ লৈক্লপে হায়হুনা অত্তোপ্পা মী অমদা পিমহুনা থনমদা মা অহুনা কুইনা হমজবা, মীমাম্না লাংশিন্নকপা, মক থঙদবা মমাম উবা অহুদা ওখোক্লা মংতাইতবা অকিবা অমা কাওথিবনী, মাথর্ম অমা পীথি; মহুমজনগী পোকথিবা অকিবা অহু অংল ওইরবা

মতুমদা খোঙনাংখোঙদা কপা মীয়াম্না মতম্না মীয়াম্না ফিরুবা মফমদা চঙবা ওমদে।

শিবগী জ্ঞান— কতুবদা থুনবা, মীংবা ক'য়বা, থম্মুমা অওইবা অমতা য়াওশিন্নকবদগী পুন্সিগী লোইরমদা ইদা শিবগী রাকমদা লাকই। শিবগী রাকম অশিনা অহিংবা পুম্নমক মহু শাকমা চঙলকপা অহিংবা পোৎশক পুম্নমক পঞ্চভূত-শা হক্তিনহনবা লাক্লে, হিংনবগীদমক লাক্লরকপা ফিমুংলোনগী ওইবা মহৌশাগী ইনষ্টিংট পুসিগা মহৎপ মতোঙ্গা লাম্ব অমমা মাঙ্গতক'কহনবা, অমদি শিন-নবা চঙশিন্নিবসিগা ম্যুংবেংবহন্নতা লৈহনা রাওইবনু মতেং মতেং শেপ্পায়বী। মৈমদা অশিবনা ওমখি, শিবগী ইনষ্টিংট অসিনগী লাঙ্গাও খোয়কপনি, মচগা জাতি ক্লাস থাক দারুপা অয়ানবা বিগয় ফোঁবা হূট চাকুহনবা, মশাবাইরহনব, অসিমচিংবা লৈকইবনিগিগা মীওইবগী মতচং, যোক্লনা থমবা লাক্লরিবা ময় মানা হেল্লিকাম্না মপাবীওরিঙি ইরনবনি। মাগী থুমক 'অসুদা মীনা-থওবীনবা হোৎনরকপা অহুমু ইনকবিওরিতি কমপ্লেক্স কৌট। ক্রীউন কাম্না রিপা অসিনা মাইকোলোজি হায়রসি চুমা তাকখদা নত্তে; মেপ ওইনা য়েক্লগা থিন্নুনা তাকপনি।

আইনষ্টিন—রিলেটিভিটিঃ মীওইবগী মহুংদা অচৌ অখোঙগী লিংজেন্না অতাওবা মীশক অমনি। মহাক্না পুখোক্লগা থিওরী অসি কজনা চীথদা থওবা মীওইদি ওসিংকাওবদা মী ১২ তুমা লৈত্রি হায়ক্লা লসেগদা হায়খিবা মাগী থিওরীদি ফিজি-কেলগা ১মুং মক্লপা লৈনবা মরীনি, অহুথাশূমকক অকাদা গলোক্লী

ভাকপনি। আলজাব্রা লৈচবা, মীচি মাকুইবগী মহাক্কী [illegible]-
বিশ্রসকী থিওরী" হায়না থবা মখোয়। মহাক্কী প্রোতোনগী পুরখক্কী
মসুমনা 'রিলেটিভিটি' হায়বা থিয়ৰি মাবু নিউক্লিয়স, অমসুং
আধিলেটিক্সকী মরুপ্তা থমই। মথাক্কী প্রোটোন অমসুং পুরখক্কী
সেকেণ্ড ১ দা ১০৮০০০ মাইলদি। মথাক্তা প্রোটনসিংসি করিগীনা
হায়বদা আইনষ্টাইন হায়, মার্কারী হায়বা গ্রহ, অসিগী পুথিক্কা
থাইনদী নটেক অমুবা গ্রেভিটেসন্না চিংবদা লাইট অমি খোয়রা
লৈথবা চংলি। সূর্য্য গ্রহণদা যেংবদা, মুথিককী গ্রেভিটেসন্না লাইট
অসি চুম্ম চুংশগী মুচতা লেংবা, [illegible]।

অহাত অমসুং এরোপ্লেন্না চংশিনবগী খোঙ্গল লৈবুগ
সাইকেল মচেকপা চংলি। চুমজিং চুম্মা থক চতে। মতম [illegible]
মরক্তা থাইদৌ মকপসি চুমজিং চুম্মা লৈই অমু নত্তে, অদুগী মথা
অদি গ্রহগী মতাম পুথিক অমুম্মা মিয়ব অসিমি মথাদা চংলি।
[illegible] এটোমীক বৈমদি শাকিন্না [illegible] মতান্তা মীনা পুখোকপা
কেং মরুপাদি $E = mc^2$ [illegible] অমুবা লৈতবী
পুরিবা অতুপা অমুমক পুরিবা মক ওইরগদি বৈমদিগী মামতাং।

$E = mc^2$. To interpret energy equals mass multiplied by the speed of light and again by the speed of light If all the energy in a half pound of any matter could be utilized, Einstein held, enough power would be released to equal the explosive force of seven million tons of TNT. Without Einstein's equation, as one commentator pointed out, "experimenters might still have stumbled upon the fission of uranium. But it is doubtful if they would have realized its significance in terms of energy, or of bombs."

অইন্ষ্টিন্-না রুজভেল্টতা পীখিবা চিঠি অদুনা মানহাটান এটোম বোম্ব প্রোজেক্ট হৌহনখিবনি। অহানবা বোম অদু নিউ মেক্সিকোগী অলমাগোরডো রিজার্ভেসনদা থাদখি। অদুগীদি জাপান্দা হিরোসিমা, নাগাসাকীদা থাদখিবনি। মহাক্না এটোম নত্তবা হৌজিকী টেলিভিজন, মোসন পিকচর, এলেক্ট্রিক আই, পুথোকপা ঙমখিবসি মহাক্কী "ফোটো ইলেকত্রিক লো"-দগীনি। মাঙ্গা ফাওবদি পোৎশক্কা অদুক য়াম্না নত্তে, সাইকোলোজীদা হায়বদি মীওইবগী থাখল্লা পীরিবা থাকম অসিনি।

নিউতোন— নিউতোনগী মরিং ভাদবা লৈতে। মাগী 'প্রিন্সিপিয়া' হায়বা লাইরিক অসি কোঙবদা শতাব্দী ১৭শুবা মহাক্কী লাইরিক অসিবু থঙবা ওস্বা মী ৩/৪ দগী হেন্দে। নিউতোন অসি কোপার্নিকসনা শিখিবা চহি ১০০ গী মতুংদা অদুগা গেলিলিওনা শিবা চহি অদুদা পোকপনি। মখোয়না পুথোক্লম্বা এস্ত্রোনোমী অদুদা মুক্ষম ওইকপা নিউতোননা চথবনি। চহি ২৫ শুত্রিদৈদা মানা পোৎ অহুম পুথোকখি। (১) ফ্লক্সীয়ান কৌবা হোংদোকপা তাকপা কালকুলেসন পুথোকখি— মথং হোংবা অমম্তং, অচেনবগী চাং। মসিনা ঈশিং ঈরোল, অচৎপা পোৎ, ঈথক্লচিংবা অরেৎবা পোৎশকা মরী লৈনবা প্রোব্লেম কয়া থঙনবা তাকপনি। (২) লো ওব কম্পোজিসন ওব লাইট। মঙালদা য়াওবা অচৌবা পোৎশকশিংগী লো— মচুগী হৌনবী অমম্তুং অচৌবা মচু অসি কবি য়াওবগে হায়না থাগদোক্লনা য়েংবনি। মুংশাগী অচৌবা মঙাল অসি চুমথাংদা য়াওরিবা মচু পুরক

য়া'ওবনি হ'য়। ১৫িদগী "হমা পীরকপা (Reflective) তেলেস্কোপ" পুথোকপা ঙমখি। (৩) ব্রিতেনসন কায়বদি ইউনি-ভার্সেল গ্রেভিতেসন, কায়বা ঙাংবা থডবদা খ্বাইদগী মুংঙাইজবা অমসুং চাওখৎপগী থৌওকম অহুনি।

য়া'মা পুথোকখিবা কানকুল'স. মচু, গ্রেভিটেসন অহম অসি থক থোকদোকে প্রথম ময়াম্বা কায়নবকনবা', চৈনবকদবা অসিদগী ঙম্না নৈথোকপনি। মরুপ ময়াম্বা কায়বনগী থোউ'ল, সাইন্তিস্ট ময়াম্বা লাক্নী চুমই খোঙবকই। খ্বাইদগী থেংনিংখবে অমসুং যানিংখিদে। প্রিন্সিপিয়াগী অহা'নবা লাইরিক্তা অমাংবা অভিযাদা নৈবা পোৎলমকী থোকচৎকা মওয়মা ঙৈখি। অনিশুবদা অখিংবা পোৎকা থোকচেনা ঙৈখি। মতৈমা মকী ল'ঙবা পোৎকী থোকচত্তা ইহুনা ম-খা'মগী অয়া'ঙবা পুথোকখি। মথাদা নিউতোনা "দেসকার্টস" কী সিস্তেম পুথোকখি। আকাশদা লৈরিবা পুমমক অসি ভোর্টেক্স লৈবদগী ঙম্নি। অহাওবা পুমমক অসি পাপ্রবা কুপ্রবা', মকী লাঙবা তাংখ অমুনা থম্না লৈ। মফম অমমা ভোর্টেক্স অসি থেক থেক শেমই। সূর্যকী সিস্তেম অসি ভোর্টেক্স ১৩ নি। খ্বাইদগী চাউবা অহুনা সুমিৎনি। অদুংঙবা লাইরিক অমা সিস্তেম ওফ দি ব্রাইন্ড কোই।

নিউতোনা অহা'নবমকদা', আকাশ অমসুং পৃথিবী অনি অসিদা মরুওইনা থেম্বা কারিমত্তা নৈতে হায়। মতৌপাদী ওইনা মাম-মামবা থোকহনবনা মাম মামবা থোকহন্নি। (Like causes like effects in nature) খীন', শানা থম চোনবসি, অহুপা

নুং অমা খুন্তগী তবা মকম পুম্নমক্তা ইমাং মাম্নগনি। মৈমা শাবা, সুরিৎ মণ্ডলনা পৃথিবী, মঙ্গলগ্রহদা তাবা চপ মাম্নগনি। পৃথিবীদা সমুদ্রগী ঈশিং অসি জুবার কায়। সুরিৎনম্ন কাহলি। অহুগা মুমিৎকা থাগা মান্ননা পরেং অমদা লৈরগা হেম্না ঈথক কায়। তাইবং মালং অসি করম্না লৈবগে হায়বসি তাকই। করিগী লৈরিবনো হায়বহুৎনদি তাকপীদে।

মেচর অসি মাগীদি লাইরিক অমনি লৌজৈ। মপাম্ন অম্নুম হায়জৈ, ঐ অসি জগত্তা করি ওইনা উরমগদগে হায়বা ঐনা খঙজদে। ঐঙোন্দদি সমুদ্র খোঙবান্দা লৈজবা অঙাং অমগুম্না উজৈ। অহুগা ইতত্তনা চংথোকচরগা অমামবা নুং মচেৎ নত্রগা চুম্নগী থরোই, কোংগ্রেং, মোইবুং মকু মরক্তগী থর হেম্না ফজবা খুঞ্জবতনি। অহুগা অচুম্বা কৌবা মহাসমুদ্রনা ফোঙ্দোকপা কৌবা লৈতনা ঐগী ইদাঙদা লৈরিবনি। ঐনা করিগুম্বা খজিক্তং হেম্না ফংতোপ্পা মীদগী উজরিবসি চাউগ্রবা (কাওগ্রবা) মী কয়াগী মরেংবান্দা লেপচবননি।

চার্লস দারউইন স্পেসিস্‌কী হোকম— ১৪০৯ অসি পৃথিবী অসিদা অঙকপা মীথোই মীহেনগ্রবা মীওই কয়া পোকখি। নিউতোন ওব বাইওলোজী হায়না খঙনবা চার্লস দারউইন্ অহুগা অকাওবা ইমান্সীপেটার (লানথীহৈবা), আব্রাহাম লীংকোন অনি অসি লোংমতদা, পুংকম অমতদা পোকখি। গ্লেদষ্টোন, তেনিসন, এলানপো, এলিজাবেথ বেরেট ব্রাউনিং চহি অসিদা পোকখি। হায়না লৈজরম্বা মীওইবগী থৌরম কয়াদা

মরুওইবা থাজনরম্বা রাখল কয়া অনৌবা রাখলগী লম্বী অম-
বোমদা চংহনখি। দারউইননিজম হায়বসি মাখিদম, মেক্যাণ্ডে-
লিয়ানীজম বোলশ্যুসিয়ানিজমশুম্না মীয়ামগী পুক্নিংদা চঙ্গ্রবনি।

অঙাং ওইরিঙৈদা নোংমৈ অমা পায়রগা উচেক হাণ্ডুনা
কৌজেং হায়রো কাহনা, চাং য়েংবগী থবক্তা জৌহনালে। বিগল
হায়বা জহাজ ভোংহনা চৎখিবা অহনা মাগী থাইদগী চাউবা
পুন্সিগী থৌদোক্কি। জীব, জীবগী শরু শয়াং থিহনা মহাদেশ
পুম্নমক, দ্বীপ কয়া চত্নুনা জিওলোজিষ্ট, বোটানিষ্ট জুলোজিষ্ট
অমশুং চুম্নগী সাইন্সকী মীওই অমা ওইনা চত্নুনা রিছার্চ অমসুং
ইবগী থবক লৌখংখি। মী ভাদবা, খুদোংথীবা, উমুং-চীংখুং
অমশুং দ্বীপ কয়া চঙ্হনা কোসিল, অচৌবা চুবগী য়াংলেন শরু,
নাইথু অচৌবা সমুদ্রগী নোংশা, উচেক কাওবা মীনা উনখিবা
উচেক অদি অমাং মায়রক্নু মশক মামদবা কয়া উখি। মীওইবগী
মীশিং হেনগৎপসি নাহুনা শিবা, লাল, চাক ভাঙবনা হন্থহল্লি হায়বা
বোলশ্যুসনা হায়বশুমনা উচেক, মনা-মশিংসু অসিশুম্না মশীং
হন্থহল্লি হায়। অহনা মতিক চাবতনা হিংহৌবা, মতিক চাদবনা
শিখিবা অমশুং মুৎখিবা হায়বসি শোয়দবনি। মসিদগী "নেচরেল
সেলেক্সন" কৌবা থীওয়া হিংবগী লাল, থাইদগী মতিক চাবনা
হিংজহৌবা হায়বা অসি "মাগী মাগী হৌরকফম" হায়বসিগী
মুখ্কম্নি। মীওইবনা মনা মশিং, শা-ষণ, হুই পুম্নমক থক্-থরগা
অপাম্বহ য়োকখংলি। হুইমক্তদা গ্রেহাউণ্ড হায়বসি কৈশালগী
থায়ানি। অলসেসান লমহুইগী থায়ানি। পামদ-পাবদবা মাচং

অপাঙ্বা পোৎ য়োরখৎপা হায়বসি মশাংনা তাবনি। (হৌদা চর্সি, সিন্নিয়া য়োরখৎলি।) শগোলদা হূইনা ভোরজুম থেঙ্ক, খোদা চখরক্লি। খোইনা হিংবসি চুম অমম্বুং উচিদা লৈরে, উচিগীনা হৌদোংগী মশীংদা লৈ। ঙমহূই অমম্বুং কৈশাল লৈবদগী থেবা হুত্রে। কুম কাংবা মতমদা মচেক শাংবা ভিত্রা ভাক্তা হিংহোরগা মচুক তেংবা ভিত্রাংনা উদাংগী উনা চাবা ফংদহুনা, মচুক তেনবা ভিত্রাসি চম্না শিংখ। ময়া, মহু. খুজিম অসিংন্ম হিংনবগী অম্মুং মাঙখিবগী মরম ওই। উচেক্লা ভৈল-কৌতেং চায়, ঈচেক মরুমহু শানা অমুক চাথোকই। অচিক-অশা অমম্বুং কুম কাংলা মকাদম্ব জীব মুংহল্লি। উচেক ফাওবা মশক ফজব, নোয়-পেনবা থম্মহুনা য়ুম্বান্নে। ফত্তবা হুন্দোকপা অফবা খংগৎপা হায়বসি তোকপা ওমদে।

জীব হায়বসি অহানবদা খরমং শেম্নম্বনি। অহুদগী সুম জাৎ জাৎ অফবা পোক্লকপনি। ইভোলুসন অসিদা দারউইন্না পীরিবা খুদম অসি লেঙফন্দ্রবা ভাক্তনি। ইভোলুসন অসিনা মেচরেল সেলেক্সন হায়হুনা পীরবসিনা শন্দোক্লা তাকপা ওমই। ইভোলুসনগী থিওরী অসিনা চুম্নবদি বাইবলদা ঈশ্বরনা মী শেমই হায়বসি লৌবা য়াদ্রে। অহুনা ভাইবংমীদা থিওরী অসি মানা খক পান্‌শিল্লমদে। অহুবু মী অসি য়োংদগী ওনবনি হায়না হায়নবক্তুনা মাবু থাজবদা কন্না অথিংবা পীখি। মাগী লাইরিক কেমব্রীজগী ক্রিনিতি কোলেজদা থমহন্দে। শালগোম জাৎ পূম্নমক পুন-শীল্লগা মী ওনহনবা য়াগদ্রা? হুংশিংনা থোকহনবা কোঙ্গোল

লৌরগা থৌরো তাবা য়াত্রা ? অহুগুম্বা প্রমাণ তাক্তা মানা পী হায়হুনা অশাওবা মী য়াওরকই। দারউইনদি কদোঠৈদম্নু মীয়ামগী মম তদা থোক্তুনা থীওরো অহু তাক্লনবা হোৎনদে। হকসলীনা য়াবা কাওব: ভৌহুনা উৎলি। ওক্সফোদ্গী বিসোব উইল্বরফোর্সনা শাওমনগ্রহুনা প্লেটফোর্মদা চত্তলগ হংই। "য়োংদগী মী ওম্রক-ইবসিবু নপুবোকলোমদগীরা মবেক্লোংরোমদগীরা" ?

হকসলীনা খুৎই— মীওইবনা মপা-মপু য়োংদগী ওম্রকপনি নীংশিংবদা ইকাইকম লৈতে। অহুপা এনা ইকাইগদবদি থাজিন-থোৎচিন্দুনা ইশাগী অচুম্বা কয়া পুরকপগী থবক্তা পেনবগী মহুত্তা মানা থওদবা সাইন্টিফিক্তা রাক্ষমদা মথোং-মরম থওদনা চোং-শিন্দুনা ধর্ম্মগী য়েংলকক্ষম ওইবা রাক্ষমদা ভাবকপু কৈনা পুথোক্লবা লাক্লবা অহু নীংশিংবদা ইকাইবৈ। দারউইন্না অরোইবদা মীওইবগী মরমদা ফজনা পী। মী অসি চাওথংপা লোইরব', অমুক চাওথংলরোইদবা জীব অমা নত্তে; মাগী শাংগ্রবা হৌখিবনি, শাংমা চংথখিগদবা লৈথ খক তাদবা, কাথংপা ইতি-হাস অমা লৈরিবনি হৌজিকী লাইরিক ওইনা ইতিহাস অসিগী মমাঙদা মী ওইনা হিংলম্বা চহি মিলিয়ন কয়াগী রারো লৈগ্রবনি। এন্থ্রোপোলোজিস্টশিংনা চহি মিলিয়ন কয়া অমুক চথরক্লনা মীওইবনা ইভোলুসন (চাওথংপা) গী থাইদগী রাংবা থাক কারকখিনি তাকপীরি।

ইতিহাসত্তা সমুদ্রগী মপাঙ্গলনা পীবা (Influence of sea-power upon history)— আলফ্রেড থোহোমা ইবা

লাইরিক অসিনা থৌজিকী জহাজনী ওইবা জগৎ অসিগী মওং লেখথি (Pen is mightier than flotilla) "কলমনা ফ্লোটি-লাদগী হেন্না পাঙ্গল কল্লি" হায়রৈ। অদুগা সুপার ড্রেদনোটদনা মাগী মচা-মশুপিংনি অদুগা ইকি ১৬কী বোংবৈগী মখোল অসিনা মাগী বাগী খোল্লাংনি। সমুদ্রবু লাকপনবা ঙম্বা জাতি অদুনা জগৎ অসি লাকপিনবা ঙম্নি। জগৎকী রাফম পুম্নমক্তা মহাক ইন্না ওনা য়াওনবা য়ারক্তে। সমুদ্র য়াওদনা ক ফাম্বা কনজবদি শোল্লক্তবা মাঙখিদবা লৈতে। মরমদি কংফাম্দি খুদোং-থীহনবা অপনবা লৈ, সমুদ্রদি কংকাল পুন্নবক চঙবা য়াই, "The land is almost obs'racle, the sea almost all open plain" অদুনা সমুদ্রগী জহাজগী পাওরানা কংকাল কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বা অদুগা লম্লোনবগী জহাজ কজনা লেঙদনা থম্বা ঙম্বা জাতি অদুনা পৃথিবীগী শেল-থুম পায়শিনবা ঙমই। মোরোন্না ইবা লাইরিকসি চৈজাউ অমনি হায়না কনভেন্টনা হায়, জহাজ শাগৎপা হৌখি। পৃথিবীগী ঈথকনু ঙাকপা ঙম্বা মী মহাক অদুনা পৃথিবী ঙাকই। Whoever rules the waves rules the world" অদুগা জগৎ অসিদা নেশনগী দোকত্রিন, নেসনেল পো-লিসিদা মহৌক্তা মীৎ পাঙহন্দুনা আমেরীকানা পৃথিবীদা খ্বাইদগী হেনবা পাওয়ার ওইখি, পানামা কেনেল কাওবা তৌখি। রাশিয়ানা জহাজ সবমেরীন্দা চাওথংলকপা, আমেরীকানা লামগী প্লেন পুবা জহাজ শারকপা অসি এটোমগী যুগ অসিদা, সমুদ্রগী পাওয়ার মথুঙ্গা লৈ হায়না তাকইবনি।

সেকীম্পার—হাট´লেণ্ড পায়বা জাতি অহুনা জগৎ অসিগী মপু ওই। অম্সুম্না লৈবাক পুম্নমক অসিদা ময়াম ওইবা লমদমগী মপু ওইবা ঙাম্নে। লমগী রাজনিতিগী পুনবা (geopolitics) সাইন্স ওইবা সেকীম্পারনা "He who rules the heart-land rules the wo.ld" হায়বা হাট´-লেণ্ড রারল্ড হায়বা সাইরিক পুখোকখি।

Who rules East Europe commands the heart-land :
Who rules the heart-land commands the world-island :
Who rules the world-island commands the world :
অহুনা য়োরোপ:কথংবা ইউরোপপু মথুম্ভা লৈবা মখোয় অহুনা হাট´-লেণ্ড মথুম্ভা থমই :
হাট´-লেণ্ড মথুম্ভা থম্বা মখোয় অহুনা পৃথিবীগী দ্বীপ পুম্নমক মথুম্ভা থমই :
পৃথিবীগী দ্বীপ পুম্নমকপু মথুম্ভা লৈবা মখোয় অহুনা জগৎ অসি রায়েনবা ঙমই :

হায়বসি সেকীম্পারগী পাউজেলনি। রাশিয়া অমস্মুং জর্মনন্থু হা'ট´-লেণ্ড (ময়ায়থংবা ইউরোপ) অসিদা খোঙদাহন্দনবা রারল্ড রারগী মতুংদা বালটিক-তগী শ্রেকসি কাওবগী মপুঙদা মনীংতম্বা লৈবাক কয়া লেপ্নবা থোরাংহনখি। ইথোপিয়া, পোলেণ্ড, বেহেমিয়া, হঙ্গেরী, সর্বিয়া, বুলগেরিয়া অমস্মুং গ্রীক লেমখি। অদুবু জর্মন অমস্মুং রাশিয়ানা পল অহু নমথারখি। হাট´-লেণ্ড অসিদা রাশিয়ানা পায়শিন্দুনা লম:থুব অমস্মুং ইন্দস্ত্রীদা মপা লৈতনা

চাওখৎহনখি অমম্বুং খুৎকল-পাজলবা লৈবাকশিংগী মপুঙ্গদা অমা অহুম ওইহনখ্রে। দ্বীপ পুম্নমক্তি লৌশিনবা ডমিত্রি, বাক্স্ড অম ভৌবদি ওইথোক্কে হায়না লৌনরি। মানা অয়োইবদা নিও-গ্রাকী চুমথোক্কু খদি নিমোক্রেসি থক কনবা ডয়োই হায়। অহনা রাজনিতি জীওগ্রাফীনা জীওগ্রাফীগী অয়োইবা পন্নুপনি হায়রমই। অসুম্বা পৃথিবী অসি রাখন খনবা হৈবা মীওই কয়াগী কলমদনা মওং অসিদা হোংহল্লকপনি। হৌজিক রাজনিতিগী মীওইশিংনা লৈবাক ডাকুবা মতমদা ময়াম্না চৈন্দ্রিবাস করিগীনো? মেকীয়াভেলীগী প্রিন্সনা তাকপনি। লৈবাক ডাকইবা নহাক্না ভৌবিগনি, কয়া থোক্না রাশকট, অমত্তম্বু রাশক অহু ডাকলুম্নু। লৈন্ডাকপদা লৈবা নঙবু নুংশিহনবনা কবর কিহনবনা কবরা? নুংশিবা হায়বসি রাজনিতিদা মমল য়াওদে কিহল্লু (অহুগা নুংশিহল্লু)। লৈবাক ডাক্রবদি লমহুইদোনা চৎল্লু নোংশাদোনা কল্লু। লমহুই ওইরবদি লাংদা থুদ্রে। অত্রবু লম-হুইহু নোংশা ওন্দ্রবদি কৈশালনা অহুম চাথোকখিনি। পৃথিবীদা কোলোনী ময়াম থাদোকহল্লকপসি ডোমপেইন্না কমনসেন্স ওইবা পমপ্লেট অমা চাইখি। কপী [illegible] ইউনাইটেডস্তা মীশিংগা মান্নবা য়েন্থোকখি। ইউনাইটেট ষ্টেট হায়বসি মাবা থোকবা মিংনি। গ্রেট বৃটেন্না মমা লৈবাক ওইরবদি করিগী আমেরীকাদা খুৎলাই পায়হনা লান্দাগনি। মথোয়গী মচা-মশু করিগী হাৎলিবনো? কৈ, নোংশা কাওবা মচা থক চাদে। হিংচাবা কাওবা ময়ুমদা লাব তাদে" হায়বা লাওরকপদা আমেরীকা মনীং

তমই। পৃথিবী অসিদা লৈরম্লিবা কোলোনী থাদোকহল্লথি। অহুমা করিগুম্না লম কম্না নমহুমা লৌশিন্নগা কোলোনীদি লাইব্রহুমা, কোলোনী ওইনা থম্লবা লাক্লবদা মক্ল কেম্না কম্না মাও-প্রিবসি তোঙপেইবগী কলমদগীনি। রাজনিতিদা আমেরিকা মনাং হল্লে। হৌজিক্তি থক্সদা নাংহল্লসি। ঈশ্বরবু শগোলগী দানা হংপ্লা উপু অমদা মচা পোকপা তৌগম্না? ওইদবা তাক্তা হায়জিনবনি হায়রুবগী আমেরিকাদা লৈবা মাদহুমা ফ্রান্স তাম্না চেনখি। ফ্রান্স লানহোৌবা মাওরুবগা শাথিনা মাইয়োক্লরহবা বৃটেন্দা অমুক লৈখি। মতুংদা আমেরিকাদা হল্লক্লগা শিখি। যোংকম কাওবা পীবিদে। চহি ৬০ গী মতুংদা মমামগী যোংকমদা অমুক হল্লা ফুমহলখি। ভরাংগী থৌদোক, তৌজিকী রাকথ, হয়েংগী মাওন, অসি অকাওবা কম্না অসিগী কলমননি। অসি নতুবা বাইবল, দি রিপব্লিক, দি কিংদম ওফ গোড, সেক্সপীয়ারগী প্লে, পীলগ্রীম প্রোগ্রেস, গীতা পাদবা মাদবা লাইব্রিক চাক্তনি। লাইব্রিক হংম্লবসি মিতিগী রাকমদা য়েংহুনা থর্ম্মদা থব্বুগা লৈ করেগী রাকমদা থল ওমবগী রাকমদমক নত্তে, পৃথিবী অসিমা মাওন অমা পীবা ওম্না অরেংবা অহিংবা থুংলাইনি উক্তবনি। ইজরিবা অসি লাইব্রিকী রাংৌদোক্কি অহুমা মপুংকানা ইজদ্রে। অসুম্না পীজরিবা লাইব্রিকশিং অসিনা পীবা রাথম্না পৃথিবী অসি হোংহল্লি। জাতি অমা নারে হেক থক্তদা অচুম্বা পুস্তক তাকথোক-পিবনা কনববা লায়য়েংনি। মণিপুরী ঐথোয় অসি হৌবম থুদিংদা মারবনি। হকচাংদা পীক নেম্না, নিতিদা বেহরপ ওইরবা, থর্ম্ম,

সমাজদা, খুং থারবা জাতি অমা ওইরমনি। মণিপুর শেল থুমদা শাংগ্রবা মরুভূমি ওইরবনি, হৌজিক্কি মরোন থোক্তে, মরোম লৌবা য়াশিল্লক্তে. রা ঙাঙদব হায়বা অচদা লৈরক্লি। (culture of silence), উংউংথোকচবা কৌবা ঙমজদ্রে ঈশ্বরবক্তি হায়বা রাটৈ ঈশ্বরমক্তা লৈদিবৈ হায়বা রাটৈশিং অছু মণিপুরগীদমক্তা মাঙ্গ্রে। রাটৈশিং অছু থিবদনি। রাটৈশিং অছু পাজরিবা লাইরিকশিং অসিদা ঙমা য়াওই, শেল থুমদা নাহে. আদায় স্নৌথ নীংশিংবিয়ু। রাক্বনিতিরা নাহে থেচ য়াবেণী, থরীও অমসুং তিটি· লায় নীংশিংবীয়ু। অদুগা ইজরিবা লাইরিক অ'সিদি হকচাং ফনবা, কমনবা, পুন্সিনবা, নাদংনবা লাইরিক্তি। লায়রবমা কয়াম্না হকচাং ফগনি, মগী মিনাই ওইরগা কয়াম্না হকচাং ফগনি। জাতিগী ওইবা থবক-ইনথাং পুম্নমক্তা চৈরম পুম্নমক্তী ওইনা থবক লৌথং· লগা, হরাওবা মুংঙাইনা হিংবা ঙম্নগা মীওইবগী মমুতা থাইদগী ফাওরবা মহৈ-মশিং হৈরব ডাক্তর কয়ানা থম্নোরম্লা লাইরিক কয়া অছু পারগা চংচরবদি মশা অচুম ফজবনি। মেরী বেকার এডিজগী সাইন্স অমসুং হেলথ হায়বা লাইরিক পাজব ঘাদবনি, বংশাদ মেকফেইনগী লাইরিক পুস্তক, ডাঃ কোলোগকী লাইরিক, আসসেকার, মীলো হেস্তিংস নচিংবা, হেনরী লিন্ডলেয়'র, আইরথ-মোটলেক্কনচিংবা অমাওবা মথামদগী লৌথংচবা ডাব ঙাক্তবি। পেরেনাইসিসনচিংবা মরীগী লায়না— কেন্সর, হার্ট দিজিজ ব্লড প্রেসার, কিডনি অমসুং লিভরগী লায়নানা থম্নবা নৈরাক ওইরে। পীজরিব। "চয়া হেনবা অমসুং চাবা" হায়বা লাইরিক

অসি শাহিরগা মাংহৌননা চথবীরবদি লায়বা পূম্বমক অসি থিংবা ঙমগনি অদুগা কোকশঙ ঙমগনি।

মকচাং ফবা হায়বসি নিংথি অমসুং জ্বাননী অগংপু পুন্নিবা "ববাহদেব" মরুপগা "প্রেটনাস" হায়বা লাই অদুনি। মকচাং ফজরবদি মহাক্কিনমক শঙ্গবা অমসুং মাবা শঙ্গবা য়াবা পূম্বক মাঙগ্রবনি। মকচাং ফমবগী নিয়ম তরেৎ লৈ। মসিগী মমু দা অফবা চিনাক হায়বসি মরু ওইবা নিয়মনি। চরা হেনবা হায়বসি মী শেংবা থম্বগী মরু ওইবা উপায়নি।

শাঙ্গল কম্বা, কম্না অদুম থমুনবা, পুক্সিনবা নচা ওইনা অদুম লৈমনা অদুগা নাপ-মেৎনা লৈমনবগী অদূম্বা মরোননি মকচাং নোয়-শেনফনবনা লৈ (nourishment)। নুংথং শাম্বা মসমমা মখা পূম্বক থানা য়ামশিনগ্রবা, সমুদ্রগী শেংগ্রবা মুংশিন্তা ঙা ফাবা মী শিংমুংদা চৗংদোন্দা শাদানবা মীন্ন চহি ২০।৩০ দা শিবা য়াওই। অযোৎপা, অমস্ত কা অমদা মেদুব নম্রগা কদম অথদগী হেম্না শায়জদ্রবা মী অহুন্ত চহি ১০০ হেম্না পুক্সিবা য়াওই। অদুনা পুক্সিবগী অদূম্বা বারোনদি মকচাং শেমগং-শাগংপা অমসুং নোয়-শেনহনবনা চঙউবা পোৎ পূম্বমক রাস্তনা পীজবা অমসুং মচু পূম্বক ঈনা-তোংনা ফজনা লৌশিনবা উমহনবা শাঙ্গল অদু শেমগৎপনি। মীনা নাহিবা, শোম্নকইবা অসি মকচাংগী মযুংদা লৈহিবা নাল অসি [drainage] ফজনা মপাঙ্গলগী শেমবীনবদগী লাকপনি। নালা অদু ফজনা শেংদোক-পীহবা থমগবদি ফম্ত-হৌদি পূম্বক মপান্দা। পুথোকগ্রগা অশেংবা

ঈশী ঈচেল অদু শেংবা থম্মদুনা ঈনা লৈফম খোকপা পোৎশক পূম্বক কজনা মাঙহনদনা থমদুনা মী অদু নাদ-য়েঙনা লৈবা ঙমই অমত্তুং অহোয়নবা অহল ওইরবা ফাওবা মরী ভোং অনৌবা শাগৎপা ঙমই। চহি ৮০ শুররা অতাং, চহি ২০ গী অহল হায়রিবসি মতাং অখ্বাইদনি । মসিবু খঙদবা মী য়াওব্রা? অথওবা মীদি য়াওব্রা? অদুগা থম্বা মীদি মরৈবব্রা? মশানা পীজগদবা পাউথুমনি।

মীওইবা হায়বসি শোঙ্গব্রবা, লানগনব্রবা, পঙজব্রবা জীবনি। কজনা শেরগৎচরবা হকচাং অদুদা শিদ্রিকাওবা মানা লৈজগ-দোৗরিবনি। চহি লিশিং চৎনবা চেকৗ, নুংশী, মার্বলগী মুবদি মানা লৈজনবনি হায়দুনা কজনা শাই। অদুগা মাগী থবাম্বনা লৈনবা চহি চামদং চৎনবা মুম, হকচাংদি শাগৎপা শেরগৎপা থক ভৌদে। শিরগত্রা হায়বা মতম অদুডদা বাকম অসি থবনা হোৌরকই। মায়রোইত্রা হায়না থঙলক্লবা মতম অদুডদা মী থুদিংমক্তা মাবু কনবিনবা দুংশিবা মীৎয়েংনা য়েংবা হৌরকই। অমুক্তং হিংজরবদি অকবা পূম্বক ভাক্লা চচ্চরগে থদ্ধকই। হৌখিবগী অরানবা থুনক্তা মেনথৎপা থক য়াদে। হে ঈশ্বর, অমুক্তা হনগৎনা লৈজবা য়াম্বদি মত্রগা অতোপ্পা পূন্সি অমতগা কজনা লৈজরগে, পীনবিয়ু, ভক্তি শোন্দুনা চৎখিবা ভাক্তনি। মীওইবা ঐখোয় অসি শিগদবা ভাক্তনি হায়বসি থঙজবা ভাক্তনি, থববীদবদনি। মীওই-বগী মপোক অসি করিগা প্রমাণ তৌবা য়াই। য়েংবিয়ু! মী লিশিং অমা মখোঙ-মথুৎ য়োংস্কাংনা পূদ্রগা চিংদুনা চৎলি।

পুং ১ লৈরগ মম্‌ [illegible]গী মম্‌ভদা মমভথংবা মী অহ মতক করুন, [illegible] হাওোকনি। [illegible] হাপ্রিবা মাগা পালা ভাবচন লৈবব. মাপি অহনা [illegible], কিনা, পুংশা খানা লৈরগ ! [illegible] কনব বব, থ [illegible] কনিবা, হাংপিদক [illegible] । মীওইবা [illegible] মশোক্তা [illegible] পুম্লব [illegible] কবি লেম্নবি ? ত্রাইবমী কবিগীমচক [illegible] ? [illegible] মপ। মেসো মা- [illegible] অংক [illegible] লোগং- লকপা। [illegible] [illegible] ভাইবমীন হায়বা মী [illegible] । [illegible] কিলোসোকবনা [illegible] “k [illegible]” হায়ব [illegible] অলোবা অমম্‌ [illegible] । [illegible], [illegible] মাকংলো, [illegible], [illegible] লৌরিবহ কবিনো, কবি [illegible] হংলগা [illegible] লেকপা হাওঃ [illegible] । [illegible] ফংলকপা জ্ঞান অহবা পু [illegible] । তুমম্‌ মনা শাজবনি, মম অহ মানা [illegible], [illegible] মনা শাজবনি, মানা শাংচবা, মী [illegible] মনা পুথোকচগা শুক্রমজবনি। লাই [illegible], লাইনা ভাকপা [illegible] অম [illegible] ফাওবদা লৈরিবা মী অ [illegible] ভাবি

[illegible] অদৈত ভাবনা কবিদা থেম্নবগে [illegible] মহাজ্ঞি মহাকা [illegible] লৌরিবগে থওৈ। মানা কবি লৌরিবগে থওৈ।

মাগী হৌখিবগী শাংগ্রবা বাকয় কয়া লৈরে। তুংগী চায়বা
অমস্তু লৈরি হায়বা মায়া থতলৈ। নশক থতজৌ তায়বহ মীদগি
অসুম্বা থওজবা। মপাগী শাহুম (nature) মায়া থজবা তথই।
মী অমমা মহাক মপামকপু থঙলৈ হায়বসিদা, মায়া করি
থওলবগে হায়বসিদনি। মীওইবা হায়বসি জগৎত্রমগু অসিগী
পীকপ্রবা শকক অমা, মীওইবগী উৎশামা যোমশিনমুনা লৈজবনি।
মপানগী জগৎ অসিগা পোংশকা করিগুম্বা মওডদা মাগীগা
খেম্নবা থক লৈতে। চওশিল্লবা অমস্নুং থওজবা তুবজদবগী
বাকয়দনি। পূক হেক থিল্লবদা পূক অমা লৈ বায়বা থওবা তথই।
অহুগুম্বা কোক হেক চৌকপদা কোকৌ মমুডদা করি লৈবগে হায়বা
থমবা তম্লকই। থওদে উদে হায়বা যাম্নে। অসিগুম্বা চওশিনমবা
ওম্লবদি মীওইবগী হকচাং মমুডদা চেল্লিবা ঈগী ডুবেদ অসি
মাইল লিশিং ছমফু শাংই। জগৎ অসিদা করম্বা লৈবাক অমদা
অদুক শাংবা ডুবেদ লৈবগে? মীওইবগী ঈদা লৈবা অহিংবা
সেল অসি ত্রিলিয়ন ৩৫ নি হায়বা থওবা ওম্লে। ঈদগী কক্তহৌদ
শেংদোক্লবা কিডনি ফিল্টার অসি মথং মথং শমজিম্লবদি মাইল
৭৫ শাংই। মসিদগী হেন্না ঈশ্বর হায়বসি ঐহোন্দা লৈবান। ঐ
অসি ঈশ্বরনি, 'সঃ অহম্' হায়না ঋষিশিংনা হায়রি। মীওইবগী
মমাইবক মথুবাস্তা লৈবনি। অহুমু করিগী অদুক তোল্লিবা,
বারিবা, পওথরিবা। মোজেস, জেসস, বুদ্ধ, লাওৎসে মথোম মথোম্নগী
মতম মতমদুগী ওইবা অচুম্বনা মী কোটি কোটি কয়া মপুক্লীং
তদবম্নি। মার্ক, দারউইনা অচুম্বা কয়া পুথোকখি। মী কোটি

কয়া থমিং পাঙদ্রি। অদুবু অয়াঙ্গা মকথা চৎকদবা নপেন্নদগী মুক থাম্বা থৈনুবা চৎনবী অমমুং থুদোংবীনরি।

পাউরাব হায়বসি মীনা থৈবাই খুৎথদগী লাকই নত্রগা শেন পীক্তদগী পীরকই।

শেন-খুৎ হায়বা অসিমু মোঙগী মথৈ ওইবা পুথোরকপা পোথোক্তগী লাকই। মতুপ্গা অতোপ্পা কয়াদা মুংঙাইহনগদি অদা পীহনা মপোৎ মৎপীবদগী লাকপনি। পৃথিবী অসিদা থৈবাক কয়া লৈ— মথোর অহুদন্ন মীওইবগী থাইজবা আইন কয়া লেবই। তীন তানজীরনা চাক নাপ্পদগী থাঙবা চবক্রাহনা তম চুহনা চাকথদা কাহনা কাদোক পী। মপুন্সি চুপ্পা কয়া থাম্রবা! অতয়্যা তীন তানতীন নিপিং নিপিং কাদোক পীরব্রা আইনদি লৈ। মী হাৎপা, নুপা লাখ লাখ চুবানবা মীবু কাদোক পীবিনবা আইন অমমুং বিচারপতিদি লৈশিন্নবক্তু হায়বা থৈবাক কয়াদা ইমীৎনা উবে। ইশাগী থবাই কঙবদা মীহাৎপা থাই। হৌজিকী জগৎতা মীওইবগী হক ওইবা (১) মীতিম্বগী হক (২) ইশাগী প্রীতাঙ্গ অবাবা কয়া কোক্কথা দরখাস্ত (৩) ইশাদ বিবা ইশাদা য়াওবা পোৎ থিবা তৌহন্দনবা হক, (৪) ঐগী বা ভাষনবা উকীল (৫) ইশা ইশাগী শাক্তি ইশানা ওইহনদনবা হায়বদি ওৎপীদবা, অহানবা অসি-তথা অহনতবা থাকী মওং লৈহনদবা। অসিগুম্বা হক অসি হৌজিক্তি মুখৎপত্তম লৈরে। পৃথিবীদা মীওইবসি প্রজাগা পোতর্ণমেন্টপা য়ামনা ওৎথিবসি হোটনাবগী মতমদা তাউবা ওৎপা

নৈবা হাংবা অসিনা মথৌংগ্রে হায়না লোটৈ। মী অসি ওংবা নৈংদা কয়া কুহনা খাণ্ডবা উম্বগে হায়বসি নাজোগী মতমদা জন্মনদা অকৌবা ফংনা ওংতুনা য়েংখি। সুরেশ্বর্গগী হিচাবগী মতাংদা গোবাং, লোকো-নচাংবা হাংবা মতমদা মখোয়সু হাংখি। মসি পুম্নমক কদ য়দগী লাকপনো? জগৎ অসিদা অচুম্বা মশক খঙদ্রবা মী য়াম্না লৈ। অদুবু অচুম্বা মশক খঙদবা মীনা নত্তে, উগী অচুম্বা মশক খঙদ্রব। জগৎ অসিদনা মখোয় অসি পুরকপনি। অচুম্বা কৌবা লৈত্রবা অমোংবা তুক্কচরবা ইন্দ্রিয়সন লৈবদগা অসিগুম্ব। জগৎ অসি অচুম্বা লৈত্রবা জগৎ হায়বনি। অদুদু ইন্দ্রিয়সন হায়বসি মী কয়াগী অপুনবা লমচৎনা লেমংনি। মী মা অতুম্ব ফজবা মীদ নত্রগা যহৌবা হৈনবদি লৈরমগনি। মীওইবনা মাগী হৈনবোগী মরমদা নং থরদে। মীওইবনা ইন্দ্রিয়সনগী হৈনবা থজদোকপা ঙমই অদুগা মাদু পুম্নমক হোংদোকপা ঙমই। অদু থইবদি তাইবংমী অসি মতিক চনবা য়াঙ্গবসু জগৎ অসিদি অকবদা ওন্থোকপা ঙমগনি। মীওইবনা মনম্ভচৎ ফত্তে খজবা ঙমই অদুগা হোংদোকপদি থক ঙমদে। লমচৎ ফত্তবদা হৈনরে হায়বসি খঙবা মী লৈ অদুবু ফজবা লমচৎসু থক হোংদোকনীংদে অদুগা মী থরনা মখোয়গী মরমচৎ অদু কৈ-ফত্তে হায়না য়েংশিনদে। য়েংশিনদবগী মরমদি মখোয় মখোয়গী জ্ঞান অদু ওন্ন-তৈনবা চৎখিদুবা অরাবা ভইগত্রা খল্লি। মসিগী জাৎ অসিনা থাইদগী মকত্রে। অদুনা জগৎ অসিদা লৈবা মীদগী জগৎ অসিনা হেমা ফত্তে হায়বসি সুম্না উচ্চারবা অসিদগী

খঙবীবা য়ারে। জোনষ্টোন স্কুলনচিংবা মণিপুরগী জুপা ক্রোর কয়া চঙবা স্কুলগী মহুৎ ডোন-বোস্কোনা মতৌ করম্না শিনখি। পৃথিবীগী মনুংদা এডুকেসন অসিনা থাইদগী মরু ওইনা লৌখংবৈ, করিগুম্বা জাতিদা বজেৎকী ভূ এডুকেসনদা খরচ তৌই। ডাক্তর ইঞ্জিনিয়ার, লোয়িয়ার, সিভিল সার্ভেন্ট কয়া পুথোকই। ডাক্তরনা মী নাদনবা থবক লৌখত্তে। অমুক্তং মখোয়গী মথুক্তা তাহ্না লায়য়েংশ্রবদি মপুন্সি চুপ্পা মখোয়গী মথুক্তা লৈদ্রে। মাইসিন থাশ্রবা অঙাং অহু—মাইসিন নত্তনদি অমুক মায়কপদা ফবা ঙমদ্রে। অতৈ উপায় লৈতে। মমাবক্কা ডাক্তরগী হকুমনা মচাদা হু থারে। ডাক্তরনা শেম্বা অনাবা কয়ানো, "আইওতো জেনিক দিজিজেস"! ডাক্তরনা য়েংশ্রবা অঙাংনা চহি ৫ | ৬ গুরকপদা পোক তাক্কা হৌরকপা করিদগীনো? পুক্তা, মীত্তা, হাটতা মরীদা থোপতা শোকহনবা কয়া য়াওই। ইঞ্জিনিয়ার হায়বসি তাইবং মীগী সমাজদা মরি লৈনবা বাংলি, অহুনা মখোয়গী মপুন্সি য়াম্না খুদোংথী। সিভিল-সার্ভিসতা লৈবা মীশিং অসি শেল চায়, শেল হূরাগ্নি, মীগী মচা-মশু মাঙহল্লি, হায়বসিনা লৈবাক খুদিংদা নিৈম। লৈবাক ঙাকপদা য়াওরীবা মীতা কয়া মীহাৎপা, শেনজাবা, হূরানবা, ভুথিবা কয়া কয়া লৈরিবসি বদায়দগীনো—মখোয়না তম্মকপা স্কুল কোলেজ, সমাজ, পাটি অহুদগী পোকলকপনা মী মহাক অহুদ মাঙহঞ্জবদ নত্তনা লৈবাক মাংহল্লি, জাতি লৈথা তাহল্লি, জগৎ অসি ফংথিদ্রবা জগৎ অমা ওইহল্লকই। অকবা জগৎ অমদা অকবা পুন্সি অমা লৈবা য়াদবা অকব্না

থৱবা (prophet) কয়া পোকখি। প্লেতোনা থাজনিতিদবা অৱাবা কোকহনগনি! সেন্ত আগষ্টাইন্ না ধর্ম, তোমাসমুর, অমসুং ফ্রেন্সীস বেকোন্না লো এণ্ড ওর্ডর, ৱৌসোনা— মীগী ফজবা নিতিদনা, ১৯শুবা শতাব্দীদা ইকোনোমিক, ২০ শুবা শতাব্দীদা লমচৎকী ওইবা ফজবদা থৱবা সোসিলিজম—নত্তনা ফজবা অগৎ পুরকপা থক য়ারোই হায়।

মীওইবগী অশোনবা অমনা, মামা তৌবা ঙম্বা, তৌবা য়াবা মথৌদি থৎকৈ; তৌবা য়াদবা থিবিক্কু মানা থক থৎকদে। করিগীদমক চুকপ থকপগে, করিগীদমক য়ু থকপগে? ওক্তবা থবক অমা থিংনবা বারকপদা মমা মপা অচু ফত্তবা মীনি হায়না থৱি অমসুং শাউই। মশা মাওজরবা মতমদা মাওজরে হায়না থওলকুবদা মমা-মপানা থিংবিদবদগী, মতিক চানা বারকপীরবদগা মথোয়বু মাওহনবীরে হায়না অমুক চৈ। ফত্তবা অঙাংনা মমা-মপাদা হরক বম অন্নয়া চৈরকই। মাগী ওইবা পুম্নক মীচোম্দা পীথোক্লবদি মহুদগী হেন্না মাচোম্দা থীনা শোকহনবা অমা লৈত্রে। অমনা, মামা থিংজগদবা বাকম থিংনবদগী মহাক অসি মীনাই ওই। তোনরেন্স অমসুং রেজিষ্টেন্স বাৎপদগী মুৎনি।

অমনা হৈনথিবদগী মহাক অসি কেমরৈ—গৃকী লানদা কারকপা লানহৌবা কয়া সাইক্লোপ্কী মকোন্দা মাবু শীজনবা হৌজনি। চাবগী পালী থোক্কিকাওবা ছাইহুনা লৈ। অচু কাওবদা চাক চায়, তুমই অমসুং অহুম হৈনহনি। অর্দা চারগা কেলার, য়ু থকলগা চহি ৫৮ দা শি। করিগী য়ু থক্লিবনো অমসুং অর্দা চানরিবনো?

লিয়োনাদ্‌ দা ভীন্সী হায়বসি অগৎ অপূবপী ওইনা লৈহৌর-গদবা লাইপোক অমনি। ইঞ্জিনিয়ার, আর্কিটেক্ট (কজবা শাবা মেকপা) ফিজিসিষ্ট, বাইওলোজিষ্ট, ফিলোসোফর অমা ওইনা ১৬ শুবা চাদা মীওইবগী হকচাংগী অঙকপা শাওং-শাদা অ'স উবদা খুদক্তা বাবু ডাওৎলি অদুগা লাউৎকট—অপঙবা, লাইরিক লৈতবা ১সুং লমচৎ কত্তবদা লূপশিল্লিবগিং অদুদি অমুক ফজবা, অমসুং থুং চত্তবা লৈবা ঈশ্বরনা শেম্বীরক্লবা হকচাং অসিদি মপূ ওইবা মতিক চাদে। মথোয়গীদি চৌঙ্গাক হাপচিন্নবা, অমাংবা থোরক্লবা হকচাং অমতং দরকার ওই। মরমদি মথোয়গী মশা অদুদি চৌঙ্গাক হাপচিন্নবা উংভোং অমা মস্তনা কবিস্থু নস্তে।

অগৎ হায়বগী অর্থদি অহোংবা হায়বনি। মীওইবগী পুন্সি অসিসু অহোংবনি। নত্তস্থ ঐস্থু নিতিগী হোংদোকই। ঐখোয়গী হকচাংগী সেলশিং অসি ভত্তবা শিরি অদুগা অনৌবা সেলনা শিল্লিল্লি। নহাক ঐঙোগী হকচাংগী অবস্থা, বাখল, অপাম্বা অমসুং পুক্নিংগী মখুম-মরাঙ থোবা ফীভম্বা ইশাগী ইশুপ কায়বদি স্নুংগী শককমদা (Personality) অহোংব্রা হেক্তা পী। মীওইবা কায়বসি মাবা মানা লৈনজবা অতুভবা শেমজবনি। অমনা বাইওলোজীগী থোকচন্তা মীওইবগী কাঙ-লুপতগী লাকপনি। অমনা কাংলুপ অদুনা লৈনরকপা (culture) য়োমদগী লাকপনি। মী অমা ওইনা পোক্লবদি মাবা পাঙ্গা মওঙ্গা ইমুং, লৈকাই, সমাজ, অগৎ অসি হোংদোকপীরিই। অদুগা মশাদি লুকহোং হোংদোকে। অগৎ অসি হোংদোকে হায়রবদি

ঐ ইশা হান্না হোংদোকপা ভাবনি। মাদা লৈম্বিবা জগৎ অসিদা
হোংবগা লোয়নবা মীওইবশু কয়া হোংলি। হৌজিক্কী চহী-
রিবা ধর্ম্মগী পত্রেপকম অসি য়েৌরকপদা মীরোল ১০০ চঙইবান।
গোভর্ণমেন্ট অমস্তুং আইনশিং অমু মতায়। অহোংবা অসিদা
স্বম হোংহনা চত্থরগা মীওইবনা মপুং হেক ফাগদবা মাহুদগী
হোংদোক্লরোইদবা অমু কয়া বাৎলিবগে হায়বা কনানম থওদে।
পৃথিবী অসিদা লেপনা লৈবা মীনাই (slavery), লোগা
কোয়না লৈবা য়োমবা মীনাই (serfdom) কয়া লৈরমই।
মীনাই অমা ভসি মুপী থিবারগা মতু অমু থমহৌরগা মবা
অমু য়োনথোকপা য়াররমই। যু, জন্তু মপোং অমা পুত্রগা নেগ্রো
জন্তু মপোং অমা লৈদনা পুরকই। মীরৈবাক্তা য়োগে কই।
মীনাই থাদোকপীগে হায়রগদা কপ্পরমই। রেড ইন্দিয়ানগী শক্ল
মথক্কু লেমথিবা আমেরিকানি। হান্না লৈরম্বা মী হাংহোক্কপা
হিদাক মনা থাবা লম কয়া লৈরি। সেঞ্চুরী অসিগী হৌগৎ-
লকপদগী হৌনা মী মিলিয়ন ১০০,০০০,০০০ জাল্দা হাংখ্রে।
২গুবা লাঞ্চাওদা মিঃ ৫০/৬০ শিখি। সেঞ্চুরী অসিগী অহানবা
ভঙ্গাইদা লালগীদমক দোঃ ত্রিলিয়ন মরি থরচ তৌখি। হৌজিকশু
বাংলাদেশগী লালগী মঙ্গেৎ ত্রিলিয়নদা লেমলি, মসি পুম্নমক অসি লৌবা
অমস্তুং পীথোকপা হায়বা মীওইবগী খাইদগী লিরবা অমস্তুং খাইদগী
মৌনা লৈহৌগদবা থমক অমি অসিদা পুংকপনি অমস্তুং
অথিংবশু পুরক্কনি। প্রাচীনা মীনাই রাইথাং চৎপ্রবা ভারত মচাগী
মীনাই কোক্লবা হোৎনরকপদা আমেরিকাগী থমীওগী "ত্রিঙ্ক্ষণ

মীস ওবিদেন্স' হায়বগি লৌহনা সত্যাগ্রহ হায়না থিং ওথোক্লগা
বৃটিশকী লম্বা ল্যাই। মাম্না লাম্না মীবু নক্তি তৌরবদি মীগী
ময়ুম লেনদা ওইপদবনি হায়বসি থবীওগী থোক্লোকি।
লমচৎনা তোলসতোইদগী লৌবনি তোলসতোইনা মপোৎ-চয়ন
পুম্নমক মাগী মুংশিলবা মীওইশিংদা পীথোক্লগা থোক্লপ শেন্নহনা
মশামক চাবনা তাক্লী। মতুমা মাবু ময়ুমদা পুন্নগা লুহোংবা
নৌরিইগী লৈরে:, মীইশ মথামহ অমুক শকথিন্নগি হায়হনা
শকথিন-কপথিন্নবগা লোংবা থিং অমদা চেনখিহনা রেল-ষ্টেসন
অমদা থকুম হৌহনা নাহনা শিখি। মহাক্না পোষ্ট-অফিসতা নাহনা
লৈরিইবা মাগী পগীদদি চৎলন্নকপু হায়না থিংখি। অমুক্না
মশাগী ওইবা থাদোকপা মথাদোকপি মহাত্মানা তোলসতোইদগী
লৌখি। কস্তুরীবাই গান্ধীবু মমীং তৌজৌ, মতোম্দা অপুনবা
লৈরে নাইথোকখি। মীথোকপদমু মাগী কৌবা থমহৌদনা
ভারতবচা পুমনমক, হযাওবা, নীংতম্হনপগি হায়বা খাগা কয়া
পীহনা মপুন্দি লেনখি। ভারতকী মাইকম্বগীদমক নাইমীং
নাইথোক তৌজিইবা. মানা মংশিন্নবা ভারত মচা অমগী
মপুক্তা মথ্বায় লামখি।

অসিগুম্না মহাত্মা পোকত্রিবা ইনবাক অনিদা ওসি—হুরানবা,
চৌথোবা, খুগীপী ইজ্জৎ থাওমমতা মতমা মথ্বায় লাংপা, অচাং
হুযা, যু পাক্না চাউদা পীথহুনা থাওমমগী মথক ওইরক্লবা মতম
অসিদা মহাত্মা নন্-ভাইওলেন্স সত্যাগ্রহ লৌবনা ওন্না থী থনা
লাওবা পোক্লে। কনাদমু অসিগুম্না লমচৎপাবৎশিং অসিমু

মখো হায়না তাঙথোকচবা মাওবা ওমলে। অসি মণিপুর সমাজ অসি চাওখৎলে, লম্বী-থোং কয়া মৎলে। ফুব-দলাল কয়া শাগৎলে। মরি অমুক ঙাৎলিবা, হয়াওনবি, সুংতাইনবি থাগৎনরক্তি। অছোপ্পা চাওখৎপা লৈবাক্তী চাওখৎ খোঙথাংগদি মামনা চৎলিব্রা?

জুরিক্সস কৌবা লাইয়েকপা অমনা অঙ্গুর চরোং অমা পায়বা অঙাং অমা য়েকই। অঙকী মতিক কনখে, অমম্মুং মালম্রে অঙ্গুর অচু চাগদবগী উচেক কয়া অঙ্গুর তয়া পাইথরকই। অয়েংবা মী পুম্নমক্তা থাগৎনখি অচুবু জুরিক্সস্তি মায়া সুংতাইতনা মথায় শোক্তা নোম্থচুনা লৈখি। মানা সুংতাইত্রিবচু করিগানো হায়না হংবদা মামা হায়খি—ঐগী থুয়েক অসি পুমশোয় শোয়রে মরমদি য়েক্লিবা লাই অসিদা নিপাবচা অচু মামক্তু থেক মায়া য়েক্রমবদি মাবু কিহনা উচেকশিংতু পাইথরক্লোই, অঙাং অচু য়েকপা শোয়রে। ঐহোক্নগী য়েয়া হৈতবা লাইয়েকপা অমা লৈব্রে হায়রে। অসি-গুম্না ঐ ঐগী অশোয়বা পুক্তমক অচু ইশানা মাওবা মী কয়া হায়রম থুনিংঙা চহই। লানি হায়বসি থেক থঙবদা চুমথোকচবা য়াননবা অরানবা থুনিংগী মোংবা চয়া হেনবা অচুগুম্না পুক্নিংগী অরানবা পুম্নমক চয়া হেনবনা চুংথোকচচুনা— হকচাং, থরায়, নীতি অচম অসিবু শেংদোকপা গুমগদি হায়না পাক্তীনা হায়বিরমই।

চারিবা চিঙাক্তা চুমবদি পুক্নীং বাবা লৈরোই; মীতোপ্পা কঙবা তৌনিংঙোই ঈংবা-লেবম্না মোনোন নোকুবা লৈগদি। মোমোন নোকপগী মায়গী মমল ১০না মচাই, শুক্তোকপগী মমল ৪৭ চাই। শিথরকইবা মণিপুর কয়ম হায়না কনগদি? সুংশিনদবা অথুং

কল্লক-য়েংখিনবতনা মণিপুর ১০০ থোক্না লেপায়রি। খংনবাহ চৈনবা মখোয় মশেল হাংনবগী দুতিগী ওইবা ঙাকথনি। সুই-জারলেণ্ড কোথা লৈবাক অমু জর্মন, ইটালি, ফ্রান্স জাতি অহুম অসিনা লৈবনি। মাতুগা চপ মান্নবা মণিপুর অসি মৈতৈ, নাগা, অমসুং কিকো অহুম্না লৈবনি হায়না লৌজিংঙ্ লৌবা ত.ই। সুই-জারলেণ্ডদ লৈবা জর্মনগী মচত, ইটালিয়ানশিংনা ইটালীগী মচত, ফ্রান্সশিংনা ফ্রান্সকী মচত চত্বা তোদে। সুইজারলেণ্ডগী অপুনবা জাতি অসিনা মাগী কাংলুপকী জাতি অমসুং লৈবাকী মচত থক চত্তে। অদুনা পৃথিবীদা দিমোক্রেসিগী খাইদগী চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইরি। অদুম্না মণিপুরসু চথরকনি। খংনবুগা কনবা, য়েংখিনবগা চাওখৎলকপা জাতি পৃথিবীদা লৈতে। মুংশিনবা, পুনশীরনবদ হোৎনবনা মণিপুরী এখোয়গা লাইনিং ওইগনবনি। অনিশুবা লাঙ্জাওগী লানকম ওইদুনা য়ুর-কে পুমমক শীদোক্লগা থোক্ন এখিয়, লেমহুনা লানগী তৈথু অমসুং উৎতগী হোৎচবকপদা ইয়ুর-ইকে লৈজরবা, লম্পুক্রবা, মণিপুরী এখোয় পুমমক অতকপা থিতম অমদা চংক্রে। মপানগী অমসুং মহুতগী থবকদা নিতিগী পনি—হায়। এখোয় মশেল মহুত-মপাল অসি পুক্নীং হোদোক্লদবন্থ উরে। পুক্নীং হোদোক-দবদগী মুংশিনদ্রে। মুংশিনদবনা মুংশিনদবা পুরকই। তুকচবনা তুকচগনবা পুরকই। অয়ানবা থক্না লৈরম্রা? মাহু খিনববা য়াদবনি। মসিদি য়াজানতিদা থোকদাব্রবা মীওইগী ওইনা লৈরদম্ন। তসিদি চন্না হেনবা, পুনিতাই-লোয়্নিংতাই লৈরকপা,

হিংনবগী উপাই মুখৎপিবগুম চঙশিল্লকপা উৎকপা, ধর্মগী; সমাজগী কজ্রবা নৈরকুবা য়ুমগী ইচা-ইশুগী প্রেম কাওদবা পোৎথানিঙাই নৈরকুবা— পৃথিবীগী মনুষ্যদা ঈংনা-লুনা মুংঙাইনা পাঞ্জরবা ইজাতিগী ঈচেন্দো শীংউৎ-শীংনাংনা ফুমখিবগুম তৌরিবসে কোক্লমবা করি উপাই নৈবগে? মণিপুরগী শিক্ষা অসি অমুক হন্না পীবা তাই। অমুক হন্না তম্বীবা (re-education) মস্তুমা থক কোকপা য়ারোই। ইজাতিগী ত্রেডিসন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা শিক্ষা পীগদবনি। ইঞ্জিনিয়ার, ডাক্তর, সাইন্টিষ্ট, য়ুরোপ আমেরিকাদা তম্বা থারুরগা পরিক্ষা থাদনা হল্লকপা জাপান ইউনিভর্সিটিদা অমুক মিং চন্দুনা জাপানগী ত্রেডিসন্দা তম্বীরগা পরিক্ষা তৌদুনা দিগ্রী সার্টিফিকেট পীবগুম মনিপুরী ঐখোয়গী ইঞ্জিনিয়ার ডাক্তর, সাইন্টিষ্ট কনা মণিপুরগী অশেংবা মণিপুরগী মতম্তা থম্বা মণিপুরবু অয়োবীদা পুথৎনবা মীশক শেম্বা তাবনি। মখুবু রি-এডুকেসন কৌগদবনি। অদুগা লোয়নবা মণিপুর অসি থাইদগী কজবা মওঙগী নিয়ম অমদা পুথৎলকদবনি। অচানবদা থাইদগী পীকপা শরুক হায়বদি ইমু' অমদগী হৌনা ইমুং পুম্মক নিয়ম অমদা থবগদবনি। মথংদা নৈকাই খুদিং নিয়ম অমদা থবগদবনি, সকল খুদিংমক নিয়ম অমদা থম্বা লাক্লগদবনি। মাদুতনা মণিপুরী হায়বা জাতি অসি থাইদগী চাওখৎপা জাতি অমা ওইরকদবনি। ঐখোয়গীদমক তোপ-তোপ্পা সমাজ অমা কজনা শেমগৎপা ওয়গনি। স্কান্দিনেভিয়াদা চহি ৫ গী মরাঙদা পীথিবা দিগ্রী অমসুং সার্টিফিকেট মতম অদুগা চাননা

অমুক হন্না নৌহৌনা (refurbish) শেমদোকপীরবদি চৎনহল্লে। ঙরাং কংবা জ্ঞান অদু ঙসিদি মরমবনি। চহি ৫ গী মমাঙদা লৌখিবা ডিগ্রী অমসুং সার্টিফিকেট অদু চৎনল্লে অমসুং কংখিবা জ্ঞান অদু চৎনবা য়াররবনি (not valid) হায়না লাউথোকই। চহি ৫ মা হোংলকপা অনৌবা জ্ঞান, বিজ্ঞান, টেক্নোলোজী অদু নৌহৌনা মাগী স্কুল-কলেজদা অমুক নৌনা তাকপীরগা সার্টিফিকেট অমসুং ডিগ্রী অদু নৌনা পীথে। অশেংবা শিক্ষাদি পুন্সি চুপ্পা চথবা খোঙচৎ অমনি। লাম্লক-লাম্লকপা চুমথোকহৌবা, অনৌ-অনৌবা অচুম্বা কয়া লৌখৎলকপা পুন্সিগা লোয়নবা থবক্নি। ঙসি মণিপুরদা লোকপা মীপুম খুদিংমক শেম্দবা মুংঙাইতবা খোইরাঙ খোইশাওনবা, জাতি অসিবু মুৎলগনা হায়না খনলম্লকইবসি শিক্ষা অমসুং মজাতিগী ত্রেডিসন্দা ভুম্লকপা লাইরিক হৈবশিংগী মমুঙদা অপঙবা থবনা মরৈবাক মজাতি মোহোকপদা য়াওখিবা পোৎতাপ্নি। হৌজিকী মতমগা চানবা মওংদা অমসুং ইজাতিগী পুক্নীংগী ইচ্ছা (sentiment) মুংঙাইতবা ফিভম পুম্নমক চুমথোক্লুবা শিক্ষা অমুক হন্না পীবা তাবনি। ইজাতিগী ওইবা মীচৎ-শাজৎ (national character) অমসুং ইজাতিগী ওইবা নিতি-নিয়ম (national discipline) পুমমক মাঙল্লে। ঐখোয়গী জেনেটিক ওইনা য়াওজরকপা হায়বদি জাতিগী ওইনা পল্লকপা ইহৎ অহম্ম মাঙশিনল্লে। হৌনপা নত্রগা অচুমবগী, অওইবগী লাকপা, নৈনরকপগী লাকপা, ইথক থংবং য়োৎবগী লাকপা (মখিমদি মীকিখিহৌবা হেক্তা ইনবা য়ানে। অহম অসিনা পুন্নগা ইজাতিগী নিতি-নিয়ম (national

discipline) কৌই। পুন্নমক অসি ওসিদি মাওত্রে। চহি ৩৫ গী মমাঙদা সুপী অমত্তা ময়া থিনবসি কৈরোই-নৈকাই, লম্বা চৎপা মীদি লাইরবহুনা মবুং-যৌপ্র। অমা কাওবনা উবা ফংলমদে। অহৃগুম্ন খে ওহাম্বা, মপাল খোকপম্ভ কনা অমত্তা উরোই। সুপীদম্ভ নত্তে, মবুং-যৌপ্রাম্ভ অহুমগাই। খোঙহাম্বা খুদিংগী ইরুজ-খোক্ররমই। মুমগী মম-মপা ওইবশিংদগী মচা মশু কাওবা ইকুতত্ৰবদি চাকখুন্দা চঙবা য়াদে। জৈশিং কনবা য়াদে। মফি অযোৎপা শেৎপা মী অমত্তা লমজাও খোকপা উরমদে। কৈথেল্দা মক্রপা দেব-কর্ম্ম অমা খোকপদা খাইদগী ভোনা শূবা ফি শেৎলগা চৎনরমই। মসিনা মৈতৈনা তমদা ফিঙৌ কৌবগুম থিজিন হায়রৈ। সুপী-অতাং লংনবা হায়বসি উরমজ্রে। সুপা অমনা সুপী পূহনা চৎপদা লংনরুরবদি সুপা অহু মথবাই থাদোকপা ওম্বাগী ভাবতা নৈরমই। সনাজগী ধর্ম্মগী ওইনা মী ৫০/১০০ তিনপ্রবদি মী অমনা চঙলকপদা ভুমিম্না চঙলরুগা মমাঙবু থুরুম্নগা খুৎ থন্দুনা চঙলগা মাগী কক্কম অমদা ভুমিন কনথি। মীয়াম তিনপ্রবদি মচি-মচিদা চীবোন-চীবোন তোঙাম্না বাম্নী শাবম্ভ ভোনদে। অয়াকপা মীবু তরাম-তরাম ওকপা, কজবা বাহৈ শিজিন্নবা, তাম্নবগুম ঙাঙনরমই। ওঝা-গুরু, মপা-মতোন থুকম্বা ভম্বীরমই। খাইদগী ফজবা বাঙাও মমা-মপানা ভম্বীরমই। যেক্লবনা চঙজররুবদি খুৎলাই থক থাদে। ঙাকপীবনা মাগী মগুণ ওই। অমদা মম্নাম চঙহনা থক ফুদে। সুভিগী মৈনম্বা মুপৈদা মরুপ শানবা মৈতৈগী লমচৎনি। খাইদগী চামবম্বশিংনা যেংথিনমকপা, মাবু কনবা তৌবা মীবু মাঙলনবা তৌবা, হৌজিক্কী

ওইবা লমচৎ অসি মতম অহুমদি থক থওনখ্রে। অহল-লম্বমবু মপা-মতোমগুম খনবা, অথাং পুম্নমক মচা-মশুগুম লৌবা; মমাম্নবশিংবু মরুপ-মপাংগুম্বা লৌনবা, নুপী পুম্নমকপু মমা অমগুম্বা লৌনবা জাতিনি। হৌজিক্তি মুখাম্লোন কায়রকপনগী হৌম-লোমচৎশিং অসি পুমহোং হোংথ্রে। কমুং অনি ভাইশিম্নরপা কাংখল অমগী মপুওদা নুপী-নুপা চহি চুপ্পা ভুমিম্বগুম্বা চখ-রকইবসি নুপী অমসুং নুপা অনিমকী কন্ত। নুপীগী লায়না, নুপাগী অমজল শেম্বনি। মমাংঙৈওনদি "ইমা মামবা চচ্চো, ইমামা মাত্রবদি ঐমা কমা মুংশিহুমমু গতি লৈতে" হায়না মাগী মাগী নুপীদা হায়নরমই। হৌজিক্তা ইমা মওমু বাবামু, নখৌ মামবা চচ্চো হ মত্রবমু মওং মতৌদ অসোমদা লাকই। চাক চাম্রিঙৈদা বা ছাওমদে। চৌম কাখোক্তুনা শায়বা উহন্দে। কা কাওবা খুংমা থম-লগা চুম্রমই। লমজাওদা মী অমত্তমা নপ শিংপা, লোক-ভৌম শিংপা অমত্তা ছৌমরমদে। মী অমনা মী চাম্বা লাম্বা পাবা ওম্নবা থাঙ-ভা ভম্নরম্মী। মীনা লাকচবা মীগী মখা পোনবা থক মায়মদে। চহি ৭ থুস্তাকপদা মী ২১০০ দমা মুপলিংবা হৌখি। হায়ত্রবদি লোইবে হায়বসি মৈতৈগী খাইদগী মমল য়াম্বা বাহৈনি। নিতিগী ইরুজখোকপনা খাইদগী মাথবা জাতি অমা ওইনা অভোম্বনা লৌনরমই। মমুম-ইখোল লৈভবা, অমোংপা, চাক্লিবা কৌবা মশক থওদবা, অমুক্তবু ইকায়হনব্রবদি লমম শিংদবা লৈভবা জাতি— ওসিদি খাইদগী যোংপা, ইকায়বা থওদবা, মরৈমাক মুংশিবা থওদবা, ওইদবদা ভাওবা, চুম্লানবা লমচৎ নাইদবা লম্বী অমরোমদা চওশিম্নকই। পুংদা, ঊতৈদা, মুক্তাদা,

কা ওতৈবা, লমচেৎলা শাবা-লাঙ্লা মপা থিংদবা মৈতৈগী শিখরকপা ঈদা ওসি মগুণ থর পক্লুনা লৈরৌই। জাতি কয়াগী মরক্তা লাম্না পান্নবদা, চৌংলেম্না চাউথোকচবা ওমইবসি চাম্বা খোক্লা মাও-নমবা শিনবীরবস্থ খরদং লৈতরোবা জাতিগী লমচৎ-শাজৎ অমস্থং নিতি-নিয়ম, হৌনশানা পূর্বপনি। হৌজিক্কি পৃথিবীগী বাখোব-খোদোক, বাখল, কিরেপ নোংঙাক্নিরৈঙদা কাওনরবনা সিভিলাইজেসন হায়বদি ঐখোয়না শিজিন্নরিবা পুম্নমক অসি পূরক্লিবা ঈহৌ অসিনা ঐখোয়গী ওইবা পুম্নমক হায়বদি ঐখোয়গী কলচর অসি মাওংনখিবা ওাই। মরম অসিনা ঐখোয়গী ওইবা খেভিসন্দা মুক্ষম ওইরগা পৃথিবীগী অকবা গুণ অমস্থং জাতিগী ওইবা থম্বা য়াবা কম পুম্নমক ঐখোয়গী ওইনা লৌশিনবা তম্বগদবনি। হায়না লায়না চঙশিনখ্রবা ফত্তবা পুম্নমক থাদোক্লবা অকবা কয়া লৌশিনবা রি-এডুকেসন অমুক হন্না শিক্ষা (হন্না তম্বা) হায়বসি মশানা তাবনি অমস্থং মসিদনা মণিপুর কনগনি। অহানবমতদা হিংনবগী মরুওইবা চাবা হায়বসিদি থ্বাইদগী ফবা চিঙ্গাক চাবা ওম্বনি। করিগীদমক, করি চিঙ্গাক, কয়ম, কয়া য়াম্না, কুরবা মতমদা চাগদৌরিবনো হায়বা থঙবা চাগনি। করিগীদমক, কয়ম্না, থ্বাইদগী হাউবা, থ্বাইদগী ফবা চিঙ্গাক, থাদোক্লুনা কয়ম্বা মতমদা, কয়া কুইনা চন্না হেনবা তম্বগদৌরিবনো? থ্বাইদগী ফত্তবা চিঙ্গাক হু চাদবা কয়ম্না তম্বগদগে অমস্থং থাদোক্লগদগে হায়বক্তু জাতিগী ওইবা (re-education) অসি ওন্থোবা মতাংদা অহানবা ওইনা লৌথংগনীবু। তগৎ অসি হোৎনোকে থক্কবদি ঐ হায়না হোৎনোক্লদবনি। ঐ হোৎনোকে হায়রবদি চাবা-থকপা হোৎনোকপা হায়না তম্বগদবনি। চাদ-থক্তবস্থ ওক্ষম খোরপনি।

অহোংবগী মমায় য়াম্লই। অওনবা ফিভম কয়াদা অহোংবগী শরোন কয়া কয়া! মী অমতা পৃথিবী অমত্তদা অনিরক হন্নঃ ঈরজগা ভমদে হায়নৈ। মীকৃপ্তা হোংথবা মী অমহুং পৃথিনি, হোংদনা চংপা খোংচং অমত্তং হায়রবদি 'অহোংব'তনি (change is the only permanent action in this world)। অফবদবা কত্তবদরা? নত্রগা অপোকপা, অপানবা, অশিবগী খোঙচংলা য়েংগদবা মতম। উনা কেল্লে, উপা কংলে পূম্নমক শিরগত্রা খল্লিভৈ তনৌবা য়েন্নীংনা মশা পূম্নমক য়োমশিনখি। পৃথ্বি, তুংখাং নৈত্রেক চংলে, তুরেল লেপত্রে, ঈশিং গ্নান অমত্তং ফংলরোইদ্রা। ইকং খোক্লে খল্লিভৈ হঙাচৌদে তুরেল অমুক পারে লৌ মশীং নাইদনা শিবে! ইবংগী রাকং লোইইদ্রিভৈদা ঈচাওগী লাফম্না মিংলোইংহল্ল। পর্বুক খল্লিভৈ লুমিং য়ুংখি, য় চংখিবা শাহৌদে কান্দন, নিংথমথা, য়েন্নীংথা অত্তোপ্প হক নত্তে, অহোংবগী শকক্মি, কয়া কুইনা কয়া পাক চাউনা চথরকইবনা? মতমগী ঈপাক মহাকাল, এটর্নিটি হায়বসি অশংবা কয়ানা শিগুম্বা মমাম্না অমা উংলি। মাইল চানা শাংবা, মাইল চামা পাকপা মাইল চানা রাংবা চীং অমা লৈ। চীং অহু থুগাইনবা কাক অমা চহী চানা চামা লৈরগা থারকই। কাক অহুনা মচীন্না অমুক্তং চীং অহুদা কায়রসম্নু হায়হুনা থিল্লম্নগা পাইখি। হৌজিক্কি কাক অহুগী মচীম্না থিনবদা চীং অহ তুমত্রে। মাহুদা চঙখিবা মতম অহু এটর্নিটিগী নোংমনি (one day of eternity)। জগৎব্রহ্মাণ্ড ইউনিভর্স, তাইবং মালং অসি কয়া চাউই, কয়া পাকই?

নোংমগী মুনিত্তা মহাদেব অমসুং ব্রহ্মা কৌবা লাই অনি চংসিনা মুনিংকী মণ্ডান ফংলিবা মক্তা মতুংগী রাংমদা লৈবা বৈকুণ্ঠদা শ্রী হরি উন্নবা চংলি। মক্কম অহুম মীংবদা থোংচাকপী মুপী অমা মী অনি লাকই হায়না উম্মু দা মুপী অম থোরকই। কবিনা লাক-পনে, কনানা হায়না হংদ, ঐখোয় অসি ব্রহ্মা অমসুং মহাদেবনি খুমক্পদা, মুপী অদুন হংলকই, 'করম্বা ব্রহ্মাণ্ডগী ব্রহ্মা মহাদেবনো ' ভুজংবা রম্ম! মুনিং, থা, ধ্রুবনা কোল্লিবা ঐখোয়গী জগৎ অসি তুম্ব আনন্ত কোটি ব্রহ্মাণ্ড লৈরিবনি হায়না তাকি।' লাইবা থক নাইদবা কোটি কোটি কয়াগী ব্রহ্মাণ্ড লৈবিবনি। হৌজিক্কী সাইন্স অমসুং এস্ট্রোনোমিকশিনা তেলেস্কোপ্তা থগাম্মীচাক ১,০০০,০০০,০০০ কী ফোটো লৌরে। মণ্ডালগী চহী ২৫০,০০০,০০০ কী মক্ত দা লৈবা থর মীচাকী ফোটো লৌবা ঙম্মকই। ০,০০০,০০০,০০০ ফাওবা লৌবা ঙমগনি হায়রি। অদুক চাউথ্রবা ব্রহ্মাণ্ড অসিদা মহাকাল, হায়রিবা অসিগী নীবুকমুংদা হাংনেত

---

* রাম-নামা: রা = অরাবা মহাকাল,=ব্রহ্ম, মা = মমাবা = মায়া। মাথা: মা = অমাবা, য়া = অনম্বা।

রা-মা = ব্রহ্ম অমসুং সাত্বিক মায়া। প্রকৃতি অমসুং পুরুষনা পূনবা অবতারনি। রামা হায়বা নামসি তারক মন্ত্রনি—তারক ব্রহ্মনামনি হায়না ভক্তশিংনা লৌই। শ্রীরামা মী অহুমথক্তং (জতায়ু, সবেরি, অহল্যা) লানবিখি। মাগী মমিং 'রামা' হায়বা নাম তসিংদি মী লাক্ক লাক্ক লানবী। শা তানবা রত্নকরনা বাল্মীকি ওইখিবদি, 'রামা' হায়বা নামনি, তসি ফাওবা শোম্নরি।

লৈগনি, অরেপ্পা কৌব লৈতনা হোংহনতা লৈ। জগৎ হায়বদি গম চংপ) ধাতুদগী থোকপনি, হাংনা, চত্নবতা লৈবা হায়বনি। তাইবং=তাই—মশানা তাবা+পং=সপঙবা—ব্রহ্ম অমসুং প্রকৃতি হায়বনি। মালং: মা=অমাবা, লং-অরংবা, মঙাল। প্রকৃতি+পুরুষ, হায়বদি হোংহনতা লৈবা অমগা স্থুকপোং হোংদবা অমগা লৈরিবনি তাইবং মালংনি। প্রকৃতি+পুরুষ=ঈশ্বর অমসুং ঈশ্বরনা উৎপিবা শকফম অনি অসিতনি। মসিবু উজবা ইশ্বা মীওইশিং অত্না পুম্নমক্তা ঈশ্বর লৈ, ঈশ্বরদা পুম্নমক লৈ হায়বসি উবা ঙমই। ঈশ্বরনা উৎককপা অদুবু প্রকৃতি কৌই।

মপোকপা, অনানবা, অশিবা হায়না কৌবা মঙদা মীদগী ওইবা তুরেল অমা চল্লি। মীওইবদি হেক পোকপা মুমিত্তগী শিবা হৌরে। মীওইবগী পুন্সি অনি অহোংবনি। চহী ৭ খুদিংগী হোংই। চহী তরেৎশুবা ফাওবা অঙাংনি। চহী ১৪ দা মীওই ফায়। চহী ২১ দা শারেপ ফারে, বাংবা লোইরে। ২৮ দা মুপীগী লুহংবা মতমনি। ৩৫ মুপাগী মুস্থানবা মতমনি। ৪২ দা

কসনা: ক-করিগী, করম্না, কয়া, কদৌডৈ, কদাইদা, কনানা? হায়না থোকইবা উরিবা পুম্নমক হংবদা থোকপা অচুম্বা, লেঙদ্রবা মাংদ্রবা ফজহনত লৈবা—সনা (unternished)—কসনা পাথংবা কৌই। কসনাগা কৃষ্ণগা মাম্নে, অবতার=পাথংবা মপানা থঙনা থারকপা।

রাধা: রা—মঙাল, ধা (থা)—লৈফম। ব্রহ্মগী লৈফম—কৃষ্ণনা থাদোক্কবা অদুবু রাধা কৃষ্ণগী মঙাল কৌই। মুমিৎকী মঙালদগী থাদা তারগা থাদোরকপা মঙাল অদুবু, 'থা' দোরকপা মঙাল, রিফ্লেক্টর কৌই। রাধা-ব্রহ্মগী মঙালদগী থাদোরকপা মঙাল।

নিফুগী লাংকন, ৪৮ হিংবা হৈতবা য়ু থকপা, কানিরালগী শিবা মতমনি। অসুম্না ৭০ বাইবলগী মীয়ামগী পুনশিবা মতম, ৭০ দগী ৭৭ অহল ওইরকপগী পাথং ফাবা মতম, ৮০ ফাওবা শামু মানবা মতম, ৮০-১০০ ফাওবা য়েং মানবা মতমনি। চহী ২১ দা শারেপ ফারবা মীনা চহী ১০৫ পুনশিবনি। মরাইবক কবা চহী ৩১ দ শারেপ ফাবা মীনা চহী ১৫৫ পুনশি। শাংদোকপা অমহং তেনশীনবদি মংমচং, নিতি, কর্ম অমসুং জ্ঞান্না শেমজনি অহুবু অশেংবদি তপথহনবা য়াই। চহীদি অম্বুম য়ায়রুগা মশাদি শুম ফরকপা, নহা ওইরকপগুম উরকপা য়াওই মাহুদি কল্লরুফম্নি। লাইরিক ইজরিবা ঐহাক অসি চহী ৮০ শুজরে। নোংমতা কোক চীক্তে, ডাওদে, পূক থিন্দে। নিতিগী মাইল ৯/১০ চংপা থক তোক্তে। চহী ৮০ শুদা চরা হেনবা অমসুং চাবা কৌবা লাইরিক অমা ফোংজরে (লাঃ ১০০০)। চহী ৮২ গী মমুংদা শাক্ষ-শাজেন, লায়না অমসুং লায়ায়ং, ঐগী পুন্সিগী রারী ১মুং মণিপুরগী ইতিহাস মরি অসি ফোংজগনি। ঐখোয়না উরিবা পুম্নমক অহোংবনি। অহোংবা অসিগী মনুংদা ইকহোঙ হোঙদবা অমা লৈ। হায়বসিনম্ন কাউবিগনু! ওসি থাশিনি থা উবা ফংদে। হয়েং থর, হংচিং থর অসুম্না নুমিৎ ১৫ নি হক শুদা থানিন, থাইদগী মপুং ফাপ্রবা থা অমা ওইনা ডাল্লকই। অহুদগী থর-থরা মমথখিবনা অমুক থাশি ওইখি। চয়োল ৭ কী ফিদা অমসুং কেশোপীয়াগী ফেকদা কৌবা থোম্মীচাক অনি অসি ভাবনা শাবা লৈয়ি অমনা শমজিন্নবদা গুরুশিদবা পোলষ্টারগী মথক্তা তাই।

ভাবনা পোক্তহৈরগী অকোয়বদা ঘড়ী অমা য়েক্লগ, শমজিন্নরিবা
লৈরি অহুম ঘড়ীগী কাট্টা ওইরগা ভাবনা পুং ১২ থারগা কাট্টা
লমদুনা চংহনবগী চাবক্তা পুং অহুক তারা হায়রব থবা ওমই।
ঘড়ী লৈতিটৈগী মতমদগী ভহাক্ত চংপা মীওইনা মতম লেপ্পা
ওমই। জগৎ অসি শেম্মকপা মতমদগী হৌন্না ফাওবা চথরি।
অসুম্মা সুমিৎ, থ', থবাম্মিচাক পুম্নমক থোক্তকা ইক্নি অমা
অমাগদনা মতম সেকেণ্ড অমা কায়দনা নিয়ম অমগী মথাদা চথরি
পোকই, পান্নি, শিরি, শেমগংলি, লৈরি, শীদোক্লি। মতম অমত্তা
মাকং অহোবা অমস্তুং অমাইবা লৈতে, মসি থডনবা মীনা
মহাপ্রলয় ভোগনি থল্লি। মহাপ্রলয় নিত্তিগী তৌরি, সৃষ্টি নিত্তিগী
তৌরি। ঈশ্বরনা শেম্মা নিতি অমগী মথাদা চথারিবনি। অদুনা
জগৎ অসি কয় চাউই! মাইপ কোটি কয়া শাংই। কয়া পাক্লই
থুম্নকপা পাউথুমদি "নেতি নেতি" মতম অসি কয়া কুইক্লে
ঙ্গা 'কোটি' 'কোটি'! মাত্নদস্তু নত্রি। ঈশ্বরগী পাকপ মতৌ
মতুপাতি থাম্নবা টাই লৈতে, হায়ঙরিবমৈক নত্রি নত্রি হায়না থুমই—
নেগেটিভ অঙ্গার মুকয় য়াদীংদবা পাউথুমদনা অদুবুহ্ জাকই।
থুমইবা মথৈ চুমদে, মাত্নম্ন নত্তে অন্তুং নত্রি, নত্রি হায়না
থুমই। ভাইবং মালং অমস্তুং মতমগী ঊপাক অনিদা চারু
ওথবা (harmonious) নিয়ম অমগী মথাদা পুম্নমক চথরি।
ঊবন্ন থংদবা, শোকপন্থ কবনা, ভাবম্ন কবনা, মনমস্তু, নম্না
কয়নবা মপু অমনা শীরি হায়রবদি ফাওই। মাদি কনাইনা
লৈং জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসি মাগী মদুদা লৈবনি হায়, মুংশা মথাদা

মিহুৎথোংদা চংক্কপদা শাইহিরিবা মুিক মুয়ান এটোম মকুপ অত্তুগী মনুংদা মহাক লৈ হায়ব কয়া উগনি। ঐদি কনানো, করিনো ? ব্রহ্মাণ্ড অসিগী পীকপ্রবা মচেং অমনি। ঐগী মনুংদা লৈরিবা অসিগা তাইবং মালং অনিগা কবিসু খেয়দে। এটোমদা ঈশ্বরনা লৈবনা ঐহোন্দসু ঈশ্বর লৈ। মত্তুদি জগৎ অসিগী সেন্টরদি করিনো ? কনানো ? হুনিংলা ? মুখিস্তগী হেন্না চাউবা মুমিং কয়া লৈরি। মত্তুদি ঈশ্বররা ? নংগী জগৎ অনিদি ঈশ্বরগী পীবুকমুংদা লৈবনি অত্তু ওইরবদি জগৎ অসিগী সেন্টর ঈশ্বর নত্তে। অত্তুদি, কনানো ? তাইবং মীনি। ব্রহ্মাণ্ড অমুক্ত পোকচগে হায়বা পোকচবা ফংিবা তাংপ্রবা মীওইবগী মপোক্লি। মসিগুম্বা মপোক অসি অমুক্তনি অনিরক শুনা লৈজগে খক য়াদে। অস্তুক চাউপ্রবা তাইবং মালং অসিদা মহাক অমহুং মহাক্কী লৈকনদি য়ুরাব্লি। হিংগবরা মীংনা কৃপ্পা B.ting of an eye lash অমতনি। কোঙ্গোনগুম মিকুপ্তা অকখিগদবা মপোক অসি করিগী মাওহন্ত্রি, খংনরী, চৈনরী, মাওনবা তৌনরী, মাওনবদা তৌরি, করিগী অকবত খন্দুনা চত্রিবনো ? ঈশ্বরনা শেম্নকপদা তাইবং মী অসিদা পুকচেল অনি পী, অমনা অকবদা কাখৎপা অমনা কত্তবদা হাইববা ; মী অসিগী মশাদা অরাংবদা কাখৎকে, অকবত তৌগে (higher faculties) হায়বা পুকচেল অসিগী কত্তবদ তৌগে, মাইনবত খনগে হায়বা পুকচেল (downward inclination) অসিগা লান তৌহুনত লৈ। তাইবংমী অসি অনি অসিগী অখোই অহেনবদা

চংখিবা মী অদুদগী মথলনি। মী পুন্নমক অফবদ ভৌনীংঙ
হায়বা য়াদে, ফত্তবদ ভৌনীংবা মীনা মশীং য়াম্বা হেল্লি।
অচুম্বা মশীং য়ানদে, অফবা মশীং য়ামদে, মুংঙাইবা মশীং য়ানদে,
চঙশিনবদা য়ানা লুনা থোকই। অমাংবরোমদা ~~চথবা~~ মী
অতুনা অফবরোমদা লাকনীংই। অফবরোমদা চাওখৎপরোমদা
চংনীংবা, মীগী নেবা ভৌনীংবা, মখোয় মশেন মুৎশিনবা
ঙম্বদি জীবগী মসুংদা গুণগী মীওইবদনি। মখোয় মশেন
খাইদগী ভুক্কচনবা, মুৎশিনদবা, খাইদগী থৌনা হাংপা হৈবর
তাইবং মীনা মাংহল্লি। মীগী হক্তি থক য়েংদবা মশাগী হক
ময়েংবা, মীনা করি পাম্বগে খনদবা, মশাগী ওইজদে খিবা।
মখাইদগী ওইদবা ঙাওবা, হুদানবা, মীহাৎপা হায়বসি মখোয়না
পাম্বা হৌদগী থোরকপনি। মীওইবগী পুক্নীং অমসুং পুকচেল
অনি খাইদগী শোল্লী। অয়ান থোয়াংবা, অপাম্বা শেংনীং
চানীংবগা লোয়নবা, হাইথনা চংপা পুকচেল অসি থিংদ্রবদি মী
অত্তু শাহিং চাবা মী ওয়্রকই। মীত্তু মাংহল্লি, মশাত্তু মাংহৈ।
অহুনা চহী ২০০০ গী মমাঙদা গ্রিকী পাখং অমনা মশা চাও
খৎচনবা করি ভৌজো হায়বগে হায়না সোক্রেতিসনা হংজবদা
মানা খুমকই; "নশক খঙ্‌জো"। রোমান পাখং অমনা, করি
করম ভৌরগা চাওখৎচবা য়াগদগে হায়না মাম্ব' আউরিলিয়সতা
হংবদা "নং অসি নং ওইজো" হায়না খুমই। ভরদ্বাজ মুনিনা
ব্রহ্মাদা থুংমজে, বড় অম নিজো হায়রকপদা "ভরদ্বাজনা" তাইদে
মী পুন্নমক খাইদগী অফবা লম্বীদদা চত্নুনা মুংঙাই য়াইফবা

পুক্নবা, অরা-অনা কোক্নবা ঐনা তৌজবা য়াংবা থবক তংকনীয়ু, পাক্কল থোনা পীরিয়ু" হায়রক দা ব্রহ্মানা হায়কই, "চংলা বাল্মীকী মুনিনা রামায়ণ কৌবা লাইরিক অমা ইবনি! নাহু থুনা লোইশিন্নো হায়রে। মাতুদা পুম্নমক য়াওবনি!" মীনাই নাইথাং মশীং নাইদনা চংলুগা ভারতবর্ষ ধর্মদদি কায়দনা নৈনবসি রামায়ণ কৌবা লাইরিকনি।

অওইবমক ঐগী ইশক ঐনা খঙজবা য়াদনি। ঐ অসি পাংবরা, পঙ্তবরা, ওইদবা ভাঙবগা, ইথৌ পাঙথোকপদা থওইদবগা হায়বসি খঙলগা মথং মথং চুনথোক্নবা লাক্নব্রবদি কংস্না চাও-থংকনি। য়ু থকপা, কানি চবা, জর্দা চাবা, নং ৪ চারগা কয়া অমা ওইগনি। ঐগী অমাংবা, অশোনবা, অমাংবা পুম্নমক চুমথোকচরগা অফবা গুণ ময়াম তাগ্নবা চাওখংলগা চংগদবনি। অদুম্না চুনথোকচন্না অফবা মগুণ তানশিন্দুনা চাওখংচরকপা লুংঙাইজরকপতু ঐগী ইশক খঙজবা কৌই।

অনিশুবদা নং অসি নঙ ওইজো হায়বসি চেংনা চেকশিল্লা হোংনরগদ ঙমগদবনি। মী অসি মীগী মগৌ তমগনি। মীগী কন্তবা হৈনবী অদু মহাক্না লায়না লৌশীনি। মাগী পুক্রীং, মাগী ৱোপ, মহাক্কী বাখলগী মতুং ইন্না চত্নুনা মাগী পুন্সি অহু মানা লৈজবা তমদে। য়ু থাওবা অংগা তিক্নবদা য়ু থাওবা মী অমুগী পুন্সি অহু মানা লৈতে। হুয়ানবা অমগী পুন্সিস্না মানা হেক্কো লৈতে। অদুম্না মাগী পুন্সি মানা লৈজবা তমদে. মীগী পন্সি অহু মানা বায়দুনা

লৈ অদুগা মশাবুম্ মীওৈন্দা শান্দোকই। মহাক অসি কৈরৌ-ঙৈদম্ মা থক ওইদে। নংগী রাখল নংনা খজৌ, নংগী পুন্সি নংমা হিংজৌ। জগৎ অসিদা নহাক অসি পুমজোপ তোপ্পা মীগী মায়দবা, খুবী সঙ্গা চপ মান্নবা তোপ তোপ্পা শকৃকম্ অমনি। তোপ তোপ্পা পুন্সি অমা নংগী লৈজৌ, জগৎ অপূম্বনা নংবু খাগৎকনি, শক খঙবিগনি। পীক্লিঙৈদগী নংনা লৈজগে খঙ্গখিবা মওংগী পুন্সি অদুমক লৈজবা ওয়্বা লাক্লজৌ।

রামায়ণ হায়বসি করিনো? রাম সিতানা আযোধ্যাদা হল্লকপা কিস্কিন্ধ্যাদা অচনা উন্নবা রাম, সিতা, লক্ষ্মন, হনুমান চৎপদা অজনামা 'চঙবিরকম্', জগৎকী মপুন্নি হায়রগা জগৎকী মরেম্মা সিতাবু হিংচাবনা কাহনবা, তেন অমত্তনা মথগাই মাঙহনবা য়াগ্রা? জগৎমাতা সিতানি। খুৎ হেক পায়বদা উং ওইনা তুম্মু শাপ তৌবা য়াগ্রা? লক্ষ্মনগী দিগবিজয় কদাইদা তৌবনো, রাবনবুদি ওমক্রগা করিগী দিগবিজয় কৌবগে? "তোক্লা পুন্নমক তোক্লো ঐগী ইচা হনুমান, ঐগী খোম মহাক্লা থক-পীগ্রবদি হিমালয় ঐগী খোমদনা ওমথবদা তুমগনি। অদুগুবঃ মমা ঐগী খোম থকপ্রবনি। লঙ্কাদা চৎলগা মমা সিতাবু মরেংবান্দা হায়গা রাবনচু পাতালদা লঙ্কাগা লোয়ননা নম-শিন্নবা য়াক্লা? অদুদি নঙনা য়োং কয়া, শওম কয়া, লঙ্কাগী মী কয়া শিহল্লে। পাপ্পা, সুগ্রীবী কয়া, মমা মপা লৈজবা অঙাং কয়া লৈহল্লে। মসি পুন্নমক ঐগী ইচা হনুমাননি। মহাপাপী চঙপকনু।

রামা হায়রম্বই, 'সাইবকফমী, ঐনা মীওইবগী মপোক্কা পোকচরকপদি, তাইবং মী অমনা চংকদবা লিচম অমত্তা চাওথদনা শাম্লগে হায়বগীদমক্কি। মচানা মপাগী য়াথং করম ভাকনি। পুরোইবনা অরাবা তাৰবদা মাগী মুপীস্থ করম্না থক্কক য়াগনি। মনাওনা করম্না ময়াম্বগী মতেং পীগনি। লৈবাক ভাক্লক্লবদা নিংথৌ অমনা প্রজা অমগী মবা অয়েৌবীদা লৌগনি। (দোবী অমগী মরাদগী সিতা বনদা থাদোকই) অসিনচিংবা মীওইবা অমনা চংকদবা পুন্নমক ময়েক শেংনা খঙহনগে হায়বদুমক ঐনা মীওইবগী মপোক্কা পোকপনি। মহু ভাংদা 'ইবুংঙো মাহুদ খঙহনগে হায়দুনা চৌথরনি" হায়রগা অঙনানা শ্রীরামবু খুরুমই।

সোমদা রামা মপাগী য়াথং ভাকই। ভরতনা মমানা নিংথৌ ওইনবা শিঙ্গীরগা 'নং নিংথৌ ওইজরো' হায়বদা ভরতনা মমানা হায়বা য়াথং খক ইনখিদে। রামা বন চংলিবৈদা ভরতনা ভাল্লক্লগা মপাগী য়াথং ভাকপা ওইনা মানা চসগে, রামসগী হনবীরো হায়না হক্লবদা শ্রীরামা ইপাগী য়াথং ভাকপনি, ঐগী ইছং শিনবা য়ারোই হায়রকপদা তুরেলদা চোংথহনা শিরনি চেনখ্রবদা রামা 'ভরত হল্লকখো হায়না কৌই।' ঐনা ইপাগী য়াথং ভাকে হায়বগী বন্দা লাকপনি। নংনা নয়াম্বা ঐগী য়াথং ভাবউ। খোঙজিকমক আযোধ্যাদা হনখো, প্রজা ময়ামা ঙাকশিনগনি, ইমা অহম্মক কৈকম খঙলম্লরোই হায়রকপদা ভরতনা রামগী খুরম নিংগা মকোক্তা হাংগা খুরুমই। সিওনা রামদা

ভরৎতা য়া অমতা হায়গে হায়রকই। শ্রীরামা, "ভরত. নতেমনা য়: অমতা হায়গে হায়রি" হায়রকপদা। ভরতনা খুডি খুদক কুম্নগা ফীগাও ভিংখোক্লুনা 'তাকপীয়' ইমা হায়না ভাইজনা কৈ।

সিতানা হায়. "ইবুঙো, ইমা কৈকয়ীনা শ্রীরামবু বন্দা থায়, মচীন মনাও কায়নহল্লি হায়জনা নুহাক্লা ইমাবু ঙাংশীগনু। মচাশী ফনবা হোৎনবসি য়ম্না ওইবীগী ধর্ম্মনি। ইমা কৈকয়ীবু অশাওবা, হথীবা অমতা হায়বিগনু। অস্রিধরুং নতেম্মা নিঙ্গে" পৃথিবীনা লৈকুং লৈমুংদা লৈরিবৈদা অম্বুক ফজপ্রবা মথোয় অহৰু রাননা শীজিবা মী জহুপী ফনবা শীন্নবা। রামায়নদা য়াওবা অদ্ভুত কয়াশী মদুংদা মতৌক দম নিঙ্গং থাজবনি। ধর্ম্মগী ওইনা ফজপ্রবা মিংশী ৎইনা 'রামনাম' তারকয়ন্ত্রনি। রামায়ণ অসি লৈরম্লা মীনাই নাইথাং চাম্ক চংশনবু রাম্না তাকপীরম্বা ধর্ম্মদ কায়দনা ভারত অপুম্বনা চম্বা ঙম্মী।
গ্রিকী. রোমগী. ভারতকী ফজবা কয়া অতু হৌজিকী এটোম্বীক যুগ অসিদা চথবা যাম্বিবরা? হৌজিকী পাথং অমনা কম্রি তোরগা চাওখংচবা ছমগদবে হায়না হংলরদি কম্রি খুমগনি! "নং অদি অমোবীদা চাওখংচো হায়না খুমনীংই।"

মীওইবগী পুন্সি অসি তপশী অমথতনি। শাইদগী চুমগবা মওংদা মসিবু শীজিন্নগদবনি। ঐ অসি জগৎ ব্রহ্মাণ্ড অসিগী মসুংদা ইতোপ তোম্মা মীশক অমনি। অমোবীদা ঐ অসি চাওখংচরবদি জগৎ অসিদা মপা লৈতরবা মী অতোম্বা অমগা

ওকমান মায়দবা মীশক অমা ওইবা ঙমগনি। রামা, কৃষ্ণ, বৌদ্ধ, জেসস্ অমুয়া থম্নুনা চংখিবা মীনি। মখোয় অসি জগৎ অসিদা মীওইবশিংনা করম্না হিংগনি হায়রবা। পুন্সি অহূ শেংনা উংগি, মীপুম থুংনা ঙম্বীরম্মী।

ঐনা হিংগদৌরিবা পুন্সি অসি মসিনি হায়না লেপথ্রবা মতুংদা খোঙকম অমা হন্দনা চঙশিনখি। রামদা সিতানা হিংচাবগা লান তৌবসিদদি তোকপীয়ু হায়জবদা রামনা খুম্মী, "ঐনা সিতা নংবু থাদোকপা ঙম্মী, লক্ষ্মন থাদোকপা ঙমই, ঐনা মুনি ঋষিশিংনা লাই নীংজবা অমসুং যজ্ঞ তৌবদা অপনবা পীরিবা হিংচাবা হাৎকে হায়রবসি ঋষিশিংগী মকমদা পীরবা ৱাকমনি, কৈদৌরুংদসু তোকপা ঙম্লোই।" বিচারপতি পাইলটনা, 'জেসস্ নংবু নিংথৌনি' হায়বা চুমত্রা হংবদা "হোয় অহূম্না পোক্লকপনি" হায়না খুমখি। ৱাকম অসিমখক্তনা লৈবাক হৌরক্লনা হাৎখিবনি। ঈশ্বর, আল্লা, তেৱীনাম হায়না লাই শোনবদা আল্লা হায়বা অহূদদি লৌখোকপীয়ু, অহূক হায়জবদা লৌখোকউ রাদে হায়রনা গান্ধী কাপ্পুনা হাৎখিবনি। মখোয়না তৌগে নীংখিবহূ কনানসু হোংহনবা ঙমদে। অহূমা মখোয়গী পুন্সি অসি মখোয় মশামক্তা ওইনা তোঙাম্না লৈরে; মীনা হায়জীনবা, কিহনবা, মীহৌহনবনা হোংদোকপা ঙমখিদে। মখোয়না লৈজনীংবা পুন্সি মতুমক মখোয়না শমুনা যকৈ অমা খৈদোক্লনা লৈখি।

শ্রীকৃষ্ণ অসি পুর্ণ অবতারনি। মতোন্দা লাই ওইবগী গুণদ মচনা খোইদোকপা মীওইবগী গুণ কয়া লৈজে। কৈত্তমশঙদা পোকই। যশশেন মহা ওইনা পুন্সি হোই। কুস্তী তমই, যোগ সাধন্ তমই। জগোই, ঈশৈ, ম্যুজিক, বাঁশী খোংবদা কাওই। জরাসন্ধ, কালাযবনা মথুরাগী মী পুম্নমক মাঙহনগদৌরে উবদা সৌরাস্ত্র, তায়া থুল, লম হোংহল্লি। মহাক্না মইমদা য়েক্লবা লাম্বা পানবা মতোমদা চোত্থনা মথোয়গী মতুং ইল্লি। খুংকন্ পাক্লবা, পঞ্চ পাণ্ডব শেমগংলবা মতমদা ভীমবু জরাসন্ধ হাত্তোকহল্লি। অর্জুনগী সার্থী ওই। জগৎকী মপু মহাক্না দ্বারিকাদা নিংথৌ ওইরবনু রাজসুয় যজ্ঞনা বার্ত্তন তৌরুবা নিংথৌমচা পুম্নমকী মথে ও হান্মী, মথোয়না চাবা পুথম তেক্লোং ফেন্তই। কৌরব পাণ্ডবকী য়াইবারুগী পাথোয়ুরোই ওই। অমুয়া মহাক্না পাময়থরবা পুন্সি অতু লৈজবগা তসি ঐখোয়না হয়া হয়া মগুণ অতু শক্তি। অচুনা ইহান হেক হানবদা মী থুদিংদা ইশাগী অকবা উংত্রিতৈ, মীওোন্দা অকবা তৌত্রিতৈদা ঐ অসি ঐওোন্দা অকবা তৌগদবনি। ঐ অসি, ঐবু মুংশিজগদবনি, ইশা কহন্বা, শেল তান্শিন্বা, ঐগী বিদ্যা তমশিন্বা, ইগুণ, লমচুং শেমগংচগদবনি। শ্রীকৃষ্ণগুম্না বিদ্যা তমগনি, যোগ তমথুনি, কুস্তী তমগনি। য়েক্লবনা কন্বা হেনগ্রবদি কৃষ্ণগুম্না চেল্লুনা থাওগনি। মতুংদা ঐনা মতীক চারে হায়বা মতমদা য়েক্লবা পাগনি। মতুংদা মীগী ফনবা, কায়নবা, য়াইকনবা, অচুম্বা থিবরা খোঙকাপ অমা হল্লনা পুন্সিগী অরোইবা কাওবা চথগদবনি।

লৌকিক- ঐখোয়গী মতম, রোজিকী জগৎকী বাকম মৈনকম থোকই। ঐখোয়গীসি কুনথুবা শতাব্দীনি। ঐনা কৈনা হিপ্রদা থুংগদবা, চহি ১৪ দ মতায়রে। থোকখিবা থৌদোক পুম্নমক চিক্ফা পুক্নগা চপ্‌ মান্নে হায়বা য়াই। অতোপ্পা সেনচুরীদগী ২০ শুবা মতাং অসিনা লাইদগী হন্থনা অনৌবা পুথোকপদা, মৈদি কৈবা মীনা খঙদুবা কয়া পুথোকপগী চাংথম হয়ে। অতুনা ২০ শুবা সেনচুরী অসি (ইণ্টলেকচুয়েল রেভল্যুট) জ্ঞানদা সি কাংসি ওইবা চহিচা হায়না খঙনৈ। মী লম্পাদি লাইদগী শাথিনা হেনবা থাইদগী শাথিবা মীহাৎ পুনাই পুথোকপা চহী চানি। কুনাচরাইটকী মত মতু ইন্না ১০ শুবা শতাব্দীদা লান ২৩১ শোক্লখি। অতুগা ১৮ শুবদা ৩০৩, মতুগা ১৯ শুবদা ৭৬০ অমসুং ২০ শুবদা (শোক ১৯১০ কা ওবদ) ৮৮২ শোকখি। লান হায়বসি তাইবং মীগা হৌদোকনিন্নবকপনি। য়েকবা মাঙনবা, মংথংনবদা হেক খঙলিবা উপায় মথৌ লৌবা হায়বসি মীহৌরোন্দগী চথরকই। খাঙ. তা, তেনদগী হৌতুনা নোংমৈ, বোম তোপ মথাভানা এতোমবোম থোনা চথরকই। লানগী জহাজ, লানগী এরোপ্লেন, লানগী তেঙ শাগংগা, মীহাৎপা লাখ লাখ থমহুনা লানগী বজেৎ শেমম্বি। মীহাৎপা কয়া তম্বি। কবিগীদমক? শান্তিগীদমক ধর্মগী মিংদা, সমাজগী মিংদা, লৈবাকী জাতিগী মীওইবগীদমক লান তৌবি। অহানবা বাল্ড বার পৃথিবী তথাবা তারগা শোকখিবা লাননি। মী মিঃ ২০ শিখি। অনিশুবা লানসু

অহুমগুায় মিঃ ৫০ শিথি। অনিমক মতুংদা লান কৌবা তৌনদনবা শোক্লবনি। সেনচুরী অসিগী অহৌবদগী হৌজিক ফাওবদা মিঃ ১০০ লান্দা শিগ্রে। তথায় অমদি অনিত্তবা লাঞ্চাওদা শিবনি। আমেরীকানা মিলিয়ন অমা কাদে, রাশীয়াদি মিলিয়ন ১০ হেল্লা শিথি। শোক ১৯৪৫ গী আগষ্ট তাং ৬ তা হিরোশিমাদা এটোমবোম থাধে, মী ১০০,০০০ থুদক্তা শিখি, ১৪০,০৬৬ নাহে-নাহৈহনা শিথি, ১৬০,০৮৫ মা শোইনাইনা হিংথি। নাগাসাকীদা বোম অমা তাং ৯ দা থাধে, মী ৮০ ০০০ শিথি। জাপানীজনা তাং ১৪ দা সরেন্দার তৌথি। B-29's অহুমা এটোমবোম থাধথিবনি। মাহুদা তৈংত্রবা সাইন্টিষ্ট অমনা মচাদা চিঠী অমা পীরকই। মী-ওইবনা শেন্বা অকিবগী মশক ওইবা খুদলাই অসিনা জগৎ অসিদা লৈরিবা লৈবাক পুন্নমক পুনশীলগনি অহুগা অমুক লান তৌনররোই।'

মসিগী মমাওদা এপ্রিল ২৫, জুন ২৬ তা সানফ্রান্সীকোদা পৃথিবীগী জাতি কয়াগী ওইবা মীকম অমদা ইউনাইটেড নেসন্স চাটার শেমথি :—

"*We, the people of United Nations determine to save succeeding generations from the scourge of war, which twice in our life time has brought untold sorrow to mankind.*

"ঐখোয় জাতি পুমুমক্কী ওইনা তিন্নবা মীওইনা, ঐখোয়গী পুন্সি অসিদা অনিরক হন্না শীংথাবা ভুমক্রবা অরাবদু মীওইবদা

পুরুক্লবা লানগী শাথিরা মীহাৎ অসিদগী তুংগী মীরোন অসি কয়নবা অয়ৌবীদা লেপ্লরে।" অদুবু শান্তি পুরুক্লবরা ?

মতুং চহি ২৫ গুম্দা ১৯৬৯ দা অমুক হয়া কয়খি। চার্টার অসি সহি তৌখিবা, হিরোসিমাদা বোম থাধখিবগী মতুং চহি ২৫ গী মনুংদা লান কৌবা য়াবা ৫০ থুংথোক্লা হাৎনখি হায়রবা থওখি। ভিয়েটনাম, কামবোদিয়া, মিদল ইস্ত, চীনা, রুসিয়া, রোদ'র দিস্পুং, ইন্দিয়া-চাইনা, ইন্দিয়া-পাকিস্তানগী লানকয় নী শিবীয়ু।

ইউ, এস, কী ১৯৬৯ গী থুংলাইদি থারমো নিউক্লিয়ার বারহেদস ৩৮৫৪ নি, সোভিয়েট ইউনিয়ন মাওহনবদা অমগী বারহেদস ২৫০০ চঙগদবনি। অদুনা ইউ, এস, কী বারহেদস শরুক ১০ হেয়া লৈরে।

ইউ, এস, এস, আরনা আমেরীকা মাওহনবা ওম্বা থুং-লাইগী শরুক নিপাল মথায় হেয়া থমরে।

জেনেভা নোভেম্বর ২১ —

নিউক্লিয়ার বালান্সসিট :—

ইউ, এস, এ		ইউ, এস, এস, আর
১০৩০	ইন্টারকন্টিনেন্টাল বলাস্ট মিজাইল	১০৯৮
৬৩০	সব মরিন লাউন্চদ বেলেস্টিক মিজাইল	৯০৪
২১৩০	আই, সি, বি, এস, বারহেদস	৬৭২০
৫০৭৬	এস, এল, বি, এস, বারহেদস	২৪১০
২৬৩	হেবী বোম্বাদস	৪৮০

১১৭৬	এয়ার লাউনচদ ক্রুসি মিজাইল	২০০
৪.৪	মিজাইল পেলোদ	১১০
১৩৪	মিদিয়ম বেঞ্জ বমবারস	৪৩১
২১৭	মিদিয়ম বেঞ্জ বোমবাদ´স	৫৫৩

আমেরিকাগা রসিয়াগা থক খা অনিদা লান তৌনর-রোই হায়রবসি য়ানখিবা অমম্নং খুংলাইগী লমজেল তারৗদুনা অহেনবা উংনদনবা য়ানবগা অইরবা খুংলাই মশীং ফোংদোক্ত-খিবনি। হন্নক্রা আইসলেণ্ডদা ফমখিবা খুংলাইগী রাফমদি য়ানখিদ্রে।

১৯৬৯ গী বার্ল্ডগী মিলিটারী বজেং অসি বিলিয়ন ২০০ নি, মসিগী শরুক ৪ গী অহুমদি রসিয়া, এউ, এস, এ, গী বজেংনি। লুপাগী ডোলার ওইনা লৌরগা বিলিয়ন ২০০ অসি সেকেণ্ড অমদা অমমম থাবদুনা মশীং থীবদা চহি ৬৩৫০ চঙগনি। অমরোমদা শেল অসি অমগী মথক্তা অমা সুম পৈথংপদা থা য়ৌরগা অতোপ্পা মাইল ৭৬,০০০ অমুক হেনদোকখিগনি। অতুক রাংগনি।

অমরোমদা জুলিয়স সিজারগী মতমদা লান্দা য়েক্লবা অমা হাংপদা সেন্ট ৭৫ দা মচঙই। নেপোলিয়ান মতমদা খুংলাইনচিংবা শেম-শাবদা চঙবসি মী অমা হাংপদা দোলার ৩০০০ চঙই। অহানবা বার্ল্ডবারদা আমেরীকানা মী অমা হাংপদা দোঃ ২১,০০০, অনিশুবা লাল্লাওদা ২১০,০০০ চঙই। ভিয়েৎনামগী লানফমদা য়েক্লবা অমা হাংপদা দোঃ ১৭০,০০০

চঙই। অদুগা অনিশুবা লাক্সাওদদি মিলিটারীদগী সিভিলিয়াননা হেন্না শি। কোরীয়াগী লানফমদা মিলিটারী মিলয়ন অমত্তা মশি। অদুগা সিভিলিয়ান মিলিয়ন ৫ মথ্‌ৎয় থাখি। ভিয়েটনামদসু মিলিটারীগা সিভিলিয়ানগা মিলিয়ন অমা শিখি। হৌজিক্কী লান্দা মিলিটারী মশেন হাংনববুদি সিভিলিয়ান হাংনবা হোংনবনা হেল্লক্লে। করিমগা মাওঙ্গদবা পঙ্ঙঙ্গুবা ইরাল নৈজখিদ্রবনি থঙ্গবা মণিপুরগী মীচম মশীং নাইদনা হাংখি, শিখি, য়ুম-কৈ পুংমক থুদেক্লগা লানফম ওনখি, উৎকৃম্না থম্বীরমই। অশঙবা পাঙদ্রবা এ্রথায়দি করিসু তৌবিরোই থঙ্গবা, রাজনিতি য়াওরগা গোভর্নমেন্টনা ৎংগীংরোই হায়বা গরেন্তি অদু মুংনবগী অথুবা ররটনি হায়বসি মী থুদিংমক্তা হৌজিক্তি ভাব তানরে।

'লৌবা' অমসুং 'পীবা' হায়বা থবক অনি অসিদনা হুগৎ অসি শীল্লি।

মীওইবগী মুংঙাই-য়াইফবা অমরোমদা অৱা-অনং, খুদোং থীবসি, খুৎাইদগী লিরবা খুংলাই অনি অসিদগী থোরকপনি। 'পীবা' হায়বা অসিনা অতোপ্পা মীগা মরি লৈনৈ। পীথোকখিবা, মতেং পাংবা, য়েম্নবা, সেবা, থৌজাল, বাথল থম্বা, লমচং ব্যবহার বাঙাঙ ফজবা থঙনৈ। 'লৌব'না কংবা, লৌবা, হুবা, মুনবা, থোমজীন-তাশীনবা, করাম্বা, অপাম্বা অসিনা মশাদগীনি। কল্লকপা, মীহৌবা, ইথৌ-ইশিন নত্তে নৈথোকপা, লমন্, শিংনী বা, য়ানীংদবা, তুক্কচবনা, অতোপ্পগী মফমদা

পমই। মশাকগী ফনবতা খল্লগা মীগী খুন্টইদগী কহুনবা মাড়নবা, ফুঙ্ডাইতা পীবনি। মসিদগী শেঞ্জ খুমজা, কনসন, মীহাৎপা, লান থোরকই। অতোপ্পা অমত্তুনা মীনিংদমকপ করবা তোঁই, জগৎ অপুন্বা শান্তিদা হরাও-তয়ান্না হিংনা পানহন্নি। খুন্টইদগী বাঝন থনবা য়াবা বাকম অমদি চেসাইরক লৌবা নিপা অমম অনিরক হল্লা জাপান্দা এটোমবোম থাদহুনা মরান লৈহুনবা নিপা লুপী লাখ কয়া, মমাগী উপ্পাক্তা করিম্ব থড়জনবা মমাগী খোমজিংজরিবা অঙাং কয়া, মমাগী গর্ভদা মুংনবা মচাল উঙবা কঙজ্রিবা অঙাং কয়া হাত্তোকপী। নিপা অসি চুসিদি সুকুফ ফবা ওন্নরোইদবা শোইনাইরবা কয়াগী আশ্রম লিংখত্তুনা জগৎ অপুন্বদা শন্দোকপগী ভাবতা সেবা লৌখৎলকই। বঙ্গকর অমসু কুনগুবা শতাব্দীগী লোইরমদাইদা থোরক্লি। অহানবা পুন্সিগী শরক্কা চুম্বরা, অনিশুবা পুন্সিগী মতোং অসিনা চুম্বরা চেসাই-য়ারগী থম্মোয়দা শোক্লরিবা লানফমি। করম্বনা চুমই ময়ান্না থনবীগদবনি। মী অনি খৎনবসি অনিমক চুমই হায়না লৌনবদগীনি। অঙকপনি অহানবা লাঙ্গাওদা আমেরিকাসু জর্মনসু অনিমক লান ওমজগে ঈশ্বর থুরুম্বা ঙাক্তনি। রাবনদগী হেম্না বেদ হৈবা মতম অদুদা লৈতবনি। অদুবু করিগী হিংচাবা হায়রীবনো! মতোমতা লৌজবা মীংথোন নত্রা? খুৎলাই লৈবনা লান তৌনবা নত্তে। খুৎলাই পুম্নমক সমুদ্রদা লংথ-প্রবসু মীওইবনা মীগী মপোৎ পাম্বা, লোই চদ্রীংবা, লৈরম্লিবা

মীশিং অত্তু মুংহল্লগা মচা-মশুগী লৈবাক অমা শেম্লীংবা পুকচেল অত্তুতনা খুত্তুম্না শুত্তুনা খুজিন্না হোক্না অত্তুম মী হাৎকনি। করিগীনো? নাতোনগা, কীনগা, চাইরুংগা, খুত্তুমগা কয়া লাপ্নবগে খণ্ডদবদগীনি। মীগী মরন-মথুম, লন পামহৈবা মথৌ. মীগা মীগা চান্নদ্রবা মথৌ. অমগা অমগা কিনরিবা মথৌ লান তৌদবা য়াদে। গান্ধী, তোলতোই, চেসাইয়ার, মাদর তেরেসাগুম পুকচেল-শোইজেন, লমচং হোংদোক্তিবা মথৌ ইমুং-মনুং, সমাজ, জাত, পৃথিবী অসিদা থক শান্তি পুরকপা য়ারোই।

তাইবং মীনা অফবা সমাজ অমা পুরক্কে, ইনষ্টিটুাসন পুন্নমক স্বহনগে হায়রবদি মাত্তু পুরিবা, মাত্তুদা য়াওরীবা মী পুন্নমক্কী লমচং, পুকচেন হোংদোক্কদবনি। জাতি অমন লৈথা তাবসি কদায়দগী হোরকপগে? পৃথিবীগী মনুংদা থাইদগী ফজনা চাওখৎপা মওংদা শেমগংলকপা রোমান এম্পাইয়ার য়েক্নবনা থুগাইবা নত্তে। য়ু থকপা ওক্কবা ওক্কবীনা থল্লকপা মতমদা মুংখিবনি। মফি য়াওদনা জগোই শাহন্নগা অওম অথৌনা য়ু থক্কুনা কুম্মে য়েঙইঙৈদা গোলশিংনা লানে ভারকপদা মাঙখিবা সম্রাজ্যনি। অওম অথৌগী মচা মশুনা লৈশাবী ফাবগা নিনি হুন্নি ফাহুনা থম্মরগা হাত্তোকপী। রেপ এগু মদর মণিপুরদস্থ থংলরে। অওম অথৌগী মচা মনাওনা অফিসার কয়া নমহুনা বীল শাহম্নবা ফূবিরী। নেক্কুনা মী কয়া হাৎখি। নোংমৈ চীন্দোন্দা শেল কয়া লৌরি। চহি ৬০ গী

মনাংদা য়ু থকপা মী অমত্ত মৈতৈ জাতি মনুংদা লৈবমদে। য়ু শীজিন্নখকপ চহি ৩৪৫ অশিগী মনুংদা পাংং নহাবোল লাইরিক হৈবা, ওফিসাব কযা ময়ুংদা লান্দাবে। মৈতৈগী য়ু পুম্নমক নোবোক ওল্লে। চহি অনিসীগী মনুংদা ১৯৮১ ৬ অশিদা ন ব 4 হেকোইন থাজিল্লক্লগা শেপ্পাবা কযাগী মচা মশু পুম্নক লাংদা থুবে। মপানা মচা হাংলে, মচানা মমা হাংলে। অউংপোং যাংদবগী মমৌ হাংপ থুংলবে। কবি উপায নৈ? মনুংদগী মপান্দগী তেমশিংনবকই। শীংনবকইবসি মাযোক মাগদবা কনা নৈবগে? হিচাগী ফাওবা ময়ুংদা থক লান্দদে। কৈ নেংংগা মচা নত্রগা মমা থক চংদে? মৈতৈ মাহনবা, মৈতৈগী ব্রাথবা, মৈতৈগী বুদ্ধি, মৈতৈগী থবক অযোংবদা মৈতৈনা লৌথংঞ্জে। নিংজব খুজঞ্জে। কনানা কনবীনি। মণিপুব ডুবথবে। মণিপুব নাবে। জর্নেল কযা, মেগাজিন কযা, বুকলেট কয, লাইরিক কয অনাবসি ফনবা ফোংংঞ্জে, তুবেল পুম্নমক্কী ঈশিংনা মুক ওইবগা ইরুনা তাকপনস্ত ভনাংগা ভসি ফহনবা ডমলোই। ঐগী মোংন্দ মাংোন্দা শোকইবা মংগী অচুম্বা পুম্নমক অনি লোইনবা হায-দোকপিবদনা অনা লাইকোকপা ওইগনি। চহি ৫০০ গী মমাঙদগী জাতিগী ওইনা তাক-মাহনবা কযা, মথং মথং ওইনা লোনগী, ময়েক্কী, কন্চরগী, শেল-থুমগী, বাজনিতিগী কিস্তী থীবক্লি। কবম্না জাতি অমা ওইবা ডমগনি, খল্লুবদা জাংকী মচা নহাবোল কযাদি মমিংকী পিবাং কংথবে, ঈথেং ওইনা শিন্থবী। খাইদগী তমথিনা চংশ্রবা জাতি অসি হৌজিক্তি ব্রা ডাংজদবা তমখে।

মচানা ৱা ঙাঙবদা 'মমান। ইমাগী ইবংঙো তুমিন ৈংমু'। নুপ' থোকখিবদা নুপীনা 'থোকপীখ্রগনু'।

চাম্মা থোক্লা ওংলব্রবস, মরৈবাকমন্তদা মীবৈবাকংচা ওল্লবদমু "কোকস্থ থুগ ইবিরে হদিনাম অমুক্তদি শোল্লুবা" হায়বগী থাক্তা লৈবে। অসি যৌনা চথখিব্রসি কবিগুম্বা খবা লানথ্রবা! হস্তবীবা মতম যৌবে। মনুংদগীস্থ মপান্দগীস্থ যেংনীংদবা অমা পোকহল্লে। ঐখোয অসি ঐখোয় ওইরিবরা? ঐখোয ঈসেন হাৎনবে। মসি অদায়রা রাফম নত্তে। পোলিতিসিযান, ফিলো-সোফার, ইকোনোমিষ্ট, লোযিযার, দেশাগোগ কয়াগী অচেৎপা রাখল চিংশিঞ্জবি। ইজাতিদা শীংনরকপ, মনুং অমস্থং মপানগী হেঞ্জিন্না লেং লৌশিল্লকপত্থ থিংহৌত্রবদি, অদুগা ঐখোয়না ফংফম থোকপা কযা মাংহল্লদি জাতি অমা ওইনা হিংলোই, পুম্মুং মুংখিগনি। জোনষ্টোন সাহেবনা মণিপুরদা লাকপদা নম্বোলদা লৈরগা মহারাজদা মাগাক লাকই হাযনা তাকই। মহারাজনা ওকপীদ্রবদা মহ ক্লা হায়, "মণিপুরগী নিংথৌনা ভিক্টোরীয়াগী মভৎ শিন্দুনা লাকপা ঐব্ ওক্রবদি ঐ হনখ্রগনি, ইঙ্ফাল্ল চঙলরোই।" "ঐনা ফংফম থোকপা অদু কদোইডদস্থ থাদোক্লোই" হায়রবদা মহারাজনা ওক্তুনা পুশিনখি। ঐখোয়গীদি ঐখোয়না ফংফম থোকপা পুম্নমক মীঙোন্দা পাথোকই। "I shall never sacrifice what is entitled to me" বৃটিশশিংগী নেশনেল কেরেক্টরগী মথক্তা মানা লেপখিবনি। বেঙ্গলী মচা অমনা থবক ভ্রফবা অমা তৌখৎলকপদা ময়াম চংদুনা শোগুৎলি।

মহাক্কী মকন্দা জাতি অসি হিংনবা লাক্লে। "গৌরাঙ্গবু কৃষ্ণগী অবতারনি" বেঙ্গলী পুন্নমক্না জগৎ অপুম্বদা শন্দোকই। শিগ্রবা সুবাস বোস ওসি ফাওবা শিহন্দনা হিংই হায়না মুক্তি লাংহনবা ওনই। ঐখোয়গী না খজিক্তং থবক তৌজরকপা মী অদু অঙাওবা শেংবী, পুম্মাও মাংহনবী অদুনা পূন্না শিনিন্নবা তাবনি। মী অমা ফাওবা যোকখত্তুনা, মাগী মকুমদা জাতি অসি হিংজবা যানবা শীনবিদে! মসিদি জাতি অসিগী কেন্সরনি।

The stigma of shame incured by cowardly submission cannot be effaced. The poison thus entered, into the blood will be transmitted to its posterity and will undermine and parallyse the whole generation. On the other hand even the loss of liberty after a sanguinary battle, is a nucleus from which one day a new tree will draw firm roots.

মীকিথি অমা ওইনা হেক্তা চংজখিবদা পোক্লকপা ইকায়বগী দাগ, অদু মুথৎপা থক যাদে। ঈদা অয়ুম্না চংখিবা হু অদু ইচা ইশুদা চঙখি। অদুগা মতুংগী মীরোন অদু লৈখা তাহল্লি অমসুং পথ-শিথহল্লি। অদুগা ইহং নাইহং তারবা লানফমদা নীংতম্বা মাংলবসু মাদুমক্না থবায়গী ওইনা পাঙ্গল মচা ওইদুনা নোংমদি অনৌবা উ পাম্বী অমা অচেৎপা মরু, মরা চিংখৎলক্কনি।

Is there anything fundamentally wrong in Manipur? The reply will be made in a book.

মথক্কী রাফম থরসি খাইদগী লুবা মকওইবা নিয়মদা মণিপুর লানথ্রবনি হায়বসিগী খুদম থরা পীজবনি। জাতি অসিগী হান্না লৈজরগা জাতিগী অককপা নিয়ম অমসুং জাতিগী লেপ্তফম্বা চমচং (National character or national discipline) না য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুর অপুনবা অমুক হন্না এড়ুকেসন পীবা তাই। নহারোলগীদমক মতুংগী মীরোনগীদমক ঐথোয় পুম্নমক হিংমিন্নসি। রি-এড়ুকেসনগী থবক কয়া লৌখংনি।

ফিলোসোফী ওব এড়ুকেসন ঃ

এড়ুকেসন হায়বদি য়োকপীবা, নোয়পেলহনবা, য়োকথংপিবা অমসুং নুংদা লৈরবা মতিক মঙাল পুম্নমক পুথোকপীনকপনি। এড়ুকেসন হায়বসি পুন্সিগী শেমশাবনি অমসুং মী মহাক অহুনা নোমজগে খঙবা থবক্তা পুন্সিগী ওইনা মহৈ য়াঙনবনি। এড়ু-কেসন পোকপদগী হৌরগা শিরবদতা লোইবনি। এড়ুকেসন হায়বসি পুন্সিমক্কি।

পুম্নমক্কী ওইবা অমসুং অযাম্বনা য়ানবা ভাবতা হায়বদি এড়ুকেসন হায়বসি মরু ওইথবা নিয়ম থরগী ওইনা হৈশিংবা, জ্ঞান, ফৈ হায়না খঙবা, ফীদম কয়া তানশিঙ্গরগা সমাজদা চান্নবা, লৈতানা লৈজবা য়ানবনি।

অমনা এড়ুকেসন হায়বদি নহারোলগী চাওখং রাখন্দা (aspiration) কৃপ্পা য়েংহুনা লৈবীবা অমসুং লৈথাইতানা লম-জিংবিনবা (directing) অহল্লোনগী ওইবা মীচঙ-মীথায় কৌবা

লৈত্তবা থবক কয়া ওইনা নোম্মীত্নুনা মখোয়দা নিতিগী পাঙ্গল অমা পীনবা অত্নুগা (পাঙ্গল) অত্নুমক মচা মগু, মীরোন মথং মথং চত্থখিত্নুনা মখোয়গী পুক্লিং, হকচাং, নিতিদা মপূং ফাহন্নবনি।

অতোপ্পা অমনা এডুকেসন হায়বদি স্কুল অমসুং স্কুলগী রাংমদগী লাকপা ফিভম কয়ানা পীরকপা ঈস্থৌ (stimulation) অত্নুনা মী-মী অত্নুদা পাল্লগা থোরকপা (resulting from his responses) মহয় (result) অত্নুদগী পুন্সিচূপ্পা চত্থরকপা অহোংবা, শেমদোক শেমজন তৌজরা (modification), চান্ন-য়ান্ননা চঙবা (adjustment) অত্নুনি। এডুকেসনগী দিফিনিসন মশীং নাইদনা লৈ অত্নুবু মথক্তা পীরিবা ২/৩ অসিনা মপূং ফাবা ভাব, অমদি পীরবনি। কুপ্না নৈনবীরগা হৌজিক্কী ডাক্টর, ইঞ্জিনিয়ার, লোয়ার, এম, এ, কয়া অসি এডুকেসন মপূং ফানা ফংলবনি হায়রীবসি চানবরা অমুক্তা য়েংবীয়ু। জ্ঞানগী লোঙথোকপা মশা খরদা খরনথৈদি খঙজ-হৈজরে হায়না লৌনরবা এম, এ, নত্রগা ডাক্টর অমা হায়রসি—মহাক অসি অঙাং অমগুম য়োকপিরবরা (rear), চাউনবা য়োকখৎপীরবরা (brought up) হকচাংদা চঙবা পোৎশক পুন্নমক রাত্তনা পীত্নুনা নোইপেলহল্লবরা (nourished)? মসুংদা লোত্নুনা লৈরীবা তেলেন্ট অমসুং ফেকল্টিজশিং অত্নু মসুংদগী পান্দা পুথোক্নুনা অয়োবীদা চাওখৎহল্লবরা? মপুন্সিগী মহৈ য়ান্নবা শেমশাহল্লবরা? অশিংবা সমাজনা য়াম্রবা অমসুং উরু তারুবদগী ফংবা জ্ঞানগী ওইবা মরুওইবা নিয়ম কয়াগী ওইবা হৈশিংবা, মাত্নুবু কৈ খঙবা,

ফিদমনফম ওইবা পুম্নমক ফংলহনা মীগী, মীনা, মীগীদমক্তা শেম্বা সমাজ অমদা লৈজবা য়ারবরা ? অহন-লমম্না শীনবীদুনা পীরকপা মোরেলগী এড়ুকেসন অদু ফংজহনা পুক্নিং, হকচাং, অধ্যাত্মিক অয়োৌবীদা মপুং ফাজরবরা ?

স্কুল অমস্তং স্কুলগী ব্রাংমগী ফিভম কয়ানা পীরকপা ঈহৌ মাগা চান-না চঙবা য়ানবা মশাগী ওইনা হোংজবা, শেমদোকচনা অমস্তং চান-না চঙবা য়ানবা চুপ্থরকইবরা হায়বসি হংবা তাবনি। 'হোই, মাহুমক তৌজে'—হায়রবদি মহাক অদু এড়ুকেসন ফংলে। মাগুম্বা এড়ুকেসন ফংবা মী অনি অহুমদা লৈজরবদি ঐখোয়গী লৈবাক অয়োৌবীদা চাওখংপা ঙমলগনি। নত্রবদি স্কুল শিরে, কলেজ পুমলে, ইউনিভর্সিটি লাইয়ে চংখ্রে হায়বা অসি চুম্লরা ? অদুবু অম্মুক থীনদি লৌবিনু, চেঞ্জ মোদিফিকেসন, এজস্টমেন্ট হায়রিবনিনা ঐখোয়গী ফিভম পূম্নমক্তা কপ্নি তৌসিগে হায়বা খন্নগদবনি।

শিথরক্লবা জাতি অমগী ধর্ম্ম, সমাজ, রাজনিতি, অর্থনিতি, লমচং শাজং, জাতিগী নিয়ম, চংনবী কয়াদা অমুক হন্না এড়ু-কেসন পীরকপা মতমদা অহৈ-অশিং কয়াস্তু, জাতি অদুদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক মাম্না খুংশম্না চংমিন্নগদবনি, থবকস্তু তৌমিন্ন-গদবনি। থবক অসি মহয় য়াম্নবা হকচাং ফবা অমস্তং পাঙ্গল কন্বগী এপিদমিক অমা মণিপুর পূস্বদা শন্দোকপনা ইহানহানবা থবক ওইগদবনি।

ময়ামদা, ঐনা অহানবদা নিজগদবা হায়ববু— হকচাং ফবিমু। জ্ঞানগী, নিতিগী জগৎপু কোকথোংনাহুনা পুম্বিবা অহু হকচাং ফবনি, হকচাংগী পাঙ্গলনি। হকচাং মাংনা জ্ঞান তান্‌বদি যুক্ষম য়াওদনা সাং হৈবনি। মশা ফত্তনা, পাঙ্গল য়াওদনা লাইনীংবদি কদৌইংদসু লাই ফংবদি লায়বদনা লাইদা লংজবনি। পাপ চেনবা মবান লৈবা অয়াম্বা অনাবা মীনা নমই। লানখিবা, পাপ কম্নানা হকচাং মাংহনশনি, নাবনি, শোনবনি, মতম চাদনা শিবনি। অহুদি হকচাং ফবা হায়ৰবসি কম্নিনো ঃ

অনাবা চঙহন্দবা অথাংকনববু হকচাং ফবা কৌই। অহানবদা থম্নায় পুবা ইন্দ্রি পুম্নমক্কী পাঙ্গল অমসুং মশা ফববু থংনৈ। অনিশুবদা ইন্দ্রি পুম্নমক অসি চান্ন-চেংননা কায়নবা কৌবা লৈত্তনা পূম্না পুমিন্নবা থবক পুম্নমক অহুবু থঙনৈ। অসিগুম্বা লন অসিবু মী পুম্নমক্কা ফংবা য়াত্রা? থাইদগী মরাইবক থীপ্রবা ইন্দ্রি থম্না শকক্ষম হোংনা শোকপ্রবা মীওই থম্না নত্তনা পুম্নমক ফংহনবা য়াই। মখোয়সিমু কুইনা পুন্সিহনবদি চেকশিঙ্করগা য়াই। য়েংবীয়ু! কম্নিগুম্বা মফম অমদা, 'কম্নিগুম্বা কালদা অমুক্তা ওইখিন্দ্রিবা মওংদা থাইদগী মপুংফানা অমগা অমগা মরী লৈনবা (reciprocal) অহুগা থাইদগী ফজনা মপুংফানা (complete co-operation) পূম্না চংমিন্নবা থবক তৌমিন্নবসি হকচাংগী মশেম (human system) অসিদা হকচাংগী থবক্তা অমসুং হকচাংগী চত্থরিবা খোঙচত্তা (functioning) উৎলি, পৌরিবা খুদম (example) অসিগা মান্নবা থক লৈরোই।

হকচাংদা চঙগদবা পোংশক অফবা মখে হকচাংগী শরূক খুদিংমক্তা য়োথিনবা মান্নবা য়েন্নবী, অদুগা হকচাং অসিদা অনাবা অমা হেক ফাওরকপদা নুংঙাইতবগ্ হকচাংগী শরূক খুদিংমক্তা চিথদনা মান্নবা শন্দোরকই। অহানবগী খোংচং অসি লেঙদনা থম্নবা, অদুগা অকোনবগী অসিনা চংহন্দনবা অমস্তুং মাংহনবা (১) তুম্নবগী থবক, (২) শ্বর হোন্‌বগী থবক, (৩) ঈ চংঙ্খাক চেনশিনগী থবক, (৪) ফত্ত-হৌদি পোকলকপদু পুথোকখিবগী থবক ফজনা তৌহন্নবা কন্না ইন্‌শিন্‌গনি অমস্তুং অয়োবীদা নৈনগনি। (৫) পুক্লিংনা হাংলি, পুক্লিংনস্তু শাগংলি। পুক্লিং অসিগী ফিভম খাইদগী ফজনা থমগনি।

অয়াম্বা মীনা অস্তুম্না খল্লি — করিগী হকচাং ফবা! করিগী শাজেন? চাকস্তু চাক্লূক অতুম নোংমদা চায়। ফমুংদা কুন্দে। লাইহৌস্তু হৌদে। থবকস্তু স্তুম তৌই। শাজেন তৌদবা, মশাগী রাখল খন্দবা মশা ফবা য়াম্না লৈ। মশাগী খন্দবা মী চহী ১০০ পুনশিবা য়াওই। অদুবু মরাইবক ফবা মী খরা নাম্নেংকপ্রবস্তু অয়াম্বা অদুগুম্বা মীদু মরক মরক্তা কোকচীকপা, পুকথিনবা, দাইরিয়া, লাইহৌ তৌদবা য়াওদে। শাজেন তৌদবা মীদি খুজেংগী মথক্তা চেল্লিবা ঈগী শরূক তরুক্কী অমতা খোংপাক্তা চেল্লি। মসল, মসলগী কোনতোর নহা ওইনা লৈগদবদু মাঙলকই। মগুণ, ময়াই কাবদু স্তুম মাঙখি। মসল পুম্নমক ফদ্রাক ফদ্রাক লাউরকই, পেংলকই অথাঙকনবা নাংখি। মসিনা মপান্দা উবনি অয়াম্বা মীনা উবা ফংদনা ইন্দ্রি অমস্তুং গ্রেগু পুম্নমক মসল হেক শিজিন্নবদা থবক

তৌবা হৌই। থোপ অমসুং মরী-মতাং পূন্নমক ঈ অনৌবা লাকপা অদুদা অয়েৌবীদা কান্নবা ফংজে। মসল, অদুনা শুপ-চিনবদা ঈ পূন্নমক মসলদগী পোকখি, হেক কোনথোকপদা মসলদা চেনশিল্লী অদুন্না মসল অচৌবা ফৈগন, কপ্লাক, নঙ্গন, চনীং অসি হেক শিজিন্নবদা শুপচানখিদুনা লমজেন চেনবগুম ঈ অদু হকচাং অপূন্দা চেনখি অমসুং চেনশিল্লকই। ঈ অদু থুনা য়াওনা চেল্লকপা অদুনা হকচাংগী ফত্ত-হৌদি পূন্নমক পুথোকখিবা ইন্দ্রি উনশা, কিদিনি, বাউয়েল, থুংলোনী থবক হেনগংনা পাওথোকপা ওই। অদুগা সারকুলেসনগীদমক শাজেন্দা 'প' অদুম চওই। পফ=ফ-ফ হোন্দোকপা। পান্ট=তুইগুম, হা-হা হোনবা, পাস পায়ার=তুমাং-থোকপা। অদুনা হার্ট, লংস, আর্টরী, ভেনগী থবক হেনগংনা পীদুনা শাজেন্ন, লমজেন্না সারকুলেসন হেনগংহল্লি। শ্বর হোনবগী ইন্দ্রিশিংসু মশা ফগংহল্লি। লিভর অমসুং পৈন-চিংবা মশা ফগংহল্লি। মথং মথং গ্রেদ হেনগংপা শাজেন লৌথংলকপদা হকচাং নুংঙাইবা ফাওরকই। ইন্দ্রি পূন্নমক মশা ফগংলক্লুনা থবক থুজিন্না অমসুং হেন্না পাওথোকহল্লি।

শাজেনবু থওইদ্রবা মী খরগী মনুংদা মরাইবক ফবা খরদং নান্থোকচথ্রবসু অয়াম্বদি ব্লদপ্রেসর, হার্ট দিজিজ, কিদিনি দিজিজ, কেন্সর, পেরেলাইসিস তৌদুনা হিংবসু হিংনিংদ্রবা শিবসু কিবা মী ওাক্তা অরাবগী, অকিবগী ঈপাক্তা ওসি তারিবা উবিরিনি। চিঙ্গাক্তা য়ানশিনবা, মচু-মরাং শঙবা বেকরীগী চিঙ্গাক, আচার, মুসলা, চা, কানি, গঞ্জা, অফিং, চেং অপুম্বা, হরাই সুমচাবা,

কাছার, সিলেটকী অপূম্বা ঙা অতেকপা মরক অসিদা হিংবা তারগা হকচাংগী খল্লবদি করম্না হিংগনি ?

ঐখোয় অযাম্বনা খাইদগী থীনা লানবসি অনিনি—অমনা হকচাং ফনা পোক্লকপা মী অত্তুনা অতুম ফত্নুনা লৈরগনি খল্লি। মশা ফত্তনা হৌরকপা মী অত্তুনা মশা অমুক ফররোই হায়ত্নুনা অশিবগুম লৈ। অহানবগী রাফম অসি মাঙহল্লবা অকোনবগী অল্লানবা রাখন অসি চুমথোক্লবা অত্তুগা মশা ফরিবা মী অত্তু মশা অতুম ফনা থম্বা ঙম্লবা, অকোনবগী মশা ফত্তবত্তু মশা অমুক হন্না ফগৎনবা. হোৎনবসি অয়োৌবীদা লৌখংলগা মশাদগী ওইনা কাম্লজবা মুংঙাইজবগী রাফমদা লোইরা নত্তনা মচা-মশুগী মশা-মউ ফনবা মুংঙাই য়াইফনবা শীনবীবা অমস্তুং ফংজনবা মখোয়দ তম্বীবত্ত হকচাংগী মরমদা পীবা শিক্ষাগী অপাম্বনি। পুন্সি হায়বসি মকম-মরাং খঙদবা মথোং ছত্তবা পনেং পরেংনি। য়াম্না পৌবা অমস্তুং তরাইবা থক য়াদে। পাক হেক হোংদোকপা য়াদবা নাইতোম তাবা লানথেংনদ্রবদি য়াদবা ফিভম কয়া য়াওরকই। ইশা, ইশাস্তু নাইতোম তাবা, পূম্না চংনিল্লবা য়াদবা মশাগীদা ওইবা মচৎ মওংস্তু লৈজে। হকচাং অমস্তুং পুক্নিংগী লৈজবা পাঙ্গল নত্রগা ঈহুনশিং অত্তুনা য়াম্না লায়না, চাং অমদা মপুংফানা তিন্নজরগা থনক তৌনিল্লত্নুনা ঈংগ্রবা ফিভম অনদা লাকচবা অত্তুদবু মপাম-জবনি। অরানবা হায়না লৈরিবা মথৈ হকচাংগী শিক্ষানা চুমথোকপা ঙম্নই। হৈনবী লায়না শেমই। অরাবদি ফত্তবা হৈনবীনা অতোপ্পা কয়াদগী হেন্না লায়না শেমই। ফিজিকেল

এড্যুকেসন্না অহানবদা হকচাং ফবগী হৈনবী অসিদা তম্বী। অদুগী মতুংদা নিতিগী শিক্ষা পীবন্না হেক পামজদবা হৈনবী পুম্নমক মথং মথং থাদোকপা তম্বীগনি। অদুগা মী মী অদুগী লৌশিনবা ওসা পাঙ্গলদা অচুম্বা মরৈগী হৈনবী (right living habits) কয়া অদু পীবিননবা শিনবীবা, অদুগা মাদুস্ত তম্বীব্রিবা মী অদুদা লোইবা তৌদনা মতম কুইনা হৈহৌনবা অদুগা মখোয়গী মতাং থোকপদা মী মী অদু তম্বীরগা মখোয় মখোয় অদুগী মচা-মশু অমসুং মচা-মশু অদুগী মচা-মশু শুথাংশিংদা অসুম য়ৌথিনবা চত্থহনবনি।

হৌখিবা লাপ্তাও অমসুং মাদুগী মতুংগী অবস্থা পুম্নমক য়েংলগা হকচাংগী মরমদা তমশিন্দবা য়াদে হায়বসি ফজনা তাকপ্রে। চুম্নগী চাংচত্তা নৈবা হকচাং ফরিবনি হায়বসি য়াম্না তাথদ্রবা মওংনি। ফিজিকেল এড্যুকেসন্না ফজনা শেম্নকপা মী অদুদি—অহিংবা, হিংনিংবা, থবক ওস্বগী পাঙ্গলনি। থাক হাইগৎনা চাংচং অমগী ষ্টেন্দারদা হকচাং ফগৎহল্লকনি। চাবা অমসুং চরাহেনবগী মরমদা ইরিবা লাইরিকনিনা চাবগী মরমদা হায়জররোই। অদুমনদি ওইরগা চাবদা বাৎলগা, চাবা বাৎপগী লায়না টি, বি, ঈ অকংবা, চাবা হেল্লগা ব্লদ প্রেসর, হার্ট দিজিজ, কেন্সর, চাবা চুম্নগা চহি শাংনা পুন্সি। অদুনা চপচানবা মওং অমদা অশুম্না চংপিয়ু, "অমুকী চরাদা নিংথৌ অমগুম চাবিয়ু। চাকলেন্দা য়ুবরাজ অমগুম্না চাবিয়ু। মুংদাংগী চরানা কাংগালি অমগুম্না চাবিয়ু"। ঐখোয় অসি ঐখোয়না চারিবা অদুনা ওইরকপনি।

ইরৈবাক মচাগী মফমদা নৌহৌনা নিংশিংজরি : মৈতৈ হায়বা জাতি অসি লাইগী ওইবা গুণ থাদোক্তনা লাকপা লাইগী মচা মশুনি হায়না মীপূম খুদিংমক্না খঞ্জবনি। য়ুম অমা শাজরগা মানা নিংজরিবা লাইনিংথৌগী মফমদা কৎথোকচরগা লাইনিংথৌগী থৌগল ফংজবগী ভাবতা লৈজবনি। মানা নীংজবা লাইগা থানদনা লৈজবসি মৈতৈদনি। মাগী ইংখোলদা থাজবা অমসুং লৈজবা পোৎ অতেক-অনৌ পূম্নমক মৈগী ওইবা মৈশা অমত্তা লাংদ্রিঙৈদা লাইনিংথৌদা কৎথোক্লগা থোংতুনা চাজবনি। অথোংবা কংপা য়াদবা লাইদি মৈতৈ এখোয়গী লাইদনি। চহিগী অহৌবা মুমিত্তা সনামহীদা ঙমু কৎলগা ইমুং অতুদা লৈবা মী পূম্নমক্কী মমিংগা চান্নবা অনমমদা ওইনা ঈশিংদা থাদোকই। "তাইবংমীনা হাত্তুনা চাথোকখ্রগদবা ঙমু নহাকপু ঙসি এনা থাদোক্তুনা ননীং তৌনা নুংঙাইনা চংহল্লবনি। মাতুগুম্না এগী ইচা (মিং) সু (ইশু ওইরগা) ইশুহু নংদৌনা ননীং তমজবা, নুংঙাইবা পীন-রমউ", হায়না মীপূম খুদিংনা চহি হৌবদা মনীং তম্নবগী বর, থাদোক-পিবিবা জীব অতুদগী নিহৌই। মমা মপাবু লাইনি হায়না খঞ্জবা, মচা-মশু, মমা-মপা, লৈবাক্কী মথ্বায় থাবা ঙম্বা, পোকপদগী শিবা ফাওবা শা-লানগী মওং কয়া নৈনতুনা লৈবা অমসুং তমজবা, নোংশাগী শাবান্দা মসলনা য়োম্বা জাতিনি। মীগী মথা পোনবা খঙলক্তবা জাতিনি। বৃটিশনা পৃথিবীগী শরূক অহুমগী অমা জয় তৌখ্রবদা, অকোয়বা লৈবাক পুম্নমক্কী মতেংনা লানলম্ অহুমদা লান তারক্তুনা লান্দা অমুকুং মায়থীবা ফংখি। অতুস্থ নীংতম্বগ

চপ মান্ননা লৈজবা ওমখি। ইশাগী কনষ্টিট্যুসন শেনজবা ওমখি। চহি লিশিং কুনগী সিভিলাইজেসন লৈরবা লৈবাকনি। চহি লিশিং অনগী মনুংদদা মরক মরক্তা মচ.-মগুনা মমায়দা তিন শিৎচিন্নিংবা মরৈবাক মজাতি মাঙনবা তৌবা থরা খরা পোক্লকই। মাত্নদং লৈতনবা লৈবাক হৌদুনা মাত্নগুম্বা মী পোক্তনবা লাই নিংফম থোকই।

হৌজিক্কী মতম অসিদা পীরিবা এডুকেসন অসিনা জ্ঞান অমসুং বিজ্ঞানদা চংখ্রে. লমচং নিতিগী রাফম য়াওখিদ্রে। লমচংতনা থাইনদি সমাজ, ধর্ম্মগী অপুনবা, পরম-পরাদগী চংনবী জাতি অসি হিংজবা য়ানবা পননা মরু ওইনা য়েংজবা ওনই। হৌজিক্না সিভিলাইজেননগী অনৌ অনৌবা শকফম কয়াগী রাফমদা ইরাক্লরে। হৌজিক্কী লায়নাদি সিভিলাইজেননি। সিভিলাইজেনন্না মী মশীং নাইদনা মুংহনখ্রে, জাতি কয়া কয়া কেমহনখ্রে। মরমদি অচুম্বনি হায়বা অমগা অয়ানবা চামা চামগা লোয়নননা চংমিন্নে। ছাত্র ওইরিবৈ ইজাতিগী ত্রেদিসন্দা জাতিগী ওইবা লমচং-শাজং, চংন-নিয়মদা ইশা, পুক্নিং অমসুং থরায় নিতিদা মপুং ফারে হায়বা খঙজরবা মতমদা অতুগা এডুকেসন ফংজরবা মতুংদদা সিভিলাই-জেসনগী রাফমদা রাখন খনবা হৌগনি। ইজাতিগী ফিজেৎ-চাকচা থাদোক্তনা মৈতৈ মচানা ঙৌরোক ঙৌবা ফিজান শেত্তুনা থোরক-পদা মীরৈবাক মচাশিংনা "মখোয় অসিবু নিংথৌ মচা ঙাক্তরা" ঐঙোন্দা হংবা য়াওখি অমসুং হংনবা রাফমনি। হৌজিক্তা মীগী ফিজেৎ-চাকচা তমউবদগী মৈতৈ মচা পুম্নমক কুলি অমনবা ওনখ্রে।

খুদৈ অমা শেত্তুনা থোকখিবদা মীনা য়েংনরম্বা নোংশা মানবা মৈতৈ পাখংনি। ঙসিদি মহাওনা মমুং-মপান থোমজিনবা, পুক্তা মকম কাবা নহারোন ঙাক্তা ঙায়খ্রে। তঙকপা ফংনা লৈখা তাখ্রে। সাহেব শানবা হোৎনবদা মৈতৈ ওইবস্থ তোক, সাহেবস্থ য়োদা সেকেনহেন্দগী পোসাক্তা হোৎনবদা যোংজাও ওল্লে (Apping)। কুচু কুমেন যাওদ্রে, হাওবেক কারে।

মসি কোরবা উপাযদি শুপ্পগী "ক্ষনিমিহ সদসঙ্গ সঙ্গতি বেকা ভবতি ভবানে তরনে নৌকা।": 'ঙহাক্তং শংবদা সাধু-সঙ্গ তৌনা সংসারগী অরা-অনাগী সমুদ্র অসি লাম্থোক্লবা হিনাও ওইগনি।' জগৎ অসিদা সাধু পুরুষ কয়া থিগা রাগনি। অফবনি হায়না হৌজিকক নেপ্পা অনতা ঙমলোই। চহি কয়াগী মনাঙদা শিগ্রবা মথোয় অদুবু ফৈ হায়না ঙসি লৌবা নী চামা চনি তিন্নবিয়ু। মথোযনা তৌরম্বা থবক, মথোয়না ইরম্বা লাইরিক মথোয়গী পুন্সি মুন্না নৈনগনি। হৌজিক্তি বুদ্ধ, কোনফিউসিয়স, হামুরাবী, মোজেস, সোক্রেতিস, প্লেটো, এরিস্তোতল, এপিকারস, জেসন, মোহোম্মেদ, থোমাস মুর, লুথার, বেকোন, ডোলটাব নিউতোন্নচিংবা কয়া কযানা ইরম্বা লাইরিক পারিয়ু। মথোয়গী পুন্সিগী রারী খঙজিনবীয়ু। শ্রীরাম, শ্রীকৃষ্ণগী মথোঙ ময়াদা নিতিগী ঙহাক্তং করা তম্বীয়ু। ফিলোসোফার, হিস্তরীয়ান কবি কয়া তিন্নবীয়ু। মথোয়না তত্তনা পুন্সিগী লমজিং তাকপি-তম্বিরক্কনি। পুন্সিগী চিরবা মতমদা মথোয়না শোয়দনক অবানা লাম্থোক্লবা লম্বী উৎপিক্কনি।

জাতি অনগী ওইনা ঐখোয়গী ইগুণ কয়া লৈজক্ষম থোকই। মীনুংশি খঙবা, মশাগী ওইজবা থাদোকপা, তৌবিমল খঙবা, ঐখোয় ইশেন নুংশিনবা, কল্লক য়েংথীনবা লৈনদবা, অক্ষবা তৌরকপা মী অহুবু থাগৎ-শৌগৎপিবা, মীবু হুনবা চৈবদি না-কোইননা মশা থাগৎপনি। "নংনা ভাঙইবত্থ ঐদি য়াদে। অহুবু নংনা মাহ্থ ভাঙজবদা থিংবা য়াগুরবদি ঐনা থরায় থাবা মখৈ নংনা ভাংজরিবত্থ ভাঙজনবা লম্বা পাগনি" হায়না ভোলন্টিয়ারনা হায়খি ইরৈবাক ইজাতিবু নুংশিবা গুণ কয়া অসি লৈগদবনি।

মসি পূম্নমক্কী মথক্তা মরু ওইবা গুণ অহুমদি জাতি অমা ওইনা থনদবা য়াদে।

(১) অচুম অরান খঙনা চৎপা (Justice)।

(২) মহৌশাগী নিয়ন কায়দনা নিতিগী ওইনা ফংফম থোকপা মান্নয়া পীবা (equity)।

(৩) করি থোক্লবা য়াই হান্না খল্লগা চৎপা (prudence)।

অহুম অসি মাঙথ্রবদি লৈবাক অহ্থ মাংজরবনি। শন্দোক্লা ইরুবগী মহুত্তা খুদম মচা ১/২ দং পীবনা কাউদবা হেনগনি: অচুম, অরান, ন্নায়েন অসি জাতি অমা হিংবগী মিটারনি। মরান লৈবা মীহাৎপা হূরানবা মীশক অহ্থ ইচানি-ইগুনি হায়না কম্নবা, জগত্তা মরান লৈজদে উৎনবা লাক্লবা মীওইনা অচুম-অরান খঙবা নত্তে। মীপূম খুদিং অরানবতনা মায়থীবা পীরক্লবা, অচুম্বা পূম্নমক্ক খাইদগী মাঙনবগী শকফম লোরক্লবা, অচুম্বা বিচার লৈত্রবা, ঐগী মীগী য়েংহনা চৎনরক্লবদা হাৎন-থিন্নবা, লৈবাক কায়বা লাক্লবা

লৈতে। অচুম-অরান খায়বসি জাতি অমগী থৱায়মক্কি। তার্ক্ ইনগী মিচঙদা রিপব্লিক থুগাইনবা লাংহৌবদা ফাদূনা বিচার তৌবদা বিচারপতি ওইরিবা মার্কস জুনিযস ব্রুটসনা মহাক্কী মচা অনি অহু লালহৌবা য়াওরুরে লাল্লংনি হায়না লাউথোকই। দণ্ড পীরকপা মতমদা বিচার তৌফম অহুদা মচা অনি অহুনা লেপ্পুনা লৈরিবা মফম অহুমক্তদা হাংলু হায়না হুকুম পীখি। মচাবু হাৎপহু য়েংহুনা লৈখি। জস্তীষ হাযবদি মসিমক্কা মচা নীচা খায়দে আইম্না শোকপা মী অহু অহুম দণ্ড ফংজবনি তাকই। খুন্নিং-খুদাংদগী হৌরকপা মীনা মাসি য়ৌনা চঙশিংনবা থক ঙম্লোই। মখোয়দি মচানা মী হাৎলুরবস্থ ঈশ্বর অমহুং লৈবাক্তা শীংনরক্কদবনি।

অমনা মহৌশাগী নিয়ম থুগাইদনা নিতি ওইবা ফংফম থোকপা অহু মান্নমা মীচঙ-মীখায় নাইদনা পীবা (equity)। ইরৈবাক ইজাতি মাংবা তারক্লবদা কন্নবা, য়েক্লবা ওইনা লৌফম থোক্লবদা ইচা-ইশু থিগদবা নত্তে, য়েক্লবনা য়েক্লবনি। মরৈবাক কন্নবা লাক্লরকইবা ঐগী য়েক্লবস্থ ইরৈবাক্তীদমক ওইমিন্নবা মরূপনি।

কোরিওলেনস কৌবা জেনেরেল অমনা লৈবাক কয়া জয় তৌহুনা ফৌ-চেঙ, লন-থুম কয়া খোমহুনা রোমদা পৈশিল্লি। চহি অমদি চাক য়াম্না তাঙদূনা বানরবা মতমদা রোমগী প্রজানা পৈন্নিবা চেঙ, গেহু অহু লৌহুনা চায়। কোরিওলেনসনা শেল খর খরদি গোভর্ণমেণ্টতা পীথৎলু হায়রক্লবগীদমক মহাকপু লৈবাক হৌদূনা রোমদগী তাম্থোকখি। কোরিওলেনসনা ভোলসিয়ানশিং খোমদূনা রোমদা লান তানবা শেমশাখ্রে। মী পুন্নমক মীপাইনরে

কনবীনবা উপায় লৈত্রে। মতম অদুদা মহাক্না মমা ভাতুরানা, মহাক্না লাম্মীগা চংলকদবা সন-থোংগী লম্বী অদুদা ভাইদুনা লৈরম্বই। শগোল তোংবা লাম্মীগী মকোক থংদুনা মচানা চঙশিল্লকপদা ভাতুরানা মচাবু থাম্লগা হায়রকই— "ইমাগী ইবুংো, নহাকপু রোমদগী তাম্থোকখিবদা ইমাগী থবায় হসি হমৈথ লৈতনা বাখি। অদুবু হসি নংনা রোমদা লান তারকপদা ইনানা বাবনি, ইনানা বাখিবা অদুগী শরুক চাম্মা হেনখে। ইমাগী ইবুংো হনখে"। মাদু তারবসু, লেপ্লম্বদগী চংশিল্লকই। ভাতুরানা হায়— "কোরিওলেনস নংবু ঐগী ইচারা নত্রগা ঐগী য়েক্লবরা? নংনা রোমদা লান তাবা তারবদি নংগী নচা অনি অসিদা লৈরে, নংগী নুপীন সিদা লৈবী, ঐগা মথোয় অহুম অসিগা নেংথায়দুনা হাংলনখো অদুগা রোম থুগাইয়ু। ননু, নচা, নতুদগী হৌনা বাং-হুল্লু।" মাদু তারবদা কোরিওলেনসনা লাম্মী ময়াম অদু হল্লে. হায়না য়াথং পীখি। মমাদা ওনশিল্লগা হায়রম্বই—"ইমা, রোমদি ইনানা কনবীরে, নচাবুদি মাংহনবীরে.দা!" হওইবমক লমখাংদা কোরিওলেনস, লাম্মীনা হাত্তোকখি। মরৈবাক কনগদবনি হায়-বসি মহৌশাগী ওইবা নিতি অমনি। মসি পাংথাক্লবদা য়েক্ল-রকপদু মচা ওইরবস্ত মীচা ওইরবসু চপ মান্নানা লৌই। মচা অদু হাত্তোকখিনি হায়বা খংলবসু রোমগী য়েক্লবা অমা ওইনা ফংজফম থোকপা দগুি অরা-অনা অদু মচাবু, মচা মীচা থায়দনা ফংহনখি (equity)। মচাবু অদুম্না মরৈবাকীদমক য়াম্না লায়না কথোকখি।

অতোপ্পা অমনা তুংদা করি থোকপা য়াবগে হায়না খনবা (prudence): অদুগা জ্ঞান চুম্না শিজিন্নবা (wisdom): জাতি অমা হিংনবা লৈবাক অমা মনীংতম্না ঙাকনবা ৱাফমদা নরু ওইনা খল্লগা নোংমগী থোক্লবা থৌদোক্তা, পুন্সিদম্ব কুপ্পা শেম্নগদবা ৱাফম্নি। চুন্নপ থক্লগা কেন্সর তৌই হায়বা খংনা খংনা অদুম চুন্নপ থকই। শায়ান, চাকয়াম য়ু থক্লগা ব্লদপ্রেনর, কিদ্নি, হার্ট দিজিজ তৌথিবা কয়াগী সংস্কার য়াওক্লরবসু শানৈ-য়ুনৈদুনা অদুম ঙম্না শিখি। মশাগী জ্ঞান অদুবু চুম্না শিজিন্নরিবরা? মদুদগী লৈবাক্কী জাতিগী ৱাফমদা এখোয়গী নৈতৈন হুক ৱাবসি তুংদা করি শোক্লগদগে হায়বা জ্ঞান চুম্না শিজিন্নদবদগী, ৱাখন লৈতবদগী থোকপনি। পাশপোর্ট, উথায়য়ু আসামগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরগে, ইশাগী কনষ্টিটুসন থুগাইবীয়ু। ভারত্তা তিন্নগে লাউরম্ব, লাংলদ্রা কয়া অদু কদাইদা চংগে? তৌগম্ব তুংদা করি থোক্লগদগে খঙ্খো নচা নপুনা ননায়দা তিল শিংলগনি হায়না চহি ৪০ গী মমাংদগী লাউজরকপনি। ঙসিদি মশক-মশা ফাওবা উথিদ্রে। নহারোললনা তিল শিংলি মথোয় অদুগী মমায় ওন্দুনা। লমন-শিংনীংবা, নমথনীংবা মমুং অমমুং মপানগী ৱাকনদদি খল্লগা ঙাকথোক্লবগা লোয়ননা চথবীয়ু হায়বসিগীদমক থা ৯/৯ ভত্থমক জেলদা লৈজবনি। খঙ্কবা ৎকৌবা (prudence) য়াওবা মী লৈরমদবদগী ঙসিদি কনবীবা, শেমজিন্নবা য়াদ্রবা ফিভম মমদা লংশিনবীরে। অহনা তুংদা করি থোক্লগদগে খন্না অমমুং খঙনা চংপা হায়বসিগী অরংবা খুদমদি:—শ্রীকৃষ্ণনা জগৎকী মপু অমা

ওইনা মথুরাদা পোক্লবসু কালাযবোন অমস্তুং জরাসন্ধনা লান তারক্লগনি উরবদা মথুরা বৃন্দাবোন্দা লৈরীবা মী পূম্নমক শির-গনি হায়দুনা লাপথ্রবা দ্বারিকা য়ৌনগা সৌরাষ্ট্রদা খুল হোইবহু তুংগী য়েংদুনা চংখিবনি (prudence) জ্ঞান অসি মফম চানা শিজিন্নখিবনি।

যুধিষ্ঠীরনা চৌবার শান্নবদা লৈবাক্লচিবা পূম্নমক থাদোক্লবা, চহি ১৪ সু বোন চংপা তারদা কুরুগী রাজ সভাদা দ্রৌপতিবু ডুশাসনা মফি মুল্ল দা মচিন-মনাও মন্তামক রা অমত্তা হাংহন্দনা তুমীন্না থাংদুনা লৈহনখি। মারথীগদবা মতমদা থক চোংথোক্কে। নোংমদি ময়থীবা পীগনি হায়না খল্ল। মসিবু জ্ঞান মফম চানা শিজিন্নবা তুংগী থোক্লগদবা খন্দুনা চংপা কৌই। দ্রৌপতিনা সভাদা ঙাঙখিবা অচুম্বা অহু তাদুনা মঙামক লৈখি। "অচুম্বা য়াওদবা সভা অহু সভা নত্তে। অহল য়াওরবসু জ্ঞান য়াওদবা অহলগী সভাহু সভা নত্তে। জ্ঞান য়াওবা সভা অদুসু অচুম্বা য়াওদ্রবদি সভা নত্তে।"

"ঙসি ঐখোন্দা পীরিবা ইকায়বসি," জ্ঞান হায়বহু নীংথিজনা শিজিন্নথ্রবা, অদুগা তুংদা করি থোক্লগদগে হায়বা খল্লদবা কৌরবকী রাজ সভানি। তুম্না মাঙলোইদবগী মরম লৈত্তে হান্নবসি ফজনা তাকই। অ না মারকস, ঔরিলিয়স হায়বা রোমগী অফাওবা এম্পরর অসি চমজবা অচুম্বা পাম্বদা ফাওরবা 'ফলোসোফিগী থাইদগী ফজথ্রবা নীয়মদা হিংজবনি হায়না নাপন তৌজবা "তাইবংগীবু মুংশিন্নু" হায়না মাগী মতুং ইন্ধবা মীদা তাকচবা নিংথৌরেন্নি।

অদুবু রোমান এম্পায়ার অসি অকোয়বদা লান ভাংলে। পূন্‌শীনবা দশকার ওই হায়না পাউতাক পীবদগী মতুং করি থোক্লগদগে, খৃষ্টিয়ানশিংদা করি থোক্লনি, রোমান এম্পায়ারদা করি থোক্লগদগে, মতুংগা চারোন-শুরোন্দা করি শোকাহোগদগে খুঙনা খুঙনা মাগী অখঙবা জ্ঞান অদু শিজিন্নবা ঙমদবদগী রোমান সিনাটরশিংনা রোমানগী লাইশিং অসি খৃষ্টিয়ানশিং অসিনা লাংলু হায়বা, যাংবদি মরুন-মথুম মংকনি, জেলদা থমগনি, হাংকনি হায়বা হুকুম অদুদা সহি তৌনবা ঙাইহুনা লৈরিবহুদা সহি তৌথোকখি। অদুম্মা খাইদগী ফজথ্রবা মওংদা ফিদমফম ওইনা হিংজ-পাঙ্গরদা নিংথৌরেন অসিনা খৃষ্টিয়ানশিংবু খাইদগী ভমথিবা মওংদা ওংখি। তুংদা করি থোক্লগদগে খঙলবহু অদুগা অচুম্বা জ্ঞান অদু চুমথ্রবা মওংদা শিজিন্নবা ঙমদবদগী (prudence & wisdom) বাংপদগী অসুম্মা মতম পুম্নমক্তা থোকই।

মথংদা "মমা ভক্তবদা পীবিয়ু, ভকবা জাতি অম শেম্বীগে, হায়বা খোল্লাও অসি ঐখোয় নৈতৈগী ওইনা লৈরকপা থোক্লেম্মি।" "খাইদগী ফুংঙাইবসি ইচা-ইশুগা নৈমিন্নননি," নেপোলিয়ান্না হায়। হায়রিবা দিপা অসিগী অহানবা মুপীগী মতমদা ইউরোপ জয় তৌই। অনিশুবা মুপী লৌইঙদা য়েরুবগী মথুক্তা তাহুনা বন্দি লৈখি। সীতাদা লংজকুদগী লঙ্কা তুনখি। দ্রৌপতিদা ইকায়গা পীরুদগী কৌরব তুনই। অহানবা লাঙ্গাও— কলেজ ছাত্র অমনা মুপী অমগী মরমদা নিংথৌ মচা অমা হাংলুবদগী থোকখিবা লানফমি। হেলেনগী মরমপীদমক ত্রোই তুনখি। কেলো পত্রগী নত্তবা লমচং

হৌজিক ফাওবা তুরুচনরী। পৃথিবীদা ফাওব্রিবা মী অয়াম্বা মনা অফবা চাক্রনি। অফাওবা পুম্নক মমা নীংবগী য়ারী কয়া কয়া থন্.ই। আলেকজেণ্ডারনা চান্ডু লৈবিতৌদা গেমোদা-নিয়াগী গোভর্ণার অতুন আলেকজেণ্ডারদা চিঠি অমা পীরকই, "নডগী মমান থুং থিজিন্দুনা লৈবাক ডাকপা রাবে।" মাতু হেক পারগা, "গোভর্ণার মনা খংদে; ইমাগী মমিডগী তাংকপা পি মনিক অমন পৃথিবীগী ওইনা লৈবা নিতিগী নিয়ম দজন অমা মুখংপা শ্নানি (canons)"। অসিগুম্ব মমা নীংবা চাশিংনা মমা ওইবী কুপান্ত লেগংকদবনি। হৌজিকী মথোং মনম খংদবা মীওইদা উংলকপ নিংনা উকবদগী চান্নবা তুংশিনবগী ভাবতী খংদন মেমারামনা চংশিন্দুনা রোমিও জুলেট, লয়লা মজনু শান্দুনা লপ্নেল অরকপা কালজ দম্প উণ্ড, শডংগী মরুনদা অংকপ মথলগী মাংনবা ওইব নহারোলগী শিচং উার। তু শিংবা হায়বা অহুদি শেংবা তুংশিনবা বদি হেক থুনবদা, হক লৈমিন্নবদা লোমা ফাদ শিমিন্নি। খম্বনা থোইবীগী নিন্নব হেক হৌবদা তু দানরাই, লৈকাই পাখং শান্দুনা লংনবদা তান থিন্দুনা থোইবীনা খম্বা হাংথি। খংনি হক খংবদা থাংনা থম্মোয়দা থিন্দুনা মতাুমতা শিৈজ, লৈমিন্নব য়ানদে। রোমীও উনবনবা শিজিন্নবগী ভাবতা হিদাক চারগা লৈবদা তু চাদুনা শিজে. হায়না খল্লকপদা রোমীও খুদক্কা শিথি। জুলেটনা জ্ঞান তারুক-পদা রোমীও শিহুনা লৈরম্বহ উরগা মানা থরুম্বা তু অহুগী অরেম্বা তু মথাক অহু থকচিল্লগা অতুম শিমিন্নি। লয়লা মজনু

অদু মডাই অমা উদবদা অমা লৈবা য়াদে। অরোইবা ওইনা উন্নরগা মরুভুমিদা অতুম শিনিন্নখি। অঙ্গুম্বা মওংগী শেংথ্রবা মুংশিনবগী মিংদা সমাজ মাঙনবা লৈকাই রাথোক ওইনবা, শাগে চেন্থনবা মীরৈবাক মচাগী মাঙদা জাতিবু ইকায়বা পীনবা খাইদগী মোৎপা সেক্লকা লোয়নবা লমচংনা খম্বা থোইবী, রোগীও জুলেটকী মনুংশি শাসিন্নবীগনু। মণিপুর অসি ঐখোয় মৈতৈদ লৈজবা লম নত্রে। মীগী মমাঙদা ফত্ত-নত্তবা সেক্লকী শক্তম অমসুং সেক্লকী লায়না শন্দোকপীগনু। পৃথিবীগী মনুংদা অঙাওবা লৈবা এসাইলম পূন্নমক ২০% না ওক্ত-দগীনি ২০% না যুদগীনি। ৫০% না মমা মপাদগীনি। মসিগী ৫০% অদুসু ওক্তবা অমসুং যুদগীনি। হৌজিক্কী রাজনিতিদি মীয়ামগী ওইনা চথখ্রবনা সেক্ল অমসুং আলকোহোলনা মপুংনি। ডেমোক্রেসিদদি "শেন্না নিংথৌ" ওইবনা মীয়াম ফানবা মথক্কী অনি অসিদা তোংদুনা চংলি। এমপি, এম এল এ মন্ত্রি পূন্নমক্কী ময়ুম অয়াম্বদা কাইনবা, থাইনবা, নৌনা লুহোংবা হায়-সি নিতিগী ওইবা শক্তমনি। মসিদসু নত্তনা কেরানী, ওফিসার, দুকান্দার, ঠিকাদার পাঁপকী থবক অসিদা চঙশিল্লকই। মচিন শঙবী, মীংপান য়েকপী, খুজিন রং থাবী ময়াম অসি করি তৌরিবনো, করিগীনো, হায়বা ময়ামসু অদুম খঙবীরি। অঙাং য়ৈথবা, অঙাং পোক্তনবা খুংহনবা অসি মশানা য়ানা মতোমদা হাৎচরবনি। মশাগীদা য়েংদুনা অঙাং পোক্তনবা চথখ্রবা মীশীং অসি য়াম্লক্লবদি জাতি অদু হিংনবা মতম লোইশীল্লক্লবনি। খাইদগী ওক্তবা ফিভমসিদা মশানা য়ানা অমসুং য়াদনা অঙাং

পোক্তনবা চংখৎবা জাতি, ইমুং, অচৌ-অশাং, ইনাকখুনবা অমম্মুং নিংথৌ মচা ওক্তবশিংগী ইমুং মুংখিবা কয়া উবিরিনি। অসিগুম্বা জাতি কয়াগী ইতিহাসিক ওইবা পুন্সিগী মতম য়াম্না তেনশিলহল্লি হায়বসি ইরৈবাক অমম্মুং মীরৈবাক্কী ইতিহাসতা উরি। জর্মনগী চার্লসদি গ্রেটতগী হৌজিক ফাওবদা ভগাং পোক্তবা নিংথৌগী শাগৈ ১৮% দগী ৫৩% নি লৌনৈ। ইউরোপকী অসিগুম্বা ময়াম্বা ইমুং, ওক্তবা হেনবদগী লাকপনি: শাগৈ মশেল হাংনতুনা শিবনে; মাতৃম্ম সেঞ্চকী রাথোক্লা নগনি ৫০.১%, মচা পোক্তবনে অনি অনিনা রোম, আইজেনটিন, তর্কী, ইংলণ্ড, অস্ট্রীয়া, রাশিয়া, জর্মনদা পানবা নিংথৌশিংনা চহি ২৫০ দগী হেন্না পানবা পঙনা য়াওদে। পার্লিয়ানশিংগা লাম্নেংনবা মতমদা স্পার্টান ৮০০ লৈ মহু ২৪৪ বি, সিদা শুপ্নগী ১০০ দা ডায়রমই। থাইনগী রোমগী পার্লিয়ানশিংগী ইমুং অসি শুপ্নগী ১৫ দা শিজায়গী মতমদা হিংদুনা লৈরমই। রোমগী, গৃকী ইতিহাস পারগা ঐখোয়না খঙই। ওক্তবা হেক হেনগংলকপদা মীশীং অসি অঙকপা ফংনা হৈন্থে। ইউরোপকী অফাওবা ইমুং কয়া চহি ১০০ গী মনুংদা মুংখি। ফ্রান্সগী মুংঙাই-য়াইফবা ইমুংশিং চহি ৩০০ দগী হেন্না হিংদে। ১৫শুবা সেঞ্চুরীদা লৈরম্বা মুংঙাই-য়াইফবা ইমুং ৫০০ হৌজিক হিংখিদ্রে হায়বা য়াই। শোক ১৮৩৭ তা লৈরম্বা পিয়ার্স (peers) ৩৯০ লৈরমই। মখোয়গী মনুংদগী ২৭২ দি ইমুং মুংখিদুনা অনৌবা ইমুংদা ১৭৬০ দা হাপখিবনি। বেরোন ১৫২৭ শোক ১৬১১-১৮১৯ দা হাপখিবদু ২০শুবা শতাব্দী দা ৬৩৫ দা

ঙায়খি। অস্কুমা মুবেমবগতা ১৩৯০ দগী ১৪৯০ গী মনুংদা পাটিসান ফেমিলি ১১৮ গী মনুংদা ৫৩ মুংখি। সুইডেন্দা অঙৎ-অথোগী ইমুং ১২১৯ গী মনুংদা ইমুং ৯৪৬ চহি ১০০ গী মনুংদা মুংখি। চহি ৩০০ গী মনুংদা ইমুং অমতা মহিই। রাশিয়াগী বোয়ার শাগৈ অসি জার এফ আলেকজীভিদচগী মতমদা পুম্মুং মুংখি। মণিপুরদা ইমুং মুংখিদুনা ইংখোল ফাওবা লৌবিনবা লৈতনা তাদুনা লৈবা কয়া লৈরমই। মাদুওম্বা ইংখোল অদু মী লৈবা কিনৈ। মী মুংখিবা ইংখোল হায়দুনা ফাওই। মুন্না য়েংশিন-থিজিন্নুরগা য়েক লৌবা নত্রগা ওকখিদ্রবা মীয়ান ৩/৪ গী মমাঙদা শোয়দনা ওইরমই। নিংথেম্মচা, ফম্নাইবশিংনা শিং নমই। অস্কুমা সেম্মনা মপান শারবা মতমদা মী অসি থুংলকই অদুনা মীশিং হুম্বরকই।

রাক্ষম অরুবা অমনা পোকপস্থ হুম্বরবা শিবত হুম্বরবা অদু ওইরবদি মীয়াই অমগী অহন্না মশীং হেনবা জাতি অমা ওইরে—শুবন্স ঙমদ্রে, লাম্বেংনবস্থ ঙমদ্রে, লুচাংবিনীংথাইশু লৈররোই, জাতি অদু মুংলকপা তাই। কনানা শেমগৎ-শাগৎপীগনি কনানা লৈবাক ঙাকনি। গৃক, রোম লৈথা তাখিবসি মস্বাইদগনি। "সোসায়েল এনার্কি" হায়সিগা অতৈ লমচৎ কয়াগা পাদুনা জাতি অমনা পাঙ্গদবা মপুনশি অদু কেন্সার অসিনক্সা মাংহল্লি। অহন মশীং হেনগৎলকপা অথাং মশীং বাৎহনবসি থুদোংথীনিংথাইনি। নহারোল মশীং হেনগৎহল্লগা নহারোলদা শেমগৎ-শাগৎপা থুগনি শোনোচুরবা ওটপবা অহনশিং হিরম থুদিংদা পোথাহনবা, পেং

চোইবা, মপাঙ্গল য়াওবা, মরী শোন্নবা হইল-লম্মন্না নহা-রোনদা লুচিংবগী মৈরা শিন্নবা মতম ওইরে। মতুংদা অনৌবা সমাজ, অনৌবা সাসন, অনৌবা শেমগৎ-শাগৎপা হায়বসি মখোয়গী কনখ্রবা মথুং অত্থনা পাঙথোকচরকনি।

ইরোই লোইদা ঐনা হায়কনীংই: মীওইবগী পুন্সিগী অল্পমগী অমদি তুমদনা লেরে। লেমহৌরিবা মতম অত্থদা হকচাং মাংনবা, কাইথোকপিরিবা হায়বদি হোটেলদা চা, বোরাগী কপ্বা, তুরী শান্নবা, য়ু থকপা, অহিং তুমদবা মতম অত্থদগী শরুক মরিগী অমতং হকচাং ফনবদা শীজিন্নবীয়ু। মপা লৈতনা হকচাং ফগৎলকনি। নোংয়াইগী মমাঙদা পুং ৩/৩ তুম্বগা নোংয়াই মতুংদা পুং ৬ তুম্বগা, মনাঙদা তুম্বনা ফবা হেল্লি। মুংদা পুং ৩ হেক তাবদা গোবীন্দগী শরীক মখোল হেক তাবদা হৌগৎপীরগা হকচাং শেংদোকপীরগা পুং ৩ মখায়দগী ৬ মখায় ফাওবা পুং ১ দগী হৌরগা মিনিট ৫/১০ নিতিগী হাপকত্তুনা পুং ৩ দি অয়ুক অসিদা য়াকীং চংপীয়ু। মী অমত্রা লোয়নবীগনু, চৈগু অমতংদি পায়বিয়ু। নোং চুরগা ছাটিন্না চৈগুগী মহুৎ শিনবীয়ু। পৃথিবীগী মশুংদা খাইদগী ফাওরবা, ফিলোসোফর, হিস্তোরিয়ান, কবি, ঋষি, যোগী, আর্টিষ্ট পুম্নক য়াক্নি চংমিন্নসি হায়বা লোইনবা যাবনি। ওসিনা রামচন্দ্র হয়েংনা শ্রীকৃষ্ণগী তুং ইগুবা, মহাভারত রামায়ন্দা য়াওরিবা পাউতাক শুনবা তাকপিরকনি। ফাওবা ফিলোসোফর সাইন্টিষ্ট, হিস্তোরিয়ান, কবি কয়া থন্দোকপীরগা য়াক্নি চংমিন্নবীয়ু। পুন্সিগী ওইনা চমম্নরবা য়াকম কয়া লাকপদা লায়না

লায়না নাম্থোক্লবা লমজিং পীবিরক্কনি। খুদম ওইনা ঐনা চহী ৪০ শুরকপদা থগ্রিং: মৈতৈগী রাইহদা চহী ৪০ গী লাংফম! ঐগীস্থ লাক্কল্লা, কীথ, বাইবোন চহি ২৮/৩০ দা শি, বিবেকানন্দ চহী ৪০ দা শি। চহী ৪০ গী মতম অসি মনা-মপা শিবা, মপু-মবেনগী কম্ম নচিংবা থোক্কন্দবা নত্তে। পুন্সিগী ময়াম ওই-রকপদা শোনবা হৌরকপরা খল্লকপা মতমদা করম্না মখল্লগী চেকশিনবা মাঙজৌননা তৌজবা য়াবা করি নৈবগে খন্দুনা চংলি। ইরীন মপানগী ঈ.ব্রবা ক্লংশিং অহুনা য়ৈদূনা ক্লংঙাইনা চংলিবৈদা ব্রাউনীংনা হায়রকই:

Grow old along with me
The best is yet to be
The last of life for which
The first was made.

"অহল ওইজরকউ ঐগঙান্দা, পুন্সিগী থাইদগী অফবা লাক-খিনি, পুন্সিগী অরোইবা হায়বদু, মসিগীদমক্তা, অহানবগী অনি শেম্বনি।" পুন্সি অনি অনি খোক্লা থায়দোক্লগা অহানবগী শরুক অসি চহী ৪০ ফাওবনি হায়না লৌরসি। অহানবগী শরুক অসিদা ঐনা লাইরিক তম্বনি, পাবনি, থবক কয়া তৌজে, লৌ উৎই, ইংখোল কোই, ইজেনদা শাজেন তৌজবা নত্তনা অঙাং কয়া তম্বী, স্কুল লিংবা হোরে। ইমুম-ইকৈ পাম্নে, ইচা কয়া লৈজরে, শম্মা হায়রবদা চহী ৪০ গী মনুংদা ইহৈ তম্বা, লন ডানবা, হুকচাং ফনবা হোংনবা, নমুম-মকৈ পানবা মতমনি, অমাং ওইরিবৈদগী

(LXXXXXI)

মশা ফনবা শ জেন তৌবা, লাইরিক-লাইশু ফজনা তম্বা, নিতি ব্যবহার ফজনা তমখৎলক্লগা অতোপ অতোপ্পা থবক কয়াদগী হৌদুনা মচা-মশু কয়া পোক্লকপা, মরুম-মকৈ শাজহনা মচা-মশু শেমজরকপা, লৈবাক্কী সেবা তৌবা হৌজরকপা, মীনা ইকায়খুম্নবা হেন্নকপা মতমনি। পুন্সি অদু চানবা পুন্সি অমা ওইগে হায়রবদি অশেংবা মুংঙাইবা ফংগদবনি হায়বনি তহানবগী শক্তক অসি অশোয়বা কৌবা লৈতনা লৈরক্লগা, নোমজরগা, রাজরক্লগা মুংঙাইবা পুম্নমক অসি চহী ৪০ দগী মহৈ চাবা হৌরকই। মরম অসিনা চহী ৪০ গী মতুংদা করি? হায়না হংনরকপদা, চহী ৪০ গী মতুংদগী পুন্সি হৌবনি হায়বসি ব্রাউনীংনা খুনই। ইচা-ইশু পুম্নমক নৌ-রিবৈদা পাংং ৪ অসি চীনফা পুহনগদবনি। চহী ৪০ দা লাংফম, খুদোংথীবগী মতুঙা থাইদগী মুংঙাইরবা পুন্সিগী তাক্ক—"চহী ৪০" ঙাইদনা লৈনগনি। চহী ৭০ দগী ৭৯ ফাওবসি অহল ওইরকপগী পাথং ওইবা মতমনি। অদু ওইরবদি চহী ৮০ শুরবদি অহল ওইরবরা? থবক তৌদবা তারেবরা হায়বসি খল্লকই। নোংমতন্ত কোক চীক্কে, পুক থীন্দে, মাইক্ত ৯/১২ বাকিং চংলি। অদুবু মতম অসিদা ঐখু অহল ওংরবরা? থবক তৌবা থম্নক্লরোইদ্রা পোখাবনা চুম্নবরা হায়না খল্লকপদা Browning না হায়রকই।

One who never turns his back
But marched breast forward
Never doubted choud would break
Never dreampt though rights were worsted
Wrong would truimph

(LXXXXXII)

Held we fall to rise
Are baffled to fight better
Sleep to wake.

"তুংলোমদা কদৌঙৈদসু হন্না য়েংবিদবা অন্তগা মাঙলোমদা থবাক ফন্দুনা চত্থবা, নোংনা থুগাইদকপ্রা থক চি নবীদবা অচুম্বা অসি পূম্নাও মাঙপ্রগদ্রা মড ফাওগা মঙজদবা অরানবনা মায় পাকপ্রত্রা হায়নসু খন্দবা। ঐখোয়না তুরবসু হৌগৎকনি। মায় থীরবসু অশোয়বা খঙলবদি ফজনা হন্না লানথেংনবা ঙমগনি। তুম্বসু হৌগৎনবনি।" মীওইবগী পুন্সি অসি কনানা চহী ২০ দা অহল ওই। কনা অমনা চহী ৮০ ফাওবা নহা ওইহুনা লৈ। জাতি অসি অহুক্কী মতিক লিরগা পুন্সিদে। জাতি অনৌবনা পুনশিবা মশাফবা হেল্লি। রেল্লারশিংনা য়াও অমসুং নঙল শিজিন্নবদগী মশা কন্না কুইনা রেল্লীংগী মশান্নদা কুইনা চোম্থনা, অতোপ্পা ফুটবোল, হোকীগুম্বা শান্নবা মীদগী, শাংথনা শান্নবা ঙমই। ব্রেন শিজিন্নবা মীনা পুনশিবা হেল্লি। শাজেন তৌবা মীনা অহল ওইরবা ফাওবা ব্রেন চোইদ। অহুনু অহলদি নোংমদি শোয়দনা ওইরোই হায়ব। য়াদে অহনদি ওইদনা চহি পাদগা শান্থবা তম্বা মী য়ামদবা নত্তে। পোকপু পোক্লবদি নোংমদি শিগনি। শিবগী রা থনবীগনু, অহিংবগী, হিংনবগী বাদা মখম হৈয়ু। অহুনা হেক্ হিংলিবমখৈ "তুংলোমদা থক য়েংদনা মাঙলোমদা থবাক ফন্না চত্থবীয়ু"। হৌখিবগী রাফম, নহা ওইরিঙৈগী রাফম নীংশিংউদনা থৌনাফনা, চেংনা থম্বা রাখনগা লোয়ননা পুন শগী

থবক্তা চশাগনি। অহনবা নাইদবা মীদা ওইথোক্কবা হায়বা পোৎ অমা লৈরে। হেনৌরোলনা অলেপস, লাক্সনা, রোমদা চাম অহুন্না যোম লোইচনবা ওমই। চন্দ চুশিন্দু, কাদ কাখংলু, অলপস, লৈরম্লোই হায়না নেপোলীয়নগী হায়খি। পৃথিবীদা লৈরিবা মহৈ-এশিং, লন অসি চহী ৪০ গী মতুংদা পাঙথোক্-খিবা অকাওবা কয়াগী থবক্তা মহৈনি। উক্-অরবা অমা মশু কাইরবা অনগী পুকৈদগী অহন ওইরবা মতমদা ইরম্বা পাঙ-থোকখিবা থংক অসি তঙ্কপা কনা মমল য়াম্বনি। পুন্সি অসি মা-হুনা চংকদবা নত্তে। অচুম্বা থিনি। চান্দরক্ হয়না মায়থীবা য়াই। মায়থীবা থুদিংগী ঐনা শোয়খিবা লানখিবা থংচুনা মতুংদা চুমথোকচবা ঙমই। লান্দা জয় ওইবা ভাক্তবু মীনা ইকায়খুম্নবা পীবা নত্তে। কর্ণনা মায়থীরিবস্থ জগৎ অপূম্বনা থাবু ইকায়খুম্নদবা, সুংশিদবা য়াওদে। নেপোলীয়ননা মায়থীরবস্থ জগৎ কাওই। মায়থীগনি হায়না কিক্কম শোক্তে। ঐনা তৌগদবা থবক্তা হন্দনা চথবা, মাতুদা মায়থীরবস্থ চোপক্তই লৈতে। তুম্বা নথে তুম্মরগা হৌগৎলতুনা নৌনা থবক অমুক পায়থৎপদু পুন্সিগী হৌনবীনি। পুন্সি হায়বদি থবক তৌবনি। থবক হেক লেপ্পদা পুন্সি লোইরে। অহল ওইরকপা হায়বদি পোথারকপা, থবক তৌরকবা, তৌনীংদবা পুম্নমক থড়ী লেম্নজন লেম্মকদবা ফিতম অমনি। পোথারবা, তম্বা, নোম্বা হায়বা অসিনা পুন্সিগ্ হক্চাং মুংগাইহনে।

মণিপুর মচা ওইনা পোক্লবদি মণিপুরগী ময়মদা মুকথল থল্লোই হায়বসিদি হুকম্বা মাদে। রাজনিতিগী বাকমদগী

থাপতোক্না লৈগে হায়না খল্লিবা মখে সুম হেক্সিল্লা থাখদ্দি নক-শিল্লকই। অচুম-অরান, ইশাগী হক (justice and rights) হায়বসি মণিপুরগীদমক্তদি শরুক তম্বিরমন্ত্রে। ইংশোক ১৮৮১ গী সেন্সস, মতুং ইন্না তেল্লিদা মী ১৩০,৮৯২ চীংদা ৮৫,২৮৮ লৈরমই। চহী ৭ খুন্দাকপা হায়বদি ১৮২৪–৩৬ কাওবদা শিথিবা, কাথিবা, চোইনা চেনখিবা চীংদা থৈজুনা লৈখি। মণিপুরগী গৌরিলাশিংনা তাম্বোকখিজুনা লৈবাক অমুক হন্না পানবসি শুপ্‌গী মী ২১১৮ দনা হৌখিবনি। শোক ১৮৮১ দা মী ১৩০,৮৯২ দা চায়বনি। মৈতৈনা থায়না লৈরম্বগী চীংদা যুম্ফম, ইংখোল কয়া চীংদা উবিগনি। মৌলিয়ন ১০/২০ লৈরম্বা মৈতৈনি। মখোয় মশেন হাৎনবনা সলাই ৭ কী মনুংদা অঙোম, লুয়াং, খুমন, চেংলৈ তুম্নবা হাংখিবনি। মঙাংসু ময়ান অসিনা হাৎনবা লাক্লবনি। মোইরাংসু 'লাল্লাংম্বা' হাক্তকা চাউখিবা ঈশিং ইচাওদা তুম্নবা শিল্লবনি। নাবাগী (অমুবা) ঈশিং ইচাওদা, 'লাল্লাংম্বগী' হাক্তকা মী লৈবা য়াদজুনা মপানগী লৈবাক্তা চংখিবনি। থরদং লৈহৌ-বনি। ১৮৮১ দা চীংমী ৮৫.২৮৮ দা লৈরমই। চুরাচান্দপুরদা ১৯৪৮ গী ইলেক্সন্দা কনষ্টিট্যুয়েন্সী ৫০ গী মনুংদা ২ লৈরমই, চান্দদা মরিনি। হৌজিক্তা ৬০ দা ৬ নি, ১০০ দা ১০ নি। কদায়দগী কময়৷ৌনা পোক্লকপানো ? ১৮৮১ দা গুর্খালি অমত্তা লৈরমদে, বেঙ্গলী ১৫, হিন্দুস্তানি ৮৩ দা লৈরমই, গুর্খালি অমা কাবা য়ানবা লাক্লইবসি খঙগনবনি। কুকিসু ২৫,৩৮৪ দনি নাগানা ৫৯,২০৪ দনি। হৌজিক্তি তাংদা কনষ্টিট্যুয়েন্সী ৪০,

চীংদা ২০ নি। দিষ্ট্রিক্ট থায়বা মতমদা ২০ দা ৫ লৈরগা ৪০ দা ১ দা লৈবসি কুবা অহনো? থাজনাদা থায়বরা, মীশীংদা থায়বরা, উ, বাগী মশীং নত্রগা চেরবাক্তা থায়বরা? কনষ্টিট্যুয়েন্সী ৪০ অসি কনষ্টিট্যুয়েন্সী ২০ গী তংথাইনি। লুপা ক্রোর ৬০০ য়েন্দা ২০ দা ক্রোর ৪০০ নি, ক্রোর ২০০ না ৪০ না কই। চান্দেলগা, তেংনৌপালগা না দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইংবদি তেল্লিবদি দিষ্ট্রিক্ট ২০ লৈকম থোকই। মীশীংদা থায়বরা, থাজনাদা থায়বরা থাজনাদা ওইরবদি তেল্লিদা দিষ্ট্রিক্ট ৪০ দগী হেন্না লৈকম থোকই। তেংনৌপাল চান্দেলা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইবগী মহুত থোকখোম অমমুং ককচীং মরি অসিনা শেম্বা য়াত্রা? চুরাচান্দপুরগী দিষ্ট্রিক্ট অসি অতোপ্পা মোইরাং, বিষ্ণুপুরনচিংবা কনষ্টিট্যুয়েন্সী ১২ না শেম্বা য়াত্রা? চীংদা পোৎলোইনবা ৭″×৩″ গী লম অমা মৈতৈগী ফংদে। তেল্লিদা হিলগী কোলোনীমক্তা। অশিংবা লৈবাক অমত্তা পৃথিবীদা লৈতে। চীফ মিনিষ্টর, চীফ সেক্রেটারী কাওবা রিজার্ভেশনগুম্বা চংথে। সার্ভিসতা তকেপা অমা ওইরে। রিজার্ভেসন অহুপা দিষ্ট্রিক্টকী থবক পুরমক দিষ্ট্রিক্টকী মীদা পীরে। অতাং ২ দগী হেন্না পোকহু। ব্রহ্মারোমদগী মী কয়া, গুর্খালী কয়া, মিরীরোমদগী ইম্ফালদা মুসলমান থাজিনবিরকে: কয়া কনগবা! কাই ক্লাস কাই এম, এ মৈতৈ ওইরবদি আই, এ এস পীরে। মৈতৈ নত্রবদি ৩০%, ৩৪% মার্ক ফংবা ছাত্রশিং আই, এ, এস পীরি। সেক্রেটারী পুরমক অহুম্বা মীভানা শিত্রে। পৃথিবীগী মফমদা উদত্তা অশিংবনি। কয়া কুইনা চংকচৌরিবা থোক্তহনো?

করিগুম্বা অমা থোক্লনবা মরু হুনখ্রে। অম্বদি থক ওইরোই। ভেল্লিদা লৈবা গ্রেনারী পুম্নমক লম্ফেল, তাকয়েন, চীংমৈরোং, পোরোমপাং মণিপুর অপুম্বা থাকপা য়ানবা কৌ থোক্লনি। মুম ভাক্তা শাজিল্লি। চীংনা মরু কোকথোক্লগা কনাগীদংক থমই-বনো? বৃটিশনা কোন্নুং অমম্পুং কোন্নুংগা নরুবা লমদগী ইপা ইপু তাম্বোক্লগা 'বৃটিশ রিজার্ভ' হায়না নুং মুংদ্না থম্লমই। নীংতম্লবদি কোন্নুংম্ব লম অতৈদুম্ব অমুক হন্না রিজার্ভ তৌশিন্দুনা থম্নীগদবনি। অচৌ অশাংবী শায়েন-ভারোকম ওইবে। জান ভাবা মীনা সাসন প্যাইরকপা মতমদা হোংদোক-হোংজিন য়াম্না তৌনরগনি। মজাপ্তিগী মরৈবাকী রাকম ওইনা থংক পুম্নমক তৌদবসি য়াম্না কায়বা লাকনি। লীশাং থাম্নবদি অমুকং চিং-শিন্নকপা হায়বদি কুন্ন শুংলকপদি শোয়দে। রবরদগী হেন্না চিংথোক-চিংশিন হাবা জাতি অমা ওইনা লাকপা মণিপুরীনি।

মৈতৈ মচা বি, এ, এম, এ পুম্নমক নোংমৈ চান্দোনদগী হেন্না শাথিবা মগুংদা লুপা ২০,০০০ দগী ৩০,০০০ গী মন্নুংদা লুট তৌরি। অমুকম্ব এডহোগ ওইনা চহী কয়া কনকাম তৌদনা থম্নীরিবনি। চীফ ইঞ্জিনিয়ার অমা পেন্সন পীবা মতমদা এস, ও অমগী পেন্সী পেন্সন পীখি। চহী ১০/১০ তুরবা অফিসার কনকাম তৌদনা থম্নীবনা ট্রেনিং অমসুং রখা ভানা চখবা চম্না থাদ্রে। অদুগা রায়া ভকথবা রাকম অমনা কুম কাংবগী লুপা লিশিং ৭৫ গীয়ক্রে হায়রী। প্লেন লাকুবা থা ২গী মমাংদা লিশিং ইচাওনা লৌ মাংলে, কুমশিদি কৌ লৈত্রে মিপাইনরী।

চহী খুদিংগী ঈশিং চাউহ্না লৌ মাঙহনবা মকম অসিদি স্কোয়ার মাইল ৭০০ ওনি। অসিদা কুম করম্না কাংবনো ? ঙসি কাওবা ইরোইশেম্বগা খাইদগী নক্কবা থাংমৈবন্দ ঈশিং ফংদে। কৈশামপাং মাইল অমা লাপ্লে, ইলেক্ট্রিক চাং নাইনা ফংদে। মোরে, জিরিগা চপ মাম্না ওলাংলে, শারে। করিদগী অসিগুম্বা অবাবা ফংলিবনো খংবদা জাপাননগী ইতিহাসতা অম্মা ই : "থক্কা থাগা মরি লৈনৈ। অচুম-অরান খাম্নরক্রুবা মতমদা কুম কাংই। কম্নপসম্না হেনমল্লগ ঈশিং চাউই। লৈবাক ভাকপা হৈত্রগা ওম্লাই—থীনা শাইনা।" জুলিয়স সিজারনা সিনেটারশিংনা কোবা মতমদা মংলাকী মুপা কালপুর্নিয়া হায় "ইবুঙো চংপীথিম্ম, য়েংখংপীম্মু, ধুমকেতু থোকই।" "নিংথৌ মচাশিং শিবদা আকাশ অসি ইঙাল ঙাল্লি। চাকনিব। শিবদা মঙাল কৌবা উবা ফংদে। থক্কা থাগা য়াম্না নক্কবা মরী লৈনৈ," সেক্সপীয়ারনা তাকই। ইপা-ইপুশিংগী থৌনা, পাঙ্গল, ঈ-তনা মণিপুরদা লৈরিবা মী পুম্মকী মপামপুবু মতু নামা তত্তনা নীং তৌনা থম্বীরকপা, ইপা-ইপুনা লেম্না নোংপোক অসিদা শক্তিক থাবাওম থম্বীরবা মণিপুর। চীরোং চিঙ্কাংনা তৌংজরবা নীংথী ফুরেল, নীংথীনা কোনুবা নীংথী ভেলী মাঙখ্রে। অম্মা মুঙাইতবা মঙং কম্না অনি উনা, বাথন তৌহ্না চংশদা বাইরোননা হায়রকই :

This should have been a noble creature : she
Hath all the energy which would have made
A goodly frame of glorious elements,
Had they been wisely mingled ; as it is,

It is an awful chaos—light and darkness,
And wind and dust, and passions and clean thoughts.
Mixed and contending without end or order.

মহাক অসি চীং-লেংথ্রবা থৌরাং পানবা মমা ওইজবা য়াবনিঃ মহাক অসি নায় পাক্লাই ওইবা লোংচংদনা শেম্বা ফজথ্রবা পকফম মমা শেমগৎচনবগী থবক ওইনা চথবা ওনবগী পাঙ্গল পুন্নমক লৈজনি।

পুন্নমক অসি ফজনা, শিংনা, তিনশিনবীরমবদি, হৌজিক্কী মতৌগুম্না, অকিবগী মশক ওইনা মথোং-মরম থংদবা অমদা অমুক ঙান, অমুক মম অতুগা অমুক মুংশিং শিং, অমুক্না উয়ল হৌ, কনীং-লাউনিং, নোক্লিং-শাংনিং অতুগা অমুক্না অশেংবা রাখল, মখোয়শিং অসি তিল্ল-তিন্নতুনা অরোই-হথম নাইদনা অরেপ্প নিয়ম অমতা য়াওদনা (মখোয় পুন্নমক) অমগা অমগা চায়নদুনা লৈ।

নীংথী-ফজবদা নোংপোকী শুইজারলেণ্ড (লোর্ড ঈরুইন) হায়নবা, মুংঙাই য়াইফবদা, বাক্তা পাদবদা পৃথিবী অসিদা লৈজবা "অপীকপা স্বর্গ মচা অমা" হায়না খংলবা! সনা লৈবাক লাই-রৈবাক হায়না ইশানা লৌজবা, মহৌশাগী ওইনা ফজবা, মহৌশাগী ওইনা লৈজবা লন-থুম, চান-থরুবা পুকৈদা মপা লৈত্রবা লম-দমনি। চাক্লিবা কৌবা লৈজদবা, ময়ুম-মকৈ লিংদবা মীওই অমতা লৈজদবা সনা লৈবাক্লি থস্তবা, "চীংনা কোয়না পনশাবা লাইয়াম্না কোয়না পনঙাকপা" লাইরৈবাক্লি শোঞ্জবনি। মীশা মখা পোল্লজবা জাতিনি। ধর্ম্ম, সমাজ, লোন, ময়েক, কলচর, হিস্তরী, ত্রেদিসন্দা

ইতোপ তোঙ্গা মীগা খক মান্নদনা শেংনা লৈক্তবা অতোপ্পা জাতি পুন্নমক মাংই খল্লকপা জাতিনি। অসিগুম্বা জাতি অসি ঙসিদি শিংখ্রবা মীওইনা, ফজনা ১৯ তানা শাহবিদুনা মতৌক মগুণ পুন্নমক জাতিগী ওইবা কলচর, সমাজ, ধর্ম্ম, সাসন, লন-থুম পুন্নমক ভুটনা শোকপগা চপ মাংখ্রে। ঐখোয়গী ধর্ম্মগা রায়রবা ধর্ম্মগা, ঐখোয়গী কলচরগা রায়রবা কলচরগা লাম্বেংনরী, মীগী মংরক তিংখৎলুনা ইরুগা মীগী মংরো ইবা লোন অতু হাইট সিত্থলদা! মংরো লোনগা লাম্বেংনরী। মৈতৈরোম্না ঈশৈ শক্রবাদ অহিং শিরগা মকু ওল্লি, মুংখিল শিরগা কাক ওল্লি হায়জীনবীদুনা "সেদেশে নিত্যাইনাই সেদেশেনাযাব নিত্যাইবি-মুখজন মুখনাদেখিব" ঈশৈ শক্লুনা লৈ। অদুগা হাইট সিত্থল! জাতি অমগী মহাল, খরায় হায়ববু ধর্ম্মনি, সমাজনি, অর্থনিতিনি, রাজনিতিনি। মখোয় অসিবু চাওখৎনবা লাক্লবদা অশিবদ ওইরম্বনা চাওখৎপদি লায়রদুনা লেংউ-লেংউবদা শিৎরকপদ হেল্লি (light & darkness) অশেংবা মুংশিং স্বর হোঙ্গিল্লগা মী অসি মশা কৈ, হিংই। জাতি অমা হিংনবদা লন-থুমগী ফিভম, রাজনিতি, ইরোন, ইয়েক অসি হয়াও হয়াওনা জাতি চাওখৎনবা, হিংনবা য়েংজক্লবদা উফুল বাইফুল স্বর হোঙ্গিনবা মী অতুগা চপ মান্নবা মশা, মাঙলবনা, মথার মুংঙাইতবা পোকই। মী অমগী, জাতি অমগী চঙগদবা মতৌক মগুণ পুন্নমক অমমমদা ওইনা চাওখৎনবা লাক্লরকপদা খোইশাওনবা, কপ্পীংবা পোক্লবা লৈতে। চুম্না চাওখৎনবগী মওং খম্বদনা চথবা স্লুকয়া য়াদে! মীনা শেমজিনবীদুবা মী অমগী

হিরম খুদীংদা মতীক-মগুণ, মরন-মথুম মাঙহন্নবা কিক্তমদা লৈরে। লন-থুমদা ঐ.খায় অসি পযহল্লগা রাজনিতিদা থুদেকপী (economically bent, politically broken)। পৃথিবীগী মচুংদা খাইদগী চাউবা হাইড্রো ইলেক্ট্রিক পুথোক্নবা মকু, খাই, ইরং, লৈমতাক লেম্বা, বরাক তুরেল চীংগোন ৯ গী মনুঙা চেল্লি। তুরেলশিং অসি পুং ৩ দা মুমিং তাবা ঙাক্কনি। অদুগ মুংথিঙ্গ ইলেক্ট্রিক পী মুমিং তারে হায়বসি ইলেক্ট্রিক মুংথং পিবগী খঙলৈ। কুম কাংবগা ঈশিং ইচাওগা থাদা যুনশোন্নি। উটি- পোক মনীং নত্তনা খাইদগী ইরোইশেংগা নক্কবা মফম থাংনবা ঈশিং পীদে। অরাংদগী খাদা ওনথবা লমদা লোংচুংগী ঈশিং পীবসিবু অরাংগী বরাক, ইম্ফাল, ইরিল তুরেন্না লোক্লি। থৌংনা কারোংনা লৈমতাকী ঈশিং হৃষ্টগী মমাংদা থিংহনা মণিপুর ঈশিং কংহনখি। চিনাগী এললো রিভার—"The sorrow river of China or China's sorrow" হায়রব, তুরেল অসিনা চিনা পুম্নমক থুমহল্লবন্থু ১৯৫৪ দদা কন্ট্রোল তৌহনা চিনাগী কান্নবা পীহল্লি। ঈশিং চাউখৎপকুউ, লোং চুক্তরকই, চিনাগী কান্নবদ ওহোকে লাউরি।

দি, এম, কলেজগী বিশ্ভৌং রেকপা জর্মনি চনকোইবা ইঞ্জিনীয়ার অমনা রারী শাবদা হায়রম্নই "নখোয়গী মণিপুর অসি জর্মনদা থাংহল্লা পুথবদি জর্মন অসি স্বর্গ ওইগনি" নখোয়দি মণিপুরগী চাং অদুদা লৈরিবা পোং অমতা পীজরদে। কয়া চাওখৎকনি। জেনেস [illegible] কোংমুক পাকনা তৌরগা থানীংবা থাও মাহুনা হায় জেথি- [illegible] হায় হাক্কন্নদি ইকি ২/৫ দগী হেহনা লৈতে।

মৈতৈ হায়বা জাতি অসি খ্বাইদগী লিরবা (লি হায়বদি লাই) মী কাণ্ডলুপসি খ্বাইদগী শিংই, শেংই, শৈথে। মখিংগী অয়োইবদা খ্বাইদগী শিংই হায়দুনা 'সিং' তাই। অতোপ্পা জাতিবু অশাংবনি লমচং মাইদবনি লৌই। খ্বাইদগী শেংই হায়না লৌবা হিন্দু ব্রাহ্মণ অমসুং মৈতৈ ওস্ত্রবদি মাংই হায়দুনা পরেং অমদা চাক চাবিমক্ষমদে। বৃটিশ অফিসারশিংনা শঙ্গোই কাবদা শঙ্গোই মাংলে হায়দুনা শিংহল্লি। খ্বাইদগী শুবা (very clean peop'e) মীশিং অসি খ্বাইদগী মোংপা খ্বাইদগী হেক্তা মাংলবা, খ্বাইদগী শত্তবা মী কাংলুপ অমদা ওহোকরে। মহারোলমা মখোয়. মশেল কৌঁবদা 'সি'গী মহুত্তা 'তোপ্পা অপত', 'চাউবা অপত' হুন্না কৌনরে মসি শত্তবদগী খোকশি। মোং চুরে রে-কোট, মুংশা শারে ছাটিন্না য়ম্না লাযনা কল্লি। অশত্তবশিংদি ছাটিন লৈতে। হেক তম্বোবা মাংবা মথৈ তম্বো-মবসু, হেকোং শীবা মাবা মথৈ শীংবসু অশত্তবদি অহুম শত্তদুনা লৈ

শত্তবদগী অচুম্বা মশক খঙদবদা কৌরব্ ভুমই। পাওদবা মীকিখী শায়বা অমসু লৈরি। মশীন কবদা চীনাবা লাল-লাকপদা মংহৌবা শীবগা লাবক্তা মমাম অমত্তা সুইশা কবেংবা লৈহল্লি। মতাংবা লান্দাবকপদা চহী অমরেং খুত্তোকই হেমাচন্দ্রমা মখৈপাক খুংশিবা গোবিন্দা শেয়মা তাহোকখি। মী ২১১৮ দমা অমুক হন্না লৈবাক অসিদা লৈরা শুনাবা হৌখিবনি। অহুম্বা মশীন লৈবা কাংলুপ অমা

ভূমসু মত্তবা, হাংপন্ত মত্তবা, লাইবম্ লাউদবা অহুবু তাবদব কিবদগী কাহেন্না শাশিনা মাঙশিন্নকই। হৈত্রবাক্তা শাররিবা লীলাদি অপংবা অমম্বুং মীকিথী অনী অসিগীনি। মথোয়গী মচা-মশুগী চৎনরকইবা লীলাদি। অপংবগা পাংদবগা অনী অসি লুহোংলে। অনিসিগী "হনিমুন" দি য়াম্না কুইথনা লথবা তাই। থা খুদিংগী মচা পেংকন। মচাশিংগী মমূদা "ঐদিওট" হায়রিবা মথে থঙদবা মতৌ ওর ওর চোহুনা লবা অমগা মণনা জু জু হায়রগা পোপূদা মতক খিংখিনবগুম মাগীদি হায়বা অমতা থমদবা মপুম-মকৈ, মমা-মচা, মতু মণা লোই বা য়োঙ্গোক্লগা মীগী মীম ইদ ওইহনত লৈবা অমগা অনী অসি মমা-মপা অমীনা লুনা তেংবা কাইবোক্লি। মচা অতোগী বাদি হায়রুহনা, শীংপাহনা তন্না মক্তে অহং মণিপূরদি মথোয়গী লৈবাক ওইহন্না ঙসি কাওবদি লৈরি।

মহাভারত হায়বসি কনিনো? ব্যাসনা মপাং ঙসিদা মহাভারত কবিনো হায়বা তাকই। পাণ্ডবদগী অচুবা মশক থওইদবনা কুরু ভুমবা মাঙই। কুরুক্ষেত্রগী লান লোইরবদা হস্তিনাপুরদা হস্তিন্দুনা পঞ্চ পাণ্ডবনা মুংচাইনা পারবা মতুংদা শ্রীকৃষ্ণনা বারিকা তামা চংবা থেংক্লকপদা থোংবাং অহগী ধমল্লোঙদা উত্তাস কৌবা খাঙি অমমা শ্রীকৃষ্ণদা থুক্লগা হংলকই [illegible]বান, হস্তিনাপুর, ইন্দ্রপ্রস্থদগী হল্লকপা মরো? মচিম-মমাও খোঙ্গপা মহাক্না অমীনক ইবুংঙো, মহাক্না শীনবিরিবা, শোয়বীরি-দোলমিন্না, মুংচাইনা, লৈরমগনি। করম্না পানহোবগে? অহ

তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা চাইহাক লেপ্পী। কমদোকৌবগে হৈবুংদো হায়না হংলকপদা, শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই, উত্তাদ! "চংমগা মতাংগা লাদ শোক্রবদা মচানা মেহৎনা চানা তুম্না লিত্রে। মতাংনা অয় ওইত্রে।" উত্তাংগনা নুংগী পুক্তাইদগী মথুবাক্তা ঐশিং হেদোক্লগা "ভগবান! ঐং ওইনা তুম্মি বরা? পঞ্চ পাণ্ডবকী মীচম চঙ্ঘনা চামবু মাঙখনবা নত্রা?" শ্রীকৃষ্ণনা হায়, 'চাইবো নঙগী ঐশিংহু চাইখ্রু, পাপশু তৌ' অদুবু ঐগী না অসিদদি তাবো, পৌবগ তৌবা চৈবোংদা পাণ্ডবকী লৈবাক, কোংনু, লম-পুম পুম্মক মুরে। অকোমবদা চহী ১৪ বমদা চংপা তাহনা বন চংলুবা হল্লক্রবদা মখোয়না লৈরবা মাবা মকম অমত্তদি পীনবিদু হায়রবদা তাদে। ঐনা বিশ্বরূপ মূর্তি উটখ্রবা হায়বদা তানা কৌবা লৈখিত্রে। অরাংবদা তৌগনা অচুবা মশক থংবিত্রবা, পঙমনবদগী মাঙখবনি। অচুবা হায়বা ঐবু অনিমক্কী কননবা পাখোঙলোই হায়বদি মাইথার চংপা ঐবু কারগা খঙনবা শীনাথরমই। মখোয়গী অপংবা অহনা মখোয় মাঙখবনি। মাহু তাবদা মাদি মাপিংত্রবসু উত্তাংগনা কুমওলুদা মথুতগী ঐশিং অহ হেজিনবি। মক্ক লুক্কা লৈখি। শ্রীকৃষ্ণনা 'উত্তাদ! নঙনা পাবা বয় অমত্তং নিকৌ' হায়রক্রবদা উত্তাংগনা ঐনা পাবা বয় অমত্তা লৈজদে। কোয়দা চংপাবিদা ঐশিং কংদহনা মাল্লা বার। ঐনা ঐশিং হেক পাবদা ঐশিং কংজবা অহনদি পাবটে শ্রীকৃষ্ণনা 'কংজবা ওইরো' হায়বিখি। উত্তাংনা থুক্কই। ভগবান লেপ্লে। মতম কুইনগী মতুংদা লোংবা মকতুমিদা

চংপদা ঈশিং খোঁয়াংমনগ্রদ্বনা কৃষ্ণদা, ঈশিং পান্থৌদা হায়জরকপদা লাপ্পা থিপা অমমা ঈশিং থাউ অমা মনঙ্গদা য়াম্লগা ঈশিং থক্লীংত্রা হায়না হং হংদুনা চংলি। উত্তাঙ্গনা শউনগী থাউদা হাপ্পা শাদানবগী ঈশিংনি থন্দুনা থকপা পান্নমদে। মামা চংপ্রব, মতুংদা শ্রীকৃষ্ণনা লাক্লগা হংই, উত্তাঙ্গ! ঐনা মচগীদমক আমৃত ওইমা খঙ্গমবা ঈশিং থাখিবনি হায়রকই। ইবুংঙো! শাদানবগী থাউদগী ঈশিংবু করম্না থকনি? শাদানবা মত্তে, ইন্দ্রদেবনি। ঐনা মঙবু অমর ওইনবা অমৃত থাখিবনি। মঙনা মশক থঙদহনা থকহৌত্রে। মদেদা উত্তাঙ্গনা ঐনা পঙবদগী ইন্দ্রদেব মশক থঙদহনা শাদানবা ওইনা লৌরুরে। অমৃতবু অমা'বা শউনগী ঈশিংনি থম্লুই। অপঙবা, অচুম্বা মশক থঙদবদগী ঐ অমর ওইবা ঙংদে। অঙগুম্বা চামস্থ মাঙজখিবনি হায়বসি খুদক অহুতদা উত্তাঙ্গনা খঙখি। মসি মহাভারতকী মহুং শিনবা অশম্বা য়াগী ওইনবা ব্যাসনা মতাং অসিদা তাকই। পঙবনা মাঙনবগী মরুনি।

পাণ্ডবা মীকিথী :—

কিবদগী য়াথোকপা—মীকিথী ওইনা চঙজবা—জীব অমগী থ্বাইদগী লুবা মথৌদি - হেক্কিল্লকপা থিংবা, শীংনরকপা মায়োক য়াবনি। কিরবদি য়েক্লবগী পাঙ্গল য়াম্না হেঙ্গৎহল্লি। তিঙ্গেক কাওবা ককচেংমা থোমদুনা চেমপ্রবদা অমুক্তং অয়োবীদা ওল্লকপদা ককচেং পুম্নমক তাহৌই, অম্বুমা নাহোক্কুনা হিংজহৌই। অমুক্তংদদি তিঙ্গেক কাওবা ওন্দবা লৈত্তে, ওল্লগা

ককাচং মকেন্দা পুশিনখিদুনা ককচেংগী চিঙ্গু ক ওই। যাও ময়াম শজীক চাশিন্ডদ ভই অমমা চেনশীন্নকপদা য়াওমচাশিং অতু ময়ায়দা থম্লগ চপী, মপাশি অমনা ভইগা লাম্বা পাই, ভইনা চাংব ফাম্না শক ভন্দ। ঙ্খিদা মপাং কাক চঙলকপদা মৈতৈ কাকনা মপাং কাক মমীং কোংথোকই, মরক শেগায়ভুন ঙ্খি চঙতাপ, হাংলি, তাম্লাকা। শল, শাম্‌ ফাগে হোংনক-পদা রাইন্নবা যাওদে, মনাপোম্লা কাংলগা চথোক্তদ হাইদভুন হাংলি। অতুব ফানগা নপ নান্দনা মাঃমাঃ জু জু বোঃ বোঃ হায়লগ হা, অাম্দ চক থংঙ্খিন্না পামুং পং পং হায়বগ শন্দনা উ চিংনা ত ন মীপা কীংনবকপা, মীনা হেঞ্জিল-লকপা ত জনম্বু হায়দুনা লৈপাকপনি (Prince) থৌশা-বদবসি মশুগ নাম্‌, থাইদগী হন্ন মানা-তাকুব শকফম অমনি। থাইনা লনা লৌফ, থাকবনা লুনা লৌবকই। থোইনা লুনা লৌফম থোকপনা লুন লৌখে। মমৈদা থোইবাও থোইশাও-নভুনা শাংনা ওংপা, মিনাই ওইব, কাইনথংদা মুংপা থোকবা লৈতে থুদম অমংবা মম ওইন—

থাইনা মফৈন্তদ কার্থেজ হায়না কৌবা রোমগী লাম্বা ওইবা লৈবাক অমা লৈরমই। সমুদ্র মপান্দা তাভুনা লৈবা মথম্না লাম্লোন-ইতিঙ্কা মপা লৈতনা চাওখংলমই। বাননা য়াম্না কন্নরমই। মমৈদা বোমনা কার্থেজ মাঙহনগদবনি হায়বমই। কার্থেজনস্থ রোম মাঙহনগদ-বনি হায়রমই। হেনিবোল কৌবা জেনেরেল অমগী মথাদা কার্থেজগী লাম্মীনা আলপস, লান-না চত্তুনা রোমদা লানদাবদা রোম মাঙ-

থীখি। রোমবু য়াম্না থীনা তৌদে। ইতালীগী সহর কয়া লৌরে। অদুবু কার্থেজদগী মী থারক্তুনা লৌবিবা সহর অয়াম্বা রোমগী মীচংদা লৈখ্রে। মতম অদুদা স্পেনদা লৈবা কার্থেজিনিয়ানশিং অদু রোমান জেনেরেল সিপীও আফ্রিকানসুনা মায়থীবা পীববদ হেনিবোল রোমদগী কোথোকখি। জাতিগী লানফমদা হেনিবোল মায়থীখি। "কার্থেজিনীয়ানশিংগী লানগী জহাজ পুম্নমক রোমদা পীথোকপা তারমই, স্পেনদগী মখোয়গী মী লৌথোকহল্লমই, শেল য়াম্না পীবা তাবমই" খুংলাই পুম্নমক থাদোকহনখি। রোমগী অয়াবা যাওদনা কবিগুম্বা লৈবাক অমগা লান তৌবা মরোই" হায়বদা য়াথোকখি। খুংলাই পুম্নমক পায়শীল্লবা মতুংদা কার্থেজ অসি সমুদ্র মপান্দগী মাইল ১০ লাপনা হোংগংলু হায়রে। সমুদ্রদা লল্লোন্দুনা হিংলিবা, ফুবা-দলান, লাইশং কয়ম্না শীদোক্তুনা হোংগংকনি। মী ৭,০০,০০০ পু কয়ম্না হোংগনি। মাইল ১১ লাপনা লানগী জহাজদা রোমান ময়াম্না কার্থেজ থুগাইনবা ছাইদুনা লৈ। লান তৌবম্নবদি সুক থীনা মাঙগত্রা। মীকিথী ওইনা য়েক্লবনা হায়বা য়াক্লবদগী দশা অসি তাবনি। লানগী জহাজসু পীথোকখ্রে, খুংসু খুংলাইসু পীথোকখ্রে। অদুবু হৌজিক লান তৌবা নত্তুনা উপায় লৈত্রে। লৈশাবী, মৌ কয়ানা মশম করুগা থৌরী তাদুনা তেনগী লিরি শেম্নগা পাথংশিংদা, মরৈবাক কয়বা লানথোকনবা পীরকই। মুমগী জিন্স অমত্তুং য়োং, মিশি পুম্নমক কত্তোক্লগা তেজিন শারগা পীরকই। কার্থেজ হায়বসি য়ুম মখোন ৬ না পরেং শানা লম্মেল থংগ্রবনি।

মতুগী মমুং মপান্দা মরীন লৈগ্রবা কার্থেজি হাংপনি। তৈমুরলঙ্গ,
চহি ২ দি করিস্থ তৌবা ওমদে। মতুং পুখংপদতা চীং অমগুম
জেনে.রল অমনা লাল্লগা যুম অমমমদ ওইবসি শাগী মমুংদা
হাপ্তোক্লগা যুম পুম্নমক মথং মথং মৈ থারকই ংবনি, পাপতি মতুংদা
মাংহনগদবানি হায়বা হুকুম অতুগা মথক্তা মদাইদা মাগী পাপ
.মা ফওব. লৈহনগনু" হায়বা হুকুম অমুক লৈরবদা নখোয়গী
সিপিও মশামক ফুনা-দলান, মন্দির পুম্নমক থুগা কন্দগী মী অমনা
ফপাখি। অতুক চাউগ্রবা, ফজগ্রবা সহর অদু হৌ।জ
অমা লৈরমই হায়বগী খুদম ফংদ্রে। মাতুমক্তদা সিপিওদা ৮
অমা থুংলে "কার্থেজ কৌবা সহরনা লৈরব্বা মফম অদু শম্পোং
.থাইদোক্লনা থনমৃউ"। সমুদ্রগী অক্লবা ঈশিংদা কার্থেজগী মমি
তাখিদ্রে। হৌজিক্তি আকাশ পুম্নমক মৈথু, মথাগী লৈমায়দা উং অনম্নং
তেম্পাক। কিহ্না মীনা হায়বা য়াক্লবদগী (cowardly submi-
ssion) ওমদৌনা মুংলিদো। বারীসি মস্বাইদা লোইদে, রোমনা
মফম অসিদা মখোয়গী কোলোনী শেমদুনা রোমান এম্পায়ার
আফ্রিকাদা শেমখি। খৃষ্টিয়ানীটিগী ময়ুম ওইখি। হায়রীবা
কার্থেজ অসি হৌজিক্কী মানচেস্তারগা চাউবা অমহুং মীশাং
হায়ফেং মায়বনি। কার্থেজগা মায়বা লৈবাক কয়া কয়া পৃথিবী
অংসিদা লৈরমই, লৈরী। কিহ্না য়েক্লবনা হায়বা য়ারমদনা
লান তৌজরম্নবদি কার্থেজ মুংলম্নোই। হৌজিকসু কার্থেজ
ওন্নকইবা লৈবাক কয়া কয়া লৈরী। উচেক্না খোংনাং মম
চেন্নকপদা নাপী মথক্তা হেক ভাবদা মনাক নকপা নাপী 'পুম্নমক

থীখি। লোমবু য়াম্না শিং অদুনা না। ময়াম অদু মন্না অদুগী মখাদা লৌরে। অদুবু কার্থেজনা লৈপাক্কা শমুহন্দনবা লাক্কে। মাদু হক রোমগী মীচংদা লৈখ্রে। মকথায়দুনা মবা-মক তাদুনা খোংনাং অমা শিং অদু রোমান জনেরেলশুংকনি হায়বা নাপানিং অদুনা খঙজে। হেনিবোল রোমদগী কৌ হৌগনি' নাপা ফাওবা খঙই। খোংনাং মায়থীখি। "কার্থেজি নাপী ফাওনা তকনবা থক লৌখৎলি। শীথোকপা তারমন্না লৈজবা হিংনবগী মক ওইবা নীয়মনি। মসিবু শেল য়াম্না শেংশ্বা কৌই। সার্কমস্তেন্স, থোক্লবা-থোক্লবা ফিবম বোমগী চাম্লনা চচ্চবা য়াবা মওংদা লেপ্পা নত্রগা ফিবম শেগ্না কুমই। শুপ্পগী তাইবং নীদি ওয়াম্বনা সার্কম স্তন্সগী মনাই ওঈ। গুক্কী লান্দা ফাদকপা মী অসি সাইক্লোপ কৌব হিংচাবগী মকোন্দা হুঙ্গিল্লি। অদুগুম্বা মীশিং অদু মাগী পালি লাক্লগা চাথোকখ্রগদবনি। মবক অদুদা থোয় অদু তুনই, মখোয়না চানবা হুল্লিবা চিঙ্গাক অদু অতুন মচায়। অতুন "মীনাইগী পুক চেল চেনবা মীশিং অদু থক ইম্লগনু, কিয়ু"। মবর্মদি শানা নংবুসু মীনাই ওইহনগনি হায়বসি কাউফন থোক্কে। শীংনবগ্ৰবদি চায়নগদবনি, হেঙ্গিল্লকপা খিবিক খিংহৌগদবনি নত্রবদ কার্থেজনা দশা! হেনিবোল অসি সিপিও ওইরম্লব'দ রোম অদু অতুম মুংথংপা হান্নবা ওম্লমগদবনি। রোম্না নত্তে, কার্থেজনা নত্তে, মী অনিদগী বাফম, পুকচেল, বাখন্দা খেন্নবনি।

মীওইবনা খাইদগী কিবসি পাপনি, অরানবনি। করিগী-নমক্তা অরানবা চৌথগে পাপ লংখীনবগে? মহম্মদ ঘোড়ীনা

ভারত মচা হাংপসি, থেংনরীবমখৈ, চেঙ্গীবমখৈ হাংপনি। তৈমুরলঙ্গ, আউরঙ্গজেব, মখোয়না হাংপা মী দিল্লিদা পৈখৎপদতা চীং অমগুম রাংবনি। মখোযগীদি পাপ লৈত্রা? মীওইবসি শাগী মনুংদা শাথিপ্রবা শা মথল অমনি। মশাগীদা যেংবনি, পাপতি মতুংদা ইন্নরকপনি। মহম্মদ ঘোড়ী মশামক শিরমদাইদা মাগী পাপ অসি উট কয়াগী মথক্তা হাপ্লগা মমাংদা লেংহনা লৈরবদা নখোয়গী ভারতকী লাইশোন্দু অমুক্তা শোল্লু হায়রুনা নাকন্দগী মী অমনা

অসতো মা সদ্‌গময়।
তমসো মা জ্যোতির্গময়।
মৃত্যোর্মা অমৃতং গময়॥

শোন্দুনা লৈবগা খরা পোথাক্লে।

অশেংবা মৈতৈ মচা অয়াম্বা ওসিদি অন্নম্মা খনবা হৌরক্লে: মৈতৈগুম্মা, পৃথিবীগী মনুংদা খাইদগী মরাইবক থীরবা লৈখা তারবা জাতি অমা লৈরম্লরোই। জগৎকী চাওখৎ লমজেল খুদিংমক হিরম পুম্মকী ওইনা শোথহোরে, য়াওনিংদ্রে। মমাল্লবগা থে নবা খুদিংদা চেনশ্রগে খনখরে। খুনীংনা মাও, খোংপাক্লা তুংদা পানবা উনগী মীগা চপ মান্ননা তুং হন্নুনা চংথ্রে। চান-থক্লবগী পুকৈ কয়া কোলোনী ওইনা শেমত্রে। মরৈবাক্তা মীরৈবাক মচা ওনত্রে। ঊশিং মপী, ইলেকট্রিক মপী, ইরোইশেংবগা খাইদগী নকথবা মক্কমদা হৌরাম। ঊশিং য়েল্লি। মাইল ৬/৭ লাম্না লীল্লনবা পাইপ লাইনদি মনাক্তা ফুল্লি। পম্বিক্তা অকর মপী, থবক মহুৎশ. লৈবাক মঙ্গাক,

স্তেদিয়ম মশা ! পৃথিবীগী মনুংদা খাইদগী লিরবা পোলোগ্রাউণ্ডগী দশা ! হৌজিক ফাওবা কংলা যেক্রবনা ঙরা.দা লে'ইচনবগুম থম্লি । মুগী কৈথেল মোংবা চঙ্লে, মণিপুরগী শকক ১১/১ দ' কনষ্টিটুয়েন্সী ৪০ অতুগা ১১ দা ২০ । কনষ্টিটু'য়ন্সী ৪০ দা দিষ্ট্রীক্ট ৫, কনষ্টিটু-য়েন্সী ২০ দা দিষ্ট্রীক্ট ৫ শেনই । নাইল তুংবল ঈশিং ইচা'ও খুদিংগী লিমানা লেপ্পদা ত্রিগোনোমিতি পুথোকবি । ঐখ যগী কনষ্টিটু যেন্সী অমসুং দিষ্ট্রীক্ট থাযবদ জিওমিট্রিগী মশীংগা মেথ-মেটিক্সকী মশীংগা মণিপুরীদগী ওইনা মণিপুরনোমিত্র হাযব মেজরমেন্ট অমা পুথে কখ্রে। মসিম্ভ থোবাল, চিংবা ভোট থাদব য়াব', লেপ্পদি যাদ্না মখলগী কনষ্টিটু যেন্সী ভসিনা মথকী মেজর মেট অনি এপ্রুভ তৌই । লৈকাই অচনবদক সিদ্ধান্তকাম্ব শেকমাই কনষ্টিটুয়েন্সী হন্দনা লৈবি। মাচুম্ব অমংবা অমনি। ফাষ্ট ক্লাস ফাষ্ট মৈতৈ ওইনবদি আই, এ, এস, পীদে। ৩০/৪০ ফংবা মী মৈতৈ নত্রবদি কয়া কয়া পীনি । মৈতৈদগীদা ওইবা প্রোভিজন অমা ইন্দিযান কনষ্টিটুসন্দা পীনি। রাশিয়াদগী লৈরুবা এলাস্কা ষ্টেটস রাইটস ফংই। ঐখায়দি ইন্ডিয়ানম্ব ওইরক্তে, ইন্দিয়াদম্ব য়াওজক্তে, মঙীং তম্নকপা জাতিনা ষ্টেটস রাইট ফংদে: (১) গোভর্নর তোয়াম্না ফংদে; (২) হাইকোর্ট তোয়াম্ব ফংদে; (৩) ইকোনোমিক রাইট ইন্দস্ত্রীনচিংবা ট্রেড, কমার্স নরুব লৈবাকা লৈজবা ফংদে; (৪) লোনগী ব্যবহার তৌবিদে. (৫) কাথীরগুম্না সেকগাড তৌবিদে। মীতোপ অতংপা লৈতনা হওশিন্নকই। মীতোপ্না ঐখোয়বু তানখোক নীংগদৌরি ?

কে অতোপ্পা লৈবাক্কা হোনগীতাল শাবিগে, ইন্দস্ত্রি লিংবিগে হায়রব য়াবিদে। মেহৈন চানবা লাংজবা ঙমখিদ্রে। মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎচৈ মমল লৈরে, লৈনৈংবদা লৌই। কেন-নমো দী। খল ওন্নবা য়েংকী খল লল্লাই শেমই। চেথুন ঙথাবনা মনীং লুপ্পা থারগা চেশাংদা ওল্লি। চমজপ্রবা নিত্তি! ইচ-ইগা থংবৈ মশীংনা খাজন। লগ্রোনদা মীগী শেনতানবুং। মণিপুরগী সোমখিদ শেলনা মুরাদলান কয়া শারি। মমল লেঙ্গ্রী। ব্লেকমার্কেট অসি পৃথিবীগী মনুংদা উংনরবদি চেম্পীয়ন ওইগনি। The greatest black market system yet devised and needless regimentation লৌউব, পোং পুথোকপগী পুন্নক, অয়োনব থুদিংমক, ফৌগাই চাবী, ইনশাং মুনবী, সিংগুতা লৈখোই য়ানবী, ঙে হয়াইদা নুং য়ানবী, অমরোমদা সনা, লুপা, মণি মুক্তা, গঙ্গা, কানি, নং ফোর, নিভিন্নমাইগী পোং পুন্নক লৈরক কোনশাংদা ফংদবা লৈতে। কণ্ট্রোল, নেশ্নিশন হায়বা লৈতে। অমরোমদা ত্রিদা থাদোকপা পোংনা অমত্তা ফংদে। অসিগুম্বা থুংশিল অসি শন্দোক্না তাকপা তারবদি ইংলিস ডেক্সনারীগী এডজেকটিভনা কোম্বদে: পুন্নক অসি **dictatorial, stupid, diabolical, inconvenient meretricious, longwinded, improper, unfair, unprofitable, irrevelent, legalistic, lopsided, ridiculous, bureaucratic, institutional, regularly irregular and orderly disorder, hope-**

lessly helpless, helplessly hopeless and bursting out at the seams.

(a) মী হাংলগা বিচার তৌরবনা নত্তে। (b) কৌথোক্লগা হাংতোক্লে। (c) শেল পীরগা মী নেকুনা হাংহল্লে। (d) নোংমৈ চীন্দোন্দা শেল মুল্লে। (e) থবক হাম্নদা লুপা লিশিং ২০/৩০ বি, এ, এম, এ, খুদিংদগী নমহুনা লোরে। নিডিগী মী হাংনরী, অমা নত্রগা অমদি শিদনা লৈরে। কনিংনে মণিপুর অসি মী খরদগী পীকনিক ওনখ্রে! মৈতৈ পাখং মু পীথক্লে, এক ইল্লে, শন চাবা তরৌরে। নোংছাল্লকপদা তাক্কগনবগী ছাইহুনা লৈজবা গোবীন্দগী শরীক এক হাংপগী মখেম্লা শিনখ্রে। অহুবু অনিদা করি কায়বগে? করিমু কায়দে, নারমেশনি।

মণিপুর কদাইদা লৈবগে:

চহি মিলিয়ন কয়াগী মমাংদা অকিবগী মণক ওইরবা অকনবা মুহারবনা নৌকপদা অমসুং অংকপা ফংনা মপাক্লন লৈরবা লৈরংলেন (মৈগী চীং) না অকিবগী মণক ফংনা লৈমুংদগী লৈশা কানবংলকপদা মণিপুর হায়না কৌবা (পৃথিবীগী) মাংলেমগী লৈমায়গী শরুক অসি লৈমুংদগী চীংলোন কয়ানা থপ্লান ১০৮ গী মথংদা কোয়শীনদুনা থিনগংলকই। কৌক্র কৌবা চীংগী চীং-দোলদা লরাইলেনঙ্ ওইনা তরুং অমা লৈ। খোয়দৌ ওইনা লৈরিবা ফংলা কৌবা মক্সদা তরুং (bottomless hole অমা লৈ। মণিপুর কাংলৈরক্লবা লেকুতিয়াল (পাস্তী শেখা) তম্পা অমনি। শেরবা অমমা তেকি তাসি চাউবগা লৈরংলেন অমনি

লোকতাক পাংকী কারাং কৌবা চীংগী নাকপদা। লোকতাক পুখ্রমক চপ্পীনবা [illegible] মথুন ক্রেটর অমা লৈ। মথুন অহু চহি লিশিং কমাগী মনাংদা লেংলিং চাদনবা মনাগী [illegible] অমা পাম্নগা ঈশিং মখা চংঙন, মুংমগা ঈশিং অমি খিক্কত্না থরগিবনি। কুই [illegible] ম্রাংবা লংনি তুরেল্লা হাব লৈবাগী কুং ৪০০গী মথাদা 'লাইচা' লেংলৈগন।

ভারতকী জিওগ্রাফি। মৈতৈলৈপাক হায়বগা মণিপুর অমসুং চীংতা-লোং মথাগী বংলাদেশগা লোয়নগা নকনবা লৈপাকশিং চীংনী ফম্বা ইং যেং অমা বাংলাদেশকী লৈতেম নাম্নবা মনদগী কাছার, অসাম ফাওদুনা চংলি। অতোপ্পা অমনা থপ্পাবোম্বা চংথি। ইন্দিয়া চীংতাংগী লমাং অমি চীংতাগোংগী কিলটেং ফাওদুনা নাগাপুরগোমল লামদম নাগাল্যাণ্ড ফাওজনাকুনা পাটকৈ চিংগাং শাহংগা চুংনলোনদা হিমালয়গা শরুক্কি। অমসুপ্পা চীংগী মরক্তা [illegible] পুখ্রমক আনগী [illegible] মখামতুনা লৈবা, খেইজে, লোকপুন হায়বাদি কুণ্ডলিনী ভগংজোয়াগী মপু তুম্কী লৈফমনি। অসংবা শিংনা থোকচদকপনি। মসিং মগাং লাইচে, কংলৈপুং মথোন, পাইটেং, কাং, মগনুনাচংবা কয়া। থৌকী তোংলেমগী জিওগ্রাফিদা [illegible] কৌরম্মি।

এইচ জি ওয়েলসকী [illegible] হিস্ট্রীদা মতম অমদা বঙ্গোপ-সাগরগা আরব সাগরগা শম্নবা মহাসাগর অমা ওইরম্মি। ভারত অসি গঙ্গা, ব্রহ্মপুত্র, সিন্ধুনা শেম্নকপা লৈবাক অমনি। অসি-গুম্বা লৈবাক অসি মমী [illegible] চহি লিশিং লিশিংগী মনাওদা

মণিপুরগী চীং লৈরম্রে হায়বসি সাইনা য়াগনি। মৈতৈ হায়বা জাতি অসি কয়া কুইরবগে হায়বসি মণিপুরগী চীংলোন অময় মীরোল্লা তাক্লি। কাংবা নিংথৌগী হাক্কক্কা চীংডা চীং ইনথংলকই। এলাংবন খুনপাক অমা চীং ইনথংলকপদা লৈমুংদা চংখি। এলাংবমনা চীংদা কাবদা থুকউ পায়বগা কায়। লাংজিং চী অসি ইনথংলকপদা মুবাইসম খুনপাক অমা শিখি। মুরাইসলাংজিং চীং কাদে (চীং অসিগী লাংদা থুই)। মাইবমলোকপা চীং অসি থীঙ্গংলকপদা মাইবম লৈকাই অমা লৈমুংদা চিংথখি মাইবমবু ইনদা লোকপগুম্না লোকই হায়দুনা মাইবমলোকপা চীং কৌখি। মাইবম চীং অসি কাদে। চীংদগী য়ুম্নাক শাগংহাননা লৈবা লম্ম মফম কদাইদা লৈরমগদগে? কাছাদগী মণিপ তম্পাক তানবা লাকপদা পরেং মাইনা লৈবা চীংলোন মাপল পরেং শানা থলহনা লৈ, মরক অহুদা লথনা লৈথবা ভুরেং খোংমুংহু পুং ৩/৪ তাবকপদা মুনিং তাবা, পরেং শানা চীংল চেল্লি। কাংখুইগী কেভ, থালোনগী কেভ, চীংমুংহুংকী কে কেভ মেন কয়া লৈংকই হায়বা তাক্লি। কাওবু থবদি লৈখুদ খোরকই য়ারীনরী। হুইংথোক, শম্থোক হায়রিবসিশু মখো অহানবা থেংনবা মফম অহুবু খঙনগনি। অকোনবগী য়াকম অ কুইদি কুইরবা চহি লিশিং কয়া, মী অসি, মীময়াম, লোক্লাওবী লৈরমবনি। লৈরিবা মফম অহুদগী পংনা হেন্দোক্লকনা লৈজবা চহি লিঃ ৫০ গী মথক্তগী লৈরক্লবা মফি-মরোম শেত্তনা উকু শেংপনচিংবা মীওইশিংগী মপা-মপুনি। হৌজিকমকয় লৈ

মখোযগী মবক্ত মী চংবা য়াবোই। মীগী লমদম্ন মখোয় চঙলোই। মৈ পানবা মী কাংদ খেন্ন চীং মনাক্তা লৈবমই। সিভিলাইজেসন্ন তকথোকখ্র মণিপুরগী সিভিলাইজেসনদি চহি লিসিং ৫০গী মথক্তগী লকখনি। চিঙ, মাইবমলাকপা চীং, লাংজিংদগী মখোযগী কল্চবগী লম্চং হায়বদি মৈতেগী যুম্নাক শাগেনা হাল্লি হায়বা চংক্রি মখোইগী মরুদি মণিপুর হায়বিবা লম অসি কয়িগুম্বা মওংদা থাদোকখাবা লৈতনবা শরগংশিংকপা (sheltered corner) কৈচন হায়নি। যেন্নবনা চংবা ডগাদে, চান-থক্নবা য়াত্রে। ঙসি থৌনবা চংক্রিবা, মযুম লৈতবা মী অমা ফাওবা লৈতে। চান-থক্নবা লৈতবা কাযনা লৈবা, মতমদা লান তাবক্কনি হায়নগী যেক্নবগী অকিবা লৈত্রবদি তুম্বা, শাম্নবা, হরাও-কুম্মে, ঈশৈ-নোংমাই, জগোই-বোমদা লাকপনি মশানা তাবা মহৌশাগী খোঙচৎনি। মাতুমক্কি, মণিপুরীশিংনা পুং, ঈশৈ, জগোই, মুক্না, কাংজেই, থাং, তাদা লৈনবমইবসি। গ্রীক ওলিম্পীক গেমসকী মশান্না অমম্বুং জ্ঞান তাত্থ হৌজিক জগংনা তম্নবি। চহি ৪ গী মন্নুংদা অমুক্তা পাঙ-থোকপনি। মখোয় মণিপুরদাদি শলাই ৭ না লাইবুং ৩৬০ দা চহি খুদিংগী লাইথুকখ্নগা লোয়ননা জগোই, ঈশৈ, মুক্না, কাংজেই, শগোল কাংজেই, লমজেন, চেক্লোং, মাংজোং, পৌ চিংনবা তাম্নবনি। চহি অমদা ওলিম্পিক ৩৬০ শাম্নবনি। ইউরোপ্তা লৈরম্বনা গুরু ফ্রাওবনি। মণিপুরনা ইউরোপ্তা লৈরম্বা লৈবাক অমা ওইরম্নবদি মীৎনা উনা স্বর্গ ওইরমগদবনি। এশিয়াদা লৈরুবনা উংতা তুম্বদনি।

জগৎনা য়ানরবা খৃষ্টগী মমাঙ চহি লিশিং ১১ গী মমাঙদা থোকখিবা সনাংগাংজেংস্মুগী মতমদা 'নারা' 'অনারা'গী ঈশিং ইচাও অতু লিজেন্দারী মদ হায়না জগৎনা খঙৈ। ইজিপ্তনা .ববিলোন্দগী রাবী অসি পৃথীবনি (Borrowed)। এখোয়্ মণিপুরদা চাঁদোন মচুদা থ মদনা লৈরমই। মাদুদা হিংহৌবা মৈতৈনি। চহি ৬৮০০ ইরিবনি। ঈশিং অতুবু ইপা-ইপুন, 'অনরা' কৌই। ঈশিং অসি কংননবা হোৎনরকই। মেদা লাইরেন পথ না অরুন হন্না লৈবা তৌখি। কারাং তুরেল খিংবনা নাবন পাল্লরগী মতমদা মপূং ফানা লোইশিনখি। গৌছিক যাওবা খিংথম অতু থাংবা কাপোং কৌই। ইচ ও অসিগী মনাংদা কাংবগী মচা মাপললা পৃথিবী অকে রবদা থুন্দাখি। চুংদা পানক গী মচ. নিপাললা মথ মথ কেয়না থুন্দাখি। অম্ম লিজেন্দারী মফাং মমাঙ চহি লিশিং লিশিংগী মনাংদগী হেৎনা মণিপুরদগী মী অসি মশী নাইদনা মপান্দা থুন্দাখি। শানগী অহানবা নিংথৌ 'খুন লাই' ভিলেজ চিফ, মথ অতুনা 'খুনতাই' কুংকরনি ওব দি ভিলেজেস কৌই। তিবং, এথেন, তেখাও অরা, খাপ্রল (খেমার) চাই দেন (চাইনিজ) আনাম (ওইনাম), লুরাং পরাং (লুরাং), খুনন, খাগী (খা চিনা), কচে, খাইদগী নকবা জাতিনি। চিনাগী ধর্ম অচম লৈ অথুবু মরু ওইবা নিয়মদি 'লি' (rightousness) 'লি' দ লাইনি হায়বা মৈতৈ রাইহ অসিমক্তি। চেংগীজখান মুস্লিম নত্তে। আকাশ লাংপা জাতিনি। মৈতৈনা 'গুরুশিদবা' লাইথগী মমাঙদা 'অতিয়া শিদবা' হায়না লাৎলমুই। অরাংলোনদা হিমালয়গী

পবাঁংদা ওইনাদ্ব কমেং, চিংগ্রী কাংবা চীং, কাক্রু কোকতাং মৈতৈ চা ঢাকুনি। 'মানস সরোবর' অসি 'অৱাং (high) পাং' কৌই। ম পাং যাং, মিং অহুম মহায়। থাইদগী নো যান্না লৈহুনা শ.ন্দাক- 'পনা মকম অসি কংলানি। মফম অসিবু তিল্লি তিনকোকলেন কৌই। কাবগী মচা ইবেন্না লুচীংহুনা চংশিবা থাইদগী ন পন্না যামই। মথোয়না লৈবা মফম অদু 'তল্লি পাশা' কৌই। থাইদগী ম না চংখিবা লৈখিবা পাশা হায়বনি। হৌজিক্কী পাদসিয় অসি চাহ কয়া ময়াংদা পাশা কৌরমই। পাসিসি অসি হৌজিকপু শিনগা অশিবা মশাদু অঙনগী মফম অমদা চন্নোক্লগা না উপচকপু পাইজ হৈখোযগী থাইনা মমাংঙৈদা মী শিনগা হৈবেক চীদা ডুংনক্লগা কাকয়ল্ল চেনখ্রগ শা উচেক পাজ- রথ ক্লগা মক লৌনবা অদুগা চপ মান্ন। মখোযগী হান্নগী বর্মহ্ন নংকাইজন, মিগাইজং, গুনিং, মৈ লাংপনি কব্রংতিল খোকশা, সংগাল তাংবা, হৈহুপ লাংমনন চংখিবা নোংচুপকী অহানব লৈশক্লি।

লাই হরাওবদ শকপা ঈশৈ : "ইভাখোই খোইনে- প্খাই শগোল চেনসি, লান চেনসি, উরল চীংদেন লোম্নসি কুকম চীংবু কাক্সি।" অসুম্না মৈতৈ পাখং লৈশাবী শগে তাংহুনা উরল চীং কারমই কারাকুকম চী কারমই সেন্ট্রল এশিয়া মৈতৈ পাখং লৈশাবীগী শান্নফম ওইরমই। মখোয়না ফংবা মহন লমনগী পাওতাক্সা "ভুংবল ভুখুন ইন্দুন চংলগা লমলৈ ভাব কাদুনা চাও। মতুং ভুংবলনা থম্নবদা লোক্তচপ তু ন

ইন্দুনা চংলগা লাইথ রাই ফাহনা চানোও, মাতুগী মথঃদদি হৈতু [illegible] থাংনোও।" লিজেন্দারা নদ অসি বেবী লোন্দগী ইজিপ্তন পূবীবা (Borrowed) রারীনি। জীউ হায়বা জাতি অসি ঐ[illegible] মংগোওম জাতিগী ওইবা নশীংদি [illegible] নি ঐখোয়গুন মাংখাযগী জাতি [illegible] না শাই। ভাপ্রন ভারীন [illegible] চাদে। পৃথিবীগী [illegible] ঈশ্বরনা তাইবং মী শেম্বদা ঈশ্বরগী মুখিদগী [illegible] হায়বসি চাতি অনি অসিগী মৈহৌরোল চপ মান্নবা[illegible]। অতোপ্পগা মান্নব থক [illegible]তে। জেসন [illegible] ইনা [illegible] ঐগী লাই, মাই গোড, মাই গোড, হায়বসি মৈতৈগী চপ মান্নবা রাইহনি। 'অলা' অ=The লা=God, অ–The [illegible] Noah না হায় দি লাই অম্না পৃথিবীগী অরিবা রাইহ [illegible] মৈতৈলোনগা মরি লৈনৈ। মিন্নলৈমা হুইনা থাজ ভই অহুগ ঈশিংদা হিদা চংহনসি হায়। গঙ্গা 'মীনাভা' হায়বী অ[illegible] সমুদ্রদগী কারকই হায়। হই, হাও হায়বা জাতি কম্না লৈ। কোম্বোজননা হুন্দুংদা লৈখি। হুন্দুং, হুনকুল, হুনসিং অনিদগী হুন হায়বা জাং অহ রাজপুতনা জর্মন্দা চংখিবা মীশিং অনিনি হায়রি। তাতার, উয়ল চীং আলতাই, ককেসস মনাক্তা মৈতৈ য়াম্ন তাখি। 'আরি(য়ান) অরি(বা)' হায়না কৌই। খাইদগী একপদি পৃথিবী অসিগী মরিং মৈতৈলোন্দা 'মালেম লৈকোই পুং' কৌই।

Dignified mother, which turns & revolves round, a round body. The earth is round; it turn and revolves round (the sun). মৈতৈগী

জগোই হায়বদি কোইনা চংলগা মরক মরক্তা লয়বনি। মসিনু চৈশেম জগোই কৌই। মৈতৈ পুয়াদা লৈ হায়: থৌদুহি কৌনা থবানমিচাক। (মুনিং) থবীনু সাথাইগে থাংশিল্লকপদা থবীনু সাথাইবা। নবিরে। মচেং কয় থোক্লা কায়দুনা তারক্লে। তারক্লিবা মচেংশিং অহু থবীগী অকোয়বদা লয়তুন লৈহোৎ থৌডুহিগী মতুং হনখিদে। অমদি মালেমদনি 'চৈথৈ অপাকবা' হায়না মালেমগী মনিং পী, থবীনা চিংশিনগী পাকল অহুগী অকোয়বদা লৈ হায়তুনা 'চৈথৈ অপাকবা' কৌই। [illegible] কায়দনা চংদি মচুহ থবীগী মতুং ইনখিদে। মালেমগী অকেরবদা লল্লনা লৈ। অদুনা থাবু উচোং কৌই। মশিংদু 'লাইরেন য়োইনয়াই তাওদনবা' হায়বদি অহানবদা লেত্তদি লেপদনা তাউদুনা লৈবা লাই হায়বনি। ওকসিজননু ছয়লন, হাইড্রোজননু হামলেন কৌই। সাইন্স অমহুং কিলোসোফি, মাতুদগী হেন্দুবা থাখেনচংলোন, ওনিং থেনচংলোন, লৈচিনলোন, মহৌশা লোন্দা অঙকপা কংনা চাউখৎলমই। শয়া হায়রবদা চহী লিশিং লিশিংগী মমাঙদা লৈতবা মশা মশক খঙলবই। জগৎ ব্রহ্মাণ্ডগী বাকম খঙলমই। মালেম পুমনক কোয়না চংলমই। ভিবৎপু কোয়শিল্লিবা চীংশাং কারাকুরুম কৌই। কৌব্রু, কুরুম চীং, কাস্ত, কমেং, থাঙ্গ্রং, উরল অচৌবা লৈবাক করাদা লাপ্পা লৈগ্রবা সহর, চীং কয়া অসি মণিপুরদা লৈরীবসি বাথন য়াম্না থঙ্গিংতাই শই। পৃথিবীগী মী অসি কদায়দগী শক্লোরকপনো? ওহানবা মী কদায়দা পোকপগে? লোন্দা, কদাচরদা হিস্তরী তেদিসন্দা মৈহৌরোন ভাইবং

মী শেম্লকপগী ৱাপী অমসুং মী শন্দোকখিবগী ৱারী অসি জগৎ অপূম্বনা থিনরকই। পুম্নমক অসি নোংমা নত্রগা নোংমদি শোয়দনা জগৎনা নক্কন অসিদা লাকনি। মৈতৈ অসি মুৎথ্রবদি অচুম্বা অসি মাঙথ্রগনি, থাজয়রোই। জগৎনা থংজবা যাবা ৱাফম অমগী নমক ঐখোয় মতম খবদি চাওখৎনা লৈফম থোকই। হীংফম থোক্ত্রা? মৈতৈগী ৱারী-ৱাতাই, ৱাহৈ-ৱাতা অসি পংহাগ হায়-জনবা অমতা য়াওদ। ৱাহৈগী হৌরকফম, লোম্মনক্কেচব অসি মুন্না য়েংগদবনি নত্রবদি অর্থ শেরাম্লনা চংখিবা য়াওই। কবিগুম্বা কান্দা অর্থ অসি ১/৩ থোক্না চংলি। 'শংগান' হায়বব সু করি হায়রিবনো হংবদা খংদবা মীনা শাগী ইন্নুংদা ইকোন কোন্ন লাকপা হায়বনি হায়না ইংলিশ রাইটরশিংদা তাকই। অচুম্বা শেরাম্নবা অকাযবা অর্থ অমদা চংগ্রে। 'শগ্রোন' হায়রবদি শা-গ্রোন্নবা হায়বনি। অমসু, মঙক্কী নশা পুথা ইকোন কোনপা শানিন্নু হায়। অচুম্বদি, মৈতৈ মচা অমগী ওইনা লাইরোন্দগী হৌনা শাগ্রোন্নবা, থাদোক্লদনা লাকপা শা হায়বনি। 'মউ' শোরে, মমি শায়ে। মসিদা মউ হায়বসি হকচাংগী স্কেলিটন তেকপা কোনবা নাত্তে। 'মউ' হায়বদি 'এপিয়রেন্স' ঐখোয়না মাংবু মী ওইনা উবহৌ মী মাল্লক্রে হায়বনি। 'নমি, সেদো' নত্তে মাগী পিকচব অমা পুগী পুক্কিংদা তারিবদো মী মাল্লক্রে—অনি অসি তাবতি মায়থানি। উবা অমা পুক্কিংদা মাগী মরুদা থমহনব অনি অসিদা শোসবে, শোক্রে হায়বনি।

মীয়ুলৈমবু হুইদা থাজে হায়বা অনিদা হুইদবু মী থাজবা যাত্রা ? হৌজিকমক হুই কৌবা জাতি চিনাদা লৈরী। ঐখোয়না হাও হায়তুনা হেক্তা হায়জিনবগুম অযাম্বনা লৌই। চিনাদা হাও হায়বা জাতি হৌজিক ফাওবা লৈরী। মৈতৈবোন হংশেংবন্দি হাও হায়বদি থরায় হায়বনি। হাওবোকচম, হাওবীজম, চইনিংগুম্বম, চইরাম শাগৈনি। সেন্ট্রল এশিয়া অসি মৈতৈগী শাম্বরংনি। চহী লিশিং লিশিং কয়াদগী মাকপা ম্রাহৈ, মাথঙ অদু হৌজিক্কী মীবোল থিজিন্নবদি লোম্লীংবদ ওই। ত্রিপুরা মচাদা তখেন হায়বদা খুম্নক্লোই। অসামীদা তেথাও মচা হায়বদা খুম্নক্লোই। চৈনুগুম্মা চিনানা ঐখোয়বু কসে, বর্মানা কতে। কাছাচীনা মগলু কৌই। বর্মাদা লৈপ্রবা মৈতৈ অরিববু তখেন কৌই। তখেনমু, রাংশাং অসি 'মুমিৎ মঙান' হায়বনি। মী কাংবু অমা তাম্থোক্লবা রাশক পৌনরকপদা মহাক্না তাম্থোকনি হায়তুনা পাং শংপদা থাংগী অনংবা অতুদগী লৌদুনা 'রাংশাং' হায়বনি। মাগী হান্নগী মনিং 'তখেনসিমো' কৌই। বর্মাদ ওনপ্রবা মৈতৈ অরিবনি। চিনাবু চাইরেন, থা চিনাবু খাগী, ক্মেমারবু খাম্রন অসুম্মা মিং থোল্লি। পোং ফাওবা মাকম তাকই; খাগী লৈহাও, তখেল্লৈ, কবো লৈতেং, ময়াংলিম্বুম অসুম্মা লেংডরবা মিং পী।

খৃষ্টিয়ান ইরাদদা বর্মিজ, তখেন, তেথাও নিংথৌশিং অসি মৈতৈ নীংঙোন মচানি হায়বা খঙনরী। তেথাও লৈমা, তখেন মহারাণী। শিবসাগর পুখ্রি অসি সনা চহী অহুম্মা হোঙথী হায়বদা কনানসু থাজদোই, রেকোর্ড কাম্লদে। অদুগা জর্মন, ইংলিস,

বাজপুত অসি হুননি, কোম্মোজমগী থাবানি হায়কবদা কয়া থীনা নোঙ্গকনি। হুন্দু-হুনগী তুংফম, হুনফুম-হুম্না ফম্ন লৈবা মফম অসিদগী চংখিংনি। ভারতার মৈতৈ কাংবু অমগী মমিংনি তপতা শাংগা সেন্ট্রল এশিয়া চাইথাইবনি। হুড়সন্। মৈতৈ অসি ভারতাগী কাংবু অমনি হায়বিবা অদুনি। অসিগুম্ব রেকোর্ড ময়ম অসি থিজিনবসি 'রিসার্চ' নি। অমনা ইংলিস মেন মীয়ামদগী লায়না খন্দোকপা য়াই। চিনা, নেগ্রো, হো তোপ্না লৈ, মোঙ্গোলিয়া ভারতা চ অতৈগা মান্নদে। চৈংতক য়েক্লবদু অদুম মাল্লি। মৈতৈদি সাহেব, চিনা, নেগ্র, রেড ইন্ডিয়ান মানবা যান্না লৈ। মখজাই হযাই অমুনবগুম হাডৌ, মবেপ বাংলী, মথাং চেংবী, মমায শাবী, মযং কংবী, মশম ভাওবী, মনাতোন তুম্বী লৈশাবী কয়া ইংলিস লৈশাবীগা ফজবদা থেন্নদে। মমায় কোযবা, মশম মুবা, মথাং চাউবা, মখোং তেনবা, মশা নোয়ব চিনা, জাপানগী লৈশাবীগুম্বা কয়া অমসু লৈ। মৈতৈ অসি, অসি মাল্লি, অসুম তৌই হায়দুনা য়েকপা য়াদে, ফীজেৎ উৎপদনি। মুশিল মুবা, ভোবোক চৌবা, পুন্সে কুচু কয়া লৈ। চাইরং, শক তোঙবসু লৈ। শক্ল তোংদবা কয়াসু লৈ।

'অতিয়া শিদবা মপু' নীংলমই মতু দা গুরু শিদবা, লৈমরেল দুরেল্লীতি ওব গোড মতুদা অপোকপা, অপানবা, অশিবা, ত্রিনিতি ওব গোড অসি নীংনরকই। নোংচুপ জগৎকা খঙনবদি চহী ১৮৯১ দদা হৌবনি। মখোয়দনা পৃথিবী অসিদা মৈতৈ হায়বা জাতি অমা লৈ হায়বা তাক্লকপনি। জগৎনা খঙলকপনি। মাতুগী মমাঙদদি

লৈবাক অসি মাঙননবা, জাতি অসি মুত্থংনবা অমরোমদা পানশিল, অ·বোমদা শমজিন-নপশিন, মখোয় মখোয়দোনা মীনাই ওইহন্নবা লাক্লরকপনি। অতুবু মৈতৈনদি হেক লাকইবমখৈ মখোয়গী মচা মশুগুম শেংদোক্লগা অতুম লৌশিল্লি। মৈতৈগী, মীগীগা মান্নদবা, জগৎ অসিগী লৈনবীবা থিওনীশিং অসিদগী তোভানবা কয়া লৈবমই। মাতুনা মখোয় মখোয়না নীংজবিবা চংচবিবা অনিদ' অকায়বা ওইগনি খন্দুনা মখোয়গী লাইরিক ময়াম লৈরগা মৈ থ'দোকপি অতুগা ঐখোয় অসি মখোয়গা শমজিন্নরমই। অতুন লাকয়েন্দা পং পং তংলকইরনি (bursting out at seams) অকিবগী মশক অমনি। হৌজিক থাজনরীবা রাফম কয়া হোং দোক্লা খন্‌হনবা তাবকপা রাফম কয়া যাওনা লাইনিক খরম বৃটিশ গোভর্ণমেণ্টনা লোংশিল্লি হায়নস্ত তানবী। মৈতৈ মচাবু পাহনগনু হায়বা মৈতৈগী লাইরিকনু শিলোংগী গোভর্ণমেণ্ট হাউসতা লোত্তুনা থগা থেংনখিবা য়াওই হাযবি। মসিদা করিস্ত হুক্লভাই লৈতে। তৌববুদি ঐখোয়গী হিস্তরী, ত্রেদিসন, কলচর মাঙহন-গনুসি। ঐখোয় কনানো হাযনত্থু ইপা-ইপুনা তাকনম্বত্থু উৎসি হায়জবনি। নিংথৌনা ভবোংখাওদা হান্দুনা হাংলগা কিহন্দুনা ধর্ম্মস্থ হোংনবা লাক্লরকপদা মৈতৈগী যুমথোং খুদিংদা মচা মশু পীশকশিং অতু খুকউদা থোংলগা ইপা, ইপু, ইপা-ইপুগী লাই-নিং লাইশোন শোন শোন শোনশিবা হায়তুনা, ওংলকপনা থাস্তবা ওম্রক্রবদা মচা মশুশিং চেংনা তম্বীবা মৎং অতু "সোনসবা-শোনসিবা" হায়বা মশামা অমা পুথোকখি। অমনা হিন্দু ধর্ম্মস্ত, বুদ্ধ ধর্ম্মস্ত,

খৃষ্টিয়ান, মুস্লিম চংলকপদা মৈতৈগী চচরকপা ধর্ম্ম থক থুগাইবা ভুমদে। মৈতৈ ধর্ম্মগী মতংশিনবা ভম্বা অনতা লৈতে। মৈতৈ ধর্ম্মদি খুংযাইনি। খুবী, খুনাওবী, খুদোনপী, খুনি থৌশিং অসিনা খুংযাই থক ওইবা, শিন্দোকপা য়াদে। অমুম্বা ইপা-ইপুনা মৈতৈগী ওইবা অনতা ভায়বা অচেংপা ধর্ম্মগী খাজবা অমসুং উকলগী মশাল্লা পুথোকখি। অসুম্বা শোকহন্দনা মৈতৈ ধর্ম্ম লোংপা অসিবু মৈতৈ কলচর কম্নবা লোংপা অসিবু খুংযাই লোংপী শাম্নবা কৌই। মচা মশু পীশত্তা লোম্না ভাকপা মপাম্ননি। ইচাওশুন চংশিল্লকুপ খিংনবা মম্ননি। পৃথিবী হৌরকপদনা ঙসি ফাওপদা হাংনবগী বারীনা থল্লি। মহাভারত, রামায়ণ মীহাংপা রানীনি। ভগবান মশামক্তা অবতার তৌই হায়রিবা কৃষ্ণ, প্রশুরাম, রাম মীহাংপনি হোলিরোব, থার্তি ইয়াবস বার, হিন্দু-মুস্লিম, খৃষ্টিয়ান-মহম্মদন হাংনবা ধর্ম্মগা মবী লৈনবা লান, ধর্ম্মগী লিংদা গাংপা লান। সেনচুনী অসি লোইদ্রি অহুবু মীদি মিঃ ১০০ দি হাংখ্রে। মসিদা করিম্নু কায়দে, করিম্নু লান্দে নোরমেলনি। তৌবদবু ঈশ্বর নৌংদবা মী লৈতে। লান থেংনরীবা মায়কৈ অনিনক লাই থুরুমই। অহুবু খুংগু-খুংলাই হেনবা, মিলিটরী মশীং হেনবা মায়কৈদা ঈশ্বর অসি হেক্তা লৈখি।

রোমানশিংনা ইউরোপকী পুলিস ওইখি। হৌজিক্তা আমেরিকা অমসুং রাশিয়ানা হৌজিকী জগৎকী পুলিস ওইরি। জগৎ অসিদা কক্কবদা, কনবদা মপা লৈতে। জাতিগী রাফরি, লৈবাকী মরোল্লি, পৃথিবীগী খোঙচংনি, নোরমেলনি। করিম্নু কায়দে অহুগা

মীওইবা অমা ওইনা মীওইশিংগী মপোক্কা পোকপা মী খুদিংমক্না নীংশিংগদবদি মনিংশ্বা মকক, মনিগুম্বা মকন-মথাক অসি মী অমা ওইনা পানমকন থোকপ্র ? লিদিয়াগী সার্দিস কৌবা মফমদা থায়না মনাওচৈদা ক্রোসস কৌবা য়াম্না ইনাক খুনথ্রবা নিংথৌ অমা লৈরমই। মহাক অসি অঙকৌ মতাক ইনাক খুনগ্রে, মহাক হেক পাম্মইবা মথৌ লৌয়ব হুম্মমই। মহাক্কী কোম্নুং অতু সনা, লুপা মণি-মুক্তা, মতুকপনা থনগ্রবা লিক-কোল, মূর্তি কয়া, তাংখ্রপা লোংতা লেকপা, হকপা লৈলাং কয়া মতুকপ ফনা মী পুম্নমক য়েংনবা লোকহল্লি। মতমদি এথেন্সদগী আইন শেম্ব সোলোন কৌবা অমা ক্রোসস উম্নবা লাকখি। মনা ইবন পুম্নমক মাঙোন্দা উংলগ ক্রসসমুক সুংথাইবা মী অমা লৈব্রে হায়না হনখিসম্ব হঙ্মমই। সোলোনদি মহাক্কী লন-থুম অতু কনিংদু থওইবনদে। ঐনা সোলোনদা পৃথিবী অসিদা থাইদগী সুংঙাইবা মী কনানো হংগ, মহুদা ক্রোসসনি মদাইন খুনজককনি থম্মনই। হংবা মতমদদি সোলোননা মানা থম্মি ! অদুদা লৌক্রু, এথেন্সগী থেলহ হায়বা নিপ অমনা থাইদগী সুংঙাইব মীনি হায়না খুমই। মহাক্তি ইম্নুং সুংঙাইজবা য়ানা মন্নন-মথুম লৈজৈ। মহৈরবাকী অয় ওইবা লানফমদ মথায় থায়। মচা মতুনা মাগী মমক অবাবা ফোংদোকই। মহৈরবাকী মী পুম্নমক্না মাগীদমক অবা ভেংথাই। মাঙোন্দগী ঐনা হেন্না সুংঙাইত্রা ! ঐগী শেল অমত্তুং ইপাঙ্গল লোইবা নাইবনা লৈ। "অতুগুম্বা পোৎনা সুংঙাইবা পুরকপা য়াদে। নোংমা লোইনবা লৌথোক খিবা য়াই। হে নিংথৌ ! নংনা হেক শিংবা ফাওবদি সুংঙাইরে

হাংবা যাদে" হায়না সোলোননা হায়বকই। ক্রোনস ভুমিম্না লৈখি গৃক অসিনা হায়রিবা অচুদা অচুম্বা য়াওই। মচা মরোন থোক্নবা অমা য়াওই। মচা অমসু মওদা লিংনি হায়রমই। শেল লৈরবসু অরাবচু করম্না কোকনি। শেল পুম্নমক পুক্নং ঈংনবা মুংহাইনবদা শীজিন্নথোকপা থৌরক্লে, সোলোনবু কাউবা লৈতে।

মচৈদা সার্দিসকী নোংপাক্তা অকনবা নিংথৌ অমা পোক্লে হায়বা তাবদা, মচৈবাক মুনপ্রগনি হায়না য়াম্না থোরমই। নিংথৌ অদুবু মায়থীবা পীগে থরমই। মাইবীদা লাইব উ হংবদা হেনীক কৌবা তুরেন হেক লাম্থোকপদা লৈবাক অম মান মাওংনগনি হায়না ফাওরক্লে। লিদিয়াগী লাম্মীগা পর্সিয়াগী লম্মীগা লাথেংনরে। মচৈদা লিদিয়ান শগোল তোংবা লাম্মীনা থোজিল্লকপদা উমনা মও থাদুনা থম্বদা শগোল পুম্নমক মনমদু হৈনদুনা চেংথাক্লে। ক্রোসস অদু ফাদুনা পার্সিয়াগী নিংথৌ সাইরসনা শীং শেনদুনা মথক্তা থম্নগা মৈ থাদুনা হাংকদবগী মৈ চুরক্লবদা ক্রোনসনা সোলোন সোলোন হায়ন কৌরকই। করিগনা মানা হায়রিবদো হায়ন হংবনা ক্রোসননা খুম্নমদে, মৈ অদুনা মৈ নৈথৌ রাংথৎলকপদা সাইরসসু থওজহৌরসন্ন হায়দুনা মাগী রাগী পুম্নমক সাইরসতা তম্নে। মৈ মুথংহনগা মাসি হিংজরনসু হায়দুনা থাকপিরে, মাদুদগী মাগী চাম্নবা মরূপ অমা ওইনা ক্রোসসপু সাইরসনা পুসি চুম্না লেই ওইনা থমখি।

(২) হরিশচন্দ্র কৌবা জমিদার অমা লৈরমই। মামুক ইনাক খুনবা লৈরমদে। ইংথোল কজগ্রবা অমগী মচুংদা যুন মঙরবা লৈ। যুন অদুগী মচুংদা সনাদগী কা, লুপাদগী কা,

(LLXXXVII)

অতোয়া শামু ময়ানা শাবা পোংথ । শামু ময়াদগী কা অমা সৈরমই।
মহাক্না হুংঙাইবা মী সৈরে হায়না। চাউথোক্ল কেথেক্লা প লমই।
নোংমদি মাগী থাঙ্গাল অতুদগী থংহোল্লা সাধু অমা হইজনগগা
মহাকী শামু ময়াগী, মহাক নত্তনা ফমদ'', চৌকী অতুদা ফমদুনা
লৈ। মনাইশিংনা তাক্চদুনা জমিদার অদু থোকলগা সধু অদু
মনাই-মপাল অমং মহাক মপামক: কৃদুনা ঈহং নাইহং শারে:
চৌকী থাদোক্না অদুম লৈ অদুগ মহাক্না নোকই। মাচ উবদা
জমিদার অদু পুক্নীং ওন্দুনা সাধু মহাক্না ফুরগা নোকইবদু কবিগিনো
হংই। মগী পাওখুমদি—''জমিদার নহাক্না চৌকী অসিদা ফম্না
কয়া কুইরবগে'' হায়বা টোহং অনিনি। চহী ১০ হে লম হায়না
খুমই। ঐনা মিঃ ১/২ ফমজবদা ইশা অনি ঈহং নাইহংন শাইরে।
নহাক চহী ২০ ফম্লম্লবদি ঐগুম্বা মী লিশিং ঈহং নাইহং তারম্লগনি।
লল-থুম, সন-লুপা, মণি-মুক্তা, মীগী হৌবংন খুংগুনম্মা ফংবনি।
ঐনা মহাক্না ফমজবতনি ঐগী ওইগে হায়ম্হ নত্তবনি; অদুবু
ইশা অসি ঈহং নাইহং শাবে। নহাকীদমক তানবীরিবা নংগী
প্রজাশিং অদুনা ঈহং নাইহং শাবগা মণি-মুক্তা, সনা অমম্লং
শামু ময়াগী পোংয়াম অমি শারকপনি। মথোয়দি মপুন্সি চুপ্পা
রারগনি, ঈহং নাইহং শারমগনি। নংগীদি হাবদুনা চাউথোক
চরিবা পুম্নমক অনি নংনা শিবদা পুনবা লাক্নী। পুনা ঙনম্লগা
সনাগী রেত্তম মচা অসিনদি নউনদা থেত্তুনা থম্লগা পুথো হাম্ল
দুনো সনাগী রেত্তম অমা পীম্লগা চংঙ্গ। ফুর ফুংগা নোকুনতা
লৈবা সাধু অদু হরিশ্চন্দ্রনা তাইবংবা মনিং হেক উইশিনবদা

উই। মথং মথং থম্বকপদা ভাগ তানকুনা পুম্নক হসি অংখনি. শিবদা পুগদবা অনতা লৈতে. হান্নাকুনা চংখিদা হায়বসি নোংমদি শোয়রোই হায়বসি থংলক্লবদা মমুন-মথুম পুম্নক লাইবদা ম্নেম্নোকপা হোৌরক্লে। সাধু অহু কদাইদা লৈবগে .কায়থৌ থিঙ্নে মমৈদা মহাক্কী সেবক ওইখি।

তাইবং মী হসি মশাগীদা য়েংবা জৌগনি। মশাগী, মচিন-মনাও, মচাগীদ য়েংহ্না চংখি। লৈবাক্কী মন্ত্রিনি. লৈবাক্কী অভয়নি কাউখি। সমাজগী, জাতিগী অপুনবা পুনথ, থাহ্না মনীং থোখি, বক্সেং ংখাই অমা লৌথোক্লব, লাক্লরকই। অহুম্নদি ওইরগা কাগৎপা হায়বসি উদা প্রমাণ তৌরগা উশা উশাদা পায়বগা কাবনি। উগা অহ্না মাবু মনীং তমহন্দে। মনীং হেক তম্নকপদা উশা পায়বা থাদোকপা তাই। মাহ্নদা তাহ্না শি। ইমুং, সমাজ, ইজাতি উশানি, মখোয়না ক্যাদুনা তাহন্দবনি। মখোয় অনি থাদোকপা তারবদি অডাংবু মীংতমহল্লবদি মৈ শাম্নগনি, ক্ষুব মচীন শাম্নগনি, খোই মঙনদা মখুং খিংজিনগনি, হুইগী ময়াদগী শক্ম মুখুনি। অডাং অহু করি থোকনি। অহুগুম্না মন্ত্রি, অংম অথৌ কয়া, চাইথোকপ্রগা য়াওগুম, শম্বুগ কায়নরবা শল, কৈনা চায় হায়বগুম সমাজ, জাতিগী বাংমা লাম্না নাইতোম চংপ্রবদা জাতি অহু মাংলকই। মশা মুংভাইনবা, ইনাকখুম্নবা লাক্লবদা নাইতোম চংখি। জাতিগী ওইনা ওইনা চৎনববা, মতোমতগী ওইনা চংখিদনবা মৈতৈনা "তম্নন কাইবোক" শায়ে, তম্নন হায়বদি মতোমদা ওান্নে থক্কৈ। অহুবু হেম্না তাম্নবা কাইবোক ওইজরো নচা-ননাও কাওবা চাউনবা

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চংচদে। [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নহক্কী [illegible] [illegible]
অ[illegible] নইন্তা। চংলি[illegible] মধানগী [illegible], [illegible], জাতিগী
[illegible] ক্রপা, বাক্টেদগুম্না [illegible] চংপ্রব মতম [illegible] ফাইরেক শাও
শাও হায়না বামই, তম ফাইরেক [illegible] হাত্মন [illegible]
মশাগ্না অমন ফা [illegible]। [illegible], মশাগী [illegible], মশাগী ওইজন্দ
চংশিন্বা জাতি অসি মুংলগা [illegible] মতমদ চাইথাকপ্রব
মীয়াম অসু মথ মপ [illegible] [illegible] অ[illegible] দিসিপ্লীন অ[illegible]
মথাদ পু ক্রপা মঙ মং, তং তরাদগী [illegible] লৌশীন্নবা [illegible] চাইগী
শান্নবা তম্বী। [illegible] চং ১০ লৌশীল্লি। লৌশীল্লিবত্ত
চন কোন্দু থম্লগা ২০/৩০ লৌশীন্নবা শাম্নবগ লোইনব
লৌশীল্লি। হাযবদি অহানবদা ইম্মুং তং, মথংদা লৈকাই, [illegible]
সমাজ অমা অয়োবীদা লোখৎ-পুখত্নুনা জাতি অহ মাঙথদনব
হোৎনৈ। মাসিদু অচাউনা শান্নবা কো। মসি পূন্নমক্কী হায়বদি
মীওইবনা ঈশ্বরদগী লাপথোকখিবদগী লাকপা অৱাবনি। মবক মরক্ত
লৈকাই হৌনা, লৈবাক হৌনা সুমিৎ লপ্পগা পুন্না ঈশ্বর খুরুম-
গদ্দনি। মাহদদা জাতিগী শাজৎ-লিচৎ কায়হন্দনা থপা ঙংগনি।

থরো, থম্বাল, আটরগুলাপ, লৈহাও মশানা লং লাইরগা মচু
শঙদুনা শাজ-শেংচবা ফিজেং নত্তে। বাহোং, তেনবা, লমথুম্ন, ব্রেক

মার্কেট, লল্লোন-ইতিক, চোর কারবার, শেল চাদুনা হিংজবা নত্তে। অদুবু পৃথিবীগী মনুংদা থাইদগী ইনাক খুনথবা ক্রোসস., হরিশ্চন্দ্র, সোলোমোন, দুর্য্যধন, রাবোন, থরো থম্বাল, রাহোং তেনবাগা ফজবা, নুংঙাইবদা চাদম্নব থক য়াদে। য়েংথিবদ মীংকম থক হাংবা য়াদে। মথোয়নস্থ করিস্থ পীবিরকপা লৈতে। অদুবু য়েংনিংঙনত লৈ।

জগৎ ব্রহ্মাণ্ড কায়দনা চংলি, নুমিৎ, থা, নেকেগু অমগী, ইক্কি অমগী খোঙকন কায়না চত্রি, জগৎ অসি নোর্মেলনি করিস্থ কায়দে। ঐথোয়গী ইমুং, ঐথোয়গী সমাজ করিস্থ কায়দে নোর্মেলনি। মীৎনা কৃপদা শেংদোকচবা য়াই। হৌজিক রাদিবদি তাইবঙ মী অসি ঈশ্বরদগী থাপতোকপ্রে। ঈশ্বরগী মতুং শেলনা শিনপ্রে; ঈশ্বরগী সেবা পাওতোরদা চংথিবনা ঐথোয়না রাজবনি। ইজিগ্না অঙাং হাংমনদগী মোজস পোকখি। কংসনা ওৎমন্‌বদগী কৃষ্ণ পোকপনি। "যদা যদাহি ধর্ম্মস্য গ্লানির্ভবতি ভারত" ধর্ম্ম ওসিনা মাঙশিন্নরুবা, ধর্ম্ম লৈতবনা সুম হেনগৎলক্লবা, মাংথরকইবা ধর্ম্ম অদু মকম চানা থম্নবা, ধর্ম্ম লৈতবা, ধর্ম্ম নত্তবা অদু মাংহন্নবা, ফত্তবা থবক পুম্নমক মাংহন্নবা ঐ পোকই। হায়বদি কৃষ্ণ নত্রগা রাম পোকই, অমুকন্থ পোকলকনি হায়বা নত্তে। ঐথোয় মীপুম থুংনা, ধর্ম্ম লৈরক্তবসিদা লৈহন্নীংলকপা, ধর্ম্ম লৈতবা থবক পুম্নমক লৈহন্নীংদবা, ফত্তবা থবক পুম্নমক মাঙহন্নীংবা রাথন অদু মীপুম থুদিংদা পোক্লবদি ঈশ্বর অদু পোক্লে

হায়বা য়ারে। ঐখোয়গী পুক্নীংদা অবতার তৌরবনি, তোঙানবা কৃষ্ণ ঙমা পোক্লরোই। কৃষ্ণ পোক্ক লৈগদবদি অশেংবা থম্মোইদনি।

অতুগুম্বা পুকচেল অমা পোক্লনবা গোকুল, মথুরা, বৃন্দাবনগী মীয়াম্না ঈশ্বর খুরুমখিবা অতুগুম্না ঐখোয়স খুরুমনি। মৈতৈ পুম্নমক্কী ওইবা পুম্না প্রোগ্রাম শেম্মিন্নরগা মুমিং, পুংকম মরক মবক্তা লেপ্লুনা ঈশ্বর খুরুম্বা ক্রবদি মৈতৈ মুংদা য়াবগী খোংচক অমদা চংশক্লে। কুচবিহার, ত্রিপুরা, কাছাড়ী, জগৎন, থওনবা কার্থেজগী মশা তাহনগনুশি। জাপান উংতগী হৌগংখি। ঐখোয়দি ঈশ্বর খুরুমজবা নংনা অতৈ উপায় লৈতে। কন্না লাই নীংগ্রনি:

ধর্ম্ম লৈগ্রবা নিপা অমগী মচা অনি পোকই। মপানা মখোয়গী গুরু অমা বোবিরগা মহৈ তংহল্লি। মখল মখা অয়াম্বা বিদ্যা তম্বীরে। পুম্নমক হম্বীবা লাইদগা মাবানিগী গুরুনা অরোইবা ওইনা মাবানিদা মন্ত্র অমা পী, মন্ত্র হঙদি: পিতা ধর্ম্ম পিতা স্বর্গ পিতাহি পরমংতপঃ। ইপানা ধর্ম্মনি, ইপানা স্বর্গনি, ইপানা লাইনীংনি। মচা অনি অসিনা মযুনদা হল্লক্লগা মপা নীংবা হৌখি। মচা অংনা অমুক অঙনবদগী তুম্না মতম ক্বাওবা করিগুম্বা অমা চৌদে 'বাবা, বাবা" কৌহনা লৈ। মচা অমনা ঐগী ইপানা নীংইবসি করিনো খন্দোকই। বাবানা পাম্বসি ইমু-মঙং চরা হেন্দনা পাম্মী। মানা কন্না নোমদুনা ইমু অতুগী চাবা ওক্নবা পৈশিন্নী চেং, হয়াই, শীং, ইমু অতুগী মী পুম্নমক্কী ফিরোন বাংতনবা পুশিন্নকই। হন্তা হৌগংলগা ইমু-মঙং, মুমাং, কোম্বোং

রাই শিত্তোকই। মপানা ইরুজনবা ঈনিং শাকচিন্নি। অহুদগী হেন্দুনা লৈকাইগী অশি-অনা হংবা কোয়না চংলি। নোংমা নোংমগী মচাগী ফজবা, মীংচং, থবক পূন্নমক অহুগী নীংথীনা পুন্নমক লম্মাংদা শন্দোরকই। চশোন-অনা কয়া সেবা তৌই। নাইনিক তম্বা হুমদবা লায়রবা কয়া মতেং পী। মপা অহু লোংনবা উনদে, মপানস নোংমতা উবা ফংদে। মপা অদুন মহাক্না উন্নদীংবকই, কৌরকই, মচা, মনাওদা সাবু উন্নশি হায়না কোয়না থিহল্লকই। সাগী থবক মাংতী চনস্থং মওং অদুদা মপানা নুংশিরকই। মাবু উন্নীংবনবা লৈ। অমদুনা হেক নাওগ্লকপদা তুম্মনদাই ফাওবা কবিংত্ত তৌদে, চাক চাগ তৌবদা বাব, বাপা, চাক চানিবরা বাবা, তুমগে তৌবদা তুমইত্রা বাবা? ইরুজগে তৌবদা কদায়-দনো বাবা, মফি হেক চিং। খেও হাংগে তৌবদা পাব কদায়-দনো হেক ঈন্ মানা সংদা মপা অদুনা শাউদুন ফুরক্লোইদ্র! খুবাক চারোইদ্রা? মপাগী নাম শোনবগা হায়রবু মপা ওংপা তাদুনা মপাগী শাপ ফংগনি।

অহুওম্না ঈশ্বরদি পুন্নমক্কী মপানি। ইশাবু নীংবদা ইপানা পাম্বা থবক অহুতা তৌগদবনি। মৈতৈ হায়বা জাতি অসি ঈশ্বরনা শেম্মীবা তোপতোপ্পা জাতি অমা ওইনা লৌরগা, ঐখোয় ইশেন মুংশিনবা, চাওখত্তুনা জগৎকী মীওই পুন্নমক্কা মান্নবা ছিংমিন্নবা অমসুং খুংশম্নবা চৎমিন্নবা অদুদ নিজগদবনি। মাতুগী থবক অহু লৌখৎপদা ঈশ্বরনা পেনগনি। ঐখোয়বু উন্ননীংদুনা কৌরকনি।

চয়া হেনবা অমসুং চায়া

চয়া হেনবা কৈ ফত্তেগী মরমদা অফাওবা ডাক্তর কয়াগী মত।

লাইনা কয়া অমসুং ককচাংগী অবস্থা কয়াদা চয়া হেনবা অপি চংই, অদুগা য়াম্না ক'ম্লবা য়াওই : খুদম ওইনা পুক চাথংলবা, ডুওদনেল চাথংলবা মতমদা (ঈ থোকই) অদুগা পুক্কী ওপরেসন তৌরবা মতুংদা, লাইতো লৈরবদা চয়া হেন্দবা য়াদবনি চয় হেনভনা ঈ শেংহনবনি। ঈ মোংলবদি শেংদোক্লবা চয়া চয়া হাইবসি পুমচুম চুমদবদি নত্তে। মরমদি ঈ শেংদবা হাইবসি থোইরিন্দা পথ-পুমথবা থোকপদগী লাকপনি। থোইরিন্দবু পথ পুমথরবা কত্ত-হৌদি অহু লৈহল্লবা অদুগা শেংনা অদুম থম্বা ঙম্লবদি ককচা'না মশাগী লৈজবা ঈ শে'দোক্লবা পাজলনা কিদনী, থবোম্বী অমসুং অতোপ্পা ঈ শেংনবা ইন্দ্রি কয়াদা হু-শিং অদু লৌথোকখিদুনা তোং পুম্নমক চামথোক্কুনা ঈ অহুম শেংনা থম্বা ঙমই। চয়া হেথদা মরু ওইনা কান্নবসি চুম্নগী প্রোটিন চাদবগী বাঃদনি। প্রোটিন য়াওদবা পোৎশক্কী মতম থয়া চায়গা চয়া হেয়গা য়াদে। ঘী থাওগুম্বা মহাও য়াওবা পোৎ চাদবহু কান্নবা লাকই। অদুনা ঘী-থাও চাদবা দরকার ওইবহু লাকই। <u>চিনিগা, চনাংগা অমি অসিদি থাবোকপদা কান্নবা</u> কয়া পংনা উরে। অমি অসি লাইবক্তি ডা[illegible]-ডা[illegible] অসিদি

হূ চেনহন্দবা [antitoxic] পোৎশক্লি। হূ চেনবা মহিক-মত্তাং হাৎনবা কাম্লবা থবক ভৌই। হকচাংদগী থোৱকপা পোৎ-শক নত্রগা ৱস (excretion) ঈদগী থোৱকপা থোইরিনগী ৱস অসি ভত্তনা চৰা হেল্লবস্থ চাবৱস্থ থোক্কুনভা নৈবনি প্রোটিন য়াওদনা মনা মশিং নৈ ঙাক্কা চাক নত্রগা ভল চাবগা নোংমগী খোং কজনা হামদোকপা ঙমই। চৰা কুইনা হেল্লগা হকচাংদা শোকপসিনু ওথাক থম্লনিঙাইনি।

য়াম্না শাংনা চৰা হেল্লগা হকচাংদা ফত্তবা কল পীরিবসি ইক্রি পূম্নমক্কা শোকথৱকপা অসি শা অমস্তুং মীওইবদা চ'' য়েংবা ওইনা চৰা কূইনা হেনহন্দুনা য়ে'বদা উবা ফংই। চিঞ্জ'ক ৱাৎপদগী জীবগী ওইবা মৈশা অসি য়োকথত্তুনা থবা ঙমদে অদুগা হকচাংগী থবক মথল কয়া অসি নিংথিনা ভৌজবা ঙম্লক্কে। মসিগা চাংদম্নবা য়াবদি শী' ভাংবা হ'য়বদি শীং ফংদবা মহেমদা ইমুং অমদা নিংথমথাদা অহাগ্বদা ইংশিল্লক্কুন। শিবা ভাৱবদা ইমুং অত্থগী মীনা অহাগ্বদা ফনিচর হাইবদি চৌকী-মেজ থাইদুনা থারকপা ভারকই। মতুংদা পাত্তিপন, শিংনিং, ক্লোথ থারকই। য়ুন্বী মথোং ফক্লাং শীবা ভাৱকপনি। অদুৱু শীং নৈৱগা মচু কাওবা চত্থগম্রা'? অদুনা শীং থৱস্থ নৈদি?ভদনি য়ুম শিদোকপগী থবক কাওবদি থৱা চত্থরোই। চৰা হেমদা হকচাংদা থোকপিবদু মসিবক্কা মাৱবনি। মোইরিবা শরুক হায়বদি অহেম্বা অনোইবগী ভোং অসি ভুংদা শিজিম্লবা চিগাক পৈশিল্লুনা থম্নগী লাংথকনি; অদুনা চৰা হেমদা অহেবা অনোয়বা

মহাওগী হোং অদু লৌথোকপদা করিস্ত অকাইবা অমাংবা লৈরোই। অদুনা য়াম্না থীনা নোয়ত্রবা মীদা য়াম্না চেকশিন্না অহৈবা ডাক্তরনা কুপ্না শেন্নরগা চরা হেনহন্নবদি নোইবা হন্থহনবগী য়াইদগী ফবা প্রতিকার অমনি। অদুগা ময়াং কংত্রবা মীওইদা চরা হেন্নবদি থবক কয়া তৌজবিবা হোং তিস্থ অদুবু ঙাকপি শেনবিনবা (protect) মহাওগী শকক লৈতবনা চরা হেনবা হেক হৌবগা ইন্দ্রি কয়া মথং মথং মাংহনবা হৌরকই।

মীওইবগী হকচাং অমস্থং ওই, থেব অমস্থং অতোপ্পা জীবগী হকচাংগী কেলোরী মেটার য়েংবদা চর হেক হেনবদা অহানবদা য়াইকোজন অদুগা কার্বো-হাইড্রেট কায়া লোইশিনখি। মসিমক পুম্নোই হোইথোকপদি তৌদে। তুমিং হুম্নি মকপদা হকচাং অপুম্বগী চাম্বদা মরি লৈকম থোকপা অদুগী শকক থরম লৈহৌই। কার্বো হাইড্রেট হেক লোইখিবগা মহাও (fat) লোইশিনবা হৌরকই। মহাওগী শকক লোইশিন্নকপগা লোইনমা প্রোটিন কায়বদি <u>অলবুমিনস</u> তিস্থ শীং অদু, কেট লোইশিন্নকপগা লোইননা, শিজিন্নবা হৌরকই। অহানবদা হকচাংদা শিজিন্নদনা ঙাওদুনা লৈরিবা প্রোটিনশিং অদু শিজিন্নরকই। হায়বদি চাকথেক্রকই। অদুদগী কার্বো-হাইড্রেট পাইরকলে, মতুংদা মহাও পাইখৎলকই। কার্বো-হাইড্রেটনা গ্লাইকোজন ওইনা লীদুনা থমই অদুগী অহেনবনা মহাও ওপোক্লগা অমুক এসিটোন তিস্থ (য়েসবিন) ওইনা থমই। অদুগা প্রোটিনদি লীদুনা হকচাংদা থম্না ওমদবনা অহানবা হেক চরা হেনবা হৌগৎলকপদা

প্রোটিন থাম্লা চাকথেকপা থোই। চরা হেনবদা মাংথোরকপসি য়াম্না থীনা পুম্নবা অমাংবা ঙাকুনি। শাদ চাবা মীগী অমাংবগা মাইপ্ন থায়না ভোন লুরদোম্লা হায়। অসি থবক অমসুং মওং হোংই থায়বসি (atrophies) ডাঃ জে, এইচ, কেলোগকী, মথাক্কী বেটল গ্রুক সেনাভারিয়মদা চাংয়েংবদা ফংবা রাকমনি।

ষ্টেকেউইচনা হুই, হৌদোং থেব, শুন্দ, থঙোই চুমনচিংবা জীবদি মতম কুইনা চরা হেনহন্দুনা য়েংবদা থম্মোই, কিরাক, মসল, কিদনি, পেনক্রিয়াস অমসুং গ্রেন্দ কয়া অসি মরাই ভাবা শকক্ষম ওইরকই হায়। অদুগা গ্রেন্দ অমসুং ভোংনা খাইদগী হেন্না শোকচিনবা হেল্লকই।

'জেনদার' না চাং য়েংবদা খুন্দুগী থম্মোয় অসি সুমিৎ ৮/১২ শুরকপা অসিরাইদা মরাই ভাবা থৌরকই। গেগলিওনা চাং য়েংবদা থঙোইদা চরা হেনহনবদা মসলশিং অদু থৈথু মচু মাম্না পোয়থৎ-চাওথৎলকই। অদুগা কিরাক অসি মথাও চাওনা ওল্লকই। গ্রেনুলার অমসুং মথাও (granular as fatty degenaration of the lever) থোকহল্লি থায়।

চরা হেনবা মতমদা হকচাংগী মাংথরকপা।

মথাওগী ভোং	৯৫ চাঙদা।
মসল	৪০/৪৫
থম্মোয়	৪০/৪৫

গ্রেন্দ	৪০/৪৫
উ	৪০/৪৫
শক	১০/১৫

চারিবা চিঙ্গাক অসিদগী মাওইবগী (থবক ওন্নবগী) পাঙ্গল পি হ'য়বা ভাব অসিদগী পাঙ্গল মথেং তাদনবা চাদ্রনা লৈগদবনি হায়বা বাক্য অসি লাকপনি।

মাওইবগী চিঙ্গাকশুগী ভাইবং মাগী থবক ওন্নবগী পাঙ্গল খোঙকইবা মওং অসি সাইন্সনা ঙাকশনা বাক্য অসিগা লোই-নমক্তি চায়বদি নত্রে। চিঙ্গাক অসি হেক চাশিনবা পুং থরগী মতুংদা ভুমলগা হেক্তা থবক ওন্নবগী পাঙ্গল পি হায়বসি অয়াংবনা থাজই। চারিবা চিঙ্গাক অসিনা মথং মথং ওনগ্রিবা, হকচাং মপুংদা চিঙ্গাক্না লেরিবা মওংশিং অতুগী বারী-লীথুন থংলগা মতুংদদা চিঙ্গাকশুগী ওন্নকপা হকচাংমকী ওইবশিংগী মশক ওইবা লোংশক (the accumulated fuel substance) অতুদগী থবক ওবগী পাঙ্গল পিরকপনি হায়না সাইন্টিষ্ট-শিংনদি থাহই।

কুপ্না খোংদবা মাওইদা লাইফেং ওন্নবা উবা বাক্য অসিদগী চরা ২/৩ হেক চাদবদা, চরা পিজদবা ভাবে হায়না কিনম্রিবা অসিনি। হৌগৎলকপা অমসুং চরা হেন্নিবৈগী মতমদা কুপ্না লেন্নবিরগা থা ১দগী ২ ফাওবা হকচাংগী ফিভম মতুংইন্না চরা হেনহনদা হকচাংদা পীজদবগী কওবা অত্থু থক কংলোই। করম হাইনা লোই লেনহনবগে হাইবা বাক্য ভাব ভাবদি চিঙ্গাকা

হকচাং ফবগা মরি য়াইদগী নত্তে হ'ইবা পাংফম লোকই। চিন'ক চাগ্রিবা চিঞ্জাকতগী হকচাংনা হকচা'গী (থৈ থাংনবা থম্বগী) শীং ওইনা মরাক অসি লৈলিন্দুনা থমই। কাপ্রবা য়াং অতুংগী খরদি মরাও অসি লৈরিবনি। লম-উতেনচিংবা ককক কয়া লোম্বা জীবনা থবক কয়া শুবা মতমদা নংগা মকোক্কুলিদ চংলা মতমদা চাবা ফংদন মতম কুইনা চাকুবস্তু চিংবগী নত্তনা থবক তৌ বগী পাঙ্গল পানবা মরাওগী মপুন ওইনা মকক লৈতুনা থমগুম জীব পুম্নমক মরাও অসি অহং থ'দা শিজিন্নবা হকচাংদা লৈতুনা লৈ। অম্মুম্মা চাদনা মতম খরা লৈবা উম্বা হকচাংগী শা ওইনা লৈতুনা থম্বা মরাওগী শরুক অসি মীওৈরোম্বগী মহৈক অমসুং জীব পুম্নমকী ওকনা লৈ। মীওইবনা ফুকনা থম্বা য়াবা পোৎ-চাক লেহুম্বা লৈলিহুক্রে, লৌই শিংউবা লৈরকপগা চিঞ্জাক য়াংলক্কুবগা লোংমগী ২, ৩, ৪ রক চা'বগী চা' অসি লৌনবা ওইনা থম্নকপনি। অতুগা শা তংদুনা চারিরৈদদি চাং নাইনা থক চারমদে লৌজিকস্তু জীব অয়াম্ব' লেক ফাউ, ফিরুব, সকব লৈরে। নাইরিবা অককুনবা পুং য়েংদুনা কাংদি থিংলগা চাবা অমিনা চাবদা চাং নাইদনা চাবদগী লেম্ন' মরোমংগী ওইবা নিয়ম কায়বা লেপ্লিবনি। অচাংবাগী দমক্তা মতাং চারিরৈদগা শংচা চাশিনহুনা মকম ওইনা অরিবা চিঞ্জাক [Store Nutrition] লৈহুনথম্নগুম মীওইবনা শংচাদা চাশিনবা অতুগা মরক্তা উটকুমনা মরুতুমিদা চংহুনা মকম অতু শিজিন্নখোক্কুবনা হাইবংমীগী মরুম ওইনা মপুকতা কাদিবা মরুম অতু করিগুম্বা মওংদা শিজিন্নবদি অতু-গুম্বা থিউমেন-.কমেল মরুম কারবা হাইবংমী ওইনা পোক্লবা উট

অদু পোণা তাংবা। ডীনি পুকচৈং, মখংদানবা, বুকংগ্রমগী
অমসুং থাঙ্গী মিথিল. ফিবনি পোকপা ফিভমগা পুরকই।

ঐখোই ঐখোইনা চাক্রিবা চিঞ্জাকশী পৈশিনরুবা মকচাংশী
শাংক্লপ শিনবা পোৎশক কয়া অদুগী চা' থবদি অমত্থা মচু'
ইম' চৰা ফেন্দুনা শিঞ্জিনখোকপদি মকচাংদা থাম্না কায়বনি
মথনি মকচা' শাফেনগী মরু ওইবা নিংথমগী মরু ওইবা
শরুক অমনি থাঙনা লৌগৌনা শংবিকম খোকই। মসিদগী
ঐখোইনা থম্মদবদি মতম থদা ইশানা চৰা ফেনবদি শুগ্নী
থুনা কম-তৌদি অমোংদা শিংজৌক-শেংদোকপগী কল কংবনি
থাম্না লৌথম খোকই। অদাবগী মরুওইবা ফৈকমদি মকচাং
মসুংদা পোৎশক কয়া পৈশিন্দুনা থম্মগনি। কথাম চাওবদগী
শংচা চাশিনবা, অদুগা থন চ'নবনা শংচ' চাশিনবা অদু নত্ত্রগা
কম্ন-তৌদি অসি মকচাংদগী মপুং কানা লৌখোকহৌদবা অসিদগী
খোকপা ঙাকনি। মসিবু কদনগে থাংগবদি চৰা ফেন্দোকুনা
কম্ন থাওদি অসি শেংদোকচবা নত্তুনা অইভ কৰি কদনবগী শাইম
লৈরিবগে? মরম অদুদা ঊনা চিঞ্জাক ফেম্না শামলকপদগী মক-
চাংদা অচেনবা ভুংশিল্লুনা লৈবা শকক পুম্নমক শিঞ্জিনখোকই,
মেন্তাবলিজমদা পুরকই, থাংবদি ওক্সিডাইজ .. ই ওক্সিজন্না চাক-
থেকই]। মকচাংদগী কম্ন-তৌদি লৌখোরকপদু হৌশংলি।
চিঞ্জাক অসি চাবগা ভুমলগা পোকপা কম তৌদি অদু শেংদোকপগী
থবক কিদনিনা পুম্নবনা, চৰা ফেন্নিতৌদা থাম্না মকচাং মপুংদা
লৈজরবা কম তৌদি অহুভমক শেংদোকচবা ঙমজরে। অদুনা

হকচাংদা চৎলিবা মৌনা অমুক কত্ত হৌদি পোকহনদবা, অদুগা হান্নগী কত্ত হৌদি শেংদোকচবগী থবক্তা চত্থজবিবা লম অনি অসিনা সেল অমসুং তোংশা অসি শেংদোকচদুনা থরাইগী হিংজবদা চংইবা অশেংবা পোংশক অদুতমক লৈজবা ঙমহল্লি। অদুগা অমুক হয়া চাশিল্লকলবা মতমদা অনৌবা চিঙ্গাক্তগী মশা মশাদা অমুকহয়া শেমগৎচবা ঙমই। অসিগুম্বা থবক অসিনা হকচাংবু অনৌবা পুন্সি অমা পী, হায়বদি নহা অমুক হয়া ওইহল্লি হায়বসি য়েংনঙাই লৈতবা রাক্পি। জীব ওইনা পোকপা মপোক পুম্নমক্ত মসি চাংয়েং অমা ওইনা লৈরবনি। চয়া হেম্বু কিরুবদি হৌজিক্তা লৈবাক মচা তারকপনি হায়রিবা যুগ অসিগী মহৌশাগী নিয়মদগী লাপথোকপ্রবা, শেমদোক-শেমজিলগী খুৎচংদা চাং নাইবাঅককুবা মতমদা চাশবা হায়বসি লৈবদগী তোঁবতনি। তাইবঙ মীগী হিংনবগী পান্দলবু মতম থরা চাক চাদবদগী মাঙহন্না নক্রুপা মতম কুইনগী শোনহনবা তারবদি তাইবঙ মী হিংলমলোই, চাউথহলমোই পৃথিবীদা লৈরিবা জীব পুম্নমক্তা মপু থক ওইরম-লোই হায়না বনার্ট মেকফেদরনা হায়রম্মী। চাশিনবা অসি মতম থরা তোক্রগা ফংলকপা থরায় হিংবনবগী পাঙ্গল পীবা, হিংনবগী পাঙ্গল অমুক হিংগৎহনবা অসিনা মীওইবগী থরাগী পাঙ্গল হেনগৎহন্নবগী মরু ওইবা পোৎচং অমা ওইরক্লি। জীবগী পুন্সিগী অচম্বা মওংদি, য়াম্না হোংদবা অতুনা চাংয়ু হম্বুবা মওংদা চিঙাক চাবনি। যমা শজিক চায়, কৈনা শা-চায়। জীব পুম্নমক্তা মনুংদগী তাইবং মী তদি চাবদা চাং নাইদবা অসিদা খ্বাইদগী হেন

হেন্না হৈননা চৎলে। মসিগুম্না মাগী ওইনা লৈজবা নত্রবা অমম্বা পুম্নমক্তগী লাপ্তোক্লুনা অনৌবা লম কয়াদা চত্লুনা', অনৌবা চৌগ্নাক কয়া থিজ্লুনা', পৃথিবীগী মনুংদা থাইদগী চোইনা তাবা জীব ওইদুনা মমৈদা জীব পুম্নমক মাগী মথাদা থম্বা ঙম্লকই। মানা চৎশোরকপা থুমিংদা! চৌগ্নাক অসি য়াংপা কাল লাকই। চাক অসি পুক থম্মা-থম্মা অতমলক্তগী ঙাদনা চাগৎনবনি হায়বা অমিনা অহেম্মা ওইরম্লবদি মীওইবগী লৈবাকমচা তাবা অসিবু অসি য়ৌরমগদ্রা? মীওইবসি অদু ওইরবদি অডবা মতাং অমদা চাউখৎপা লেপ্লমগনি অদুগা মানা হৈনজবা য়াঙ্-পাদবা মফম অমত্তদা অদুম লৈজরম-গদবনি।

চাং নাইনা, চাং কায়দনা' চাশিনবা অসি জীব পুম্নমক্কী ওইনা লৈরবদি শংচং-চৎতুনা লৈব জীব মথৈদি নহাম্না মূৎথ্রগনি। ভঙ্গমগী কৈ, নোংশা নজ্রগা থাইনগী মীওইনা হিংদুনা লৈরকপবু চরা হেস্লুনা লৈরক্রবা অমত্তং লাম্বমগীনি হায়বদি লামজুনা পংচা চাশিনবদগী মথুক শেৎকপদগী থোনা অমম্তং পাঙ্গল থোরকপনি হায়রবদি অয়াম্বনা নোকনি। চরাম্ররবা চাজবা ফংদ্রবা কৈ, নোংশা অদুনি থাইদগী শাখিবা শাহিং চাবদি! ইতিহাসকী লামায় হাংদোক্লুনা য়েংবদা চৌং মান লমহাংদা চাবা ফংজদনা লৈজবা মীওইশিং অদুগুম্না নিংথিজনা মহৈ-মরোং মপুং ফানা থোকপা লমগী নিংথিজনা চাদুনা নোইদুনা লৈরবা মীতাবু লাম্দা অয় তৌথিবা ঙাক্তনি। জীবগী হিংনবগী মরু ওইবা মীয়ম অমত্তং জীবগী একচাং অমিনা মথং-মথং চাওখৎলকপগী হৌকবদি

হৌজিক ফৌজিক চাগ্রিবা চিঙ্খ্রুগী পম্বল অমসুং থবক তৌবগী পাঙ্গল অমসুং থৌনা অসি লৌগনবা নত্তে মতুংগী মনায়বা ভোংশাল মোট পেলমন্নুনা যোক্কনা তৌরিবা অতুংগী পুম্নমক অসি লৌগনবনি। মোট-পেলমন্নগী মহৈ অসি শা অমসুং মীওইবগী ওইনা তাক্লকপি অসি উৎপা যাই:—

(১) চাবা অমসুং তুঙ্গা অতুগা তুমদবা শকক থোরকপা।

(২) তুমলবগী ইন্দ্রিগী রাল-লোমমগী ই-হৈবা চিঙ্গাক্তী তুমলবা শকক অতু ই দা চংবি। অতুগী তুংদা ইদগী হেংজাদা অমসুং মকচাগী সেপদা পুথিবনি।

(৩) তুমগ্রবা পোৎশকশিং অদু সেল হোৎপা অমসুং ইন্দ্রিশিন্দা লৌশিনবিবা।

(৪) তুমগ্রবা পোৎশকশিং অতু মমল, মেক অমসুং মরীনী পুক্কিমং চংবিবা থবক মদু পাংথোকপদা শিজিনবা।

অথানবগী অতুম অসি চৌঙ্খাক চাশিন্নবা পুং খরগী মতুংদা থোকপা থবক ছাক্রুনি। করিন্নমা মতুংগী থৌউস (process) তি থরাইনা তেক ফিংলিবা য়ৈথ চৎথবনি। তুমহুবস্ত সেল শিজিন্নহনবস্ত (Cell filling process) থবক অসিনদি মুমিৎ কয়া চৎথরিবনি। চাদনা পুমিৎ কয়া ফিবা তুমবাগ অতুগা চা অমসুং থবক তৌবগী পাঙ্গলগা লোইননা ফিরুনা লৈবা তুমবাগে লায়বসি রাকপ কয়া চংই; দায়া চাগ্রিবা পোৎশক অতুদগী তুমবিচনা ইদা লৌশিনগ্রগা মোট পেলদরিবা পোৎশক (nutrition) অতুগী চাং অমসুং মগুণ অতুম মরু ওইনা শিংথাবদা

হংওদবনি। চংশতাংবগী মীনা মশা লোক্লগা লিবগি চংনবা হাংদগী হংকু নত্তে, চুপ্পী চংনবা চিঙ্গাক্তা অসি হংপুবনা হংদবিদুবা তাক চংশিনবিদনা মহৈরদা লেংকপকপনি। তাক কংবা মশুগদা শিরকী লেংবা জাংবা কারকপা মচুমদা লিবনা মথাং লেপ্তবসি মসিগী মরমনি।

অকোনং শাংলেম্বা কৈরবা মী অসি মৈরেংবগী তিংনবগী পাঙ্গল অসি মিংশিনদনা মপুংফানা পুথংলগ তাবরা লংদবনি তাক তাবনা অমক লেংবা চুপ্পী পাঙ্গল অসি অশোইবা লেংকুনা অফবা ওয়রবা মতমদনি। অকনবগী মপুং ফাবকপা (efficiency) কংবসিনি অকোংবা লৈতরবা মোই-শেমনবগী লেংদক এইনা থমজিনবা পোংদক অকুপ্পীনা মশাগী মোই শেমজবা ওমজবা মতাং অকুপনি চহী অমা তেম্বনা কাম্নবসি লোক্লনা থমজিনবা মোই শেমবা পোংদক অকুপ্পীনা অকোংবী থবক পুম্বক পুখবা অকোংনা তমজনবা ওয়ই। মোইগী মশিংশিংনা পুকপা চাদনা চহি চাদা পুশিনবা ওয়ই। অকচাংনা লাংশিন্দুনা থম্নিবা মোই শেমনবা মতাক অড় মথাং কাইনা চহি কয়াগী ওইনা লৈগ্রবনি। মাঙাম লাবা মওইনা তৌথিক তৌথিক চাবা অকুনা থবক তৌবনি। তিংনবগী পাঙ্গল লৈবা [Vitality] অমনা মাগী এইবা পাঙ্গল [Strength] লৈবনি মতাঙ্গা গাক্কিনা ভাইটেলিটি তিংনবগী পাঙ্গল লৈবা অতুপা গাযা সেন্দোনা স্ট্রেংথ লৈবা মীওইনি। মতাম্দানা চয়োম্দা চহী তেম্লুনা থবাইগী পাঙ্গল শেমখিবনি হায়বা হাকম অসিগী মরু ওইবা খুদনি।

That it must have this capacity to have survived under natural condition is obrious. It was a vital link in man's evolution, But as with all powers and habits of life, this capacity is in a measure lost when not utilised. Yet it is a power much needed in lifes emergencies and is well worth cultivating, just as muscular power is well worth cultivating, even though the conditions of civilisation do not seem to demand it.

লৌমিঙ মতৌ মীওইদি সাবজেক্টনা চাৎ-থক্কবা পুম্নমক লেম শারগা পাঙ-পাৎক পুম্নমক পুশিল্লগা চারক্লে। ইরু মাইথবা পুম্নমক সাবজেক্টকী তৌবক্লে। অদুগুম্বা মীওই অদু কৈদৌঙৈদম্ব মশা কনা থম্বা ঙমদোই, মশ অদু মখাই ভাবকনি। মশামক শেঙবা ওমদনা খোৎলকনি, মেংলকনি, শোম্লকনি। নোংলপা চাক অওমলক চাং নাইনা চাশিন্নরবা মতুংদা অস্থকী মতিক হৈনরকনি; করিগুম্বা নোংমা কাংলাক চাবা অমা অনি চাবা কংত্রবদা মকোক চৌথই অদুনা চয়োল অমা ওনা চাবা ফংত্রবদি নাই। অদুনা চরা থত্র-থত্রা হেনবা তমদুনা লেপদগীদা লৌগন, হকচাংগী মহৌশাগী ওইবা হকচাংগী পাঙ্গলগুনা মশাগী মপাঙ্গল অমসুং থবক তৌবা ঙমা থম্বনবা হৈনরবদি অসিগুম্বা মথলগী চাক মাওত্রবদি শিরগনি হায়বগুম্বা অকিবা অদুগা অত্রানবা মথলগী চাক লাম্বা অদু লৈরোই। করিগুম্বা মরমদগী চাব ফংদবা তারবদা হেক্না কনথংলকই।

অসুম্বা চয়া হেবা তম্বনা চাক লাম্বা অসি লাইনা থিংবা য়াবথোকপা ওয়েই। মশাগী অমস্তুং পুক্কীংগী থবক ওম্বা অমস্তুং মপ্যালগী মরমদা থঙজবা অমস্তুং থাজবা পীবি। চাবদা হৈনবা অমগা লোয়নবা চাবা মীওইদগীদি অসুম্বা চয়া হেনবা তম্বা মীওই অমিনা নারবস্তু থুনা ফবা ওমই। নাদবস্তু হেল্লি। মরমদি মহাক অদুদি মশাতনা মশা হিংজহবা তম্লবনি। অতুগা চাবা অমস্তুং ত্নুবী থবক শুকয়াও য়াওদনা মশা অদু নাম্লিবন্থু অমুক ফহবা ওমী। নারগা চয়া হেনবগী বাকমদা নত্তনা, চিঞাক লৈতহনা চয়া মরক মরক্তা তত্তনা হেনবা মীওইবা, জীবগী মশীং নাইদনা চয়া হেনবগী হৈনথিবা বাকম কয়ানা জীবগী থয়াই হিংনবগীদমক অতংপা লৈতনা নোই পেলহনগদবনি হায়বসি থক চুমদে হায়বা ঙাকই। টেম্পরেচর য়াম্না ঊংবা জীব হায়বদি লিনচম্বা জীবদি মতম কুইনা মচিঞাক চাদনা লৈবা মই। অ,গা মশাদা টেম্প-রেচর শ না লৈবা জীব কয়াস্তু রুতুগী শঞক অয়াম্বদা চিঞাক অমত্তা চাদনা লেল্লি।

Dormouse — a small rodent interme iate between the squirrel and the mouse, so caile t because Dorpid in winter দোরমাউস হায়বা জাৎ অদু নিংথমথাদা থা ৫ অসি করিমত্তা চাদনা ভূমহনা লৈথোকই। বোগ (badger) সু করিমতা চাদনা নিংথম থা অসি লেনবা ওমই। থা ৪/৫ লেজবা মতুংদা উহৈ থকনবা হায়বদি উয়ুং মহৈ, শল্লি মক মরুগা উক চানবা থিবা মাইল কয়া লাক্তা চৎলি। উক অদুস্তু অমুক

তোথোক্তুনা ভাল্লিবনি। থা ৪/৫ তুম্মুরগা হেক হৌশিল্লকপদা অহানবা চিঙ্গাক থিবদা তৌরিবা শিনকাম্নি। অমাং য়াশিগাসি অচৌবা শওম অমুবা ত ৫ অসি নর্বেম্বর থা হৈক লোইবগা উমাগা কমুং শেম্লগা হৌদোকপিঙ্গবদি মাচ্চকী ময়াম্ব উইরকপা মতম কাওবা ভূমথি। তুমাদ্রিইতেগী মমাঙদা মশাগী মোই পেম্বগা পোং-শক পুন্নমক মশাগী সেলদা লিহনা নত্রগা পৈশিন্দুনা থম্লগা তুমথি-বনি। ফেব্রুৱারী অত্তরাইদা তুম্বা কোয়হন্নুরবাদি অঙ্গুবা থক্তিক শাথিবা মওংদা লৈথি। চঙলক্লিবা থা অমসুং শা পুন্নমক শাথিবা মওংদা তাম্লে। মহৈ তুম্বদগী হৌদোক্লরবা নিংথমথাগী শওমগুম্বা শাথিবা হায়রনৈ। নিংথমথা লৈম্নুং চঙবগা জীবন্সি থম্ব ভনবা য়াওই। থরদি য়াম্না থবক হৈননা মশা খিংবা লৈ। মালথোন অসি থুম য়াওবা ঈশিং ভঙ্কা থক্কুনা লৈ। ঈশিং ইক্ক হানা লাব-অথোম অনিনা সমুদ্রদগী তুরেলগী মরিন ইশা অথেংবা তুরেলগী হাই-জিনবা পাংয়া নত্রগা অথেনবা তুরেলগী মপাল ওইরগা তৌবা পাংভা লাকই। মসিদা করিগুম্বা অমত্তা চাদে।

পেংবা থরাক্লা লোকাকগী কৌক্র লাইথা তাম্না মকম থুবা কায়কইবা অহুদা কনত্রবা ঈচেম্বা চোংথহনক্লিবা কবোক চাইবদা কাথইলকইবা অসিগী চিঙ্গাক অমত্তা চাবা নত্তে। য়ায়া লোইবা মতলগা লোকনা মরককথং অকনবা ঈচেন য়োরুকপদা ময়াং কঙ্খৎ। চাংগী মনুংদা ইফুৎ থোক্তুনা লৈবা মকমদা লোংবুথা য়োম্বিবমথে ডাক্রা অসি লৈনুংদা লৈথি। লৈনুংদা অহুম চী হেন্দুনা লৈথিবনা মোশব্রবা ডাক্রা অহু লোংবুথাগী ইথো লানকনা থুম, তুলাইদা ঈদিং তপাক য়োলনা অচিঙ্গাক থিমখোং থুপা।

মতমদা অনুবী অতিক মরাং বংই, মকোক্তা ইকি অমিনা ২/০ কৌনবা মমৈয়োমদা ডাচকুম্না শিনক শিকশিন্নি। হৌমিকবু চাংশে চাংগী কমথোং শাং মনাবী ইকুংতা চহি খুদিংগী উবিনা হাকন্নি। এলাকাগী মরাথনা শনুং ইনবা (breeding season) থা অহমলোয়না অদি চিংরাক মরাং কায়না কংগবন্নু মথকতা চাদে। মণিপুরদা লৈবা মরম কাবা কাওশিং (Balls) অসি মথের কাপ্রবা মতমদা অতিক চাবা ইউ উবিরম্লোই।

শনুং, ইনকনা মাইল কয়া চেনবা, মময়াংবা কপাগ্না কয়া [illegible] লৈ,—অতিক চাবা করম মতমদা উবিবগে? [illegible] [illegible] মখুক পোম্না চাশিনগা [illegible] চেনবা অমসুং বাইনল্লো [illegible]? [illegible] অসিদগী [illegible], উবিরবু—নায়বা মতমদা চাক [illegible] পোকনবদি লাইকনবা কমিলৈগী [illegible] চাং মাইবা চরা হেনবা দরকার তাই। মাইবা [illegible] পুনিনা [illegible] চরা হেনথবি চরোংম অমিগী মখুংদা নোক্তা চরা [illegible] [illegible]। থা [illegible] চাবা-থকপা অমসুং মাংবা [illegible] [illegible] পন্থুনা লৈহৌবা কত্ত-হৌদি [illegible] [illegible] [illegible] চরা হেনুনা হেংগদবনি [illegible] চিংরাক অমিনা [illegible] চওই। [illegible] পোকনবা [illegible] পুম্না শিন্নয়া পুখি। [illegible] [illegible] পোকনকশিং [illegible] থোঙচং অসি মায়া লুবা অমসুং কুপপ্রবা বাকম্নি। [illegible] [illegible]

ঐখোয়গী হিংনবগী পাঙ্গল অসি হংখাই লোইহন্নি Consume)
হায়নরি। অদুবু মসিদি ইভং-ভন্তনা খোকপা বাকয় নত্রি
অদুগা ওন্নিদাইজেসন, ওদ্বিজেম্না চাবথেকপা, ঈ চেনবা অমস্থুং
মেভাবলিজমদগী খোয়কপা কন্ত-হৌদি অদু। তুম্বদগী ভাহোবা
লেমহোবা শরুকী বা নত্তে) লৌথোকখিবদি পুক্কিসিমগী স্থম
চত্তুনা লৈগদবনি। হকচাংগী মুংগী পাঙ্গল (force) অমস্থুং
ভানশিনবা পাঙ্গল (power) অনিবু করিগুম্বা মওংদা শোক-
থরক্লবা মতমদা অদুগা থবাইগী ওইবা থবক ঙম্বা পাঙ্গলনা
য়োক্লনা থমগদবনি (vital energy) হায়বা অসিদা চিঙাক
অসি হকচাং মপুংদা পৈশিনবীবা অসি মতম থবা লেপ্পা ঙাবনি।
অদুগা থবাইগী পাঙ্গল পুম্নমক থবাইগী হিংনবগী খোঙচত্তা
চংদবা য়াদবা খোঙচত্তদা লুপ্তুনা লৈগনি অমস্থুং অনাবদগী
পীরকপা মাঙন ভাক্লবা ওইরবা মপাঙ্গল পুম্নমক মাঙহন্নবগী
চঙবা খোঙচত্তদা লৈগনি হায়বসিদগী হেন্না অচুম্বা ওইনা য়াবা
অমস্থুং থবাইগীদমক চঙদবা য়াদবা করি অমা লৈরিবগে হায়
বসি য়েংনা-নৈনরগা ভাবা, অসিদগী হেন্না অচুম্বা (Logical)
করি লৈরিবগে ? মসি মশানা ভারবা অচুম্বনি হায়বসি অভোম্বা
জীব পুম্নমক হোদোং, যন্নাওনচিংবনা হেক নাবদা নাবা ফরিবা
কাওবা চাও কৌথদা য়াদবা অদুগা হকচাংদা লৈরিবা নোই
পেন্নবা পোংশক পৈশিল্লিবা অদুনা পুম্নোই লোইহনা অনৌবা
নোইঁ পেন্নবা অমুক চঙত্রিবা কাওবা চানিংদবা, লায়দবা অসিমদু
শেন্না ভাকই।

চারা হেনবা অমস্থং চাব

নারবা মতমদা চাক লামদবা, অসিগা লোইননা তুম্নবগী রস ময়ামস্থু থোক্তনা লৈখিবা অসিনস্থু থরাইগী হিংনবগী নিয়মদদা লৈবননি তাকই। অস্থুন্না অরাম্বা পোকহল্লিরবা অহোংবা অসি থরাই হিংনবগী নিয়ম্নি। মসিদস্থু চাশিঙ্কুরবদি অনাবা মীশক অহুবু নোই-পেলহনবগী রাক্ষম নত্ত্রে, মহাক্কী তুম্নবগী ইন্দ্রি, পুক-থোইরিন্দা থাইদগী খুদোংথিরবা ফিভম অমা পুথিরকপনি, হায়বদি—অনাবা মী অহুবু পীজবা নত্তে, নারিবা লায়না অহুবু পীজবনি। থোইদোক-হেন্দোকপা পথ-পূমথবা মুংশিং হোৌবা (formentation) পুরকই। মতুংনা তু পোকহন্দুনা অনাবগী হোৌকম মখল অমা হাপচিনবী। ফরম-লবনি। অহুবু চাক পীজরুবদগী হেক্লিনখিবনি হায়না হৌজিক্তা হায়নবা কয়া লাক্রিবনি। মতুং নত্রি, মী লাখ-লাখ শিক্রিবসি মতাং অসিব্রাইদনি। থাইনা ইপা ইপুদি চাবা থকপসি হৌজিক্কী লৈবাক মচা ভারকপগী ভাবতা চংলমদবা হৌজিক্কী চাকয়াম-শায়াম চাবশিংনা নারগা শিবনচিংবসি অস্থুক কন্না লৈনরমদে। অহুনা থাইনগী ঋষিশিংনা পৃথিবীগী জাগা খুদিংদা মাগী মাগী জাতি মরক্তা মাগী মাগী ধর্ম্মগী রা ওইনা চরা হেনবা লৈ হায়না পুথোক্লমী। অতুগা ধর্ম্মগী শরুক অমা ওইনা চরা হেনবসি থম্বীরমই। হিন্দু ধর্ম্মদা একাদশী-ব্রত, চন্দ্রায়ন ব্রত, চতুর্মাস ব্রত-নচিংবা কয়া লৈরি। বাইবলগী মতাং কয়াদা চরা হেনবগী রা য়াওরি। মোসেস, এলিজা অমস্থুং জেমস অহুম্মক নুমিৎ ৪০ নি চরা হেনখিবা তাক্তনি। দেভিদনা নুমিৎ ১২

চরা হেনখি জেহোসাফৎনা ঈশ্বর ফংনবা চৎপদী খোঙচত্তু " জুদা পুম্নমক চরা অমা হেল্ল" হায়না লাওথোকখি। ফারাসীনা চয়োম্দা অনিরক চরা হেম্নিবনি হায়না নাপাল তৌবা. সেণ্টলুকা ফারাসীদা পল্লি। চরা হেল্লগা হকচাং শেংই হায়বনি ধর্ম পুম্নমক্কা, জাতি পুম্নমক্কা চংনরমই। মুস্লীম্না থা ৬ মুংখিল নুংখিল চরা হেল্লি। রামজান কৌই। থাইনা মমাঙ্গৈদা ইতি-হাসনা হৌগংলকপা মহমদা জ্ঞান মার্গদদা চৎপা (হায়বদি "wisdom Religion" Or Mysteries) ধর্ম অসি ইউরোপ এসিয়াগী মফম অয়াম্বা বেবীলোন, ইন্দিয়া, ইজিপ্ত, গ্রীক, পার্সিয়া, স্কান্দিনেভিয়া, গোথর অমস্নং কেল্টমদা চংনরমই। চরা শাংনা হেনবগা লাইশোন শোনবগা মক ওইনা লৈজরমই। কেল্টশিংগী ক্রাইটশিংনা লাইমিং লৌবগী তাবক্তা মখোয়গী ধর্মদা চঙজরকপা মীবু চরা কুইনা হেনহল্লি। পার্সিয়াগী মীথাক হায়বা লমদম অহু মুমিৎ ন,ৎ'ল, মুমিৎ ৫০ চরা হেনবা চঙই। গান্ধীনা চরা হেনববু চুমগী হকচাং শেংদোকুবদগী ওইনা লৌদে। অনাবা ফনবগী ওইনস্নু লৌখি। অতৃগা প্রায়শ্চিত্তকী তাবক্তস্নু গান্ধীনা ওইদবা অমা ৩াংবদা চরা অমা হেল্লি, অনি হাঙ্খ্রগা চরা অনি হেল্লি। অম্ভ্যা থাইনগী ধদা প্রায়শ্চিত্তকীদমক চরা হেনবদি ধর্ম অং.শদা য়াওই। হুঞ্জাংয়ানগী অহানবা ভাহক কয়াদা মীহৌয়া কোক্কবা মফম অমা থা ১/২ 'মনাঙ্গৈবী' ময়াদা কমহনা ঈশিংতা থক্কুনা চরা হেল্লুনা লৈথোকই। জেমাস কেল্পানেলনা হায়—লাম্নোইবী কয়াম্না মশাগী অনাবা কোক্কবা,

হিম্বিয়া কনবা পুং ১০ অসি তরেংলক চয়া হেল্লি হায়বদি মুমিৎ ২০ গা মথাই চয়া হেল্লি। ডন্ কেল্ভীন অমস্তুং জোন ওয়েসলীনা ধর্ম শস্নোকপশিংদা চয়া হেলহল্লি। মতম খরা চাবা বাৎপদগী চয়া হেল্লকপদা হকচাংগী হিংনবগী ওইবা খজাইগী পাঙ্গল হেন্থনকপা উবদগী জাতি কংলুপ কয়ানা চয়া হেনহসি কান্নবনি হায়না মথং-মথং চথরকপনা পুব্রিংশিংগী মংক্লাইদা পামজনা অকুন্না ধর্মগী মরী লৈননা লৈরকপনি। ধর্মগী মতাংদদা নত্তনা অমাবগী রাকমদস্থু "এডাইসেনা" কৌবা আরনবী মাইবা অমনা অমাবস্তু মুমিং ২১ নি চয়া হেক-হেক হেলহল্লি। মানা তকী, লাইথোকদপা চয়া হেলহল্লি। ডা: বার্থোনো হায়বা এলোপেথীগী হিদাকপু লাজবা নিপা অহুনা হায়রগী।

It is entirely an eminent'y rational expedient to receive the organism of a virus by a continuous and gradual process of molecular destruction and a renewal of anatomical parts. Such is the theory of hunger cure of syphilis an oriental method of treating that desease.

ইউনাইটেদ ষ্টেটকা ডা: জেনিংসনা চয়া হেনবগী থবক হায়বদি লাইয়েং অসি লোখংখি (১৮২২)। মহাগী মতুংদা মহাকপু হেক কৌরবা লাঙ্গনা থুদিরবা চয়া হেলহল্লি।

মিল জেমার গ্রাহম, ডা: যুদেন-হি, ডাং জোয়েলসিং-নচিংথ হেচরোপেথিগী ডাক্তরশিংনা চয়া হেনবা অসি অমাবা

ফনবগীদমক লৌখংলি। হেরী ব্রিনজামিন শিন্দলেয়ার অসি চরা হেনবা ফৈ হায়না শন্দোকপা ডাঃ ভাক্তনি। ডাঃ হেনরী এস. ব্রেনার অসি হৌজিক ফাওবা চরা হেনবা মথল-মথল চথরিবসি মভোন্দগী অয়াম্বা তম্বনি। অনৌবা অফাওবা ডাঃগী মনুংদা ডাঃ পেজ ওসালদ হাজার্ড ত্রিলদেল অসিনা অমেরীকাদা অমুগা ইংলণ্ডদা ডাঃ কেইথ. রবাগ্নিএটী-নচিংবা কয়ানা চরা হেনবগী মরমদা ওগাইনা নৈনরী। অতুনা হৌজিক্তি চাদ্রগা অনাবা মীহ্ শোনখিগনি, পাঙ্গল কয়বা চাশিল্লু হায়বা এলো-পেথীক ডাঃ শিংগী রাফম অহ্ চুম্নগী মীওই, মীচম্না ফাওবা য়ানরক্তিবা অসি শাগী ওইবা (instinct) অমা চানিংদবা পোকহনবসিনা চুমই হায়না তাকপদগীনি।

ডাঃ জেম্নিংনা হায়—"ফর-ফরৎ হাইনা নাবা লাইওং লায়না পুম্নমক্তা চানিংবা শুকপোক-পোক্তবা অসিনা অমুকস্ন অনাবা কমথৎলকপগী খুদমশিং অসি হেনগংলকপগনি মতুং ইম্না অয়াম্বগী চাংস্ন রাৎপা হেনগৎপা মতুং ইম্না চথরকইবা বিদ্যা অসিদা খোঙলোবা পীবদি নেচরগী অয়ানবা ওইগনি অমুগা চানিং-ত্রবস্ন অয়ানবদা থাজবা (Orthodox) কাংবুনা নমথুনা পীজবসি লাম্নি হায়না ময়ামগী ওইনা মায়বা রাকম অমা চান্নবা লাক্নি।" চরা হেনবা জীবগী শরুক অমশুম, অমুগা মীওইবগী হৌরকপগী খোঙচৎ ওইনা (evolution) অমুগা থাইনগী মীওইবগী চলেবী (custom) য়েংহুনা সাইন্টিফিকী লম্দা চাং য়েংই অমস্তুং নৈনম্নি। মীওইবনা চাদনা কয়ামুক কুইনা হিংবা য়াবগী পাজল

মীওইবদা লৈবগে হায়বসি অয়েম্না থঙবা ওমদ্রবস্থ ময়াম্না থররীবা চাংদগীদি য়াম্না হেন্না শাংনা হিংবা ওমক।

কালিফোরনীয়াগী বেলক্ফোরম কৌবা পাইলোট অমগা হেরোইন ক্লেবেন কৌবা নিউয়োর্কী নুপী প্লেন ক্রাস তৌহুনা অরাং থংবা বৃটিশ কলম্বীয়াগী চীংজাউ অমগী নাপোমদা লৈখিবনি। মুমিং ৪১ নি শুবদা লোৎখি। হায়রিবা মতুম অসি য়াম্না ঈংবা নিংথমথানি। ইং শোক ১৯৬৩গী মার্চ থাদা থবরদা য়াম্না ইনখিবা য়াফম অমনি।

গ্লোরিয়া, লি বাইয়ার্দ কৌবী স্পেসকী মরমদা লাইরিক ইবী অমনা মুমিং জন্ক্রক চয়া হেনবদা শিখি। মাগীদি চয়া হেনবদি নাকে চাদবনি। জুপীটারদগী মহাকপু জুপীটারদা পুননবা মতু'ন অমা থ'রক্রুনা ফ'ওবা চয়া হেল্ল, হায়না স্পেসকী লাই অমনা হ'য়রনা চাদবনি। অহানবদা হৈ মহী থর থর থক্লম্বদগী অকোনবা থা অহদি করিগুম্বা অমত্রা চ'বা থকপা লৈতনা চয়া অহ্ হেনপ্রবনি। ইকোন্ কোনবা মুমিং মরিনি অহ্ জ্ঞান পুম্মাং মাংখি।

কিস্তারসিয়ান (Cistercian) ব্রদরহুদ পুথোকচরম্বা রোবার্ট দি মোলেম হায়বা অহনা মাগা য়াম্না চায়জবী মরুপ অমা শিথিবদা মুংঙাইমনখিক্রহনা মতোমতা আত্মঘাত তৌজগে হায়না থক্তবদি ওমদহনা চীংদা চৎলগা মকয় অমা থিরগা তপ্না চাক চাদনা অহুম লৈরগা শিক্সরগে হায়না লৈখি। মুমিং ৭০ নি কাওবা শিথিত্রবদা ঈশ্বরনা মাবু শিখিদনবা থিংবিরবা মাক্লে হায়না

খঙহনা মপুক্লীং হোংখ্রে। অহুগা অমুক হন্না চাবা হৌখি মতুংদা য়াম্না কন্না মতম কুইনা পানখি।

খাইদগী মরুওইবা খঙবদা মুংঙাইবা খুদম অমদি জোর্জ হেসলার জোনসন্না ১৯২৬ কী জুলাই তাং ১ দা চিতাঙ্গোদগী নিউয়োর্ক ফাওবা চায়া পুমহেন হেন্দুনা চংখি। চায়া হেল্লি-বৈঙদা হকচাং অসি থবক অকনবা হৌরবস্থু হকচাং করিস্থু শেংক্রে। মহাক্না খোঙশান্দ্রিবৈগী মমাঙদা য়েংবদা মাগী মশা অসি য়াম্না ফনা লৈ। মাগী অৱাংবনা ফুট ৫ ইঞ্চি ৬½, অরুস্বনা ১৫৭½ পাউণ্ডনি মে তাং ৩১ গী নুমিদাংবাইদা মানা চাখিবা চায়া অসি য়েন্নাও, মনা-মশিং, হৈ অমস্তুং শঙ্গোমনি। মহাক্না খোঙচৎ অসিবু মহাক্না কমদৌনা চংখিবনো হায়বদু মহাক্না পীবদা লম্বী মখল পুম্নমক চংলি হায়, চেক্না শাবা, সিমেন্তনা চনবা, অকনবা অথোংপা, মুংগাই ময়ক্তা চংলি হায়, য়াম্না মৈ থোক্না শাবা সিমেন্ত চনবা লম্বী অদুনা মথোঙ পোকথোকহন্দুনা নালায়োমদা হাইখহুনা চংলিস্থু হায়। নোংমদা মহাক্না চংপসি মাইল ১৪ দগী ৪৫ ফাওবা চংলি। জোন-সন কারমসন্না মতুং ইল্লি। মাগী ডাক্তর অমস্তুং অহৈ মীস্থু লোয়নৈ। মহাক্না য়ৌরক য়ৌরকপা সহর অদুদা লৈবা ডাক্তরশিংনা মাগী মশা অহ য়েংই। অদুগা মুড়িগী মহাক্না ডাক্তরনস্থু মশা অহ য়েংই।

"শক খঙনদবা মীওইশিংনা য়েংহুনা লৈতবা মতম অমতা লৈরমদে। ঐগী কা অদুদা চিঙাক অমতা পুশিন্নক্তনবা তোইনা লেরমই। মসি পুম্নমক অসি ঐথোয়না খুংলল্লিবৈদা ঐথোয়গা শক খঙনদবশিংনা ঐথোয়গীদমক্তা শঙহনা বাশকপগা লোয়ননা

শো লোন্দুনা থম্না ঙাক্তনি। অদুগা ঙাই-ঙাইদুনা লৈরম্না ঙাক্তনি।" পীটম্বরগী মমাঙ থংবদা লৈবা চীংশাং কাখৎলকপদা হকচাংগী ওইবা খুদোংথীবা থেংনৈ। মতম অসিমক্তদা মহাক্কী ঙাক্তরনা হায়—"চুম্নগী লৈজবা মহাওগী (শকযম ওইবা) তোং অদু শিঙিন্নংখাকথিবনা (absorption) খোঙ খুদিংদগী শরূ ৫ দি মেতাটারসেলগী অকোনবা (arch) মখাৎংবা খোঙকোপ (in step) লাম-নবা শরূ অদুদা কুপ্পীবা নম্ভগা থারিবা তোংশা মাংখি। মওং অসিদা হোংলকপগা নোংম-নোংমগী ওইনা খোঙ অসিনা চৎপদা স্নুদরকপা অদুনা খোঙ অসিগী শরূ অসি লেঙবা য়াবা হেনংহল্লি" মসিনা খোঙদি অস্নুক্কী মতিক নংহল্লি। বেঙেজনা ফহনবা নম্ভগা নেমহনবা ঙমখিদে। ফিজিসিয়ান্না অমুক্কা হায়—"পীসবর য়োবা ফাওবদি হকচাংগী তোংদা নাবা অমতা লৈরমদে। এলিঘানিজগী চীংখোঙ অদু কাবা কুম্বদা লৈতেম মাম্নবা মফমদা চৎলবদি করিস্নু থোক্লোইদবা অদুগা মান্নদবনা খরা য়াখি। মাগী মফমদা লৈবা মনাও মখৈ তুমগ্রে। মখোঙ নাবদু স্নুম হেনগৎলকপনা মহাক্কী চাংয়েং অসি তোক্লবা পাউতাক পীবদা মহাক্না প্রোটেস্তি তৌই হায়রম্নু য়াগ্রে।

চাক চাদনা মহাক্না চৎলিবসি নুমিৎ ২০ নিদা মাইল ৫৭৭'৪৪ নি। মসিদা চিঙাক মচেৎ অমা ময়ানা কক চিকখিদে। "মহাক্না এলেঘেনী চীংদা য়াঙ্কিং তোকপা নুমিত্তা মহাক্কী কম্পানী ইঞ্জিনিং অদুনা লৈরিবা অবস্থা অদুনা মানা যাত্রা তৌরমদ ইগী মতমদা লৈরম্বা অবস্থাদগী হেন্না করমই" হায়না মাগী ঙাক্তরনা

হায়রমই। পুং ৪৮ গী মনুংদা মশলদা নাবহ্ করম্মী। পুং ৪৮ গী মতুংদা মখোঙনা চত্তুনা নোক-খেহ্না নুংঙাইনা লৈ। মানা চাক চাগদবা নোংমা রাংলিংগে হায়বদি হেক তোকপা নুমিৎ অহুগী পুং ১৪ দি চাক চাদনা ঈশিংদা থক্লুনা পোথাহ্না অরাবা হন্দোক্লুনা লৈ (relaxed)।

ঈশিংদা কমলা অমগী মহী য়াল্লগা থক্লুনা চারা হেনবা তৌই। নুমিৎ হুম্রিশুবা নুমিত্তা খ্বামেন অশিনবা অমুনবা পী। চৎপহ্ থর থর হন্থনা পুমলোই লোইশিন্নরুগা হুম্রিশুবা নুমিত্তা য়ুবী মহী পী। মঙানিশুবা নুমিত্তা মাগী অহানবা চরা চাবা হৌই।

মহাক্কী নুমিৎ ২০ চরা হেন্দুনা চৎপা খোঙচৎ অসিদা মহাক্কী মশাগী অরূম্বা পাউণ্ড ৩৮ ময়েং তাথখি। চরা মপুং ফানা চাগদবা নুমিৎ ৫ নিগী মমাংদা পাউণ্ড ১০ লুম্না ঙমখি। মতুং চয়োন অমগী মনুংদা পাউণ্ড ১৪৩ লুমই। চয়োন্দা পাউণ্ড ২৪ লুম্না হেনগৎলি। মতম অসিদা মহাক কল্লা চৎলগা স্কুম তপথবা মথলগী রাস্তিং অসি মাইল ৫ দগী ১০ ফাওবা নোংমগী চৎলি। নোংমা নোংমগী মহাক্কী ইন্দ্রি পুম্নমক য়েংবদা অস্লুম ফহুনা লৈ। অদুগা মহাকী মরী মতাং শোকপরা য়েংবদস্থ করিমত্তা শোক্লমদে। নুমিৎ ২/৩ পোথারবা মতুংদদি রাস্তিং চৎত্রিরৈঙগী মমাঙদগী হেন্না মরী-মতাং ফগৎনা লৈ হায়না ডাক্তর-শিংনা হায়, চরা হেনবদা হকচাং অমসুং মরীবু অপুক ঙমখিনা লোইহনবা লৈখিন্তি।

অদুগা খুাইদগী গঙুবদা কাম্লা চ'রা মহেন অমনা হক্তর খুাইক্লী। যেংশিন দা'দনা উশিংসু থক্লুনা চারা হেনবদা নুমিৎ ২৮ নি লৈরম্লগা শিখি। অ'রেন্স মেগ স্মুইনীনা তাংখিস ক্রি ষ্ট্রেটকীদমক চ'রা হেন্দনা শিখিংসি নুমিৎ ৭১ নি শুরদনি।

ক'পিনেল লেনীন মহা'ক্লী মচনা চিঠি অস্তুয়া থাই— "র'ঞ্জরা মতম অস্নুক শা'রবসি যেংবদা থোইদোক হেন্দোক্লা মঙ্গোলশংগী ভুইনা লৈবদগী হেন্না হি নংগী লা'শেংদ হিংতনা লৈ।" অংক্লুনিংগী মেনিক্স কোব, অাকিদনেপনা হাদ -'ম'ডেক্লা অস্থকপ অম' লৈ। ঐ'দা'দ মহা'ক অসি অক্লুকপনি।" অদুগা হন্দক্লা পঞ্জ'বকী ফকমর্সা ১ শনি'তগী মহাংদা' চ'রা হেনখিবহু মেকস্থুইনীগা চপ মগনা নুমিৎ ৭১ চ'রা হেনখি। ইংথমথ'দা লৈপুংদা লৈবা (হাই বার নৈচিং) জীব অদুগা ডা'নে ই. পেংবা অদুগা শীল অমস্নুং শ লেমে'নগুম্বা জা কয়'গুম্ন মীচেইদমু চারা হেন্নগা কুইনা হিংবা ঙমই। চারা হেনবা মতমদা ইন্নিশিং অসি নোই পেলহন্দে হায়বসি অর্নবনি। হায়া চ'শিনখিদ পে'তুগী অদা পৈশিন্দুনা লৈবা বিক্তা'ভ ষ্টে'রদগী লৌথোক্লুনা নেই পেরহন্নি হায়-বদি চংনহন্নি। অস্নুম্না চডুগদবা পোংশক অতু শিবা হুমইবা মথৈ চাবা বাঙনা শিবা (starvation) থোক্লে। জীব খরদি ভোয়না পীজবদগী চারা মতেক মতেক হেন্নগা পীজবনা হেন্না নোই পেলহন্নি অমস্নুং চাউখংলি। উচি অঙোবা মচাশিং অসি নুমিৎ হন্মী পীজরগা নোংমা চারা হেলহনবা, অদুদগী নুমিৎ ৬ নি পীজরগা নুমিৎ নিনি চারা হেলহনবদা নিতিগী পীজবিবা উচি মচাশিং অদুগা

চপ মান্নবা চাউখংলি অমস্নুং মশা যনা লৈ হায়রবসি লেবোরে-টোরিদা উই। ষণ মখোমস্নু খরা খরা পীজবা নত্রগা চারা হেল-হল্লগা খরা হেন্না ম'মদা পীজবদা নোইংখংলি কনখংপা হেন্নি। মসিগী মকওইবা নীয়মদি খরা হৈ-শিংনা চিঙ্গাক অহু চারা হৈনবা মতুংদা শিঙ্জিন্নরকপননি হ'য়রবদি চ'রা হেন্দুনা লৈহনবনা তুম্নবগী ইন্দ্রিশিং অহু পো'থাইন্দুনা তুম্নগী খবক অসি খরা চঙ্খোন্না হৌজবা ঙমংহন্নি। অহুনা তুম্নদা চঙ্ইর, ইন্দ্রি পুম্নমক অসিন' ন'রবদা থাইনা বিনদে। মরমদি মখোয়সিনা থাইদগী লাংনা ফবা ঙমই। লায়রনা জাৎ অসিদা চারা হেনবদা ফত্তবা পংনা য়াওদে। চ'রা হেক হেনবদা তুম্নবগী ইন্দ্রি পুম্নমক নহা ওইথোকই।

অহুগা শঙ্গোম শুম্লিবী, মকুম কোক্লিবী অমস্নুং খোম-নৌবীদদি চারা হেনবা য়'দে। চারা হেক হেনবদা খোম হনগংখি অমস্নুং মকুম কোকপা লেপখি। মরমদি খোম অমস্নুং মেকুম অহু হকচাংদগী শাগংনবা পোৎ হেন্না চঙই। অহুনা চুম্নগী চারিবা চিঙ্গাক অহুদগী অহুম হেন্না পীজগনি। চিঙ্গাক হেন্না চারগা খোম অহু খোক্লদবনি। চিঙ্গাক অহু হেন্না পীত্রবদি খরাই হিংনবগীদমক চিঙ্গাকুগী শিঙ্জিন্নগ্রা খোম শেয়্নবগী খবকলোমদা লাক্লরোই। অহুনা খোমনৌবীদদি য়াখিদবা মতাং নহনদি চারা হেলহনবা য়াদে। চারা হেক হেনবদা খোম খোক্লরোই। অহুনা চাবা ফংদবা নগ্রগা চাক ভাঙবা মতমদা মমানা খোম খোকহনা রানরিবা অহগা শজিক ফবা চীংমুংদা চাবা

গোয়ালাগী ষম্না শক্লোম থোকই হায়হনা লৌক্রগা ইম্ফালদা চক্লদা পীজহনা থম্বদা হৈনদবদগী চাৱা হেনবগুম চাদহনা মখোম থোক্লে।

খাইদগী শুংঙাইবা ৱাকম অমদি চাক তাঙহনভা লৈবা, চাবা ফংদবা মফমদা নেচরনা অডাং পোকহন্দে। চাক য়াম্না কুইনা তাঙবা মফমদা অডাং শোক্লিবনি মশা ফংলক্লবা অমস্তুং য়ুম্'ন-নবগী থবক য়াম্না হল্লবননি। মুশী-মুপা অনিদা চাবা ফংদবা অনিনা মতম শৱা য়ুম্'ন্নবগী পাঙ্গল শোক্হল্লি হায়বনি। অহনা পুম্মাঙ মাঙহল্লে হায়বদি নত্তে। চাৱা হেনবা মতমদা নক্লগা হকচাং অসি নৌংখিজনা নেʼই-পেল্লবদি য়ুম্নম্বগী ৱাখল পোকহন্দে হায়বনি, নৌংখিজনা পীরজরক্লবা মতমদা অনৌবা পাঙ্গল অহুম পীজবনি। মীওইবা অসি অসিগুম্না মহৌশাগী নিয়ম অসিনা মীগী জাৎ অসি মুংহন্দনা থম্লিবনি। চাক চাবা ফংদবা মফম অমস্তুং মতম অমদা জাতি অমবু থম্মীরগা চাবা ফংলকপা মফম অমস্তুং মতমদা অহুম অমাঙ-অতা অহ শোগংনহনা তাইবং পানবা অসি মীওইবনা থল্লকই। জঙ্গল উথাইবদগী চাবা ফংদ-হনা জীবা কয়া মুংল্লে। কৈশাল শওম উৱক্লে। জিরাফ, অহৈ জীবনা লাম্বা ফংদবা ফুট ১০/১৫ ৱাংনা লৈবা উনা চাহনা হিংই। শামুনা ফুট ১০/২০ ৱাংবা উগী উশা থেক্লুনা চায়। মসি পুম্নমক অসি ঈশ্বরনা নক্লগা নেচরনা মাগী মাগী কাংলুপ অহ হিʼননবা হায়হনা তোপ-তোপ্পা মওংদা শেম্মীরমই। ইঙ্গ্রি খুহুম চনগে থল্লবদি মতম থরগা ওইনা চাৱা মতেক থৱা হেল্লগা য়াই। থৱা কুইবগী ওইরগা চাবা অসি থৱা ৱামদনা ৱাংনা

চাবা তাই ; মসিমক্তী ব্রহ্মচারী ওইরিবা মীওইনা থাইনদগী চংনরকইবা। অদুগা ওন্না হৈনবা ফল ফংগে হায়রগা চা'রিবা অদু মতম খরদং পেংখত্তুনা হায়বদি চারা খরা হেক্লোক্লগা নোঙ পেম্নবা ফজনা চারক্লগা মচা পোক্লবা মীওই কয়া মচা পোক্লুনা থারা নালা তাবা য়াওখি।

চারা হেন্নগা চা'শিল্লকপা মতমদ হকচাং মপুং ফাসিদা থাইনদগী নহা ওই হায়বা পুন্সি অদুদা লুপ্লকপম চা'শিংলকপা মতমদা অনৌবা পুন্সি অমা ফাই। অদুগুম মতমদ হেক্লবা মীওইদদি নোংমা নিনিদগী হেন্না হেনবা যাই। অদুবা মী অমনা লমজিংগদবনি মরমদি চারা হেনবদি লায চাখংলকপা অসিনা থাইদগী লুই। য়াম্না লান্না মরক য়াম্না চাদগে হায়রকই। হৈন্না চাকুরবদি হেল্লিহৈদগী হেন্না মাঙই। কনাগুম্না মীদি চারা হেনবা মতুংদা চাক খিল্লা হাপই হায়দুনা মরৈ-মনাও খংনবা য়াওই। মসিদনি মুন্না য়েংগদবা—চারা হেনবা মতুং মুমিৎ ৫/৬ নি শুক্রিমথৈ হায়গী চাং অদু য়োনা চাবা য়াদে। চাখোম মশীং থীদুনা নোংমগী চাখোম ৩/৪ গী ভাবকা অসুম হেনগংকদবনি। চারা হেনবা মতুংদা হকচাংদা ফত্ত-হৌদি পুম্নমক লৈত্রবদা অশেংবা চিঙ্গাক অমুক নৌনা চাখৎ-লকপদা হকচাং পুম্নমক থোইদোক হেল্লোক্লা শেল পুম্নমক অদুগা প্রেন্দ পুম্নমক নহা ওইথোকই। নহা ওইনবা ইফুৎ নক্লগা উচেক লাংমৈদোম্না পুরকপা উহৈ লৈশেমহৌদগী থিরকপনি। পৃথিবী অসিদা লৈতে। শুম্নগী পুন্সি অসিমক চংননবা ঈশ্বরনা

শেন্নীরক্লবা ইন্দ্রি পুম্নমক পঙ্ঙচা চাশিন্দুনা ফজ-হৌদিনা থন্নবা লুখাক কোয়মদা থন্নীরবনি। চন্না হেনবদনা লুখাক-কোম শেং-দোক্লবগী থবক ওইনা পৃথিবীদা নহা ওইননবা কবিগুন্না ঈশ্বরনা থন্নীরম্লবদি মাহ্ চন্না হেনবনি। জ্ঞান তানা বিজ্ঞানীক মন্না অহৈবনা লমজ্জীংহুনা চন্না হেনবনি—নহা ওইনবা ইফুক্তি চন্না হেনবা মতুংদা খাইদগী যবা চিঙ্গাক্লা লোয়-পেলহনবনি। নহানা অহক্কগী খেন্নরবা হকচাংগী থবক পুম্নমক অসি চন্না হেন্নবা মতুংদা হেনগৎহল্লি হায়বসি চুই।

চিঙ্গাক তুম্নবগী হকচাংদা লৌশিন্নবগী অমস্নুং তোংনা লাংনবগী পাঙ্গল অসি চন্না হেন্নবা মতুংদা অমস্নুং চাশিন্নকপা মতমদা হেনগৎহল্লি হায়বগী ওয়াদদ্ নত্রে চিঙ্গাক অসি য়াম-দনা চঙ্লগা লুপ্পা অমস্নুং লোয় চাউখৎপা হাঙ্কৎপা (growth) অমস্নুং লুপ্পা হেনগৎলি। লোয়খৎলবা অমস্নুং য়াং কখৎহনবদা ভাব অসি কাউবা য়াদে।

থুনা অক্সম্বা হেনগৎলকইবনা চন্না হেনবদা হকচাংগী লোয়-পেনবদা চঙ্ঙইবা পোংশক কন্না লৌহুনা থমইবা (reserved) অহ্ চন্না হেনবদা মহোং তাখিবাহ্ শিজিন্নবননি। অসিগুম্বা লোয়-পেন্নবা পোংশক কন্না পৈশিন্দুনা থমইবসি নাবগুম্বা মতমদা অচিনবদা শিজিন্ননবনি। অসিগুম্বা মতমদা লৌহুনা থমইবা "লোয়-পেন্নবা" পোংশকশিং অসি" শিজিন্নবনা লায়বা হেন্নি অমস্নুং হকচাংদা য়াদবা পীবস্নু অনৌবা চিঙ্গাক চায়গা ছুম্নগা হকচাংনা লৌশিন্নকপা অহ্ শিজিন্নবদগীন্নু লায়বা হেল্লি। হৌজিক হৌজিক অমুক চারিবা চিঙ্গাক

অদুদগী ইনৌ নৌনা তুমহল্লগা নোয়-পেল্লবা লৌশিল্লকপা পোৎশক অদু লৌরকপদা থবাইগী পাঙ্গল চঙইবসিদগীদি হায়না তুংশিন্দুনা লৈবা—খুদক্তা ফংবা ঈদগী অদুম লৌথোকচরকপনা য়াম্না তাথৈ। ইতেক তেকপা চিঙ্গাক্তুগী ঈ অমসুং তোং শাবসি নারবা মতমদা পুম্নাঙ মাঙখিদ্রবসু য়াম্না হন্দুনা থবক অসি পাঙথোকই।

চরা হেনবগা চাবা ফংদবগা খেন্নে। চরা হেক হেনবগা হায়বদি চিঙ্গাক হেক চাবা তেকপগা ইন্নি পুম্নমক কায়থবা হোই হায়না লৌবদি পুম্নাল লানবনি হায়বসি চরা হেনবা মীওই লিশীং লিশীংগী মওংনা অমসুং ফলনা তাক্লি।

হকচাংগী ওর্গান অমসুং গ্রান্দশিংগী থবাইগী মশক ওইবা সেলশিং অদু চাননা চাবা হায়বদু ফংদ্রে হায়বা মতমদা (starvation) কায়থরকপনি (disintegration)। চরা হেনবদি নত্তা ওইহনবনি, শেমগৎ শাগৎপনি। ঈ অসি নোংহৌনা শেমগৎপনি regularate মেরামত অদুগা তোংশা পুম্নমক অমুক হন্না নত্তা ওইহনবনি হায়বসিনা তাকপবু চরা ফজনা নীংথিজনা হেন্নবদি হকচাংদা মাঙবা থোকহন্দে হেশেংনমক কান্নে, নত্তা ওইথোকই।

ইংলোক ১৯৬০ দা মাস্তার তারা সিংহ-না রাজনিতিগী রাফমদা চহী ৭৬ শুরবা মতাংদা নুমিৎ ৪৮ চরা হেনখি। মতম অদুদা মহাক্কী ডাক্তরনা মাগী মরমদা হায়খি, "মহাক্কী পুক্কি অসি য়ামগ্রবদা চহী ১০ দি হেনগৎগ্রে। অদুগা মানা নারক্না লায়না পুম্নমকসু কোকগ্রে" খাইদগী অরাবদু চরা হেনবা কৈ হায়রবসি কনা অমত্তনা হায়রিদবনি। হশেংবদি মীবু নত্তা

ওইহনবা হায়রবসি গ্রেন্দ গ্রাকত তৌবা, য়াওগী ইন্দ্রি মীনা শিনবা নত্রগা অরূবা ইন্দ্রি রাইহনা নীহনা শিঞ্জনবনা থক ওইবা য়াদে। মপোৎ নত্তবা পোৎশক পূম্নমক নপশিন্নবদা থুনমক হেক্তা লং-থোক্লকই। অহনা চন্না ফজনা হেননা হায়রবসিগা মা'ম্নবা তোংশা শেংদোকপা ঈ শেংদোকপগী থবক নীংথিজনা পাঙথোকপা ঙম্বা অইত উপায় লৈতে। চা'ননা নহা ওইহনবা ঙমদ্রগস্থ নহা ওইনা থমহনা অহল ওইনবা কুইনা যিংহনা থমই। খ্বাইদগী লুববু 'এ র'বে'প্রাব'হিনা' হ'য়রগুর "চন্না কেনবী মরমদা খ্বা'ইদগী মীনা থঙনরবা কৈ ফত্তে হা'যরিবসি, মপুন্সিদা চন্না অমা ফাওবা চিথজদবা মীত'দনা ইরনি।"

হকচাংদা লীহনা থমইবা নে'য-পেন্নগী পোৎশকশিং অসিনা মতম থরদি চিঙাক য়া'ওদনা হকচাংদা চঙইবা পোৎশক পূম্নমক রাস্তনা পীবা ঙমই। অমূক হন্না শেম শাগৎপগী থবক অসি লেইশিন্নগা ঙাইহাক শংবা মতমদা অসিগুম্বা থোক্তনা থমইবা পোৎশকশিং অসি হাপকংনকপা, থনগংহল্লকপা ঙমই। তুম্বগী হৈনিংবা থবক অমতা অস্মুম্না য়া'ওহন্দনা মহৌশাগী হৌনবী অমা ওইনা মশামক্কী মপাঙ্গল শিজিন্নহনা য়ুম শেংবগুম হকচাং অসি শেংদোকই। ফত্ত-হৌদিনা থম্দুনা ফংচিন্নক্রবা তোংশা পূম্নমক অমূক হন্না শেমদোক্লে অমসুং কুপ্পা য়েংশিল্লে (analysed) অমসুং নৈনরে অহুগা চঙগদবা মতুং ইন্না খ্বাইদগী কান্নরিবা অক্কবা শক্কক অহ কানানা কান্নবা মফমদা শিজিন্নরে অহুগা কান্নবা পোৎশক মথৈ শেংদোরকই।

করিগুম্বা শোকপা পনবা, শক্ল হেকপা ফহনবা অহুগা হোগাইবগুম শোকপা (open sore) চরা হেল্লিহৈদা ফগৎ-লকপা অসিনা চরা হেনবদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক অসি নাংথি-জনা হকচাংদা তৌই হায়বা তাক্লি। ডাক্তর ফসালনা মাগী হুই মচা অমা যুমথক্তগী তাবদা মখোঙ অনি হেকই হায়। হুই মচা অহু মুমিৎ ২০নি করিগুম্বা অমত্তা চাদে। ঈশিংদা থক্লুনা লৈ। মুমিৎ ২০নিগী মতুংদা শক্সোম থকই। ২৫নি শুবা মুমিত্তগী শা চাবা হৌই। শক্ল অহু শমজিন্নরকই, থবোম্বী নাবা ফরে; হুই অহু হাম্নগুম্না চেক্লবা খোংক্লবা ওমই হায়রন' হায়। শা অমস্নুং মীদা চরা হেল্লগা শক্ল শমজিন্নবগী খুদম মশীং নাইদনা লৈ। মসিনা তাকপবু হকচাংনা কান্নবা হোংশা অসি অক্লবা কান্নবা তোংশা শেমগৎ-শাগৎপদা শিজিন্নথোকই। হকচাং অসি অচুম্বমক নোয় পেন্নবগী পোৎচক্ত থম্নবগী পুক্লেনি।

চরা হেন্দুনা শিবা মীগী হকচাংগী ইন্দ্রি অমস্নুং তোংশা মাঙখিবগী চাং চামদা পীরি :—ফেং মহাও ৯৭%, লিভর ফিরাক ৫৩%; পৈ ৩৩%; ঈনা ১৭%; নার্ভ সেন্টরনা ০%।

চোসাট কৌবা মুন্না য়েংবা মীওই অমনা পীবনা মহাও ৯৩%, মশল ৪০%, ফিরাক ৫২% ৭০%, মরীনা ২%, পৈনা ৬৪%।

পীরিবা ফিগর অসিদগী চাবা হেনবা মতমদা তোংশা (tissues) পুম্নমক চপ মান্নবা চাং চপ মান্নবা ভুমশিনখিবা নত্তে, মখোয় পুম্নমক অসি থরাই হিংবদা চঙবা কান্নবা মচুং

ইম্না তুমশিল্লি। কাপ্পবা থোংশাংশিং নোংম পেল্লহনবদা মহাও, ঐ মসলদগী লৌহুনা শিজিন্নরকই। অহানবা মহাও মাঙুখি, মতম অমিদা থম্মোই থংবাগী থ্রেন করিমত্তা মাংদুনে। মাংদা থম্না মাঙথরকই। কাপ্প-কাপ্পবা ইন্দ্রিশিং অমি কাপ্পকাঙবা ইন্দ্রিদগী লৌথোক্লুনা লোম থোকই। মসিদু (autolysis) অৱাইবদগী লৌথোক্লুনা অকুবদা শিজিন্নবা কৌই।

চৱা হেনবা মতমদা ইন্দ্রি পুন্নমক্তা শোকইবা মশোক দনা থেকথেনবা অমস্তং [illegible] হকচাং শরুদা লৈম্নিবা (skeletal muscles) মসলশিং অমিগী ৪০ [illegible] চাদতুনা শিবা গুমিন্দ্রে। [illegible] ওনা অমস্তং মহাও অহানবদা মাংখি, মৈমদা থেন্না থংনা মাংদুনকই। মহাও অমস্তং থোং মাঙবসিনদি হকচাংদা শুকশোক শোকখিদ্রে হায়বা য়াই। মসল মাঙুলকপা অমিনা মসল শোকপস্তু হেন্নকই হায়বদি সেল অহুম্ব পীকথরকই। চৱা থংবা হেনবদা সেলমশিংদি হুম্ব হুম্বরগা সেলশিং অমি য়াম্না পীকথরকই। হায়বদি থম্মোইগী থোং অমি অথোম্বা কাপ্পকাঙবা থোংদগী লৌহুনা লোম্ন পেলহনবনা চৱা হেনবদা শুপ্পগী তাংদা তাথে। মাংজন অমি মশীং থেন্নি। ইন্দ্রি পুন্নমক্তা পোংলুম অহু লৌথোকখিবনা চৱা হেনবা মতমদা হকচাং অপুনবদা ঐ চেক্লোক চেনশিনগী থম্মোইনা ঐ মপুং ফানা ফানা কাপথোকপদা (pump) অখিংবা পীদে। অৱাবা থবক অহু কোকপদগী থম্মোই মশামক অমি মেরামত তৌজবা ওমই অহুগা মাগী থবকপু হেনগৎনা ফজনা

তৌকবস্নু ঙমই। চৎ্না হেল্লগা থম্মোই মশামক নাবা (organ'c lession) অমস্নুং থম্মে ইগী থবক্তা খোঙলোবা (fun tional) মসলগী লায়নদা কান্নহনবা অহুগা ফবা ফত্তবা য়াওরিবসি মরম অসিদগীনি। অহুগা ঈ চেপ্লোক চেনশিন (ci culation) স্নু য়াম্না ফগৎহল্লে।

ঈদা হকচাংগী শাওং (size) হন্থরকপদা চৎ্না হেনবা মতমদা ঈগী অৈরবা চাংস্নু হন্থরকই। অহুগা ঈদা লৈবা হৌনবা পোৎচঙগী পোৎশমদি (chemical) দি হেৎপ। ওম্ন-তেনবা ফলহুম লাকই। ঈ অসি য়ুম শেংদোকপগুম (লৈকাং, মিরাং কন্থবা শিক্লোক চমথোকপগুম) পোকই। ঈ অকংবদ চৎ্না হেলহনবদা রেদ ব্লড সেল ঈগী অঙাংবা সেল অহু হেনগৎহল্লি নুমিৎ ১২ গী চৎ্না হেনবদা রেদ সেল ১৫০০,০০০ দগী ৩২০০,০০০ হেনগৎহল্লি হায়না ডাক্তর জর্জ এস ওয়েক্তারনা হায়। হেমোগ্লোবীন অসি ৫০% দগী ৮০% অহুগা অহৌবা সেলনা ৩৭০০০ দগী ১৬,০০০ ৮ হৎকই। ডঃ বর্নাথিটনা ঈদা রেদ সেল হেনগৎলি হায়দসি অহানবা ওইনা উখিবা মীশক্লি।

পুক্নীং হকচাং অসি থবক পৌহন্ননা চৎ্না নীংথিজনা হেনবদা নুমিৎ ৩১ নিদি নোরমেৎদা (মহৌশ গী ওইবা কীজমদা মী অমনা (অনাবা মথল অমত্তা পোক্লকপা) হকচাংদা ওন্নকপা অমা উদনা চৎ্না হেনবা ঙমই হায়না সি, আই বুলেটিন নং ২০৩ দা হায়। (লেভানজীম্না উংখিবা চৎ্না মহেল্লি)।

পুক অমসুং খোইরীন :—

চরা হেক হেনবদা পুক্তা খোইরীনগদি পোখাবা পূমণী পীবিবনি। থবক রানা পুক্তরমবহ খে ইদে'ক হেন্দোক্লা হৌজিক্কী হেন্না চাশিনবা যুগ অসিদা মিকুপ খুদিংগী চাশিন্দুনত্তা লৈবনা পোখ'বা কংজক্তবা পুক অমসু' খো'ইরীন অসি চরা হেন্নবত্তদা ভোইহ'ক পো'খাক্তহ্না, অরা পোখো'কচহ্না মপাঙল হক্লংৈচ। হেন্না' লৌখো'কফম খো'কপা পোংশক পূম্নমক লৌখোকখি; চ'শিনরবা মতমদা ভুম্বা ভুম্বগী পাঙল য়ায়া হেনগংহল্লি। পুক্তী অমসু খোইরীনগী চ'ফংপা (ulcers) অমসুং শককম হোংংা শো'কপা অশো'কপা কয়া চরা হেত্রগা যখি।

চা'কখাও চ'উখৎপা— dileted নহ্গ' চে'হুবা (prolapsed) মহৌশাগী ফিভমদা পিকশিল হক্লিনহলখি। খোইদো'ক্ত লুংভাইফম থক্তদনা লৈবা পুক খোইরীনগী অবস্থা (morbid) sensibilties and appetencies) যবা ভুমই। ভুম্বদা চক্তইবা ইক্ত্রিশিং অসিদগী মহিক মতাং মাক্তহনগে হ'য়রবদি ংনমক চরা হেন্দোকপনি চরা হেক্নমদাই মমাক্তদা পুক খো'ইরীন অসি য়াবিবমৈখ মা'ক্তবসু বেরা চৌহন্দনা থম্বা এনেমা চৌহনা অমসুং ঊশিং থক্তুনা শেংদোকহৌগদবনি। মসিবু নৌংথিজনা চৌহৌরবদি চরা হেনবদা পুক্তা মহৌক-মতাং অমতা লৈবা ভুম্নোই। খোইরীন্দদি পুমচত্ত চক্তবা ভুমদনা মাক্তহনবা ভুমই। চয়োন অমা হেন্নবদি হায়বদি চাকখাওদসু মসিগা চপ মায়না খোকই। অহ্গা কে'লোন হায়বদি খিরিন (colon)

দদি মতম খবা কুইনা চঙলগা হাপরিবা ফিভম অসিদা পুরকপা ঙমই। অদুগা পন্থ-পুমংহনবগী থবকসু (decomposition) থিংই।

ফিরাক, পৈ অমসুং কিডনি — চরা হেন্নগা পৈ অমসুং ফিরাক্তা কান্নবা পীবদি অদুপা ফংই। পিরাকী অংপাংগা (abscess) পুমক যহনবা ঙমই। কিডনি নাবসু চরা হেন্নগা ফহনবা ঙমই।

পৈ চাউথৎপা — ঐখাযনা পৈ চাপ হুরবগা ফজনা অদু নুমিং খরা চরা হেন্নগা ফজাখি।

মীনা চাক চাদ্রবসু থা কয় ভিনা ঙমই। অদুম হোৎচবদি মিনিট থরদা শি। অসিগুম্বা মদু হোৎনবগী থবক অসি চরা হেন্নগা নুংঙাইবা য়াম্না হেল্লি 'হ্রে' কাইএল' নাবদা নিমোনিয়া লোকখুংবা, লোক-লাইরেম্বদগী চরা মরক্তা খরা হেনবনা অদুম ফজখি। থবোম্মীগী লায়ননদা চরা হেন্নবকপা হায়বসি মতম কুইনদগী চংনরকই। শাংনা হেনবদি ফত্তে। মরেক মরেক হেনবনা টি,বি-দা য়াম্না কান্নহল্লি। চরা হেন্নগা টি, বি, হৌই হায়বদি চরা হেন্নগা য়াং কংই হায়বনি। য়াং কংবদনা টি, বি, হৌগদ্রি হায়নবদগীনি। য়াম্না নোয়বা মীনা হেন্না টি, বি হৌগদ্রি মরমদি অহানবদা য়াম্না নোইবসি অকোনবদা য়াম্না ময়াং কংগনি। অনি অসি অক্কানি। অকোন অহানগী বাদনি। চরা হেন্নগা য়াং কংবা অসিদি পীজরকপা মতমদা ফজনা নোয়থংলি। ডাঃ ওয়েগনারনা হায়—"চরা হেনবদা ইশানা কুপ্না য়েংজবসি

করম্বা মুমিং থাদা চৰা হেনবা নিপা অমনা বক্কার ভৌরকপগে হায়রুনা য়েংবসু বক্কার ভৌরকপদি লায়রবুনা চৰা হেনহল্লগা ফগৎলক্রগা লৌ৷থিনা পৈজবদা বক্কারনা নাবা মী কয়া ফগৎলকপা অতুম থেংনৈ।"

খোপ অমসুং মরী:— চৰা হেনবা মতমদা নৌংথিনা পোথাররবা অমসু' ভুম্বরদি মরী, খোপকী মচা'ক অমসুং থবক ক'ম্রদনা থম্ব' ঙমই। চ'রি'ঙদা ফকচা''গী থবক অমসুং ইন্দ্রি থুরুম চন্দ্রুনা থম্ব' ঙম্বগুম্না চৰা হেনবা মতমদসু অতুম থম্বা ঙমই। চৰা হেনবা মতমদা মরীগী পা'ঙ্গল হেনগৎলি হায়বসি চাং য়ে'বা মতমদা মশা ফদনা হেনবদগী গংবা ফলনি হায়বা য়াই। অতবু চৰা হেনবা মতমদা পেরেলাইসিস অমসুং থর-থরা শিথবা কয়া চৰা হেল্লগা ফবা কয়া য়াওই। নিউরেস্তেনীয়া (মরী চোকথবা) অসি অমসুং ভ'ওবা ক'ওবা চৰা হেল্লগা কৈ হায়বসি অরাম্বা চাওথৎপা লৈবা'ক্তা উনরি। চৰা থর-থরা হেনহন্দুনা মশা মুং-ভাইবহু থঙহল্লগা মশানা চৰা হেজহুনা মরী অহু ফহনবা ঙমগনি।

পুক্নীং অমসুং ইন্দ্রিগী জ্ঞান (senses) মনম ভাবগী পাঙ্গল হেনগৎহল্লি।

পুক্নীংগী পাঙ্গল অসি চৰা হেক হেনবদা হেনগৎহল্লি। নৌংশিংবগী পাঙ্গল হেনগৎলক্কই। পুক্নীং চঙবা, মকুপ-মপাং ভিরবা, অচুম চুমদা থঙবগী পাঙ্গল অসি চৰা হেল্লগা হেনগৎলি। মুংশিবা মীমুংশি থঙবা মসুংদগী ভাবরুপা জ্ঞান (intuition) অহুপা অধ্যাত্মিকী গুণ পুম্নমক অসি চৰা হেল্লগা হেনগৎলি।

চৰা হেনবনা পুক্লীংদা মুংঙাইবা পীবনা অনাবা কয়াদা মশা অহুম ফগংহল্লি। কনাগুম্বনা ৱাখল থোক্লগা চৰা হেল্লগা খনবা তমই। লেকচৰ তৌগদবা লৈরবদি চৰা হেল্লি। পরীক্ষা চংপা তারবদি চৰা হেল্লি। চৰা হেক হেনবদা পুক্লীং অসি শেংবা হেল্লি। ৱাখল লীংথিনা খনবা ঙমই।

লেভানজীয়া নুমিং ৩০ নি চৰা হেনবা মতুংদা মানা উবা অহুদগী শরুক অনি লাপ্লা, উবা ঙমই হায়। চৰা কুইরপ হেনবদগী অনেক হাপ্লয়া অনোক লৌথোকপা য়াম্না য়াওই। ফংসনেল ব্লাইন্দনেস হায়বদি মিত্তা শোকপা নঙনা হকচাং অপুম্বগা ক্ষ শেংদবদগী থোকপা মিং তাঙবসি চৰা হেনবদগী ফবা য়াওই। না পঙবা চৰা হেল্লগা ফবা য়াওই। লায়ংখুন নল্লগা লোক্তু খুংবদগী নপ চোমন্দুনা কেটারেল দেফনেস (কেটারাদগী না পঙবা) চৰা হেনবদগী কারহল্লি, ফহল্লি। চৰা হেক হেনবদা লৈদা অশাবা অয়াকপা ফাওবসি শিংবা হেনগংহল্লি। ইশিং ফাওবা মহাও থেয়বা (hard and soft) শেংনা খঙই। মনম ফাওদবা মীওই য়াম্না লৈ। মথেয় অহু কেটারা নপ চোবদগী লৌখিবনি। চৰা হেল্লগা মনম ফাওদবহু ফাওহল্লি। পুক্লাং অমসুং উবা তারেগুদগী পাঙ্গল অসিদি থোপ অমসুং মরীদগী পোকপনি। চাক য়াম্না চাবা অমসুং ফত্ত-হৌদিদনা মরী-মতাং অমসুং উবা তাবগী পাঙ্গল অসি শোলহনবননি। চৰা হেন্দুনা ফত্ত-হৌদি অহু শেংদোকপদা শোম্নীবাহু কলহল্লি।

চরা হেনবা মতমদা ঙৈগী পোংশক হোংবা চরা হেন্নগা করম্বা পোংশক হোংবগে হায়বসি মী অমস্যুং ঙৌব কয়াদা কুপ্না য়েংই। চরা হেল্লিবা হকচাং অহুদি পোং নত্রগা শরুক থরদি মাংহনখিবা তাবনি। করিনো মাহত্রিগা হায়বস্মু অয়াম্বনা খঙনরে। অহুগা মাঙনরকপা শরুক কয়া অদু য়েনথোক্নবা অরু-ভরাই নাইনা য়েন্থোক্কুবা দরকার (redistribution) ওই ; মরমদি হকচাংগী মপুংদা লৈরিবা থাইদগী অরুবা ইঙ্গ্রি কয়া কায়দনা লৈবা তানি।

মসমদগী সলফর অমস্যুং ফোসফরস অসি প্রোটিনগুম্বা থুনা মাংহনরবস্তু কেনসিয়মদি চরা হেন্নগা চং হেনগৎলকই। হকচাংগী অশোংবা মফমদা লৈবা পোটাসিয়ম অসি চং হেনগৎলি। পোটাসিয়মদি চরা হেন্না হকচাংগী অহোম্বা অকবা পোং-শকশী হেন্না কুহৎনা মাংহনবা চরা হেনবা মতমদা লৈ। সোদি-য়মগী পাসেন্তেজস্তু চরা হেনবা মতমদা হেনগৎলি। থুমগী (হিং-গ্রেস শরুক অসি হৈন্দ্রজেনগী সেলচম ওইনা লৈরিবা মহাও কার্বোহাইড্রেট, প্রোটিনগুম্বা থুনা মাংই। থাইদগী হেন্না শুকপদি য়াম্না চাদিংইগী মহাও, " অদোংপগী লায়না " হায়বদি ভাটামিন "সি" বাংপদগা য়ারি-য়াখোং নাবা, "এ" বাংপদগী মিং নাবা "ডি" বাংপদগা শরু শোনবা চরা হেনবদি অয়ুকম্ চাম্বনা হেন্না শোকহনম্ পোক্কা? অদুবু চরা হেন্নগা মিং নাবা, য়ারি-য়াখোং নাবা চাৎপা নৈ। চরা হেনবা মতমদা দিথি-সেন্সৌ চাবা বাংপদগী নাবা লায়নাগী থুদম অমত্তা উৎলক্কে। মশিনস্ম সাইন্টিফিক ওইবা মীশক্তা বাজল খলহল্লি।

চাবদা বাংপা (deficient diet) মীশক্তা চয়া হেন্নগা মাঙননবা থোক্তবা অমসুং কান্নহনবদি, চাং কায়না মাঙপ্রবা মথল মথা অয়াম্বা পোংশকশিং অতু নীংথিজনা অচুম্বা চংদা চান্নরা লৈহনবদগীনি হায়না মিলো হেস্তিংনা বাংথল অসি থম্নবা হায়। চয়া হেনবা মতমদা আইরন অসি য়াম্না মাঙই হায়না হায়নরকপা পাউথুমদা ডঃ রেগারনস্ হায় "ঐথোয়গী ডঃ কেলোগকা মত মান্নে। য়াম্না কুইনা চয়া হেন্নবদি আইরন অমসুং অতোপ্পা হকচাংদা কান্নবা পোংশক কয়া চং চাননা মাঙই। অচুম্বদি ওইরগা কান্নদবা শিজিন্নদবা পোংশক মাঙবগুম্না অকুবা হকচাংদা চঙবা পোংচঙদি অচুক য়াম্বা চাংদা থক মাঙদে।

চয়া হেনবনা হয়াগাড়ী (overhaul) পুমশিন শিন্দোক শেংদোকপগুম হকচাং অসিগী চোংশা শেংদোকপনি অমসুং পুম্নমক অমতা ওইনা অমুক হন্না চাংহনবনি। অহেনবা মহাও অমসুং নোয়-পেলহল্লিবা পোংশক অসি শিজিন্নথোকই। পৈশিন্নুনা লৈবা অতঙ-অয়াক (effusions) হকচাংদা ঐশিং ও কুনা পোমথংলকপা করিগুবা মীগুম্না শোগংলকপা পুম্নমক শেংগাই থুগাই অচুগা শিজিন্নবা য়াবা পোংশক মথৈদি অমুক হন্না তিনশিন্নি (recombined)। শিজিন্নচুনা শোক্লবা, শেংক্লবা সেল অমসুং তিস্যু (ভোং) অসি শিজিন্নথোকপা অমসুং নীংথিজনা শিন্দোক-শিনজিনগী থোঙচং অসিদি মহৌশাগী ওইবা পোয়ন্নগী থাদোকপা য়াত্রবা শক্তী। মহৌশাগী ওইবা থোঙচংনা মাঙননবা ওইদবনা চয়া হেনবনা নীংথিজনা চথরবদা

মতম চারবা মতমদা অবস্থা চানরবদা শিজিন্নবা য়াদনা মাঙ-
খিবা থক থোক্তে। থরাই হিংনবগীদমক হৌ: (muscle) থরা
অহুগা য়েন্দগী হোংলা থরা কথোকপদনি। অহুগা সেলগী
মরু (Germ) মরু অহুনা নোংহোনা হেকথংলকপা অমস্তুং
অনৌবা সেল অমুক শাগৎপদা পাঙ্গল মাঙহন্দে।

নিয়ুক্লস হায়বদি থরাইগী মৃশক ওইরিবা মসু: থংবা শরুক
(The central mass round which matter gathers)
অহুনা মশাগী পাঙ্গল লৈজবতু য়েংকুনা থম্বা ভূমনা সেলশিং
অহু নহা ওইহলি। থরা পোথাবা, অদুগা লোয়ননা
সেল অহুদা লৈবা ফত-হৌদি অহ চয়া হেনবনা শেংদোকপ্রগা, মহুদা
ভেকথংহনগা থবক অমুক শিজিন্নরকপা ভূমনি। অস্তুম্না পুমশেং
শেংনা পুমশেম শেমদোকপগী থবক অসিগী মতুংদা পুন্সিগী
ওইনা মাঙনবা ভুংশিন্নকইবা ফত-হৌদি অহ চয়া হেন্দুনা
শেংদোকচবা (refined) অহুগা হন্দোকচরবা অহুগা শোৎ-
শক ময়াম অসি চুমথোক চুমশিল হৌরবা (chemical
readjustment), অহ ওইরবদি, নৌংবিজনা থম্লবদি হকচাং
অহ অমুক হয়া শাগৎলি অদুগা শাথং ওইবস্তু অমুক হয়া
পুরকই। হায়রবদি নহা ওইরকই।

সিক্রেশন অমস্তুং এক্সক্রেশন :—

হকচাংদগী থোরকপা রস অমস্তুং ভাপোকফম থোকপা হকী
চৈশিং, হয়াংগুম্বা কয়া অসি চয়া হেনবা মতমদা করি করম
শোকপগে ?

চরা হেনবা মতমদা হকচাংদগী থোরকপা রস পুম্নমক হন্থনা থোকই। অদুগা রস থরদি অথম্বা থরদা হন্থনা থোক্কে। ভিল চোবা অসি চরা হেন্নগা য়াম্না হৈ। গেষ্ট্রিক জুইস থোকপদি ভত্তনা থোক্কুনা লৈ হায়রবু চাংদি য়াম্না হৈ। অশিনবা য়াম্না থোক্লম্বা অসি নুমিৎ ২৫ নিদং চরা হেনবদা লেপথি। অদুগা "হায়পর এসিদিটি", থক্তিন্দগী থৌনাও কাওবা শাহুনা লৈবা "হার্ট বর্ন" হায়রগা থগুনবা পুক্তা অশিনবা কায়রনবদগী শোকপা হার্টডি করিস্থং শোকহবা লায়না অদু নুমিৎ থরা চরা হেক হেনবদা ফজথি (ঈশিংদি মসিদা থকপিগনু)। চরা হেনবা মতমদা গেষ্ট্রিক জুইসকী এনজাইমীক পাওরায় অদু য়াম্না শোৌ।

চরা হেনবা মতম চুম্নদা মশিঙা (bile) থোক্কুনা লৈ. চাংদি হৈ। করিগুম্বা কান্না চরা হেনবা মতমদা বাইল অসি পুক্তা লাক্কুনা ওনৌংহল্লি অমস্থুং ওয়। (অদুগা অশিনবা য়াম্না কাহনা পুক্তা শিন্নিবহ্ ফনবা পুক্তা বাইল থাজিল্লিকই)। পেন ক্রিয়াগী থোরকপা রস অমস্থুং থোইরৌনগী রস অসি চাং হন্থরবস্থ থোক্কুনা লৈ ভুম্বগী শাকলস্থ হন্থরকই।

নুমিৎ ২/৩ হেক চরা হেনবদা থোম থোকপদি হেক্তা হল্লি। চরা অস্থুম হেন্নবদি কংথি অদুগা থোম অদুগী মগুণস্থ হন্থরকই। থাগী শোংদা লাকপা রস পুম্নমকস্থ চরা হেন্নগা হৈ। অভোঙ্গ জোক-ঠিন, থাউনচিংবা মহাও থোককয়দগী হেন্না থোরকপা পুম্নমক মহৌশাগী ফিভমদা লাকই। অদুনা কিত্তৌ চৎপদা,

চন্না হেনবদা চংপা ভোকই। ঈশিং থক্কুগা মুং অসি ভাঙই, কুন্ডই, মনমসু নমখি। অদুনা চন্না হেন্নবদি ঈশিং থকদবনি হায়বসি ভাকই। ঈশিং থক-থক্কুনা অসুম চন্না হেন্দূনা চথবদা মঙৈদা মুং অদু পান্নকই ভোরকই। মতুংগা ভাকপনু হকচাং মসুংদা কন্ত-হৌদি শেংদোকপা লোইশিন্নক্লে হায়বা ভাক্লকইবনি। অহানবা চন্না হেন্নবা মতমদা হৃষাং যান্না থোকই অদুগা নংসু নমখি, ঊনশারোমদসু কন্ত-হৌদি কয়া শেংদোরকই।

কন্ত-হৌদি শেংদোরকপা :-

চন্না হেনবদনা থাইদগী হেন্না কন্ত-হৌদি শেংদোকহল্লি। ঐখোয়না চাশিনবিদহনা ভুমগী থবক লেপ্লগা অদুগা অনৌবা চিঙ্গাক্কুগী পুমথরক্কবা পোৎশক খেৎকত্ত্রবা মতম অদুদা কন্ত-হৌদি লৌথোক্কবা ইন্দ্রি কয়া অদু থবক কয়া হৌজবা ভুমই। মাদগী হৌদুনা পুক খোইরোন অসি কন্ত-হৌদি শেংদোক্কবা থবক্তা ওন্থোরকই। ঙগী তাংকম ওইবা হায়বদি কারখানা ওইবা লেপ্লি। থৌরিনলোমদা অমাত্তবা লাক্কে শেংদোকপগী থবক ভোক্লে হায়না থনবা লাল্লি। ইকোন হেক কোমা চাবিবা চন্না অদুগী মতুংদগীদি খোঙ হাপদা লিক্লা লাকপা হায়বসি চন্না হেনবগী হৌনবীনি। মন্নাইবক ফবা মীওই থবদনা নৌংথিনা মাঙথোকই। খোইরোন অসি ফুট ২৪ শাংবনি। অসিগুম্বা খোইরোন অসিগী মেন্দশিংদগী খোইরোনগী "ড্রাম" মথুন অসিদা কন্ত-হৌদি অসুম শেংদোরকই। খোঙ হাপনা অমনি। মসিনা অমনি। চৈনগী কোলোমলোমদা কন্ত হৌদি শেংদোরকই। হকচাংগী

সেল অমস্তুং ভোংশাদগী ইন্দ্রি পুম্নমক্কী মক্ত-হৌদি অসি ওয়া অরাম্না হকচাংগী শরুক্কী অমস্তুং অনকপদগী লাক্লিবনি। খোইরীন অসিদা ফীরাক্লস্থ মশিজ্ঞাগা লোয়নবা কক্ত-হৌদি কম্না ভাস্তোয়কই। মসি মুশিন্ মুবা, মনমস্থ নমথীবা পোংশক্লি। অসিগুম্বা হু অসি অহৎপা লৈত্তনা শেংদোকয়কপনি বাংএয়েলদা পৈশিন্নকইবনি। মসিদা মাগুখোক চামখোকত্ত্রবদি হুশিং অগ অমুক হম্না ঈদা চুপশিনখিগনি। অহুনা চৎলা হেন্নিজেদা এনেমা চাং নাইনা ভোগনি। মহুতনা শেংদোয়কইবা অহু চামখোকপা ওমগনি।

লৈ অমস্তুং খর :—

লৈ অসি শরৈবান য়াম্না থীনা কায়কই অহুগা খর নমথী। চিন অসি থৈ (fetid taste) লৈদা শরৈবান কাবসি, ঐ শেংলকপগা লোয়নবা লৈজোম্না অহানবদা শেংলকই, অহুদগী নাকল অহু শেংদোয়কই। মতুংদা ময়ায় অহুদদগী লৈথক অহ অস্তুম ওাঙলকই। মাহুংদা হেনবা ভোকপা য়াংবে হায়বা ওাকই। শরৈবান হেক লৈয়িবমথৈ চৎলা হেনবা ভোকউ হায়বসি নেচখন ইঙিং পীগ্রিবনি। খর নমথীবা, শরৈবান কাবা, চিন-থৈব অসিগী মহুত্তা খর পুংওাইনা হোন্নগনি, চিন অসি থৈবা চনপ চনপ লাওনা ভিল অনাংবা খোকপা অহু পুমমক কখিগনি। ভিল অশেংবা খোয়ক্লগনি, লৈ ইওাং-ওাঙলগনি; মহুদা চাক চাবা হোবা য়াবে ওাকপনি।

মিহুম :—চরা হেক হেনবদা মিহুম অসি হাইগংনা হুনবা য়াওই। অহুদগী মতুংদা য়ায়া ভাথনা হুরি। লোংনা হিগুনা পোথাহুনা লৈয়গা হৌই। লেপ্পা, পূবা, চৎপা মতমদা মিহুম য়ায়া হেনগৎলি। অহানবদা মিহুন মিনিটতা ১২০ হুনবা য়াওই। মতৈদা অম্তুম পীকথককবিবনা মিঃ অমদা ৪০ দা হুনবস্থ য়াওই। মতৌগী মপাগী মিনিট ১দা হুনবা মপীং অথুবা লেতুদনা অস্থুম হুনবা মীস্থ য়াওই। অচৎবু হুমথনা নপী। এক্যাস্তদি লায়না মতুং ইয়া মিহুন থুই, তপই। তাইকোই ভত্তা ভপই, মকুমদা মিহুন পুই। ক্রোনিক কেসতা চরা হেনবদি মিংহা ৬০ দা হাথখি চাংখিবা কাওবা অহুম লৈবনা নমই। য়াম্না হেনগৎনা লৈবা: য়াম্না ভপ্পা হখনা লৈৎসি চরা হেনবা মতমদা কনা কনাগুম্বদা থোকপনি, কুল নত্তে। কিকম লৈত্তে। অহোইবনা থম্মোই অমম্বুং মরীদা কাম্রবা অহোংবা মতোং অমা থোকপনি হায়না থন্দোক-কদবনি। থম্মোই লোনবা নত্তুগা থম্মোই মাথা মীদি চরা হেনগা য়াম্না কানগনি। হাটহা মুইদগী লোকপসি চাকথাম শাম্নাম চাশিনবমনি। অহুগা অহোম্না অবস্থা কয়াদা চরা হেনবদা কিকম থোক্তে।

লৈপা :—য়ায়া হাইগংমা লৈবা টেম্পরেচর হাইথহরি। অহুগা য়ায়া হাইখনা লৈবনা হাইগংহল্লি। অহুগা চপচানা লৈবদনা চরা হেনগা করিগু হোংদোক্তে। এক্যাটনা মাথা মীওই অমদা থবদ ওইরবস্থ পীকহুনা থরবদি শাপস্তুনা লৈ। চরা হেনগদি টেম্পরেচর থদি হৌই: লাইহো হেনগথহনে

অহুগা এনেমাদি তৌথোকপীগনি। "চং-না" খুদিংমক চাবা লেপত্রবদি অস্নুম লাইহৌ হাইফেং তৌহনা লৈ। খাতু লাইহৌ হায়নস্ু খঙনবা অমা লৈ। মহূনা ঈ শেংদবদগী অস্নুম লাইহৌ হাইফেং তৌহনা লৈ। চরা হেক হেন্দোকপদা ফজখি।

অহুগা অনাবা অয়াম্বনা "হিপ-বাথ" কুম্বা ঈ শেংনবা লৌখৎলকপা থবক্তা নত্রগা চরা হেনবদা লায়হৌ চাকই। ম'হু "হিলিং ক্রাইসিস' (ফনবা লাকপা) মওং অমনি। টেম্পরেচর অসি ঈংহুনতা লৈবা, হিংনবগী পাঙ্গল অসি শোম্বরবা মীওইদা চরা হেক হেনহনবদা মৈশা হেনগৎলকই ফত্ত-হৌদি অহু চাক-থেকপা হৌবনি। অস্নুম মৈশাসি হেনগত্তনা লৈরগা চরা হেনবা, লেপ্পগা লোইননা ফজখি।

পংচাদা চাশিন্দুনা ওহুনতা লৈবা ময়াং কংবা, ঈংহুনতা লৈবা শিরগত্রা খনবা মীওই অসি মতম খরা কুইনা চরা হেলগা টেম্পরেচর অসি হাইগৎলকই।

চপ্চানা মৈশা লৈবা নত্রগা খরদং হাইগংলকপসি চরা হেনবা মতমদা থোকই। অহুগা অস্নুম ঈংহুনা লৈরবোই খল্লি। নিংথম চনবগুম খল্লিবা অহুদি চিল্লাক্লা পীবশিংগী থবক অহু রাৎপদগী ঈ চেন্থোক্ চেনশিল্ তৌবদা রাৎপনা উনশাদা লাকপনি, ঈ রাত্তনা তৌবনি। নিংথম্ চল্লি হায়না খল্লিবা মতম অহু থর্মোমিটর থাহুনা য়েংবা থোইনা হল্লনা লৈতে, মৈশা তাথদে।

অয়াম্বা পোকপা :— লাম্বসি অস্নুম চরা হেল্লকপদা মথংগী মুমিৎ অহুগী চাক চাবা মতম অহু ফাওবদনি। মাহু

হেক লাঙ্গোকখিবদগীদি চাক লামডে। লৈগী শংলৈপান কোক্রিবা মীনা লাম্বা পোক্কে। চানীংদবদা অচাংপোৎ অমতা মশক কাওবা য়েংনীংদে। চাক লাম্বসি অংশংবদি পুক্কগী পোক্লকই। যাহুত্তদা চাগদবনি। চাক লাম্বদি ভুম্বা ভম্বগী পাঙ্গলনি।

অরুম্বা মাঙব: :- চৱাদবু হেল্লবদি অরুম্বা শরুক, মহাওগী শরুক য়াম্না চৎখি হায়বসি মশানা তাবনি। অত্থুমদি ওইরগা ভাইফোইড কুম্বা লায়নাদা পীজলনা লায়য়েংবগা, পীজদনা লায়য়েংবগা, পীজবা অহুনা ময়াং কংথবা হেল্লি। পীজদবা অহুনা থুনা ফবস্নু হাল্লি। অহুনা হকচাং শোকহন্দবস্নু হেল্লি।

করিগীদমক্তা নারগা য়াং কংথবগে? খাইদগী ফবা চিজাক অহু পীজরবস্নু নারিংউদদি চারিবা অহু হকচাংনা লৌশিন্দে। মরমদি হাম্না লৈরম্বা ফত্ত-হৌদি অহু শেংদোকপদা অনৌবা অমত্তা ভুমহন্দহুনা লৌশিনবগী থবক অমুক তৌরোই। অহুনা পীজরিবা পুম্নমক পুমথহুনতা তোক্কনি। অহুম্না অনাবহু রাবা হেনগৎহনগনি।

ক্রোনিক ওইনা নাবা হায়বদি কুম লায়নাশিংদি অকনবা মী অমগুম্না চাশিল্লগা নোমখংলি। চৱা হেল্লগদি মহু পুম্নমক চৎখি। চৱা হেক হেনবদা নোংমদা পাউণ্ড অমমমগী ভাবত্তা ভাথৈ। থৱা রাংনা ভাথবস্নু, থৱা হেম্না ভাথবস্নু য়াওই। অনৌইবা মীদি পা: ৩/৫ মাঙবস্নু য়াওই। মাংথোকখিবগা ঊশিং রাৎপদগী থোকপনি। মুমিৎ ২০ নি চৱা হেনগ্রবা মহুংদদি পাউণ্ড মথাই অবদগী হেল্লে। চৎপা খোৎপা, মরু

থিঙবা মীনা খয় য়াম্না হৈ। অদুগা তুমিন হিগুদা লৈবা মীন ওপ্না হৈ। চয়া হেন্নগা অকপ্না হেনগৎপা য়াওই। মাহু থংবা থোংদা হেনগৎপা নত্তে। ঈশিং থকপা অমসুং এনেমাগী ঈশিংদগী হকচাংনা থন চানবা কৌশিননিংনি।

পাঙ্গল ঃ- মমাংগী মমিৎ, মখোংদু অমসুং চনিং পোন্দ ব্রেইটস দিজিজনা নাবা কয়াদা চয়া হেলহনবকী কয়ুংদগী হেন্দবা, হৌগৎ-কাওবৎপা ঙমদবা মীওইশিং নুমিৎ ২/৩ শুরকপদগী অমাংপা ত্তায়া থোঙ হাম্না, পুম্নিদা ঈশিং শোকপা চৎপা ঙম্না য়াওই। খুদম মশীং মাইদনা লৈ। মসি কা হুংগী নিয়মনা পুয়কপা পাঙ্গনি।

কুইনা নাবা অনাবসি চয়া হেন্দুনা থগৎলকপনা পুরীং অমসুং পাঙ্গল কনখৎলকপা অনাবা কয়া থেংনৈ। চানবা পীজদনা অনাবসি চয়া হেনহল্লগা কনগৎলকপগী বারী অসি ডাক্তর ডিউয়েৎনম্না য়াম্না পী। মরমদি অনাবা শরবনিনা চাকুবম্না পুক্নীং হকচাং কনখৎপা মশামা তাবনি। এক্যুটকী লাইনদা চয়া হেলহনবা লায়য়েংদা মসি থোক্কবা লৈত্তে। অদুগা কুম লায়মাদা চয়া হেল্লগা কনখংলকপা কয়া য়াওই। হিদাক অমসুং চিজাক অকবা কয়া পীজবদা হৌগৎলকপা, কজবা ঙমহুনম্না চয়া হেক হেলহনবদা কোয়না চৎপা কয়া য়াওই। অদুবু চয়া হেনবদা মুম্না থঙগদবদি—মসলমচিংবা চয়া হেন্দুনা মাঙখপ্লগা অসুম কনখৎলক্লুনা লৈগদবা নত্তে শোন্দরক্লমবনি। "লুসিয়ানি" কৌবা অকাওবা চাংয়েংবা অমদা "সকসী" কৌবা চয়া হেন্দুনদা লৈবা মীশক অথৌদা চাং য়েংবদা নুমিৎ ২০ নি কাওবদি কনখৎলমই। ২০ মিগী

মখুংদগীদি শোকখরে হায়না হায়। মুমিৎ ২১ নি ওববা সকসী অহু ভাইস্যামমিটারদা পায়শিনবগী শক্তিগী চাং অহু চয়াহেনবা হৌগৎখিবা মুমিত্তগীদি হেনগৎলি হায়।

মী পুম্নমক চয়াদবু হেনবদি শোইদ্রে। মরমদি ইঙ্গ্রিশিংগী থবক তৌদবা অহুগা হৈনবকপা মপ্নাইকাবা অমা পীরিবহু লৌখোকপদগী (চাদবদগী) তৌবনি। পুক্নীংদগীসু পোকপনি। পুক্নীং হোংবা এক্সপা শাক্সেন অয়ুংবা থবা তৌবদা নাওশোম্নবা অহু অহুম কক্লখি। ঐ ইশামক তৌখীম্না হায়স্কুলদা ওবা ওইরিবৈদা শোক ১৯৩৫ দা ক্টলিংগা হৈ মহীগদা থক্নুনা মুমিং ১৫ নি চয়া হেল্লি। চয়া হেম্না হেম্না নিংগী স্কুল কারগা 'শুম অচাং লাইবিক ওগ্নী। কয়িসু শোম্নদে। থয়া কুইনা হেনশে তৌবদগী ইমানা য়াদহনা তৌকখি।

পোথাবা:— হকচাং মনুংদা হকচাংগী ওইবা খোঙচত্তা পোথাবা পীবসি চয়া হেনবদগী হেনবা অচৈ কান্নবা লৈদে। য়াদগী হোঙ্হনা চাকখাও, খোইরীব, থৈরিন, মেন্দ, খপ্নোয়, খবোম্বী মরী তোংশা, সেল পুম্নমক পোথাহনা চয়া হেনবা মতমদা লৈজবা ওমই। অহুনা চিনাক পীজবনা মখোয়দা পীরিবা থবক অহু লেপ্পুনা মেয়ামক্ত অমসুং কপ্ত-হৌদি শেংদোকচবা ওমহনা মশাপুবা মেয়ামক্ত তৌজবা ওমই।

কিজিওলোজিস্টশিংনা হায়বসি 'সেল' অসি থবক্তনা মাঙ্হন-শোকহনবনা পোথাহল্লবদা অমুক তোংশা অহু মহুৎ শিলহনবা ওমদে। চহী কয়া থবক হেম্না শূহনা কেমহল্লবা ইঙ্গ্রি কয়া অহু

পোথাহল্লবদা কৈদোইঙদস্থু শোকইবা অহু মেয়ামত্ত তৌজবা ঙমদে।

হেন্না চাশিনবনা হাংপসি (শিবসি) যুগ অসিদদি য়ামগ্রে। অয়াম্বা মীদি চাবা ফংদবদগী শিবদগীদি চাশিনমন্দুনা শিবনা হেল্লি। মন্নানা মোংফম তৌজন্থনা শিজবা মীনা অয়াম্বনি। মরমদি মিনিট সেকেণ্ড থুদিং চাশিন্দুনা ইস্ত্রি পুম্নমক থবক্তা তৌহন্দুনা থমই। অসিদগী অমুক হেনবা পাপ লৈত্রে। চাকয়াম, শায়াম চাবগী পৈশিল্লিবা অহু শিজিন্নখোকুবা অহুগা ফক্ত-কৌদি, খোইরীন, গীরিন্দা লৈরিবহু শেংদোকুবা উপায় ওইবদি চন্না হেনবনি। পুক্তা খোইরীনগা পোথাবা পীবা নত্তে। ইস্ত্রি পুম্নমক চন্না হেনবনা পোথাহল্লী। কাওবস্থ পুম্নমক্তা ফংবনি।

চন্না হেনবা করম লোইশিনগনি। চন্না হেনবা লোইশিনবা থাইদগী খঙবদা কান্নবদা নত্তনা পঙদবা য়াদবনি।

চাক অসি লাম্নকনি। স্নর অসি নমথীরম্নদগী ফহনা মনম মুংশিবা কাওরক্লগনি, নমথীবা কোকপ্রগনি, লৈ অসি মশা পুম্নমক ছোংশং তাঙলকনি। য়া অসি য়াখি কারম্বা ফরগনি, তৌরগনি। চীন্দা নমথীবা, চীন থৈবা ফরগনি। মিং অসি তৌরোক তৌরগনি। ঙল্লা, পি তাবা লৈরম্বা, মিং তাঙলম্বা ফপ্রগনি। মিং উবস্থু হেনগংকনি। মিহুন অসিগী চাং (থুবা) তাল চানা লৈরগনি। উনশা নমথীররোই; মচু মরাং অশাবা অঙৌবা খঙবা হেনগৎ-ফগৎকনি। হকচাংগী মৈশা শামনবস্থু ঈংখনবস্থু চপচানা ফরগনি। তিলস্থু চপচানা খোরকনি। হেনস্থু হেল্লোই।

চীন-য়া কংবস্থু কংলম্লোই। হমাং, মুং, থী, অমতা মনম নমথীরম্লোই।

চহ্না হেনবা মতুংদা চাখংলকপা :—পূম্নমক অসি লাক্লগা চহ্না হেনবা ভোক্কনি হায়বা নত্তে। চাক লাপ্লক্লবদি চাশিনবিম্না লৈ অসি শলৈপান কাবা কক্লবস্থু চাশিন্দুনা লৈরবা মতমদা (লৈ অসি) পুমন্ডাঙ ডাঙলকই : শলৈপান কোকখি। নীংথিজনা লাম্লবদি চাবা হোবা য়াই। পূম্নমক অসি লোইনা ডাইগদবা নত্তে।

কাষ্টিং অমস্থুং ষ্টাম্লংবসন :— চহ্না হেনবা অমন্থুং পীজদবা : হকচাংদা লীহনা থমইবা পুকৈদগী লোথোক্না হকচাং অহ্ লৈরিবা মথৈ পুপা পুপী অমনা চাদনা লৈরিবহ্ চহ্না হেনবা কাষ্টিং ভৌরিবনি হায়না খঙনগনি। হকচাংদা লীহনা লৈরিবা পুকৈ অহ্দগী থোরকপা পোংশকশিং অহ্ লোইখিহ্না থরাই হিংনা লৈথবা ঙমম্রবা কাওবা চাদনা লৈবা অহ্ চাবা কংম্রবা, পীজম্রবা নক্লগা ষ্টারভিং তোবা কৌই। মসিগী থবক অসি মৌত্রিবমথৈ মীনা চহ্না হেনবদা শোকপগী য়া লৈতে। অকবদা ওইগদবনি। অহ্গা মসি মোইনল্লবদি য়াম্না মাঙন-তাক্লবা ওইরে। ইম্রি কম্না শোকম্রে অহ্গা হকচাংগী থবক পূম্নমক থোঙলোরে। মসিনি কুম্না শেম্নগদবা। কনাগুম্বা হৈংবা মীওইনা চহ্না থংহেন হেনবদগী সাইন্টিফিক ওইবা য়াকম অসি খঙদবদগী মশা শোকই। নেচরনা ঐথোয়বু ডাকপি-কনবীবগী থবক তৌবিদবা নত্তে। লামজিবা মথৈ চহ্না হেনবদা থেম্না লৈতে। হেক থরাম্না পোকপদা চাগদবনি। মাহ্দগী হেজিনম্লবদি চাদহ্না শিবা

ত্তারনি। চ'ননা লাম্বা অহুগা শেম্নারবা অরাম্বা (false appetite) অহুদি মশক থঙবা ত্তাই। অচেৎপা লেঙফদবা নীয়ম অমা মী খুদিংদা পানশিনবা য়াদে। মীত্তা মীত্তা অহুগী হকচাং, লায়না মহুংইম্না কয়া কুইনা হেনগনি হায়বা লেপকনি। চক্না হেনবসি অপাম্বা অমগীদমক ত্তোবনি। অয়াম্বনা নিংইবহু পাঙ-থোক্কুবা চথনৈ অহবু মী পুম্নমক্কা হেক য়াদবা বাফম লৈ। একুাট হায়বদি কর-কর হাইহুনা নাবা লায়নাদা চক্না হেন্দবা য়াদে। হেনবসু হেক লামজ্রি ফাওবা হেলহনগদবনি। ক্রোনিকভাদ য়াম্নিবমথৈ শাংনা হেনব, ফজে। মতেক মতেক হেন্দুনা ঈ শেংহনবা অহুগা অমুক অমুক চাশিনবা অসিনা কৈ। অহু নক্তনা সুমিং ২০/৩০ হেমগে হায়বা অহুদি সর্কাসকী মন্‌-ঙম্বনি। বোংমদগী সুমিং ৫ নি অহুদগা ১০ নি, অনি অহমলক হেনবা য়াই। মশা করে হায়বা মী অহুসু চয়োলদা নোংমাইজিং খুদিংগী নক্লগা একাদশী, অমাবস্তা, পুর্ণিমা খুদীংগী চক্না হেনবা অসি থশিশিংনা চংলরকই।

সিনোক্তোরিয়ম অচৌবা উস্ত্রিবা নক্লগা চক্না হেনবগী মরমদা মুম্না নৈনহনা চাংয়েংস্ত্রিবা মীওইনা চক্না হেনবসি চুম্নগী ওবা, ওনীংবা, ছুমদবা পুক্কী লায়নাদদা শিজিন্নবনি থনি অহুগা অত্তে লায়ন্দদি কাম্রদব,ন থনবনা নমই। হশেংবদি লায়য়েং হায়বসিগী উপাই কয়া থোক্লা নৈরিবা অনিগী মহুংদা চক্না হেনবদগী হেক্না অনাবগী কনবা মতেং ওইবদি ঙসি কাওবদা নৈত্তে। অম্নগী হুিংঅনবগী পাজল মাঙ্গবা নক্লগা থরাই পুবা ইক্রি কয়া থীনা

শককম হোংনা শোকপ্রবা অবস্থা কয়াদদি চৎলা হেনবা য়াদে। অদুগুম্বা মীওই অমস্তুং অবস্থাদদি চৎলা হেনবদা কান্নবা অদুনস্থ হন্নবা য়াদে।

একুপ্ট ওইবা লায়না পুম্নমক্তা অহানবদগী হৌনা চৎলা হেলহনপ্রবদি অতৈ লায়য়েং চঙদে। শুদ্ধগী ক্ষমুংদা হিপ্তুনা পোখাদুনা লৈগনি। চীশিং য়াম্না থক্কনি, এনেমা হৌগনি। মসি লায়হৌ লৈরবদা হৌদবা য়াদবনি। চৎলা হেনবনা লায়য়েংবা হৌখিবা একুপ্টতা থুনা থৃদম অয়াম্বা মাঙখিবনা, লায়না ফাওবা থঙবদা, মী য়াম্না য়েংপ্রিবা লায়য়েংবগী মাইবশিংদদি য়ানা থোকই।

ইন্দ্রি মশামক্তা শককম শোক্না নাবা নত্রগা মখোয়গী থবক হৌবা ঙমদনা নাবা (functional) লায়নাদা চৎলা হেনবা কায়ে। মতম কুইনা চিক্নুনা নাদুনা লৈবদগী ইন্দ্রি কয়া শককম হোংনা (organic lession) শোকখিদুনা ইন্দ্রিগী শকক থক্না মাঙপ্রবদি অমুক হন্নিনহনবহৃদি য়াদ্রে। অদুবু চিকই-মারিবদুদি হন্নহনবা ঙমই, মাঙহনবা য়াই অদুগা লেমহৌরিবা সেলশিং অদু মশা কগংহনবা য়াই। অদুগা ঈগী মশুণ হেনগং-হন্দুনা অমস্তুং হকচাং অপূম্বা কগংহন্দুনা অদুগুম্বা অশোকপা ইন্দ্রি অদু কলহননা থম্বা ঙমই। মতম কুইনা পুন্সিদুনা লৈবা ঙমই। অহল ওইদুনা হকচাং ফংচিন্নক্রবদগী নত্রগা অতৈম্না ইন্দ্রি অতৈদা শোকপদগী শিবা তারবদদা শিবনি। মশাগী লৈকম থোকপা থবক হৌবগী পাঙল মাঙপ্রদুনা থবক শোথরবা ইন্দ্রিশিং অদু চৎলা হেন্নগা মহৌশাগী ওইবা থবক অদু চপচানা

চত্থবা ড়মই। মবমদি চয়া হেনবা অহুনা মশা শোক্লবা সেলশিং অহু লৌ.থাকপ্রগ্রা অনৌবা মহুৎ শিনফিনবা ড়মই।

তেংশা পুম্নমক্কী সেল পুম্নমক অসি ইত্তক্তনা তুমম্রি-বনি অহুগা মখোয়গী মহুৎ অমুক অহনবা সেলনা শিল্লিবনি। ইন্দ্রি অমদা অনাবগী খোংচং অমা চংপা উরবদি অহুগা অরিবা শোকপা সেল তহু লৌথোকখিনবা নেচপ্রগী মতেং লৌনবা বরিগুম্বা অমা তৌদ্রবদি অহুগা অনৌবা সেল অহু কন্নবা (protection) হেংনবিন্দ্রবদি অনৌবা সেল অহুম্ব নাই অহুগা মখোয়না থবক তৌবগী পাঙ্গলম্ব ইল্ল। চয়া হেক হেল্লবা অহুগা মহৌশাগী নিয়ম মখদা হিংবা শম্লন্দি, অনৌবা সেলশিং অসি লেইনা থীনা শোয়রে অহুগা মহমগী মতুং ইম্ন। মহৌশাগী ওইবা ফিভমদা হল্লিনবা ড়মগনি।

চয়া হেনবনা কায়বা লায়না কয়া য়াম্না লৈবগে? থোইদোক হেন্দোকপা ফিভমদা লৈবা অনাবা থয়া নত্তনা লায়না অয়াম্বদা চয়া হেনবা কায়ে। তুম্নবগী ইন্দ্রি শোকপদা চয়া হেনবনা মকয়ে। অহুম্নদি ওইরগা স্লকচান চানদবগুম্বা মওংদা উবা মতাংস্ব য়াও-ধক্লবা নত্তে। অনাবা অহুগী মশাদা হকচিন্ মম্না শোকচিনখিবা অহুগা অনাবা অহুবু থাক হেল্লিনখিবা মতাং অসিদা চয়া হেলহনবা য়াদবা লাকই। লায়না থুদিংমক হোগৎলকপা মতমদা চয়া হেনবনা লায়য়েংবা য়াদবা লৈতে হায়বসি হায়মনবা খোক্লোই। অহুগা লায়না থয়না দেশা মওং অমদা হেক্তা চয়া হেনবদা অনাবা অহু চুমথোকপা ড়মই। চাবা কংদবদগী শোনখিবা

মীদদি চরা হেল্লহল্লে হৈদবনি। চ'বা ফংদবা মীওই নত্তবা অনাবা পুম্নমক্না মকম মখম চ'না চরা হেল্লহনগনি। নাবগী চাক পীজবদি মী অমত্তু পীজবা নত্তে, মহাক লায়না অমুত্তু পীজহনা অনাবা অদু থোকচবনি।

হকচাংগী ৎখ্রিলিংগী মগুংদা ভুম্নদা চঙ্বা হৈজ্রি অসিনা য়াইদগী ফংহনবদা ল'হৈনা হে'কই। মরমদি ভুম্নবা হৈজ্রি অসিদি অর'নবা চিঙ'ক চ'রগা হেক্কা শে'কপা অদুগা চরা হেক্কা হেন্নদা পীরিবা শে'থক অদুনা হেক্কা ক'ম্নবা ফংবা হৈজ্রিনি। চরা হেনবদা কম্নবিবসি অহ'নবদা ফজ্জ হৌদি শে'ংদ'কপগী থবক্কা মক ওইনা পা'ংথংবা ছমজবা অদুগা অনিশুবদা হকচাংগী মগুংদা চৎলিবা খে'থচং অসি পোখ'জবা অসিদনি। পূর্ণী অনাবা, ছ্যাপনেল অলস'র, কে'লে'ন, নাবদা চরা হেনবনা ফহলি। অথোয়া ফজ্জ হৌদি শে'ংদে'ক্নবা লম্বী কম্না শেংদে'কচবা ছমই অদুগা পোখ'জহন্নু যাই। মসিবু হুম্নবদি অন'বগী হৌথম মাংহল্লবনি। শে'ক্লিবা হৈজ্রি অদু ফগৎলক্কনি। এপিল মন্টবী কেনেল (খোইরৌন) শোরপা ল'য়না পুম্নমক চরা মখেক হেন্নন্না লায়রেং ওইগদবনি।

অদনা, ঔগী ৱাগম অসিমম্ন চাবা অমসুং চরা হেন্নবা য়াম্না লোংঙাল্লি। অনাবা পুম্নমক্না মসিনা মকুওইনা ইহান থান্না পায়খংকদবনি। অনাবা হাঁমবা অসিমক্তবু ঔদা ফজ্জ-হৌদি নৈলবদগী থে'কপনা ৎ অদু হকচাংদগী থাংদোকপনা মকুওইবা লায়রেং ওইগদবনি। ঔ শেংদোকপা অদুনা 'সেল' কাওবা শেংদোকপা ছম্নবা অনাবা হকচাং অদুনা কামজবা অসি, চরা হেন্নদগী

কংলৈ। সিফিলিস্ নত্রগা অতোপ্পা মহীক্পা নাবা সেপ্টেমিয়া অমসুং পাইয়েমিয়া অদুগা চুমগী ঊদা হু লৈবা লায়না পুম্নমক চরা হেনগদবনি। ঈ কংবগী লায়নদসু কায়বা ফংই।

আটরগী স্ক্লীরোসীস, ফাইব্রোসিস, এথেরোমা, আটরীটিজ, ফ্লেবিটিজ, ভেরাইসেস অসি চরা হেনবদা থৈ। ব্লদ, ব্লদ ভেসেল অমসুং লিমফ পুম্নমককী লায়নদা চরা হেনবদা কায়বা তাক্তুনি। চরা হেনবনা কিডনীদা য়াম্না কায়হল্লি। মতেংদা থৈনহনবা হু পুম্নমক থাইদোক্তুনা মশা ফনা থম্বা ঙমই। কিরাক অসিদি ফত্তে-হৌদি তাম্থোকপা (excreting) অমসুং রসম্ব থোকপা (Secreting organ) ইন্দ্রিনি। চাদবা চিঞ্চাকগী তুমদুনা ঈদা তাপ্রবা পোংশকশিং অদু হকচাং শিনবা থুংনা হেলিবনি। অদুম্না ঈদগী মাওরক্লিবা পোংশিংদু সেল মেরামোত তৌনবা অমদি অনৌবা সেল শেম্নবা অমসুং হকচাংদা থৈশা অমসুং পাল্লল পীননবা অদুগা ফত্তে হৌদি শেংদোকপা পুম্নমক কিরাকা মরী লৈনৈ। এখোয়গী হকচাংগী ঈ অসিগী শক্তক অদুম থোকপগী অমদি কিরাক্তা লেঙদনা লৈ। চরা হেক হেনবদা কিডনি, লিভার অনি অসি থবক পুবদা রায়বা অদু হেক্তা কোকই। কেন্সার, শকফম তোংপ্রবা সিরোসিস (মুপচিনপ্রবা) নত্রবদি ইন্দ্রি মশামক শোকপদা ফাওবা ফবা ঙমই।

চীকপা :—অচিক-অনাদা, চরা হেনবগা মাংবা অটৈ উপাই লৈতে। হেক চাশিনবদা চিংবা অদু হেক্তা চিক্লকই অদুনা চিংদাক্তা 'চিকপা-নাবা'বু থাকই হায়নৈ। চুমগী থৈ মনা-মশিং নত্রবা

হৈ,মচীদা শীনজুনা থবদা হেক্তা চিকপা কৈ। মরমদি মনা-মশিং, হৈদা, মিনরেল্ খুম য়াওরিবা অহুনস্থ, অহুপা প্রোটিন অমসুং চনাং য়াওহনবা অহুপা মহাও অমসুং চিনি ককহংপা অসিনসু চিকপা কহল্লি। য়াম্না চিকপা খাঙবা ছমদবা মীওইদমদি ঊশিংদ থকুনা লৈথোকপনা খাইদগী কৈ। ক্রোনিক ওইবা চিকপা, নাবা লংদনাদা অমুক-অনিরক চরা হেনবনা থোইনা কাংবা শীবা ছয়োই। চরা মখেক মখেক হেনবা, হায়রবদি হাপ্পা অমদা হংল-থংননা মুখিং ২'৩ নিদং হেল্লগা লেমাংহৌরিবা মুখিং ৫/৬ নি অহুমনা হৈ, মনা-মশিং য়াম্না চাবা অসিনা চিকপা কহল্লি। অহুপা শঙ্গোম ছাক্তা থকুনা লৈবনা পুষ্ট-কহনবা ছমই। অহুম্বদি ওইরগা থকইবা অহুগী মখুংদা থবা চিকই। অহুপা শঙ্গোমসু সের ৩ দগী হেন্নবা কৈ।

নোয়বা :- য়াম্না নোয়বা অসিগা য়াম্না কংবা অসিগা অনি অসি কীতম অমত্তনি, মখিংদা মাল্লদবনি। অনোয়বা মী অসি মহম থঙগী মতুংদা ময়াং কংহনা হেংবা য়াদবা কীতমদা লাকই। শাক্তেন অমত্তা, নত্রগা চিক্ক অমত্তা শীবদা অনোয়বনা ময়াং কংলকই অহুগা মমাং কংবনা নোহৈংলি। অনিমক অসি তুম্নবগী ইগ্রিদা শোয়বদগীনি। মসি পুম্নমক অসি চুমথোকপা তারবদা চরা হেনবনা খাইদগী খুবা অমসুং কুইনা চংপা মওংগী প্রতিকার অমনি। ময়াং কংবদি কুইনা চরা হেনবা য়াদে অহুপা অনোয়বা মীমি মহাও অহু শিজিন্নবনা কুইনা চরা হেনবা য়াই। চুম্নী নীওই অমবা নোংজা কমলা ৪ বা শীতম্রনা থম্লগা চয়োল ১/২ চরা

হেলহন্নগা অকুবা চিঙ্গাক নীংথিজনা পীজবদা চয়া হেঙ্গ্রিবগী মমাঙদা লৈরম্বা মাগী অরম্বা অহুদগী পাউণ্ড ১০ দি হেম্না লুমহনবা য়াই। অরম্বা য়াংণা মীওই পুম্নমক চয়া হেন্ন-হেন্নগা লুমহনবা য়াই। য়াম্না য়াং কংবা মী নোয়হনবদি য়াম্না লাই, য়াম্না নোয়বা কংহনবদি খয়া চোকশিনগনি। শাজেলগা চিঙ্গাকা অনিনা নোয়বা মীবু ময়াং কংহনবনা চয়া হেলহন্দুনা কংহনবদগী লাই। মরমদি নোয়বা মীসি খয়া হেঙ্জিম্না চাবা মীওই ঙাক্না ওইনা ভোই ; চয়া হেনবা হৈতে। অহুমকপু মরক মরক্তা চয়া খয়া হেনবদি ভম-গদবনি। মরমদি কাংশি খিংহুনা পুংশীংদা চাক চাবসি মীওইবগী দরকার ওইদে। চাশিন চাশিন্দুনা পৈশিন্নবা মকুম Hump) অহু শিঙ্জিন্নখোক্লবদি নোংমদি অয়াবা তাগনি হায়বসি তাকপীগদবনি। ঔশিং পুকচং অমস্নুং মরি-মরাই তাবগুম্বা য়াম্বা, ব্লড-প্রেসর লাকল্লি। মশ, উট-শুনা থবক কয়া শূবদা চাবা কংদে। চয়োল কয়া মরুভুমিদা চাদনা চংপা তাবা, নুমিৎ কয়া মশগাড়ী চিংহুনা, লাক্লোল চিংনবা মহাওহু মকুম ওইনা পৈশিন্নবনি। মহু অমুক অমুক অতাঙ-থাদা শিঙ্জিন্নবগুম শিঙ্জিন্নখোকদবনি। শিঙ্জিন্নদুগা তাইবংমীনা মবুক্তা কাখিবা মকুম অহু ময়েং তাহনহৌম্রবদি মীওই-বগী মপোক্তা পোকপা উট ওনগ্রে। মকুম অসি অনাবগী মশক ওইবা পোংলুম ওই। চয়া হেন্দোক্লুনা মহাও পুম্নমক শীংগুম্না (Fuel) শিঙ্জিন্নখোকদবনি। শিঙ্জিন্নখোকপা অহুগী মহুংইম্না য়াং কংখগদবনি। মকুম হায়বসি গ্লিসরীন তাকনি।

মরী — মরীগী লায়না পুম্নমক্তা চয়া হেনবনা কাৈর। মরী শোকপা হায়বসি ঔদা, মরীদা কড-হৌদিনা খয়া লৈখিবনা

শেম্বনি। মল্লীদগী অমস্তুং ঈদগী কন্ত-হৌদি হেক শেংদোকপদা মল্লী ফবা হেল্লংলি। অঙাওবা কয়া চল্লা ফজনা হেলহনবা, মল্লক-মল্লক্তা হৈ, মনা-মশিং পীজ্জবনা ফহনবা ঙমই। অহুগা লোয়ননা ঈশিং শিজিন্নবস্তু মল্লীদদি কাউরোইদবনি। অঙাওবনা লাকঙম ফ'ঙমদবা মওংদা লাকপদি তুম্মু য়াদবা, মকোক চীকপা ফনবা অকনবা হিদাক থাক্লবদগীনি। চল্লা মত্তেক-মত্তেক হেল্লগা ঈংথখি। নিউরেস্থেনিয়া অসি থুনা ফবা ঙম্বা লায়না নত্তে। চল্লা মত্তেক মত্তেক হেন্দুনা ঈ শেংদোকপগা লোয়ননা শাজেল তৌহনা মসল্ অসি য়াম্না কাহননবা লাক্লরগা ফবা ঙমই। চাউথংল্লগা ভোংশা (muscle) অহুনা মল্লী পুম্নমক রেগুলেট হায়বদি চাং চানা থম্বা ঙমই। চল্লা হেনবগা লোয়ননা মল্লীগীদমক য়েংনা নীংথিজনা পীজ্জবস্তু লায়না অসিগী মরু ওইবা ফনবগী লম্বীনি। শারৈ অসি ভুম্বগী ঈন্দ্রিগা মল্লী লৈনৈ— চাক চারিঙ অহুগা হেক তোকপগা নল্লগা চাকয়াথ হেওয়া চাশিল্লগা হৌরকপনা, চল্লা হেল্লগা য়াম্না কাল্লৈ। হকচাং শিথবদা হায়রবদি পেরেলাইসিস হেক ভোথিবদা চল্লা হেলহনবা হৌরবদি থুনা ফনবগী মত্তেং ওই। মল্লক-মল্লক্তা চল্লা য়াম্না হেলহনগদবনি।

উমথা :—উনশা নাবা, শোকপা অমস্তুং পোম্বা জাৎ পুম্নমক চল্লা হেল্লগা কাম্নবা ঙাক্তনি। পুম্নমক অসি হকচাং মপুংদা কন্ত-হৌদি লৈবা অহ্ মপান্দা পুখোক্লবা, শেংদোক্লবা লাক্লরকপদা ফুরি-ফুল্লাং অপোম্বা ওইনা লাকপনি। ঈ হেক শেংদোকপদা অহুম কয়খি। য়াইরোং, খোই-মহুমদা য়াম্না কাম্নবা ফংই;

অহুগা মহীক-মন্তাং লৈবা অপাংপা অহুগা লাইকোইশুবদা চয়া হেনবনা খোইনা কাম্বা ফংদে। অশোকপা, তাইশিল্লিবা অনৌবা অলসার, কেংকার, এবসেসনচিংবদা চয়া হেনবা কায়ে। অহুগা মনা-মশীং হৈশুম্বা অলকালি পোকপা পোংসু থম্বা চাবনা ঈ শেংবদা মতেঙ পীহুনা লায়না অমিদসু কাম্বা পী।

ঘীঃ—ঘী জাং কয়া লৈ। থরদি চয়া হেনগা মাঙখিবসু য়াওই। কেন্সার অসি নৌরিংগুদনা অমনি। হেত্তিমগ্রবদি চয়া হেনবনা ফবা ওমদে। অহুগা চয়া হেনগা মরক মরক্তা হৈ মনা-মশীং চাবনা চিকপা-নাবসু য়াগ্না হেম্নংহন্দে। শংজেন, চয়া হেনবা, হুমাং ওানবা নস্তুনা কেন্সার ফবা ওমদে।

জোনশিল—জোনশিল চাউথংপা, জোনশিলাইটিস, ব্রোনকাইটিস, কেটারা, নীমোনিয়াগুম্বা অরগা মরী লৈনবা লায়না পুক্লক নৌনা চয়া হেনহৌরবদি ফবা ওমই। টি, বি নত্তবা অর শোক্লা নাবা লায়না পুম্নমক্তা চয়া হেনবনা কায়হল্লি। টি, বি-দগী মতম কুইনা ফজ্ব-হৌদিনা ভুম্নবগী ইঙ্গ্রি অসি শোক্লা পথ-পুমথহনা লৈবনা ওন্নিঙদো চয়া হেনবা কায়ে।

মেহুরী লায়না পুক্লক চয়া হেনগা কায়ে। গোইটার জাং কয়া চয়া হেনগা ফবা য়াওই। দাইবেটিজ, অসি চয়া হেনবনদি কহনবা, কোকহনবা ওমদে। অহুগা চয়া হেনবা লাওরবদি ফবা ওমদে। মসি মরী লোমবগী লায়মানি, পেন্‌ক্রিয়াস হায়বা মেও অহু নাবদগীনি। চয়া থরা হেনগা, হৈ

থিনবা অমসুং মনা-মশিং পীজবনা অনাবসি লেপ্পিনহল্লে। ঈশিংগী লায়য়েংনা নৌথিহৈদদি কহনবা য়াই।

ওভারী, দেন্তিকল্ অমসুং প্রোস্তেদ্ গ্রেণ্ড নাবদা চয়া হেনবা মপা লৈতনা কায়ে। চয়া হেনবসিনা ইক্ৰি পুন্নমক নহা ওইহনবা অসিনা সেককী গ্রেণ্ড অমসুং তুরুকগী গ্রেণ্ড পুন্নমক হায়বদি চীনগী, পুকী অমসুং খোইরীনগী গ্রেণ্ড পুন্নমক নহা ওইহল্লি। থাইরয়িদ্ গ্রেণ্ড হায়বদি থিয়াক, পেনক্রিয়াস অসি মপা থগংহল্লি। পুন্নমকসি য়েংলগা নেচর কিথেরদা লায়না পুন্নমক চপ মান্নবনি হায়বা য়াই। মরমদি অনাবসি অমগনি, লায়য়েংসু অমগুনি হায়বা য়াই। অহৌবু নাথিবা লায়না অহৌ য়েংবা নত্তে নাথিবা মী অহৌবু লায়য়েংবনি হায়বসি কাউরোইদবনি। থৌ লৌহনা, থয়োম লাক্নুনা অনাবা অহৌ হকচাংদগী থাদোক্নদবা নত্তে। শুপ্পগী হকচাংদা লৈবা হত্ত-হৌদি হু অহৌ থাদোক্নদবনি অহুগা লোয়ননা ঈগী কেমিকেলগী লৈকম থোকপা থলহৌ কাইহন্দনা থমগদবনি, থরাইগী পাক্ৰল হেন্নহন্দনা পাক্ৰল অহুমক্তনা অথোক্লা ইক্ৰি কয়া থবকনীংদি-জনা থৌবা হমহনগদবনি।

হুমলায়না হায়বা অসিদা থরাই অসি হিংহনা লৈনবগী-দমক; হকচাংগী থবক থৌহনা লৈনবগীদমক থরাইগী পাক্ৰল অসি চাদিং থোথোকই। মরম অসিদগী চৈদা মতম হুইনা পৈশিন্নুনা নাক্লিবা হত্ত-হৌদি লেংদোক্নবা অহুগা ইক্ৰিশিং নাইদী খবক্তা থোক্নোইদবা ওমদে অহুগা হত্ত-হৌদি লোক্নবা

নমচং কয়াহ্ থাদোকপা ঙমদে। চহী হেনবা অমত্রুং য়ুত্তোমা উপাই কয়ানা খুদোং থীরিবা মকম অসি লাম্মোকপা ঙম্বই।

অমনা চহী হেনবগী মতম কয়া শাংলনি হায়বা অসি অনাবগী অবস্থানা লেপকনি। অদুগা মতুং থাবদা মনা-মপিং, হৈ নত্রগা মনা-মশিংগী মহি, নত্রগা চবোদ্ বাদি থকত্রা হায়মখিস্থু লায়নাগী মতুং ইনি।

চহী হেনবসিস্থ থর-থর চ'রগা হেনগত্রা হায়বা রাকম নত্রগা চহী হেন্দ্রিদ্বৈদগী য়ায়া চাশিনগত্রা হায়বা রাকম কয়া লাকই। মহ নংঙ্গ চ'রিবা অহ নীংখিজনা লৌশিনবা ঙমদ্রুবা অমসুং অন'বনা গ্রং-ক্রং হাইরবদা খুদক্তা হেক্তা চহী হেনবা হৌবদা অমাঙবা করিস্থু থোক্লোই কিকম লৈতে। লায়হো অমসুং দাইরিয়াদা চহী হেন্দবা য়াদবনি। পাগল কয়া লৈনবা চাবা তোকপা য়াদে হায়বসি অনাবগী মনাক্তা লৈরিবা মী পুম্নমকৌ মঙনি। মহনা অনাবা মী অহবু পীজবা নত্তনা নাম্বিবা লায়না অহবু পীজবনি হায়বসি লায়কম্বীবা মী পুম্নমক্তা থঙহনগদবনি।

মী অহনা য়ায়া মপাং কংলবা অদুগা লায়হো লৈতবা মী ওইরবসি কয়না, কিহোম মহী পীথক্রুনা থমগনি। লায়হো লৈরবসু লৈত্রবসু মশিং অঙৌংবরা-মশাবরা থক্রুনা হৈরিবা মাতুং লৈতোকপনা ঙাওবী ঙুনা কবা হেনি।

চহী হেনিদৌনা [illegible] [illegible]-[illegible] [illegible]
[illegible], "লেক" [illegible] [illegible]। [illegible]

তিনথিগী ফোংবিগনি, মুকচাংদি নাবকদি কম্বুগা পোৎশুবা চৌনা দরকার ওই।

কুমলাংবনাদা চরা হেক্লিকৈগী মমাঙদা হৈ, মুনা-মশাংদা পীথকনা মতম থরা থম্বগা মরক্তা অ পোংদোকুবা চরা হেনবা অমুগা অমুক মনা-মশাং হৈ পীভুবা অসি দরকার ওই। মরুওইনি ক্যারথং অসিদা ভিটামীন অমসুং মীনরেল য়াম্না য়াওই। মরাংদা মেনথংদা অসি মওং য়াম্না চই। অহানবরক্তা শা-রা, মেকুম, চাক, মূল, হরাই থোক্লেকপা দরকার ওই। অহানবা চরানা হৈ, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবনা মনা-মশাং থম্না চরা হেনবা হৈভবা মীওইসিংদি থাইদগী হেৎলা কৈ। নাইট্রোজেন, লিচার নাবা, নুং নৈবা, গোলগ্রামার নাবদা, অদুং চিকপদা মশা নৈহনা কারে। মুমিং ২/৩ দগী ৫১ কাওবা থরদা নুং নৈবা মাদি নুং মচা মচা হংবকই। হৈ চানকা শিজিনবগা নোংমদা ৫ ৬ লক থকপা চাবা য়াই। কমলাগা লীয়োম নকুগা মহুবনা থাইদগী হেৎলা কৈ। নাসপতি, নবাপ, সোলোম, খজুর, এপল, থোরোই শিজিনবা য়াই। চৌনাব, হুকমুক্ত অ পোংনবগী শীনবা ওইবদি কারে। চৌনাব, হুগমুকদি নুং নৈবদা কাইরে। হৈদা মতম থরা থম্বগা চরা থরা হেনবা, অমুক চারা, মুনা কমলাসেনথে। লেংগনি চরা হেনবা থাবা, মম হৈ, মুনা-মশাং চায়না [illegible] অরিনা থৈইরোল, অমসুং বাউ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible]

অমত্তা চাদনা হেক্তা চম্রা হেন্নবদি চ'ক লাম্বনা খাঙবা ছুমদবা অমা পোকপহ্ মসিদদি পোক্কে। চম্রা হেনবা মতমদা এনেমা তৌবা অসিদি কাউবা য়াদে। মি: ৩'১০ কাওবা এনেমাগী ঈশিং অহ্ অহুম থম্বা কার্ম্র। মরমদি মাঙবা য়াদনা কন্না লৈপ্রবা শাইরোং মরুগুম্বা অহ্ মাংথোকহনগে হায়রবদি মহ্ খোৎহন্নবা হোংনবা চঙই। মসিগী লোইননা চম্রা হেন্নবদি ঈশিংসু য়াম্না থক্কদবনি। থম্বা-থম্বা চাবা হন্বনা শুম লংকপা অসিনা চাক-য়াম চাবা, চম্রা হেন্নু য়াত্রবা মীওইদা শাঙ্গল শোন্দ্বনা চাদবা য়াই অহ্গা চর'হুম হেন্দোক্রশিন্না হ'য়বা ভাব অমা পোক্কই। মশা শোকত্রা হায়বগী চম্রা হেন্নু য়াদবসু হেন্নিংবা অমা, কাংবা কংলকপগা লোইননা, পোক্কই। কমলা, বিহোম, অপ্রু অসি মহী ওইনা মুখিং নিনি, হুম্নিরোম থক্কগা চম্রা অহুম হেনখিবনা কৈ। অহ্গা মমাঙষ্টেদগী হোনা হৈ, মনা-মশাং শঙ্গেম মন্তনা চাহ্না ভীটামীন, মীনরেল রাস্তবা মীওইদদি হেক্তা হেনবসু য়াই। ঈশিংদি পূং অনিগী মমুংদা গ্রাস অমমম থকপা ভাই। থকপা কালেদা গ্রাস ২।৩, থক্কবা কাপ্পা পুং ২/৩ থক্কবদি কত্তে। কনা কনাগুম্বা মীওইনা এপসোম সোল্ট ডোজ (d. z.) অমা চম্রা হেন্নিষ্টেদা থকহোবসু য়াওই মহ্না মাংথোকহংগা চম্রা অহুম হেন্বগী য়ানি।

চম্রা হেনবগী খাইদগী য়াবদি মথংগী মুখিংকী চাবা মতম অহ্ কাওবনি। অহুমগী মুখিং ২।৩ অসি চারম চারদাইদা থরু-থরু ভাবনা চাক লাম্বা পোকই। মুখিং ৫ মিগী মঙুংলদি মুকলাম লামখিত্রে। অহুমগীদি চিম-লৈ পুমশেং শোঙলবা মতমদা

[illegible]। চানিংনকপা মতৈদা অঠৈ রাবলাদা চৈহেনবা কৈ। চাক চাবংনকপা মতৈদা ঐসিং অসাবো থকানি। অমুকো পাকেন থাক তৌবলু যাই।

কৈ অসি য়াম্বা শলেপাম খীৰকপা, কোক চিংপা, কোক-চাওবা, ভবল পাইবা, হৌগংপদা ভুগৈ তৌবী, ওঁবা অসিন্‌ থোকই। থুক অসি হাপচিনখিবম। য়াংলৈম পকপথুম তৌবা যহৌবা য়াইলৈ লুংচাক্তবা য়াওই। চিঙাক—চুকউ, কোথি, চং পাম্বা অনি লৌখোকথিবা অহুদা অতাংপ; অমা মুম কাওহনা কৈ। চয়া হেনবা অপিদা মাচৈবা ওইবা লমচং অসি পুমবা [illegible]হোৎনবনি। চাক চা-নবা লাম্বা হাম্বা অতুদি চুম্বী পুক্তী থোইজীনগী খাওবকপা চানিংবা নত্তে। চা-নবা লাম্বা পোক্লকপা হাম্বহৌদি তুম্বা ওইগী পাম্ললনি। চাক চথোম নকপা অনম থওনিং মীংশিংদুবা ৬কুবা থম্বদা, মীনম লাকপদা তিন্ হোতকনি, তিন্ লোংকনি, পুকী মৰী পুম্মক হৌপনি। চাম্বিহৌমো কম্বিতুম্বা মথা চাম্বপা পুক্তা ভুমখিবা অহোঙ্গবা অমা খাওকনি।

'চয়া হেনবনি হাম্বহুনা পুক্কীং অনিদা কম্বি থোক্লগদগী হনহুনা তাহৌনা ইপাবু তাইমূনা লৈপদবা নত্তে। ঐহাক কবগদবনি, ইপকগী [illegible] অনি পাথং, অহা ওইবো ক্লপদবনি হাম্বনা কপুনো লৈপনি। কম্বিতুম্বা বভ্যনো মীনা মাচৈ-তাক্লবা বাখিল বকবা মাকৈ। মীনী মীচৈনবা থাবা বাথন্‌ থাহৌনা মীপি [illegible] [illegible] মাচৈবদা। [illegible]-কোখিবা, [illegible]

অসি অশাওবা, মুংচাইডবা অান মাওবা রাকমগা লোয়েন। মী অহুবু মাঙহনবা লমনশিংবা চেমচগা, শা. কাংবা হায়িবা থুংলাই অহনা (বুমরেং) শা হাংহোচগা ঐচোক্না হকিন্না পানবগুম, ঐগী ইশাদা মাঙচহনা ভোকই।

শেমগং-শাগংপা রাথল –

ঐনা চম্না হেক্না অনাবা করগা ইশা কন্নবা মচমদা ইচাশিংগী মুম অসুম্না শাগে, অথাং কম্না ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়ার, লোইয়ার, আই, এ, এস, থাহনগে হায়বগুম্বা রাথল হায়বদি শেমগং-শাগংপগী রাথল খল্লবদা, ইশাবু শেমগং-শাগংপগী রাথললোমদা লাকই। ইশাদুম্ব শেমগং-শাগংখি। মারিমথৈ হকচাংনা চম্নিংচদা রাখিং চংপা, মপান্দা ইথোল-শম্বল শূবা, রাদি রায়বা থবক ভোবনা হৌগনি। মতংদা শমুংদা লৈবা মচমচন্তু মাক্লোল, শক্লোইগুম্বা মুংশিং অশেংবা মকমদা নম্নগা মিহুংথোং মমান্দা মুংশিং অশেংবা ফংনবা লৈগনি। নিংথমদবা মচমদা কি থাদোক্না মুংশিং হকচাংদা চৈহনং নি। নিংথম-খা লোংকু-থাদা নিংথমদনবা কি ইন্নগা অশেংবা মুংশিঙ্গা লৈগনি। লৈনিন কাবা চুরিগুম্বা নম্নগা তমাংগী মোং চোংপগী অইবো, অচোংপা (damp) মনিংদা রাওবা মুংশিং খর হোনজিনবদি রামে। মরক মরক্তা হকচাং অসি চুম্না ফিজো ফিম্না, খুং-থোঙ, শান্না ফিংথোকপা দরকার ওই। অহুম্না কোয়নবা খর শানেং হোবচু দরকার ওই। মিনিট ১/২ শারগা অমুক কাউথোকপিন্দু। পুং ১/০ লৈরগা অমুক হোৎনবু। খর খর শাংলা হোৎনবী

মীংশিংগনি। হেক কাউথিবদা ভোকউ। মীংশিংসেকপদা থর-থর শাংবা হোনবিদু। মিংথম্বা, নিংথম্বদবা থক্তদে চা হেন্নিবনি হায়দুনা ফিবা পংদোক্লবা য়োমশিনবা কত্তে অমসুং দরকার ওইদে। হকচাং অসিদগী মশানা নৈজবা মৈশা শীবগী পাঙ্গল অহৃ মাঙহনবা কত্তে। মুংশিং অয়ৈংবনা হাইদেদ্‌ মৈরপা, অহৃত্তবা মৈশা অহৃ হকচাংদা পোকহনবা ময়াই অমা (Stimulation) নি। অদুগা অইংবা মুংশিংবা পুক্কীং হকচাং তেকথংহল্লি। মশাবা খোরকপদা হায়বদি খোকহল্লকপদা হকচাং মমুংদা নৈবা কল্ল-হৌদিশিং অহৃ থরদি শীজিল্লখোকই। অদুগা ঊনা মুংমক কল্ল-হৌদি লৌখোকুববা ইঙ্গিরোমদা কিডনি অমসুং উবশা-য়োমদা পুখোকহল্লি। অদুনা চা হেনবদা হৈনীংদবা, হঙবা শোকবা অহৃ অস্তুম মাঙথি। মরী শোনবা, চা-মনা লায়কয়বা, ইঙ্গি কয়া থীনা শোকুবা মীদি চা হেন্নবদ্‌ হেন্নবদ্‌ ময়ুংদা ভুমিন পোথাহনবা কৈ।

মীওইবগী চাবা চিঙ্গাক অমসুং নোম পেন্‌হল্লবগী মরমদা নৈনবা সাইন্স-গী অদুবা নিয়মগী মখুংদা চাম্মদ। চাম চুমবা শিয়মদি চা হেন্নবনি। পঙচাদা চাশিনবা অমসুং লাম্লবা পুক্কা—থগেবা, ওনিংলবা, ওয়বা মহৈদা চা হেন্নবদি "ময়ানা থোংকম তৌবা" হায়বদু খোল্লবনি। মচম অদুদা কুমিং ২৬ দং হৈ-মশিবা থকুনা চা হেক হেক্লোকপদা অমুক হন্না চানীংবা লাক্কা পোকুনা ভুমী, উ'শেমশংগী মবক নীংথিজ্জা লৌহৌনা তৌবগা ওবই। ,থুডিগী চাশিনকখা, লায়বক্‌ লামজংবদু থবক

তুইদে, হায়েঙ্গম চেয়োম শুথিংগী অমমকু লাক্পীবু [illegible]
হেকপদি হায়রা কপিন্নু, পাদি। অঙাম পুম্বী চকা খেলগা
চুরা হেনবা শুখিং অহুম কাপ্পা পাবা হুথিং খোম্বিদি জাবমা
[illegible]। লাইকৈবা চকা কংজগা চবা হেনবা [illegible] ইথ-ইপুখিংনা চানবা
তোঙদু সংগ্রামগা চকা হেনলই। হকচাংদা যাবা চাদিনা লোংতবী
চুংশিন্দুনা থবা খোকপৈরনবা শোকনবদগী অহুম লৌথমা
হকচাং লোম পেপহনবা অবিদু হকচাংগী তংগীদবদি থাদে। মসিমা
অতাং যাদা য়াম্না কান্নবনি। ই পেয়রবা কাপা ই শেংহনবা
ওমাই। অমাবা চংশদা চবা অতেকবনী কাদে। অনাবা পুম্বক
জাক হানপাৎহেবা মাপা থাজহনা চবা হেমবানু। খংনুমা ঐনা
পীজরিবা মতম করা, অমম্বগা চাংনমা চবা হেক্নোকপানু। হকচাং
শাইদু পুখিনবীদু। যতুদি মতদনা চাবমা অথোকপা মথো
ওইরা উটহনদু, মপক মতুং মীকম থাবা লৌহৈবা পোকপা
উট—হুৎমেন কেমেল কয়ানা ব্লড প্রেসার, নীশা থুকচংলো শিনবা
থবী, ওইরবা দৈংবনা, মীকপু তাকপা লৌখিনবনু, খীনা হায়বা
ফারিবনু। লৌওইবনী, মপোক অমত্তরি থপিবু থাইদগী মকমা
শীথিজরাদবনি। নাদনা, মতম তুইনা পুখিনবনা পুথিপী
মতম ওইনা থেক মীওইগী লেমাদা লৈবা অমসু উংবগী থাম
তুইনা লোকখা ওকথনি।

চা কুকন অপোকপি—(বহং কম্মা মৈ।)

[illegible] পুথনেন লেমা থাবগী মাপিংদু অক-এবাং ওফিলগী
[illegible] [illegible] থোংগম খোমজং থাবা ফিকপা পুতো লোকদনা [illegible]

থক্লৈ। থুমিং ২ ৩ দগী হেন্না হেন্দবা নৈ। মসিদি এস. ইট্টিস হ'য়বদি মৃগাম্ব ৯তগা মকচাং অপুম্বা উমিং চা'ক্তা চাইরবা (dropsy) মহমদা শিজিন্নবনি। উমিং থোরাংবা থক্লদবা মীচম্ব চৗ অসুম্বা হেন্না উমিং কৌই।

থনিজুবদ :- উমিং থক্লনা হেনবা চৗ মহেন — মচী-মনাই অমসুং মপাং মাওবা পোং অমত্তা চম-থক্লবা মওংনি। অহম্নাদি ওইরগা উমিংদি থক্লদবনি।

চাক লাম্বা অসি থুমিং ৩/৪ দি নৈরেঙই। চৗন নৈহনা উমিং থক থবা থক্লদবনি। উমিং মাম ৪/৫ অসি হোগংনকপা থুমিং ২ ৩ থক্লনি। অহুমগী চাং নতুম্ব থক্লনি। মী অহুমগী অরুম্বা মপাং কানা অমসুং হিংনবগী পাঙল পুক্নক থোনগা কয়া কুইনা হেনবা হায়নগে থক্লগা হেনগনি। হোংলিক ওইবা লাইরনামদি থুমিং ২ ৩ দগী চয়েংল অম ফাওবা হেন্না অমুক চাবগা অমুক হেনগনি। অমুক চাথংপা মমমদা পাম্বল হেন্নহনগদবনি।

অহুমজুবদা :— উমিং হাম্বা থক্লনা হেনবা মহেন পুং থুমিংগী উমিং মাম ১২ থক্লনা হেনগনি।

মরিজুবদা :—নৈ মচী মাম্না থকপা। উমিংদা চম্পা মচী মাঙগা থক্লনা হেনবা। উমিং অপাংবা পোচা অমা মথাইদা (১২) চম্পা অমগী মচীগা থুম চাম্চ মথাম্ব (Half spcouful) অমগা মাঙগা অমুক, থুংথিল, থুমিদাংবাই থকপা। উমিং মাঙিমহৈ নৈ পোক্লনা শাহনগদবনি। চুপকথু মিঃ ১০ গী মখুংদা থকউ। মরক্তা উমিং অপাবা অচৈংবা থকপা মাই। থোইবীদা পথ-পুমথবা

অতুগা লিভারদা ঈ পুনবা (congestion) অহগা গোল ষ্টোন, গোল ব্লাডার নাবপা ক'য়ে'।

মঙাশুবদা :— চরা মতেক মতেক হেনবা। মোংযা হেনবা নিনি চাবা। নিনি হেনবা মরিনি চ'বা। মরিনি হেংগা ৮ নি চাবা। ৫ নি হেল্লগা ১৫ নি চাবা। অসুম্না চরা হেল্লিবা অতুগী শরুক ৩ হেম্না চাহুনা সুম লৈরগা হকচাংগী অবস্থা কগংলকপ: ভাইহুনা লৈগনি। মসিদগী থ্বাইদগী চোকশিনগদবনি চারকপা কান্না য়াম্না চা'শিল্ল্রবদি কান্নবা পুম্না' মা'ভুই। চরা হেনবগী মরক্তা শঙ্গোম থকহনবা ঠৈ। মরমদি চা'ক য়াম্না চাশিনগ'ন্নি নত্রগা হৈগা শঙ্গো'মগা থক্রুনা লৈবস্ত ঠৈ।

অক্রুকশুব' :— হৈ মহী থক্রুগা চরা পুমাংহন হেনবা। কমলা, কীহোম, নত্রগা অঙ্গুর মহী সুমিং ৪/৫ নি থকপা। অতুদগী ঈশিং থক্রুনা হেল্লগা মথৈদা চর' অহুম হেনবা।

হৈ মহীগী মতম্ত' কমলা ৪/৫ চা'হুনা হেনবা য়াই। হৈগ' ঈশিংগা থক্রুনা চরা হেনবসি য়াম্না ভে'য়না হেনবা য়াই। হৈ মহী অমসুং ঈশিং থক্রুনা হেনবা অসিনা ঙা' চীকপগী থ্বাইদগী কবা চরা মহেননি। "রেদ সেল" য়াম্না হেনগৎকদ্রি।

চরা হেনবা তোকপা —

চরা হেনবগী থ্বাইদগী মক ওইবা মরমদি চাবা, থকপা, লৈবা লানবদগী ঈদা পোকপা খোইরাক্না লৈবা কম-হৌদি পুম্নমক শেংদোক্লবা অহগা হকচাং মপুংদা চ'শিবা খোঙচং অমসুং ভুরুবদা'

চঙলিবা ইন্দ্রি পুল্লমক পোথাহন্নবা থৌশিলনি। অদুগা পুক অসি শীকশিনখি। হান্না চরা হেন্দ্রিকৈদা চাখিবা চাকী চাং অদু চাশিনবা থক য়াদে। মতম পরম্ব ভুম্নবগী ইন্দ্রিশিং অদুগী তোংশিং অদু শিজিন্নরুদবা হায়বদি থবক তৌরুদবনা হেক য়াম্না শীজবা য়াদে। অদুনা ভংবগী ইন্দ্রি অমসুং হকচাং পুম্না কদ্রিশুম্বা মওংদা লোক্রুনবা য়েংহনা নোয়পেজব. য়েংহনা অকবা চিজাক পর থরদং ওইনা শীজবা হৌগনি।

য়াম্না চাশিনবা, তোম্বনা চাশিনবা অসি চরা হেনবা মতুংদা থোকনি। "মতুম্না চাশিল্লবদি চরা হেনবগী কান্নবা অসি পুম্নাং মাড়গনি, হকচাংস্থু শোকনি"। চরা হেনবগী মরু ওইবা হায়বদু অদুক বানা হেনবদু চাশিনবদা শোইদনা পুম্নাং মাঙহনবীগনু। ফজবা চিজাকস্থু চাশিন্নোইদবনি। তারি-ভাতাই, থাউ-বী, শাং-তা, য়েরুম য়াম্নিবমথৌ কোম্না হাপচিনবীয়ু। চমফুৎ, ইচম, চম্না থোংবা শীজবা কৈ। শক্তোম চাবা পকুত্রগা তা, য়েরুম হাপচিনবা কৈ।

চরা হেনবা তোকপগী রুটিন —

চরা হেনবা হেক তোক্লগে হায়বা মতমদা পুখিং থরদি শীরিবা অস্থম্না চাবা কৈ।

অহানবা পুখিং—চরা অহম অমুক, ধুংথিল, পুখিদাংবাইদা মহী থোকপা কৈ—এপল, কমলা নত্রগা কৌহোম।

অনিশুবা পুখিং—মযুক্তা কমলা মহী। শক্তোম গ্লাস অমমম পুং ৮ দগী পুখিদাং পুং ৮ ফাওবা থকপা।

অহুমশুবা নুমিং—অযুক্তা পুং ৬ তাবদা কমলা। পুং ৮ দগী মিনিট ৪৫ খুদিংগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা শঙ্গোম গ্লাস অমমম অস্থুন্না লৈনিংইবা মথৈ পুংখাই খুদিংগী থকপা য়াই।

শঙ্গোম থকপদা পক্লৌবা মীওই।

সাইট্রস হৈ, কমলা, কীহোমগুম্না থরগা অথুম্না হৈ, খড়ুব, নত্রগা কিসমিস থরগা শঙ্গোম গ্লাস অমগা ৎক্রুনা নোংমদা অহুমলক অয়ুক, নুমিং হুংবা অমস্থং নুমিদাংবাইদ চাগনি। মতুংদা অযুক্তা শঙ্গোম পৌবা ১১ নুংথিন্দা মনা মশাং থোংবা সলাদ অহুগা শঙ্গোম অমগা, কিসমিস অসি থর চাবা, অয়ুক নুমিদাংবাইদা শঙ্গোম গ্লাস ১, মতুংগী নুমিত্তা হেক্রুম অমা, চাক থরা, নত্রণা গেহুগী তল থর পীজবা য়াই (টৌংটস্থ য়াই)। চয়োল অমা অনিগী মতুংদা থর থর হাপচিন্দুনা মহৌশাগী চিঞ্জ ক ম্নোইনবা। চাক য়াম্না চাশিনবীগনু থজিক্রুনা নে য পেলইনগনি।

নুমিং ৫ | ১০ নি শুনা চন্না হেন্নরবদি- অহানবদা কমলা মহী পুং অযুক ৭-১০ ২, নুমিদাং ৭ তা থকপা।

অনিশুবা—কমলা মহী থর হেনগৎনা, মতম অতুদা থকপা নত্রগা কমলা মপংগা লোয়নবা চাবা। হুম্নিশুবদা শঙ্গোম আউন্স ৮ গী শঙ্গোম গ্লাস অমমম পুং ২ খুদিংগী থকপা। মথংদা পুং খুদিংগী অয়ুক পুং ৮ দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা। মতুংদনা পুংখাই খুদিংগী থকপা। অয়ুক পুং ৬ তা কমলা অমগী মহী পীথক্লদবনি।

সুমিৎ ১০, ১২ নি চরা হেন্নরবদি—

কিহোম, অজুর নত্রগা কমলা মহী অহু ঈশিং খর য়াদ্রগা আউন্স ৪/৬ কী গ্লাস অমমম নোংমদা মরিরক থকপা। অনিশুবা সুমিত্তা কমলা নত্রগা কিহোম নত্রগা অজুর মহীহু আউন্স ৬/৮ ঈশিং য়ান্দবা মহী মরিরক থকপা। অহুমশুবা সুমিত্তা হৈ মহী আউন্স ৮ অয়ুক্তা থকপা। মতুংদা পুং ১ লৈরগা শঙ্গোম গ্লাস অমা, অহুদগী পুং ২ খুদিংগী সুমিদাং পুং ৮ ভাবা কাওবা পীথকপিয়ু। সুমিং ৪ নি অমসুং মতুংদা অহুম শঙ্গোম গ্লাস অমমম পুং খুদিংগী, মিনিট ৪৫ খুদিংগী, পুংখাই খুদিংগী পীথকপিয়ু অহুগা অয়ুক খুদিংগী কমলা মহী থরা—মংবা য়াদ্রগা নুংথিল পুং ৪ ভাবদা কমলা অমগী মহী থকপা।

সুমিৎ ১২ দগী কুন্নি চরা হেনবা মীৎ—

অহানবা সুমিত্তা অজুর নত্রগা কমলা মহী ঈশিং য়ানবা আউন্স ৪/৬ নোংমদা মরিরক থকপা। মতুংগী সুমিৎসু অমুম্না লৈগনি। হন্নিশুবদা কমলা নত্রগা কিহোম নত্রগা অজুর (কমলা অমগী চাংদা) চাবা। শঙ্গোম্না পৌরা অমগী অহুম থোকপগী অনি পীথকপা, মরিনিশুবদা হৈ অহুমসিগী মনুংদা ১ গা শঙ্গোম গ্লাস অমাগা থকপা। ৫ নি শুবদা অয়ুক্তা হৈ চাবা অমসুং নুংথিল পুং ১ দগী পুং ৩ ভাবা কাওবা শঙ্গোম্না পৌরা অমমম অহুমদাক (কার্ট—quart অমদগীদি হেন্দনা) থকপা। সুমিদাং পুং ৬ ভাবদা মনা-মশীংগী চরা অমা চাবা। সুমিৎ ৬ নিদগী ১০ নি কাওবদা, অয়ুক্তা হন্নি চনবগী অহুম্না লৈরগা মনা-মশীং অমসুং যেরুম নত্রগা ডা সুমিৎ যুংবদা, চাবা। সুমিদাংবাইদা মনা-মশীং। মতুংদদি হান্না চরা হেক্সিহৈগী অমাগী মওংদা চাবা।

নুমিৎ ২০ দগী হেনবা, চরা হেনবা তোকপা—নুমিৎ ২০দগী হেনবা চরা হেল্লবদি নোংমদা ৪ রক ঈশিং য়ানবা কমলা নত্রগা অঙ্গুর মহী আঃ ৪।৬। অনিশুবা নুমিত্তা নোংমদা চরা ৪ রক অমুক্তা আঃ ৬/৮ গী চাংদা ঈশিং য়াদবা হৈ মহী। মতুংগী নুমিৎ মথং মথং ওইনা অযুক্তা কমলা মহী মতুংদা শঙ্গোম ঙাক্তা অঃ ৬'৮ অযুক পুং ৮দগী, পুং ২ খুদিংগী নুমিদাং পুং ৮ কাওবা অসুয়া পুং ১২/১ খুদিংগী, অতুদগী পুংখাই খুদিংগী পুথংপীযু। কমলা মহীনা ইক-ফৈ। শঙ্গোম থকপা মতমদা চকগী কোংজিদা তপা চিংহুনা থক্কনি।

চনাংনা চরা হেনবা তোকপা চাকখাও অমসুং খোইবীনগী অলসারনচিংবা লায়নাগী মক চরা হেনবা নত্রগা অতৈগী মরীদা হেল্লবসু পুক্কী অমসুং খোইরীনগী খুদোংথীবা লৈরবদি চনাং নত্রগা চৌত্রি ওংপা পীথকপা য়াই। অতুক্কী মতিক শাংনা হেংগা অতুক্কী মতিক পানা যানবা চনাং, চবোন অসি ঈশিং অক্তাই অমা য়াল্লগা অমুক লোল্লগা পীথকপা য়াই। অতুগুম্না চৌত্রি ওংলবসু মহী অতু ঈশিং তেক্তাই য়াল্লগা পীথকপীযু। বার্লিসু পানা পীথকপীযু। চিনি হাপ্লীগনু, শুপ্নগী থুম থরা হাপ্লীযু। বার্লি অসি চাগী চামচ অমত্তা হাপ্লগা ঈশিং পোৱা অমগা মথাইদা য়াল্লগা লোল্লগা পীথকপীযু। অতুপা নুমিৎ ৫/৬ নিগী মতুংদা শঙ্গোম ঙাক্তা পীথকপীযু।

শঙ্গোম থকপা য়াদবা মীওইগী চরা হেনবা তোকপা— ক্রোনিব কেন্তারা লৈবা মীওই, হায়বদি লোক শিংপা, তোলহাও ফায়বা কেন্তারা লৈবা মীওই, হায়বদি লোক শিংপা, তোলহাও ফায়বা, নপ চৌবা, ব্রোংকাইলকেতারানচিংবা, লৈবা মীওইদা শঙ্গোম

থকপা চানদে। হৈ মহীদা মতম খরা থকুনা লৈরগা মুমিং ৩'৪ শুবদা তরমুম্ব, এপল, নাসপাতি, কমলা, শোল্লোম, নবাব, হৈনৌ, অস্মুম্না মহী থোকপা হৈ পীজবা য়াই। অহুদংগীদি ছানাগী মহী পীথকপা য়াই। চনিগী মতুংদা হঙ্গাম শলাদ, থবী, খামেন অশিনবা, যেন্দেম্নচিংবা অহিংবা অমগা হঙ্গাম, কোবীগুম্বা থোংবা অমমুং মনা মর্শাংগী নোইখাইবগী মহী (soup or broth)।

অকনবা চিঞ্চাক চারগে হাযবা মতমদা অমুক্তা হৈ মহী নত্রগা কমলা, কীহোম, এপল অহুগা কিসমিস নত্রগা খেজুর নত্রগা লফোই অমা চাবা।

অহুকী চয়া পুং ১১ দা আলুগা মাখোলগা নত্রগা চাক খরা নত্রগা পেহুগী অসম্বা তল খরা পীজবা যাই, মনা-মপীং থোংবা, শিংজু (খোরেক, শিং যাওবা যাদে) চাবা য়াই।

মুমিদাংবাইরমদা — ডা নত্রগা য়েরুম হরাই মুগ, আলু মনা-মপাংগা চাক-খরা নত্রগা তল-খরা চাবীযু। চাক মতুদা, কিসমিস নত্রগা খেজুরগুম্বা খরা চাবা য়াই।

শঙ্গোমগী থকপা —

(ক শঙ্গোম ভাক্রা থকপা। শঙ্গোম থকপা মতমদা কমলা, তত্তুনা চাগনি। কমলা ফংদ্রগা মেৎসুমী রিহোম অহুরে শিঙ্গেম্নবা য়াই। দাইরিংবা তৌরগা খজুর থাংতুপ চাগনি। অসি নত্তুবা করিগুম্বা মখলগী পোং অমত্তা চামিম্নবা য়াদে। শঙ্গোম অাং ৮ পুং খুদিংগী থকপা, অযুক পুং ৮ দগী মুমিদাং পুং ৮ ফাওবা, অনি শুরা মুমিঙ্কা অাং ৮ মিং ৪৫ খুদিংগী অযুক পুং ৮ দগী মুমিদাং পুং ৮ ফাওবা, অহুমত্তুবা মুমিং পুংথাই খুদিংগী থকপা অযুক্তা কমলা থকপা

মহী থকপা, মাংবা য়াত্রগা নুংথিল পুং ৪/৫ গী মনুংদা কমলা অমগী মহী থকপা। দাইরিয়া ভৌরগা খেজুর (থাংতুপ অচৌবা) অমগা শঙ্গোম গ্লাস অমমমগা। ওনিংলক্লগা চক্লা মহী খর চুম্না।

(খ) শঙ্গোম পৌরা অমা, পুংখাই খুদিংগী অহানবা নুমিত্তা, অনিশুবা নুমিত্তা শঙ্গোম পৌরা ১½ পুংখাই খুদিংগী, পুং ১২ ভাবা ফাওবা থকপা। পুং ১২ গী মতুংদনা পুংখাই খুদিংগী শঙ্গোম পৌরা অমমম্ থকপা। অয়ুক্তা কমলা মহী থকপা ফৈ।

(গ) অহানবা নুমিৎ—অয়ুক্তা কমলা মহী পৌরা মথায় অমা থকপা। শঙ্গোম আউন্স ৮ পুং ২ খুদিংগী অয়ুক পুং ৮ দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা।

অনিশুবা নুমিৎ—শঙ্গোম পৌরা অমমম্ পুং ১½ খুদিংগী। অহুমশুবা নুমিত্তা পুং খুদিংগী। মরিশুবা নুমিত্তগী মতুংগী নুমিৎকীস্ মিনিট ৪৫ খুদিংগী শঙ্গোম আউন্স ৮ থকপা অদুগা কমলা মহীনা অয়ুক্তা অমুক অমস্থং নুংথিল পুং ৪/৫ দা অমুক্তংগা থকপা। শঙ্গোমদি কার্ট ৪ দগী হেন্না থক্কবা।

(ঘ) ক—দা থকপগুম্না থকপিয়ু। অহানবা নুমিত্তা শঙ্গোম ভাক্তা থকপা। অয়ুক্তা শঙ্গোম অসি পুং ১ ভাবা ফাওবা, ১গী মতুংদা সবিক। কমলা মুত্তিগী অমমম্ চাবীয়ু।

(ঙ) শঙ্গোম পৌরা অমদগী ২ ফাওবা নোংমদা অহুমলক্তং থকপা। লুম্বু-লুম্বু শাহন্নগা থকপীয়ু।

অদুগা অশাবা শঙ্গোম খুৎথক অনিগী মরক্তা অঙ্গংবা শঙ্গোম পৌরা ২ থকপা। কমলা চাবদি কাউবীগনু।

(চ) শঙ্গোম ভৌরগা মখুম চেৎনা খুমজিন্দুনা উপু মনুংদা থম্মীয়ু। নুমিৎ হুম্নিশুবদা অমুক ওৎথাইদুনা কমইবা শঙ্গোমদু

অঙোৌবগা মাগনা পাথহল্লু। মহুবু সমিক কৌই। সমিক আউন্স ৮ পুং খুদিংগী থকপা, ঈশিংসু অপাম্বা মতুংইন্না থকপা। ইত্তোন কায়বদা কান্নবা শঙোম থক্কি।

(ক) শঙোমগা হৈগা :—

এপল, কমলা, নাসপাতি, অরাথবী, হৈনৌ, জাম অসি শঙোমগা লোয়নদা অহুমলক চাবা য়াই। হৈ চায়গা শঙোম গ্লাস অমা থকদবনি।

(খ) হৈ অশীম্বা, অথুম্বা, শঙোমগা অহুম চাগনি। অম্লানবা অমুক্তা হৈ অশিনবা শঙোমগা। নুংথিলদা হৈ অশিনবগা কিস-মিস, খেজুরগা শঙোম থরগা চাবা। অম্বুম্না নুমিদাংদসু চাবা।

(গ) সমিক-কা হৈ অথুম্বগা লোয়নদা অহুমলক চাবা। শঙোম পৌবা অমা অহুগা হৈ অথুম্বা হায়রবদি খেজুর, অঙ্গুর, কিসমিস পৌবা মথায় অমা।

(ঘ) সমীকী মহুত্তা মাখোল লৌথোক্লবা শঙোম (ম্রাখোল মহী) থকনি। খোঙ হায়বদি থাংতুপ (Date) চাবিয়ু।

হৈ ওাকা চাবা

চা-নবা চয়া হেনবদি কিবা অহুগা চয়া হেনবদি পাম্বা মীওইদা চয়া হেনবগা মান্নবা মওংদি, হৈ মহী অমসুং হৈদা নুমিৎ থরা লৈথোকপনি। হৈ মহীত্তা থকপনা য়াম্না নোয়বা মীওইদা য়াই। অহুগা হৈ অশিনবা অমসুং অথুম্বা য়ান্নগা চাহুবা লৈবস্থ হুকচাং অসি অহুম ঈশেংদোকই অমসুং লোয় পেলহল্লি। হৈ, অশিনবা হায়রগা কমলা, কীহোম, চঙ্গা, হৈজাং, কাজুবী,

হৈরিং, এপল, হৈথা, মালহৈ, জাম, হৈরৈল; বোরোই কাঠবিলিপ চরা অমম্ভুং চম্প্রা অশাথৌ (কাগজী লেম্বু) অসি অশিনবা য়াওই। কীহোমদস্থু য়াওই। 'নবাব' শোৌলোমদস্থু য়াওই অহবু মরায়া থরা হৈনবা য়াংলি। এপল— হৈ অংম্বানি মৈতৈ ক্লোল— হৈতুপতি অশিনবনি।

মী অমনা কেলোরি ২৫০০ চংলবদি থোয় কেলোরি ৩২০০ চঙই। অদুগী ওইরবদি প্রোটিন গ্রাম ৯০ চঙই। চহি অমগী মখাদা লৈরিবা অঙাংদি হান্না চাউখংলিবা মতমনি। চাউবা লোইরবা নিপা অমদা মহুগী চাংদা চঙবা হায়রোই। নহা হেক ওইরিবমখৈ প্রোটিনগী চাং হেনগদবনি। অঙাং ওইরিবা তৌবদ চাউবা লোইরবা মীদগী শরুক অনি হেমা চঙই। অদুগা মসিদা কাউরোইদবা হায়রবদু থেকুম কেকাইদা অমসুং মচা থোমজিংবদ মমাদি অঙাংদা চঙবগুম প্রোটিন হেমা চঙই। অদু নত্তবা পুম্নমক্তা অঙাং ওইরিবা তৌব পুম্নমক চাউরবগীদমক, চাউবা লোইরবা মীদগী শরুক অনি হেমা চঙলগা তাইবংমী কৌবা তৌব অসিদি চাউবা লোইরবা মীগীদমক ডবল চঙগনি হায়রুনা চহি ৪০/৫০ রোম অসি লাকই। লোজিকেল ওইদবা সাইন্সনসু চাংকুবা হাকমনি। শঙাও অসি চহি ১দা মমাগী অকুপ্পা অসি ডবল ডবল হেজংনা চংলি। ওক মচা, থেব মচা অসি চয়োলদা ডবল ডবল নুমই। মহৌ ী থোম হেংবদা অহুম তাকই। মাগী থোম অসি চাওবাক্না প্রোটিনদা থেমরবসু নকুনা থেটৈ। অদুগা

মীওইবগী খোমগা য়েংনরবদি শলগী শজোম্না মীগী খোমদগী প্রোটিন শরুক অনি য়াওই। ওকী গোমনা শলগী শজোমদগী প্রো'টিন ভবল য়াওই। অদুগা খেবগী মখোমনা প্রোটিন অসি ১৪% য়াওই ; মীগী খোমদগী শরুক ১০ হেন্না য়াওই। অদুনা চাউখৎপা অম্মুক থুবনি। অঙাংনা থুনা চাউবা অদুগা অহম্না চাউবা লেম্না অসিনা প্রোটিন হৃদনা চঙকম খোকই, অদুগা হকচাংগী চংদা অঙাংগী মশা পীকপনা মৈশা শীনবগীদমক থবম্ দু হেন্না প্রোটিন চঙকম খোকই হায়না থনবম্ দু য়াই। অদুগা মিচন থুবা অসিনম্ দু হকচাং পুম্বা মৈশা য়েন্নবা, মৈশাম্ দু চঙৌ হা'য়বা য়াই।

মীওইবগী মশা অসি নোয়-পেনবগী মরমদা ইমুং-মদুংগী ওইনা লমজিংনবা প্রোটিন হেনগংহনগে হায়রবম্ দু মখাদা পীরিব টেবল অসিদগী মী অমনা কেলোরি ২৫০০ গী চিঙাক চাব ত্তায়বদা গ্রাম ৬০/৭৫ অসি চঙবা ত্তাবনি হায়বসি অয়াম্বন য়'নববা হায়বদি আউন্স ২/২½ প্রোটিনদা মচঙই।

অদুনা গ্রাম ১২৫ নোংমদা চাবা—হাই প্রোটিনদনা শা, য়েরুম, ঙা চাবা ত্তাই। অদু ওইরবদি কমলা, এপল, কিহোম চাবা ত্তাই। অদুগা হাইথবা চাংগীনা শজোম, য়েরুম থরা, মনা-মশিং, মহাও, থাউ, চনাং, চিনি চাদুনা মিনরেল অরাংপা অদু য়েনখৎপা ত্তাই।

কেলোরি ২৫০০ দা গ্রাম মশীং পীরি :—

য়েরুমগী অচৌবা	৩৪৮	সনাথ	১২২
ছানা পনির	৪৬০	শজোম	১১৯

চৈখল অসিদগী প্রোটিন অসি ময়াম ওইরপ চাবনা প্রোটিন হৎরপ চাবা তঙনা তোংবে।

অদুবু শা, ঙা, যেরুম কবিগী অসুক য়াম্না চানবগে ? সুপ্নগী হাংওবগীনি। উমঃ য়ামং, শা লৈবা মকমদা লৈবা মীবু শা চাংনবু হায়বা য়াংদাই। শা কাংবা মকতুমিদা লৈবা মীনা শা চাংদবনি হায়না "অনপেরোন মিনকিহংব" না হুদা হেংলগা হায়। অওইবমক মী অমি নৈ চাবা রোংগী কাংলুপ্তা লৈরম্মে, অদুনা প্রোটিন হাম্না চহুদে। অতুগা নৈ শীংক্লরবরবা, থুংলাই পাডু-বরুদা শা চাবা শহুবই। শা লোইবা, উটৈ-চাটৈ থাবা নৈরুবদা প্রোটিন মরাং কাংবা কাহুনা হেমা চাংশিলকপনি। শাংস্থ, ছাংস্থ, অসুম্বস্থ নৈনবিদগী হাংচনি।

কাংমি বাঙপুননাদা লৈবা মীনা অতুথা হুক্লেন ; মিসোং, নাগাংলেণ্ড অইংবদা লৈবা মীনা শাদা নৈনবা অহুগা অইংবা লম, লাংলাংকুমা মকমদা শাদা চাংহুনা লৈ। চাওবংলবা মবাকপা শা য়াম্না চাবদি লমচং ওইনা নৈনকুবিরকপীনি। নাইট্রোজেন হাওদ্রবস্থ নৈবেংহ ঙিংবা হায়রাই। নাইট্রোজেন অসি হেনহনা চাংহুনা উমা নৈদিরা উপী কেমিকৌনা উংলক্রবদা থরাম্বু লোনশীবনি। ইউরেমিয়া, এ্যাইটস মিডিও, স্টোমাক ফাক-তোকপা, এনগীনা লেকচৈবিরা পুষ্টমক অসি নাইট্রোজেন্দা মকচাংগী উমা কুইনা লৈবদগী পোকপনি। পুষ্টমক অসি লোংলক অমিগী চাংদা লৈবনি। অমবোমদা থরাই শাগলা নাইট্রোজেন ; অমবোমদা থরাই বাওহেনবা নাইট্রোজেন।

বেলেন্স ডাইট করিনো?

মী অমগী থবক্তা মরী লৈননা চাগদবা চিঞ্জাকশিংগী চাং অহুম প্রোটিন, ফেট, কার্বোহাইড্রেটদা চাননা মুখ্য য়েংথুনা চাং লেপকদবনি। ক্ষমথুনা লৈবা চুংগী মরায় ওইরপ তৌবা নুপা অমনা কেলোরী ২০০০ চঙই। চঙইবা চিঞ্জাক অহুমগী রেসিওসি প্রোটিন : ফেট : কার্বোহাইড্রেট ২ : ৩ : ৬ নি। হায়রবদি চারিবা চিঞ্জাক অহুমগী তরাগী অমা প্রোটিননি। লেমহৌরিবা অহুমগী অমহু মহাও, লেমদোরিবা অহুনা কার্বোহাইড্রেটনি।

টেবল অসিনা চঙইবা কেলোরি অহুম নুপী-নুপা চাননা ৱাংবা চাউবা য়েংলগা চিঞ্জাক পুন্নমক পীগদবা উৎপনি—

কেলোরি নুপাগী

অৱাংবা		প্রোটিন	ফেট	কার্বোহাইড্রেট	টোটেল
ফুট	ইঃ				
৫	১	১৯৭	৫৯১	১১৮২	১৯৭০
৫	২	২০০	৬০০	১২০০	২০০০
৫	৩	২০৪	৬১২	১২২৪	২০৪০
৫	৪	২১০	৬৩০	১৩৬০	২১০০
৫	৫	২১৫	৬৪৫	১২৯০	২১৫০
৫	৬	২২১	৬৬৩	১৩২৬	২২১০
৫	৭	২২৮	৬৮৪	১৩৬৮	২২৮০
৫	৮	২৩৬	৭২৯	১৪১৬	২৩৬০

৫	৯	২৪৩	৭২৯	১৪৫৮	২৪৩০
৫	১০	২৫২	৭৫৩	১৫০৭	২৫১০
৫	১১	২৬০	৭৮০	১৫৬০	২৬০০
		২৬৯	৮০৭	১৬১৫	২৬৯০

কেলোরি নুপীগী

অরাংবা		প্রোটিন	ফেট	কার্বোনহাইড্রেট	টোটেল
ফুট	ইঃ				
৪	৯	১৭৯	৫৩৭	১০৭৪	১৭৯০
৫	০	১৮৩	৫৪৯	১০৯৮	১৮৩০
৫	১	১৮৬	৫৫৮	১১১৬	১৮৬০
৫	২	১৯১	৭৭৩	১১৪৬	১৯১০
৫	৩	১৯৭	৫৯১	১১৮২	১৯৭০
৫	৪	২০১	৬০৩	১২০৬	২০১০
৫	৫	২০৯	৬২৭	১২৫৪	২০৯০
৫	৬	২.৫	৬৭৫	১২৯০	২১৫০
৫	৭	২২১	৬৬৩	১৩২৬	২২১০
৫	৮	২২৭	৬৮১	১৩৬২	২২৭০
৫	৯	২৩২	৬৯৬	১৩৯২	২৩২০
৬		২৩৯	৭১৭	১৪৩৪	২৩৯০

য়াম্না কন্না নোম্বা মীওইদি তখাই অমা হাপকৎপা য়াই। মাহুগী প্রমাণ প্রাপোসনদা কার্বোহাইড্রেট। ফেটস্মু হাইগৎপীয়ু।

হেন্না শূবা নোম্বা সুকতৌ তৌদ্রগা লামবা-লামদবা য়েংহনা হন্নবিয়ু। নীংথমথাদা থন্না হেনগৎপীয়ু। অঙাংগী উনশাগা অরূম্বগা য়েংনবদা উনশানা পাকপনি, অহনগী উনশা অমসুং অরূম্বগা চাং-য়েংবদা অরূম্বনা হেল্লি। পাউণ্ড ১০ দা লুম্বা অঙাং অহু স্কোয়ার ফিট ৩ গী উনশা লৈ, অহুগা পাউণ্ড ১৪০ লুম্বা নিপা অহুগী স্কোয়ার ফিট ২১ লৈ। লুম্বনা শরুক ১৮ লুমই। পাকপনা স্মুপ্নগী শরুক ৭ তা মপাকই। অহনদি অঙাং পাউণ্ড ১০ লুম্বা অহনা অহনা পাউণ্ড ১৮০ লূম্বা অহুগী শরুক তরেংকী অমত্তা মচঙবা তাই। ১৮ থোকপগী অমা চঙদবা তাই। মম্নাং কংবা মীনা তুম্বা পাম্নল লৈরবদি চুম্নগী মীওইদগী কার্বোহাইড্রেট কেট ১০% হেনগৎনা চাবা চুমই। অসুম্না কেলোরী ২৪০০ চাবা মী অসি ১৫০০, ১২০০ দা অমুক অমুক হন্নবসু ফৈ। মশা য়াম্না নোয়বা মীদি অহুম থোকপগী অমা হন্নরগা অহুমগী অনিদা লৈবনা তোংজে। অচিক-হশা থবক কনবা, কন্দবগী মতুং ইন্না কেলোরী লেপ্পীয়ু। থবক শুকসু শূদনা ইমুংদা ফুম্না লৈবা অহু কেলোরী য়াম্না চঙদে। কালেন ওইরবসু হুমাং য়াম্না তাহুনা থবক শাজেন কন্না তৌবা মীশু কেলোরী য়াম্না চঙই। অঙৈংবদা থবক শূহনা নীংথমথাদা হুমাং শোহনা মনীল, হুমাং ওইনা চংথিবনা মৈশা মাঙখি। অহনা প্রোটিন হেন্না পীবা তাবনি। মী অমনা অরুম্বা অমসুং উনশাগী অপাকপা য়েংলগা মশাগী কেলোরী কয়া চঙগদবা হায়বসি মশাগী অরূম্বা অহুদা ৪·২৫ ফেক্টর অসিনা পুন্নিরগা উনশাগী এরিয়া অহনা ৮০ না পুন্নিরগা

অথোকপা অনি অসি ভিনশিম্নরগা থোকপা অহ্ চঙগদৌরিবা কেলোরী মশীংনি অহুদি মশাগী অচিক-অশা থবক কনবা, কন্দবা হুমাং থোকপা থোক্রুবা, হকচাং চোংপা (হুমাংনা) চোংভবা স্বর হোন্দোক হোঙ্গিনদা চঙইবা স্বরনা য়ৈরীবা শোকইবা ইন্দ্রিগী শরুক পুম্নমক্কী অঙ্গং-অশাগী অমাঙ-অতা পুম্নমক কুপথংনবা কেলোরী মশীং ওইগদবনি।

চম্না চানরিবা চিঙ্গাক্কী মরমদা থঙদবা য়াদ্রবা অরেপ্পা য়াফম খরা

আমন্দ-বদাম :—বদাম অসি চুহৈগী জাংনি। জঙ্গলী জাং অমা লৈ মহুদি খায়। নীংথিজনা থাহনা শেম্নীরবা বদাম অসিদি নট হায়বদি মরু অকনবগী মনুংদা মহাও লৈবা জ ংক্কী মনুংদা য়াম্না ফবা চিঙ্গাক অমনি। চনাং য়াওদে। ২০% প্রোটিন য়াওই। ৫০/৫৫% ফেট (মহাও) য়াওই। পোটাসিয়ম, কেলসিয়ম, মেগ্নেসিয়ম য়াওই। অহুগা সোদিয়মগা ক্লোরাইনগদি য়াম্না রাংলি। কার্বোহাইড্রেটতি ৬% না চিনি ৩% না গোম ৬/৮% মশীং; Tubercellulose নি। শা অমসুং শলগী মাথোলদগী থুনা ভুমই। শল, ইরোইগী মাথোলদগী হেন্না শা চাদবা মীওইনা পাম্নৈ।

বদামগী শঙ্গোম শেম্না:—বদাম অসি ঙোথোক্লগা চক্রীদা ভহুনা মকুপ তাহল্লগা মকুপ অহুগী শরুক অনি লুম্না ঈশিং

হাপ্লগা মুংদাং অমা ভীংলগা অমুক্তা কুণ্ডপ্রবা কি অমদা ৪ হক থুপ্লগা চুমথোকপীয়ু। অদুদগী শজোম নক্লগা শজোম মপালগুম্বা অদু ঈশিং হাপচিল্লুনা পাথোকহল্লু। বদাম পাউণ্ড মথায় অমা হায়বদি পৌরা অমনা শজোম পাইন্ট অমগা মথায় কংবা ওমগনি।

ডাক্তর চেপীন অমসুং কাস্তকী মতুং ইন্না আমন্দ হায়বদি বদামগী শজোম অসিনা শলগী শজোমদগী হেন্না কার্মন্ত ভোগন্দে। অদুগা কেটকী চাংসু হেন্নি, অদুগা তুমগনবসু হেন্নি। মসিদা য়াওরিবা প্রোটিন অসি পথগন্দে। বদামগী শজোমদি কোসফরস য়াম্না য়াওই। সোদিয়ম, ক্লোরাইদ থরসু য়াওই। রিককেট অমসুং নেক্রাইটিসতা কান্নবনি শাকই। কার্বো-হাইড্রেট য়ামদবনা চিনি পুমথহনবা অসি লৈতে। ভিটামীন অসি য়াম্না য়াওই। বরাবর শীজিন্নবদি ওমফমসু থে'ক্কে, অদুনা মরুক মরক্তা শীজিন্নবা কৈ। অদুগা নেক্রাইটিস, টাইফোইদ, থোইরীন্দা পথ-পুমথবা, নোয়-পেলহনবসু য়াংব্রবা সেকেণ্ডরী এনেমীয়া (ঈ কংবা) দা শীজবা কৈ। ডাঃ কেলে'গতি চহী ৩০ হেন্না শীজিন্নখি। অমেরিকাদদি বদামগী মাখোল কংই। মদুদগী লাংথোকহল্লগা শজোম অমুক শেম্বসু য়াই।

বদাম অসি ওকথায়দুনা অথোংপা মকুপ শেন্নগা ঈশিং য়ানশিল্লুনা বোড়াগুম পেংহনগদবনি; অদুগা চিনি থরদং য়ান-শিন্দুনা মশক কজহনবা অমসুং থুমহনবগুনি; য়াম্না হাউই। অধাং শজোম চাবা পক্লদবা অদুগা ঈশিং পুকচৎ ভোবা মীদা শীজবা কৈ। মসিগা মান্ননা শেম্বা য়াবদি সুথগী নুংহবাইদনি।

এপল :—এপল (বিলাতি হৈতুপ) অসি মৈতৈগী হৈতুপকা অমত্তনি। অহৌবদি ওইরগা মতম কুইনা হৈয়োল কয়া শেম-দোক্লুনা হায় হাপ্তুনা য়োকখংলকপদগী থেরখিবা ছাক্তনি। মসিগুম্মা হৈজামপেং হৈয়োংখাক, চুম্প্রু, মালহৈ, হৈখা, বোয়োই পুম্নমক অসি সাইন্টিফিক ওইনা শেমগৎপীরবদি বিলাতি হায়-বদি খর ফবা পোংশকপিং অসিদগী হেন্না ফবা য়াই। নত্রবদি মণিপুরী ঐখোয়গী পোৎমখৈ ঈশ্বরনদি মশীং তনবা খঙ্গীরম্নগা, অকমী ইওল-ওলহল্লে। মথৈদা মী ফাওবা ওমকদৌরি। হৈ পুম্নমক্তগী মণিপুরনা কমলাদা হেন্না শীজিন্নবগুম নোংচুপলে মদা এপলনা ইহেন হেন্না শীজিনৈ। এপল পুম্নমক অঙৌংবা লৈবাক্তা হোৌবনি। ফুট লিশীং ৬ রাংবা চীংদগী হারবদি থাবদা ফত্তে হায়। মণিপুরগী চীংদা নীংথিজনা পাল্লে। চহি চুম্মা লীবা য়াবা হৈনীংনা মতম পুম্নমক্তা ফংই। ইউনাইটেড স্টেটসদি এপল অসি অকংবা ওইনা, এপলগী মাখোল ওইনা, এপলগী জেলী ওইনা, এপলগী মহী ওইনা নত্রগা সাইদার অমসুং ভাইনেগার ওইনা শীজিনৈ। এপলগী এসিদ অসি মেলিক এসিদ কৌই; ½% দগী ১% ফাওবা য়াওই। প্রোটিনদি এসিদতগী ভাখনা য়াওই। চিনিনা ১০%,১৫% য়াওই। জেমী শেম্নদা থুদোংচাবা পেকটীন হায়বদো এপলদা য়াম্না য়াওই। হৈগী জাংকী অকনবা মগুণ এপলদা লৈবনা য়াম্না চাং নাইনা চাবা দরকার ওই। হিংনা চাবস্তু, থোংলগা চাবস্তু য়াই। থোংলগা মহাও অমা পুমথেন ওই। অহুগা এপল থোংবগী মহীদি অথাংবা পীজবদা

শোকতে। পুমথন্নিবা এপল মহীদি পুক অমস্নুং খোইরীনগী পথ্ব-পুমথহন্দবা মেলিক এসিদ য়াওবনা য়াম্নস্নু হাওবদা নত্তনা কান্নৈ। অতুনা গেস্ত্রীক অমস্নুং খোইরীনগী কেন্তারা (হাউ খোকপদা) নাপু কাবা খোঙহাম্বা য়াদবদা অতুগা কিডনিগা ফিরাক্কা শোকপদা য়াম্না কান্নৈ। হকচাং স্নুম শোকচিন্নকপা চানিং-থক্লিংলক্কবা, নোয়-পেন্দবদা য়াম্না কান্নৈ। নোংমদা ক্কাট অমা থক্লবদি কান্নৈ। চাক চাগদবা পুংথায় অমা ব্রাংলিঙৈ নক্রগা তূন্নমদাইদা থকপা য়াই।

হারবোল সিম্পল হায়বা ডাক্তর অমনা ইবা লাইরিক্তা লিক্কোল সাইন্নারগী লৌউবা মীনা মিৎকী "রিউমেটিকতা" শীজিন্নৈ হায়। এপলগী পোলটিস অসি মিৎ নাবদা শীজিন্নৈ হায়না ফেন্সকী লাইরিক্তা ইবা য়াওই। মৈদা লৌরগা থোমবনি। অহিংদা এপল ২/৩ চারগা খোঙহাম্বা য়াই। ইংলিসমেনশিংনা হায়নবা অমা লৈ: **To eat an app!e be fore going to bed will make the doctor beg his brcad.** ইং শোক ১৫৬২ দা কর্ণাব্রালদা রেভরেন্ট মিঃ আট কৌবা লায়রেংবা অমনা শঙ্গোম অমস্নু, এপলতনা লায়রেংবদা অস্নুকী মতিক ফবা ৫মথি, অতোপ্পা নক্লবা লৈবাক্কগী ফত্তবা লায়রেংনবা লাক্লখি। ঈশিং ৮২.৫ কার্বো ১২.৫, এস ০.৪, এসিড ১.০, কেলোরি পাঃ দা ২৬০ নি। প্রোটিন •.৪, মহাও •.৫, ভিটাঃ ABC।

মালহৈ :—এপ্রিকোট, হৈখা, বোরোই (plum) অসি, সব এসিদ ওইবা হৈনীং, হৈখা, মালহৈদা চিনি ১০/১৩% য়াওই। চুন্নৈ অমস্নুং এপলগা চিনি চাং মান্নৈ। এসিদতদি চুন্নৈনা

এপন্দগী হেল্লি। কৌভাদা হানবা অকংবা ওইনা শীজিন্নৈ। হৈজিং ফাদনা চাবা খোঙ হামই, পুক যিল্লি। মুলমল্লবসু দাইরীয়া ভৌই। ফজনা হৈজিং ফারগা অম্বোল ওইনা থোংহনা চাবা য়াই।

এস্পারেগস :— "এস্পারাসিন" কৌবা নাইট্রোজেন য়াওবা পোংশক অমা য়াওরি। ঈশিং পৌহল্লি। মসিদি সোদিয়ম, কেলসিয়ম, আইরন, সলফার য়াওই। লৈনুংদগী ফুকপনা মুংশিং নুংশাদা হৌবদগী হেন্না হাউই। অলকালি পোকহনবা চিঙ্গাক্লি। হিংনা চাবা য়াই অহুবু ফুংলগা থোংলগা তুম্বা হেল্লি। ঈশিং হাপ্তনা নত্রগা মনিন্দা মিঃ ২০/৩০ লোল্লগা চাবা য়াই। কিডনি য়াম্না শোকপ্রবা মীদদি চাবিগনু।

এভোকেদো :—কেলোরি ভেলু য়াম্না লৈ। ওলিভ নত্তবা অতৈদগী থাইদগী হেন্না মহাও য়াওই।

ঈশিং ৭০%	কার্বোহাইড্রেট ৬%
প্রোটিন ২%	মিনরেল ১½%
মহাও ২২%	

হৈ অতৈদগী মিনরেল সোল্ট ইহেন হেন্না য়াওই। থুমসু থুমদে। শীনসু শীন্দে অহুগা মহী থোক্কে। নটকী মহাও লৈ। সলাদকুম্না শীজিন্নবা য়াই। চপ্রা মহী য়াল্লগা মহাও য়াওজবল্লা অহুম চাবা য়াই।

লকোই :—লকোই অসি বেসীক হায়বদি শীন্দি শীন্দবা মরু ওইবা হৈনি। নীংথিজনা মুল্লবদি তুম্বা বাদে হকচাং

নোয়-পেলহল্লি। হৈ অসি তুম্বক তারবরা য়েংগদবনি। চিথেক মাইরবদি হৈজিং ফাদ্রিবা অশংবনা মুলহনবনি। চাবা মতমদা লফোইগী মতোন্ ইথং থংবা শরুক অহু মুন্ত্রিবমখৈ মুন্দ্রি, হায়বদি চনাং অহু চিনি পুমওন ওন্দ্রি হায়বা তাকইবনি। শংনা লৈরুরবদি রুমগী টেম্পরেচরদা য়ান্দুনা থম্লগা মুঞ্জরকই। মকু অমস্থং মতোন্ মুররুবা মতমদা চাগদবনি। লফোই অসি অধুম্ব। তীন-কাংনা পাম্বনি অহুনা ঈশ্বরনা হৈ অসিগী মশা পুম্নমক তীন-কাং চিক্তনবা পুময়োম য়োমশিন্দুনা থম্নবা মকু থানা য়াওই। মকু পুন্নবা নত্রগা কায়রবদি চাবীগনু। লফোই চাবদা য়াম্না ফজনা শায়হুনা চাগদবনি। পেৎপনিনা শায়দনা য়োৎশিন্নৈ, মরমহুনা পুক থিল্লি, পুক ওনথৎলি। লফোই চাবা তম্বীয়ু। কনা-কনাগুম্বনা শীংজিত্তা শীৎলগা গ্নাসতা নৈথাইরগা শায়হুনা চাই। "তোমসম্না" চাং য়েংবদ লফোই অশংবনা চনাং ২০% য়াওই। অমুনবদি চনাং পুময়াও য়াওদে হায়বা য়াই, চিনি শুম্না ওনপ্রে। ঈশিং ৭৪ ৩ প্রোটিন ১'৫ কার্বোন ২২'৯ থুম •'৯ সেলু ০ ২ তথ্বাই মুন্নকপা মতমদা শীল্লি। থোংলগা তুম্বদা রাদবা হেল্লি, মহাওদি রাংলি। ১'৩% প্রোটিন •'৮ মিনরেল য়াওই। পোতাসিয়ম সোদিয়ম ক্লোরাইন য়াওই। আইরন অমস্থং কেলসিয়ম থরা রাৎলি। অহুনা লফোই চারবদি মনা-মশিং শজোম য়াম্না চাগদবনি। কেমিকেলদা য়েংলগা চিঞ্জাক্কী মগুন্দা য়েংলবদি লফোইগা আলুগা মান্নৈ। জীবদা চাং য়েংবদদি আলুদগী লফোইনা য়াম্না ভাথৈ। আলুদা য়ারী য়াখোও নাহন্দনবগী

পোংশক য়াওরি। অথোংবা নক্ৰগা আরোবা আলু আউন্স অমগা, কমলা মহী আউন্স অমগা চপ মান্ননা য়ানশিন্নরগা পীৎকপদা অঙাংগী মচিন মরৈ, য়ারী-য়াখোঙ নাবা ফহনবা ঙমই। ভিটামিন্দস্থু আলুদগী তাথে।

হৱাই মকুচাবী:—উরি, কোলিহৱাই, কালন্ত্রি, তাংখুল হৱাই, কুরাওমানবী পুম্নমক অসি বীন্স হায়রগা খঙনৈ। মসিনা হৱাইগী জাংতা অফংবা পুম্নমক খঙনবা য়াই। ইংলিসতা হায়রগা লিমাবীন্স, নেভীবান্স, ফ্রান্সবীন্স, কিডনি বীন্স। মসিগুম্বা মখলগী হৱাই অসিনা নোয়-পেলহনবসি প্রোটিন য়াওবদগীনি। ২০% প্রোটিন য়াওই। শাগী মখলদা য়াওবা প্রোটিনগী চাংগা মান্নে। বীন্সদা য়াওবা মিনরেল অসি আলকালি ওইহনবনি অহুগা শানা এসিড ঙাক্তা ওইহনবনি। হৱাই থরাক্নুম্বা নৌরিঙৈদা শীজিন্নবা য়াবা বীন্স মখৈ হাউই; থুনা মুল্লি। অকংবা মরুদি থোংবদা কুইনা চঙই। অহিংবদি হাউতে অমস্নুং তুমদে। তীংলগা থোংলবদি থুনা মুল্লি; তীংদ্রবদি মুনগন্দে। কন্না নোম্বা মী, অহুগা শাগী মহুৎ শিন্দুনা চাগে হায়বা মীওইদা বীন্স অসি অফবা মহুৎ শিন্নবনি।

হৱাই মকুচাবী (স্ত্রীং বীন্স):—নৌরিঙৈদা মকুগা মরুগা লোইননা চাবা য়াই। অম্মুম্না চাবা য়ারিঙৈগী মতমদদি মনা চাবগা মান্নে অহুগা আলকালি ওই। হিংনা চাবদি হাউতে। ঙান্বা নক্ৰগা ফুত্তুনা চাবা য়াই। য়ারিমখৈ মনীল নক্ৰগা ঈশিং য়ামদনা হাপ্লগা চমফুৎ ফুৎপা নক্ৰগা থুম হান্না থাক্লগা ঈশিংদা ফুংলগা চানবস্থু য়াওই। ঙাগা থোংবস্থু য়াই।

নূং হৱাই (Soya beans) :— নূং হৱাই অসি মণিপুরদা য়ু হৱাই কৌই। চহী লিশিং অনীগী মমাঙদগী শীজিন্নরকই। নোংপোকথংবা মায়কৈগী হৱাই মখলনি। বর্মা, চিনা, জাপান, কোরিয়াদা য়াম্না শীজিন্নৈ। মনা-মশিংগী মনুংদা অঙকপা পোং অমনি। হৱাইশুম্না পাল্লবস্থ পোংশক্তি নটকী জাংনি। লৈবাক-হৱাইশুম্না ভোই। অদুগা বদামগা মান্ননা প্রোটিনদা মসি মপুং ফারবা অমনি। শঙ্গোমগী প্রোটিন কেসীন মান্নি। অতৈ হৱাইউরি মকুচাবীগা মান্নদবনা মসিদি য়াম্না হকচাং ফহনবা, লাইনা তুম্বা থাউ অমা য়াওই। মপুং ফাবা প্রোটিন, শঙ্গোম, য়েরুম, অমসুং শাগা চামিন্নরবদি হৱাইউরি, কোলিহৱাইশুম্নগী প্রোটিনদি থক কান্নবা ফংদে মরমদি মপুং ফাদবা প্রোটিননি। অদুগা সোইয়াবীন হায়বদি নূং হৱাইনা অমুক হেন্নিবনা মসিদা য়াম্না হকচাং ফবা নীংথিজনা তুম্বশুম্বা মহাও য়াওই। অসি পুম্নমক য়াওরবা নূং হৱাই অসি শা মতোং (lean meat = muscle meat) শঙ্গোম, য়েরুমগী মতুং শিনবা য়াই। অদুনা চাইনিজ অমসুং জাপান্নিজনা শঙ্গোমগী মতুং নূং হৱাইদগী শেম্বা শঙ্গোম শীজিন্নৈ। অদুগা নূং হৱাইদগী চিজ শেম্বা য়াই। নূং হৱাইগী থাউ নত্রগা মহাও অসি য়াম্না হাউই। তুম্বদা শাগী মহাওদগী হেন্না লাইনা তুমই। শঙ্গোমগা, শা-ঙাগী মতুং শীজিন্নবসি চীনা জাপান্দা নত্তে ঐথোয়স্থ "অশি অনা" য়াও-হুনা ঙা চাদবা মতমদা হৱাই অচার চাই। ঙাগী মহুংনি। শঙ্গোম অহুম্বগা মান্নবা মওংদা শেম্বা "ভোক্" হায়বসি নোংপোকলোমদা

শীজিন্নরিবনি। হৱাই অতৈঙুম অমস্তুং মনা-মশিংশুস্না খোংহূনা চাবগুম নুং হৱাই অসি খোংহূনা ফুত্তুনা চাবা য়াই। খোংবসি দিগ্রী ২৫০ ফাঃ খোংবা তাই। অদুগা পুং ৪/৬ চঙই। মণিপুরীগী মচাদি হৱাই অচায় ওইনা চাবনি। পুং ২৪ ঈশিং ভিংলগা লোম্নবদি খন্না থুনা মুন্নি। সোদাবাইকপ হাপ্তুনা লোনবা ফত্তে। হৱাই অচায় অসি পুমহনবা ফত্তে। পুম্নবদি অপুম্না পোং অতৈগা মান্নমনা নমথী। ঐখোয়গী হৱাই অচায়দি কার্মেন্টেসম্নি পুমহনবা নত্তে। হৱাই অসি লোনবদা নোংমা পুরা চঙবনা চয়োল ২/৩ চঙনা চাবা য়ানবা পুমদনবা শেম্বনি। অদুগা অঙাং পুক নাবদা নুং হৱাই মকুপ শীজিন্নে। অদুগা অঙোবা নত্রগা চিনিনা শাবা হৈঙান ওইনম্নু চাই। অঙোবগী মকুপ অদু শীংজুদা য়ানবা য়াই। অদুগা ঙোখোক্লগা শুম্বনা নত্রগা চক্রিদা তত্তুনা বেসন লোয়গা, চাক অসি শোয়গা য়াইরম-দাইদা মহী চিখোকপা তারগা, চিখোকপ্রগা (চিখোকপদি ফত্তে) মীশীংগী মতুং ইন্না মকুপ অদু হাপচিনবা অদুগা য়াইরগা চাক অদু চাবদা নুং হৱাইগী অকবা অদু য়াওপ্রে। অদুগা ঈশিং অশাবদা য়াম্লগা নুং হৱাইগী চা শেম্লগা থকপা য়াই; চিনি গ্লুকোস হাপ্না য়াই।

অরাইবা মওংগী নুং হৱাই ফুংপগী মরমদা অমা পীজরিবসি আমেরীকাগী বেটল গৃক সিনোতোরিয়মগী মেডিকেল ডাইরেক্টর ডাঃ কেলোগনা পুখোকপনি। নুং হৱাই অদু অহিং অমা ভিংলো ঈশিং গ্যালোন অমনা থুম পাউণ্ড মঙা হাপ্লগা ব্রাইন শেম্লো;

মৈ থাহনা ঈশিংহ শাহল্লো অহুগা নুং হবাই অহু নুংগী পাত্র অমদা হাপচিল্লগা পাত্র অহু মথুম স্কু লৈশিন্দুনা ঈশিং চঙহন-গনু। ব্রাইন অহুগী মনুংদা হাপচিন্দুনা ফুংলু। ব্রাইন অহু ডিগ্রী ২২৫ স্নোবা মতমদা শোগনি। ক্লোরাইদ ওব কেল-সিয়ম থন্না ব্রাইন অহুদা হাপচিল্লবদি টেম্পরেচর অহু হাইগং-কনি। মসিদি শাগা মাম্না হাউই হায়।

চেকশিনগদবা থন্না—নূং হবাই অসি প্রে চিন য়াম্না য়াংবনা ব্লদ প্রেসারদদি চাবা ফত্তে। মহাত্মা গান্ধী মশামক— শঙ্গো'ম অসি শলদগী থোকপনি। মরম অসিনা শারোমদগী থোকপা প্রোটিন অসিগী মহৎ শিন্নবা মনা-মশি'দগী থোকপা শঙ্গোম মথল অমা শেম্নবা থন্নকপা নোংপোকলোমদা নূং হবাইনা শঙ্গোম শেম্নগা চাই। ভিটামিন এ, বি, সি, ডি য়াওই। মিনরেলস্ন য়াম্না য়াওই। প্রোটিন ৪০/৪৬% য়াওই হায়বা থঙলবদা নূং হবাইনা শেম্বা শঙ্গোম শীজিন্নহনা শলগী শঙ্গোম, হামেংগী মথোম থাদোকখি। চহী লাম্দনা হাই ব্লদ প্রেসারনা নাহনা চহী ৪/৫ য়াম্না বাখি। অহুগা ব্লদ প্রেসারস্নু চনম্না ফহনখি। ব্লদ প্রেসার লৈবা মীদা পীজবিগনু। হার্ট নাবা মীদস্নু নূং হবাইদা নত্তনা প্রোটিন পুম্নমক য়াম্না চাং হহনা পীজগদবনি। অহুগা ঈশিং পূকচত্তদি নূং হবাইমুক ফবা চিঙাক লৈত্তে। মসিদা কার্বোহাইড্রেট য়াওদে। নূং হবাইসি চৌথোক্লগা তম্পা কুপ্পা তরগা ঈশিং অশোবদা হাম্লগা চা থকপগুম অযুক্তা লোনহনা থকপা য়াই। ২২৫ ডিগ্রিদা থোংলগা ফজনা থম্নবদি মুমিৎ ২/৩ নি চাবা য়াই।

নূং-হবাইগী শঙ্গোম অকপা (Soyabean Curd)—Tofu, জাপান অমসুং চীনাদা মরুওইবা চিঙাক ওইনা শীজিন্নবা মওং অমগী মশেমনি। মীওইবনা নূং হবাই অসি শীজিন্নবা মওং করাগী মনুংদা খ্বাইদগী মরুওইবা মখলনি।

নূং-হবাইগী মকুপ অহৌদা ঈশিং য়ানশিন্দুনা চোংহল্লু। পুং অমা তীংহনা থম্মু। ঈশিং অশোবা শরুক মচু হাপচিল্লু। মিনিট ১০ দং মৈদা শোইহল্লু। ফি অপাবা অমদ চুমথোক্লু। চুমথোক্লবা মহাউ নূং-হবাইগী শঙ্গোমনি। চুমথোক্লবা শরুক অহৌ অমুক শোইহল্লু। মাহৌদা মেগ্নেসিয়া ক্লোরাইদ মহী ওইনা শেমলগা য়ানশিল্লু। নত্রগা সাইট্রিক এসিডনা মেগ্নেসিয়া ক্লোরাইদকী মওংদা শীজিন্নবন্ন য়াই। মসিনা শঙ্গোম অকপা ওন্নগা মহিগা মপাংগা হেণ্ডোন ওই। শলগী শঙ্গোমদা য়াওরিবা অহৌগা হাইড্রোজেং মাপ্পবা পোংচঙ য়াওই।

কমহন্নবা— ঈশিং পাইন্ট অমদা সাইট্রিক এসিড, মেগ্নেসিয়া ক্লোরাইদ গ্রেন ৪০ হাপচিল্লু। অহৌগা শঙ্গোম অহৌগা শরুক ৫ ওইরগা সোলুসন অচৌন শরুক অমগী চাংদা অশোবা শঙ্গোম অহৌদা য়ানশিল্লু। মহৌদা য়াওরিবনি ৬ ন ঈশিং ৭০। ২০% না প্রোটিননি, ৮% ন মহাওনি। চনাংদি খজিক্কা মফংই।

খামেনশিনবা— খামেনশিনবা অসি মনা-মশিং নত্তে হৈনি। সাইট্রাস এসিডকী কাংলুপনি, মসি আমেরিকাদা হৌরকনি। ১৬শুবা চাদা ইউরোপতা লৈতেংগীদমক ফজনবা ইংখোলদা থাবনি। অহৌগা অমুনবা মহৈশিং অহৌগীদমক লৈকোন্দা থানরমই। অহৌগা "Love Apple" হায়না এপল কৌনরমই। উন য়াম্না তাদবা

লমদা থানরকই। আমেরীকা অমসুং কানাডাদা য়াম্না থাই। মসিবু অমুক হৌজিক পাম্নবগী মরমদি মিনরেল সোল্ট য়াম্না য়াওবা, অহূগা য়ারি-য়াখোং লাবা কবা ভিটামিন সি য়াওবগীনি। ক্কৌটাদা হানজিনবা থাংনশিনবা, অশিনবা মখল অসিনা য়েম্না পাম্মে ; মরমদি থামেনশিনবা অমুনবা কুইনা থম্না য়াদে। অশংবা হেক্লগা য়োনবনিনা সহরগী মীনা লৈবা পামদে। থামেনশিনবা অচৌবা, অশাংবা, মচা মচা পানবা মখল কয়া উই। মসি মখম থরদি কেন্সর পোকহল্লি হায়দুনা চানরমদে। হৌজিক মচু মক য়াওদবা য়ানি হায়না লৌনরে। ইউরোপ, আমেরীকা, এসিয়াদা অম্মু নহবা অহৈ মনা-মশিং অমদগী ম্যাইদগী পাকনা চাউনা শীজিন্নরকই। ভিটামিন এ, বি, সি, ডি য়াওই। চম্প্রা, কমলা, নবাকতা য়াওবা সাইট্রিক এসিডস্ু য়াওই। শক্লোমদগী শরুক অনি য়েম্না আইরন য়াওই। য়েকমগী অঙৌবা অহূদগী শরুক ৫ য়েম্না য়াওই। এপল, নাসপাতি, কমলা, চীনার, থবী, চুমত্রেদগী য়েম্না আইরন য়াওই। অহূগা হিংজো, সালগম, মূলা, মঙ্গু, থামেন, গাজর, সেলারী, কবি থমচেং, বীট, লকোইগী হংখাইমুক য়াওই। লাইমনা এপল, লকোইনা চাকহগী য়েম্না য়াওই। থোইডি, থামেনগা মাদৈ। মগী শা, য়াওগী শা, ডাদগী শরুক অহম য়েন্নি। পোটাস হায়বা মচাংদা য়াম্না কাম্নবা অহূম মরাং কাইনা য়াওই, অংগাম্না হৈ অমসুং মনা-মশিং-দগী য়াম্না য়েম্না য়াওই।

থামেনশিনবা অসি শক্তিক থুংই। অহূগা লীক্লা ডাক জিটৈদো হেক্লবদি থুডা হু পক্লকই হায়দুনা থক চানরমদে।

মহু অথং-অহৈনা য়েংবদা মনাদদা লৈজবনি হায়না লেপ্লে।

থাম্মেনশিনবনা তাং চীকহল্লি কায়নরমই। হৌজিক্তি তাং চীকপা কনবা আলকালী ওইবা থুম ডাক্তা য়াওই হায়বা থঙনরক-পদগী তাং চীকপা কনবা থাম্মেনশিনবা য়াম্না চানরকই। মসিনা তেদা, হোংদা, শক্লদা লৈবা এসিড মথাম মাঙহল্লি। মসিদি হিংনা চাবনা ভিটামিন অমসুং আলকালি য়াওবা থুম মাঙহল্লে। হিদকৈ, থবী, থাম্মেনশিনবা অদুম অসিগী সালাদ হিংনা চাবদা য়াম্না ফজনা এসিড মাঙজবি।

আলু—আলু অসি থাম্মেনশিনবগা বোটানিদা নকুবা মরি লৈ। খা-আমেরিকা অমসুং মেক্সিকোদগী লাকপনি। শতাব্দী ১৬ শুবদা ইউরোপ্পদা স্পেনিসশিংনা পুখোরকপনি। আইয়েলেন্দা লৈবাক লৈহাংগা চায়বনা আলু অসি পাকনা-চাউনা থাবা হৌখি। স্কোটলেণ্ডদি হৌজিক কাওবা চেং, গেহুগী মথং ওইনা আলু শীজিল্লি। মহৈ-মরোংগী হেক মথংদা আলু অসি মীওইবগী চাননবা মরু ওইবা পোৎশক্কি। চনাং য়াম্না য়াওই। মিনরেল শক্তম য়াম্না য়াওই। কেলসিয়মদি য়াম্না য়াওদে। খোংজগা মাগী লৈজবা অকবা পোৎশক অয়াম্বা মাঙথি। লৌবা অমসুং হৌবদা মিঃ ৪৪ চঙই। আলুগা মনা-মশিংগা খোংবা মহি অহু য়াম্না কায়বা য়াওই। লৈথুংদা তাবা পোৎশক ওইবনা অতৈ চিঞ্জাকগী হেম্না পামনৈ। মহাওদি বাংলনা শজোম মপান, থী, মাখোন, থুম, মোরোক হাপচিনদুনা হাউহল্লি; মজাংদি লেখোকই। গাজরগুম্না, মংগ্রাগুম্না অমসুং লৈহুজো তাবা কয়া

লৈরিবনা আলুবু হাউহনা শাম্নবগি নত্তে। নোয়-পেলহম্নবগী দমক্তা পাম্নবনি। মেহুগী প্রোটিনদা নোয়-পেলহনবা মগুণ লৈবদগী আলুগী প্রোটিনদা লৈবা মগুণনা শক্তক য়ান হেন্নি— খোমাসনা হায়, মীনাংদনা হাম্নবগি আলু অসি য়াম্না শাক্তিন্নবদা থক শোংক্তে। ভিটামিন এ দি য়াওই। মকচাংদা চংচানা চঙুইবা অহুদি ওক্ননবা য়াওদে। ফেটতা য়াম্না বাংপানি। আলুদা য়াওরিবা আলকালি থুম অসিনা ঈদা লৈবা অশিনবা পুন্নমক শেংদোকপদা কান্নে। ইউরিক এসিড লোংশকপদা কান্নবনা হীনখেদিগুম্বা অকাওবা কয়ানা কিডনি অমসুং য়ানাবুদা নুং লৈবদা আলু ঙাক্তা চাহনা লৈনবা হায়। আলুসি য়াম্না ৱ দনা ভুমই। অহুগা নোয়-পেলহল্লি। আলুগী অকন্না অহুগী $\frac{7}{8}$ দি চানবা পোংশকনি। অহুগী মনুংদা ১১ থোকপগী ৯ না চনাংনি। লেমহৌরিবা অহুগী $\frac{1}{6}$ না প্রোটিননি। $\frac{1}{6}$ না অ লক লা সেন্ট নি। মসিমক্তদা চম্প্রা অমসুং এপলগী এসিড য়াওই। চম্প্রাগীনা সাইট্রাস, এপলগীনা মেলিক। প্রোটিন থরা বাংলি হায়বসু য়াওই অহুগা মী অমা নোয়-পেলহম্নবা চপ চানা চঙুগদবা প্রো ন য়াওই হায়বসু য়াই। অহুগা মহাওদি হেয়াও য়াংডদে চায়বসি চুমই। মক্ত অমসুং মউ পানদবনা ফেটকী লাকক্ষম লৈক্ষম লৈতে। ফেটকী শক্তক অহু মেনখংনবা শঙ্গোম মপান, ঘী, মাখলনচিংবা হাপচিন্দূনা চাগনি। প্রোটিন বাংলি ফেট য়াওদে হায়রিবাস থুমলোমদা ফজনা মেনখংলকই। আলুগী অফংবা শক্তক অহুগী ৫% দি থুমনি, নোয়-পেনবা অমসুং ঈ শেংহনবগী বাকমদা

[illegible]

[illegible] অসুম অনুশীলন নাদ্রবগী অমসুং শবক য়াম্না য়াওই।

গাজর—গাজর অসি চহি লিশিং ২ গী মমাংদগী ইউ-রোপ অমসুং লোকচুপ এশিয়াদা থারকই। গাজরদা য়াওরিবা পোষক মঙাং কয়া অসি অফবা মওংদা কৈদৌনো হায়রবদি খুদমদনা মসিদু অতুক য়াম্না চাহনদে। অহাংবদি চেটোংবা চেটোংই। নাপু অসিদগী হাউবসু হেল্লি। অতুকী মখাক লৈবিরমগী ওয়াংবা অমসু হাউবা হেল্লি। অলকালি পোকহনবা গুন য়াম্না য়াওই। কেলসিয়ম য়াম্না য়াওই। গাজর চারগা চু যজে হায়নৈ। মসিগী অচুমবা খরসু লৈ। গাজরদা য়াওরিবা কেরোটীন অসিনা ঊনশা, মশা ফহল্লি অমসুং শক্তহল্লি। থোংজগা চাবা য়াই অহৌবু হিংনা চানবনা হেন্না পামনৈ। নাংথিজনা শুগাইরগা অহল অমসুং অঙাং

তুমগনদবা মীদা পীজবা য়াই। শুগাইরগা ফুংপীরো, অহুগা চুমথোক-পীরগা অণ্ডাং মচানা মলা মশীং চাবা তম্না হৌরকপদা পীজবা য়াই। ফুংলগা পুংখাইদা মুল্লি . মনীলদা ফুংলগনা মিঃ ৪০ চণ্ডই। হীদাকী ভাবত্তা লৌরগা গাজর পীজবনা খোইরীনদা পথ্য-পুমথবা অমু থিংই। অফুংপা গাজর অসি শুগাইরগা ফগন্দবা অপাং-অনোমদা থোম্নদা হেক্তা কৈ। চীকপা-নাবা মবোড লৌথোকপদা য়াম্না কন্নে। খোমদা হৌবদা নত্রগা খোমজিন কাযবদা গাজর হিংনা শুগাইরগা থোম্নদা হেক্তা যৈ। লিভর নাবা, নাপু কাবদা পীজবা কৈ। হিংনা নত্রগা চম্ফুৎ নত্রগা থোংবা ওইনা চাবসু য়াই।

কেলোরি পাউণ্ড অমনা ২০০ পী। প্রোটিন ৭, মহাও ৪, কার্বোহাইড্রেট ৮৯, ভিটামিন—এ, বি, সি, প্রোটিন না ২৫০০ পী কেলোরিদা ৩৯ পী। কেলসিযমনা ৩১০, ফোসফোরস ২৫০, আইরন ৩৮।

সেলেরী—সেলেরী অসি গ্রীক ৱে মগী মহমদগী শৌজিন-নরকই। মতম অহুদা লৈতেংগী ওইনা শৌজিন্নবমই। হৌজিক্তি আমেরিকাদা য়াম্না থানৈ। সেলেরী অসি তোনিক মথল অমনি। হাউনবদা মরোইগুম্না শৌজিন্নে। থেংলগা লাইনা তুমই। হিংনা চারগা মশাগী থুম মাঙদে। তাং চীবপদা য়াম্না কান্নে। লিন চৈশুগী জাংনি। কুইনা কলচর তৌরকপদগা মশক হোংলকপনি।

আউন্স অমদা লাইম '৪৭৮, আইরননা '০০২২, কেলোরী পাউণ্ডদা ৮০, প্রোটিন ৮, মহাও '১, কার্বোহাইড্রেট ৩২, ভিটামিন বি য়াওই।

অঙ্গুর- অঙ্গুর অসি চহী লিশীং ৬কী মমাংগদগী হৌনা চানরকই অহুগা যু শুংনবকই। এসিয়া অমসুং ইউরোপতনা হান্নদগীসু, হৌজিকসু থানবি। নুংশাদা কংহল্লগা কিসমিস শেমহুনা চানরী অমসুং ঈ শেংনবা, খোঙ হামদোক্লবদা মপা লৈতনা হীদাক্লুম শিজিন্নবী। হৌজিক অমেরিকারোমদা য়াম্না থানরে। যু শুংনবদা অযাম্ব শাজিন্নে। যু শুংথ্রবদি চিনি অমসুং মিনরেলগী মগুণ অয়াম্বা মংঙত্রে। 'গ্রেপ কিওর' হায়হুনা অঙ্গুরদা চাহুনা লায়েংবা মখল অমা লৈ। মসিনা কয়ামুক মগুণ লৈবা হৈনো হায়বহু ওংকই। অহানবা অঙ্গুরদি য়াম্না লাইনা তুমই। ভিটামিন অমসুং অর্গানিক ওনহনবা থুম কয়া য়াওবনা এসিডনা থন্না লৈবা ঈদা মপা লৈতনা কান্নহল্লি।

চিনিনা ১৫ দগী ৩০% লৈ, তারতারিক এসিড ০.৫% দগী ১.২% লৈ, ড্রাইলনবা জাংনা যু, অহুগা অংঙোবনা চাননবগী ওইনা থানে। খোঙ হাম্বা য়াদবা, চিফেং-চিফেং হাম্বদা নত্রগা ইতোন যাম্বগা লোয়ননা শাংনা ডাইরিয়া হৌবদা অঙ্গুর ডাক্তা চাবা কনম। ক্রোনিক কৃষ্টিজদা হৈ অসিদা য়াওবা মনা-মশীংগী ওইবা আল্লবালি কার্বোনেটনা কান্নহল্লি। মুনত্রবদি শীজিন্নবা য়াদে। অঙ্গুরদা চাহুনা লৈবনা মাংবা য়াহনবা অমসুং ঈশিং পোহনবনা, হার্ট শোকপদসু ঙমথৈ লৈতনা কান্নহল্লি। অশেংবা নুংশিং, শাজেল অমসুং ঙন্না হৌবনা 'গ্রেপ-কিওর'গী কুল ওইবনা অহুম অসিনসু মতেং পী। সুইজরলেণ্ডদদি মসি চহী-চা কয়াদগী চৎনরকই।

কমলা—কমলা হায়বসি মহৌশা লাইরেন্সীনা পীবা চিঞ্জাক্কী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা খদোন অমনি। হেক চাবদা হাউরবা থুম্নবা করিগুম্বা তুমবগী থবক অমত্তা য়াওদনা ঈদা চঙখিহ্রনা থুনা হেক্তা শীজিন্নবা হৌই। অদুগা চোকথরবা মতমদা কমলা অমত্তা চাশিনবদা হেক্তা হকচাং তেকখৎলি। কমলা অমগা হল মচেৎ অমগা মান্নে। অদুবু কমলা মহীদি অমুক তুম্নগী থবক চঙ্দ, তলদি হকচাংদা পাঙ্গল, হৈনিংবা পীননবা তুম্না তাই অদুগী মতুংদা ঈদগী পাঙ্গল পীরক্কদবনি। অরাবদি হল মচেৎ অদু তুহ্রদা পুং কয়া চঙই। অশোন-অনানা কমলা পাম্লিবসি থুনা হকচাং তেকখৎ-হনবদগীনি। কমলা হাইফেৎ চাউবা অমনা কেলোরী ৭৫ দগী ১০০ পী। কমলা মহীদা লাইম্ অমসুং অতোপ্পা আলকালি ওইবা থুম য়াম্না য়াওই। শায়াম, চাকয়াম চাবা, অদুগা অহল ওইশিল্লকবা অদুগা যমদুনতা লৈবা মীনা ঈ অসি এসিড তাক্তা ডায়শিল্লকলবা মতমদা এসিড মাঙহন্নবা কমলা চাবা য়াম্না কান্নে। ইমুং-মনুংদা থবক শূবা, কেরানি ওঝাগুম্বা মীওইগী পুক্সিদা থুনা অহল ওইহনবা থিংনবা কমলা হীদাককুম্বা হে মখল অমনি।

তুম্মমদাইদা কমলা ১/২ (মকু য়াওনা হৈনরগা) চাশিনবদা থোইদোক্লা শাথীবা মওংদা খোঙ হাম্বা য়াদবা মী কান্নবা ফংগনি। চাক অনিগী মরক্তা অচোই-অপা চাবনা মীগী মশা ফংহন্দে। হৈ মহীদি থকপা য়াই। কমলা মহী নপ্রগা কমলা চাক ২ গী মরক্তা চাবনা খোঙহাম্বা ফজনা য়াহল্লি। খোঙ হাম্বা য়াদহ্রনা পথ-পূমথহ্রনা খোইরীন, থীরিন্দা পৈহ্রনা লৈরীবা চিঞ্জাক্কী শরুক

অহু কমলানা 'পেরিসস্তেলটিক' হায়বদি খোইরীন অসি স্থম মখারোমদা খপথবগুম, নীকথবগুম লেঙহনবগী থবক অসি, কমলা মহিগী মহাও অমস্থুং ময়াইকাবা মগুণ অমনা মতেঙ ওইহল্লি। অহুনা কোলোনদা পথ পুমথবগী থবক থিংই। মমাগী মখোয়া য়োক্তবা, শঙ্গোম অশেঙ্বা নত্রগা ভৌথোক্লবা শঙ্গোম শীজিন্নরবদি মৈদা লোনবা অহুনা ভিটামিন মাঙহল্লি। মহু মেনখংনবা কমলা মহী পীথকপা তাই। খোমচুপ শীজিন্নবা অঙাং খুদিংমক নোংমদা কমলা মহী আউন্স অমা পীথকদবনি।

থা অমা গুরবা অঙাং মচাগীনা খৈরোই অমা শঙ্গোম থকপা খুদিংগী পীবিযু। চহী অমা ফারবদি খৈরোই ৪ পীথকপিয়ু। মমাগী খোমনা য়োকপা অঙাংদা কমলা মহীনা য়ায়া কান্নবা পী। চিনি অমস্থুং মহৈ-মরোং শীজিন্নরক্লবা কালদা অমুক্তস্থ কমলা মহী চাং হেনগৎপীযু। চিনি, চা-াং হেনগৎলকপদা কমলা মহী হেন্না চঙই।

মচীন্-ময়া ঈ থোকপা, য়ারী পোস্বা (scurvy) লায়না দা কমলা মহী আউন্স ৪/৫ পীথক্লগা ফজখিগনি। চাক, হবাই, তল চাবদগী অঙাং নাই হায়বসি অদৈদগী নত্রে, ভিটামিন য়াৎপদগী থোকপনি। কমলা মহীনা অঙাং লিশিং লিশিং কনবা ঙমগনি। হৌজিক্তি অঙাংস্থ অহনস্থ "য়ায়া হেন্না চিঞাক পী অহুগা য়ায়া য়াংনা নোয়-পেলহন্নে" (ওভর ফেড এণ্ড অন্দর নরীসড)। মমা পুয়মক মচা য়োকপদা য়াফম অসি কাউবীগনু। স্করভিদা নোংমগী কমলা নত্রগা খামেনশিনবা নত্রগা সালগম অশংবগী মহী খৈরোই অমমম পীথকউ। থা ২/২ লৈরগা খৈরোই অমমম হেনগৎপীয়ু।

চাক—এসিয়াদা চেং, ইউরোপ অমসুং আমেরীকাদা গেহু। চেং অসি চেংঙৌ অমসুং অচা-চেং (brown-rice) অনি থোকই। চেংগী মকুময়াদা ভিটামিন বি য়াওই। চোইথোকপ্রবদি কায়দে, ভিটামিন মাঙগে। চেংঙৌ অসি ফজনবা চাবনি। অদুনা চেংঙৌ থাদোকুরকই। থোঙ পোমথংপা বেডি বেড়ি হায়বা লায়না অমা চেংঙৌ চাবদগী পোকই। চাক অসি পুং অমগী মনুংদা তুমই অদুবু মাংথোক্লবা পোং য়াওদে। চাক পাউণ্ড অমনা অমাংবা ওইনা আউন্স অমতা মরেমই। অদুনা মনা মশিং য়াম্না চাশিনগদবনি। অহন্দদি মতীক চানা চাক্লা নোয়-পেলহনবা ডমই। কাখিবা মসল তাথহন্দনা থম্বা ডম্বদা চাকনা মহেনে। অঙাংদদি শঙ্গোম য়াম্না হাপচিনগদবনি। মসিনা অঙাং নাব-শিবা কহি, অদুগা চাউথংপা. কনখ'হনবা ডমই। চাক থোংবদা মহি চিথোক্কনবা য়েংদুনা মহী হাপকনি। ভিটামিন পুম্নমক মহীদা চংখিগনি। পৃথিবীগী মনুংদা লৈরিবা মীশিং তঙ্খাই অমদি চাক চাবনি। থ্বাইদগী কম্না নোম্বা মীওই চাক চাদুনা হিংই।

চাইনিজগী কুলি, কোনষ্টাণ্ডিনোপলগী থ্বাইদগী অরূম্বা পোংলুম পুবা চফু শাবা অয়াম্বনা চাক অমসুং হৈবোংদ চায়। কোরিয়াগী ডা হোনবী মন ২/৩ মনঙন্দা পুবী মুপী ডা অমসুং চাকতা চাবনি। জাপানগী অঙাংশিংনা পুংদা মাইল ৬ য়াঙনা গাড়ী জাং অমা চিংদুনা চংলিবা, চাক চাবনি।

মনা—হঙ্গাম, কোবীনচিংবা—ইংলিসতা গ্রীন হায়রগা খঙনবা মনাশিং অসি চাবা য়াবা মনা পুম্নমকপু খঙনগনি।

লম লমগী জাতি কয়াগী তোঙানবা চাবা য়াবা মনা কয়া লৈ। মনাদা যজনা লৈরিবা লাইম অমসুং আইরন হায়বা পোৎচঙ অসি অতোপ্পা অয়াম্বা চিঙাক্তা রাংনা য়াওই। অদুগা মনাশিং অসিদা মরু ওইবা মপুঙফাবা চিঙাকী পোৎচঙ খরসু য়াওরি। মনা শেম্লকপদা চঙইবা লেবোরেটোরী অসি মীনা খঙবা কেমি-স্ত্রীগী মনুংদা থাইদগী ছবপা অমনি। ক্লোরোফাইলদগী থোরকপনি কুমিনা (Alchemist) পূম্নমক পাঙথোকপা ঙম্বা পোৎ শেম্বনি। অদুগা ক্লোরোফাইলনা (regent) রিএজন্দা পোৎশক অমা য়াওব্রা হায়না য়েংনবা পোৎচঙনি।

অসিগুম্বা অচম্বা লেবোরেটোরী অসিদা মনা-মশীংগী অঙকপা পোৎশক উগী মনপ, মেক্রুক, থাউ, অতরগুলাপকী আটার, ৎস্পাল, থরোংগী মনম, চনমগী মনম, ভিক্ষোগী মনমনা মীৎ কাহনবা মহী, লিন চৈগুগী নমথীবা মনম, গঙ্গাগী হু. নোংমাংখাগী অথাবা. চনাং প্রোটিন, যেট, চুমথাংগী মচু কয়াগী মনা, মচৈ-মরোং পুম্বা শেম্বনি। ক্লোরোফাইল অসি মচু অমত্তনি লোন-রমই। হৌজিক্কি মচু মরিনি। অশংবা অনি, নাপুঅনি। মরি অসি ভিম্নরগা জগৎ অসিদা লৈরিবা চিং-মান, পাৎ, লক্কাংদা উরিবা যক্তপ্রবা মচু ময়ামসি শেম্লকপনি। অঙকপা মনাশিং অসিদগী চাউখৎহনবা পোৎচঙ কয়া পীদুনা যন্নাও, থেব, শক্তি মচা কয়া থুনা নোইখৎ-চাউখৎহনবা ঙসহুবু মীওইবা ঐখায়না ঙকলা য়েংহন্না লৈবা তঙনা করি খঙবা ঙম্বগে। অসিগুম্বা মনা-মশিং অসি লৈরমত্রবদা জীব অমত্তসু হিংবা য়ারোই। মচা-মশু অমত্তসু

পোকলোই—জীব অমতম্ মপুঙ মরৈ ফারোই, শারেপ য়ৌবা চঙ্গোই। অদুনা মনা অসি অমুকী মতিক চিঙ্গাক্তা মপুঙ ওই হায়নরকইবা! কোবী, হঙ্গাম, গাজর, পালংসাক মনা ওইনা লৌনৈ। কোমপ্রেক, কলমনি, য়েরুম-কৈরুম, সেলেরী পেরুক-নচিংবা কয়া অসি চাক চাবদা মপুঙ ওইনা চাগদবনি।

শঙ্গোম করিনো? শগনা মনা, হানৌ, মঙ্গাল পুম্নমক শনজাকমদগী মরাং কায়না চাগা মতুনা শঙ্গোম ওইনা মরং কায়না পীথোরকই। মতুংনা শঙ্গোম, মাখোলনচিংবা মহি মহাওশিং অসি চিঙ্ক্তা থাইদগী অহেনবা পোংশক ওইরি।

মনা অসি অদুকী মতিক লুনা চৌনৈ—থাপিয়ানা শাব য়-ক্রাউট, তকীনা যোগর্ট, ফ্রেন্সনা সলাদ, মৈতৈ এখোয়না হঙ্গাম থাদোকপা ওমদে। মনা চাবসি থোংহুনা, চক্‌ৎ ফু হুনা অমসুং হিংনা চাবা য়াই। থোংলগা অমসুং ফুৎলগা ভিটামিন 'সি' অদু মহিদা লৈখি। মরম অসিনা মনা থোংবা ফুৎপগী মতৌ থক হন্দোকপীগনু। থাইদগী কবদি চফু অমদা ঈশিং হাপ্লগা মথুম থুমলিবা চফু অদু পীক্লা পীরা মনিংদা মথুল ১০/২০ হংলগা মতুগী মতুংদা মনা অদু হাপ্লগা মথা থংবা চফুগী ঈশিং অদু শৌহনবদা মথক্তা মথুন হুৎপা পাত্র অদুদা য়াওবা মনা অদু মনিলনা মুনি। মতু থাইদগী কবা মনাগী মখোংনি। অদুগা হিংনা য়োংকী তমলগুম্বা অমদা শুগাইদুনা মহৈ অদু কৌরগা হকপা য়াই। ভিটামিন অমসুং থুম করিগুম্বা মওংদা মাঙদে। মতু ইনং নচনা কোবী, কোম্প্রেক, হবাই মচোন, সেলারী, সালগম মনা মচোন, হঙ্গাম মচোল, মনা আলু মেৎপদা কোঙ্গনা চাবস্থ য়াই।

ভিহেন্নো—ভিহেন্নো, চন্নম, চোলাম, মরোই-নাকুপ্পী, নাপাকপী জাং অমগুনি। মথোয় পুম্নমক ভেলেটাইল কোবা সলফর কম্পাউণ্ড অমা য়াওই। অহূনা শাবা, মিং কাবা অসি পুম্নমক অসিনা অথোই-অহেন নাইনা পী। মসি শীঙ্গিমরকপা কুইরে। ইজিপকী মুস্লীমশিংনা য়াম্না শাঙ্গিমৈ। ইউরোপতস্থ য়াম্না শীঙ্গিমৈ। ইন্দিয়াদদি ধর্ম্ম লাইরিক পুস্তকতা ময়াই কাবা পোংনি হায়হূনা চাবা থিংই। নীংথিজনা মুলহনবদা, মনিলদা মিঃ ৪৫ চহই। থাউ চৌবদা, চুম্না মরোই ওইনা মহাওগীদমক এপ্পাংদা থাক্কে। হৌজিকী সাইন্সনদি ভিহেন্নো অসি মনা-মশিং পুম্নমক্কী ফবা হেনবা চিঙ্গক অমনি লৌনরকই।

ভিহেন্নো অসি য়েরুমমুক চংউবা অমা নোংমদা চাবা য়াই। ভিহেন্নো থরা ভুম্বমদাইদা লৌরগা চাবদা ভূস্বা য়াদবা য়াহল্লি। য়াম্না চাশিল্লবদি অঙাওবা মঙ মঙই। য়ূম মৈ চাকপা, লম-ঙৈ চাকপা নত্রগা পাইহূনা চংপা অসি মঙদা ভোয়না ভোই। ভিহেন্নো-চনম থরা চারবদি ব্লড প্রেসর কৈ। প্রোটিন ১.২, ফেট .৩, কার্ব্বো: ৯.৬, ভিঃ বি, সি, য়াওই। আউন্স অমনা কেলোরী ৩০ পী। আলু অমা থায়রবা মতুংদা থাঙ অহূনা ভিহেন্নো থোকপা অমস্থং শোইবদা মিং কারোই।

কোবী—কোবী অসি কনানস্থ থওইবীরমদে। হোঙমন্নূনা লৈবীদে অমস্থং চাবিরমদে। হৌজিক্তি কোবী লূনা ভোবা হৌনরক্লে। ভিটামিন অমস্থং মিনরেল য়াম্না য়াওবনা হৌজিক অসিদা কোবী-কোবী হায়নরকই। কোবী অসি অহূকী মতিক

কুইনা থোংলগা অতুকী মতিক তুমদবা হেল্লি। থোঙ হাম্বা য়াদে। অতুগা হিংনা চারবদি লায়না তুমই অতুগা থোঙহাম্বা য়াদবদা শীঙ্জিন্নবা পোংশক অমনি। ফুৎপা, হেংবনা থুম, ভিটামিনশু মাঙহল্লি।

পাউণ্ড অমনা কেলোরী '৪০ পী। প্রোটিন ১'২, ফেট ৩ কার্বোঃ ৫'৫, ভিঃ ৫ বি সি য়াওই : লাইম যাম্না যাওই।

কোবী থমচেৎ মানবী— মনাদগীদ নত্তে, মপাল হায়বদি থৈগীদমক থানরক্লে। পোংশক অযাওবদি কোবীগা মান্নে। মতাংদি কোবীদগী হেল্লি। অমাম্না মতমদা পোংবদগী হেন্না হিংনা চানৈ। কোবী মুনবদা মিঃ ৩০, থমচেৎ মুনবদা মিঃ ১৫ দা মচুই। কেলোরী ৩৫, প্রোটিন ১'৩ ফেট ৫, কার্বোঃ ৪'৭।

থামেন— থামেন অসি থামেন-শিনবা অমস্তুং মোরোকী শাগৈনি। নোংপোকলোমগী পোংশক্নি। হৌজিক্তি পৃথিবী পুম্না থানরে। য়েরুম মানবদগী এগক্রুট হায়না মমিং থোক্লি। অতুগা কাঙ্গৌ, সাগ থোংতুনা চানৈ। চম্ফৎ মুৎপস্ম য়াই। ঙাগা শাগা থোংবস্ম য়াই। লিভার ফহল্লি; য়াম্না চারগা ফুরী-কুরাং মুদোকই। কার্বোঃ ৫% য়াওই, ৯৩% ঈশিংনি প্রোটিন ১% অতুগা ০'৬০% মিনরেল।

চম্প্রা— চম্প্রা অসি সাইট্রস এসিড যাওবা হৈগী মমুংদা অপোবা মীনা পামবা হৈনি। ইউরোপ, আমেরিকাদা নোংপোক-লোমদগী চৎথিবনি। ক্রুসেদকী মতমদা পুথিবনি। ইজিপ-লোমদনা আরবতগী পুথিবনি। সাইট্রীক এসিড য়াওবগীদমক

মখিং চৎপা হৈনি (৬% য়াওই)। আলকালিগী থুম য়াম্না য়াওই। য়াব্রি-য়াখোঙ পোম্বা, চাথৎপগী ফননবা ভিটামিন সি য়াওই। কেলোরী ১৮০, প্রোটিন ·৮, ফেট ·৬, কার্বো: ৭·৭, ভিটামিন এ, বি, সি, সাইট্রস এসিড ৬% য়াওই।

হৈনৌ— হৈনৌ অসি চাক্না চাবা য়াওই। শঙ্গোমগা চানম্ব যাই। নোয়-পেলহনবা হৈনি। মাংবা য়াদবদা অহুগা ভ'ই রিয়া ভৌবা মতুংদা পীজবা য়াই। মুনমন্দুনা পৎলবদি চাবা যত্তে, খোঙ কামই। অশংবা হৈনৌ শিংজিংনা শিৎলগা নীংৎক্তনা মতম নাইনা নোংমদা ২/৩ লক চারবদি ডাইবেতিজ কৈ। হৈনৌ অমুনবা য়াম্না চারগা য়াইরোং পুংই। তরপিনটাইন য়াওবননি। প্রোটিন ০·৫%, ফেট ০·৮%, কেলসিয়ম ·১৪%, ফোসফরস ১৫, আইরন ১·৩% ভিটামিন সি অমসুং এ য়াম্না য়াওই।

মোরোক—মোরোকতা য়াওরিবা থাউ অসি য়াম্না শাই। ডা: উইলিয়ামগী মোতত্তা মোরোক্তা য়াওরিবা কেয়েনী হায়বা থাউ অসি প্রোসিক এসিডকা মাম্নবা হুনি। উনশাদা নক্রগা মিৎত্তা মোরোক নোইশিনবদা মহুক মুংঙাইতবা শাবা অমা লৈত্রে। পুকমুংগী ম্যুকস্ মেমব্রেনদম্ব অহুম শাহনবনি; পুক, চনিং শাওগৎপত্থ অচাবা মীনা খঙনবনি। অহানবদা থুম্নগা মমৈদা শারিবহ্ কেয়েনো চঙশিনখিবদগীনি। পুক খোইরীনদা অহুক য়াম্না শাত্রিবনা পুকমুংদা থোরকইবা রসশিং অহুনা ভিন্নবদা থরা য়ানথাইনরে। ম্যুকস অহুম্ব রসশিং অহুগা ভিন্নত্রে। মমুংদা

মপাক্লদা মোয়োক্না পীব্রিবা ফন্তবা অতুদি অঙ্গানি। মোয়োক তন্তনা শীজিন্নবনা পুক অসি তন্তনা শাউগৎহন্দুনা পুক্কী গ্লেন্দ মাঙহল্লি অমস্তুং গেসত্রিক কেটায়া পুক্কী হাও থোকহল্লি। মোয়োকনা মরাগী চাউথোকপা-পীকশিনবা য়াবতু মাঙহল্লি। ব্লড প্রেসর তোহল্লি। জীন লিভর হায়বদি জীন থক্লগা লিভর শোকহনবতুগুম্না লিভর শোকহল্লি। জীনগী হু অতুগী শরুক ৬ হেনবা হূগী মগুণ লৈ হায়না পেরিসকী 'বোইক্ম' না হায। য়ুগুম্না মোয়োক চাবস্তু লমদম্নৈ। উৎসব ফাওবদা ময়ুমদগী মোয়োক পুরক্লগা চথোম খুদিংগী মোয়োক চিক্কুনা চাবা য়াওই। অতুগুম্বা মীশক পুন্সিদে।

য়েরুম—য়েরুম অসি হাওবনা মী অয়াম্বনা পাম্না চানৈ। য়েরুম হায়বসি অঙোবা শরুক, নাপুগী শরুক, মকু অহু মঅসিনি। মমুৎ অসি য়েম্নাও ওইরক্কদোরিবা অতুমক্লি। অঙোবা শরুক অতু মাগী চিঙ্গাক্লি। অঙোবা অতু চাবা লোইরগা মকু অতু নমখায়তুনা থোক্লগা চাবা য়াবা চিঙ্গাক পুয়মক চাজনবা, থিজবা অমস্তুং থিজক্লগা চাজবা ঙমজবা অঙকপা থুৎশেমনি। অঙোবগী শরুক অসিদা এলবুমিনগী ওইবা তিন্নবা পোৎশক অমা য়াওরি। তোকসাল এলবুমিনগুম্না থবক তৌই অতুনা য়েরুম হেক চাবদা খঙহৌদনা ওনিংবা, ওবা, হেক নাবা পোকপা মীওইস্তু য়াওই। ইউটিকারিয়া হায়বা হূ অতু চাবগী খুদমগা চপ মান্নৈ। অঙোবা শরুক অসিগা য়াম্না য়েযৌনবা পক্লদবা মী য়াওই। মী অমনা মাগী অরুম্বা অতুগী চাংদা প্রোটিন, কোলোরী চঙই। পাউণ্ড ১৪০

লুম্বা নিপাহু প্রোটিন কেলোরী ১৪০ চঙই। য়েরুম ৫ চঙবা তাই। তল পাউণ্ড অমনা প্রোটিনগী চাং ৩২ হেন্না পী। শঙ্গোম গ্লাস ১/২ গা মনা-মশিং নীংথিজনা চাববদি নোংমগী প্রোটিন ওকই। নোংমদা য়েরুম ৫ চারবদি কেরেসটবোন হেনমন্দুনা ব্লড প্রেসর ভৌরকনি। অতুগা য়েরুম (অঙোবগী শক্ক) চামল্লবদি খোয়রীন্দা পথ-পুমথবা য়াম্না হেল্লি। মাইগ্রেন—খোই মহুমগী কোকচীক্তা য়েরুম চাবা য়াদে। হেক্তা চীকনি। য়েরুম কুইনা ফুংলবা অতুগা কুইমন্দুনা ফংলক্রবদি পুক্তা তাবদা হান্না লৈরম্বা জার্ম অতু মশীং হেনগংলকই অতুনা পথ-পুমথবা হেনগংহল্লি। নম্বদা ফুং ফুং চঙবা লায়না অতুদা য়েরুমগী অঙোবা য়াম্না চারবদি ফত্তবা য়াম্না হেনগংলি। য়েরুম য়াম্না চাবনা কোলোন্দা পথ-পুমথহন্দুনা এগেনদিসাইটিস অমস্তুং পুক-য়েকপা, য়েক্লু-য়েক্লা ফায়বা (colites) লায়না পুরকই।

য়েরুম অসি মীনা য়াম্না পাম্নবা চিঞ্জাক্নি। মরম অসিনা মুননা থিজিন্দুনা অয-ক্ষত্ত করি লৈবগে হায়বা খংদবা য়াদবনি।

ফত্তবা য়েরুম—কোকপদা ঙায়রিবা, মচু কায়দ্রিবা য়েরুম অতু অফবনি লৌগনি। মম্নি চংপা, স্তুজা কাবা, অঙোবা শক্ক অতু পুম্নবা, ঈগী শিংলিগুম ঙাঙনা মম্নি চংপা নমথিরবা অতুগা অঙোবা অতুগা মচু শংলবা, চাবদা শীল্লবা অতুগুম্বা য়েরুম অতু মহিক-মতাং য়াওরবনি।

'বেকৃতরিয়ম পুল্লোরম' হায়বা জর্ম জাং অমা য়েরুমদা য়াওই। জর্ম অসিনা অনাবা অমা পোকহল্লি। শক্তি, থেবা,

উচি অচৌবগী মচিল্লাক্তা য়ানশিনবদা তাইকোইডনা নাবগুম নাই ; অচুগা শি। হায়রিবা জর্ম অসি অঙাং অমসুং অশোন-অমাদা খুদোংথীবা পীবা অমনি। উচেক্কী মরুমগী থাও (every) অসি জর্ম লৈগনবা হকচাংগী শরুকনি। অচুনা হায়রিবা জর্ম অসি লৈচুনা কৈথেল্দা য়োল্লিবা য়েরুম অসি বেকণ্টাব্রিয়ম পুল্লোরম য়াওগনি। হাপ বোইল, নাকন অমত্তা মৈ মৈহনবা (পোট) অচুগা ঘী থাউদা হাইকেং অমলেট শেম্বনা জর্ম হাংপা চমদে। হিংনা চাবা নক্রগা মৈদা য়াম্না যেঙনা ফুংপা, হাউবসি অঙাংগী-দমক য়াম্না খুদোং থীনঙাইনি। মিনিট ১৫ দগী তানা ফুংপা, থোংবা, তৌবদা জর্ম অসি হাংপা চমদে। অম্বয়া শাংনা ফুং-লবদি অচৌবা মরূম অচুদি তুমদে। মমুংদি তুমই।

শঙ্গোমগা তিন্নহুনা থকপা চৎনৈ; মসি অঙাংদদি ফত্তে মরুমদি অচৌবা শরুকসি তুমদবদ নত্তনা অতোম্না চারিবা পোৎ অচু কাওবা তুমহন্দে। পুক্তা হেক তাবদা টৈশিংদা অচৌবচু হৈথবদা তোঙাম্না চৎপগুম তুমদনা চৎথখি। অচুগা থোংদোক-ফুংতোক্লবদি অম্বয়া তোঙাননা চৎপা (Neutral) সি থোদে। য়েরুমগী অচৌবসি হিংনা থক্রুনা ঈদা চঙ্ক্রবদি এনাদাইলেসিস পোকহল্লি। য়েরুম চাবদা পক্রুদবা, হেক্তা নাবা, ওবা অচু য়েরুমদা য়াওবা এতোম্যুকোইডনা পোকহনবনি। ওতোয়োবু-মিন, ওতোঅলবুমিন অমসুং কোনএলবুমিন অহুম অসি য়াওই। এলবুমিননা তাইরিয়া পোকহল্লি।

অঙাংদা য়েরুম অহিংবা পীজদবদ নত্তনা ১৬০ ডিগ্রীদা ফুংপা, থোংবা, হোবা নত্তনা পীজবা য়াদে।

অচৌবা শক্তি হিংনা চায়বদি চুয়বগী চাং যাওহল্লি। ফুংহোক্লবদি ফৌদে।

ষেকুম অসি শঙ্গোমবু তানখংচয়কইবা চিজাক্নি। মথাই পানবা হিংহনবগী মতুংদা অওইবমক শঙ্গোমগী লাম্বা পাবা চয়বা চথরকই। মখোয় অনিসিমক নেচয়না পাম্বা মতুং ইমা জীবগী থরায় হিংহনবদা চঙ্ইবা পোংচঙ পূম্নমক য়াওই। শঙ্গোমদগী ষেকুম্না অমূক হেন্না 'কোনসেনট্রেট' ওইবা হেল্লি। চাগদবা চিজাকী পোংচঙনা শরুক অসি হেল্লি। অদুগা ঈশিং বাংনা য়াওই। ষেকুমগী মৈশা পীবা চিজাকী শরুক্না ফেটনি; শঙ্গোমগীনা চিনি অমসুং ফেটনি। চিজাক ওইনা ষেকুমনা শা, নটকুম্না ফেট প্রোটিন শিন্নবনি। অদুগা ভিটামিন, মিনরেল চাং চানা য়াম্না পীবা চিজাক অতোপ্পা অমা লৈতে। শঙ্গোম্না কেলসিয়ম হেল্লি। আইরননা ষেকুমনা হেল্লি।

ভিটামিন অসি খোইদোক-হেন্দোক্লা ডি-দা শঙ্গোমদগী হেল্লি : ভিটামিন সি-দি বাংপনা শঙ্গোম অমসুং ষেকুমদি হৈ, মনা-মশিং অরাংপা অহৌ মেনখংনবা চাগদবনি। মনাগী মনামতা ষেকুম মমূংনা তোংপদি খাইদগী কৈ অমসুং পকনৈ।

অদুগা খাইদগী লুবদি ষেকুম, শা, শঙ্গোম অহুম অসি য়াম্না নোয়বা ব্লড প্রেসার লৈবা মীনা চাগনু। মরমদি কেরেসটরোল কৌবা খোইকহুম্না তোবা মহাও অমা লৈ, মসিদা মহৌ য়াম্না লৈহনা শিংলিদা চঙথিহনা শিংলি থুজীনহল্লি। ব্লড প্রেসর, হার্ট কেল্লার পোকহল্লি।

খোইহি—হৈ অয়াম্বদা য়াওবা লেবুলোজ অমস্তুং ডেক্সট্রাইন হায়বা চিনি অনি অসি চাং মায়না খোইহিদা য়াওই। মহৌশা লৈজবা পোংকী মনুংদা কনশিন্না তুমহল্লবা পোংশক অমনি। মসিগুম্বা অমুত অসি কয়িংখোইনা চাজনবা লৈদগী মখোয়না পৈশিল্লবনি। কেমিকেলদা খোইহি অসি গ্লুকোস অমস্তুং লেবুলোজনা শেম্বনা ইনভার্ট স্যুগার কৌই। মিনরেল খরদং য়াওই। চুগী চিনিদগী য়াম্না হেন্না হাংদনা চৎদা হেক্তা চহুদি। অহুগা খোইহিদা য়াওরিবা পোংশক খরদি চংদা পোকইবা তিন অসিনা চনাংবু চিনি ওইহনবা ডুয়দম পুমহন্দনা গাবমেন্ট শোইন্দুনা থম্বা ঙমই। খোইহিদা তাবা কদচেং. কাকিং পুমদে। খোইহিদা থম্লবদি মীগী মশা ফাওবা পুমদে হায়বা থাইনগী অরিবা জাতিনা খল্লনরকই।

খোইহিদা 'ফোমমিক এসিড' কৌবা হু মথল অমা য়াওই। খোইনা খোইহিগী মপুন অহু খোইহি থম্লা হাপ্লবা মতমদা কক্‌-চেংনচিংবনা চাদনবা অগুগা পুমহৎদনবা হায়নি। হিদক ওইনা মথল মথা অয়াম্বা য়াম্দুনা শেম্মি। লোক পুবা ফহল্লি। হাটকী থবক্তা মতেং পাংই। খোক হাম্বা ফহল্লি।

হৌজিকী মতমদা অথুম-অহাউ শেম্বদা কৈদা অমস্তুং নটকী অচাপোৎ শেম্বদা খোইহি য়ানশিল্লি।

নবাপ-ছোলোম— মখোয় অসি অযুক্তা চাবা য়াই। অহুগা চানীংবা মতমদা চাবা য়াই। ছুম্বগী রাথমদা কবিস্থ থন্নিঙাই লৈতে। সাইট্রসকী জাংনি; চিনিশু য়াওই। নবাপ

অমনা কেঃ ১০০ নী। মসি অঙুর মহী আউন্স ১ নত্রগা শঙ্গোম আউন্স ৫ গা মাৎন্ন। থুম অমস্থং চিনি হাপ্তুনা চাবীগন্থু। সাইট্রস এসিড য়াওবা হৈনি, কান্নবসি শীজিন্নবা মীদনা থঙই। হৈ চান্থু হায়হনা শক্সোকপা মীভানা থঙবা নত্তে। খোঙ চিকেৎ-চিকেৎ হান্না ভুমদবহ্ চপ্প্রা অমগী মহী হেক থকপদা হেক্তা হৈ। চাকচমাঙ অমস্থং মভুংদা চাবা য়াই। নুং হৈ হায়না থঙলবদি চাক মমাঙ পুংথাই অমা বাংলিজৈদা সাইট্রস হৈগী মহী ঈশিং গ্নাস অমদা য়ান্নুনা থকপদা চয়োল থরগী মন্থুংদা নুং মচেৎ মচেৎ ভারকনি। অহৃগা পেষ্ট্রীক এসিড লৈতহুনা একাইলিয়া (achllea) চাবা ভুমত্রবা, চাকপুম কায়রবা মীভা অহুদা সাইট্রস এসিড য়াওবা হৈগী মহী পীথকপদা রস অহু খোঃকখনি। অহৃগা এসিড অহনস্থু পেষ্ট্রীক এসিডকী থবক পূই।

পেষ্ট্রীক জুইসকী হাইড্রোক্লোরিক এসিড অসি 'পেপসিন' বু থবক ভৌহন্নবনি। এসিড য়াওত্রবদি পেপসিন অসি থবক ভৌবা ঙমদে হায়বসি প্রোটিন (হায়বদি শা, ঙা, শঙ্গোম, য়েরুম, নটভা য়াওবা) ভুমবা ঙমদে হায়বনি। হৈগী এসিড অসিনস্থু পেপসিনগী মভেঙ ওইনা হাইড্রোক্লোরিকী থবক অহ্ ভৌবা ঙমই। সোদামীনগুম্না পঙশি-শীজিন্নবদগী এসিড কংত্রবা একাইলিয়াদা হৈ-না। সাইট্রস পূকী এসিড অহুগী থবক পূবা ঙমই।

চেঙগুম—মণিপুরদদি লৈশোবুঙদা নোংজু থাদা চেঙগুম শোই। অভৈ লমদা থন্না অচোৎপা মকমদা হোবা পান্নী মথল অমনি। ঙ-বা নাপী-শীংবী পূয়বকী মহুংদগী থরদি লৈপাকগী

হু চিংবংলি। চেহৎশুবগী মথুমদা লৈপাংজগী হু চিংবল্লুনা 'মসকারিন' কৌবা হু অহ্ লকপা চেহৎশুম পাংগী কয়া যাওদি। মখু চাবদা মী লি। অমুবা ১সুং কমনা মচুগী ইংবেক্সা চেহৎশুমদা হাওবা হু 'মসকারিন' অসি যাওই। মসি চাকপগা কাও অসি হাম্বা খৌরা হাওহনি, শুক লিসহলি। হু চেংবা চেহৎশুমগা অক্সানি। অতৈ পৃথিবী শীনবা পুংগা চেহৎশুম থাংবকাবা অসিদা অমম্বা চাবা হাবা চেহৎশুমদ মপুনা থাবককা অহিং কয়া অহ্ কেংগুরে।

হাউবগী, চাবা মুচৎকবগী উথাংগদ চাবনি। চিথিল অমমা হাওরে। তুখা হগা হে হিন্দু বলিক্স মঙাওই। চাবা মাবগী মথুন নাথিল, কোবক কাবা চেহৎশুম, ইংখবগী শাগুনা— কংলাংরেন কেক হেকলান, চৎতাংগ বাংলাংখল, ইঠিক ম্যাবাংমলি হু চেলবনি, চাই চা কবাবগী মপিংশুবা শাথিবহনি।

চু অমসুং চুগী চাক — চুগী চিনি মনি পুংলাগ কৌই। চু অমসুং বিতংগী মৌখনি অবুব, শাংখুক, মলা কাংলিকুম লহচাক্সা চাবীংবা অমা লৈ। মসিই থাংবনি চিনি চাখাংলগা চু চাবা, মরী মখোংলগা চুগী, মসুং চাখোংলগা চিনি অচাংবা চানবনি।

চেংচৌ মচু থাবগিদমক চিনি অচৌবগা লৈরা মৰে। লেচবগী পীবক্লিবা মশিগী অমুক হাওবা চুগী মরী চুহিং অমুবা মাই-লগী লেরা লৈ; অতুবগী চুগী, চিনি অচাংবা, মসুং চিনি অচৌবা, মচুগীদু মসুং লিতাইবিথি অনিদি কেমিকেলগী ওইবা অহৌ

মশিং লাংবা হেংদোকপিরবগী থিংখিন অমসুং মিনবেন থাবক্লবনি। চিনি অয়াংবা, চুগী মিনবেন হোইনা মাংচরি। চিনি অয়াংবশিং শেংদবা (unrefined) হায়বসি মাংখ্রা লাকপনি।

চুগী চিনিশি চুমদগী কাংবা নাংনা মুঙ্গাইরিবগী মেপাল কোইরা ইংফাল মফমগী মচা মশিং অমসুং হৈতুগী তাই। চুগী চিনিনা হৈতু হৈথা অতৈবদা পুখরির-পিন্থিরা থকচে, অতৈব-মচু মমা পুখরিবনি। হৈ অতৈবদা, হৈ অমুক্তা পিন্থনা চুমনি। চুগী লোইরা চিনি অমি মাংখা চাংবদি মাং চাকপা, মশি কুপ্পা লাংবা পুরকই ; অশিগুম লাংবা মকোক (চুগী চিনি) গী মচা হোংলী পুংবা লৌথিরকা চুকই।

পুক্তা অতৈবদা কাংবা লাংবাদা চিনি অমি লৌথিল্লক্লবই-থবনি। চিনি অমি মাংখ্রা চাগৎলবা অরাংবা কাওই, পুক্তা পুংখাইরে, পুক্তা লোইরিবা কাংবা চবা অমি লাকপনি। চিনিনা লোকখোকপা, থাংথোকপা (sore) শুবা লোকই, অদুনা পুক অমি থুংখাইরে, ওহ অমসুং হোক মাংখ্রা চৌঈ। পুক্তা হাউ যোকপা, লোইনা; পৌরা লোংখাইরিং, হৈতুক অদুগা, পুক হুংখাই-থবা লাকপা অমি চিনি মাংখ্রা হৈরবা থীজবা লাই। পুক থাবতপা কাইনা হেক লোইবীগী কায়খিবনু চুম্বা থকপা চিনি চাবগা থাদোকহল্লবনি।

পুক্তা হাউ যোকপগী পুক চংথিল্লবা লোইথোকপা হাউ থাক্লা যোকপা মথংগী লাকপাদা চিনি চাবগা থাক্লা হোরি। মপ লৌবা নৈতবা ক্রোনিক ওইনা নৈদি, যোক হাবা লাকপা অকনবা।

য়াদবহ্ চিনি য়াম্না চাবদগীনি। চিনি হেক পীজদবদা তপনা ফজৎরনি। চাকথাও চাউথোকপা মীনা চিনি চাশীন্নগা মুংশিংনা পীক থন্না লৈহ্না স্নুম কংথোকপা হেন্নকই।

ঈশিং পুকচম্তা, (ডাইবেটীজনা নাবা মীদি) চিনিহ্ ওম্নী-ডাইজ হায়বদি ওম্নীজেনবা চাকথেকপা ঙমদে। অহ্না অান ভানা চিনি থাদোকপা ভাবনি। অতোম্না চিনি কয়াগুম্না লায়না ভুমজবা ঙম্বগুম চুগী চিনিদি ভুমবা, লৌশীনবা ঙমদে (assimila-tion)।

গেস্ত্রীক অলসর—পুক চাথংপদা হেক চাবদা পুদক্তা নাবা ফাওরকই। অনাবহ্ য়াম্না য়াহল্নী। অহ্না অম্তাংদা চিনিনা শেম্বা অথুম-অহাও কয়া থোক্না লৈরিবা অসিনা অঙকপা কংনা অরাবা পী। অহনগী পুক, খোইরীনগা অঙাংগী পুক, খোইরীনগা য়াম্না থেম্নে। অঙাংগীদি য়াম্না শোকল্লি, নাগল্লি। মোলতোস অমম্নুং মোলতোসনা শাবা অথুম-অহাও শীজিন্নবনা কৈ। অহ্মকপু অসিগুম্বা অথুম-অহাও শীজিন্নদবনা ইক কৈ। পান্নবা পোং-শকনিনা মমা-মপানম্নু য়েংশিনবীবা য়াংলি। অঙাংনম্নু থঙজবা নত্তে। অঙাং স্নুক য়াম্না শিরিবসি অসিগুম্বা মুংশিহ্না পীজবা চিনিনা শেম্বা মশাম অসিনা হোৎমনি। অঙাংদা চিনি অমম্নুং চনাং য়াওবা পোংনা শাবা অচাপোং পীজরকপা মতমদা ওবা, খোঙ হাম্বা মশা শাগংপা লায়না য়াম্না পোকই।

কীহোম—কীহোম অসি মণিপুরদা নীংথিজনা থানরকইবা, হৈগী মন্নুংদা মণিপুরীশিংনা খ্বাইদগী হেম্না চানরকইবা অমনি।

অদুগা হৈ অমসুং হৈ অসিগী মহৌ অমসুং জেল্লী শেমদুনা শেল য়ান্না মণিপুরদা পুশিল্লকদবা হৈ অমনি। চহী খরগী মমাংদা চীং অনেম্বা পুম্নমক কীহোম পাম্নীনা য়োমথনা থানরক্লগনি।

সাইত্রস গ্রুপকী হৈনি। কীহোমনা খৌনাউ চাখংপা, লোক্লা (sore-throat) অমসুং দিপ্‌থেরীয়াদা কান্নৈ। পুকতা খোকপা এনজাইম অদু হৈ অসিদা য়াওই। অদুনা চাবা ভুমহল্লি লৌনৈ।

মসি খোইদোক্লা লোবদা কান্নবা য়াকম অমদি ওইদে। অদুবু য়েক্রম অমতগী অচৌবা শরুক অদু ভুমনবা এনজাইম লোগে হায়রবদি কীহোম মপুম মশাং নাইদনা চত্তবা ভাই। হৌজিক্কী যুগ অসিদা কীহোম অসি মকু থাবনা খোক্লুনা চানরক্লে। লৌরিদা, রৌত্তাদা হানদুনা য়োল্লিবা জেল্লী অমসুং মহৌদা শীজিল্লগ্রে। লকোইনা উথক্লা মুল্লগা হাউবগুম পাম্বী মথক্লা মুনবা কীহোমদি য়াম্না হাউবা হেল্লি। হৈজীং কাদনা হেক্লগা থুইথে। মুন্‌মল্লগা কমই, চাবা য়াদে। কজনা মুল্লবা মত্তমদসু উচি অমসুং শবোনা য়াম্না চায়। মনাদগী ফি য়াম্না শানরকই।

বিট—ত্রেখোয়দি বিট অসি কয়া চানদে। মরু ভাবা চিল্লাক অসি চনাংনা বিৎ হেম্না য়াওই অদুবু বিটতি চিনিগী শরুকনা হেল্লি। অদুবু মসিদি আলকালি য়াম্না য়াওই। ইচম চম্না চাবসু য়াই। বাথোন্দা ভৌরগা চাবসু য়াই। আলু খোংবগুম চৌবা, কুংপা, খোংবা পুম্নমক য়াই। পুং ১ দগী ভাদনদি খোংবা

তাই। অরিবদি পুং ২/৩ চঙনা খোংত্রবদি তুম্বা ঙমগে। বিট মনা অসিদি মিঃ ২০ দং খোংলগা চাবা য়াই। অদুগা মনিঙ্গা ওইরবদি মিঃ ৩০ চঙনা খোংই। ঈশিং ইহাপ হাপ্তনা অতুম খোংবা য়াই। জর্মনলোমদগী বিটকী চিনি য়াম্না লৌনরকুনা কৌজিক্তি চিনিগীদমক বিট অসি থানরে। বিটকী চিনিসু চুগী চিনিগা অক্তানি।

বড়ী—হৈজামপেৎ, হৈরোংখাক, মণ্ডোঙনা য়োম্বা হৈবু বড়ী কৌই। ঈশিং ভাক্তা য়াওবা মণ্ডোঙনা মরু ময়ামবু য়োমদুনা লৈবা হৈনি। ৮৫/৯০% ঈশিংনি। ৮/১২% না হৈগী চিনিনি। প্রোটিনগা, মহাওগা, লেকটিনগা খর খরদা ময়াওই। মিনরেলদি ০·৪ দগী ০·৭ ফাওবা য়াওই। পোটাসিয়ম, কেলসিয়ম, মেগ্নে-সিয়ম য়াওই। অদুগা করেক্ট অমসুং হৈজামপেৎ (স্ত্রোবরি) অনি অসিদি আইরন য়াওই। মেলীক অমসুং সাইট্রীক এসিড ওইনা ১% য়াওই।

ক্রেনবড়ী অমসুং গুজবড়ীদি নত্তবা বড়ী পুম্নমক হিংনা অমসুং খোংলগা চানৈ। অম্লোল, হৈ-খোংবা অমসুং খোংদনা শীজিনৈ। খোঙ হাম্বা য়াদবা মীগীদমক কৈ।

জাম—ব্লেকবড়ী, দিউবড়ী, লোগেনবড়ী—৮% চিনি য়াওই। ১% এসিড য়াওই। খোংদনা শীজিনৈ।

ব্লুবড়ী— হৈজামপেৎ নীম মচু মানবা পুম্নমক থঙনৈ। অজক্লনা মোংপোংগুয়া হৌবনি। খোঙ হাবই হাবদুনা চানগে। খোঙ হাবগদবা মীদদি কাবৈ।

ব্রান— গেহু অমসুং চেঙগী মকুগা হেক থংনবা মকূপ। হরাইগী মকুগী হেক থংনবা মকূপপুন্স হায়। অসিগুম্বা মকূপ অসি মীগী চিক্লাক্তা হৌজিক য়াম্না হাপচিন্নরি, মরমদি খোঃ হাম্বা য়াদবা মী অসি ব্রান অসিনা য়াহল্লি। ভুমদবা শকক সোলুলস-য়াওবননি। মচুগুম্ন নত্তনা মিনরেল এলেমেন্ট য়াম্না য়াওবনসু খোঙহাম্বা য়াহনবনি। ব্রান ওইনা খাইদোক্কুনা থমলবনা সোলুলস হাপচিননিংবা চাং য়েংহুনা হাপচিনবা য়াই। ব্রান অসি ম্বকভুম ভুমদবনি হায়বদি য়াদে। অয়াম্বা মীনা হকচাংদা চাগ্রিবা ব্রানগী হুখাই অমদি ভুমবা ভুমই। মসিদা মিনরেল, ফোসফরস থর য়েম্না য়াওই অমুগা প্রোটিনসু য়াওই। খোংদবা ব্রান অসি অভোগ্না মহৈ-মরোং, ভলদা হাপচিনবা য়াই। 'ব্রান-ফ্লেক'— ব্রানদি নত্তনা অতৈ মহৈ-মরোংদগী শেম্বা চিঞ্জাক লৈ। ব্রান অসি মগুম কুইনা শীজিন্নবদা হকচাং অমসুং পুক-খোইরীন শোকহন্দে। ব্রান অসিনা অতৈ পোং ভুমগ্রগা মসি লৈহৌবনা খোইরীন্দা কান্নবা পী।

ভল, চিনি, শক্লোম, শা, ওকী মহাও, মাখোল, ইনশাং অসি অয়াম্বা ভুমগ্রগা ইবেম লেমহৌদে। বাওয়েলদি মাগী থবক ভৌহন্নবা পোং থরদি লৈকম খোকই। ইনটেস্তাইন অসি ভিং-খোকচনবা পোংশক মপুং ফাবা লৈকম খোকপনি মহু নত্তবদি থবক নোংথিজনা ভৌত্রে। মরমদি খোইরীন অসি উমশাবোনা য়াম্না সেনসিটিভ, শোকপদা অাম কাওদে। ইনটেস্তাইনগী মমুং থংবা শকক অসি মসল ডাকলি। মসলদি চিংখোক্কবদি মসলগী

ওইবা জান অহ্ পোক্তে। চারিবা চিঙ্গাক অহুনা য়েসিল্লা লৈরবদদা মসলশিংহ্ তপতোক-তপচিন শামে। খোইরীদ্দা গ্যাস লৈরগা খোইরীন অহ্ কাকতোকুনা পূক খিন্নি। কাকতোকপদা নাবা নত্তে, কাকতোকপা অহুগা লোয়নবা তপচিনবা অমা লাকপা অহুনা পূক খিনবনি। পূক নাবা-খিনবা (griping) সি চুম্বগী খোই-রীন অসি তপচিনবগী (contract) ঈপোম অমা চৎপদগীনি। পূক নাবদগী পূক খিনবা (colic) ওন্নিবসি মসিদগীনি। খোই-রীনগী পাঙ্গল মতুং ইন্না ত্রানস্থ শীজিন্নবীয়ু। খোঙ নী·খিজনা হাপ্না মন্নাখিত্রবদি "সেক্কাট স্পুনফুল) খৈবোই অচৌবা ১/২ চরা খুদিংদা হাপচিনবা য়াই।

ত্রান অসিনা য়াম্না হেক নৈরিবমখৈ চৌন, নৈ অসি ওন্থ্না লৈরগা মকুপ অমত্তা নৈত্রবদা তোকপদনি। অন্নুম্না খোইওীল্লম্থ অসিঙুম্না মতোমতা হৌজবা থবক অসি চৎখৈ। পূক অমসুং খোইরীনগী হাও খোকপা মত্রাম অহুনা মসি নৈনবদা হৈনদে অহুনা পূমথৎ-থথখিসনি। কহিঙুমবা অমত্তা নৈহৌরোই। কোলোনদম্থ মসিমক খোকই। অকনবা পোং কন্নপ থোবা পোং হেক লাকপদা বাওয়েলদা অমুক থপৎখিহুনা মপান্দা পুখোকখিনবা লাক্কে। অহুগা পোং হায়বদি—অরেম্বা চুমদবা শরুক হায়বদি অমাংবা অহুনা য়াকন্নুনা কোলোনহ্ থন্নবদি অম্নুকী মচীক থুনা থপথরুকই (peristaltic waves) এওয়েদা হেংবদা খিংনা ইনবা ওবদে হাবী অহুগা মুকন মেমজেন অহ্ বান অহুনা হলোকহন্দে। পোন্নজন অমসুং মাহন্দে। বানদা পূজা হৈনদবা গী (irritate)

হাম্বসিদি বিল ওবারশিন্দা লেপ্পা পাউনি। মরমদা মথল য়াম্না লৌহনা য়োম্বদা শায়জিনবনি। মতমদা থরাই মাচহন্নবা, মাচনবা চিন্নাক্লি; অট্টানা থরাই শীনবগী চিন্নাক্লি হায়বা কাউবীগনু।

পোম্লেংগী হুইদা য়েংবা এক্সপেরিমেন্টতা খোইরৌন অসি থম্না থমহুনা শাক্লেকহল্লুবদি খোইরৌন্দগী থে কপা এম, হাও অমসুং নাম্নবা পোক্লক পোকহল্লুনা বাইহৌরলহনা কন্ত-হৌদি মাংখোকচনবি। চাংবং অমমনা ব্রান অসি হোরমন এলেমেন্ট অম য়াওই হায়রি। মতুংদা খোইরৌন অসি মথাই কাহল্লি। অমুক নীংথিজবা মথল য়াম্না, মথল হাঙহংবা পোংচত্ত ওইবা, হাংবা হাইনবা ওইনা ব্রানদা লৈবা হায়বদা থত্নদে। চাক চাবা খুদিংদা ব্রান বৈরোই অচৌবা অমা শাম্ভনবীয়ু, চাকুবদা থা ৩ ৪ দি ডাক্তর চন্দ্রবন্দু হায়রি মাংবা হুমবা হায়রবসি অনাবা পুত্থরবী মথানি।

ভীটামিন 'এ' অসি ব্রাংলবদি চাউখত্তে। অহাং চাউরক মীবদা ভীটামিন অসি মাওন্দবনি। মেল অহৈনগী থবক্তা ভীটামিন 'এ' চহই। মেন্দ পুড়বক ফেল ওইবদি ভীটামিন শীজবা দরকার ওই। [কোড লিভার ওইল অসি থাইদগী নীংথিজনা ভীটামিন এ য়াওবা লেপ্লি]

ভীটামিন এ য় ওসা পোক্লক্লা ভীটামিন 'ডি' য়াওই। ভীটামিন ডি-গী দরকার কোড লিভর ওইলদা য়াম্না লেপ্লি। থাউ অসিদি ডি-গীনি, এ-গীদি অতোপ্পা মনা-মশিংদগী য়াম্না ফংই। অঙোব অশেংবা, মাখোল, মপান, চিত্তন্দু য়াম্না য়াওই। মেকম মহুং অসিনু এ য়াম্না য়াওই। হয়াম, মনা মশিং মহু অশংবা

ক্লোরোফাইল য়াওবা, মচু অশংবা মনানা মমুংদা লৈবা অচৌবা মনা ময়োন্দগী হেন্না ভীটামিন 'এ' য়াওই। ফুল কবি মনুংগী মনা অচৌবদগী হরাইমুবী, হরাই মকু চাবীগী মকুনা হেন্না ক্লোরোফাইল, ভীটামিন 'এ' য়াওই। অশংবদদসু নক্রি নাপু মচু ওইবা কেরো-টিন য়াওবা গাজব অমসুং শান্গম নাপু মানবা হায়বদি মহৈ মরোং (corn) দসু মনা অচৌবদগী হেন্না ভীটামিন 'এ' য়াওই। ঘী, শঙ্গোম, য়েরুম চাদবা মাংইনা মনা-মশি, ফংদবা মতমদা মীং নাবদু ভীটামিন এ রাংপদগীনি।

ভীটামিন 'বি'— 'বি' য়াওদ্রবদি মরি মতাং পুম্নমক পুমশি শিথৈ। মরী • বা অমসুং মরী শোনবা, মরা চোকথবদা পীজ-গদবনি। ভীটামিন 'বি' হায়বশিনা মরীবু নোয়-পেলহল্লি অমসুং হকচাং পুম্নমক্তা পাঙ্গলদি। মরমদি হকচাংগী শরুক পুম্নমক মরাদনা অমগা অমগা শানবা মরী লৈনৈ হায়না থনগদবনি। হকচাং ফহনগে হায়রবদি ভীটামিন 'বি'না মরুনি। নুংঙাইবা রাদম অমনা ভীটামিন 'বি' অসিদি ফংবদা রাদে। হৈ, মনা-মশিং, মহৈ-মরোংদা ফজনা য়াওই। হকচাংগী অচঙবা চাং লায়না কোম্নে। গেহু, আটা, চোইদবা চেঙ, ব্রান অমসুং 'য়ীস্ত' তা য়াম্না য়াওই। থাইদগী হেনবদি য়ীস্ত-নি। য়াম্নমক দরকার ওইরবদি 'য়ীস্ত' পীজগদবনি। যেট য়ায়া চাবা মীদা ভীটামিন অসি পীগদবনি। মরমদি ফেটতা ভীটামিন বি য়াওদে।

ভীটামিন 'সি'— ভীটামিন অসিনা য়ারী-য়াখোঙ নাবা, পোম্বা, চাথংপা ফহল্লি। ভীটামিন অসি য়াওদ্রে হায়বসি য়ারী

য়াখোঙ নাবা অসি ওইনা তাক্লকই। কমলা, চম্প্রা, কীহোম নীংথিজনা চাবা মীদি ইনস্নেঙ্গ্রা, লোক থুংবা মশক খঙদে মরমদি সাইত্রসকী কাঙবুগী হৈ অসি 'সি' য়াম্না য়াওই। মতুনা থিংবনি। ঈ য়ায়্না শেংহল্লি। বসন্ত হৌরকপা নিংথম লোইরকপদা লোক থুংগনবা অমস্নুং ইনস্নেঙ্গ্রা তৌগনবদি অসিগুম্না মনা মশিং যংদবননি। থোংদবা মনা-মশিং পুম্নমক 'সি' য়াওই।

অহ্ মরাইবক্তা থেংলে হায়বা য়াই। মরম অসিনা লায়না অসি করিদগী হৌরকপনো হায়বসি মুম্না য়েংবীরু। ঈদা এসিদ্না থম্না লৈবদগী হকচাংগী কন্ত-হৌদি পুথোক্লবা নালা থীবান, ঈশিং-য়াকম উনশানা পুথোকপা ওমপ্রবা মতমদা এসিদ্ মরাম অহুবু পুথোক্-থনবা শক্ত অমস্থং শক্ত অনিগী মরক্তা লৈবা কাটিংলেন্তদগী আল-কালি ওইবা কেনসিয়ম্ লোথোক্লুনা এসিদ্ মাংহনবা শাজিন্নবদগী হাং চৌকপনি। কন্-হৌদি অহ্ হাউ ওইনা থোরকপদা হাউগী মপ্রাম লৈবা নাতোনলোমদা লাকপদা মতাম য়েংহনু কায়বিহ্না লপ্ ওইনা লাকপনি। তোঙ্গিল হায়বদি কোক, চীন অমদি হকচাংগী মথকথংবা শরুক্তী লাকপা ক ৬-হৌনি পুক্লনক পুথোক্লবা অমস্থং অর্ম্নচিংবা কাঙ্হনা থক্নবা পুনিস হেনগংহনি। তোঙ্গিল অসি নাহুনা লৈপ্রবদি লাংসরোমদা হাউ লোমদা ক৬-হৌদি হু হাই-জিনবি অমস্থং হকচাং অপুম্বা (কোকেপ) হুনা চাইথি। অহুনা মরম ওইহুনা হাউকী তাগব্ শোকুই। নাশা অহুমক অসি কপ্পা শেমহুনা হোঙ্গান হোৎনা অমস্থং পুন্না য়েংহুনা হকচাং পুম্বগী ওইনা ঈ শেংদোকপা অমস্থং হিংনবগী পাঙ্গল হেনগংহনগনি।

এক্যুদ রিউটেরেটিজম— তাং কর কর চৌকপগা লোয়নবা লায়রো তোরবদি থুদক্তা শিগম্না থম্ন— অহুবু মহুমক্তনা থুদক্তা হেক শিবদি শিদে। অনাবা অহ্ থুনা নহংগা তংা মংবায়দি থাই। মরমদি অহুম্না তোরকপা অহুনা থক্লোয় হেক লোকপদা শি। অনাবা অহ্ তাং চৌকপদগী হাটে চৌকপরোমদা হোংথিবা নত্তে। হুরগী তাং চৌকপা অহুনা হাটকী লাইনিং মেম্বেন হাটকা

অপাবা কুয়োম পরেং অহূ শোকপদগী নাবশ-চীকুপা থোকপদগী হাটকী ভালব্‌ অহু থাগৎহল্লি ভমসুং পুপ্‌চিং, মথৌ অসুম্না হাটকী ভালব্‌ মশামক নাবা লায়না পুরকই। তাং চীকপা হায়বা অসিগী হাট মশামক্তী (organic) ওইবা লায়না পুরকই।

থুদম — ডং চীকুপন হাট শোক্লে হায়বা থজনবা থুদম দ — ওয়থংবা নাকল হায়বদি থোমথা মিহুন মপাদা নাবা, মিহুন অসি চাং নাইদনা ভজকপা. লাইথৌ হেনগংলকপা শোর থুনা ফোল্লকপ, তাং অমা নম্রগা থর চীকপা হেনগংলকপা অসিনি। তাং অসি থুজেং থুজং, থুকউ থুনাং, অমসুং লেংজুম হনীমক থম্রাং থম্রাংননা নারকই। অসিমক্‌ থোক্লবদি নাকল অমতগা ওইবা থুজেং, থকউ, থনাং অমসুং লেংজুংদা নারকই। করিগুম্বা মওমদনা তাং অমদগী তাং অমদা চোং-চোংদুনা নাবা চীকপসি পুং থরগী মন্নংদা থোকপা য়াওই। হকচাংগী ডাকথোকচনবা পাজল হন্থহনবা লোংশক পুক্রমক তাং চীকহন্নগী মরুওইবা মরম ওই।

শা চাবা, পুকয়ু থকপা, চা, কোফী, চাকয়াম চাবা, থোই খোং-হেক্কোক্লা তমাং শৌরিং তা — নুগা চোকথবা মতমদা অঙৌংবা ঈশিংনা ঈরুক্তবা অমসুং ঈশিং অঙৌংবদা লৈথোকপা নম্রগা চোত্তনা লৈরবদি, অহূগা থোক হায়দোকপদা চাং নাইদনা মাংবা য়াংশ্রবদি তাং চীকপগী হোৎনবহূ ওইরবনি। হিদাক কৌবা লোংশক অমতনা তাং চীকপা কৎনবা, পোথাহন্‌বা ওদদে। অনাবা মীশক অহূ পোথাক্লনা থহাবা অহূগা চাব-থকপনচিংবা

ফজবা শেন্নবীরগা ফজখি। অদুগা নাখিবসি শোধানবা, কবদা মংম কুইনা চঙদনবা শৌধংপা য়াবা থবক্তি য়াম্না লৈ। কম্মুং অসি য়াম্না যোনবা, লশিং, তেরা অমগুং পুংশিং হানবা খোম্পাক শিজিন্নবীযু। মরাকীনি শামতু ঙাক্না শীক্লিগনি। হকচাংগা হেক থংনবা ফি অসিম্না শামতু শীক্লিন্নগদবনি। হমাং শৌরগা হকচাং উংথখিন্নবদা লশিং ফি, নাইশোঙ্গী শামতুনা য়াম্না হেন্না লৈ। লায়না অসিনা লেকুটিক এসিদ য়াম্না পোকই। উবসানা এসিদ অসি পুংশোকখি, অদুনা হমাং অসি য়াম্না শীক্লি। হমাং চান্দুনা অমম্বং খোঙ উশিং অশাবদা ভৌংদুনা হমাং য়াম্না খোকহনগদবনি শোকই শোকইবা তাং অদু য়াখিবাইখ লেঙদনা থম্নবা লাক্লবিযু। থুকউ অমম্বং থুনাংঙুম্বদা শোক্লবদি লেঙদনবা (splint) থাজিন্দুনা থম্না লৈ।

কোকেন ইনজেক্সন অমম্বং তাং চৌকপা — তোন্সিল নাবা, যা নাবা, যারী-যাখোং নাই চাবা, থা জৈ খোকপনচিংবা নাবা লায়নাদগী তাং চৌকপা লাকই। তাং চৌকপা, মরী চাকপা, কোক চৌকপা, মিংকী লায়না, গোল ব্লাদার নাবা, এপেন্দী-সাইটিস, আর্টারী নাবা, ব্লড প্রেসার অসি যা, যাখি-যাখোং নাবা তোন্সিল নাবদগী তোয়না খোকই। যা নাবা, যাখি পোম্বা অমম্বং অমম্বং নাই ওঙনা চাবনগী তাং চৌকপা লাকই। অনাবা য়। অ।স শঙোক্রপা কে। যা নাবা, তোন্সিল নাবগা তাং চৌকপগা মরুবা মখি লৈলৈ। যা নাবগা নাংহ নাবগা মখি লৈনবা য়াওই। যা থুদেকুনা লৈখোকপদগী খোঙ চিকেং-চিকেং হাবা অমম্বং শাবৈ কাওবা কখিবা য়াওই।

শৌজ চৌকপা— শৌজদা নাবা লায়না পুম্নমক্তা মচুংদা শরুক্ তরাগী অমদি শৌজদা চৌকুনা থৌনা নাবা য়াওদবা লৈতে। এক্সরে পীহনা মকম অদু শিংথহন্দুনা, মরি হাত্তোক্লুনা য়েংই। অহুম্ কবা কৌবা লৈতে।

মতুংদদি উনসাদা নাবনি হায়বসি য়ানরে; শৌজদগী কেরা মহীক-মনাই পোকহনবা মকম লৈতে। সিভিলাইজেসন কৌই হায়হনা চেক্লেংনা কিক্লেংনা নাপীনা উনানা অমাংবা লৈথোক্রে— অমাংবা অদুদি তৈহনা লৈহৌরে অমাংবা মকম শৌজ অমসুং শৌজ ময়াদা পক্লুনা লৈহৌরিবা অমাংবা অদুদা মহীক-মনাই মশাং লাকহমদনা পকহৌই। অদুনা অসিগুম্বা চাউথংপ কাং অমসুং মখোয়গী মতৌ তম্বা সাহেব শাবশিংগী লাইনানি।-এবোয় মৈতৈগুম্বা ঈশিংনা চামথোকপা, অমসুং খুদোঙ্গী খুনাংথোনা য়েক্টম য়ৌনা চামথোকপা অমসুং শেংদোকপা মীওইদি শৌজগী চায়না অমসুং মুংশং থক তোদে। মকম অসিবু চামথোক্লবা থোওইদবা মীশক্তা খিং হেন্না শোকই। করিগুম্বা মতমদা শৌজদা খিংজিনবা খুংশা অদু কাওবা খুজিন্ ময়াদা পোমথংলকপা, কায়বা নাবা য়াওরকই। অদুনা লৈপাক্তা খুংনোইবা, শাবম্না চামথোকপা অমসুং শেংনা হামদোক্লপা চপ্পা, নবাবকুম্বা মগুং অমদা নোইথোক্লদবনি। লণ্ডনগী 'মম্মারী'-না মুম্না খিজিনবদা শৌজ নাবশি স্ট্রেপ্টোকোকস্ ফেকালিস্ হায়বা জর্ম জাং অমা মতম পুংমক্তা অমাংবদা লৈ। 'মম্মারী'-না পীবদা আইওদিন ২% হায়বা আলকোহোল ৭৫% 'সোলুসন' অদুনা তৈবা অমসুং থোবদা কাপ্পা হায়বা উৎলি।

(ক) ফজনা চামথোক্-শেংদোক্না লৌনা থম্‌গদবনি। খোঙহাম্বা খুদিংগী সাবোনগা ঈশিংগা চামথোকউ। ঈশিংদি পোক্তি-পোক্তনা য়ারিমখৈ শাহল্লু। পকহৌবা সাবোন অহ্ অমুক ঈশিং লুম্বু লুম্বু শাবনা চামথোকউ।

(খ) বেসিলস বলগেরিকস, বিচেসিদোকিলস, ষ্ট্রেপ্তো-কোক্স লেকটিস, বিচেসিদোকিলস্ হাপচিন্নুনা লেকটিক এসিদ পোক-হল্লু। এসিদ শেম্বা মহৌক-মনাই অসি নৈরবদি প্যারিটিস্ অমম্নুং অনাবা পোক্‌হনবা মহৌক-মনাই নৈবা, পোকপা চাউখংপা ওমদে অমম্নুং শিজখি। লেকটিক এসিদ অমম্নুং অতৈ মহৌক-মনাই লাং থরনা উনশা মপুংদা থুপ্তুনা নৈরিবা শোকহল্লিবা, খাওবা ওমদনা চৌকহল্লিবা অহুঙবা মহৌক অহ্ য়োনা চঙবা ওমই অমম্নুং মাঙহল্লি। মসিগী লায়েংং অসিনা য়াম্না থুনা পোম্বাহল্লি। অহবু থাইদগী হেম্না কবদি মাখোন লৌথোকপ্রবা শজোম হায়বদি মাখোন মহৌ পীথকপা অমম্নুং হানজিনবা য়াই। থাইদগী অমুবা উপাইদি ঈশিং অশাবনি। ১২৫% দগী ১৩০% ফাঃ কী ঈশিংদা ক্রমান-অমম্নুং থুদেনা হিগা য়ৈয়ু। ঈশিং অশাবদা ফম্ব। মথক্তা পীখ্রিবা খিকচুয়েল নাবগী মতাং অহম্ থনবীয়ু।

কোক-চীকপা (কোক-চীকপগী হৌকম)—

(১) মরি গোক্‌থবদগী লাকপা কোকচীক— মসিগী কোক-চীক অসি যং-যং চীকপা নত্তে। কোকতোঙ্দা নরুপা লুখম-পোথদা কাজিনবা নমশিন্নকপগুম্বা তৌবনি হায়বদি পেক্তিনা কোক

কাক্লিললকপগুম তৌই। হকচাংদা হু চেনবগী (t।।ic) য়োৌবনি। খোয়রাবগী ল্লোকা-হোংদোক্লগা হু অহু মুক্লেগা ফজখি।

(২ সাইনসকী কোকচৌক্লু— মীংকৗ মথক্তা চৌকপা কোকচৌক্লি। নাভোনগা মরি লৈনবা সাইনসংতগী পোকপা কোকচৌক্লি।

(৩) ভাং চৌকপদগী লাকপা কোকচৌক— মহীক মনাই লৈবদগী নাই চারকপা থ্র', স্নারাং তোনসিল্ অমসুং থ্যরান নাবা-নাঁকোং লাম্রনুনগুম্রা পোম্বা নাই চাবদগী লাকপনি।

(৪) মরি পোন্বদগী লাকপা অনাবা কোকচৌক মাং অমা লৈ। কোন্নোন্দগী কক-হৌদি চুপ্পীনবদগী, মাংবা যাদবা অমসুং খোয়রোম্দা অম্যাংবা পন্দুনা কুইনা লৈবদগী লাকপনি। মাংসু (মাইগ্রেন) খোইরাই কৌই।

(৫) খোঙহাম্বা মাক্রগা লুখমদা চৌকই। মাংবা মাহল্লগা কৈ।

(৬' পূক্তা অশীনবা য়াম্না ক্যরগা পাণ্ডম অমসুং লাইবক চৌকই। ঈশিং অশাবা গ্লাস ৪/৫ থক্লগা থুং থিংজিন্দুনা ওংথাক্লগা খুমক্তা ফজখি

(৭) থরার মুংঙাইক্লগা কোক চৌকই। নোকখোক্লগা হেক্তা ফজখি। শূক্তোকপদা মাগী মসক্ ৪৭ চঙই। মোমোন নোকপদা মাগী মসক্ ১৪ দা মচঙই। (অমুক্তা কোক হেক চৌকপা— পেজ নম্বর ২৮৬ তা যেংবিয়ু।)

মাইগ্রেন— কোকচৌক অসি করিদগী পোক্লকপনো হায়বসি শাংগ্রবা যারোনি। মরিগী লাম্না নত্তে। হকচাংদা হু চাইবদগী লাকপনি— খোঙহাম্বা যাদবদগী কক-হৌদি অহু খোয়রোম্দা

চুপশীনখিবদগী লাকপা লায়নানি। কোলোনগী মথকথংবা শরক সেকমদা অমাংবা শীংনা হৈনবদগী লাকপনি। এস্ত্রেয় স্রেংবদা থোক চীকপা অসি লিশাং লিংলা লৈরবদি — ইলোসিকেল স্তাশক্ থাদবা শায়দবদগী থোরকপা চংকনি। থোরবীনদগী ভুবা লোইবা অবেপ্পা চীপ্পাকী শরক অহু থীরকপা চথংবগী হংগংনজিনবা খিলো ইলোসিকেল হায়বদি ইলিওকোলিক স্তাশব্ অহু সেম্মদা অখাংবা ইলেক্ট্রা থীবীন অহু কাকুংতাম্নুংবা থাবদবা হাংবদি হাইগংলকপা থীনবদগী পথপুমথরব। অমাংবগী মহৌ অহু অমুক মুংক্রোমদ থাইগংলকপনি। থীবীনগী মথক ইরোই লোইবা থোরবীনগী মথা ইরাই লোইবা স্তাশব্ পানকম অসিগী মথকমথা অসিদনা থাংদগী হেন্না মহৌ চুপশীনবগী থাইদগী হেন্না থবক চেৌবা মরুপ্ন। অহুনা থীরদনা লৈরিতেদদি থীবীনগী হাউ থোকপগী মপ্রাংদ অশাবা অহুনা চুমথোক্কুনা ফত-হৌদি অহু ঈদা চথুম্ন। শুংগী ইংলিং অমসুং মাঙল-তাকুবা ওইদবা মহৌদম্ক চুপশীনি। থোংদ শিদি অসিগুম্বা মথলগী থবক মওং অসি লৈতে। মাস্তা থুনা হেক্তা চুপশীনি। থোরবীম্না চুপশীনিবসি কাট ৫/৬ পুং ২৪ দা চুপশীনবনি। অহুপা চুপশীনিবসি কোলোন হায়বদি থীবীন মমাদা অমাম্তা চুপশীনবনি। থীবীঙ্কদি শুপ্গী মাউন্ট ১/২ দা চুপশীনবনি। ইলোসিকেল স্তাশব্ অসি হাংদোক্লুনা হুম লৈরবদি মাইক্রোম হায়বদি থোক্লবাই কেকেচাকী হৌকনা ওইজনতা লৈরবনি। অহুগা লায়না অসিনা নাম্না মাপুম্মক মাংবা মাদবগা লোয়নবনি নত্রগা মাংবা অমুক মাদবা অহুগা দাইবিরা অমুক লাকপা অমুম্না লৈবা মীওইনি।

মাইহেন হায়বদি খোইরাই,—কোকচীক অসি ভরাগী মম্লুংদা মাপল্লি খোঙ চীকেৎ-চীকেৎ য়াম্না হায়বদি দিসপেপসিয়াদগী শোকপনি। কেকেইন্ নত্রগা এন্টিপাইরীন পীবদা হৈ অহুবু হোকমদি নৈহোরিবনিনা অমুক হোরকপদদি থারদগী য়াম্না হেন্না শাথিবা মওংদা চীক্লকই। অহুনা খোয়রোম্দগী কন্ত-হোদি মপুক-অশা শোকপা মহৌক-মনাই লোইনবা তাথোক্লগা খোঙহাম্না য়াদবা চিকেৎ-চিকেৎ মাংবা করবি। মাহুগা লোয়ননা পোই-রাইম্লু করবি।

লায়রেং— হোক্তিক হোক্তিক থিক্তিনবদা খোইরাই হায়বসি এনাকাইনেকসীস'-তগী লাকপনি। অয়াম্না মওংদা প্রোটীন চুপ-শীনবদগী লাকপনি। শরোম, হেকম অনি অসিগী প্রোটীন চুপ্-শীনবদগী কোক অসি মওং অসিদা চীকপনি। লাইনা অসিদা য়াইদগী মকুওইনা য়েংগনবদি লোংমদা খোঙ ২/৩ লক হাম-দোক্লবা লাক্লবনি। খোঙহাম্না হেক য়াখিদবদা অনাবা অসি লাকই। এনেমা তৌবদা য়াম্না নমথিবা হুমিং থংবা পং-পুমথহুনা নৈরবা অমাংবা অহ পোংথোক্লমা নৈবা থীরোদগী খোয়কই। অহুবু হৈদা চাহুনা নৈখোক্লবদি কোকচীকপা হেক্তা হৈ। অহুবু হৈদা চাহুনা নৈখোকপা য়াদবনিনা মনা মশিং, 'হৈ অমম্লুং মহৈ-মরোং মীংথিনা চাহুনা খোঙহাম্না য়াহনপনি। খোইরাই অসি খোয়রীন্-থারীম্না হু চেনবা হু চাইবদগী লাকপনি। খোয়রোম্দগী হু চুপশীনগ্রগা ঈদা সারকুলেট তৌরগা পুক্তা অশীনবা অহ খোরক্লগা ওনীংবা, লেত্রীক শাউগংগা, মথি গোকথহনগা ওইনা হকচাং পুম্নমক মুংতাইহল্লবা কোকচীক ওইনা লাকই।

কোক চীকপোংগী হেক থঙবদা এনেমা তোৌহোৌবা নত্তগা খোঙ কয়না হান্না পোংশক থরা হেক চাহোৌরবদি কোক চীকপা কংশ, চীক্রবস্থু মতম কুইদে। ঈশিং তশাবা গ্রাস ৪/৫ থক্রগা পং খিংজিন্নুনা ওথোকপা কায়ে। মরমদি পুকহুংদা স্থংঙাইতবা অশীনবা কারীবা অহুনা ডাকপনু চাক চাগ্রিবা কাওবদা শারি-শারি শাউবা পোং কয়া (acrid mater al) ওবদ' য়াওরকপা অহুনা থীক্লিকগী হু চেনবা পোংশক অহু চুশশীনগা চাকথ'ওরোযদা পুংথায়কইবা অহুনা পুক শাওগংপা (gastric irritati n) অমা পুংঙাইতবা পুদম কয়া খোইরাইনা নাবা অনাবশিংদা কংই। দিগ্রী ১'৫ কা. কী ঈশিংনা চাকথাও শেংদোকপদা (lavage) হেক্তা পোপাবা কংই। খোইরাই হায়রবসি চাবা-থকপা, তুপা অমম্নুং মাংবা নীংময় নাইদবগী লাংমনানি। অকপা মীদনা খিং নাই। অহুনা থবক তৌবা অকপ মীগী লোয়নবা মত্রপকী মওংদা নৈবা লায়নানি। চা, কোকো, শা-ঙা অহুগা প্রোটিন হেমা চাবা মীগী লায়নানি। লমচং অসি হেক হোংদোকি মখে কনৌইজদস্থু ফহনবা ঙমদে। পুদক্তা হেক্তা ফহনবা ঙমা লায়মং লৈতে। পোথাহনবদি য়াই। "হৌজিকৈদা লায়মংহৌগদবনি" হায়রবসি কোকচীক অসিদা পানবা য়াবা অচুম্বা হাকয়ি। খোঙ হান্না য়াহনু। কহু-হৌদি পোকহনবা চীক্তাক থাদোকউ, মেকুম, শা থাদোকউ। মসিগী অতোপ্পা মমিংদি 'sick headache' কৌই। চিন্তা থাদোকপীয়ু।

মসিগী লায়না অসি অহল-লমন্দগী লৌরকপা য়াওই। মীযোম কয়া নৈবন্থু য়াওই। অতাং ওইবিরৈদা হৌই। চহি ৩০/৪০

তপ্রগা হৌরকপা য়াওদে। চহি ২০/৩০ নাহৃনা লৈরা য়াওই। অহুবু থম্না থবায় য়াওনা থা ১/২ দং হকচাং শেমগৎ-শাগৎপা মওঙদা লায়য়েংবিরবদি কহখিবা থাম্না য়াওই।

হিংনবগী পাঙল হেনগংহনবা তাই। মনী মতাঙ, তৃম্নবগী পাঙ নমু হেঙ্গংনবা য়েংবা তাই। লিভার কহনগনি। অহুমতবা মওংগী চক্লা মহেলদা মূমিং কয়া কনবা, শোনবা, য়াঙ কংবা, নোয়বা য়েংহনা লৈবিয়ু। মতুংদা শঙ্গোম তাকা থকপা মথক (নং ১) অহদা লৈবিয়ু। মাহৃদা পূক খোয়রোন মমসুং থীরিন শেংদোকপা য়াগনি। মাখোন মহী ছানা মহী খাইদগী কৈ। শঙ্গোম তাকা থকপদা "সমিক" ওইনমু শীজিনবা য়াই। তকশম অমসুং পীশূমদা নানবা কাম্নৈ। হাকিংদনা কহনবদা কুইনা চঙদে।

নীউরেলজিয়া (চৌকপা)— 'মনী চৌকপা' লায়না অসি নোয় পেন্দবা, ঈ মপুঙ ফাদবা, প্রোটিন হেন্না চাবা, মশা পূম্নমক কোলোন্দগী পথ-পূমথবা পোংশক, চি,থক্ত্না ঈদা চূপশীনবিবদগী হকচাং অপূম্না চু চাইখিবদগী মনী চৌকপা লায়না অসি লাকই। চৌকপা নাবা হায়বসি "ঈ অকবা পীয়ু হায়হনা মনৌনা কম্মনি" হায়বা কাউবীগনু। ঈ শেংহনবা হায়বসিদি মূংশিং-মূংশাদা থবক নোম্না মথলগী মরৈ অহৃদনা পূরকদবনি।

ঈগী মঙল হেনগংহনবা তাবদা চা, কোফি, অমেংপা, ঈরোনবা, মক্ত-মরাং শাদোকুনা হৈ-মনা-মশিংবা মরুওইনা কজনা শায়হনা চাবা তমগনি। মুতিগী শাজেল চাং নাইনা তৌগনি।

বাকিং চংকদবনি। খোঙ হাংদোক্লনা তুমগনি নত্রগা মপান্দা—
মাঙ্গে'ন নচ্চগা শঙ্গোইদা তুম্বা কায়গনি।

অহূবা পুদক্তা পোথানবদি,— ঈশিং অশাবদ থুদৈ লুপ্রগা
কংনা তাবদোক্লগা পোম্বীয়ু। পুংশিং চঙনবা মকংবা ফি খোম হনা
পিয়া কাহনা থম্বীয়ু। অশাবা বেগ, লৈতোই অশাবগী বেগ
থম্বা কৈ। নোংমদা খোঙ ২/৩ লক বামদোকহল্লু। মুংশা
য়াইবু। মুংশাংদা ঈশিং অশাবদা ঈরুমবা, অযুক্তা ঈশিং অঈংবনা
ঈরুজখোকপা য়াম্না কাৈর।

নিউমোনীয়া— নিউমোনীয়া মসি শায়না অমা নরে। হকচাং অমসুং পুক্লোংগী লংঙাইতবা থুদম কয়াবু থঙনৈ। ঙসেংবা অনাবা অমসুং ইন্দ্রিগী শকফম হোংবা অনাবা লৈত্রবসু ঙসেংনা নাববা কয়াগী থুদম: কোক চীকপা, কোক লূম্বা, শায়হৌ, মিতুন থুবা, উনশা শাগংপা, খোঙ-খুকউ ঈংবা, চোকথবা কিবা, শিরগমা থরকপা, করম্বোইমা থরকপা, তাওগমা, নংলগমা থরকপা কয়া কয়ানি। অবা-অনা, মীকা-মীপূন হাংন-থিয়বা পাউ ফাওবা তাবা চমদবা তাক্ল-উরুবা অমদা অঙকপা ফংনা অরাবা পীরকপা অসি নীউমোনীয়াগী থুদমনি। ঙহাক শংবদা মশাগী লংঙাইতবা অহৌদা থম্নুনা লৈবা অহুপা অসুম হেক্তিলকপা মতমদা, ওইবোইদবা, অরাবা কয়া শাগৎপা রাকম কয়াগী বাথন্দা থনবা হৌরকই। থুদম ওইনা হক্কাম মক্তগী কোং অমদা হেক কূমথবদা পুথহনা মপুং চঙপ্রবদি' থাই লাউবা! ঊরুশু্না শামবদা তুরেন মত্রগা পুশ্রি অমগী মপান অহোবা অমদা চঙশিহনা

থোরকপা ওইহনবদি খ্বাই লাউবা। অদুগা চী চেপ অমগী থোঙ-লম্বী অমদা চীং পাংহনুনা চংপদা তাথবদি ' কৈয়াক মুংনা থাবা অমদা কাবদা মতোন য়োরগা তুংলোমদা তুপপ্রবদি। অমুগা থল্লি। রাকম অসি চুম্না থনবা নত্তে. মাম্না মরেক শেংনা মশামক্তা তৌবমক্তনি। মশামক্তা থোকপনি। অমুম্না খ্বাই-খ্বাই লাউবা রাথম্বা থল্লুনা লৈ চুম্না থনব নত্তে। হায়রিবা অকিবা রাকম অসিদা মশামক্তা ওইনা থোকপা পুদোংথৌবনি খুদোং থৌরিবহু মানি থল্লি। অহুগা মীওই অসি শূবা-নোম্বা ওম্নগী পাঙ্গল লৈরক্তে, চোকথহুনতা লৈ, চুম্নগী থবক শূরগা বাব দ পোথারগা লৈ, পাঙ্গল হঙ্গংহল্লি। লায়না অসি'দ তুম্ম, তুম্মরগা চোকথবা হেল্লি। কোক অসিগী মত্তে নথংবা শক্লক অসি ইথল থল্লি, নঙ্গল বাই, নীংশিংবা থোক্তে. চাক তোকপদা ইথল থনগংলি (bloa'ing with meals) তুমদে, মাংবা য়াদে, ফম্বা কংই, মুপীনা ঈ চত্তে। য়াঙ কংথরকই, হকচাং পাথরকই, ঈ কংই, কোক চীকই, তুম্বা য়াদে। অনাবা খুদিংমক্তা লৈগদবা খুদম নত্তে, মীশক মীশক্তী ওইবা অনাবা কয়াদা তোপ্পা তোপ্পা খুদম কয়া লৈ। মথোঙ-মখুং পঙথবা লাকই। চান্নবা ভশেংবা পেরেলাইসীস নত্তে, মরী শোনবদগী লাকপনি। মরী অহু কনহল্লগা ফজখি। মরী অসি শোম্বরবনা মুপা মুপী ওইবগী সেন্নকী ফিভম অসি নিউরেস্থেনীয়া অসিনা য়াম্না শোকহল্লি, ফম্বা কংই। হৌজিকী জগৎ অসিদি নীউরেস্থেনীয়াগী থগংনি হায়বা য়াই। লম্চোল; ইত্তিক তৌবা মী, কেরানী, প্রোফেসার, অফিসার, ডাক্তর পুরমক

নীঙ্গেং নীয়া তৌবা মীগী চাগী হিংদা চাইবা নৈ। থবক কয়া শুবনা চৌথবনা নাবা নত্তে। অনোম্বা মী অমনা নাবদা কয়হনা নৈব মী ১০০ না লায়না অসিদা নাই। মরম অসিনা হেন্না থবক শুবদগী নাবা লায়না নত্তে। হৌজিক্কী চাওখং খোঙথাংদা (civi-lisation) হেন্না চঙশীনবদগীনি। সভ্যতাগা লোয়নবা চিন্তা, অশেংবদা মরীগী পাঙ্গল মাঙহনবা বাখল কত্তবা, শেংপা-চাবা বাংলকপা, নীংবা থুংলক্কবা, কয়াম চাউবা, থিহোবা, তোংবদা হেন্না হয়াওবা, মাঙবদা হেন্না য়'বা, বাখল ময়াম অসিনা মরী-মতাং অসি নৈহংপদগী লায়না অসি লাকপনি। অহুনা চে কথবা মী খুদিংমক মতম থরগী ওইনা নিউরেস্থেনীক ওই। মহাক্কী মরীগী পাঙ্গলগী পুক অহু মথেং তাবনি, মাগী নৈ-শিংবা, নৈ-নীংবা পুম্নমক শোকহল্লবনি। ওহাক্কুং পোথাবা নত্রগা পুং থয়া ভুম্নগা মাঙথ্রবা থবক ওম্বগী পাঙ্গল হঙ্গক্চে। মরমদি পোথাবা হায়বসি নেচরগী ওইবা লায়না কোকহনবনি। নিউরেস্থেনীয়াদি ভুম্বা পোথাবনা কহনবা ওমদে। মসিদি ক্রোনিক ওইনা চোক-থবনি। কোলোম্বগী হু চুপশিল্লগা হকচাং পুম্বা চাইথিহনা মরী-মতাঙ শোলহনখিবনি। মমা মপাদগী লায়না অসি লোদে। লায়না অসিনা নাবা মমা-মপাগী লমচৎ ব্যবহার থবক ইংথাং মওং অহুদগী কায়দনা লাকপা ইমুংগী অঙাংদি নিউরেস্থেনীয়ানা নাগনি হায়বসি মাংজোননা থঙবা ওমই। মাঙজোননা মখি তাবসি কন্‌বা লুই। মীগী মওং মতৌ অসি শমওম্না মচু হোংহনবা য়াদে। অহুমকপু লায়না অসিনা নাগন্‌পদবা মীওই অহু কিতম,

থবক মতা, হোংদোকপীরগা য়ৈথোকপা য়াই অমস্থুং খিংবা য়াই। অঙাং মচাস্থু নিউরোস্থেনীয়াদা নাই। লাইরিক তম্বীবদা লানবা, 'ক্রেমিং' দা চীনফাদা পুহনবা নোটনা পরিক্ষা থাহনা পাস তৌনবা লাকুবা, মশা কন্নবা শাজেন তৌহন্দবা, স্কুলগী দিসিপ্লিন, য়ুমগী দিসিপ্লিন্দা অঙাং ঙাওহন্দুনা নিউরেস্থেনীক ওই লাইরিক নিয়ম নাইনা তম্বীদবা অহুগা পরিক্ষাদা শিন্দুনা পাস তৌগনি খনবা, রাহং পুয়মক খঙদবনা নম্বা, খুম্বস্থু মপুংফাবা ঙমদবা পুং তাগ.দা-রকপা, চীনফা পুরকপস্থু য়াওবক্তবা! মসিদগী পরিক্ষা ইনা ইনা অহানবা হার্নিংদা ময়ুং চিংপা মথৌ চৎপা অঙাং য়াওই। অহুঙস্বা থোদোক ১/৩ লক্তগী নিউরেস্থেনিক ওইখিবা অঙাং য়াওই। অঙাংনা কোক চীক্তুনতা লৈরবা, তুম্বা য়াদবা, মিহুন তিং তিং হুন্নবা, মরীগী মথম অমদা চীন্নবা নিউরেস্থেনীয়াগী খুদম লৈ হায়না লৌবিয়ু।

লায়েং— অনাবা অসি হকচাং নাবা নত্তে, মরী নাবনি, মরম অসিনা মহাক্তী ফননবা লায়েং অসি য়াম্না লুনা থোকই। মহাকপু মপুক্তীংগী ওইবা ফিভম ফগৎচহনা য়াম্না থুনা মহৌশাগী ওইবা ফিভমদা হল্লিনবা য়ানবা থাজবা অমা পুরক্কবা লাক্ক-গদবনি। অহুগা অনাবা অহুদি ফরোই হায়না খল্লবনি। অহুনা ইহান হেক হানবদা মশাগী মরমদা ক.উথোকপা তম্বগনি। রাখল অসি শেমগৎ-শাগৎপগী রাখন্দ খলহনগনি। ময়ুম শাবগী রাখল, মচা মশু শেম্বগী, লাইরিক-লাইত তময়নবগী, লৈকাইগী ফননবা থবক কয়া তৌগে, মীগী মতেং পাংগে হায়বগুম্বা শেমগৎ-শাগৎপগী

রাখল্লা ফত্তবা মাঙনবা রাখল পুম্নমক শিন্দোক্লদবনি মশাগী রাখল হেক ল'কপদা 'খনবা শংদে' হায়দুনা তানথোক্লনি। ঐনা খঙজবা পামজবা মওং অমগী শাজগে খঙবা যুম অমগী মওং-মতৌ পুক্নীংদা লাক্নবা খনবীয়ু মাতুগী কা অমস্থুং মিছুংথোংন-চিংবদা খনবিয়ু। ঙহাক খংগা অদুম তোকচখিগনি অদুদগী অমুক ইশাগী রাখল হেক লাকপদা ইচা নৈরবদি নৈত্রগা ইবাস্থগী মচা-মপ্ন অদু ডাক্টর ওমহনগে, ইঞ্জিনিযাব ওমহনগে আই, এ, এস থাহনগে, খনবা ওমগনি। মীগী নৈবাক্নী সেবা মওং করম্না তৌগদগে মখল মখল খনবিয়ু মসিগুম্বা রাখল অসি শেমগং-শাগংপগী রাখলনি। রাখল অসিনা হকচাং অমস্থুং মবী, নিতি অহুম্মক ফগংলি। ঙসাইগী মাবু রাহনবা অকিবা রাখনশিং অদুগা কল্লকপা, যেংথিব', লমন শি-নিংবা, নংহনগে, ফংগে, হা'কে খনবা মাঙ তাক্নবা বাখল অদুনা ঐবু 'বুমমরেং' গুম ইশাদা হঞ্জিলনা পা'নুনা মতম পুম্নমক মাঙন তাক্নবা ওইহল্লি। অদুনা হেক শংবদা হেক খল্লকপদা রাখল ফত্তবা 'পুম্নমক খনবা শ'দে চংলো' হায়দুনা ভানথোক্লগা শেমগং শাগংপগী রাকমদা খনবা ওমগনি। অদুগা লোয়ননা ইশাগী ওইবা রাখন্দা লূপ্না (self centreness) পুমথা, খংথা থাদোক্লদবনি। শেমগং শাগংপগী (constructive thoughts) রাখন্দদা নৈবা ওমগনি। অনি শ্লসি লায়না অসিদা কাউবিপ্লবদি খুনা ফগনি।

লায়না অসি ফবদা কুইনা চঙই হায়বদি— রাখল ফত্তবা অসিনা মুতিগী মাগী মশা অমস্থুং মরী অসি মচেং মচেং

শেগায়হুনা লৈবদগীনি। মসিবু হেক খন্দবা হৈবদা ফবা অহুম হৌরে তাওগ্রবা পুন্সিনি, খ্বাইদগী ইশা-ইট্রু ফবা মী অমা ই নৌ নৌনা ওইরগনি — অহুদি করম্বা অনৌবা পুন্সি অমা হৌগনি —

(১) অহেনবা পুম্নমক থাদোক্লগে (২) ফত্তবা লমচৎ পুম্নমক থাদোক্লগে, (৩) চা, য়ু নচিংবা শোক্লরোই (৪ খ্বাইদগী ফবা চিঞ্জাক্কা চারগনি (৫) নুংতিগী হওরা চারগনি, ৬' মসনহু শ'জেল তৌহুনা খ্বাইদগী কনবা শান্নবা য়াওনবা হোৎনরগনি, (৭) নাবদি লাইরহুনা অনাবসিদগী খুদোংচাবা ফংহুনা জান তানা খ্বাইদগী হেন্না পুক্নিনবা চৎলগনি, (৮ অম্স্থা ৬সিদগী হৌহুনা শাজেনগী নিয়ম পুম্নমক তমহুনা ঐনা লৈনৌংবা অনৌবা খ্বাইদগী ফবা পুন্সি অমা লৈবা তারে লেপখোকনি। (৯) ঐনা হিংগে হায়না খল্লিবা পুন্সি অসি ঐনা ওাক্পা চৎলিবরা হ'য়বসি পুংজা খুদিংগী অমস্থং নুমিৎ খুদিংগী নৌংশিংগনি। হেক লানবদা চুমথোকনি। (১০) মসিবু ওমগে হায়বদি [ক] কন্না নৌংবা, থক হোংদনা চংপা [determination]; [খ] মরৌ'জেন (courage) লৈতবা য়াদবনি, মৌকিথৌগী থবক নত্তে; [গ] লৌশিং লৈগদবনি prudence অম্স্থা নহারোল কয়াদা অসিগুম্নবা ভমথৌরবা লায়নানা নাবদা ঐনা খুদোংচাবা ওনথোকপিহুনা মপা লৈতনা চাওখংখিবা মীওই কয়া য়াওখি। ফররোই ঐ শিরনি হায়বা রাখল খনগ্রবা মীওইদি অসি য়োনা ভমৌরগভা ফবা ওমই। নাবদি লাইরহুনা "মপুন্সিদা অস্থক মুংওাইবা মতাং লৈখিদ্রি" হায়হুনা লাকতুনা অমস্থং উন্নবা খুদিংগী ভম্বা

মীওই কয়া কয়া নৈ। নোংমগী মাইল ৮/১০ থাকিং চৎপা ঙমলকপদা মশাগী ঈ পূম্নমক শেংদোক্লে। মাঙন-তাক্লবা থাখল থলহল্লে শেমগৎ শাগৎপগী থাখন্দদা মাইল ৫/৬ চৎপদা থনখিবনা পূক্নীংগী (psychological) অমস্তুং হকচাংগী খোঙচৎকী (physiological) ওইবা অহোংবা অমনা অনৌবা মী অমা মশাদনা শেমগৎ-শাগৎপা ঙমই।

মতাং অসিদা বর্ণাত-মেকফেন্না হায়— অনাবা মী খুদিংমক্কী ওইনা হোংদোকপা য়াই। খুদম পূম্নমক্তা পূক্নীংগী লুংঙাইতবা যাওবস্থ্ ফত্তবা অনাবা অসিগী হৌফমদি অমোংপা ঈ পীরক-পদগী থোরকপনি। ঈদগী হূশিং অসি হকচাংদগী ফত্ত-হো পুথোকখিনবা ইন্দ্রিশিংনা পুথোকখিবগী মহুৎতা হকচাংগী মফম খুদিংদা পুখিহনা থবক ঙম্বগী পাঙ্গল মাঙহল্লি, থোপ শোকহল্লি হকচাং ফবগা লোয়নবা থবক্কী পাঙ্গল অমস্তুং হৈনিংবা লোইনবা মাঙহল্লি।

"Changes can be made in nearly every case of this complaint. While symptoms always include mental disturbance, yet the root of the evil is in the polluted blood supply. The poisons that should have been eliminated from the blood by the excretory organs are carried to all parts of body, disipating the energy drugging the brains and destroying the energy, the enthusiasm associated with perfect health."

ঐ শেংদবদগী লায়না কয়াগী খুদম লাকপনি। ইপ্রি অমা শোক্লা নাবা নত্তে। কপনি, শিরহোই হায়বা থাজবা মাংশনা করুবনি। অনাবা কবা ডমদবনি (confidence destroyed). কনফিডেন্স হায়বদি থাজবা হেক নৈংনবা ডমবদা অনাবা অহু ৫০% করবনি।

লায়না অসিদা চাবা অমসুং চয়া হেনবা — মরী নাবদা চয়া হেনবদি ডমগন্দে। শোম্বহ চাশিল্লগা কপনি খল্লি। চয়া হেল্লগা শোনবহ অমুক হেয়া শোল্লগনি খল্লি। কমুংদা কুনপ্রবা ঔপায়-থবাওবা তাগ্রবদি পাখংপা খুদিংগী চাখোম অমত্তা ইল্লবসু কৈ হায়হনা পুং খুদিংগী চায়। অহুনা মপূং কাদবা চয়া মহেম হেনহল্লগনি। কমদা অমা নপ্রগা নবাব ডংখাই অমা নল্লগা কমদা নল্লগা নবাব মহী পুং ২/২ নৈখগা পীথকউ। অমুকী পুং ৮ দগী মুংদাংগী পুং ৮ কাওবা পীথক্লুনা মুখিং নিনি থবদগা শঙ্গোম ডাক্তা পীথক্লনা থম্ব। শঙ্গোম ডাক্তা থকপা নং ১। ময়াং য়াম্না কংলবসু য়াম্না নোয়রবসু শঙ্গোম পীথকউ। নোয়-মল্লবদি সের ২ দগী হেয়া পীথকনু। মতুংদা অককুবা চিজ্ঞাক্তা থমউ।

থ্রাইদগী লায়না অসিদা কত্তবসি হেয়া কয়াম্না চাশিনবনি। শঙ্গোমগী মতুংদা য়াম্না চাং হন্থনা চাগদবনি। চাবনা অরুপা হাইগংহনগনু। অহুগী মতুংদা অককুবা চিজ্ঞাক নং ২, নং ৭ অহুগা য়াম্না ময়াং কংবা ওইরগা শঙ্গোম হেয়া পীথকউ। সগাদ নল্লগা থোংদবা পোং চারবদি য়াম্না কামবা হেল্লি। অহুগা

খোঙ হাপ্না যানবা শাক্তবৌ। নোংমগী অমুক্ত: এ:মবা তৌখোকউ, মরী-মতাং অসি হায়কুম্না চঙ্গংহনবসি মরুওইবা অমনি। চাবসিগা লোয়ননা পুক শূবা, নোইবা-নানবা, শাক্লেন তৌহনগদবনি। মশা কনবা মীওই ওইববদি শাক্লেন কন্না তৌগদবনি।

মসলনা মরীগী থবক পাইন্ন (muscles are the regu-laters of the nerves) অদুগা লোয়ননা পোখাবা হায়বসিমদু অমা পোখোকপগী ভাবতা (complete relaxation) শাক্লেনগা যারবা থলবা থমগনি। শঙ্গোমদা থক্কুনা লৈরবদি শঙ্গোম থকপা হৌড্রিডৈগী মমাংদা অমুক্তা শাক্লেন অহূ তৌবিগদবনি। খোম শামবা, বাকিং মশা লৈতনা কারগনি। ওয়গা লমক্লেন মতেক থবস্ত চেনবীয়ু। যাঙ নঙ্গন, খাং, কৈগব, লেংজুম মখা নানবা কারগনি। মুংশাদি থব্রা থব্রা মুশিক্রিকাওবা খোঙদগী হৌরগা হকচাং অপূম্বা যাইবিয়ু। খোঙপা মুংশা যাইবা হেক হৌবদা কোক্তা লৈহনা পুক্লিবা ঐ অম চিংথবিহনা বাথন মুংতাইতবা থরম্বহ হেক্তা কখিগনি। যাইদগী পোখাবা যাবা বাথল থরকনি। শঙ্গোমদা লৈত্রবদি অমুক্তা ঐংদি ঐংহন্দনা ঐশিং অঐংবনা ঐকুম-খোকউ। ঐকুমবা, মুংশিং য়েহনবা, মুংশা যাইবা, অহুম অসি মরী কনখংহনবা শাক্লেন্নি। শঙ্গোমদা লৈরবদি ডিঃ ১০০ গী নিউক্লেন বাথ ওইনা তুম্মদাইদা লুখোকপা যাম্না কারগনি।

থবক, লেপ্তনদি তৌবা অদুগা মপাক্লপগদি চানবা য়েংহনা থবক শূহনবনা মশাগী মরমদা ফওবা থনহন্দবা ওমই। যাম্না নুনা তৌবা, মুংশিবাবা মওংবা মুংওনবা বারী শাবিগনু। লমচৎপা,

কোয়থোকপা, মকম হোংবা কায়ে। লাইরিক পাবা, লাই হেংবা, লাই য়েকপা, শান্নবা, কৈয়েন শান্নবগুম্বা মশাগী মরমদা চৎথোক কাউথোকপা য়াবা মশামন্থু কায়গনি। লাইরিক হেন্না পাদুনা মিৎ হেন্না শীজিন্নবদি কস্তে। কবদা তপথ্রবা লায়নানি। থক্তিক্কুং হোংলকপা উবদা হান্না ত্তৌরম্বদুগা চাংদম্নবিয়ু মশানা কয়গনি হায়রবা থঙলকনি। থাজবা মওং অদুদনি মাঙোন্দা লৈহনগদবা। কনাগুম্বদা চহি ২/৩ চঙই। কনাগুম্বনা থা ২/৩ দা কবা য়াওই। মসল, মসুঙগী ইত্রি মযাম, অসুগী কেমিকেল হোংদোকুনা হিংনবগী পান্নল হেনগৎহন্নবগা মত্তোমদা কজরকপনি।

সাইয়াতিকা (sciatica)— থোইদোক-হেম্পোকু পুশাইতবা লায়না অমনি। সাইয়াতিক নার্ভ’তা নাবা মথল পুম্নমক সাইয়াতিকা হায়না খঙনবনি। কম্না হেক্তা চাকুবস্থ নক্রগা থোইশাংশিংনা নাবস্থ তাং চাকপা, পুকউ থুনাং চাকপা, মরী চাকপা নক্রগা মতম কুইনা চোংলুবা, নাংথমহনবা য়াঙ মরীদা নক্রগা। নাংদুদা মরী অসি নমশিন্নকপা অমা পীবা, থোঙ হাপ্না নাংথিনা য়াদবা নক্রগা নাংদুদা থী লৈবদগী লাকই। য়াঙগী শক্ন নক্রগা নাংগী শক্ন কয়া মকম হোংহন্দগী লাকপা নত্তবা অত্তে সাইয়াতিক নাবস্থ অদুগা য়াঙ অমসুং নাংগী শক্নদা মকম হোংবা কাওবসি হকচাং অসিগী মপুংদা চুনা কত্ত হৌদি থম্না লৈবিবদগী অমসুং মরী-মতাং শোকহনবদগী লাকপনি। লাননা লৈবদগী থোকপনি, মৈদা কত্ত-হৌদি চু অদুনা হৈনদবা অমা পী অদুগা মরী অসিদা নাহন্-চাকহনবা অমা পীরকই। অদুনা মরী অদু নপাদল

হন্দহল্লি। লমচং ফজনা লৈবা, চৌওাক্তা পৃক্লীং চঙবা অকেনবা কোবা তৌবিহ্লবদি সাইয়াতিকানা কন্না থক নাল্লোই।

খুদম — নৌংহুদগী হৌনা কৈগনগী মতুংলোম থংবদা চংখিহুনা পৃকউ অহুদগী পুবোমগী মপানথংবল্লোমদা খুমিং ফাওবা তপ্না তপ্না নক্লগা মঙ-মঙ লাংউনা নাবা চাকপনি। হৌবসি অল্লেপ্পা অহোবা নাই অহগা করিগুম্না কাংদা অস্থকী মতিক কন্না চীকল্লে। মোক্কিনগুম্না পঙখ-পিথকনবা হিদাক চাবা নত্তনা থাঙবা ঙমদবা যাওই। মরী-মতাং কল্লবা, অমাংবা অকংবা মতুম লৈল্লবা, নল্লগা ঘা লৈল্লগা তৌবনি। অনাবা মফম অমস্লুং হকচাং অপৃম্নগী ওইনা যেংহুনা ফনবা লোৎথুনা নাল্লিবহ্ কুইথদনবা লংকুগনি। মরী পৃম্লমক ঈংনা তপ্না থমগনি, অফা অপূন লৈহল্লোই পৃকউদা মোন অমা থাল্লগা ঈংনা অল্লা-পোংপোকপগী ফিডমদা লৈগনি। মরী অমস্লুং মসপ অমখা লেঙহন্দনা কোয়থোকনা থমউ। চাকপদা নত্তনা মরী অসি পাল্লবা য়াদনা নাই করি-গুম্না মতমদা মরী অহুনা কোল্লিবা তোং পূম্লমক (অশোকপা থোঙ অহুগা) থাঙখি। লাল্লয়েং অসি ওথাক য়াবনি।

লাল্লয়েং — ঈশিং অশাবদা সিজবাথ তৌবনা সারকুলেসন হেক্ষংহল্লি অমস্লুং পোথাহল্লি। য়াম্না নাল্লবাদি ফমুংদা অহুম হোট হিপ পেক তৌবনা খুদোং চায়। য়াম্না কুইনা নিউট্রেল বাথ (ডিঃ ৯৬/১০০) তৌবনা পোথাহল্লি। কোমেন্টেসনস্তু কাল্লগনি। অহুবু পূম্লনক খসিগী মথক্তা ঈ শেংদোকুবা অমস্লুং হিংনবগী পাঙ্গল শাগংনবা হোংনবা দরকার ওই। থোঙ হাম্না

য়াইন্দবা য়াদে। ঈশিং অশাবগী এনেমা নিত্তিগী তোৎথোকপীয়ু। অকনবা অকংবা অমাংবনা লাই শাবদু লৌথোককনি। পুম্নমক্কী মথক্তা চল্লা হেনববা মরুনি। নুঙাইতবা খুদম পুম্নমক মাঙখি-স্রিবফাওবা হেনগদবনি। চল্লা হেনবা (নং—৩) দু খাইদগী কান্নগনি। ঈশিং য়াম্না থকপা অতুনা ঈ শেংদোকপদা মতেং ওই। ঈশিং অদুসু অশাবা ওইরবদি হেন্না ফৈ। শোম্বরক্লবা মতম অদুদা চল্লা হেনবা তোকপীয়ু। অদুগা শঙ্গোম থকপা নং ১ দা লৈবীয়ু। শঙ্গোম থকপগী মতুংদা অকক্লবা চিঙ্গাক নং ২, ৫, ৯ চাদুনা লৈবা য়াই। হকচাং কম্না, নুংঙাইনা লৈরবা ফাওবদা চাগনি। হেনক্তিম্না চাবা য়াদে। হেক হৌবদা পোৎখাদুনা লৈবীয়ু অদুনা মরী শোক্তবা হেল্লি। নঙ্গলদা হোটি স্পাইনেল পেক তৌবা ফৈ। নম্বা নানবা পুম্নমক কান্নগনি। অনাবা অদুনা হেক নুংঙাইরেদা হায়বদো চুম্নবা লায়রেংনি। য়াঙ নম্বা, তিংথোকপা শাক্তেল, লয়বা, পৈথবা পুম্নমক য়াঙগী শাক্তেলনি। খোঙসু অদুমক্তাই কোনথোক-কোনশিন শান্নবিয়ু (ফরবা মতমদা) ভুম্বা মতমদা ঈশিং অশাবগী লিক্লী অদু অনাবা মম্নাদা থম্বীয়ু অদুনা সারকুলেসন হেঙ্গৎহনগনি অদুগা চীকপসু ফৎনগনি। তোং অদু যোরামোং তৌজবা ঙমজগনি।

খাগী খোঙচৎ (mense)— নুপী ওইবা অমগী পুক্লিদা চহি ১৪/১৫ দগী হৌরগা চহি ৪৫/৪৬ ফাওবা মতম নাইনা নুমিৎ ২৮/২৮ নিগী মতুংদা খাগী খোঙদা ঈ ওইনা চৎপা ঈগী খোঙচৎ অমনি।

ওভমগী .খ'ৰকক্ষম ওইারীদগী ওভম হায়বদি মরুম মচা মচা খোরক্লগা ফি:লাপাযান ট্ৰাবস্তা চঙপ্রগা', অহুদগী ইউটৰস ফাওনা চংখিহনা মেন্স অসি লাকপনি। অহুগা মীৰোনপ্রবদি ইউটৰসতা অহুম ফাঙিন্দুনা লৈখি। মেন্স হায়ব'দি থাগী খোঙচস্তা লাক-লিবসি হাউ খর অমস্থং ইউটৰসকী মৰী মতাংদগী খোরকপা মশ ক্ষত্রবা ইপিসেলিয়েল সেল খরগা পোয়ননা খোরকপা ঈনি। থাগী খোঙচং লাকপসি মীওই শুবে তাকপনি। মসি লাকপগা হকচাং মপুং ফাবগা লোয়'ন। খবাক মপু' ফানা চাউখংলি পবব্ট হিয়াৰ লাকই। মসিনা তাকপবু ণুপীমচা অহু মপুং মরৈ ফাবে — মমা ওইবনা খুদোং থীয়ে ঙাকপনি। অহুগা মুপী অমনা মীৰোনপ্রবদি থাগী খোঙকাপ লেপপ্রে। অঙাং পোক্লগা অমুক লাকনি, অমুকহন্না মীৰোমত্রিফাওবা লৈগনি। অঙাং অহু খোম পীখক্লনা থম্নবদি খোমনৌৰিবা মতম অহুগী মখৈ থাগী খোঙচং লাকলোই, মহুদা করিস্থু কিবিকুমু, হৌনবীনি। অশাবা লমদা খর নহা ওইরপ থাগী খোঙচং লাকই অহুগা অঙ্গৈবা লমদা থাগী খোঙচং অসি খেঙনা লাকই। অশাবা লমদা চহি ১১/১২ অহুগা অঙ্গৈবা লমদনা ১৩/১৪ দা মেন্স লাকপা হোই। চহি ১৫/১৬ ফাওবা থীন্নবস্থু য়াওই। শাবনে; চীঙ্গাক ফবনে, য়াম্না কেনা-মৌনা লৈবনা মেন্স লাকপদা থুজিলহল্লি। যুম অশাবদা লৈবননি, অহুগা ইস্কীমোশিংদি অশাবগা ১স্থং অঙ্গৈবা লমদমগী চহি মতাং অহুবাইদা লৈ। ঈংমন্দুনা কুইখবা তৌদে। মেন্স অহানবা লাকপসি — অঙংশিংনা য়াম্না ঈকায়না খোকই

অহূনা লোংশিন্দুনা, খঙহন্দনা থমগল্লি, অঙৌংবা ঈশিংনা শান্নগুম ঈকুজথোক্তুনা লৈবা ফত্তে। ঈহু লেপখিনি, হকচাংগী খোঙচৎনি, করিস্সু ঈকাযকম থোক্কে। অহানবা ১/২ রক লাক্রমলগা লেপত্রবা থা ২/৩ গী মতুংদগী চাং নাইন অহুম লাকপনা নমই। থাগী খোঙচৎ অসি মান্নদে, থা অমগী মনুংদা লাকপা মান্নদ। অহুবু পানখৎলকপা অহানবা চয়োল্দা লাকপনা নমই, মহুবু অফবনি লৌই। থাশিরোমদা লাকপা ফত্তে লৌনৈ। হাইগৎহনবস্সু য়াই।

থাগী খোঙচৎ অসি অমুকী ওইনা সুমিৎ ভমনিদগী ৫ নি লৈ। অহুগা চয়োল অমা লৈবস্সু য়াওই নত্রগা নোংমত্তা নিনিত্তা লৈবস্সু য়াওই। অহানবদা খরা লাক্রগা য়াম্না চৎলগা মতুংদা খর-খরা লাক্রগা অহুম লেপখিবনি। অহানবদা পারপ তৌবা (simly) অহুদগী ঈ ভাক্তা অহুদগী পানা চৎলি। মনম নমথীবস্সু য়াওই, মনম য়াওই। চয়োল অহুম খুদিংগী মেন্স কায়দনা চৎপস্সু য়াওই। মহুনা মশা শোকপস্সু লৈতে। মেন্স লাকপা মতমদা খোম অসি চাউখংলি অমস্যুং পেৎলি। মেন্স লাকপা মতমদা খাঙ অমস্যুং য়াঙ নাই অহুগা মরী খর তিংবগী খুদম লাকই, মেন্স লাকই হায়রবসিদগী হেনবা খঙজবদগী হেন্না করিস্সু খঙজদবা অমস্যুং তৌদবা মীওই য়াওই। মুপীগী ইস্ত্রি অসিমক মশা কত্রবদি খুদম অতৈ লাকই। অহুগা ইউটরস অমস্যুং ওভারী অসি ঈ পুনহুনা লৈগনি। করিগুম্বা কালদা থাইরোইড্ ফাওবা ঈ পুনবা য়াওরকই। ঈ হেনমন্না চৎপবু (menorrhagea) হেন্না চৎপা কৌই। মেন্স অসিগীদমক্তা ঈ য়াম্না শাকপবু ঈ

হাৎবা (mentrorrhagea) কৌই। অহুগা ঈ লাকপদা য়েকপবু (dysmenorrhea) য়েক্ক য়েক্ক লাকপা কৌই। খোঙচৎ অসি লাকক্ষম খোকপদা লাক্তবদি— amenorrhea খোঙচৎ লাক্তবা কৌই। পুম্নমক অসি ইন্দ্রি মশামক্তা ন'বা নত্রগা হকচাং অপূম্বদা ঈ শংদবগী লাকপনি।

অথঙ-অহৈশিংগী মতম্তা মেন্স হায়বনি ঈদগী ফত্র হৌদি শেংদোরকপনি। য়াম্না কয়া নোম্বা নৈবাক্তা নুপীদি কালেন্দা পৃথ্রেশ লেপখিবা য় ও'। মরমদি ঈশিং চৎপ', মংবা অমসুং ছয়াং লোমদা চৎখিবনি। শা-উচেক মশা ফবশিং অসি মেন্স পঙচৎ চশ্র। য়াম্না হেম্না চংপা অমসুং লেপখিবসি মশা ফত্তবদগী লাকপনি হায়বসি খঙনা মশা ফগংনবা খুদোংচাবা লৌবিগদবনি, অনাবা ওইনা য়েংবিগদবনি। মেন্স লাক্তিবৈদা কোক য়াম্না কয় চাকপা, পুক্নাং য়াম্না নুঙাইত্রবা, ইপা পাখংলবা অহুগা পুমলেপ লেপত্রবদি অথঙ-অহৈবু মুন্না য়েংহনগদবনি, নত্রবদি তুংদা নুঙাইতবা কয়া লাকপনি। ওভারীদগী ওভম খোয়রুগা ফিলো-পিয়ান ত্বাব্লোমদা ফাওহনা ইউটিরসয়োমদা লাক্লগা মীরোনগ্রগা মীরোয়ে। মীরোন্ত্রগা মতম খর ইউটিরসতা পনহনা নৈবা ত্বাব'ন। মীরোপ্লগা ওভম অহ্ মেন্সনা চামখোক্লনা পুথরক-কদবনি। ওভূলেসন হায়বদি ওভারীদগী ওভম থাদোক্‌সি লেপত্রবদি মেন্সসু লেপ্নী। মদোমদা লেপত্রবসু হকচাংনা ঈ শেংদোক্লবা অহুম হোংনৈ। অহুগুম্না অসিগুম্না নুপী কয়া ঈ শেংদোকপা, হিংনবগী পাঙ্গল শেমগৎপদা ফত্র হৌদি অসি

মাঙ নবা, লৈথোকখিবা য়াই   চাকখাও চাকংপা, তুমদবগী লায়না কয়া লায়রেংঙনা ঈ ফংনবা লাক্লরকপদা চয় শাংনা হেল্লকপা, চৌঞ্জক অকংনা পীরকপদা মেন্স লেপখিবা য় ওই। মসিমক ওভম থাদোরক্লবা থরায়গী পাঙ্গল শিঞ্জিন্নবা ঙমদে কাঞপনি। অতুদগী হকচাং ফগংলক্লনা ওভম থাদোরকপা ঙম্লগা মেন্স অত্তম লাকচৈ।

থাগী খোঙচৎ লাক্লবা (amenorrhea):

মেন্স লাক্লবদি মথল অনিনি। অমুক্তা শুপ্লাক লাক্লিবা অমা, অকোপ্লা অমনা অহানবদা লাক্লয়গা লেপখিবা অমা। অকোনবগী অসিদি থিংখিবা, খোরকতনা লৈখিবা মওংনি। হকচাংগী খোঙচত্তগী শোয়বনা ওইবসু য়াওই। মওং অসিদদি হকচাং ফগংহন্দনা হিংনবগী পাঙ্গল শাগংপা তারবনি। অহানবগী মওং অসিদি অঙাং পোক্লবগী ইঙ্গি পূয়মক মপুং-মরৈ ফানা চাউখৎতবা অতুগা ইউটরস নত্তগা ওভারী পাম্দবা মীওইদা থোকই। অনিশুবা অসিনা থবাক চাউখংপদা থীনবা, হকচাং শারেপ কারক্লবা অতুগা নীংখিজবা মুপী ওইবগী ইঙ্গি মপুং ফানা উংলক্লবদগী থোকই। অতু ওইরবদি মশা ফগংহল্লগা অত্তম লাকচগনি। পূক্লীং নুঙাইতবা থাদোকনি। লাইরিক-লাইশু কয়া ঔরাইবা, খরা ফজিংশাঙবা কোমথোকপসু কৈ। করি-ঙম্বা কালদা লৈশাবী থরদি য়ায়া খেঙনা লাকপা য়াওই। মশাবু করবদি মহুদা করিসু কিনিংঙাই লৈক্তে। চহি ১৩/১৭ কাওবা লাক্লবা য়াওই। লাক্লয়গা অমুক লেপখিবা অসি থা কয়ামুক

লৈবস্তু য়াওই। হকচাংনা ক্ষরবদি করিস্তু কনিংঙাই লৈতে, হকচাং অস্তুম ফংচিল্লক্রুবা য়াঙ কংথরক্রবা, থাগী খোঙচৎ লাকপা থা খুদিংগী নুংঙ ইতবা খুদম কয়া লাক্রবদি ঐ অহু থিংত্রে হায়না লৌগনি। থিংখিবগী লায়য়েং পীজরক্কে।

লীক্লা চংপা (Dysmenorrhea):— হৌভিক্কী যুস্বাল কৈবাল অহৃগা মিভিলাইজমগ্না পূরকপা চিঙ্গাক অমদি রাখল অসি নেচৱদগী থাপত্তোক্রকপনা লায়না অসিনা মতম থবা নক্লগা থরাদি নাহৃনা অয়াম্বা নুপাদা লৈ কনাগুম্বা নুপ দদি থাগী খোঙচং হৌবদগী থম্ব ফাওবা য়েক্রুনতা লৈবা য়াওই। হৌকয়দি হকচাং পূম্নমক্কী ওইবা ঙাক্কমদগীনি। ঐ শেংদবা, শোনবদগী লাকপনি। হকচাং অসি মৱাই তারকপগা লোয়ননা মগী শোন-বদগী মগী চীকপা (neuralgia) দগী লাকই। ফি নীংথিজবা শেঙবা, খাঙজেং লাকশীনবা, পেটি কগ্না ফাজিন্দুনা, খাঙ পীক্লা উহৱবা লাক্রবদা, নমশিল্লকপা, ঐ পুনবা, নাহেনবা পোকহনবা অহৃদগী হেনহৃনা ইউটরস মকম নাত্তোকনা লৈবা ফাওবা য়াওই। লৈকম অহু নাত্তোকপদগী নাব-য়েৱকপা থোকইবসি ঐচেল অহু থিংখিবনা ঐ চেনবদা খোঙ-লৌবা পীছুনা অয়েক অথীন নুঙাইত্তবা পীরকই। অহোঙ্গা অমনা তাং চাকপগা লোয়ননা লাকপনি, ঐংহনবদগী লোক থুংবা, তাং চাকপা ওইনা লাকপদগী হৌখিবা য়াওই। ঐংখিবদগী মগুংগী অঙাং পোকপদা চঙইবা হাক্ল পূম্নমক্কা ঐ পূনহুনা য়ৈশীন্নুনা লৈখিবদগী অয়েকপা অসি থোরক-পনি। মুপী-মুপা তিরবদা কা-হেনমনবদগীসু শোক্কহনবা, হৈনদনা

মুঙাইতবা পীরকপনা মফম অসিদা লৈফম থোকপা পান্সল মাঙ-থরকপদগী অরাবা মুঙাইতবা অসি পুরকই। কুইনা তিম্নদ্রেগস্থু মুঙাইতবা অসিমকস্থু থোকহল্লি। য়ুদ্ধানবগী মরুওইবা ইন্দ্রি পূম্নমক্কী অনাবা, অটীকপা পূম্নমক্কা থাগী থোঙচত্তা অয়েকপা পুরকই। য়াম্না থীনা য়েকপা মখলগী য়েক্কা চংপা অমা লৈ। অদুদদি "মেম্ব্রেন্স দিস্‌মেনোরিয়া" কৌই অঙাং পোকপগী ময়েক্কুগদি মান্নদবা অদুগা ইউটরস অসি থুনা কন্না শুপমিন-মন্দুনা মেম্ব্রে অপাবা অদু মচেৎ মচেৎ শেগায়দুনা নাম্বোক্তুনা থোঙচত্তা লাকই। মসিদা য়েকপসিদি ঙমখৈ লৈতনা থাঙবা ঙমদনা নাবনি। অহোবা নাই অদুবু অহোবা অনিসিগী মরক্তা অদুম মুংঙাইনা লৈ। মী মীদুগী মশা ফবা ফত্তবা মতুংইন্না নাবা য়েকপসিস্থু থেন্নৈ। মরী-মতাং শোমবা, কিগন-পাখংকনবা মীদা থিং হেন্না মুংঙাইতে। নিউরেলজিয়াগী ভাবনি। য়াম্না য়েক্কবদি নঙ্গনগী মখাথংবা শরুক্তা লোয়নৈ। ওভরী অমস্থুং ফিলোপিয়ান ট্যুব নারবদি অনাবা ইন্দ্রিশিং অদুদা অনাবা অদুম কাওই। মফম নানথোক্লবদি ইউটরসতা অদুম নাই।

লায়েংবং— থুনমক পোত্থানবদি ঈশিং ১০৮ দগী ১১৫ ফা: দা সিজবাথ তৌবনা থাইদগী কৈ। অশাবা নীংথুদা পেক তৌবা, ঈশিং অশাবদা থোঙ তাংবস্থু ; য়াম্না হেন্না কান্নগনি। মাংবা য়ানবা লাক্লবিয়ু। অশাবা ঈশিংগী এনেমা তৌরগা থোঙহান্নস্থু য়াগনি অদুগা য়েকপস্থু পোত্থাহনগনি। ঈশিং অশাবা অমস্থুং অঙৈবা য়াম্না থকপীয়ু। খুৎ থোঙ শানা থম্বীয়ু। অদুগা মথুম মরাং

হৌবা কৱিগুম্বা কালদা য়াওহনগনু। নুংশিং অশেংবদা কোয়-থোকপা, থবক পূবা য়াম্না কায়গনি। ফনেক-খোইথাদা শেংপা, পেটিকোট নচিংবা, পেট, কৱিগুম্বা মওংদা চনাংদা অমা অপুনবা অমত্তা লৈবা বাদে। চনাং, খ্বাঙ কোয়না থাদোক্লুনা শপীদুনা য়াম্না থীনা য়েক্লবদি চৰা ১'২ দগী নোংমা নিনি চৰা কেন-দোকউ মেন্না লাক্লিংৱগী তাম্লক্তা হকচাং ফগৎনবা শাকেপ, বাকি, দাবা থকপা ফত্তনা য়েংহনা হকচাং ফগৎহনগদবনি। মশা অহু য়াম্না শোক্লা হৎপ্রবদি ঈ কংবগী চিঙ্গাক পীজো মশা ফগৎনবগীদমক নিউরেংস্থনিয়াদা পীরিবা চিঙ্গাক অমসুং হিংনবগী থৱায় শাগৎপগী মরম পুম্নমক য়েংবিয়ু। মতাং অসিদা অকুবা ৱাকয় অমদি নুপীনা য়াম্না তিন্ননাংবগী থাক হাইগৎনা লৈরগা নুপাহুনা শোন্দুনা অমসুং নাবনা থবক মপুং ফাহনজ্রগনু নুপীগী অপাম্বহু হাইগৎনা পেন্দনা লৈবদগী মেন্নগী খুদোংথীবা অকায়বা কয়া পুরকই। মসিদগী মন্নুংগী ইন্ফ্রেশিংদা ঈ পুন্দূনা লৈ। অঙ নক্রবদি ঈ থক পুন্দূনা লৈতে। মতৌ-মনাও অসি চাম্ন-ৱবদি মেন্নদা বেয়া লৈতে। অনিমক মশা ফগৎনবা, লেংযাম্নবা চংশিন্নবা শাকেন কয়া তৌবা চঙই। নুপীনা মশা ফৱবা, ইউট্রসকী মফমদা নাংল্লোক্লবদি, অনাবা লৈত্রবদি মেন্নকী বেয়া লৈরোই। শাকেন তৌহনবদা মেন্নবা থিনবা-লেংবা কৱিগুম্বা অমত্তা পীরক্লোই।

মশা ফনবা, ঈ শেংনবা, কয়নবা শাকেন তৌরগা অসিগুম্বা মথমগী নুংঙাইতবা কোকথিগনি।

৮। থাগী খোঙচেং হেন্না চংশা (menorrhea)—ঐ হেক্না, মান্না শাখ্বদা চংশা থাগী খোঙচংদ্রি। অমোন্না থায়না কয়া, লৈরবদু ইউটরসকী কুয়োনদা চীকপা য়েকশাদ্রি লাকশিন্নি। অচাং-লোকপদা ইউটরসকী মতম অমদা শেশায়বা, অমেক অপুক লৈবা মকম নীমখোকপা ইউটরসকী মচৌনদা চাক্নং, ওভারী অমসুং টুবকী থী মক্কপা অমমদা [illegible] ওইবে। ইউটরস চাউং, থংনবা অহুপা মাউকথণী তোন্ন মচেং মচেং লৈখৈরবা, নাউকখ্নবা থুনা লৌথোকমন্দনবগী, চাখোকপদা খুংলাই লেগ্জিনবদগী লায়না থীন খোকহন্নি। অহুবু পুক্সনুকী মথক্তা হকচাং ফওবা, হিংনবগী শাকল হবকপদগী লাকই। চি, কিন্নোবা হৈ, কবদগী নি থাম্না চংশদু থাওই। মরৈমাশিংগী ঐ চাং অমসুং মথোং হকচং দগী য়েৎন লেপখি।

৮। কমজর্ভা লৈবা, শাফেল, লোক্না থাক্পা, মক্তবা হবা অমসুং হকচাং হেন্না শীজিনবদগী, অহিং থেক্কা মীংশেং থাওবা, অথুব মরুওইনবা, ভুঙ্কম চাকিম থংদবা থাথিবা মকলগী মমাঙগী লোনা, হকচাং শৌকহনবা থবক থৌথ্রম পুক্সনুক্তা অমাবা মথং থুনকই। লেপ্পা থবক হেনমরবদু শ্রী পুক্সনুগী লৈহ্রি অহুপা হেনমনা শোকহল্লি। থংতাং মীউন্নোন খুনা শোকপনদু থংশোমবা মুনীকদি থামনা কদি লোকহল্লি। হিংনবগী শাকল হকনা লৈবা, মশক লোনবা শৈম্নী মথুং থাংশা মীওইবা লায়না অসি লাকই। ঐ মক্নাদি ... পুক্সনুক্তা মিহুৎপা লৈকপা থিনবা থাবা হশোকহল্লি। অহুপকী ঐ হাথবা থাবদি। মী অসি তম শোক্সিনকলা হেন্না ওই। মমলা

ঐ, মুদি লাকপদা, কুংশীল্লকপা হেনববা, অতোপ্পা অমদা হায়রা হক্কছ্যং কবিতৈনা চংশা ঐগা যাররবা ? হাউগা ঐগ: তিরবনা চুপগী মশা কবিতৈগী ঊদি কমচিংনৈ। ঐ খোঙকখিবা হাউদগী যাম্না হেনবনা ঐ অহ কমদ্রিরি।

খোঙকাপ চা নাইদবা খোঙকাপ অনিগী মরক চপ-চানা নৈংগদবহ লৈতনা য়াম্না কুংবা লাকপা হোয়না লাকমন্দুনা হকচাং অসি ঐ চংমন্দুন, তমথবগা চপ মাগনা শোকচৌরকই। য়াম্না চংপা হায়বদি হাথবগা শাংনা চংপগা মাটৈ। মপুং-মতম চাদনা লাকপা হায়বদি মতম চাদনা, মতম থাংনা ওইবা থাদোকই লক্কনা তৌবনি ওভা হায়বদি মক্কিমশিং অসি পুথিং ২৮ নিগী মপুংদা শায়েপ কয়, ১৮ নি গী মপুংদা অমুক্কং খোঙকচবনি। কবিগুরা মতমদা মুপী অসি মশা কংমন্দুনা অমম্বুং শৈনমনবদগী মক্কম (ওভম) শিং অসি মপুং-মরৈ কাথা ঙমদে থংদুনা কুথিং ২৮ নি তুংদৈদা লংঙৈ চন্না মুথিং তংনা থাদোকহৌকপনি (ah r'i n) । অমিদগীনি মতম চাদনা খেংলাকইবসি অমুপা চাং নাইদবনা অমুক্তম্বু লাকপা অনিগী মরক-তুংশিন্দু থাদোক্লা, পুং মহুনা মশা কংবদগী নাহু-নাংজাংকী ঐ চেনখোক-চেনশিন মপুক কাদবদগীদা মক্কম অহ মতম-চানা মপুং মরৈ-দুদবদগী খোঙকা মতম অহু থাদোরকপনি। চাথেনা চা ন ইরা লাকপা খোঙকপ অতিগী মপুংদা ঐ য়াম্না লাকপহ খেংলাক তিয়া কৌই। খোনো-মোশিনা পুরকইবা মরমগা য়াদ্রে

চানমারেং:— অমা-কগংবমগা কন্দবিরা লায়নানে। মশা মহুনা হৌনবগী লাকপা লায়নানি। অতোপ্পা মথনগী

অকুবা লাইনা য়াওবদি চবা চেপহন্নবা ঊগী মচুগ হেন্নংহনবা
হিংনবগী পাঙ্গল লেমগৎপীরগা অকখি নাপান অমঙনী চেন্দনা
চরা চেন্নু নত্তগা হৈ মনা-মশিংদ সাংবা "এনেবিনেটিভ ডাইভ"
হাবদি শেংদোকুবা চিঙ্ক্লা চযোন ৩/৫ লৈরগা ফখি। মচু
খুদোং চাংগা মপুং থাদবা চরা সাবুন নং ১ ৭.৫ গী মনুংদা অমা
চেন্নু মুখিং ২১ য়োম লৈবীরু। অতগী মতুংদগী শঙ্গোম থাক্লা থকপা
ন ১ দা লৈবীরু। হৈনত্তগা নং ১ দা লৈবীরু। মসিদনা থুনা
ফজনবা ওমই। মমদি শঙ্গোম থকপনা হিংনবগী ওইবা থবায়গী
পাঙ্গল হেন্নংহন্সি। মপা, মাবা, ভাং থেকপা কায়গনি। মাংবা
য়াম্পা ইশিং থরদনা এনেমা ভো। শোনবনিন ঊশিং যাম্না
এনেমা তৌগনু। শোধবা হেনগনি। ঊ হাথরিবমবে কয়ুংদা
ভুমীরা লৈহন্নু। থোঙলোমথংবা কা থোন মথোঙ অচু চেক
২ না বাংথহন্নু। গ্রেজীটেসনা ঊ অচু থোকহল্লোই, নত্তগা
নীংচু মথৈ থোন মচা অমনা বাংথহন্নগা লোংনা হিপডুনা
কৈহন্নু। য়াম্না শাথিনা চংলবদি ঊশিংদা খুম্না খুদৈ মগা অমা
কংনা তমদে কুগা নীংচুদা থেত্তুনা থগা কাদৈ। ঊ চংপা লেপ-
প্রবদি লোংনা হিপঙ্গা চনীং অমসুং যাংগী শাক্লেন অমুক
শঙ্গোম থক্তি লৈদা থর থর তৌবা ভমগনি। কগংলকপগা
লোয়ননা লেংজুম, থাং, নজন নোইবীবা, থেকোক-থেকচিন
শাম্বীরু। শাক্লেন হেন্না তৌবসু য়াদে। হাকিং থর থর চেন-
গংনা চংপা ভমগনি। হেক লাকপগা লেপকনি। অমুক চংকনি,
য়াবকনশিংনা শেংদোকপগী (cu e ment) থবকসু তৌই। অনাবা

ৱোং অমসুং (অস্তাং) থা লেপখিবগী পোংশক পক্‌না ইউ-টেরসতা লৈবদি কাইরে। অদুবু কত্তবা নমখিবা য়াওরকপহ্ শঙ্গোম সের ৫/৬ থক্লগা চামখোকচখি, লোইনবা শেংদোকখি। পথ-পুমথহন্নবা, অশাবগী হুবনা শেংদোকপা, চরা হেনবা অমসুং হকচাং পুন্নগী ওইনা কগংনবা লায়রেংনা থ্বাইদগী কাম্নবা মহৈ কংগনি। কনাগুম্বা স্পেসিয়েলিষ্টশিংনা থোইদোক-হেন্দোক্লা পথ-পুমথহন্নবা অশাবা মনিল ইউটেরসতা থাখিল্লি। অদুবু ৱেরা শিকা চেন্নবা চুম্নগী হকচাং শাজেল, চরা হেনবা, চাবগী নিয়ম চুমখোকপা, থরায় পাঙ্গলগী শাগংচনবা লাক্লবদা থরাম য়াওরবদি থ্বাইদগী লাকচবা লায়য়েংনি। থাগী শমহ্ তপ্না তপ্না চাংহনা শাম্নগা ইউটেরস তপচিন্দুনা ঙৈ হাথবা থীংই।

মেন্স লেপখিবা খিংখিব, (লাক্তবা)— মেন্স লেপখিবা হায়বদি থোরক্তবসি চেনখোরকপা ঙৈচেন্দা ৱেরা তোবনি। খিংখিবা হায়বসি লাক্তবগা ৱেৎরে। চত্তনা মসুংদা নৈখিবা (retention) হিমেন শেগাইদনা তত্তনা লৈবা, ইউটেরসকী মতক অহ্ ফাজীনংদুনা লৈবা ইউটেরসকী ঙৈ চেনকম অহ্গী মচীন অহ্ ইউটেরস লৈনা লৈহনা তপচিনবদগী লাকপা লায়নানি। অথিকমগী উনশা অহ্ নাবা য়েকপদগী শম্না নপশিন্দুনা লৈবদগীন্দ্ ওইখিবা য়াই। হিমেন অসি শেগায়দবা হায়বদি হোদবদগী পন্দুনা ঙৈ লাক্তবসি মুপীমচা অয়াপ্পদা থোকই। মমানা ঙৈকুলখিবদা পীক্লিংঙদা তংখিবনা নমই। মাহ্ নক্লবদি শারেপ কায়রুবা কাওবা ফাজীন্দুনা অদুম লৈবন্দ্ য়াওই। মেন্স পন্দুনা লৈপ্রবদি চমীং লুমই। অকুন্সা পোংথমা লৈবতুম থল্লি। য়াম্না হুংতাইতবা থমা ওইনা কাওরকই।

মসিমক্তা মীয়োম্নবগী ময়াই অমা নি। ইউটরস অহু মথাঙ-
লোমদা কোম্বকপা (anteflexion) না অং-পোক্লা তৌনবা
অহুনা মথকথংবা মতোন অহু খৈশীনুনা মওংদ হোংলগা ইউ-
টরসকী মচুক অহুগী মওং হোংদনা লৈরগা ব্লাদারদা অপ্‌নবা
নি। অমনা ইউটরস অহু ভুংলোমদা অনি থোক্লা লোমহুনা
লৈবা, মচাম্পি অহুম লৈরগা কোম্বরপা অহুনা রেকটম্‌গা থাগা
থোক্তগা লায়না নমথরকপা নীবা অসিদগী হু পন্দুনা লৈখি।
মসি চুমথোকপা ভাই। অহুগা লোয়ননা ইউটরসকী মচৌন ফাক-
ভোকপা, অপুনবা লৈরবসু লোথোকপা, ফিমেন হোৎনবা অরাইবা
থবক ভাক্তনি।

মেন্স খিংখিবা- ইউটরস অমসুং ওভারী নাবদগী লায়না অসি
লাক্লবসু, অওইবদি মশা পুম্বা ফত্তবদগী লাকপা লায়নানি। মশা
ফগৎহনগদবনি। টি বি,ঐ অকংবা ক্লোরোসীস্‌ নাপু কাবা, কেন্সার,
নোয়ননবা অসিগুম্বা হকচাংগী থবায়গী পাম্নল তমথরকপা লায়নাগা
লোয়নগনি। ঐগী চাং অমসুং মশুন মাওহৎকপা পুম্বমক অহুনা
হোৎফম্নি। পুক্লীং মুংঙাইতবা, লায়হৌ কমা হৌবা, ডাইফোইড
ফিভার, নীউমোনীয়া, নারভস্‌কী লায়না কয়া লাকপা যাই।
কল্লিঙ্গুম্বা কালদা মফি চোংনা শেংপা, মথোঙ চোংপা, লৈনীল
কাবদা লৈবা, নিংথম চনখিবগী মেন্স খিংখিবা য়াওই।

মশা ফবা, ঐ শেংবা মীওইবদি কল্লিমু ফিকম থেঙ্কে।
অহুগা ঐ পুনশীহনা লৈখিবা অমসুং ঐচেগ শোনবদগী শুভাই-
তবা অসি লাকপনি। অসিগুম্বা পুদক্তা অনাবা অসিন পুরকপা

মঙংদি লায়না কবা ঙমই। হকচাং অপুম্বগী ওইনা মথক্তা পনাগ্রবা মঙংশিং অৎয়াদ লায়নাগী মভুইংম্না য়েংবা থাই। হেক কিখিবা অহুগা খগংখিবা অমদগী খংলেপ লেপখিবসু য়াওই, অহুগা ওভাবী অমসুং ইউউরসগুম্বা ইন্দ্রি নাবনা মফমহুগী ওইবা অনা-অয়েক অগনা থিংখিবনা নমই।

খুদম — কোক চৌকই, নঙল নাই, য়াঙ, খাঙ নাই, ওনাংই, মায় হাপংশি। লাইহৌ তৌই, কোক ডাওই, মিং মশেন-মরাং ওইনা উই। ইউউরস অমসুং কোব্বা পান্নরা নিউরেল-জিয়া কন্না চৌকপা মথল অমগী অনাবা ফাওরকই।

লায়েং :—লায়েংবা হেক হৌগে হায়না খয়কপদা হকচাং পুম্মথক্তী ওইনা থনবা ডাবনি। অহুগা হৌফম কবি ওইবা য়াই হায়রস য়াম্না পুনা লেম্লগা লায়েংগনি। অনাবা অও তোঙাম্না ফহনগনি, মশাসু ফগংহনগনি। কবিগুম্বা কাপদা সেপ্পকী খবক হেনমল্লবসু লাকই। ইংবদগী লেপখিবা ওইররদি ইশিং অশাবদা ফমলগা ফম্ভখি। (দিগ্রী ১১০)/মিনিট ১০/২০ চঙহল্ল। য়াম্না শোম্নগা ৫/৬ তা মচঙহল্ল। নীংএদা অশাবা পেক পুংথাই অমা থোম্বীয়ু। অশাবগী হিপবাথ অয়ুক অমসুং থুমিদাংবাই লোবনা খাইদগী কাম্নবা হেনগনি। য়াম্না চঙবা অমসুং হেক লেপখিবদা মনিগা মাম্নরা কবা লৈতে।

* ইশিং অশাবা থকপা খাইদগী কান্নে। ইশিং অশাবগী এক্কাম্ন কান্নে। অহুগা নিংথমখিহনা হাইগংগ্রবদি ডি: ১০৫ ১১০ গী ইশিং অশাবদা ইরুথহোকপা অসি মি: ১০/২০

চঙহল্ল্। ঔশিং অচুক্কী মতিক শারবদি য়াম্না কুইহনগনু। ঔশিং অচৌংবদা লুম্না কি অমনা কোক, লাইবক ভুনা য়েংশিল্লু। লিশাং শিংনা মরুক মরক্তা হেক হেক পনথীবা, হাইগংশ্রবদি হকচাং কগংনবগা য়েংবিয়ু। চন্না কেন্দোকপীয়ু অমম্থং মনা-মশিং, হৈনা থিং নম্না পীভবিয়ু। অরাথবী, ভোরবোং চমফুং য়াম্না পীভবিয়ু। থ্রনি য়ারিমইথ পীভগনু। নোয়ররবদি মনা-মশিং অহিংবদা থা অমরোম চাহুনা লৈয়ু। অতৌদদি হৈ মনা-মশিংদা চাহুনা লৈরগা মুখিং ২দং চন্না হেনদোক্লগা শক্তোমতাক্তা থকপা নং ১ দা লৈথোকপীয়ু। থা ২/৩ লৈরবদি পুমকোক কোক্লনি। মপান্দা ভুম্না, মপান্দা থবক শুবা, তাকিং চংপা, মপা লৈভবা শাক্তেলনি। মথং মখোঙ শানা থমডু। মুংশা হেক কংবগা খোঙদগী হৌরগা হকচাং অপুমবা য়াইয়ু। খোঙ-থুং লুম্না লৈবা থুভেং, খোঙভেং, থুকউ ভুম্না মচমদা মোভা অমম্থং শায়ভুগী কমকোচিনা য়েংশিল্লু। চহি চুম্না তাকিং কোয়থোকউ। হকচাংগী হৌনবী মহোমদা শেংদোকচবা, ফহল্লকুবা হোংনরবম্থ থাঙ, য়াঙ, চনীং লুম্না অসি বেন্দ লাকপগা নোইমরকইবচুনা থাকপবু মকম পুম্নমক অসিদা ঔ পুম্রে— সারকুলেসন ফহল্ল্। ঔগী মতুপ, চাং হেনগংহল্ল্। ঔ চেনথোক-চেনশিন কভনা তৌহল্ল্ হায়না ভাকপনি। হিংবগী পাঙ্গল হেনগংনবা কটিন অম' লৌথংনু।

সাইক্লাসীটিক— সাইকল্ হায়বদি ফুনবিবগা মাল্লবা শক্তগী অংহাবা মথুন অমনি। মাম্নগী শক্তগদা মবি লৈনবা লায়মানি।

মতুংতোনলোমদা চেক্লকইবা সাইনসশিং অসি হায়বদি নেঙ্গেল এসেলোবী সাইনস হায়বসি ফেত্রনটেল, মেকিজিলিটরী (হলাই) এমযোইদেল, স্পেনোইদেল ঝোই। নাহোনগী হাউ থোকপগী মপ্রাম অশাবদা নাবা-চৌকপা অসি করং-করং চৌকপা, থোয়শাংনবা চৌকপা অনি থোক্লা লৈ

খুদমদি— নাবা-চৌকপা, সুংত্তাইত্তবা অসি নাভোন, পীত্তম, খজাই অমসুং মীং মযাদোমদা লৈ, তায়হৌ লাকই। নাহোনগী মতুংথবা শকপা নাবা, (এপযোইড অমসুং স্কেনোইড) অসি অরেমা লৈতনা পোথানচাই লৈতনা চাক্কুনা লৈ। মীংকী তুংথংবা ওইনা মথুংদা চৌকই। করিগুম্বা মতমদা মথং থোনবদা চৌকই। করিগুম্বা মতমদা লোক হকংবা নাহোন্দগী অমসুং থোনাঃওদগীসু থোরকই।

লায়বেং— অকনবা মী ওইরবদি চহোল ১/২ চয়া হেনবা নং ২ দা লৈথোকপা কায়গনি। অতুদগী চয়া হেনবা ভোকপদা চাবা নং ৩ ত্তবা চাবগা খাইদগী হাউ চেংবা ফননবা অকবা চিত্রাক লৈ, মনা-মশিংদা হেমা চাবগা ঐ শেংদোকহৌগদবনি। ঐশিং অশাবা থেংনা মত্রগা চপ্চা মহৌ ঐশিং অশাবদা লৃম্মা করাপ অমদা ওমদোক্লগা মংতোন মথক্তা থোগৈথু। চাবদা কমলা, চক্রা অমসুং কিহোম, থাজেনশিনবা, নবাব, সোলোয় কতিবমহৈ থাদোকপীয়ু; ঐ শেংনবা চাবদা, চয়া হেনবদা শীজিমবদি য়াই। চুমগী নোংথগী ওইনা চাবা য়াদে।

নিংথৌগী পূব থবা হাখা চৈশিং লুম্‌-লুম্ম শাবদা মাতোম চিথক্না শাবরা কাইরে। তেন্নিক ওইগ্রবদি চৈশিং অচৈবেনা ঙাংলো থাপ্লগা চিংখত্না অমুক থুদিংগী শামো— থুনক্তা ফমবা লোংথানবদি হিংখো মনা মতোন অমা অনিদং তেম্না থদংকেগ শাতোম্না থিংথিক্না হাবখি ৫/১০ ধনোবউ, নপ চুম্বাইবা থাগ্রগা ফগনি। খোঙদগী হৌনা থুংশা মাইযু। নপ্‌ চোপন্‌বা হাউ খোকনবা চিঙ্গাক থাদোকউ। চৌকিং শাংনা চৎপা, শংজেন তেৌবা অমসুং চৈ শেংহল্লগা ফঙবি

থবায়গী ওইবা পাঙল শাগংপা

হকচাং ফগংহনবা নক্রগা হকচাং ফনা অম্না ভংবা, মাঙপ্রবা হকচাং অমুক হঙ্কিহনবা শেমগংপদা থিংমবগী পাঙল চঙই। হিংবা হায়বসি করিনো? হিংনবা পাঙল অসি নৈমরে হায়বসি করম থঙগনি। ওনবা যাবা পোংশক নত্তে। থবায় অসি খ্বাইদগী মমল্ ইহেন হেনবা লৈ। অপঙবা ঐখোয়দদি থবায় হায়বসি মথৌগী পাঙলনি। মথৌগী পাঙল মাঙখিবদা থম্মোয়গীদা নত্তে খোপকী থবক লেপ্পী। অদুবু থবায় অসি অসুম মাঙহন্দনা থমগে হায়না থনবসি, শিরমদাই য়োইবা, য়াম্নাবোইদনা হায়না থম্নকপা মতম অদু নত্তন মশানশু অতৈ মমা-মপা মচা-মচনশু থক থনবিদে অমসুং থঙবিদে। এক্সিদেন্ট ওইনা শিবা হায়বসি খংলাক লাকপা নত্তে; য়াম্না খোয়শাংনবা লাকপা থোঙচং অমনি। পোকপা চমিতগী শিবা হৌরবনি। অদু ওইরবসু মী থুদিংমক্তা হিংবদা মঙাহনপগী শাংগ্রবা থোঙচং অমা ওইহনগদবা নত্তে।

মপা-মচা য়াম্না কনা থৱাথিরিচাঙ, মুমিং-গা লাম্নীংবগী ফিভমদা মপুংফানা হিংবা ঙম্বা লাকুগদবনি। মাথক অচুম্বা কদায়দগী লাঙৎলবো হায়রবদি হিংনবগী পাক্নগ য়োকখৎ-লাগৎপগী মতুংইন্না লাকপনি। ঐখোয়গী পুন্সি অসি নোংমা অমুক লাগৎলি, নোংমা অমুক শীদোকই।

অহানবদা ঐ ঐগী পুন্সিগী নোংখোঙ অসি সুখ নোংমা নোংমগী পাকখোকহনগদবনি।

অনিশুবদা নপাদা কবি লাম্নিবগে হায়বদু কুপ্না থিজবা নৈনহনা লাইথিক অসিদা পীখিবা অশোয়বা অয়ানবা চুখোক্লবগী খুদোংচাবা লৌগদবনি।

অহুমশুবদা নহাক নহাকী হৌজিক্কী নৈনিবা ফিভমদা খাইদগী মুংঙাইতবা কয়া অদু কঙবা লমচৎতনা পুরকপনি। মখোয়গী মহুক্তা ঙসিমক হৌজিকমক অকবা লমচৎনা শিন্দোক্লবা অনৌবা লমচৎ শেমগৎ-লাগৎলু পুন্সি হায়বসি ইপা ইপানা শেমগৎচগদবনি। খরাগী পাক্নগ য়োকুনা থমডু, পুক্নীংগী পাক্নগ শেমগৎলু। অরা-অনা পুম্নমক যোযোন-যোযোন নোকপগা লোয়ননা খেংনবা তুমকপনি।

খ্বাইদগী নুবা অমনা নেচবগী থবক্তি পুম্নমক মপুঙ ফাহনবনি। চপচাবা থক অমদা পুরক্লবদা হকচাং পুক্নীংনা লাক্কে। থরায়গী পাক্নগ অসি হাপকংনবা পৈশিন্নবা লৌখোকফম নৈ। কদায়দগী থরায়গী পাক্নগ ফংনবা লাক্নগনি। মুংশানা থরায়নি, পুংশিংনা থরায়নি, ঊশিংনা থরায়নি হায়নরা? চিন্নাক অমসুং অতৈ

অতোপ্পা থিংনবগী লমচংনা অমসুং চুপ্পা থনবা হাপনা হিংনবগী পাঙ্গল পীরি।

থরাম হাম্বংসি অহিংবা পুম্নমক্কী হোৎফমনি। থরাম হাম্বসি করিনো কনাসু থঙদে। কদাইদগী লাকপনো, কদাইদা চৎখিগ-নৌখিবনো কনানা থঙই। অদুবু থরাম অসি ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈ। ঐখোয়না থরাম অসি অনিশুবা খুৎখাং ওইনা (2nd band) ওইনা কুমিজ্ঞী, সুংশিজ্ঞী, ঔশিংলগী অমসুং চৌথাঙ্গী লৌলিরি। চুমিবসিগুম্বা থুম্বগী থরামগী পাঙ্গল লৌশিন্নবনি। কমদুনা পোৎখাৎনা লৈরগা পূংচৌ অমসুং থকচাং অসি হি নাংবা থিংবদা মুৎশিনবা কাওই। থরামগী পাঙ্গল যোকখৎপা, মেংকুল থকওবসি পোকপদা হাওরকপা পাঙ্গল অমসুং হৌজিক হৌজিক্কী হিংলিবা মহিং অমসুং কর্নিবা হাবলগী পাঙ্গলদা লৈ। তুপা হাম্বসি থরাম-পাঙ্গল শাগৎপদা চঙই।

কুংগা অসি পাঙ্গলগী খোইদকফম। কুংগা হাইবা উমগনি। খোঙদগী হৌরা মংগ মথং উমা হকচাং অপুংবা হাইবা উমগনি।

চিথাক হাম্বসি চঙদবা মপুংবা লোংশিন্ন। অদুবু খোঙ হোৎনবদি থিৎকই অনি, ঔশিং শক্কুগা চয়োলদা শি, তুমজগা চয়োলদা থাওকই। চাম্বনু মুখিং ১২ কাওবা হিংবা ওবই হাম্বা চষা হেনবা থকাওবা মীশিংবা থাবই।

মকওইবা অমনা হিংনবগী ওইবা থরামগী পাঙ্গল শেমগৎ-শাগৎকে, হোৎফমনি। থরামগী পাঙ্গল শাগৎনবা লমচৎ পুম্নমক থাদোকনি। তু, গর্ত, কাবি, চুকট, কোপী, চা অসি অমা

চাংপা হুনি। মসিদা ভুগ স্ন মরুনি। এনাসিন চাবদগী, এন্দ্রো চাবদগী, মাইসিন্ ময়াম অসিনা মী মশাং নাইদনা হাংলি। মথিং শোকহল্লি, নগা ওইনা মপোক হৌহল্লি। ডাক্তরনা শেম্বা লায়না "আইওডোফেনোক দিভিক্লেস" হায়না ডাক্তরদনা য়োক্কুনা পা, শিংথংপা লায়নাবা অগং ওগ্রা লৈ। মেঙ্গুটা হেনবা, খুবা হৈনাকপুম্বা লায়থবা মচৌ মতাং মাংহনবা, ভুক্তচবা, লমন শিংনৌৰবা, অকিবা, মাচন হাক্কুবা ওইবা মগুম মৰাক হৌবা পুম্মক নাদাকপীনু। পুক্কৌং হককচাং থৱাগ মাচৌ-মাচাং শেগায়বনি। ডাক্তরনা হায়রবা মতুংইন্না ময়ামদা মচাগী মচৌম্বা হু ইরবা যুগনি। হৈশাগী হৈংচানা হু মাখগী চিত্রাক শোল্লবনি, ইশানা ইশাবু কত্থবা শেমগংচবা নতুন' কনানা য়েংবীগনি।

অহণা অডাং-হতন, অংশানবা, অনাবা, অকনবা পুম্মক চক ম ম্রবা মওংগা থাউগী পাম্ন য়োকখংনা থবক লৌশংকনি। ওঙ্গী অচাং মচাগী থাকথকি হোৎচাল্লি। মখোয়গীদ অৱানবা কায় অতু চমে 'কপীরগা শহুম মকচনি। চাৱ-হকনা মক্ক-ওইনা য়েংলগা মকচনি। অতুগা অনাবগীদি অনাবগী চাং মতুংইন্না শোপাবা, চরা হেনবা, ফজনা শাজবা, তুম্বা, ঔশিং শিজিন্নবা, মুংশা মাইবা চঙই।

এক্লাদ হাংবদি কয় কণ হাইবা দ মনাপকি, পুম্মক ভোক্কপা শমুংদা ঔশিং অমসুং চিত্রাক, শোংথবগী হেংদোইদবনি।

অহানবা কটিন :— অগুক নোংডানবদা নহাকপু চানবীহনা তাইবং মী অমা ওইনা পোকহল্লিবা ঔশবু নীংশিংউ। পোকপা

শিবা নাইবা, অদু বদু মুংঙাইবা থাম্বা মৌওইবগী পুন্সিনি। ঐস্থু মীনি হায়রিবগা নীংশিংউ। লাইহিক অসিদা পীরিবা নীংথৌ কয়াগী মচুংইরা অনৌবা পুন্সি অমঃ লৈরগে থবমু। মীওইবগী শাংব্রবা পুন্সি অসিদা নো মা কৌবা পুন্সি মচাসিংথদি অচুম্বা চংশগে অকবদা মতৌরগে, ফগে, অরানবনি হায়বা অখণ্ডা য়াওহল্লোই হায়না চেংনা নীংচুনা নোংমা হায়বা চুমিং অসি হোগংলু। নোংমা কৌবা মুমিং থুমিংমক ফজনা শিজিন-নরগা নোংমা শাবা কয়ানা চহি অদুদি ফরনা লেনগনি। পুন্সিস্থু চহি কয়ানা শাবনি। অচুম্বা মুমিওনা হৌরগা অচুম্বা মুমিওনা নপুন্সি শাগংলো। থাখল অসিগা লোয়ননা নশা লেমগংহো।

কিচুংদা লৈরিইঙদা ন-থাঙ-নথুং অহু অংগোবাদা তিংথোকউ, স্বর শাংনা হোয়ু। নশাংগোম, থুউ, ভাং থেকপগুয়া কোন-শীলু। স্বর শাংনা শাংনা ২/৩ লক শাগে। হেগংলো অহুগা খোঙ হামখোকো, চিন, য়া থীন্দোক্রো অহুগা শাক্লেন তৌরো। বাকিং চংশা, কয়িগুম্বা মখগী শান্নবা অসি শাক্লেনগী মচুং ইমা অমুক্তা তৌথিয়ু।

শাক্লেন মতুংদা হকচাং অপুম্বা থুংদনা নাস্থুনা, তঙ্কুনা ঔকমখোকউ। মুংথিলগী পুং ৪/৫ ভাবদা অমুক বাকিং থবা চখোকপা কাৈর। স্বর শাংনা শাংনা হোন্দোকপনা বাকিংগী কামবা য়াম্না হেনগংহল্লি। অমুক পুং ৮ দগী পুং ১০, মুংথিল পুং ৩/৪ কাওবদা খোঙদগী হৌনা মুংশা য়াইবা কাৈর।

মুমিং ভাবদা হকচাং পোক্পাবা, অদু পোথাদোকপা ভমগনি। থরা অকনবা মীগীদি অসিনা থাংদগী কবা কটমি।

কুমশাগিবাগী কটন :— মশা করবা, থংগানবগী য়াম্বদি কুমশাগিবাশিংগী ওইনদি অনাবা অহুগী শামুখং ওইনা লাইং থিক অদিবা য়াওবা নত্তগা "লাম্বা থবগী শামুখং" বা য়াওবা শামুখং অহুম সৌথংশীনু। অহুগা সোমনা হেক্লগা শামুখংবা থব মশী পাকপ শাগংগী মিংদা হেক্লগা থবক লৌথংগা য়ারে। ঐ ঐগী হকচাং পাঙ্গলনা চথনা চথবগা মুংচাইবা কনথংলকপা মে না চথগনি। নিতিগী বাকিং চংশনা মুখিং ৫/৮ তবদা বারবদি মোংবা লেপথোকউ। অমুম্না থবক্তুগা হকচাংগী অরাগা চার-হনগদবনি। শাকেন তৌবদা চোকথরবদি শোথারগা হনগংনি। শাকেন অমত্তৌবদা হকচাং নৌকনা চোকথরবদি শাকেন হেক্লরে হায়না থংগনি। লেপথোকউ। থবা হন্থবা মথংগী শাকেন তৌ।

নং ২ :— ওম্বা হৌগংলা। মাংথোকমুদো ঈশিং য়াম অমা থকচৌমু। শাকেন তৌবা হৌবিরো। ঈশিং অঈংবনা ঊকুমথোকপীরো।

পুং ৮/১০গী মতুংদা মুংশা য়াইবীয়ু। শোইরগা ঈশিং অঈংবনা চাথোকপীয়ু। পুং ২/৩ দং বাকিং চংপীয়ু। থব শারবীয়ু। মুখিদাংবাই শাকেন অমুক তৌবিয়ু। ভুমগীহৌ শোথাবীয়ু। মোংবদা পুং ৮/৯ তুমবীয়ু।

নং ৩ :— অমুকা নৌংশিংবীবা য়াবা নৌংশিংবীরো, হকচাং ভিংথংপীয়ু অমসুং ভিংথোকপীয়ু। ঈশিং য়াম ১/২ থকপীয়ু ঊকুমথোকউ। বাকিং মাইল ৩/৪ চংপীয়ু হমক্লগা ঊকুমথোক-পীরো। মেককাই থবা হৈ শক্লোয়। মুংশা য়াইবা, মোংবদা পুং ৯ তুমবীয়ু।

নং ৪ :— নোংমগী হৌগদবা নীংশিংবীরো, তিংথোবউ—মাংথোকউ। ঈশিং অশাবা নত্রগা অঈংবা গ্লাস অমা থকপীয়ু। ঈক্লজথোকপীয়ু। মুংশা য়াইবীয়ু। মুংথিল রাকিং চংপীয়ু। রাকিংনা ঈ শেংদোকপী— রাকিংনা কলহলবা নত্তে, ডহাক পোথাবীয়ু। পোথারগা পাঙ্গল হনগংলি।

নং ৫ :— নোংমগী হৌগংত্রিবৈভদা খনবা, নীংশিংবা কাউবীগনু। ফমুংদা লৈরিবৈভদা তিংথোকপীয়ু। খুর শাংনা হোনবীয়ু। চীন শেংদোকপীরগা ঈশিং গ্লাস অমা থকপীয়ু। ঈক্লজথোকপীয়ু। রাকিং মাইল ৩/৪ চংপীরো, ডম্মগা হেনগংপীয়ু। নুংশা কংবদা য়াইবীয়ু। রাখন ফজনা শেমগং শাগংপগী রাকমদ' খনবা তেমবীয়ু। পুং ৯ দগী তাদনা তুম্বীয়ু।

নং ৬ :— রাখন চুমথোকপীয়ু। ফমুংদা লৈরিবৈভদা তিংথোকপীয়ু (খুর শান্নবীয়ু) লোক চেনবা, খোঙ হান্না য়াদ্রগা ঈশিং অশাবা গ্লাস অমা চম্প্রা মহী হাপনগা থকপীয়ু। সাজেন তৌ। ঈক্লজথোকপীয়ু চাগদবা খরা চ বিয়ু। রাকিং চংপীয়ু। সাজেননা মসল শাগংপা নত্তে। মসল ময়েং তাহনবনি। পোথারিবৈভদা চাউখংপনি। মশা শেংল্লগা নুংথিল ডহাক পোথাবীয়ু। নুংশা য়াইয়ু মাংবা য়াদ্রগা খোইহি চামচ ২/৩ ঈশিং অশাবা গ্লাস অমা থকউ। রাখন চুমথেকপীয়ু। পুং ৯ তুম্বীয়ু। রাখল নত্তবা খনবীগনু। অরা পোথাহনা তুম্বা থেম্বীয়ু।

ফম্মুংদা লৈরবা মীগী ক্লটিন :— হেক হৌগংপগা হকচাং তিংথোকউ। খুর শাংনা হোল্লু।

ঈশিং অশাবদা চম্প্রা ১গী মহী য়াল্লগা থকউ। থুম থৱা হাপ্লবম্ম য়াই। মুংশা য়াইয়ু। ঈশিং লুম্বু লুম্বু শাবনা মহেক মতেক ঈরুক্তথোকউ। শ্বোর শাংনা শাংনা হোনহনা শাগ্নো। চোকথরগা মুংথিন্দা ভাইহাক ভুমউ। নুংথিল মুংশা ফলবদি য়াইয়ু। তা' গেকপা, কোনশিনবগুম্মা শাজ্রেল থৱা তৌবিয়ু। ভূম্মমদাইদা মাংবা য়ানবা ঈশিং অশাবা, খোইহৌ থকপীয়ু অৱা পোখোকপগুম পোথাবীয়ু. পুং ৯ দি ভূম্বীয়ু

নহা ওইনা থম্বা অমম্বুং পুন্সিবা

চহি লিশিং লিশিং, যুগ কয দগী হৌহনা তাইবং মীনা মশাগী অমম্বুং মজাতিগী অমম্বুং তাইব‌পানগী ওহনা উহৈ অমা চাক্লৱগা নক্রগা ঈফুং অমদা ঈরুঙ্করুবা নক্রগা ঈশিং খুজোক অমা থকউবদা নহা ওল্লকপা লৈত্রা, মায় খুইবা, উনশা কুবা ফবা, মশক মতৌ ফজবা নহা অমগুম তদেক ফদেকহনবা পুক্লীং মুডাইহনবা অমম্বুং অমহ্ ওইহনবা কদায়দা লৈবগে হায়না থিহনা লাকই। অহুঙ্গুম্বা উহৈ অমম্বুং ঈফুং জগৎ অনিদা লৈতে। গোহাটিদা পুখ্রি অনী লৈ। অমদা লূপ্লগা যোং ওল্লি। অমদা লূপ্লগা মী ওল্লি, থাজনরমই। ত্রিমাপুরদা শরম্পানি কৌবা ঈফুং অমা লৈ। পুখ্রি অহুদা ঈরুজবদা হকচাং কৈ থল্লমই। মণিপুরদা পুরুকশোবীদা ঈরুজরগা অনাবা কোকই থল্লমই। লাংঙ্গিংগী ঈফুংতা মী কয়া কয়ামা লূপ্নরমই। পূম্নমক অসি করিন্নু নত্তে, সলফার থৱা হাওবগা ঈশিং অহু শাবনি অমম্বুং শৌবনি। অহুনা ফুরিম-ফুরাং থম্বা

কবগী ব'কমদনি। ১৫৩৫ দা 'পোন্স, দি. লিওন'-না স্লোরিদ' কৌবা মকমদা লেক্ট আগস্টাইনগী প'থং ওনবগী ঈফুং "প্লে গ্রাওন্দ ওব আমেরীকা" হায়না কৌহনা নগা ওনহনবা ঈফুং অহূমক ক'লে থনখি। অহুবু ঈশিং অহূগী মচ'ও অহু অভোম্মা ঈশিংদগী তোঙাল্লবন্দ্র চুমগী মিনরেল থবা য়াওবগী রাকম মতুনা করিব্র ওইরমল্লে। করিগুম্বা মও'দা নহা ওইহনবা, হকচাং কপংহনবা পীবা ঙম্মে অহূগা কেমিষ্ট চারবদি পোং লেমদোক-লেমখিন তৌবা মাওইনন্দ্র হকচাং অসি থুইথদনবা, উনশা কূপনবা হিদাক খি থূংশা অসি করি হিদাক তৌরগা নহাগী থুংকুম্না হথোং ভথোং, মায় অসি ভগং ভগং তেক্কপগে, নৌপদগে থনবগা, খিবদা মকোক ভাওহনভা তোকখি। ঙসি কাওবদা যাগ পাক্তে, হকচাং অসি পোকপদা য়'ওয়কই, চাউথংলি, কনথং-চাউথংলি, পাক্লপদা অয়োবী হকচাং কবদা অয়োবী থাক য়োই। মহূদগী অন্দুম হহুরকই। অহল ওইরকপা থুদম কংলকই।

কনাগুম্বা নুপা-নুপীনা চহি ২০/৩০ গী মনুংদা অহল ওইবা হৌই। পাথং লৈশাবী ওইবগী নুংঙাইবা কুইনা কংদে। কনাগুম্বদা চহি ৩০/৪০/৫০/৬০ কাওবা নহা ওইনা লৈ। অশেংবমক চহি ৭০-৭৯ কাওবসি অহল ওইরকপী প্যাথ; শাবা মতম্ম হায় (youth of the old age) চহি মতাং অসিদা পাথংগুম নৈকবা মীদি মরাইবক লৈ।

থর অমমা চহি ৩০/৪০ দগী হৌনা মথোঙ-মথুং চীকপা-মাযা, পায়শিনবা য়াদবা খোঙ থাংবা য়াদবা, মকোক চাকপা, মপুক থিনবা, শিথবা অমুয়া "হিংনু হিংনিংঙকপা, শিবন্দ্র কিবা" মতাং অমদা

মপুন্সি অসি সোয়ো-সোয়ো চিংহুনা চকুনা মাহেহনা লৈ। মরাইবক কয়া থৌরবা। অমনা চহি ৭০ হেল্লবা কাওবদ নহা অহুম ওইবা, মথোঙ য়াংনা থাংবা ঙম্বা, মশা ইনৌ লৌবা থেক্তোক-থেকচীন য়াবা ভিংনা চৎপা উবা, পুক্সি অহু পামজনা ৎংঙাইনা কজনা হিংজবা ঙম্বা, যোমোন নোকনা লৈবা, পুক্নীং হকচাং অনিমক নহা ওইহনজা লৈবা; কয়াদা কন্নকম ওইরবনো!

হকচাং অসিনা মরাই তারকইবহ কদায়দগীনো? অমনা মহাদা ওইহুনা লৈ, অমনা মসুং মচম চাদনা অমসুং নহা ওইনা অচন ওই পাখং কাদনা হনুই।

কদায়দগী লাকইবনো - অমনা চাবা থকপা, শাক্সা থম কজনা শাম্নখিবা নম্রগা প্রান অমগী মথাদা চচ্ছবদগী মশা মজখিবনি। হকচাং কবা হাৎবসিগী মকওইবা থ'কমদি পুক্নীং অসি থন চানা থগা— তুকচবা, কঙবা, মেংখিংদবা, থোই-শাওমবা, লেপ্পবা, থাদোকপা তাই। লুংঙাইজব', নোকপা, অনৌবা আশা লাকপা, লেমগৎ-শাগৎপা য়াথম থনবা তাই। কজনা তুম্বা, পোঙ্খাবা মরকার ওই। মসদ্ শীজিন্নবা তাই, পুক্সিবা লাকবদি হকচাং অসি কম্নিঙম্বা মওংদা য়াকনা নোয়-পেনহনবনি (nutrition)। নোয়-পেনহনবা হা'য়বদি নোয়হনবা হায়বা নত্তে - হকচাংদা চঙবা পোৎশক য়াজনা চায়গা মরী, থোপ অমসুং মসদ্ লেমগৎপা, মেয়াখঙ, শারুদ শীহনবদু থজ্জগনি। থোইদোক-হেন্দোক্না শাংমা পুক্সিবা মীওই কয়াগী পুক্সিবা হুম্রা মেংবদা মথোৎপগী অমী চাং মাইনা, চাং কাথকা চায়। চহি

১৪০ পুন্সিবা মীওই অমদা মশু ময়ায়া ইপুবোক করম্না অহুক কৃইনা পুন্সিরিবনো হায়না হংবদ পূবই। "চৎপা এদি হয়ে্গী চান-বা ওসিগী চিঞ্জাকগী থাকই" খঞ্জক খঞ্জকা চায় হায়বনি।

চহি ১০০ পুন্সিবা মীসি, শাক্রেন করা থোকপা, হোরায় খাবা, থাংজমদস্ন নৈ। অহুপা য়েত্রমদ পায়বা, শাইরিক্ত পাবা, উকিল কেয়ানীদস্ন চহি ১০০ পুন্সিবা য়াওই। ভঙ্গলদা শা ছানবা, সমুদ্রদা ভা কাবা মীস্ন চহি ১০০ পুন্সিবা য়াওই ভক্ত, উকিল অমস্ন বেরুকী ৰবক থোবা চৌক নপ্রবাদ ফমদবা মীস্ন চহি ১০০ পুন্সিবা য়াওই।

য়ু চুরুপ থকপা ফত্তে ঙমংবা থঙই। অহুফাওবা থর থর থকপা মী চহি ১০০ পুন্সিবা য়াওই।

কর্ম্মচারী চহি ১০০ পুন্সিবা করা লে, চহি ৩০,৪০ ওবদা শিবা করা য়াওই। চহি ১০০ ওৎগা মচা পোকপা মীওই করা নৈতবা নত্তে।

চহি ১০০ পুন্সিবগী মচা ১০০ পুন্সিবা য়াওই। চহি ১০০ পুন্সিবগী মচা চহি ২০/৩০ দা শিবা য়াওই। ভাত থরদি য়ায়া পুন্সি, ভাতি থয়বা পুন্সিদে। য়ায়া শাবা লমদা শৈবা মীদি থুনা অহব ওই—পুন্সিদে। অঙ্গ্রেংবা লমদা নহা ওইনা নৈ, পুন্সিবা হেন্সি। ইন্দিয়া মচা অমসুং নেগ্রো মচা চহি ১০০ পুন্সিবা করা নৈ, ঈংগ্রবা লাপলওগী মী অসি থাইদগী পুন্সিদবা ভাতিনি। ঈংবগী বাক্যা নত্তে। শাদা চাবা মীওইনি। ভীউন্স পুন্সি, টকিস্ন পুন্সি। থাইদগী অথুবা অমসুং থী-থাউ (rich food)

চ'বা ভিউশিং ডাইবেটিজ থোক্লি। পুম্নক অসিগী মথক্তা খেন্নরিবসি অতৈ লমচৎতা থক লৈতে। সুপ্নগী চাবগী চ'ং অমসুং পোংশক্তা খেন্নহনা চপচাবা মওংদা লোয় পেন্সহনবা পুক্নিংগী মরুওইবা পোংচক্নি। <u>মহা ওইবশিংদা মথাং কাংহনবা লায়বা</u> <u>কয়া চঙই</u>। শক্তি লোনবা টি বি, নচিংবা লাই, ম'সম্ব চবা লানবনি। চহি ৪০ গী মতুংদা লৈ য়হন্দুনা মপা-মচা অহু লো হন-চাউহন্দুনা পোংলুম পুবগুম চংলিবা অহুম্ব চাবা হেনবদগী শোয়রবনি। ময়ানা মোংকম তৌবা মীওই হায়বহু মখোয় অহু ওইরবনি।

ইংলণ্ডদা থম'সপার কৌবা লিপা চহি ১০৩ পুক্নিবা নিংথৌবেল এডৱার্ডনা থাগংপদগী ডংসব অমা তৌরি মহু চাবা মতুং চয়োন অমদা শি। পোষ্টমর্টেমদা য়েংবদা থেন্দ, ইথ্রি পুম্নমক মশা কৈ ফুইনা পুক্নিংখিগদবনি, ভাঙ্গাদা থাগা চাশিনুবদগী শিবনি হায়না ডাক্তরনা হায়খি।

চাবা থায়বসি থাইদগী মরুওইবনি। থাইদগী কাম্নগদবা চিঙ্গাক মতম চানা থোং থো হুনা চাবা তাবনি হকচাং শা-গংনবা, হকচাং কনা লেঙদনা থয়বা, মেরামত তৌনবা চিঙ্গ'ক মথল তনা চঙই। চাদিবা অহুম্ব কঙনা শায়হনা চাবা তাবনি। তুমজ্রবদি কয়িস্থ কায়দে। হকচাংগী দরকার ওইবদগী হেন্না চাশিলবগা মগনা মাঙন ভাকুবা ওইবা কত্তবা লমচৎ অমা লৈরে। মোংমদা অহুমকগী হেন্না চাবা কত্তে। হকচাংনা দরকার ওইবদগী শক্তক অনি মন্তা হেন্না চাশিনবনা মঙ-হৌদি পোকইবহু

ঈদা হকচাং মথুংদা 'পন্থনা লৈরিবহু হোন্দোরকুবা হোংরবদা ইন্দ্র পূম্নম অরাবা ভাই অমম্বুং চোকথৈ, মশা শোক্রকই। চেকপমা কোয়াশনবা ৪০ × ২০ গী ইথোল অমদা ৩০ × ১৫ গী য়ুম অমা শাগে থনবদা চেক লাক অমা, উ কেবী লিশিং ১০, সিমেন্ট বেগ লিশিং ১০, 'পশিনবদা য়ুম্নমতুদা থোকইবা থৌওং অতুগা তপোনগী ভাঙ্গ্রা নোংমদা অনিদক চাবদা হকচাংদা থোকইবা থৌওংতুগা মাপ'ন। অমুত্তনা, মাংবা য়াদবা, মুংশং, ঈথোন, ভাইরিয়া, তা' চাকপা, খুৎউ পাম্বা, কোক চাকপা য়াও নাবা লায়না পুরকই। অতুগা ডাক্তরদা চংবৈ। মা মাঙ্গবদা নন্তুনা ডাক্তর শাওবা মিংচং থংহন্রে। মশাগী লমচং হোংদোকচগদব'ন।

ময়ামগী ওইনা মাবা অমম্বু' পূলবা মৌওপা লোয়নবা রাকমদি হাংলা, তোখিনা চানা হৈনবনি। অসিগুম্বা মাতাদি ময়াং ক'লপ, উট, খক নোর চাউদে মথাম্বা য়েংবদম্বু নপ-ফিন চোবা, লোক চেনবা মনোরবদগী ময়াংকংবা অউইবা মাতামা হেম্না পূল্লি হায়বা উই।

পূম্নমক অসিদগী থাইদগী মকওইবা রাকমদি শাক্লনি। হকচাংগী পাঙ্গলগা চাংনা শাক্লন তোপনি। খোর তকেং-তকেং হোনবা কাওবা, হমাং শোবা কাওবা, হায়কেং চোকথবা কাওবা শাক্লন নক্লপা রাকিং চংকদবনি।

হকচাং থাইনগী কনা অমম্বুং নহা ওইনা লৈগে হাৎরবদা অহানবনা চুম্নবগী ইঙ্গ্রি অমি অরাবা শীবিদনা হকচাংগী নাপা পূম্নমক অসি কনা থম্বা চুমনবা থবক লোৎপাইরগা হকচাং

শাগৎনবা পাঙ্গল পীরক্রবা শাক্লেন তৌগদবনি। মহা ওইরিবা ইস্রি পুম্নমক অতনবনি কজনা তুবঙ, কজনা কণ্ঠ-হৌমি চাং বাইনা পুখৎরক্কই কজনা হকচাং শাগৎপা য়াই। মসিবু মাঙৎহিন্নবসি ও কপীবা য়াদবা ওয়াবনি য়াযদ্ধি অমাখা অমাংনি, লেপ্পা য়েসিং অমাবা অচাংনি চেকশিনকবদগী পৃথিবী থাওবি হকচাং কজনা পোকপনা লপং শাওনবা থু মংচাবা কংশগা কজনা পেংরকপা অমাংনা মাঙলিবসি চীংটবগী লমচংডা ডাইনবা ০৭৫'৯ শমজী'বিরবা জ্ঞান পীবিদবগীনি; অচৌকপু ১০০ খোঙ্গা মাঙনবা চৎলুববগ্ন করগে হায়না খেক খরকপদা অচুম্বা লম্বাদা চৎলকবদি হকচাংদি হেক্তা কয়া হৌই। মাস হকচাংগী অঙকপা মঙ্গলনি। ইংলেণ্ডের কেবেল কৌবা ডাক্তর অমনা হেনগী খঙ্গায় মচেৎ খর কল্পা ঔষধি য়াওবা অঙ্গা খঙ্গা ঐ অনৌবা তঙনা পীবগা লোইনা শরুম অহুমগী খোমকপা কণ্ঠ হেদি অহু মতমচানা লোখোকপীবদা শরুম অহু চাং ৩৫ অহুম হিংহনা লৈ।

এলেক্সীর কেরেলগী চাংদং অসিদা তাকপবু য়েন্নাওগী শরুম মচা কয়ানা চহি ২৫ হিংহৈবসি স্বপ্নগী অনৌবা ঐ অঙনা পীবা অহুগী শরুম অহুমগী কণ্ঠ হৌদি পোক্লকপা লেংবা লো-খোকপনবি; অসিদনা য়েন মশাদগী মঙোলগী লৌথে কপা মচুম্বা খেম্না পুলি। মরী, তোং শারনবা অনৌবা ঐ পীনবা চিঙ্গাক অহুগা মাংখোকপা, ঐশিং হমাং চৎখিনবা ঐ লেংনবা লৌখৎপা থাবৈদনা কুইনা পুস্নিনেবা য়াই। ভুমগী ইস্রি অমসুং

কত হৌরি পুখেৎকখিনবা ইশ্বি মশা কম্মা খঙবা তাবদি। মহা ওইরিবৈদা চেন চোংবা মীহুৎ পুম্মক থংক অকাংবগা লোইনবগা চাবা যরাং কাবনা চত্তই। শাগংবা, রিপেয়ার অমসুং কম্বা থম্বগী চিঙাক রাংতনা পীবা তাবদি। অহল ওইংক্রবা মতমদা চাউখৎপা চেপত্রে খবক কন্না শূবা মীগীদি চিক্লাক থংদি চত্তই অতৈদি খোইনা চত্রে। অহুবু লৌজিক্কী জগং অসিদা পোকপা নহারোল অয়াম্বা ঘী, থাউ, শা, ঙা, শঙ্গোম অমদি যেংম হেন্না চাশিন্দুনা মশা অহু য়াবিমখৈ লোয়রম্মি; মপুক কাংরম্মি। কবিগুম্বা মওংগী শাজেল বাকিং, থবক লোনংদি হাপোকত্রে অদুনা মীনম্ মশা কম্মি থনবী। মশাংস্ কম্মি থনবী। লোমা মহা ওইরিবৈদা ঙমখিবা থবক, অকুম্বা হাংবা, মুক্না শাম্বা, নম্বগুম্বা পাঙ্গলগী খবক তৌরুবদা হার্ট অহু এক্রোকাইদ তৌখিবা য়াওই— লেমহৌরিবা পুক্কিগী শন্নক অহু মুংঙাইবা কৌবা কংদনা অয়াবদা লেনবা কয়া য়াওই। য়াশিয়াগী অচং হেকনসমিৎ অসি খ্বাইদগী কনবা পলবাংনি থৈ। অহল ওইরক্রবা কাওবা মখোঙ পুনশিল্লগা টেবিল লাম্না ১০০ রক চোংবা ঙমই। মানা তোংলকপা শগোল অহু মথুং অনিনা কোকতোনদা থাঙ্গংলগা তিল্লিবা মীশিং অহুদা কেংরৈরৈ লৈহুনা উইরম্মি। শগোল অনিগী থৌরি মতোনশিং অহু মথুং অমমম্মা পায়রগা শগোল অনি অহু মীনা ফুদ্‌না য়েং ওইদা চেলহনবা লাক্লবদ্ মানা থৌরিদ্ চিংপিন্দুনা শগোলশিংদ্ চেলহন্দনা কাদ্‌না থম্বা ঙমই। চহি ৭০ শুরকপা কাওবা অদুম কম্মা

হৈদি। অমুবু চাবগি হৎনা চাবা হৌখি। চহি ৯১ তগী শিখি। পৃথিবীগী মহুৎতা থলাওবা অকনবা পুম্নমক মঙেন্না হেৎনিংবা মওংদা চাং হৎনা চাবা ঙাকনি। বনাদমো অসি চহি ৭৬ দা শি। চহি ১২০ পুন্সিগনি হায়রে। শাক্লেন তৌবগা, ঐকুগে হায়না খোরকপদা ঐকুননবা টব্তা খেংদুনা ভুবদগী মশা শোকখিহনা শিখিবনি। মহাত্মা গান্ধী চহি ১২০ পুন্সিগনি হায়রমই। মীনা হাক্লোকপিত্রবদি মশা কত্তবা নত্তে পুন্সিবগনি। মখোয় অনি অসি শা ঙা চাদবা, মনা-মশিং হৈদ চাবা, চাবদা হেৎনিংবা শাক্লেন অমসুং থাকিংদা চাং নাইবা মীওই ঙাকনি মায়ম পুন্সিবা মীওইশিং অসি অহন ওইরগা হিগুনা কমহনা থক নৈতে। ইংখোল কোইহনা, ইংখোল শম্বল শেমহনা থবক শূবা মীওই ঙাক্তা ওইনা তৌই। থাশিংদা পুন্সিরিবা মীশিং থগ অমসুং মাউ শেনবা মীওইনি। হৈ শঙ্গোম শঙ্গোমদগী খোকপা পোংশক চাবা ওইনা লৌই। শম্না হায়রবদা থবক শূবা হৎনকপগা লোয়ননা চাবগি নোংমগী থর থম্না চখে ম অমমমদা ওইরবসু হৎনকদবনি চাকম্বাম চাবসিনা ভুমদবা, মাংখে কপা মাদবগা লোইনবা লাযনা কয়াগী হৌকম ওই। মহক্না ওইদনা লামসু লাথদনা পংচা চাশিনবনা মেকপা-থিনবা চৌকপা পুম্নমক্তা হৌকম ওই, থূনা শিনবগী মরম্নি। প্রোটিন হেন্না চাবনা পুন্সিহল্লে। শ-ঙা থম্না চাবদি হাউবনিনা চাক মায়া চ শিঙি। পুন্সিদে, প্রোটিন হৎনা চাবগা পুন্সি।

চনাং হায়বদি চাম, তল, হবাই, পান্নে অমসুং আলু-মায়া চাবা মীদি পুন্সিদে। ম মদি কুলিগী চিজাক্নি।

ভারতমচানা থ্বাইদগী হেন্না পুন্সিদে। থ্বাইদগী পুন্সিবা কাঙবুদি মশ, ইরোই, হামেং লোইবা মীওই ন। শঙ্গোম য়াম্না চায় অহুগা তশেংবা মু শিঙ্গা লৈ। শঙ্গোম অমস্থং শঙ্গোম পাউদরগুম্বা হায়রবদি অঙাং ওইরিঙৈদা অঙাংগী ওইনা ফবা চিঞ্জাক অহন ওইরকপা মতমদা থ্বাইদগী ফবা চিঞ্জাক্নি। ময়াং কংবা মশা উঙবা মীওইনা পুন্সিবগী মরমদা অমস্থং চাবা হন্থবনা পুন্সিহনবগী মরমদা থিওরী কয়া লৈ। মোচনিকোক কৌবা নিপা অমা চিঞ্জাক চাবা, ময়েং তাথবা অহুগা শঙ্গোম অকন্বা চাহুনা থৌরিন্দা পান্থ-পুমথহনবা পোকহনবা ফহল্লগা পুন্সি হ য়না শঙ্গোকই অহুবু মা ঙম্না শিখি। হোরাস ফ্লেটচারনা চাক কুপা শায়রগা চাক য়াম্না চঙদে পুন্সি হায়, মাস্থু ঙম্না শিখি। মী থর অসি য়েংলগা চুমই লাল্লি হায়না পানব য়াদে ব বল্ড বারগী মতমদ কারনেজী ইনস্টিট্যুটতা মশা ফবা এথলেট কয়া ময়াংকংবা য়াম্না পুক্নিবা মীওইশিংগী মতৌগুম্না চারিবা চিঞ্জাক অহুদগী ... হন্না পীজরগা শান্ন-খোংনবদা য়াওকল্লি। অহুগুম্বা মওং অহুদ পুরক্লবা লাক্লবদা চানরিবা চিঞ্জাকী তু দা পীজবনি। মমারবগ শাম্নবা ১স্থং ভামবদা শোধবা কৈখিদে। এথলেটশিং অহু হাট কী বিট হায়রবদি মিহুন ছুনবা হৈ্ন্থে অমস্থ: ব্লড প্রেসর হৈ্দে। সাংদ- কূলেসন অমস্থং হাটকী থবক অসি চাবা হন্থবনা, হন্থহল্লি। ঈদগী ফক্ত-হৌদি পোকপস্থু হন্থহল্লি। অহুনা কিডনিস্থু থবক অরাবা পীদে। হৌজিকী জগৎ অসিদা মীপাইনরিবসিদি হাট কিডনি অমস্থং ঈ উতোং নাবা অসিদনি। অহুম অসিমক অহন

ওইরগা মীহু অহল ওই। অহুনা য়াম্না চাশিন্দবা হায়বা অসিনা হার্ট, কিডনি অমসুং ঈ উতোংগী থবক হন্থনা পী হায়বসিমদি য়াফম থোকই। পুন্সিবা হায়বসি চহিনা কেপ্পা হায়বসি লাপ্লি. হার্টকী মীওন মশীংনা লেপ্কদবনি হায়না সাইন্সনা তাক্লি। ভাক্টা নঙ্গা খৃষ্টমাস নীনার অমা চাবদগী থ.দা চাবনা ২০% হন্থনা মীওন ৫ ল্প। অহুনদি চাবা হন্থরগা চহি অসি ২০% হেনগং-হনবা য়াই।

থস্মোয়দি চাবী থাবা য়াবা ঘড়ীগুম্বা নত্তে' চাবী থাক্রগা কেপ্পা অংগুম্বা মত্র অমা নত্তে। থবক কন্না নোয়গা পুন্সি রোই হায়বা তাবনি। অহু নং, চাকয়াম, শারাম চাহুনা কিডনি অসিদগী ফত্ত হৌদি লোংথোকপদা শাঙ্গল শীজিন্নথোক্তুনা হার্টকী থবক অমসুং সারকুলেসন হেক্কংহনবসি পুন্সিদনবা হায়বদি থুনা শিনবগী মরম ওই। চিঙ্গাক্তগী লাকপা মত্তংহৌদি হকচাং শাগংপদা চত্তদবা অমোংপশিং অহু লোংথোক্কু। ঈ শোংহনবা তাই নত্তবদি সেল পূম্নমক হূ চাইবা তাই, মরাই তাগনি অহুনা ব্লড প্রেসার হেক্সংলকপা মতাং অহুগা মাংবা, হূমাং, ঈশিং লোংথোক্কুবগী মতাংগা যান্নবা বাকম মক ওইরিবনি। কোলোরী য়াম্না চাশিনবা প্রোটিন হেন্না চাশিন্নগা ব্লড প্রেস র হাইগংপগা, মেটাবলিজম থুজিন-বগা হকচাংগী মৈশা কান্নদবা মও দা হেক্কংহনবগা অমসুং কিডনদা শাথিনা অরাবা অহেনবা থবক পীবগা লোয়নবনি। অহুনা পুন্সিগে হায়রবদি মীয়ার চল্লকপদা নোয়-ৎপনব চারিবনি হায়বা চিঙ্গাক অসি চাং হন্থবা তাই। মাহুতনা নোয়বা হায়বসি

(?কেট) মওং অমদা হকচাংদা উহল্লোইদবনি। কেলোরীদা ওনগনু। থবক শূবা-শূদবা চাউব-পীকপা, রাংবা মতুংইন্না থেন্নে। হেল্লি হেন্দে হায়বসি কেট মংাও কারকপগুদা য়েংগদবনি।

মথংদা কিডনিদা অৱস্থা পোংলুম পীদনবা লাক্লগনি। শঙ্গোম অমস্থং হৈনা খাইদগী কিডনিদা অরাবা পীদে। শঙ্গোম লকোই, থাংহুপ, অরাথবী খাইদগী কৈ। শা, ডা, থাউ, ঘী, চনাং (চাক হরাই, পাল, তল, আলু, মঙ্গু, উ মঙ্গু) কক-থগদবনি। চোইদবা চে:— গেহুগী আটা, নট্ (লৈবাক হরাই কেসিনট্, ব্রাজিল নট হৈজুগা শিজিন্নগনি যেক্লম, ছানা য়ারিমথৈ হম্বনা শিজিন্নবীয়ু। মরক মরক্তা চরা হেন্দোকপনা পুন্সিনবগী থৱাইগী অশন্থা উপাইনি। থা অমগী লানবা, চয়োল অমগী লাল্লকপা, কণ্ঠ-কোদি পৈশিনবা শেংদেংকপা, চাদনতা লাকপা পোথাবা কোবা কংজবা, পুক থোইরান্নচিংবা ইন্দ্রি ডাইহাক পোথাহনবা ভাবনি। রাজরবা ইন্দ্রিশিং মুংশিবীহনা পোথা হনবীয়ু। হাটকী থবক হম্বহল্লি কণ্ঠ হৌদি পে কহনবগী থবকসু হম্বহল্লি। চরা হেন্দোক্রবদি চাশিনবা মতমদা চিঞ্জাক য়ান্না চহদে। চিঞ্জাক ইচেও চঙদনা নোম্ব পেলহল্লি। মাঙখ্রিবা অৱস্থা অহু চিঞ্জাক থরদন থেনথংপা ডমই চরা হেন্দনা স্থম চাশিনবদা হকচাগী অৱস্থা হন্তবহ চরা হেল্লগা থর থরদা চা-শিনবদা অহুম হেন্না লূবহনবা য়াই।

' চয়েন্দা নোংমা চরা হেনবা অহুগা চহি ১গী মস্থংদা স্থমিৎ ৫/১০ চরা হেন্দোকপা কান্নে চরা হেনবা হৈনব্রগা হৈ,

মনা মপিং ঙাক্পা চাহনা লুমিং থরা লৈরোকপা পুল্লিনবগী মকুওইবা থবকনি।

মথংদা আর্টরী ঈ উত্তোং অসি মপা কনা থম্মবা লাক্-পদবনি। লা, য়েকুম, মাখন, ছানা, পুঙ্গাম নপান অসি মাম্না চ'রবদি ঈদা কোলেষ্টেরোল কোবা খাইকুম্ভুপা মহাও তা° অমা পোকই। মহনা শিংলি অসি কুমতল্লি। মখুং ১পান্দা য়েংমহনা থবরুম উপতোক উপচীন ওমম্মা অহ কাক্রোকপা ওমদে। অম উপচিল্লকই। ঈ চেনবা ব'রকই, কুপ্পকই। মহনা 'চষ্টীবা ঈ অহনা আর্টরীগী মখুংথ বা থালদা কপ্পা য়েশিল্লি, থেংজিল্লি। অসিবু ব্লড প্রেসার কৌই। ঈ উত্তোং অহু মথাই তাই। ঈ চেনবা য়াদবনা হার্ট'না কন্ন কাপথোকই। অমনা থম্মোয় মপ'মক্তা ঈ পীরিবা মরী কোরোনারী কৌবা ঈ উত্তোং'হু কুম্মুনা হার্ট ফেল ওই, কোরোনারী থ্রোমবোসিস কৌই মরীগী কুপ্তোম ৩ পুনা লৈ। অহানবগী ভংথিবা থাওই, অনিশুবা ভংথিবা থাওরক্রে, ঈগী মপং অমম্নুং ঈ উত্তোংগী শেগাৱবা ক্'ষ ম মচৈ অহনা ত্রেনগী কেপিলারী মরীশ্বা পন্দুনা কায়রগা এপোপ্লেক্সী তেই। অম্মুম্না আর্টরী নারবদি মী অহু নারে। অম্মুম্না আর্টরীগী অহল ওইরবা, অহুগা কিডনি অহল ওইরবদি মী অহু অহল ওইদবা ওকলে লৈতে।

ওইলিয়ম হার্বীনা ১৬২৮ হার্টতগী হকচাং অপুম্বা ঈ অসি চঙ্গলপা হার্টতা অমুক হনজিল্লকই হায়বসি কোওদোকখি। ১৮৬৪ তরদা মাইক্রোসকোপ পুথোরকপদগী ঈ অসিদা লৈরিবা মঙাঙবা

সেল অসি ত্রিলিয়ন্ ৩২ নি হায়না লেপ্লী। হায়রিবা সেলশিং অসিনা চানব চিঙ্গাক অমসুং ওংলেন লোংগী সেল মিলিয়ন ৩২ দ' য়েল্লি হায়বা উংলি। হার্টতগী অার্টরী অচৌবা মচা মচা সুম পাকথখিহনা কেপিলারী মচা ফাওবদা চংখিহনা লোংদা য়েল্লি। অসিগুম্বা কেপিলারীশিং অসি মাইল লিশিং ৫৫,০০০ শাংনা লৈ। মুম্বা খিকিল্লবগা হকচাং অসিদি অকিবা অমসুং অঙকপগ লোয়ননা শেম্বনি হায়বস থংলকই।

হিংকম থোকপ মতাংদগী চহি ১০/৩০ দং য়েল্লা, রানা থাডহনা শিদি শিদনা ময়ামদা অরবা পীহনা হিবহ হকচাং শাজেন হৌবা মীনা পাম্বা ফিভম নত্তে। নাংখিজনা হিংহনা. জান তানা চত্তুনা নহা ওইনা পুক্নীং হকচাংদা পাথংগীদা ওইনা সুম থমহনা য়াইফ মুংঙাইজনা চহিরোমদা হাইভিল্লকপা থাইদগী মুংঙাইবনি। মথং মথং চহী কয়া তান্নকপা জান্না মপূ ফারকপা পুক্সিহ শিখিবদা পাম্মবনি পুক্নীং হকচাং নহা ওইনদা লৈবা মী অহ মৈ থাদোকখিবা নত্রগা লৈনুংদা চনখিবদা পাম্মুববনি। মচা-মপুনা নোমং-নোংমা চাউখংলকপা শেন গুম তাক্করকপনা অহন ওইবগী পেক্ষল্লগুম লৈজবা কয়া পাক্নবা লৈতনা মচা-মপু মরুপ-মপাংদা মতেং পীরবপা মতমদা পুক্সি অহ কল্লক্রিংঙাইনি, পাম্মবনি। অসিগুম্বা পুক্সি কদায়দা কমদৌনা ফংবগে? অঙাং ওইরিবৈডদগী অমসুং মীয়াই চল্লকপগী মতম অসিদা অহন ওইদনবা লায়য়েং হৌগদবনি পুক্সি অসি শাংদোকহনবা য়াই অহুগা শাংদেকপগা লোয়্নননা মুংঙাইবম্ভ হেনগৎহনবা য়াই - মাহুদি

মরা ওইরিব্রিদা পাংং কারকপদা অনাবা কৌবা পকান্নবা, মাংবস্থ পুমক-কহন্নুনা ত্রুগা বেঙ্কণা শেপ ৬ শিনবঞ্জুম মশা অমস্থুং পাঙ্গল য়োকখংনবা পুক্লীং চরুচাং থরাম্বগী পাঙ্গল অহ্ অহন ওই-রকপনা বেঙ্কতগী শেল কায়খোক্রুনা শাঙ্গিন্নবঞ্জুম, কায়খোক্রুনা শাঙ্গিন্নগদবনি।

তস্থা মতম চাদনা শিবা, অশোন-অনা কুমলায়নাঞ্জুম হিংবা অসি মীওায় চঙ্গিংদা থোক্লিবসি মংবাব মশা মশাণা মশা মশাগী অশোনবা অচ খঙ্কবরবদি অতুগা 'নযম অমগী মথাদা থবক মথণ অমা ওইনা পৌখংচরবদি লায়না কনবা তমগনি।

নহানা ওইনা নৈপে হায়রবদি অতুগা শিথিরোই হায়রবদি মকওইবা ইন্দ্রিতদি মুনা শেন্নবা তাই— হার্ট, কিডনি অমস্থুং আর্টরী হার্ট হাযবসি হেক পোকপা নুমিতগী মাহুন হুন্দুনদা নৈংবনা শিবগী পুংকমদদা লেপকদৌরিবনি। হার্ট মশামক অসি পম্প অমনি। মহাক্না কাপখোকখিবদা আর্টরী অচৌবদগী পীকথ-পীকথবদা চংখিহন শমমুক্না চাউবা কেপ্টশারিদা চঙ্গ্রগা তোংদা ঈ অসি যোঙ্গ্রগা চানবা পোং অমস্থুং ওক্সীজেন পুহুনা রেড সেলনা য়েস্থোকইবনি, মহুদগী অমুকহন্না তোংহুদগী হার্টকী থবক্কী বাংমদা থ্বাইদগী নৈকপা জেনগী মরী মচা ভেনুলসশিংনা অমুক সেল অশিংবা কত-হোদি পোক্লকইবা পূম্নমক পুদুনা শমনাঞ্জুম পীকপা মরীদগী থর-থরা ডিখংপা মরীদা থ্বাইদগী চাউবা মরী কাওবদা লাক্লগা কিরাক্ত যেরক্লগা হর্টতা চঙ্গ্রগা হার্টনা লংসতা থাপংলক্লগা হোঙ্গিলবা খোংরদা য়াওবা ওক্সীজেন অহুনা কত-হোদি অহ চাকথেক্লগা

কার্বোন-দাইওক্সাইদ ওইনা খোঙ হোন্দোকপদা য়াওখি। অদুগা শেংদোক্লবা ঈ অহনা হার্ট'লোমদা থাজিনগ্নগা ওসাইগী অহানবগী হার্ট'না কাপথোকপা আর্ট'রী অচৌবদগী হৌনা চংখিবা অহুমক ওইনা চংখি। হার্ট'তগী চংখ্রগা হার্ট'তা অমুক লাকপসিগী শোংচংসি হকচাং পুম্নমক্ত' লৈবা ঈ পুম্নম ৫ মিনিট ২ গী মখুংদা শাগথোকই।

অহানবগীদি হার্ট' মশানা কাপথোরকপনা চোং য়োবনি। অকোনবগী ভোংদগী হার্ট য়োনা লাকপসিদি কনানা ভৌবিগনি? মসিদা খাইদগী নুবা ময়াম থডবদা য়াবা রাকস অমা লাকই। অকোনবগী ভোংদগী ভেনদা লাকইবনিদি সেকেণ্ড হার্ট' হায়বনি খুবোম অমসুং কৈগন অনিসিনা মরুনি। খুবোম অমসুং কৈগনগী শাজেল খুনীং কাডব', হৌগং-ফমথ, কাওবা শডাংবা, সাইকল ভোবা বাকংনা ঈ অসি খোডদগী মথং মথং পুখংলকই। খুবোম, কৈগন মভুংদা চনীং য়োরে। খোঙ হোনজিনবদগী হোন্দোকপদা চনীং অসি লেডবদা খোরাস য়োখি, মাহুদগী কিরাক, হার্ট', লংস মথং মথং য়োখি। খাইদগী মরুওইবা রাকস অমনা ভেন অসি ঊদি হাইগংলকপা অমুক হন্না য়াদনবা ভানব পাদ্রি। মপুক্তি চুপ্পা পোকপদগী শিবা ফাওবা থবক ভৌজরিবা হেক লেপ্লদা শিগদৌরিবা হার্ট' অসিগী মতেং ওইরিবা সেকেণ্ড হার্ট'কী মতেং পী-রিজ্রবদি, কয়া থম্বা য়াদে। মহুদি শাজেল অমসুং ঢাকিংনি। 'শাক খ্যাজেল' লাইবিক্ত' হার্ট'কী ভোংডায়া পীজরিবা শাজেল ভৌবীয়ু, থাকুং চাং নাইনা চংশীয়ু। খোডগী শাজেল পুম্নমক হার্ট' [illegible]। খুৎকী শাজেল পুম্নমক লংস কহল্লি। শাজেল ভৌবা মীনা

মুঙাইবসি পাজেল ভোৎবা মীনা থভবা ওইদে। খুরেংগী মথাদা, মথক্তা চেনবা ঈগী ভকুকী অমত্তা মচেল্লি। পাজেল অমসুং রাকি'বা হকচাং অপুম্বা ওন্নি[illegible]রেন্নি। মাইল নিপাল, তরা চৎলবা, পাজেল কয়া ভৌরিবনা ও[illegible]রেন অসি শরুক ১০/৩০ হেন্না ঈদা পুথিত্তনা পাথং ওইতুনতা লৈহন্নি. অহল ওইহন্দে।

হকচাং অসি লুনা ভৌবিরবদি মাদি ভৌবিমল থক কাউদে, লমম কজনা শিংলকই। মহাক্কী থাইদগী চাওবা য়েকুবসি নও নশাফক্কি হায়বা কাউগনু। মতৌমত্তা হাজোকচবা লেপ্পু। পুক্কীং অমসুং নশা'ভি থক অহল ওইরোই, চহিগী বাদি মীহুনগী মশীংমা লেপচগদববনি। য়াম্না চাশিত্তগা নোয়খংলি, শাগংলি, মীহুন থুহল্লি — অহন ওইবা, অশিবগী থম্নাত্তা চঙশিল্লি। মীহুন কয়া তক্কি. খোর কয়ারক কোল্লি হায়বা য়েংনমতন্নু নাংশিংদে। থরাম মরাই তাহনবা লমচং থাদোকউ। চহি কয়া তরবগে থক থমুপু 'নোয-পেয়বা কজনা চাবিয়ু, শাজেল, রাকিং কজনা চৎলু, মুংশা য়াইহু অশেংবা মুংশিংতা লৈয়ু. পোথাও অমসুং কজনা ত্তম্মু। পুক্কীংগী চাং কায়হনগনু. মপুম-মরাও হোৎনু। অনাবা অমসুং অহন ওইবা থিংনবা ইনশুরেন্স হায়বসু বসিদনি। ক'কন খোকপনা মুংঙাইবা অপেনবা, থবক মহৈ য়ানবা, পুক্কিবা! অসিদগী হেনবা করি অমা লৈবগে? থাওগী মরিদি পুক্কিগী মরি'ম। "Waist line is life line" পাম্বোমগী মতোংদা লৈবা উনশাহু পুক্কী উনশাগা পাবা চপ য়ানহল্লু, মহুমু পুক্কিবনীদ মরি লেপ্পা কোই।

বা অমগী মমুংদা ফাসি হৌরগনি হায়না তাকথোকপীবদা চয়োল অমদা মপোক হোই। শা-শাম, ঙা-মাঙ, মু, চুকচা কানি, পঙ্গা অয়োবীদা থক্কুনা মশাংবু মচেৎ-মচেৎ শেগাইরবা! অদুগা অমরোমদা অরাবা-ইংচাইতবা, নোংবী কাম্বা, লমন খুম্বিংবা অসিনচিংবা অশাওবা, তুকচবা, কলকপা-য়েংথিবা বাথমা অমুকতা পুক্কীংবু মউ অমম্বুং মরূ, মপান মরা পুম্নাক-মাঙহল্লগা কর্থা মঙংদা পুক্কিবা য়াগদগে?

মাঙইবনা চাগদবা চিঞ্জাক অসি করিনো?

মাপান য়েংমুরগা মীগী মরাগা য়োংলী মরাগা মাদৈ। য়োংগী চিঞ্জাক অসি হৈ, মহৈ-মরোং নটকী মমুংগী মরু, মাঙ্গা নোংয়-পৈসহনবা মনা-মশিং অসিমি। অদুগা য়োংগা মীগা মরাদা মাদৈ হায়বদ নত্তনা মীদু হৈ চাবা শাক্সী হায়বা সার চালস বেলনা মাগী "নেচরেল ফুড কোর মেন" হায়বা লাইরিকসা পনিং মহাক্না মথা তানা অঙকলু হায় — "মী হায়বসি হৈ চাবা জীব কাওলুপ অমনি। মশাগী তুম্বগী ইন্দ্রি অমম্বুং ময়া, উনশা অমম্বুং হকচাংগী কায়াৎ অদুদি য়েংলুরগা বাকম অসি লেপনি হায়নদু হায়।

গেমেন্দ হায়বা ফিলোসোফীগী ওবা এনাতোমী অমম্বুং ফিজিওলোজীগী ম্হাক অমনা মী অসি উটৈং চাবা জীবনি, শাদি চাকথোক্তে হায়না ফিজিওলোজীলোমদা য়ংলগা মাগী ওইনা ঘরম পাম্না হায়।

ভাইবং মীগী চিঙ্গাক ওইনা চাত্তনা হিংহল্লিবা চাবদা মুংঙাই-হনবা ভেকথংহনবা অচৌবা পাম্বিবা অমসুং পুথোরক্লিবসি পাম্বীননি হায়না বোটানীস্ট রোয়না হায়।

লোন শ্মীথনা হায় হৌজিক্কী মীওইবগী মশা মতু অসি হান্নগীনু অহু মতাই, মনাম শং পাম্বীদগী থোংকপা চিঙ্গাক্কী লোকম থোকই। মনম নম্বগী পাঙ্গল হেনবা, খুজিন কনবা (strong talons) ইচম চম্বা পুক থোয়রীন, যা অথোবা চুথেক নাইবা উকরগা শা চাবা জীব যান্দে। শা চাবগী যাদ্রি শংই, তুমই, কুপ্পী অমসুং কল্লি। মীগী কেনাইল টিথ হায়হুনা নাকল্লা পাল্লিবা যা অসিগা শাগীগা মান্নদে।

শগোল, উট, শজিগী থাদ মাগীদগী চাউবা হেল্লি মীওইবগী থাদ দ - মথায়থংবা থাপত অসি শজিক চাবা, হে চাবা জীবগী মথাপা থাবে। থাথকা থাধাগা চপ চানা পান্নবা যাবা নৈ।

শাহিং চাবা কৈ হুইগীদি যাধা অহু যাথক্কা চপচানা কুপ-শিনবগুম নৈ, শোয়বা য়াওদে। অহুনা শাহুম অহু লেগায় অহুপা চীকথংল্লি। শাগী যাথক-যাধা চীকপা অহুগুম্বা মীদি যানা চীক্কে হৈ অমসুং মনা-মশিং চাবগুম্বা শায়। মীগী সেলীভারী গ্লেন্দ পীরবসু হৈ মনা-মশিং চাবদ থোরকপগুম তিল থোরকই, চোরকই। মনা মশিং চাবা পুক্কা শা চাবা পুক্কগী হেন্না কনা নৈ। মখাং থোক্কবা চেন্দ অসি শা চাবা জীবগী চেকগা মান্নদে। শা চাবনা কনগা অমসু লিংজেন কবা অহুদগী ভাদনা মন মশিং চাবসিনসু পাওদবা অমসুং মরিন লৈভবগা মরি লৈনদে।

অঙ্গং অশা খায়দনা লৈরম লৈরম্রিবা মকমদা মনা মশিংদা চাহুন হকচাং নোয় পেলহনবা, হকচাং অমসুং পুক্নাংগী পাকল অসি অযোবীদা চাওখংহনবসি খুদম মশীং নাইদনা লৈ। মীগী ময়া অসি মানবা শাফিং চাবা জীবদা পানবা থক লৈতে। মায়বা হায়ববু য়া অসি এনাংমেলনা মথক্তা য়োমশিনবা অসিদনি। নাক্তা ময়া অতুম্বা খন্না লৈরিবা অচুম্ব য়া পরে শিং অচুদগী হেনগংনা লৈতে। শা চাবা জীবনা শাঁজিন্নবা অচুগুম্না শীজিন্নবা য়াবা য়াত্তা নত্তে। য়া অমসুং ঃাপত অসি য়োংগী ময়াগা মান্নৈ।

ওরাংওটাংগী স্কল কংবদা য়া মপান মরাক, মশীং য়েংলগা মীগীনি হায়বা য়াওই। চপ মান্নৈ। মী অসি সেকম অচৌবা পাক্নি। সেলুলার (cellular) কাথন নাইবা কোলোন পানবসি শা চাবা জীবদা লৈতে।

তোমসন হায়বা নিপা অমনা "এনিমেল লাইফকী ষ্টডি" হায়বা লাইরিক অদুদা রিচার্ড ওয়েনগী বা পান্নি, "হকচাংগী কায়াত্তা মসুং-মপান নাইদনা মান্নবা য়োংজাও (ape) অমসুং মীদা লৈরিবসি খিজিন খিজিন্নগা অকুপ্পা মতাংদা চান্নবকপা হেন্নকই। মীগী হকচাংগী ওইবা পুম্বিগা য়াংগীগা মান্নৈ।" লায়নাম্বু মান্নৈ হায়না মহাক্না হায় হকচাংগী মপুংদা (vestigal structure = trace) মাওদি ম'ওয়রবা কান্নবা কয়া হায়দি কান্নরবা তৌজিজ কান্নরবা মাওরবা কয়াহ্ ১০ য়োম লৈ।

চার্লস ডারউইন্না হায় ডার্বিং মীসি ইহান হানবদা হৈ চাহুনা হিংলমই। মীগী মশাগা য়োংগী হকচাংগা মান্নৈ। য়াগী বাকমদদা

হায়বা মতে হকচাং অপুন্বগী ওইনা (Higber sispiac) য়েংবদা মায়বগী য়াকমদা হায়বনি হায়—(ডারউইন)।

সার হেনরী থোম্‌সন্‌না হায় " অতাং অয়াম্বনা শা য়াওবা চিঙ্গাক চাবা পামদে। অতাং অয়াম্বা অসি অহানবদা শা চাবদা হজোইবা হৈনদবা পোকপনি। লাইনা পীরকপা অাব অসিদা শুম চংনহনবদি কায়গনি। অমত্তদা মতে লম্বী কয়াদ কায়বনি"। (Diet in rela'ion to age & activity)

রোমোনা হায়— অতাংনা শা চাবা পামদবা মনামশিংনা হেন্না পাম্বা অসিনা তাকপবু শা অসি মীওইবগী চিঙ্গাক মতে তাম্বগী প্রমাণ অমনি। অতাংগী মহাও খওবদা মহোশাগী ওইনা য়াওরকইবসি থুগাইবীয়োইদবনি।

অহৃপা অীব পুম্নমক শা পীজবা ভম্বীবা য়াই। কংগাক অসি কেনইন টিথ হায়বদি য়া অতুম্বা পানি শগোল, মণ লম্বা, য়াও অসি শা পীজবা তম্বীবা য়াই। নোয়ওয়েগী মণ অযোমদি শা অসি কয়ায়া চায়।

য়োং অমম্নুং য়োং অচৌবা জাংশিং অসি শ' অত্তেকপদি চায় হায়বা য়াদে। থোংলগা পীজবদি তম্বীবা য়াই। অহুবু শাযোকশঙগী শেন্নবা মীশিংনা য়োং অমম্নুং য়োংগী জাংকী চিঙ্গাক অকবা ওইনা শা লৌবা য়াদে হায়। লম্দনগী জুলো য়োংগী জাং অয়াম্বা শা পীজয়ে।

অতাং হায়বসি থোংদবা অত্তেকপদ চাবা পামই। অহৃপা অতাংনা তুতিগী চাবদা অহিংবা অতেকপা ওইনা পীজদো মুকতা চাও হায়বা য়াদবসি তপগী শাদনি হায়বা ডাঃ এন্সিনা হায়।

পুথাকপা মশুমাই, মীওইবদা শা পীবা নি মহেৎ শাগী ওইবা যাকয় নত্তে হাঙনি ঐখোয়না খুদানবদা হকচাংগী মওং শকপা য়েংবনি, মীওইবগী হকচাং অসি শা নিং চাবা ভাগী হকচাংগা মানদে। হৌজিক চারিবা.শা অহূনা হৈনরিবা পুংগুম্বা লোকপদা ঐখোয়না অসি মাকেককই হায়না.মরে য়েংলবসু কৈ, নোংশা শিংগগুম্বা কশানা শা অহূ হাঙলকপা চানবা শংলেম থাঙ লোংজুং মাওনা লেমদনা হেক্তা চাবকম-খোকই। অদুগা হকচাং অসি মখুংগী থোঙচং-য়েংশুম্বা কৈ নোংশানা শা খরদংগী মনা-মশিংগা চারগা হিংবা ওন্নিবলিসু অঙকপনি।

ইন্দিয়াগী ফকীরশিংনা মানা চারিবা চাক অমত্তুং মনা-মশিংদা পীজরগা কৈ য়োকই অদুগা অহুম কোইচৎ চঙনা ঐদু। খ্বাইদগী কনবা তোং অহৈলেবা জীব হায়রবলি লো, য়োংজাও মী মরাম, গোরীলা অসিনি। অসিগুম্বা জীব অসিনা মতোংদগী শরুক অনি হেন্না চাউবা হূইকু ওমই। মী মরাম অসি মনা মশিং চাবা অতম্বা জীবনি, মশাগী ওকখোকসবদা নওনা অতোপ্পা জীব অমত্তা থক হৌদে। মপাংশার চাউই য়াম্না কনবা জীবনি গোরীলা অসি নোংমৈ হেক তাংখিবক মচেং মচেৎ খোক্লা থুদেকপা ওমই হায়না হূচাইলু হায়বা কাওরবা লম কোয়রবা লিপা অহূনা হায়। আফ্রিকাগী নোংপাদু গেরীলাশানা হেন্না ফুজনা লায়বা পাবা ওমই। মী ১০/.০ না গেরীল অমা পুবদা থুংবা ওবদে হায়না ভনকামা হায়। হায়রিবা য়োংগী কাংশিং অদি মনা-মশিং চানা জীবনি, কৈ নুট, মরু চায়, কবিরুবা

কালদা কৌজেং উচেক, হেকুম চায়। যোংশিং অসিগা মীগা চাংদমনবিদি য়াদা, মীপুংগী ঈচিংদা শাওং শাদাগী হৌদগী হৈরং কাফিঙ্গুন থম্বগা শা চীজবা য়াই থীংদুনা চাও, কঙ্গু হায়বা পক য়াদে। হৈ, ইনা মশিংই পীজবা হায়বনি।

অাংবা চাবা (Raw eating)

মৈতৈ হৌখ্রবা অশেংবা অনৌবা মশাগা নীংবা কাংলুপ্নি। মনা-মহিদা কয়রুম্বা মঙ-গী মে হুবা পোং কপা য়াদে। মৈতেই পুম্নমক খুদিংবা ভাক্তা চৎপা মতম অমাইদা চাই। মীগী লাইংগা শম্বন্দ হায়বদি হৌদুনা মীখ্রী চৈগী মমাংদা থোদমবা চাবা চংনবমক, থোংদবদা চানরম্মই। মৈতৈ উখোয়না চাব চিঙ্গাক অহুমক শাংবাং থাংবদ। লাই শাবোংদা পীজরিবনি। মাহু উখোয়না চারম্বনি। চেং অতিক্কবা থান, হবাই অতিংবা ইঙ্গাম, পেঙ্কুক হেন্দেন, হবাই মকু চাবী যো চাক, হবাইথরাক, হবাই অমুবী, মঙ্গা, হেনি, লকোই, হৈগ্রু, চপ্রা, কমলা হৈজাং হৈথুম, হৈহুপ অসনি। হোংজিবী জগং অসদ থোংদনা চাবা য়াম্না তম্নরকই। লাব মমাংগী হোৌনা মহৌক্রা লাব, অ শেংদবা অওইদা শেংদোকপা ওইনা (eliminative diet) হায়রুনা থুক্তা হৈ, সুবিংমুংবা মতমদা মন-মশিং ভাক্তা সুংদাংবাইদা নুনবা থাযেন, থাযেনশিনবা থম্বী, হবাইমকুচ বী হবাইথরাক কুচাবী নম্পা চুম্নগী মক গাজর, শালগম অসি পীজৈ। চয়োন (অনি পীজবদা নং মচা অংবা থবৈ তাই কিওৌ চৎপা হৈ।

য়ড প্রেসায়রনচিংবদা পীত্রে। চয়া হেনবা হৈনদবা মীশিংদমক চয়া হেনবদগী ভাদনা কায়বা মচানি।

খোংলগা চাবা অসিগী থুদোংচাবসু লৈ। হাওবনবা য়াই, থুনা তুমহনবা য়াবা পোৎশক ওনহনবা ঙমই। অদুগা খোংবদা মুনমন্না মহাও অমসুং নোয় পেনবদা চঙবা পোৎশক মাঙহনবসু য়েংগনি। প্রেসারকুকারদা হৈশা হেন্না খোংবদা পোৎশক য়াম্না মাঙঙি। হৈ লিরি লিরি থাহনা খোংবনা মনা-মশিংদা কায়বা কংবা ভিটামিন মাঙহন্দবা হেল্লি।

চহি য়াম্বগী মমাঙদা অশংবা খোংদবা চাবদা মী অয়াম্বনা নোকুরমই, অঙাওবনি হায়বীরমই। হৌজিক হিংনা চাবগী মরমদা লাইরিক কয়া ইরক্লে। মী কয়া হিংনা চাহনা লৈনবা য়াওনরে। অদুম্বা হায়বসি মতম পুম্নমক্তা চুমহনবা লৈ। অদুবু য়ুম্ফমদি ইরৈ লৈতে ভানখোকপী। ভাংথনা মগু না লৈথি মী থরদগীদা ওইহনা লৈবা ভাবনি মহুবু মহুম্ব নি হায়বদি মীয়ামগীনি। খোংহনা চাবা হায়বসি ভাইবং পুম্বগী ওইনা চাত্রবনিনা হকচাং ফনবা অমসুং ভুম্নবগীদমক থাংবা ভাই হায়না লৌনপ্লে। চুমই — শা, ঙা হমাই, মৈহ-মরোং আলু হায়ব দ খোংবনা হাউবা মহেল্লি। অকং-অকংবা থিহনা চারবদগী লীবা য়াবা পোং থাৱকপদগী লেহ, হমাই, ঙা-শা অকংবা অয়াইবঙ্গবা লীবা ভাই, অদুয়া চাবা হুয়কপদগী খোংদনা য়ারক্লবনি। মী অয়াম্বনা হৌজিক হৌজিক চংনরিবা লমচং খোঁওং চংনবী ভাক্লবা ভাঙবা হৈনবনি। অদুগা অদুম্বা পুখোক্লংদি থক হোংনদে। খোংলগা হকচাং নোয়-পেনবা

লৈ। অহুনা থোংদবা পোংশক চাবনা চুমই হায়বসিনা চুম্বা হেল্লি। থোংগদবনি হায়রবদি, লোইনবা, লৈবা খিবিক থোংহুনা চাও হায়বা থক য়ারোই। অথোংবা চাবা ময়াম অসি থোংদবা পোংনা হেন্না, নয়া চায়। লফোই, কমলা, চম্প্রা, এপল, কেসিনট, বাদাম, কিসমিস, বেদনা, খেজুর অতৈ কয়া, অথোংবদ চাবশিংনা, থোংদনা চায়। সেলেরী, লেটস, থবী, খামেনশিনবা, তিলহো হিংনা চাবা ত্তয়রকই। অহুগা অথোংবদ চাবা মাদি হায়-দোকখিবা নীয়মদ থক চংপা ঙমদে। অহুনা থোংলগা মহিক-মতাং হাংলি, মীওইবগী পুক্তা চায়না তুমহনবা ঙমই হায়বসি মশা মশাগী ওইনা অমসুং চংনরকইবা হৈনবীগা থেংনে। লেবোরে-টৌরীদা য়েংবদা থোংবনা ভিটামিন (সি) মাঙহল্লি হায়না তাক্লি— মহোশাগী ওইবা নিয়মগী মথাদা হিংনবগী ওইবা থাকম পুম্নমক্তা ওইনা লেপকদবনি হায়না হৌজিক্তা সাইন্সনা তাকই। ঘী, থাউ অমসুং ওকথাউদা পোং ত্তোরগা, শোক ত্তোরগা চাবা অসিগা মান্নরা ফত্তবা অমা লৈত্রে। মরমদি ত্তোরীবা পোংশক অহুগী শকফম মাঙহল্লি অমসুং মহাও অহু চিঙ্গাক্তা হেন্না হাপ চৌল্লি। পোং থরদা অহুম মহাও অহু ওক্লনবা য়াওজে। অমুক হাপচীনবা কায়দে। শঙ্গোম, য়েকুম অমসুং নট হায়বসি ক্ষেট (মহাও) য়াওবনি। হৈ অয়াম্বা মহাও য়াওদে অহুবু ওসিত, এত্তোকেদোদা মহাও য়াওই। অহুনা তলদা মাখোন তৈবা, মনা মশিংগী সলাদতা ওশিঙ ওইনদ হাপ্লদা তুমদবা, য়েমোনবা থক থোকে। মতৈ মরোংদগী লোবা য়ামগা চিনিগা তিয়রগা

বোরা, পকৌরা, রসগুল্লা, জিলেবী, ঘী থাউনা তৌবদা ঘী অশাবা অহুনা মহৈ মরোংগী য়ৈাম মশা পূম্নমক কুপশিনগ্রবনিন্না তুমদবগী হৌকম ওইনা থোকই। ঐ শেংদোক্ক হায়রবদি, ক্রমলাযনা, ব্রড প্রেসার, কেন্সার মরী শোনবা লায়নাদা অহিংবা চাবা তঙাই। গেহু, নুংহরাই, চানা, লৈবাকহরাই, মঙ্গল তাঁংলগা মতোন পোক হল্লগা চাবিয়ু। চেঙ তীংলগা চাবা য়াই। অতিংবা চাগে চায়না থনবিরবদি মথাগী অসি ওইনা চাং য়েংবিয়ু। পুং ২৭ দি চরা হেন্দোকপীয়ু। হান্না চারিবত্থু লেপ্পুনা অনৌবা অগা চারকপদা পূক অসি মতম থরা লেপ্পুনা পোত্থাহন্দ্রবদি অনৌবা চিঙ্গাক অহু পূক্কা হৈনদে,—তুমদে।

অয়ুক্তা—কমলা, লকোট, অরাথবী, এপল, কিসমিস, শঙ্গোম গ্লাস অমা।

মুমিংয়ুংবা মতম—হঙ্গাম. কোবী থমচেংমানবী, পেক্কক, ডেলম্প্রি, হরাইথরাক মকুচাবী, উমঙ্গা, শালগম, গাজর, মুলা, লৈবাকহরাই, নুংহরাই, চানা মতোন থোকপা, চেঙ অতীংবা, লেম্ফু, হৈকক, হা মশংবা পূম্নমক অসিগী মনুংদগী থরা থল্লগা চাবিয়ু।

পুং ৬ তাবদা – থামেন. থ'মেনশিনবা উমঙ্গা. মুলা হরাই-মতোল থোকপা থরা, হরাইথরাক মকু চাবী, গাজর, পেক্কক, চেঙ অতীংবা, শঙ্গোম গ্লাস অমা অকপ্পা ওইরবস্থু।

চক্রা অমগী মহী অশোইবা অহুগী মথক্তা শুমজিনবীয়ু।

মীওইবগী ইন্দ্রি পূম্নমক অসি তুংগীদমক পাঙ্গল মোক্কুনা থম্না তাকনি। মথোয়গী কংবা য়াবা পাঙ্গলগী মরিথোকপগী শরুক

অমত্তা শীজিন্নৈ তুংশীল্লীবা পাঙ্গল অহুনা অথূ অকাউ থুদোং-থীবা মতমদা শীজিন্নবা নম্‌গা অহল ওইরকপা মতমদা শীজিন্ননবা য়োক্লনা লীহুনা থম্‌সি হকচাংগী অক্লবা ইন্দ্রি পুম্নমক্কী মংহৌশাগী পাঙ্গল অমম্তুং লৈজবা মগুননি।

মপুঙ মপৈ ফাবনা মীওই অনদা মিল্লন অসি মিনিং অমদা ৭০/৭১ জিল্লি। অদুগা হকচাং শেংদোক্লবা চিল্লাক পীজরবা নত্রগা অহিংবদ পীক্লগদি য়াংথমভাদগী ছুক নিথোইদা মজিল্লি।

স্নোর হোংদোক-হোংজিন্দা শবোক্তদা মুংশিং অসি সিসিঃ ৫০০ যৌই। অদুগা ঐথোয়না অয়েবীদা হোংনরগা সিসিঃ ৩৭০০ যৌহনবা ঙমই। অহিংবা চাবনা তুম্নবগী ইন্দ্রিশিং অসিগী মপাঙ্গল লৈজরিবদুগী মরিথোকপগী অমত্তা শিজিন্নৈ। ইন্দ্রিশিং অসি নোকথবা থক কাওদে। অদুনা তুমদবদি নত্তগা অনাবগা মান্নবা মুংঙাইতবদি থোক্কে। থোংহুনা চাবা মীওইনা মরু-মরাং থুম থাউ ঘী, চিনিশিং হাপচিন্দুনা থোংবনা পূক্কী রস পুম্নমক থোকহন্দুনা লামহনবগুম্না অরাম্না অমা পোকহন্দুনা পংচাদা চাশিন্দনা পূক্কী তুম্নবগী পাঙ্গল পূম্নমক শিজিন্নথোক্লবস্থ অয়েবী পাঙথোকপা ঙমদহুনঃ তুমদবা মুংশিং কাবা, ওবা, দাইরিয়া, মাংবা য়াদবা, চিকেং-চিকেং থোঙহাম্না লায়না পুবকই। অদুগা রিজার্ভ পাওয়ার মন্থ লৌথে কথিহনা মতম কুইনা তুম্নবগী পাঙ্গল মাঙহল্লি। পংচাদা চাশিনবা অদুনা সেকমদা, কোলোন্দা নপুনা পৈহনা নৈথি মনৌ অনৌবা অমাংবা লাকপা অদুদা মথোকথি। অরিবদি নৈহোই মাহনা এনেমা নত্রগা পরগেটিভ হায়বসি

সোনামুখিগুমা শিজিন্নহনা কোনোনগী পাক্নল অহনু শোকহল্লি। পুকতা পৈহনা পৈরগা খোইরীন, খীরিন্দা পন্দুনা লৈখিবসিনা মরম ওইহনা হকচাং পুন্নমক্কী ওইবা ইন্দ্রি পুন্নমক, খস্মোই, ফিরাক কিডনি, মমৈদা কেলরী কেন্না চাশিন্নকপা, মী, শা, থেক্রুম হেন্না চাশিন্নকপদগী (আর্টরী) মরি মতাং শোক্লকুনা ব্লদ প্রেসার লাকই। খস্মোমগী লায়না কিডনিগী লায়না, লিভরগী লায়না অকুবা কয়া লাকই। কপ্পনা নোম-পেলহল্লি।

অহিংবা ডাক্তা চারবদি য়ান্না চাশিনবা তোদে। চিঙ্গাকসু খজিক্তা মচঙই।

খাইদগী মকুওইবা মাকব অমনা মাওইবগী হকচাংদা সেল ময়াম অসি অহিংবনি। মিং, শম, মা, থুজিন তোং মর্মী উনশা অসি তোঙ্গা-তোঙ্গা থেংনুমগী তোঙান-তোঙানবা পোং-শক্লা শাবগুম উই। অওইবদি মাওইবগী হকচাং অসিগী মনুংদা পোংশক ৮০ য়োম লৈ। মাহগী মনুংদা কুনগুমা পোংশক্কি হকচাং শাগংশনা মাওই অমসুং মাওবনা হায়না খঙ্গ। হকচাংগী শককম মান্নদবা শকক মমাম অসি হায়রিবা পোংশকশিং অসিগী মনু দা থরা তিন্নরগা, তিন্নরিবা পোংশকশিং অহগী মনুংদা অমনা অমদগী অখোই-অহেন নাইনা তিন্নরগা তোঙান্ তোঙানবা পোংশক অহু শেম্বনি। খুদম ওইনা শক্ক অসি কেলসিয়ম্না মকুওইনা লোয়গা কোসকোরসকা য়ান্নরগা শেম্বনি। হায় রবা পোংশকশিং অসি চারিবা চিঙ্গাকগী লোয়গা হকচাংদা ঈদা লৈগনি অহদগী লোয়িবা খাইদগী পীকপা শকক সেল হায়বা

অচনা হকচাং অপূম্বসি শাবনি। হাওববা, শেমনবা মীগী মরাওদা চাউথোকচনবা চিন্নাক থম্দুনা চাবনা মীওননবনি মশক ওইবা হু ভাকা চাশিন্দুনা হকচাংগী সেলশিং অসিনা নোয় পেমবা পোংশক্তি কংদবনা চাক লাম্বত্তম, চোকথহ্নুনা অমাবা তাহ্নুনা লৈ, থবক পাওথোকপা ঙমদে। অহিংবা পোংশক্তা চাববনি পুক অসি কোমন. হাপ্‌না লৈরবম্নু চথোম খুদিংগী, য়াউম খুদিংগী সেলগী চিন্নাক মরাও কায়না কংহুনা হকচাং পূম্নমক নোয় পেলহল্লি অনাব মশক থওদনা মুংহাইনা হিংজবা ঙমহল্লি। খোইরাই, কিওৌ চংপগুম্পা করদা লুনা থোকপা লায়না কয়াদা অহিংবা (থোংদবা) চিন্নাক পীজবদা মতম থরদংগী মমুংদা যেন্না কৈ। ব্লড প্রেসার অসি অহিংবা পীজবদা হেক্তা তাথবা ঙমহল্লি। পুম্নমক অসিগী মরুওইবদি অহিংবা চাবনা মৈ শেংহল্লি। মগী মগুণ হেনগংহল্লি। সেল পুম্নমক মশা কহল্লি, নোয় পেলহল্লি। থবক ফজনা তৌরবা ঙমহল্লি হকচাংগী অশোন অশোনবা অনাবা মকম অহু মেরামত তৌবা ঙমহল্লি। ভা, শা অমম্লুং মমা-মশিং অনি অসিগী খেন্নবমা শাগী মশা অসি হেক শিবদা পথ পুমথহল্লি। পথ-পুমথহমনবগী মহিক থম্না পোক্লকই। মমা-মশিংগী মগুণনা হেক্তোকপগী মতুং কয়া কুইনা পথ পুমথদে। কমলা, এপলদি থা কয়া থম্বা য়াই। হজাম, কোবীনচিংবা অসি চয়োল অমা অনি থম্বা য়াই। মথোয়গী সেল অহু হিংবা লৈ। মহৈ-মরোং, মক্ত মরাং অসি চহি কয়া শিদনা লৈ। মশিংমা তাংথোক্লগা মতোল চোংই। অহুগা পোৌক্তা হরপা অমুক

হৌরকই। সেল অহু হিংহনা নৈবনি। হেক থোংবদা সেল অহু শিত্রে। নৈমা, মোংশানা শা চাবস্লু শা অহু হিংবা হিংবা চাবনি। শমগুমা ঙা চাবস্লু হিংবা হিংবা চাবনি। হৌদোংঙা উচি চাবস্লু হিংবা অহুব চাবনি। (rigor mortis) হৌদোং-শাওবা চাবদা তমদহনা কন্নোক্লবঠ অমুক চক্রিম্না চাদে। শাদা চাবা নৈ অমম্লুং মোংশাগী মশাক্সি থ্বাইদগী কবা শানি হাত হনা শা চাবা মীনা হায়কম থোকই তমবিক্রবা মীগী কাতথপ অমা কাওবনা নৈ মোংশাগী শা ওসি কাওবদা চাবগী পাউ ফংদে। থ্বাইদগী নমবিবা, থ্বাইদগী পথ-পুমথগনবা পোংবি হকচাং মোয়-পেলহনবগী সাইকলিটিশিংনা পথ পুমথহনবা মতৌক মক্ত'' চঙবা হায়বা হাকম অসি অসিনা চিক্লাকী থ্বাইদগী কতবা অশোয়বা ওইনা লৌই। সেলগী মচুংদা মমলগী সেল, ঊ পীবোংবা সেল, মার্ক সেল, গ্লেন্ড সেল, ফেম সেল কয়া নৈ। গ্লেন্ডগী সেলদা হন কয়া থোকই। অথোংবা চাবা মীগী গ্লেন্ডগী সেলদি শক্তক মরি থোকপগী অমতা থবক তৌবা ঙমই।

নৈ পুম্নমক কুন্তোক্লগা থম্লবদি থোইনা থোইদা শেংবা ঙম্লোই। অদিক পুম্নমক কুন্তোক্লগা পীতরবদি মপ পুম্নমক মোয়-পেম্লোই অমম্লুং শঙোব থোক্লোই। অহিংবা পোং চাবগা সেল অহিংবা অহু নৈদা চঙক্লগা অশেংবা মমী, তো', গ্লেন্ড শেম্লকদবনি। অমাবা সেল মশামক্ক মোয়বংনকপা, অহৌবা মাইবা থী, কেশাম শেম্লকপনি। লিভার অসি থ্বাইদগী চাউবা গ্লেন্ডনি। পেনক্রিয়াস, থাইরোইড, গ্লেন্ড মথাব অসি কাক্লোহাইক্লেত অথোংবা মায়'

চাখিনবা, ঘী, খাউ, য়ায়া খোংহুনা হেন্না চাখিনবদগী মখোয়গী মশাগী ওইবা সিরোসীস ওর লিভার, ডাইবেবেটিস, মীতাও, মীমচা কয়া পুক কংবা কয়া খোর্ক্রবা শয়ায়া উনবি। অহিংবা চাবা মীগি মহিৎ মনাই লিদে। লুনা-মানা চাযখোক্লনা চারগা লোইরে। লাংজা পাইরগা যণ লিবা নত্তে। যণ শিন্নগা লাংজা পাইরকপনি খঙ্ল। হকচাং কংসক্লবা চাকখোকচনবা উপাব লৈরকবদা মহিক-মনাই পোক্লকপনি। মহিক হাংদনবা হয়াইচ সেল ঙৈদা লৈতৈ, পূকা গেস্ত্রীক অ্হুইস লৈখিবনিদা পূকা তা-রকপা তীল পূমমক হাত্তোকই। শা অখোংবদ পীজবদা মূখিং শুবামিদা মীহু শি। চয়া পুমহেন হেসহনবদা মূখিং ৭০নি য়োমদি হিংবা ঙমই। হকচাং পূমমক শাদগী হু চাইখিহ্না শিখিবনি।

চেংজৌ যেইদা শংক্লাব, ঘী, চিনি অতোবা চা, কোকো হাশ্চিনবা অচং নাবা লৌবা শিবা থোকই। নুং হবাই, পেহ, চানা মংডান খোকপা, গাজর, খাবের অখিনবা, নট (লৈবাক হবাই, মরাম কেসীনউ) কমলা, নকোই, অঙ্গুর পীজগদবনি। হিংবা পীজবা ঙমম্নবগু থবা অসিনা মপং ওইনদি পীজবীয়ু। অচাং নাবা থঙনাই। চাকী ভনগী মহুতা চানা, পেহ মতোম থোকপা, চিনিগী মহুতা থোইদি গাজর মদি, কমলা মদি, অঙ্গুর, এপল অসি শগোম অকংবা দম্বা কোবম্লাগী হুক-কী মহুতা পীখিনগদবনি। হৈজগা, মখাম, হবাই মকুচাবী, উদি মতোম থোকপা, শা অমম্লুং খী খাউগী মচুং শিখগদবনি।

ক্ষাইবকথোবা থরা মতুংদা অয়াম্বা মীওই অসিগী হকচাং অসি চহি ১০০ অমম্লুং ১৩০ দগী হেন্না চংবনবা ঊশ্বনা পীনবিরকপনি। অহুবু মহৌশাগী নিয়ম থুগাইক্রবদগী অনাবা হায়বসি লাকপনি, মতম চাদন শিবনি।

"সেল" হায়বসি কান্নবা হায়বা পক্লোবা চুম্মী। সেল হায়বসি অহিংবা, থবক কন্না তৌবা, জীব অমম্লুং অহিংবা মনা মশিং, উ-রা পুম্নমক্কী যুমকথনি। থবক্কী মতুং ইন্না সেলশিং অসিগী মথক খেনৈ। থরুনা ঊচম চম্বা মওং লৈ, অহুগা মনিং তমনা নহুগা মনিং থরা তমনা লৈ অহুগা থোক্লবা লৈরিবা ফিভমগা চান্নবা চংপা ওগী অতোপ্পা অমনা তোকথাই তাহুনা লৈ। মওং লৈনকম হোংদনা লৈবনা চংথোকপা ঙমদে।

অঙৈংবা সেল হায়বদি পীকপ্রবা থরাম মোক্কুনা লৈবা প্রোতোপ্ল'জমগী অপূনবা পোংশক অমনি। অয়াম্বা মতমদা ময়ায়দা মতুংগা ময়ায়মক্কী মনাক্তা ময়ায়থংবা ওইনা নীউক্লস হায়না কৌবা মতুং ইথং থংবা পোংশক অমা লৈ

চিন্নাবা সেলগা লৈনবা মরী :- সেলশিং অসি তত্তনা লি। চিন্নাক অসি করিগীদমক চাহুনা হকচাং মতুংদা চঙহনবিরবনো? (১) যেরামত তৌনবা, (২) অনৌবা সেল শাগনবা অহুগা চিন্নাক অহু চাকথেকপা হায়বদি ওক্সিজেন্না চাকথেক্লগা (oxidation) লৈপা অমম্লুং থবক ওয়বা পাঙ্গল পী। ওক্সিজেনন হায়বদি চিন্নাবা ওক্সিজেনগা তিন্নহুনা চাকথেকপা হায়বসি চুয়গী থিওরীনি। থোক্লবা মতুংদা কংবা মশাগী থবকা লোয়ননা

খোক্লকপা খোঁদোক্তগী হায়বনি। করিগুম্বা ময়ম অমদগী থবক মওং অসি পাওখোকপা ওমস্রবদি হায়বদি হকচাংগী মৈশা অসি দিগ্রী ৯৮·৬ তগী হেক তাথনা লৈরবদি মী অদু শিবা হৌরে। করম্বা চিঞ্জাক্লা খু ইদগী হেম্না মৈশা পীবগে, মৈশা কয়া হকচাংদা চঙবগে, পুং ২৪ দা মৈশা কয়া চঙবগে হায়বসি হৌজিক্তি খঙ্গরে। অদুগা সেল অসিদা হোংদুনা চংলিবা থোঙচং অসিনা মেতাবলিজম্ কৌই। হকচাংগী সেল শাগংলকপসি এনাবলিজম কৌই। সেলনা শিবগী থবক অসিবু কেতাবলিজম কৌই।

শাজেন তৌরগা শাং শীজিন্নবা হেল্লি হায়বদি ওক্সিডেসন তৌই। অদুনা শাজেন্না চাবা ভুম্বা হেনহল্লি, ঐ চেম্বোক-চেনশিন হেনগংহল্লি অদুগা হমাং, অমা৲বা অমসুং ঐশিং চংখোকখিবা হেনগংহল্লি। লৈরম্লিবা হায়গী সেল অদু মাঙবন্দে। তুগী চিঞ্জাক্তগী লাকপা শাংশিং অদু শীজিন্নখোকপনি। মসল শীজিন্নবা অদুনা মসলগী সেলশিং অদু চাউথংহল্লি অমসুং মশাং হেনগংহল্লি। মেচরনা তমখিবা মচুংইগ্না মীওইবগী পুক্লিদা মতম অমদি লাকই। হায়রিবা মতম অসিদদি হকচাং অসিদা মেরামত তৌবা ওমজবদগী হেন্না থুজিন্না হকচাং অসি ময়াই তাবৈ মদুগী মতম অদুমক মত্রবদি শাজেন চাং নাইনা তৌদুনা, খোয় কজনা শেম্রদুনা হোজরগা, অন তানা থকবা চিজাক রাস্তবা চাদুনা, ঐশিং কজবা ময়াম কায়না মখুং অমসুং মপান্দা শীজিন্নরগা পুন্সি অক্লি শাংদোকহনবা য়াই। সেলশিং অসিনা থুনা শিথরিবা, ময়াই তাথিবা অসিগী হৌখম থঙদোক্লবা অদুগা শিরিবা সেলশিং অক্লি

হকচাংদগী মপান্দা পুথোকখিবা ওমদবগী হৌকম থঙলবদি মী অহূগী মখুত্তা মপুন্সি অহু শাংদোকহনবা অমূগা অহম ওইবা মতম য়েথোকপা য়াই। সেলদনা পুমশীমগা তোং (তিস্যু) শাখনি। মীওইবগী হকচাং অসিদি সেলদনা শাখনি। (ক) ইপি-থেলিয়ল (খ কনেক্টিভ তিস্যু (গ) মসল্ তিস্যু (ঘ) নার্ভ তিস্যু (ঙ) ব্লড অমম্নুং লীম্ফ।

তোং (Tissue) পুম্নমক অসি সেলনা শাখনি। সেলনা শাবা তোংগী মরমদা খংকম থোকই। হৌজিক্তি মহাওগী মরমদা তোং হায়বদি কেটি তিস্যুগী মরমদা খরা নৈনবগা অতৈ অতোপ্পা তোংগী মরমদা মকম অসিদা নৈনজররোই। মহাওগী তোং অসিদি শমজিন্নবা তোংনি। তোং অসিদি মহাও য়ায়া য়াওই। অহূনা মতুম ওইনা উই। লায়হৌ হৌবদা, চাবা কংদবদা অহূগা চরা হেনবদা চাবা য়াত্রবদা শিজিন্নবা য়োক্লনা, লীহনা খঙা, মোয়-পেনবা মচাক্তি। হাইববনেট তৌবা ডীবশিং হায়বদি হণ্ডোইওঙা থা ৬ নৈপুংদা, থা ৬ চাদনা মকোম্না নৈবা ওবা শওম, থা কয়া মরুভূমিদা চংপা উট, থা কয়া মখোং থোইবা, গাড়ী চিংবা যণ কয়া চাদনা নৈবা মতম অহূনা শিজিন্নবা মকম, মথেং, মমীং লোয়হন্নুনা থবই। লোয়ং ববদি তাইবঙ মীম্ন নিংথমখা কাওবগা লুয়া নৈবা ওবই। অমূগা ইয়োইবদা ঔংদনা কুইনা ঔশিংদা নৈবা ওবই। মমাং কংবা মীদি কুইনা অঔংবদা নৈবা ওবদে। অনোয়বা মীনা অঔংবগা পুদোং চায়বদ্ধ কালেন্দদি মপাগী মৈপানু থাঙগনা

মুংশাবু থাওগদ্র অৱাবগী মশক্তি। অনোয়বা মীদি মহাকী কিদ্নি অহ্ মহাওনা মোনপাক্‌ন ইকি অমা থানা কিদা থারগা মহুগী মথক্তা লৈবনি। ময়াং কংবা নত্রগা থংকং কংথহল্লবদি কিদ্নি অহ্ যানহনা, তাউহনা লৈবা যাওই, যাম্না মুংতাইতে। মীৎ অসিন্ন মহাওগী মোনপাক্‌না অমদা থমইবনি। চরা হেন্নবা অমস্তুং মযাং হাকমন্না কংথরবদি মীৎ ইকুং কুৎলি, ইকোম কোম্মী। অকুম লায়বো, চরা হেনবা, দাইবিয়াদগী মহাও অহ্ যাওথবিবদগী থোকপা মতংনি। মথগী মকুম, উটকী মকুম, চাদ-থক্তনা থবক শূজবদা শিজিন্নবা মোক্লুনা, লীহনা থম্বা য়েসয়ীননি। মকুভুমীদা থকুনবা উটকী হকচাংদা জেশিং পূহনা চৎলি। অস্তুম্না নেচরনা জীবগীদমক থুদোং চাথসি পী। অহ্নবু তাইবঙ মীদি অতোনবা জীবা ওইবস্তু তোকল্লে। তাই-বঙ মী ওইবস্তু তোক্লকুনা পূক্তা মকুম কাযস্নুনা উটকুয়া চাদনা থক্তনা চত্‌না, শূহনা শিজিন্নবস্তু ভোদনা লায়না পূয়মকী ভুংকয ওইহল্লি হায়বসি হৌজিকমকী দুগ অসিদা ইমীংনা উনরি। হকচাং মপান্দদা নোয়বা নত্তনা মস্তুংগী ইন্দ্রি পূময়ক হার্ট, কিদ্নি, লিভর য়েন্দশিংদা কত হৌদি কয়ানা পৈশিনখিহনা দাইবেটিজ, নেফ্রাইটিসমচিংবা কয়ানা থাই। মা ভেকই, মা পঙই, মীৎ শোকই। মতাং অসিনদি যাবা মথৈ মকম চানা চানা পথগ্রে। হৌজিকি ল্লম হায়না কেন্সারনা নাবগে হায়বসি য়েংবিহু। সাইতোপো-ইক্টশিংনা চুয়গী সেলগা কেন্সারগী সেলগা শকতং-শকথবা পিবি থোমদা কয়া থিলরি। কেন্সারগী সেল অসি কবিক্কা

মওংদা কাময়বা থবক অমত্তা তৌবা ঙমদবা সেননি। অমং অমংবা প্রোটীন অহু লৌশিন্দুনা চাথোক্লগা মথোয়গী মশাং হেনগৎহল্লবনি। কেন্সার হায়বসি হৌজিক্কী যুগ অসিগী লৈবাক-মচা তাবা হায়না কৌবা মী পুম্নমক্কী পান্দম ওইনা চঙশিল্লক-লিবা পন্থংনম অমিগী ওন্নগনি। মসি শা, ঙা, য়েরুম চাবগী লায়নানি। ইতত্তত্তনা সুংঙাইহন্দবা অমা স্তুম শীবদা মকম অহু কেন্সার লাকই। মথগী ময়েং, খোঙউপ তোংবদা চিন্নগা (কোরন্) থাগংলক্লুনা শৌগৎলকইবা অহুগুয়া হকচাং মপুং-মপান্না কেন্সার ভোই।

এনোপেথী অমসুং হোমিওপেথী, কবিরাজশিংগী পান্দম্ করিনো ? মীওইবহু মাংহন্দবা মশা কনা লৈজনবনি। নারগা কনবা লাক্লবদি নীংথো কায়কন খোকপা দাক্তরশিংগী মনিত্তবা খোঙথাংনি। মতাং অসিদা থঙকম্ খোকপা অমনা মী অমা মখোঙ্-মথুং তেক্লো। থাইদগী হৈব্রবা দাক্তর অমনা মহুদা তৌজবা ওম্রসি তেকইবা শক্ল মচীন অনি অহু মকম চানা থগীবতনি, অয়েম্বা শমজিন্নবগী থবক অহুদি নেচরনা তৌজহৌবনি।

প্রকৃতেঃ ক্রিয়মাণানি গুণৈঃ কর্ম্মাণি সর্ব্বশঃ।
অহংকারবিমূঢ়াত্মা কর্ত্তাহমিতি মন্যতে।

(গীতা - ৩-২৭)

প্রকৃতি (নেচর) গী গুণশিংনা থবক পুম্নমক তৌজবনি। মাপম্না থুম্নংলবা মী অহংকারনা এনা তৌবনি খল্লবনি। হকচাংগী মপুংথা লৈবা মখল মখা অমাম্বা ইন্দ্রিশিংগী অমসুং তোংশা পুম্নমক্কী

থিংনবা পাঙ্গল অমস্যুং সেল মশাগী মপাঙ্গল অণ্ডকপা ফংনা লৈ‌রে। হকচাং অসি শেম্বদা কৃপ্পা য়েংচুনা শেম্মীরকপা অমস্যুং অকবা মওং মতাদা য়েংচুনা শেম্মীরকপদগী মীওইবনা পাঙ্গল অমস্যুং অথাঙ কনবা ফংজবনি। মীওইবগী হকচাং অসি থ্বাইদগী ভকপা মস্তুগদি মতোমদা কত্তরকপা, মতোমদা অচুম্বদা লাকচবা, চায়না চংচবা ভম্বগী ভমথৈ লৈতবা মস্তুগ অমস্যুং মপাঙ্গল লৈ‌রে ; মরী নত্তবা হকচাংগী শক্তক অমা ভেকপা, শোকপা, শেগায়বা হো-গায়বা, ভেক শোকপদা নেচরনা শোকইবা মকম অচুম্বা ঐ হেন্না থাজীন্দুনা অমস্যুং শেমগৎ-শাগৎনবগী পোৎচঙ অনৌবা থাজীন্দুনা য়ায়া ভকপ্রবা অমস্যুং কজপ্রবা নীয়ম অমগী মথাদা অশোকপহু মেরামত তৌই। মরীগী তোংশা কত্তবা য়ায়া থীনা হকচীয়া শোকবিবা নত্রবদি এনস্তোমোসিস্ (anastomosis) কৌবা থোঙচং অমদা মেরামত হায়রবি নৌহৌনা শেমগংলি। মশাগী মাঙপ্রবা থবক অহু হনজিনা তোজবা ভমরে। তাংইবং মীনা অমুক নৌহৌনা শেমদোক্রব' ঈশ্বরনা মাগী থবক অমতা শেমলমদে হায়বসি পুন্সি চুপ্পা কাউবীগনু। অমনা, হকচাংনা মহাকী পাঙ্গল থগ্না নিতিগী শীজিন্নথোকই। অহুগা তোংশা থমনু (মসল্না মরু ওইবা) শীজিন্নথোকই। ইন্দ্রিশিং অমস্যুং ঐ, লিঙ্কমচিংবা মগী লাঙবা পোংশকনা অনৌবা থবক ভম্বগী পাঙ্গল শাগৎলি অমস্যুং অনৌবা থবক ভম্বগী পাঙ্গল পী। মসিদগী থোকপা থবক ভম্বগী পাঙ্গল মাঙশিনবকপা, সেল থুগাইরকপা নত্রপা লেন্নী তোংশা শিজিন্নথোকপা অহুগা কন্ত-হৌদি কয়া পৌশিন্নকপদা

হেমন্ খিন্নুনা ভুমদবা য়াদবা বাকম অমা লাকই। হকচাংগী অমস্তুং থন্নায়গী ওইনা চঙদবা য়াদবা মওংদা অমুক হন্না শাগংপা অমস্তুং থন্নায় অমুক হন্না হনগংহনবা খোঙচং পুম্নমক অদু ভুমইদৌদা পাঙথোকচ। ভুমলিদৌদা অরোইবা মওংদা সেলশিংদা চীঞ্জাক পীবগী থবক চংখে। মসিদা হকচাংগা হকচাংগী মমুংদা চংলিবা খোঙচংকা করি মরি লৈ হাযবসি খুদম মশাং নাইদনা লৈবগী মমুংদা অমতনি।

মসিদগীনি শোক্রেটিশনা "নঙগী নশক খঙজো" লাউথিবা থবক্তী, সমাজগী লম্নোন ইতিক্তী জান অসি নক্লনা থানা-শেং-নবা য়াদনা লৈগ্রবস্তু মীওইবগী মশা অমস্তুং মশাগী মমুংদা চংলিবা খোঙচং অসিগী মবমদা থঙকম থোকপা জানদগী হেন্না লুনা ভান্কম্ থোকপা অমদি লৈত্রে। হকচাংগী খোঙচং অসি থোইনা লুবা নত্তে, থোইনা ভুকফম থোক্তে। মীওইবগী থ্বাইদগী মক্ল ওইবা তমগদবসি মীওইবা মশামক্তী। পুক্নিংগী অথুপ্পা মরম খঙবীদবা য়াই। থন্নায় করিনো খঙবীদবা য়াই। অদুবু চাওখংহনবগী ফিভম অয়াম্বা ঐখোয়না খঙবা ঙমই। মসি ফাওবদি মীওইবা ঐখোয়না পামকম থোকই। মশানা য়ানা পামজনা মাঙহনবগে হায়বা মী অমা ফাওবা য়াওদে, তপ্রগী পঙবদগী থোকপা ভাকনি। পঙবসি জগংকী ওইনা চংগ্রবরা? খুদোং থীবদ ওইশিল্লকপা, কাম্নদবদা চঙশিল্লকপা অসি অপঙবদগী, খঙদবদগীনি। য়াম্না খুং চঙবা বুদ্ধি চঙবা মেচিন অমা শেম য়াম্না পীল্লুনা লৈকয়না শীজিনবা হৈতহ্নুসা মাঙহনবগুম মীওইবা

ঐখোয়গী হকচাংবু মাঙহল্লিবসি ইকাইনীঙাইনি অমসুং খ্বাইদগী অরাবা অমসুং মাঙজবান। ঐখোয়গী এড্রুকেসন অসি পূরক্লান ল্লানগ্রবনি। স্কুলদা কাম্নদবা লাইরিক পুবদা অঙাং অম্নাম্না মরেং পৈরে, চাওজন্ খীরে। এনাতোমী, ফিজিওলোজী অমসুং হায়জিন পোকপদগী তম্বীগদবনি। অহুগা মপুংদনা জান চপ চানা তাহল্লগা অফবদা হৈনবী লমচৎ কম্না লেপশিল্লনবা তম্বীগদবনি। মাহুহনা হকচাং ফবা, থবক তৌবগী পাঙগল পীহনা মাইল লিশিং লিশিং শাংগ্রবা মীওইবগী পুক্নিংগী খোঙচৎকী অহানবা খোঙকাপ ওইহনগদবনি। মশাগী মরমদা হেক্লা থল্লবা তমলবা, মশামশক খঙজরবা, মশাগী ইন্দ্রি পুম্নমকী মওং মতৌ অমসুং পাঙথোকচরীবা খৌওং খঙলরবদি অনাবা হেক লাকপদা অনাবা মশক মওং খঙলগনি। মশানা অহুগী ছইশাম তৌহনা লৈজবনা হেক লাকই লাকইবা অনাবহ্ খঙহনা চঙহন্দনা থিংহনা থম্বা তমগনি মপা মপুদগী অশোনবা ইন্দ্রি লৌমক্রবা নক্লগা লায়না পক্রল্লবসু তম্না মহাক্না চেকশিল্লহনা য়াম্না নৌবা কহল্লবগী খুদোং চাবা কংহনা সুংঙাইবা, পুক্নিংবা, পুক্নি অমা লেপশিল্লবা তমজগনি। খুদোংথীবসু খুদোং চাবদা ওথোকপা তমলবদি তপ্লগী মবুদ্ধি, চেংনা মীংবা, মথৌনা অহম অসিদমা পীরকদবা মল্লনি। অস্থুক চাউগ্রবা ভাইবং মাদং অসিদ মতে মিৎনা উবা হুমিং থা কাওবা মহৌশাগী নিয়মদগী খোঙকম অমা কায়দনা চংলি। অনাবা পুম্নমক কেজাবসু অহু মতাই মহৌশাগী নিয়ম কায়বগী লাকপনি।

ঘী, থাও, শা, ঙা, য়েরুম হেম্না চাবদগী মী অসি মী মাগ্রে, মপ ২ লুপ্পা মীনা লমতাও অসি থমগ্রে। মখোয়গী মশা অহু অনাবা অমা নত্রগা অমা নত্রগা অনাবা দরন অমা লৈরবনি। অনৌবা মওংগী সেল কয়া শেমগংককই। অশোনবা শিকুম-নাকুম ভোরবা কয়াম্বু য়াওরক্লে। সেল অসি ইত্তত্তনঃ মরাই ভাবন-বদগী কেন্নার লাকপনি। হু পুম্নমক, সুমিংকী মচান, ভত্তনা স্থ্ম স্থুংঙাইহবা পীবা, মৈনা চাকপা, থাচ-ভেন্না শোকখিবা, মহৌক-মতাং, চুরুপ বেড়ী টার (tar) অসিনচিংবা মাঙন-তাক্লবা ওইবা পোংশক অমম্বুং শোনহনগ্রবা মকম কয়াদা সেলগী শককম হোংহল্লি. থবক ঙমহন্দে, টারদগী লোবা সেকারীন হোয়না শিজিন্নরগা ঙাদাবগী কেন্নার ভোই। চুরুপ বেড়ী য়াম্না থক্লগা থবোম্মীগী মথক থংবা মচীন্দা কেন্নার ভোই। য়াম্না শাবা চাক চাপীনগ্রগা পূরী কেন্নার ভোই। মপ, শা, ওকশা, ঘী, থাও, নস্ত-কত্তবা চীজাক ময়াম অসি পঙচাদা চাপীজগা কিনো ৮০/৯০ লুপ্পা মীভাশিং অহুগী মহৌশাগী ওইনা লাকপা মোয় পেনহনবা পোংশক নত্তবা (un natural nutrition) পোংশকশিং অসিদগী লাকপা মরাই ভাবরবা সেলশিং অহুবা কেন্নারগী সেল ওল-হল্লি। চাবদা লাল্লবা মীওইশিংনা হু চেচবা চীজাক, ইত্তত্তবা স্থুংঙাইতবা পীরবা, ইক্রি পুম্নমক থবক ঙমজবা মশক হোংগ্রবা সেলনা থম্না লৈ। শককম হোংগ্রবা সেলশিং অহুগী থবক হোংগ্রে। থবক হোংগ্রবা সেল অহুগী শককমদু হোংগ্রবনি। নীংথৌজনা মপুং ফানা চাওথংলবা অমম্বুং থোইদোক হেন্নোকপা

মতৌ, ইপকন বোক্পগী ম্যোইরবা সেম অমত্তা কেনদ্র সেম ওয়রে। কেলাব সেক্ষ্নী মবক্কি—অহেইত্রোমেন মাংওবা পোং থিবা অহানবা ম্যোইরমগী চাংথোকপনি। এম্বিংবা এসিদ পুম্নমক মুনখনি। ম্যোইনৌগী মবুক মাং থাকপা এম্বিংবা এসিদ পুম্নমক, হকচাংদা হেক ইন্দ্রিয়শক্তি সোংথোকপনি। মহুদনী অশোৌবা নাইবা চাওথংবা নাইবা সেম অসিনা চুম্নগী মকবা সেম অসি শীথিজ্রবগা মথোয়গী মচুরো থাক্তবা শোংশক সোৌবোকই। কেলাব সেম অসি মহাওসি হেনা, ডিতৈথিরবসিংদি থাংসি। চাবা থাংবা মকমদা কেলাব ভেঁদে। অহানবা থাবক্ত থাবদা য়েদনীং কাচ থবা মতমদা কেলাবনা শঙশি শিদে। য়েদনীং থাদোকপদা কেলাব মথীং হেনশংলকই হায়। মশিংখুবদা লাস মথাওদা কেলাব শঙৈদ সৈরবদে। লাস মতুংনদি চাবা-থকপা মরাং থায়রবা মতমদা শা, মু, চুকই হেনশংলকপা অসিদা কেলাবনা নাঁথবা অমসুং শিনখিবা মথায়া থকখীবি।

কেলাব হায়বসি সিডিসাইকেলনগী লায়নানি। সিডি-সাইকেলনগী মথোৌবা থাকা চঙশিনম্নবা লোংশোক লোংখুগী সৈথাক অমিগী থা খুনসি। অসোন অমসুং আথোৌক্তা হুমবা সৈথাক অমি অসি হিরন কথাদা থামথ্রবা সৈথাক্কি। ইটৌনা হাইশংবা চাওথংবা সৈবাক্কি। কেথিকেমা থাই চাইরমগী শীথিরবা থাদে। চাবা হেথিনবা থাদে। হেন্না, [illegible]
[illegible]
[illegible]

চাকখাওগী কেন্সার অসি জাপানদা থ্বাইদগী হেন্না নাই। অদুগা আমেরীকাদদা চাকখাওগী কেন্সার থ্বাইদগী হন্থনা নাই অদুগা আমেরীকাদা খীরিন্দা (colon) কেন্সার তোবসি পৃথিবীগী মমুংদা থ্বাইদগী হেল্লি। অদুগা মসিদনা জাপানদা থ্বাইদগী হন্থনা নাই। অদুগা আমেরীকাদা এন্দোক্রাইন্ ওর্গানশিংগী কেন্সার থ্বাইদগী হাইগংনা লৈ।

খোমগী, ইউটরস্‌কী, অণ্ডাং খাউগী কেন্সার মুপীদা নাই, মুপানা প্রোসট্টেট গ্রন্দগী কেন্সার তোই। পুম্নমক অসিদি জাপান্দা লৈতে। অদুগা জাপান মচানা আমেরীকাদ' খুন্দাখিবদা আমেরীকা মচাগুম্ন' পূক্কী কেন্সার তোদে। কোলোনগী এন্দো-ক্রাইন্‌গী কেন্সার পল্লকই। হৌজিক কাওবা জাপান্দা চান-রিবসি— মনা-মশীংগী অমেংপা, ইরোনবা, অচার (pickled vegetables) অদুগা ঙা অসি মৈ অমস্তুং মৈখুদা মাইরগা চায়। মসি পুম্নমক অসি "কাসিনোজেন্" অমস্তুং কেন্সার তোহনবদি নত্তবা কেন্সার পোকহনবা পোংশক পোকহনবা পোত্তা ঙাক্তনি।

মী অমন চাবদা চঙইবা কেলোরী অসিগী তথাইদি চেঙতোগী চাকনি; চনাং হেন্‌মন্না চাবদি পুক্কী কেন্সার তোহল্লি হায়ন। থিজিনবা কাঙবু অমনা হায়নরকই। মৈতৈ ঐখোয়না পুক্কী কেন্সর তোগন্‌বা অসি জাপানগা চীজাক মান্নবননি। আমে-রীকাগী চীজাক অসিনা পুম্‌ণন্ ওমগে। আমেরীকা মচা অমনা চাবদা চঙবা কেলোরী অদুগী ৪২/৪৫% দি মহাওদগীনি, মণশা-ঙ্গী শাবুগী মহাওনি। জাপানমসি ১৫/২০% দগী মহাও চায়।

য়িহ্রাচ´না ভাকপদি য়াম্না থীনা রিফাইন্ তৌরবা মহৈ-মরোং (Cereals and grains) চেঙচৌ, মোইদানচিংবা শীজিন্নবদগী ১ম্থং মনা মশীংগী মশিং-মরাং য়াওদবদগী তুমদবা, মাঙথোকহন্নবা পোংশক বাংপদগী কত্ত হৌদি অমাংবা কোলোনদা পৈশিন্দুনা লৈবদগী লৈকম থোক্তবা মহীক মতাং কয়া পোকহন্দুনা মাহু-তনা কারসিনোজেন কেমিকেল পোকহন্দুনা কেন্সার হৌহল্লি। উগন্দশিংদি মহৈ মরোং রিফাইন্ তৌদনা চাবনা কেন্সার কেন্সার তৌদে। ডক্তর উইন্দারনা হায়বনা মনা-মশীংগী মশিং মরাং য়াওদবনম্থু নত্তে, শুপ্নগী মহাও অসিগী তুমগ্রগা থোরকপা শক্ক অহু মশিংথাগী এসিদ্ অমস্থং কোলেষ্টরোল শেমল্লকপা কারশিনোজেননি। কোলোনদা লৈবা মহীক্না কোলেষ্টরোল অমস্থং বাইলগী এসিদ্ অহু "ওইস্ত্রোজেন" গুম্বা কারসিনোজেনদা ওন্থোক্লুনা ওস্ত্রোজেন লৌশিনকম্ ওইবা ইস্ত্রি থোম অমস্থং অঙাংথাউদা কেন্সার তৌহল্লি হায়না হায়। মহাও অসি য়াম্না চামল্লবদি নুপীগী "হোরমোন্" অসি হোংহল্লি। আমেরীকাদা লৈবা জাপান মচাশিং অহুগী হোরমোন্ অহু জাপানগা মায়দে হায। আমেরীকা মচাগা মায়ন্ত্রে হায়। অহুনা মহাও, থাও, ঘী য়াম্না তৌহুনা চাবা মাঙথোক্লবা মশিং-মরাং য়াওদনা চাবনা, থীরিন অমস্থং এন্দোক্রাইন কেন্সার তৌই। মনা-মশিং চা বদবা ঘী থাও চাগনুবা ইনাক খুনবগী মচা মশুনা লায়না অসি নাগল্লি হায়বসি ঙৈথোয় মৈতৈগুনা থোকইবনি। জাপান অমস্থং আমেরীকা ২ গী দশা অহু এথোক

মৈতৈগীদি পুন্না ত'ই। কেন্স'রগী হৌকপগী মরমদা তাঃ ষ্টইন্দারনা হায়—অপশা ওইনা পাল্লবা মুয়াপ অসিদা হৌজিক ঐখোয়না চাবিবা চীঙ্গাক মতা অসি ঐখোয়গী হৌচাংনা শিংন্দাক পিন-জিন তৌরগা হৈরমঃগ্র। ঐখোয়না মহাও য়াওবা কোলেষ্ট-রোল য়াওবা পোংতা চ'নৌ:ই। চীঙ্গাক শেয়া'র কাঃচুনমু অমি অসিদা হাইগংনা য়াওবা পোংশক্কা পুখোকই। হার্ট দিজিজ, য়নপ্রেশর. কিন্নি লিভরগী কেন্সারনচিংবা অহুপা অম-খোমদা মহাও, কোলেষ্টরোল য়াওরবা চাবা অমি অসী মরক্কা অপাম্বা থক্কবা তাই। মহাও অমসুং শা, মেরুক চাগেরা অহুপঃ অশংবা মপা-মপাঃ হৈ চাগেন্না হায়বা থক্কবা তাবনি। হৌজাং কাংগ, নারোই, কম্না লৈংগ হায়রবদি মহাও তাখৌ, কোলেষ্টরোল য়াওবা পোং থাবোকপিয়ু। মপপ, ওকপাগী, মহুং চ'বা শিনবীয়ু। মনা-মপাঃ হৈ য়ান্না চাবিয়ু। চেঃকৌ, মোইদা থাদোকখীয়ু, চনাং য়ান্না চবিগনু।

আমেরীকাদা ১৯১৫ দা কেন্সারদগী মী ৩৬৫,০০০ শিখি। মেকেও ৯০ দা মী অমমম শিখি। আমেরীকাগী মী ৪/৪ গী মচুংদা অমদি লায়না অসিগী ম০' অমা নত্রগা অমা নাবনি অহুগা মী ৩কী মরক্কা অমদি লায়না অসিনা শিগনি হায়না হায়। কমবা হিদাক থাবি, থিংনমম বিরি। কেন্সার তৌরে হায়বা থওবা মুখিতগী চহি দেগী হেন্না পুজিবা য়াওজি। অহুমু ঐখোয়গী হিংলিবা মহিং অমসুং লৈরিবা মবৈদগী লাকপা ঐখোয়গী লোয়বদা লায়রবনি। অহুনা ঐখোয়না থাদোকপুর

ফমই। কেন্সাৰ অসি ৯০% দি ইশ ইশানা পোকহনবনি (in-duced), নাঙ্গৱনি। লা'বক্তা তমখিবা অমা ওইনা লৌবিগনু। ঐখোয়গী থবক, ঐখোয়না চাব থকপদগী পোকপনি।

চুরুট, বেড়ী য়াম্না থক্লগ থবেম্নীদা কেন্সাৰ ত্তোই। য়ু য'মু থকপা, ভর্দা চা'বদগী য়াগী, নৈগী কেন্সাৰ ত্তোই। গুংশাদা লেমনাবদগী চীনবান্দা কেন্সাৰ ত্তোই। থকপ-চাবগা মরী ইবৈ নৈনবনি। থৱদং থেনোক-থিজিন ত্তো'ননা চা'ব য়াই-য়াইদে চেনগী মচঙ্গা খোংদবা পো'ত্তা চাব হৈনৱগা কেন্সাৰ ত্তোরাই পিশনি য়'মুম হে'ৱনখিৱবদি চৰা হেনবা অহিবন চাবা, ... চা-স্নাকপা, শংকৰ বাকি (চংগকপা) অসি কেন্সাৰ পিবা অমসুং কহন্নবগী ৱাইদী হেনবা নায়ংসু ওইগনি।

থোংদগী মনা-মশীংগী মহী —

মনা মশীংগী মহী থকপসি থ'য়নদা হৌনা হৈরবস্নু হিদাক্কী ভাব্তদা মণিপুরদা শীজিন্নরকই। পেরুক মহী, কমপ্রেক কোলমনি মহীনচিবা হ য়বদি পেরুক্তা খে'ঙ হাম্বদা, কোমপ্রেক মহীনা ঈশিং চক্রবদা, কোলমনিনা হূ চম্বা হায়বদি কেগে মকণুম্না চাক্নরগা কোলমনি মহী থকপদা হেক্তা নৈ। অসুম্না খুঙ্গুমহেৎরে অমসুং কোকন মহী থকই। পৌজিক্কী জগৎ অসিদা মনা মশীংগী লায়য়েং (vegetable juice therapy) চিঙ্গাকী বৈজ্ঞানিকশিংনা চথরকই। হৈনসু মনা মশীংসু ঐখোয়গীদমক অফবা চিঙ্গাকনি। মরমদি অসিসিদা

ভিটামিন অমসুং (mineral) থুমগী মাং য়াওই। অদুনা নোয়ংপ যাহল্লি। হৈহ মহৌদি হাউই, করিগীদমক্তা হাউভবা মনা-মশাংগী মহৌ থকদোরিবনো? পাউপুম অসিদা য়েনা পীজনীংবদি মহৌ মাং অনি অসিনা য়াওরিবা পোংশক অসি করি থেম্রবগে য়েংবিয়ু। কমলা, কিহোম, নবাব, এপল, অঙ্গুর - অমরোমদা গাজর, সেলেরী, পালংশাক, বিট, পার্সলী, ভিটামিন্না এ, বি, সি, জি — থুমদা কেলসিয়ম, আইরন, ফোসফোরস অসি মনা-মশাংদা চাং কয়া অদুগা হৈহ মহৌদনা চাং কয়া হায়বদু উংবীংই। মখোয়শিং অসিগী মহৌ গ্রাস অমমম লৌবদ ভিটামিন 'সি' দন্থ মনা মশাংন' লেপ্লি। ভিটামিন 'বি'দা শকক অনি লেপ্লি। 'জি' দনা শকক মরি লেপ্লি। থুমদা ফোসফোরস না শকক অনি কেলসিয়মদা শকক অহুম আইরনদা শকক মঙা লেপ্লি। ভিটামিন 'এ' দদি চাংদম্নবগী ভাব নৈতে। ভিটামিন 'এ' অসিদদি শকক চ'মা লেপ্লি। মনা অশংবদগী অমসুং গাজরগী রাকমদা হায়রবনি। অদুগা বিট অমসুং অতোপ্পা মরু পানবা মনা মশাংগীদি অদুগা সেলেরী অমসুং মউ অমসুং মনা অতৈদদি নৈহদগী হেনদে। চাংদম্নবসিদা থোইদোকপা থনবিগদবা রাকম অমদি অতোপ্পা চিঞ্জাক অতৈদগীদি নৈহনা য়াম্না হেন্না ভিটামিন অমসুং মিনরেল য়াওবা লেপ্লি। হৈহ মহৌশিং অসিনা ভুম্বগী থবক চঙদে, ঈদা হেক্তা পন্দনা চঙখিহনা এনর্জি পীবা হোই। অদুনা অঙ্গুর চরোং অমা হেক চাবা, কমলা অমা হেক চাবদা পাঙ্গল হেক্তা কনথংলিবা অদুনি।

হৈ মহী অসিদা য়াম্না চবা মশোপাগী ওইবা চিনি য়াও-
বনি। অতোপ্পা পোংশক অমনা ওর্গানীক কুড্ এসিদকা
য়াওবনা প্লাইদগী হাউবা পোংশক হায়বতু হৈনা ওইরিবনি।
মৈশানা অমত্তং ওক্সিজেননা ভিটামিন 'সি' মাংহনবা তৌবত্তু
হৈগনি এসিদ অসিনা মাংহনদনা' কল্লি। অমনা মনা মশী'না হিংনা
চাবদা কংবা ভিটামিন 'সি' অত্তু হৈদি পোংদোক ফুংতোকদবস্তু
নত্রগা টিনদা হ'ল্লবস্তু ভিটামিন 'সি' অসি মপাঙ্গল কল্লা অত্তুম
লৈ। খামেন অশীনবসি য়াকথ অসিদদি হৈ ওইনা লৌবিয়ু।

থৌজিক্কি হৈ মহী, মনা-মশীং মহী অনিসিগী চাংদম্নদা
মুক্কম লৈজরে, অত্তুনা মথোয় অসিগী মমুংদা য়'নবা অমস্তং চাম্নদা
অনি অনি ভিন্নশিন্নবদি ভিটামিন (mineral থুম হেনগংলরে।
হাওবস্তু চিংথংলরে। অত্তুনা মনা-মশীংগী মহীনা হৈগী মহীগা
ভিন্নরবদি ভিন্নদা হান্না হৈ মহীন্তু ভিটামিন হেন্না লৈরে।
মন'-মশীংগী মহীদগী ভিটামিন 'এ' য়াম্না কংলবনিনা ভিন্নবনা
কয়া কায়রে। পাশংসাক মহী নত্রগা পাস'লী মহী চা-চামচ
অনি হাপ্পুনা হৈ মহী থকপদা ভিটামিন 'এ' ডবল হেনগং-
লনগনি। হৈ মহী অহাউবা অত্তুদা মনা-মশীং হাপচিনবদা
মিনরেল সোল্ট কয়'স্তু ফজনা হেনগংহল্লি। অমমা মনা-মশীং
অসি লৈহাও মথন মথলদগী লাকপনিনা চিঙাকী মঙ্গল য়াম্না
কংনিংবা কয়া লায়না কংবা ঙমগনি। (১) গাজর মহীগা
কমলা মহীগা চাং চপ মান্ননা ভিন্নবা, (২) থবী মহীগা কিহোম
মহীগা, (৩) বিট মহীগা কিহোমগা ভিন্নবা, (৪) পাস'লী শরুক অমা

পাঙ্গংসাকনা শরুক মরি কমলাবা শরুক মচা য়ান্নব', (৫) মন'-মশীংগী মহীগা হৈ অমতগী মহীগা তিন্নবা - হৈ মহীনা শরুক অমা মনা মশীং ময়'মগী মহীনা শরুক অমা. (৬) হয়াই মকু চাবী মহী কপ তহ্নাই, কিহোম মহী কপ অম', সেপেরী কপ তহ্নাই, মোরোক অতেকপা মহী তহ্নাই পূতীনা (মুশিহিদ'ক) খৈয়োই অচৌবা অমা, (৭) বিট আ: ৩ কবি আ' ১ কিহোম মহী আ: ২, (৮) গাজর (কেরোট) আ: ২, বিট আ: ১, সালগম্ আ: ২ (৯) হঙ্গাম সলাদ্ সেলেরী, পাঙ্গংসাক গাজর চাং চপ মান্ননা মহী থকপা ।১০ কেরাট গাজর। আ: ৬ হঙ্গাম সালদ্ আ: ৩ কমলা অনিগী মহী, হেকুম গী মমুং, খোইহি চামচ অনি পীজবিবা অয়ানবা মহীশিং অসিগী ফোর্মুলা মুন্না শঙবিরগা য়ানবিয়ু। থ্বাইদগী ভিটামিন অমসুং মিনরেলনা মপুং ফাহল্লবা মহীনি। খুদক খুদক্তা শেম্লগা শিজিন্নবিয়ু।

ঈশিং থকপা

মী অমগী মশাদা লৈরিবা ঈশিং অসি হকচাং অপুম্বগী চামা থোকপগী ছুম্ফ মচানি। অহুগা চাউখৎলকইবা অচাং অমগীনা চামদা ছুম্ফ তরুক মথায়নি। হকচাং কনবা অমসুং মী মী অহুগী য়াইকনবগীদমক ঈশিং অসি চাং চানা থমফম থোকই। থ্বাইদগী ঙকপা অমনা য়া শরুগুবা অকনবা, কনশিল্লবা মপাংগী ওইবা পোংশক অসি ঈশিং য়াম্না য়াওই। য়াদা চামগী মমুংদা ডরাদি ঈশিংনি। শরুনা চামদা তরাহুমদোইনি। মসল্ পুন্নিবা

মহী মতাংশিং মখোই চাথিদা হুক্কুতরা তরেংনি। মসম্ অমিসুং ছফ তরা তরেংনি। খোপ অসি ঈশিংনা চাথদা হুক্কুতরা মতাকি।

হকচাংদা মহী লাগবা ওইনা লৈরিবা মশিংখা, পানি-ফিয়াতিক জুইস, গেস্ট্রিক জুইস, ঈ, লীম্ফ তিপ ঈশিংনা চ'মগী মপুংদা মরিযুতবামরিগী চাংচংনি।

চাবা ফংদবা মীগী ইন্দ্রিয়গীদি মীংথিয়রনা নোয়-পেনবা মী অমগী ইন্দ্রিদা ঈশিং শক্তক অসি থরা তাথনা লৈ। মীনা হিং-ঙবসি ঈশিংননি। সেলনা থবক তৌরিবসু ঈশিংননি, সেল্সি ঈশিংদা লুপ্তুনা ডাগুয়া লৈবা ডাক্তনি। নোংমদা মপুং মরে কারবা মীওই অমনা চুমগী মপুং ফাবা চরা অম নোয়-পেনবা চারদুগী ঈশিং ফংলিবসি পাঃ মরিদগী তরুক মথায়রোমনি। চীজাক হোংল-হোংনা চারবা শাজেল, তৌরবা থবক কয়া শূরব, হৈথ্যা হেনবা অমসুং বাংপদগী চাংচং অসি খেন্নগনি। ঐখোয়গী হকচাংদা লৈরিবা ঈশিং অসি অথাং ওইনা, অর হোন্দোকপদা মনিল্ ওইনা, কিদ্নিদগী মুং ওইনা, অমাংবা ওইনা হকচাংদগী থোকথি।

থাইদগী মরু ওইবা রাফম অমদি হকচাংদগী থোকত্রিবা ঈশিং পুম্নমকী চাথদা কুনদি থম্বৌখীদগী মনিল্ ওইনা থোকথি হাযবসি অয়াম্বনা নীংশিংবিদে থনপু থনবীদে। হকচাংদা লৈবা মহী লাউথা পৈতংশক পুম্নমক্কী মরক্তগী শুপ্নগী ঈশিং থাগিদবদি চুমাথোকবগী শাক্সি লৈ। ঈশিং অসিগী মতেংমা

হকচাংদা য়োম-পেন্নবগী মচাক য়েন্থোকপা ঙমই। চীঙ'কী মঙ্গুংদা মহী লাওবা, মপং অসি চুপশীক্লিক্তৈগী মমাঙদা থোং-বঙুম্ পোপ্খোকহল্লি (desolved) ঈশিং অসিননা মনিন্ নত্তবা কত্ত-হৌদি পুম্মক হকচাংদগী পুখোকখি। মনিন্ খরস্থ অহুম মাওজখি। ইক্রিদগী থোরকপা কয়া পুম্মক্তা অমস্তুং মপংগা লোইননা মহী লাংচৰা পুম্মক মফম কয়াদা উনশা অপাবা মপ্রাম ফাওনা পীনরকপা থেন্থোমকপদা, য়োম পেন-হনবদা চঙবা থোঙচং পুম্মক ঈশিং ইয়াও মাওদবা ইয়া য়াদে। ঈশিংগী শরুক খরস্তু হকচাংদা গুই। হাইড্রোজন অমস্তুং ওক্সিজন অনি অসি পোংচঙী ওইনা তিনবা খুদিংদা ওক্সিজন চাকথেকপা (oxilation) খবক্তা থোরকপা ঈশিংগী শরুক্তী। মহাও অসি আউজ্জ তরা হকচাং মঙুংদা ওক্সিদাইজ তৌবা মতমদা হায়বদি চাকথেক্কুনা খৰও ঙমগী পাঙ্গল ওথোক-খিবদা এনার্জিগী মৈশা কার্বোনদাইওক্সাইদ (gas) অহুনা ঈশিং আঃ ১১ পোকহল্লি। মথক্তা পনখ্রিবা অহুনি, উচৈকী মরুম অসি মক্কুভুমিদা ঈশিং কংথ্রবদা থক্কুবা-পুরিবা ঈশিংগী শরুক্তী। লমশাঙ চংলকপদা মরুমহুদগী মহাওগী শরুক আউজ্জ তরা শীজিন্নথোকপদা হায়বদি চাকথেকখিবদা ঈশিং আউজ্জ তরা থুদক্তা শীজিন্নবা ঙংলে। য়ামা লৈজরিবা মহাও অহুদগী চামদা তরা হেনগংনা ঈশিং ফংলে।

মক্কুভুমিদা চংলিবা থোঙচং অহুদা মহাক্তা মরুক ঙমগী, পাঙ্গল শীজিন্নথোকপা অহুদা চাকথেক্লখিবা মহাও আউজ্জ তরা খুদিংগী

খুদকা চকুপদবা খুঃ তরা মাখোইগী ঈশিং হায়বদি মহাকী হায়া লৈরমনিবা মহাও মহৌদগী চামদা তরা হেনগংনা মশাবা পুখোকই। অহুবু হকচাংদা লৈরিবা ঈশিং অসিদি ঐশিং ওইনা থকপদগী অমসুং চিগ্নাক ওইনা চাবদগী লাকপনি।

হকচাংমক্তদা অকনবা (Solid) পোংশক ওইনা শাগংপা পুম্নমক ঈশিং ইয়াও মাওবনিনা এখোয়না চারিবা পোৎ পুম্নমক ঈশিং থবদি হকচাংদা পুশিনবিদবা থক মাওদে। হকচাংদা লৈরীবা ঈশিং অসিগী চাং হেক হোংবদা ময়ম্না লাইবক থীবা ফিভমদা লাকই। অম্ভূম্না দাইরিয়া, ঈতোন অমসুং কশেরাদা হকচাংগী ঈশিং অসি অয়োবীদা মাঙখিবনা ঈ পুম্নমক নঙশীজক্রে অমসুং মহী লাঙবা পুম্নমক হল্লহল্লে। অহুনা হকচাংগী থবক পুম্নমক হোংহনখ্রে। খর কুইনা অম্ভূম চথহল্লবদি হিংনবগী পাক্লম শোল্লহল্লে ; মথৈদা শিবা তাবনি। হকচাংদা লৈবা মহাও পুম্নমক থুনমক মখোয়দা লৈবা ঈশিং থাদোকই। মরমদি কেট নভবা মকম অতদা লৈবা তোংশাশিংদা লৈবা ঈশিংদি সেলগী ওইবা অর্গেনীক ওইবা পোৎশকা মরী নকুনা লৈ।

অহুগা তোংশাশিংনগীসু ঈশিংচু চিংখোকই। অহুগা অম্মুক হন্না মাঙখিবচু হাপচিনবীত্রবদি কুংশিনবাত্তনা (পাবা) লৈবা তোংশাবা মহুংশিন্নুনা ইল। ঈশিং মাওহ্রবনিনা ওক্সিজন সেন পুম্নমক-মরীগী য়ালনা ক্লান্দ-ব্রাহনা লৈয়ে। থবক তৌবা তমহ্রে অহুম্না ঈশিং অসি কয়াদা লুপ্রবা পোৎচঙংনা অহুগা হকচাংদা চকচঙ চঙদবা য়াদবা পোৎশক অমনি। অহুমদি ওইরগা

ঔশিং আসমক থবক ওথগ পাঙলগা থোকফম হৌরকফম নক্তে অহুগা হকচাংগী পোৎমাথ লৈবা অতুগী পোৎশক হোংলবস্থ নত্তে। থবাই অমম্ভু হকচাংনা থমদা চঙইবা অতৌম্বা কেমি-কেলগী পোৎশক হোংহনবগী থবক্তি ঔশিংনা পাঙথোকই। ত্রুথোরবা ঔশিং হেক থকপদা ত্রুথোরগী হকচাং থম্ভ মথ ঔকমথোকই হায়বা যাই। ঔশিং পুন্নক থোইরাম্বা চুপ-শীন্নি। চুপশীন্নবা মতুংদা ই অংদা ঔশিং অহু চঙগ্রবনা পাথোকহন্নি। অতুগা সেলশিং অকুনা হুপ্পুনা লৈরিবা মতৌ লাউবা পুন্নমক ঈমুন্থ পাথোকহন্নি (dilnte) চুমগী মশা লাচনা পুন্নমক ঔশিংগা য়াম্নথাইনবনা হকচাংগী কেমিকেল পুন্নমক, [chemical] পুন্নমক্তা পুখংশিং লৌশিনবা থম্বগী অমম্বা চাং অহুদা থম্বা অমম্মং লৈথোকপা ঙমই। ঔশিং থকপদা ঔচেল চেনবা হেনগৎহন্নি। অসিগুম্বা ঔগী ঔচেল অসিমক পুন্সি থবাগী অপোংবা ঔচেল ওইহনবী। মীপাকী ঔচেলস্থ হেন-হন্নি। ঔশিং হেক থকপদা ঔগী শক্তি চামদা ভক্তী চাংদা হেনগৎলি। অম্মুম্বা য়াম্নথাইনবা অসিবা অহুম হেনগৎনা লৈরমদি ঔগী শিরম (serum) অসি মীহুগা ঔ মশামক ঔগী মকম অম্বাম্বদা লৈরিবা কন্নবা পোৎশকশিং অহু য়াম্না থীংথনবা চুপশীন্নি। অম্বুম্বা হকচাংদগী পুথোকখিবদুনা ইত্রি য়াম্নবদি কিদ্রিন অমমং উনশা তাক-বা পুখিবন কঙ্গ (ই) দিনা পোৎচক (chemical) মরাম অহু পুথোকখি। অহুগা ঔগী তোক্তাব তোং-তানস্থ পাখংদুনা চঙইবা পোৎশকশিং অহুম অহুক্কী থওং মজো

অহুম্ব ঈশিং থকপনা চাউখংহল্লি। মহী লাঙবা পোংশক অসিনা হকচাং মনু'দা লুমখহুনা (লনবদ Specific gravity) লাক্লে। অহুদগী ঈ শেম্নবা ঈক্রিশি'দা কাওনা ঈ চেলহল্লগা ঈ অহু পাথোকহল্লগা মথোয়গী থবক অহুদা মতেং পী। অসুম্না হকচাংগী সেপ পুম্নমক্তা শীকম থোকপা পূম্নমক পীবি, অমস্থং শে'দোকপস্থ শে'দোকপি।

ঈ অসি পোংশক কাঙলুপ তরুক লৈ — (১) ঈশিং, ২) চিনি, ৩) পুষ, (৪) গ্যাস, (৫) সেল, (৬) উং নত্রগা কণ্ডংহৌদ অমোং অকায।

ঈশিং থরুনা ঈ অসি পাথহল্লগা বাউয়েল উনশা, কিদনি-রোমদা থবক কক্ষনা তৌহনবা ঙমই। ঈশিং যাম্না থকচৌল্লগা ঈশিং যাম্না চংলগনি হায়বা অসিদ, অয়াবা মাওইনা থঙ-ঙবনি অমস্থং থনজবনি। ঈশিংদ চংপ হেনবা নত্তে, মপংগী শক্রুক কয়া—ইউরিয়া, থুম, অতোপ্পা তুমগ্রগা লেমহৌবা উংকী শক্রক (ashes) মপান্দা পুথোয়কই।

ঈশিং অসিদা চীপ্পাকী ওইবা পোংশক কয়া তোংদা পুতুবা চংলি। ঈশিং খরদং থকপনস্থ চাবা তুমহন্দনা ঈদা লৌশিনবা ঙমহল্লি। অহুগা কক্তবা অনাবা, কান্নদবা সেলশিং অহু শেগায়হুনবা পুথোকখিবদা মতেং পী। অহুনা মেতাবলিজম্‌দা মতেং পী।

ঈশিং নীংথিজনা থক্লবদি থম্মোয়গী থবকস্থ ঈংথনা পাঙথোকহল্লি। ত্রেন্দগী থবকস্থ হেনগংহল্লি। হকচাং মনুংদা চখরিবা থবক পুম্নমক হেনগংহল্লি।

ঈশিং ময়াও কায়না হেক থকপদা মপান্দা কত্তু-হৌদি পুংখোকখিবা ঈন্দ্রিশিংগী থবক হেনগংহনবদ নত্তনা য়ম্‌ খোকপা গ্রেন্দশিংগী থবকসু হেনগংহল্লি। অদুগা মেভাবলিজম্‌ হেন-গংহল্লি। হকচাংন শীঞ্জিনবা য়াদ্রবা ভুমগ্রবগী মতু'দা লৈরেৌবা শক্লক অমম্বুং মপুং ফাদনা ওক্সিদেসন হায়বদি মপুং ফানা চাকংথক্তবা অসি হল্লহল্লি, অমম্বুং শেম্লকপদা থিংই। অদুগা ঈশিং থকপচনা মপান্দা পুংখোক শেংদোরকই। অদুনা হকচাং অপুম্বগী ওইবা থবক নৌংখিক্তন পাওংখোকহনবা মী অদুগী মশা অদু কনা অদুম থমবা ঙমই।

ঈশিং য়ামা থকপনা ব্লদ প্রেসার থবা হাউগংহল্লি। মসু মাঙন তাক্লবা করিস্নু ওইদে। কায়নবা ওই, মরমদি ঈশিং থকপদা হেনগংলকপ প্রেদ'র অদুদি তাহাকগী মীংকুপ থরদগী রানি। অদুগা ব্লদ প্রেসার হাইগংহল্লিবা হৌকম অদু মাঙহনগনি।

ঈশিং থকপনা অনাবা কয়া ফহনবা ঙমই। মসিদি অহৈবা কয়াগী রাকম্নি। অনাবা অমম্বুং লায়য়েং লাইরিক য়েংবিয়ু। অদুগা চুম্নগী মীওই অমাম্বদা মশা কত্তবা অমম্বুং অনাবদসু চৈশিং হাইকেং ময়াও কায়না পীথকউ। ঈশিং থকপনা ঈ অসি লাইলুং তৌবা হায়বদি মহী লাওংথোকহল্লি, হায়বসি লাল্লি। ঈশিং হেক থকপগা খোইরিন্দগী ঈশিংহু ঈদা হাইজৌনখি। অদুগা থূনমক কিদনিয়োমদা খোয়কই। হেক লৌশিনবগা খোমকপগা মাটম। মহনা ঈদা ঈশিং য়ামশিনবা নত্তে চুম্নগী

চামখোকপনি। ঈশিং নৌংথিগনা থক্লবা অহৃগা শা য়াম্না চাবা মীওইগী ঈ অহৃ কংশিল্লি, নপ নপ লাওই (viscid) অমত্ত অকুংবা ঈ অহৃ শিংলিবা চংশা মতমদা য়ংম্না য়ানা চংসি। হার্টকী থবক হেনগংহল্লি।

হার্টতা অরাবা পী। প্রেসার হায়বহৃ মথায়মগী হোই। ঈশিং থকপনা কংশিল্লিবা ঈ অহৃদগী মপং, ফত্তহৌফিশিং অহৃ চামখোকখিহৃনা পুখোকখিবদগী হার্টকী থবক হন্দহল্লি। অমসুং ব্লদ প্রেসার তাথহল্লি।

মশাগী ঈ অসি চামখোক্লবা, ঈশিং মরাঙ কায়না থক্লবা মী মশাং নাইদনা লৈ। মখোয় অহৃ মশা কনাংলবদি পুং খুদিংগী ঈশিং গ্লাস অমমম তুমদনা লৈবা মতমদা থক্লবা লৈবা কৈ। (অমুক পুং ৬ দগী মুখিদা পুং ৮) অহৃদগী থবা থবা তাংখৎনা গ্লাস তরূক, মিপাল ফাওবা থক্লদবনি। অহৃগা হৈ মনা-মশাংনা নম্বা চাবা মীওইদি লোংমদা ঈশিং গ্লাস ৪/৫ থক্লগা ওকই। শঙ্গোম নক্লগা এক্লাং মহী য়াম্না শীজিনবা মী অহৃস্থ পৌরা ১/২ দগী তাথনা ঈশিং থকনি। শঙ্গোমদি চাবদা তরাহমদোই—মপংনিনা ঈশিংগী মচুং শিনবা য়াদে। পুক্লা হেক তাবদা মপং ওল্লিবনি, কমইবনি। অহৃমা শঙ্গোম্না ঈশিংগী মচুং থক শিনবদি য়াদে। শঙ্গোম তাক্লা থক্লনা লৈবা মতমদদি ঈশিং থকপীপমু। অতোপ্পা চীগাক চাবা মতমদদি অমুক হেক হৌগংলকপদা ঈশিং গ্লাস অমদি থকপমু। অহৃগা করিগুম্না মতমদা পুক অসি পোংথাহল্লুনা থমদবা য়াদবা মতম লাকই। মহৃগী মতমদদি করিগুম্বা পোং

অমতা চাদবা, ঈশিং মরীক অমতা পুক্তা তাহন্দবা তাই। এনেমা তোহনা অমাংবা লোখোক্লগা অয়ুক থীরিন্দা ঈশিং কাঞ্জিন্দুনা থম্লগা মতুনা হকচাংগী ঈশিং ওইনা ওক্লবা শীঙ্গিম্নহনবা য়াই।

ঈশিং অঈংবা থকপা — ঈশিং ঈংবগী চাং অসি অয়োকপা। ঈশিংগী চাংদা লোৗগনি। উনদোনা ঈংবা ঈশিং থাদোক-পীবু। দিগ্রী হুক্‌ হুক্‌ হরাগী মবক্তা লৈবনা খ্বাইদগী হৈ। যাম্না ঈংবা ঈশিংদি চুপতুনা থক্কনি। অক্রুম্না, নাবা থাংবা য়াদ-বদা, গেন্থীক এসিদ য়াংনা লৈবদা কাইগ্র। উন মঙী থাওবা ঈশিং থক থকলোইদবনি। মসিনা পুক্লী ভুম্নবগী পাঙ্গল অনু মথক মথা ওনহল্লি। ঈশিংদি থঙ্গোংইবা মখ থকপা য়াই চাকু চারিঙদদি যারিমখৈ থকপীগনু। মাংবা য়াদবা মীদি নায়ুক হৌগংলকপদা ঈশিং গ্লাস অনি তুম্মমদাইদা গ্লাস অনি থক্কনি। অহুদগী অয়াম্না মতমদা ঈশিং থকপা হৈনত্রি ফাওবা মরক মরক্তা ওইনা গ্লাস ৪/৫ থক্কনি। লাইহৌ অসি দিগ্রী ২/৩ হেনগংনা লৈরবদি ঈশিং অঈংবা পুং খুদিংগী গ্লাস অমমম পীথক্কনি। অকনবা লাইহৌদদি দিগ্রী অমা অনি কাদ্রিবা ফাওবা ঈশিং চামচ অমমম মিনিট খুদিংগী ইন্দুনা অনাবমা লৈগনি।

পুক্তা অশীনবা বাভুনা (চাকপুম কায়বা) ভুমম্রবদি চাক চাগদবা পুংখায় অমগী মমাঙদা ঈশিং অঈংবা গ্লাস অমা থকপনা পুক্নী এসিদ অহু খোকহন্দুনা চাবা ভুমহনগনি।

ঈশিং অশাবা থকপা— চকখাওদা চৌকপা নাবা ফাওরবা নস্ত্রগা করিগুম্বা পুংঙাইতবা ফাওরবদি ঈশিং অশাবা থক্কদবনি। অশানবা কাবদস্ন ঈশিং য়াম্না শাবা থক্কদবনি ; চাকখাওদা অশানবা কারকপা মতুংগা লোয়নবা পীস্তুম, লাইবক, মীং চৌক্র-বদি ঈশিং অশাবা গ্লাস ৫/৬ অমুক্তনা থকচিনগা খোনাওদা খুদোনবী খিনজিন্দুনা লোইনবা ওথোকপিয়ু। অতুগা ঈশিং য়াম্না শাবা থরা থকচিনবিবগা ওথোক্তনা থমবিয়ু। মিনিট থরগী মতুংদা চাকপত ফজখিগনি। পুক চাথংপদা করিগুম্বা কালদা অশাব ঈশিং থক্কনু। গেহৌক এসিদ থোকপা বাংলসা অঈংবা ঈশিং চাক চাগদবা পুংখায় অমা বাংলিক্তৈদা থকউ হায়বা অহংগুম্বা এসিদ য়াম্না পুক্তা লৈরবদি ঈশিং অশাবা গ্লাস অমা চাক চাগদবা পুংখায় অমরোম বাংলিক্তৈদা থকপীয়ু।

ঈশিং অশাবা থকপা হায়বসি, ঈশিং অশাবা থোম্বা, ঈশিং অশাবনা ঈকুজবগা চপ মান্নবনি, হক্না পীরকপা থবক মওং (reaction) য়েংগদবনি। মরমদি ঈশিং অশাবা অসি ভুক্ক-বগী ঈন্দ্রিদা হেক চঙখিবগা অগুবা মতম থরক্ত নত্তনা মখোয়গী থবক অহ্ শোক্লহল্লি, তাথহল্লি। অঈংবা ঈশিংনা অহানবদা শোক্ল-হল্লি, মমৈদা হেনগংনা থবক তৌরকই। অতুনা উনশা থঙদে, হাউ থোকপা উনশা অপাবা মগ্রামদা থঙদে ময়াই কাহনবনি, মমৈদদি স্তুম শোক্লরকই। তোনিক নত্তে এতোনিকনি। পুক্কী থবক পুম্নমক হক্লহল্লি মমৈদা পুমলেপ লেপহনবা য়াওই।

গেস্ট্রিক জুইসকী মনুংদা য়াওবা প্রোটিন তুম্মবা হাইড্রোক্লোরিক এসিড্ হায়বহু ঈশিং অশাবা থকপগী মতুংদা অম্বকী মতিক হন্থনা থোরকই। অহুমা এসিড য়াম্না পুক্তা লৈরগা ঈশিং অশাবা থুনা থক্লবদি য়াম্না কান্নৈ। অহু নত্তনা অশীনবা বাংনা থোকপা হায়বদি হাইপো এসিদিত্তিদদি ঈশিং অঈংবা থক্কদবনি। চাক, চাগদবা পুংখায় অমা বাৎলিডৈদ ঈশিং অঈংবহু গ্রাস ২/০ থক্কদবনি। পুক্তি য়াম্না নাবা অহুগা পুকী মফম হোংনা নাবা লায়না লৈরবদি ঈশিং অশাবা থকপা কান্নৈ। ওবদা ঈশিং অশাবা চুপলগা থকপা কান্নৈ। মহুনা ওবহ থিংই। ওবা থিংবদি ফত্তে, খুং থিজিন্দুনা লোইনবা ওথোকউ। মতুংদা থিংনবা চুপ্পুনা থকপিয়ু। পুক সুংডাইতবা অমসুং সুংডাইত্তবদগী লাকপা পুকী নাবদা থুাইদগী কান্নবাদি ঈশিং অশাবা থকপনি।

চাক চারিডৈদা ঈশিং থক্কদ্রা?—চাক চারিডৈদা ঈশিং থক্কদ্রা থকলোইদ্রা হায়বসি কুপ্না মনুংথীংনা থিজিনগনি। চাক চাবদা ঈশিং য়াম্না শীজিন্নরবদি এনবুমিন্গী পথ-পুমথহনবা অসি থোইরান্দা থোকহল্লি। মরম অসিদগী হকচাংপুম্বা হুনা চাইথিদুনা মরাই ভাই হায়না অথঙ-অহৈনা কুপ্না য়েংলগা হায়। থোইরিন্দগী পথ-পুমথরিবা অহুদগী হু অহু হকচাং অপুম্বদা চাইথিবনা ফিরাক, কিদনিনচিংবা অরুবা ইস্ত্রি শোকই হায়। রাবিঘিনা চাক চাবা মতমদা ঈশিং য়াম্না পীথক্লগা ঈশিং চংহনবদা ঈশিং অহুদা হান্না চৎপা ঈশিংদগী শরুক মরী

হেন্না অপুম-অশা য়াওই। চাক পীজবদা ঈশিং থক্তবদি হান্নদগী ভথাইদা য়াওই। স্থুবেন কৌবা ফিজোলোজিষ্ট অমগী চাং-য়েংদস্থু কল্ চপ মান্ননা ফংই।

কোমবে কৌবা গেস্ত্রিককী লায়নাবা খ্বাইদগী অকাওবা ডাক্তর অমনা হায়রিবসি চুমই হায়দুনা পূকী লায়না পূম্নমক্তা মাগী অনাবশিং অত্থ কংনা ঈশিং য়াওদনা পীজে। ব্রেক-ফাষ্টকী মতুং পুং ২/৩ লৈরগা ঈশিং অমস্থুং মহী পীথকই, চাকলেনগী মতুংদা অত্থগা তুমম্মদাইদা পীথকই।

ভাব অসি য়েৌনা ত্তাদবা হো়াজিকী চাংয়েংগী মীওইশিংনা গেস্ত্রিক জুইস থোকই হায়দুনা চাক চারিতৈদা ঈশিং পীথকই। চাক চারিতৈদা ঈশিং থকপা তারবা, থবাক ফুম্নবদি থর থর চুপতুনা থকপা মত্তনা য়াম্না থকপীগনু। চান-নমক মথৌ মনাই পূময়াও য়াওগনু, ঈশিংঃ স্থুকথক থকমু হায়বদি নত্তে। য়াৱিমথৈ কংনা চাবা ওমলবদি খ্বাইদগী ফৈ। খ্বাইদগী ঈশিং থকপদা ফবা মতমদি চাক চাগদবা পুং অমা রাংলিতৈদনি, মত্থনা পূক অত্থ শেংদোকই। চাগদবা অত্থ তুম্নবা পূকনা শেম শাত্থনা লৈ।

দিস্তৌল্ড রাটর অসি লায়না অমত্তদা কান্নবা ঈশিং নত্তে। হাইকেং হার্দ রাটর ওইবা লুদি লুবা অশেংবা ঈশিং থকপা খ্বাইদগী ফৈ। নোংগী ঈশিং নোং চুবা মতুং পুংথায় অমা ভাইরগা অমোংপা চামথোকপ্রবা মতুংদা য়াবা (লোবা) ঈশিং থকপদি দিস্তল্ড রাটর মথল অমনি। নুং লৈবা মীদা পীথকপা কান্নে।

ঈশিং থকপনা পূক অসি শেংদোকই -

হকচাং মনুংগী শক্ত কপূক হায়বসিস্তু পোৎশিংগী তুমকম অমা ওইবনা (cavity) অতোপ্পা অহোবা মফমশুম মহীক-মনাই মপান্দগী চঙ্লকই। অহুমা তঙ্গনা শেংদোকদবনি। চৌন্ অসিনা তিলনা শেংদোকক্লনা নৈ, য়া, যাবি পূম্নমক লৈনা ওত্তুনা তিন্দা লুপ্তুনা থমই। মুংশিংগী, চিক্লাক্তগী চঙ্লকপা মহীকশিং অমসুং তিলদনা মশাং য় মখংহনবা থিংই। মসি শেংপ্রবা ঈদগী থোরকপা তিল অহুদা য়াওরকপা অমসুং চৌনগী হাউ থোকহনবা মপ্রামগী গ্রেন্দদগী থোরকপা রস অতুদগী থোরকপা ফেগো-শাইটস কৌবা হায়রাইভ সেল অসিনা চৌন্ যা অসি শানবা-থুংনা লৈবা মহীক মনাই হেক চঙ্লকইবা মথৈ ফারগা হাং-তোকই, মাঙহল্লি।

পূকসিস্তু অস্ত্রমনা শেংদোকই। যাম্না মশা ফনা শেংনা লৈবা গেস্ত্রীক জুইস অমসুং হাইড্রোক্লোরিক এসিদ মরাং কায়না যাওই। এসিনা পূক অসি মহীক মনাই পূম্নমক শেংদোকই। পূক্লা নোংমদা হাইড্রোক্লোরিক এসিদ আউন্স অমগী অঙ্কম থোকপগী অমদগী অাঃ তম্মাই অমদি থোকই। হাইড্রোক্লোরিক এসিদকা পেপসিনগা তিন্নরগা পূক অসিদা ভাবকপা পোং পূম্নমক তুম্হনবদ নঙ্গনা মহীক মনাই শেংদোকই। চারিবা চৌক্লাক অহুনা পূক্তগী লোই-নবা হেক থোইরিনরোমদা চঙখিবগা পূক অসি গেস্ট্রিক এসিদনা শেংদোকচবা হৌই। অস্তুম্না মতুংগী অমূক্ত হন্না চারকপা অমসুং তুম্নবা তৌদবম্নাত্রবা শেমশাবগী থবক অমনি।

য়াদা পোং অমা হেক তাত্রিৈদা পূক অসি শেংদোকচবা অমস্তুং পোথাজবা চগুই অহুনা হাগুনা মতম থরদং পূক অসি থগীগদবনি। মসিনা হকচাংদা মহীক মনাই স্নুকচগু চগুহন্দনবা হোংনবদা তেংবাংবা পীবদ নত্তনা হায়বদি মহীক মনাই চগু-হন্দবা হাত্তোক শেংদোকপগী থবক পূরিবা পূক্তী গ্রেন্দ অমস্তুং মরীগী সেন্টায়শিং অসি মপাঙ্গল হঙ্গংচনবা অমস্তুং থবক তৌবা ঙম্রবগী পাঙ্গল শিংগংনবা পীবা মতমস্তু ওই।

পাওলোনা হায় - ঈশিং থকপনা পূক্তা য়ায়া শীনব এসিদ থোকহন্দুনা পূক্তা তাবা মহীক মনাই হাগোক্তুনা পূক শেং-দোকই। অহুনা চাক চাগদবা পুং অমা বাংলিগুদা অমস্তুং চাক তোকপা মতুং পুং ২ লৈরগা অমুক, তুম্মদাইদা অমুক থকপা হায়বসি থাইদগী অচুম্বা, কান্নবা ঈশিং থুথকনি।

অকম্বা মীগীদি ঈশিং থর হেন্না থকফম থোকই

অকম্বা মীদি হমাং থোক্তে অহুনা ঈশিং থোরাংত্রবস্তু থরা হেন্না থকনি। শা.জল তৌবা মীদি হুমাং থোকই, ঈ অমস্তুং তো শাদগী কত্ত-হৌদি চাকথেকপা হেনগংহল্লি। অহুনা ঈশিং কৌই। অহুগা তেংশা অশিবহু পুথোকখিবদা ঈশিং অহু মতেং ওই। অকম্বা মীদি কত্ত-হৌদি অহু চাকথেকহন্নবা শাজেল তৌদবদগী অরাবা নংবদ নত্তনা হমাং শৌরকপদা ঈশিং কৌদে। মহুনা চাংথোকখিদবনা তোংশাদা কত্ত-হৌদি চাকথেক্তবা কয়া পৈহুনা লৈ। মসিনা থাইদগী কত্তবা কয়া কয়াগী হৌকনি ওই। মহুনা ঈশিং অসি গ্লাস ৬ তগী ১০ কাওবী থকদরনি। হকচাং

অপুম্বা ঈশিংনা পোমথংলবা (dropsy) চনীং অসি ঈশিংনা পোমথংপা (ascites) নচিংবদা ঈশিং য়াম্না পীথকপা চঙই। ঈশিং পীথক্কুবগী মহুত্তা থুম পীদবক্তনা ঈশিং অহু থুনা চংখি ক্লাইটস্ দিজিজ হকচাংদা ফুং ফুং নম্বদা চঙবা কুংশিনলিবহু হনগংপদা কুইনা চঙবা থুক্কেং পোম্বা (edema) দম্সু থুম পীজত্রগা ঈশিংগী শক্লক অহু তাথহল্লি। মরমদি হকচাং অসিদগী ঈশিং লোথোক্কে হায়রবদি থুম চায়োইদবনি, চনাং পাওগু অমা চাবদা ঈশিং পাওগু অহুম হকচাংদা লৈগনি। থুম আউন্স অমা চাবদা হকচাংদা ঈশিং আঃ ১০০ দগী ১২০ যোক্লনা লৈগনি। অনোয়বনস্সু য়াঙ কংথগে হায়রবদি থুম থাদোক্কদবনি। ঈশিং থকত্রবস্সু চাপ্রিবা পোংশক্তগী ঈশিং আঃ ১২০ গুনবা লৌশিনগনি.

ঈশিং য়াম্না থকদবঃ লায়না, — তাং চৌকপা, থুনীং-থুউ পোয়া চৌকপা, ইউরিক এসিদনা নাবা, য়াঙ কংবা, অনোয়বা, দাইয়েবেভিজ, অক্লম লাইহো উনশা শিথয়কপা, মাংবা য়াদবা ঈশংদবগী লায়না. ক্রোনিক বাইলসনেস, লীভার কংশীক্লকপা, গোলস্তোন, গোলব্লাদর নাবা অমসুং অতৈ লায়না মুংঙাইতবা কয়াদা ঈশিং ময়াঙ কায়না থকনি।

ঈশিং অসি কেমিকেলগী বাক্তমদা অশেংবা ঈশিং হায়বসি ওইবা য়াদে। দিস্তীল্ড ত্তোত্রি মথৈ শেংবা ওমদে। ফিল্টর তৌরগা চাং থয়া হহনবা ওমই। লুমথোক্লগা থয়া তাথহল্লি। চারিথক্লিবা পোংশক্তগী মিনরেল্ বাক্তগা পীবা ওমত্রবদি— দিস্তীল্ড বাটর কুইনা শাজিল্লবগা হকচাংদগী হায়বদি হকচাংগী

সেলদগী মিনরেলশিং অদু শীজিন্নখোকই। দিস্তীল্ড ৱাটর শীজিন্নগে হায়রবদি লিক্রী য়াস অনিদা ওমদুনা মুংশিৎ চঙহনগনি।

নুং লৈবা মীগী নুং ঙানবা অদুগা অমুক নুং শেমলক্তনবা দিস্তীল্ড ৱাটার শীজিন্নবা য়াই, মোংগী ঈশিং অসি দিস্তীল্ড ৱ টরনি মিনরেল ৱাটর অাস কৈ হায়বা য়াওই; মিনরেল ৱাটর কত্তে হায়বস্ন য়াওই থর অমনা থোইদোক হেন্দোক্লা অকবা মগুণ লৈ হায়। অদুনা মথোয় অহুমমক চুমই। মরমদি ঈশিং অদুদা য়াওরিবা মিনরেলগী পোংশক মহৈ৷ অক-কত্তবা ওয়া লৈ। কেমিকেলগী ওইনা থিবদা সাইন্টিফিক ওইনা চঙশিল্লকপদা ঈগী কেমিকেল অসি মুন্না য়েংলগা মী অমনা (এসিদোসিস্ না নাবা) হকচাং অপুমবা কত-হৌদি থন্না লৈগ্রবদা শক্ক, য়া, হকচাংগী ভোংশা পুম্নমক্তগী মিনরেল্ সোল্ট লোথোকপ্রবনি। চুরগী থুম (sodium) অসি অা: ১০ মী অদুগী হকচাংদা লৈহোই। কেলসিয়ম কার্বোনেটবা অা: অমগী মঙাগী অমত্তা মরৈ আউন্স অমগী চাবা থোকপগী মাপলদা ঈন-ওর্গেনিক ফোসফোরস্ লৈ। পোটাসিয়ম্ আউন্স মঙা লৈ, মেগ্নাসিয়ম্, আইরন্ অসিদি থর থরদা মরৈ। পুস্ত্রি, ঈকুং, গুহা, ভুরেন্দা উ-বা পোং অপুন-অরাকৃ, ভাদগী পোকপা কত্ত হৌদ লৈবা য়াবনা ঈশিং পুম্নমক লুমখোক্লগা ঈংহৈলগা ফিল্টরদা হাপ্লগা থকপা কৈ।

অমনা ক্লোরীন্ অসি কত্ত-হৌদি, তীন-কাত্ত হাংনবদা শীজিনৈ। এথোর মণিপুরদা হেন্না হাপ্ বন্দুনা ঈশিং থকপা য়াদবা য়াওরকই। অথেরোকাদা ঈশিং থকবা কংবা মতমদা

মৌলিটয়িনা শীজিন্নৈ। ক্লোরীন হাপ্লদুনা নমথিল্লবা অদুগা ঈশিং মহাও মাঙহন্দনবা থরদা হাপ্লসি মহৌক-মনাই হাংপগী য়াম্না ফবা শেংদোকপগী মচননি। ক্লোরীন অসি য়াম্না শীজিন্নবদি ঙৌ পোনই। মরমদি মনা-মশিং পাম্বৌদগী লাকপা আইওদিন অদু চাং য়াম্না মসিনা মাঙহনবদগী লাকপা লায়নানি। তেঙ্কৌ থম্লগা ঈশিং য়োকপা মফমদদি ওজোন অমম্বুং ক্লোরীন থরদি থাথবা কৈ, মদুনা মহৌক-মনাই মাঙ-হনগনি। সুংশা য়াম্না য়ৈহন্লুনা আলট্রা ভাইওলেট ঈশিং অদুদা য়ৈহনবসু কৈ। ঈশিংদু কিন্টরদা চুমথোক্লগ পাইল্লবদি মুমিংকৌ অলট্রাভাইওলেট চঙবা হেল্লি মোংলবদি ঈশিংদু কূংবনা মঙান অদু ফাওনোকনা চঙবা ঙমলোই।

হার্ড ৱাটর অসি মিনরেল য়াম্না য়াওরনা হায়বদি শুন্নুনা মকুওইনা য়াওবনা য়াম্না কুইনা লুমথোক্কদবনি। অদুবু শুমু য়াম্না য়াওবা ইফুংকুম্বগী ঈশিংদি লুমথোকপনা শুমু অদু মঙ-হনবা ঙমদে। অদুগা মিনরেলশিং ঈশিংদা য় ওয়কপদু হকচাংদা লৌশিনবদা য়াম্না তপ্না থোকই। অদুগুম্বা ঈশিং অদুদি চম্প্রা মহৌ থক্তিক্তুং থক্লবা ঈশিংদা হাপচিল্লগা থকপীয়ু। ঈশিং অদুগী হাউতবা অদুসু চম্প্রা মহৌ অদুনা মাঙহনথিগনি। কার্বোনেটেদ দিস্তীল ৱাটর অসি অশেংবা থুনা চুপশীনবা ঈশিংনি। মসিগা (হৈদা) চিনি থোইহৌ হাপচীন্দবা হৈগী মহৌগা চাংনাইনা থকপা য়াই। হৈ মহৌ হায়বদি ঈশিংগা য়ামরপা তিমরপা থকদবনি। মহৌ ডাক্তা থক থকপীগদু।

ঈশিং অসি শুকপা পিথক্কবা মতম—

মতম খরদং ওইরবস্তু ঈশিং অসি শুকপা পীথকপা য়াদবা ফিভম লৈ। মতুদি চাকথাও চাউথোকপা নত্রগা চাকথাও চোঙ্গরকপা dila'a'ion, prclapsed) ময়মদি মতম অতৃদা পুক অসিদগী লৈরিবা ঈশিং অহু খোইরিনলোমদা চংহনখিবা শুমদে। অতুনা ইন্দ্রি অসিগী শককম হোংবদা সাথিনা হেনগংহল্লি। ঈশিং অঙৈবা থকপা যাদবা ফিভম করাস্তু লৈ। পুক থিল্লবা ঈশিং অঙৈবা পীথকপা য়াদে। হুমাং য়াম্না শোৎরবা, য়াম্না চোকথরবা মতমদা ঈশিং অঙৈবা পীথকপা য়াদে। য়াম্না শোনবা মীনা ওনগ নংগা শামেন খরা তোগে খল্লকপা মমাঙদা ঈশিং অঙৈবা পীথক্কনু। শোঙ্গবা হেনগনি। শগোল কন্না খৌরুবগা পোথাত্রিবৈঙদা কৈদোংবৈঙদস্তু শগোল অহু ঈশিং পীথক্কে। অতুগুম্না যাম্না রারুবগা মীচুন হন্দ্রিবৈঙদা, হুমাং হঙ্গিক্তিবৈঙ, ঈশিং থকপী-গনু! খরদং চুপতুনা ত্রোপকী হিসাবতা থকপদি চাক চারিবৈঙ থঙদে থকপা য়াদে হায়রিবা ফিভম পুম্নমক কায়দে।

সপ্লদোষ লৈবা নহারোল লুংথিল পুং ২ তাত্রবা মতুংদা ঈশিং থকনু। রপচর, বুড়ী খুংবা মীস্ ঈশিং য়াম্নিমথৈ থক্তবা হৈফ। অমনা ঈশিং পীথকপদা যাত্রবা ফিভমদা খৌনাও কংলবা, লাইহৌ লৈরবা, লৈ অসি সলৈবান কারবদি ঈশিং থকপা য়াদে হায়না থিংইবা অবস্থা পুম্নমক্তা চুপ্পুনা খর মথৈদি অতুম আচমোনগুম থকপা য়াই। অমনা—থুম চাবা য়াদে হায়রিবা লায়না লাইওং-শিং অসিদস্তু—খোং খুংতা অহিং তুমবদা হেক চৌংথেকপগুম্না নাবা য়াওরক্লবদি থুম বাংপননি খরা চাবিয়ু, হেক্তা ফজগনি।

হাইড্রো-থরাপী

ঈশিং লায়য়েং হায়বসি হকচাংনা অনাবা কননবা হোংনজবদা মাগী মতেং পাংনবা বৈজ্ঞানীক ওইনা ঈশিং শীজিন্নবনু খঙৈ। থাইনদগী হৌনা গ্রীক, ঈজিপ্ত, চীনাদা ঈশিং শীজিন্নহুনা অনাবা কয়া ফহল্লকই। অহুবু হৌজিক্কী বৈজ্ঞানীক ওইবা সার্কলদা সাইন্টিফিক ওইদবা মওংদা অনাবদা শীজিন্নবনি হায়না লৌনৈ। মণিপুরদা অতৈ নৈবাককুম মিনরেল য়ায়া লৈবা ঈফুংজা লুপ্পা, হিদেন তরেংকী ঈশিং শীজিন্নহনা চনীংদা থোমবা, লৈমরেনগী ঈশিং থোমবা, লৈমরেনগী লৈপাক, পোলাং-থোক মথাগী লৈপাক, লৈশোবুংগী লৈপাক থোমবা, ইচাওনা পুথরকপা লৈজোই অযোনবনা হকচাং পুম্নমক তৈশিন্দুনা থমলগা ঈরুজথোকপা, যন মথোং নায়গা ঈশিংদা পুনবা, কোক চীকপদা লাইবক্তা ঈশিং থোমবা, থোঙ লৈপাক তাপ্রিংগৈদা অয়ুক্তা ঈশিং থকপা, হুয়াং ভাবনা, কিবুন য়ৈবা, ঈশিং অশাবদা থোঙ তীংবা-হাবনা, হিগা য়ৈবনচিংবা ঈশিং শিজিন্নবসি লাই হাক্তকগী মণিপুরদা শীজিন্নরকই।

অসুমনা লুপ্রবা লায়না পুম্নমকী ওইনা য়ায়া জানভাবা পাঙ্গল অমসুং হকচাংগী কিভম য়েংলগা হকচাং মনুংদগী কত্ত-হৌদি ভাহোকপদা, থবক ভৌদবা ইন্দ্রি থবক ভৌহনবদা, থবক হেন্না ভৌরকপহ্ থায়বদা হকচাংগী চুয়গী থোঙচংনা পুথোকপা নত্রগা থবক ভৌবদা থীনগদবা লৈরবদা অহেনবা ঈগী ঈচেল পীহনা মহুং

অহৣদা মেরামোত অমসুং শেংদোকপগী থবক য়াম্না হেন্না তৌহনবা ঈশিংনা ওমই। অতওব, ঘী মতুম লোথোক্কে থল্লকপদা নৈশোপুংগী নৈশো নৈপাক, (থাইদগী শেংপ্রবা করিগুম্বা অমা য়ানগ্রবা নৈপাক্তা ময়ানা চৌকতুবা পুথংলকপা নৈপাক্তী) নত্রগা (নৈমুংদগী তৌরগা নৈখংপা নৈংফোই হাপলবা) চেকহৌং অহৣগী মকুপ লৌরগা ঈশিং অশোবনা নৈরগা বড়া হৌবগী তোংপা অহৣমনা নৈখাইরগা কি অপাবা অমদা হাপলগা অশোম্বা ঘী অহৣদগী অকোয়বা ইঙ্কি মথাই অমা হেন্না পাকনা তুমবা মতমদদা থোমবীয়ু।

থা থরগী মতুংদা মাওঙখিগনি। খুউ চৌকলে পোমলে হায়না থল্লসি। ঈনা চেল্লৌবা থোঙচংতা খুউ অহৣ মেরামোত তৌগদৌরিবনি। ফড-হৌদি নৈরিবা মখে মপান্দা পুথোরকনি। ছুমাং য়ুং ওইনা পুথোকনি। কয়া কুইনা চওগনি। খুদক্তা কহনহৌদ্রগা শরুগা শমুনা নৈবা মশিং মরাং অহৣ হায়রবনি শরুগা শমুবা তোংশা পুমুমক পথ-পুমথহনপ্রবদি নাই চাহৣনা মহৌ মনাইনা পুমথহনপ্রবদি করমনা অমুক তোংশাশিং অহৣ শোগংলকনি। হকচাংগী ওইবা শাংপ্রবা থোঙচংনা মহৣ কহল্লকপসি রানা থোকই অমসুং কুইনা চওই। অহৣবু ইরাই লাইনা মুংতিগী তুমবদা খুদৈ মচা পীশক অমা ঈশিং লুপলগা শুমদোকপিরো, খুউগী অকোয়বা নাহিবা অহৣদগী থয়া পাকনা হেনদোকনা কোয়ল্লা য়েংশিল্লু। অহৣপা ফ্লানেলগুম্বা নৈত্রগা খুদৈ অচৌবা অথা মথক্তা য়েংশিল্লু। মুংশিং চওহনগনু। থা থরা করবা কাওবা থোমবীয়ু হেক্তা কঙ্গনি। অহিং নোংশোইবা ঈগী অহেনবা

ঈচেল হেনগৎহন্দুনা ঈ হেন্না পীবতুনা মেরামতকী অমসুং শেংদোক-পগী, চাকথেকপগী থবক, তোংশাগী, মরৈগী চিঙ্গাক কয়া হেন্না পীতুনা শেংদোকপা অমসুং মেরামতকী থবক পীবনি। কচনা অমুক্তং কপ্পবদি অমুক হৌরকলোই। অদু নত্তবদি মাই চাদুনা মহী-মনাই থোক্কুনা তোংশা পূম্নমক পুমথুনা কোনথোক কোনশিন য়াদনা চোং, চোংদুনা চংপা কয়ানো! মদি য়েংপা হায়বসিদি ইনাক কৈরাক খুনবা জেনটল্‌মেন কয়াগী লায়না লায়-যেংদি নত্তবনিনা ভদ্রলোকশিংগা চান্নবা ভেলোরদা চংপা নত্রবদি প্রেস্তীজ মাঙবনিনা য়ানবনি, য়া কাখৎতুনা য়েংনবনি। অদু নেচরোপেথিগী লাইয়েংদদি চুম্নগী লাইয়েংনা য়াদে। হাইড্রো-থেরাপীগী ঈশিং থোম্বগা লোয়ননা হৈ মনা মশিং শঙ্গোমনা ৮০% চাতুনা শা-ঙা, ঘী থাও, য়েকুম্না মোংহনবা ঈ ময়াম অদু শেংদোকপীগদবনি। অদুনসু লোইদে শাজেল অঙম্বা লমশাং থরা থর রাকিং চত্তুনা হিংনবগী, থরোয়গী পান্নব হেন্নংহনগদবনি। হৌকমদি য়া, তোন্সিল নাবনগী পোকপা হূ (focal) দগী লাকপনি।

অমনা থ্রাইদগী লায়বা লায়নাদগী খ্বাইদগী নুবা লায়নাদা ঈশিং শীজিন্নগদবনি। অদুগা অঙ্গ বা ঈশিং, অশাবা ঈশিংনা পীরিবা থবক অদুগা, হকচাংনা হনগংনা পীবা ওমবা পাঙ্গল অদুগা চানত্রা হায়বা য়েংদবা য়াদবনি। ঈশিং অঙ্গ বনা উনশাদা হেক যৈবদা ঈ পূম্নমক হকচাং মনুংদা চঙখি। হার্টনা অমুক ডাক্তোরকপদা উনশা মতোম্দা ঈ অদু মতম কুইনা লৈ। অদুনা ঈশিং অঙৈবনা ঈকুজরগা ঈংই মতুগা মতুংদদি লুমতুনা লৈ। অদুগুম্না ঈশিং অশাবনা উনশাদা যৈবদা উনশাগী

মতোম্দা ঈ পুখৎলি, রিএক্সনদা হায়বদি ঈনা হমা পীরকপা থবক্তা মপু'দা চঙখি, অদুনা নিংথমই। মসিবু রিফ্লেক্স এক্সন কৌই। মসি থঙত্রবদি ঈশিংগী লায়য়েংদা অরুবা ইস্ত্রি — হায়বদি লংসগী, হাটকী থবক্তা পঙতো তৌশিন্বা অনৌবা লায়য়েংবা কয়ানা তৌদনবা থন্নক্ষম্নি। নিযোনিয়াদা ঈশিং অশাবা পেক তৌবা মতুং মিঃ ৫/১০ দা নিযোনিয়া তৌখি হায়বা অহৈ-অশিং কয়ানা ফাওবা হায়বা ঙমগন্দে হার্টকী বিট তপথরকপদা ঈশিং অশাবা মিঃ ২ দং খোম্বদা থুহনবা য়াই। হার্ট বিট থুনা হুনখিবহ ঈশিং অঈংবা মিঃ ২ দং খোম্বদা তপথহনবা য়াই। অহবু হকচাংগী রিএক্সন থঙবা তাই। লাইহৌ লৈনরা. টেম· পরেচর হন্দনা লৈবরা য়েংবা তাই।

ঈশিং লাইয়ে'বগী মরমদা মসিদনি থঙগদবা — য়াম্না শোনবা. য়াম্নাময়াং কংবদা ঈশিংগী লায়য়েং পংত্তো তৌবিরোইদবনি। পৃথিবী অসি য়াম্না কুইরবনি। পোং খুদিংমকী রেকোর্ড ইরৈ লৈ। ঐতিহাসিক ওইবা খুদম অমা পগ্গ-গ — থাইনা খৃষ্ট মমাঙ চহি ১০০ দা এন্টোনিয়স্ মোসা কৌবা গ্রীকী লায়য়েংবা মিপা অমনা রোমগী আউগস্তস্ কৌবা নিংথৌরেল অমনা ক্রেনিক কেটারা, লোক থুংহনা, লোকশিত্র্না, নপ তাহনতা লৈবদা মানা লায়যেংহনা কহল্লবদা নিংথৌরেল অসিনা মহাকী মুত্রি অমা শানবা হকুম পীখি। নিংথৌরেলদা য়েংখিবা লায়য়েং অসিমক্তা য়েংবদা নিংথৌরেলগী মনাওশিংগী শোঙব্রবা মচা অমা য়েংবদা মহাকী লৈজবা মিংহৎ পুন্নমক

লৈথা ভাথ। মথৈদা হোয়ানসনা নাবদা কহনবদগী মশাগী ইঙ্কং অমুক হিংসংচবা ওমজখি। অফুনা ঈশিংগী লায়য়েংসি খাইদগী লুবনি। অয়ায়বা খয়া নতুনা অরুবদি ঐনা তৌথবা নহুনা অতৈদা পাউতক থক পীজদে।

অশাবা (hot) ১৪০ ফাঃ   হাইকেং ঈংবা (tepid) ৮৬ ফাঃ
লুমু শাবা (warm) ৯৮ ফাঃ   অঈংবা (cool) ৬৮ ফাঃ
মরক্তা (neutral) ৯৪ ফাঃ   পুমঈং ঈংবা (cold) ৬৫ ফাঃ
অঈং-অশাগী খেন্নবা অসি খঙবিদবা য়াদবনি।

ঈশিংগী লায়য়েংনা চুমগী মৈশাহু হকচাং মনুংদা থাজিনবা অমসুং মৈশা চিংথোকপদ নতুনা অতোপ্পা খরম্ থোকহল্লি। নার্ভ সেণ্টর অমসুং ঈ উতোংশিংগী অঙকপা মমুং যিংনা লুবা চংন মওং অমগী পাম্বৈনা উনশা হায়বা মপানগী কুয়োম অসিনা হকচাং মনুংগা হেক্কা শম্না শমজিন্নৈ অফুনা উনশা-রোমদগী হকচাং মনুংদা লৈবা মরী, মসন, ঈ উতোং পুমমক থবক তৌহনবা ওমই। মসিগুম্বা মথনগী থোকহনবা থবক অসি রিফ্লেক্স এক্সন কৌই।

অঈংবা ঈশিং য়ৈবা, নানবা, নম্বনচিংবনা উনশাগী ঈ উতোং অসি শুপচিনহন্নবদি হকচাং মনুংদা লৈবা ঈ উতোং পুমমক শুপ-চিনগনি। মতোমতা লাকচবা থবক্তি। মপান্দা পীবা অহৃদগী মমুংদা পীবনা খররুদি হইহে। ঈশিং অঈংবা অমসুং অশাবা য়ৈবনা হকচাং মনুংদা উনশাদগী পীখিবা রিফ্লেক্স এক্সন মতোমদা চংচখিবা মওং অদিনা সেন্ট্রেল অমসুং সিমপেথেটিক নার্ভকী

সিংঙুবনা থবক পাংখি। মখোয় অসিনী শমনুনা, কাওহনা মমুংগী ইন্দ্রি অমম্বুং তোশাদা য়োনা পাংখিবা মও' অসিনা খাইদগী কায়বা মক ওইবা লম য়না কোকুবগী মরম অমা ওই। হকচাং মমুংগী ইন্দ্রি পুম্নমক্কা, তোংশাবা, অপুনবা থবক্কা নীংখিজক্রবা চাং অমদা থবক তৌহল্লি।

অতোপ্পা পীরকপা মওং অমনা উনশাগী ঈ উতোং অসি হেক শুপচিনখিবদা শুপচিনবা অহূন মখোয়দা লৈরম্লিবা ঈ পুম্নমক মমুংলোমদা থাজনখি। অহুন মমুংদা লৈবা ইন্দ্রি অমম্বুং ঈ উতোং অহু ফাক্লোকই অমম্বুং চাউখংলি। উনশাগী ঈ উতোং অসি কাক্লোক্রবদি মমুংগী ইন্দ্রি অমম্বুং ঈ উতোং-শিং হু খুজ্জীন শুপচিল্হল্লি।

হৌজিক্তি ওয়-তৈনবা অনিথক্কী কল তারে। অমনা মপানগী উনশাগী মরি মতাং শুপচিলহল্লগা মমুংগী মরি-মতাংদা শুপচিলহনবা অহুগা অমনা মপানগী উনশাগী মরি মতাং শুপচোল্লগা ঈ অহু মমুংদা তানশিনখিহনা মমুংগী মরি মতাং পুম্নমক কাক্লোক্লুনা মমুংলোমদা ঈ অহু চেলশিলহল্লি। অমুম্না ওয় ওয় চংহনবা য়াই। অহুম্নদি ওইরগা মসিদি কুইনা লৈম্মু হায়বা য়াদে। ওহাকী বাকমনি। মেকানিকেল ওইনা লাকপনা কুইনা থক থম্বা য়াদে। অহুগা উনশা অহু পাকনা চাউনা কল্লবদি অমুকস্থু থুজিল্লি। অহুগা উনশা খজিক্কনা থোম্লবদি হায়বদি অঙ্গং-অশা পীবা থমা কুইনা থম্বা য়াই। কল অনি লৈজবা মওং অনি অসি থওম্নবদি কায়বা

কংলোই। রিফ্লেক্স অমস্তুং মেকানিকেল এরুম অনি অসি কুপ্পা য়েংহৌনা খঙবা শেম্নগদবনি।

ঈশিং অঈংবনা হেক ঈকুঞ্জবদা মরী, মসলময়াই কাহগী থরায়গী পাঙ্গল হনগংহল্লি। ঈগী মগুণ হেনগংহল্লি, রদ প্রেসর হাইগংহল্লি। থবক শৃজবা ঙমদনা. শোল্লবা মীওই, থরাবগী পাঙ্গল হন্থরবা রদ প্রেশর হন্থনা লৈবা ঈচেন অসি চেন্থোক চেনশিন ফজনা ঙমজ্রবা, মীওইদনা লুম্বু শাবা ঈশিংনা ঈকুঞ্জবা পামই। ঈশিং অশাবা অমস্তুং লুম্বু শাবনা ঈকুঞ্জরবদি অস্তুম শোস্থবা হেনগংলককনি। অদুনা ঈশিং অঈংবসি হকচাংগী মৈশাদগী তাথনা হৌরগা সুমসুম ঈংথখিবা ঈশিংদা ঈকুঞ্জবা চহি চুপ্পা তমথৌনা অঈংবা হৈনহনগদবনি।

চৌপ্পাক পুমহল্লোই হায়রবদি উনদ', অঈংবা জাগাদা থমই। অঈংবনা থোমবা অমস্তুং ঈকুবদা ঙাহাক্কি মুংঙাইতবা পোক্কনি। মতুংদা মুংঙাইরক্কদ্রনি। মাহস্তু মশাগী, থরায়গী পাঙ্গল মতুং ঈনবনি। অশোনবা মীদদি পাক হনগংতে। কনানা অশাবা পামই, কনানা লুমবু শাবা পামই, অমমা অঈংবা পামই। মশাদা করি থোকহল্লি হায়বদি থঙদে হার্টকী মথক্তা ঈশিং অঈংবা নত্রগা, উনগী ময়োম অমা পুং অনি চুপনা থমলবদি থম্মোয়গী থবক হন্থহনগনি। মাথৌনা মরম ওইথৌনা ঈ চেন্থোক চেনশিনস্ত্র, তাথহনগনি। অদুগা ঈশিং অঈংবা মকম অদুমক্কদা মি : অনিদং থোমলগা লৌথোক্রবদি, হার্টকী থবক হেনগংহনগনি ঈ উভোংদা নমথৌনা থবক তৌহনগনি অমস্তুং অকনবা থবক

লীগনি। হাণ্ডি থোকহনবা মথুংগী উনশা অপাবা মপ্রাময়া ঈশিং অঈংবা পীরবদি ষ্টমশাদোমা (থোকপদা) শিংত্রবস্থ উমশাগী চপ মান্নবা মতম দা থোকহনবা য়াই অঈংবা ঈশিংবা মসাই কাহনবা নক্রগা শোক্ শিংহনবা ফিক্লেক্স এক্সন পুরকপা য়াই ঈশিং অঈংবগী এমবা অমসুং ঈশিং অঈংবা থকপনা কনপ্রবা লাইহৌ খেংনবা ওনই ঈশিং অঈংবা থকচৌরগা হাটকী মীহুন অসি ১০/১২ মিনিট অমদা তাথহনবা য়াই। অহুনা মী অঙ্গী মপাগী অবস্থা অমসুং ঈশিংগী চাং অমসুং ঈংবা বাংপা হেনবগী চাংদা পূমথক অসি লৈ। মশা অহুকী মতৌক শাংগা হায়রিবা অসি পূমথক লেংহনবা থম্বা ওয়ই। য়ায়া চোকথরবা মতমদা ঈশিং অঈংবা মথুং অমসুং মপান্দা শীঠিজরবা যাদে। মরোগী পাঙ্গল কয়বদি হৈক, কাহদনা অহুম চপগনি। মরোগ শোয়রবদি মথুংবা ঈ পুন্থুনা (conjested) লৈখিহুনা অরাবা থোক্ডনিংডাই লৈতে। চোকপু চোকথত্রবদি হমাং য়ায়া শৌংবস্থ অঈংবা থকপা য়াই। থবক কয়া শূক্রবদগী মীহুন খুবিটৈ নক্রগা হেনযয়া থক্কবদি অহুপা উন য়াওবা মহৌ থক্কবদি অড়ুম থকপদা কায়দে।

ঈশিং অঙ্গংবসি থবাক্তা থোবা অমসুং হৈয়বদা খব হেংব-বগী ইন্দ্রি অসি সায়কুলেসন কপহনবগা মায়দনা, খব হোত্রবদা হংডাইহনদে। অসিন্থ শাংবা তেম্না থোস্বদা অমুকত্ থেমবা লৈ মায়া থুবা থোস্বদি খব তেমবা খব মপী হোল্ল। ঈশিংগী অঈংবগী দিগ্রী মথুং ইমা থোসবদা, তেমবা অমসুং শাংবগীসু মথুং ইমা

হোংলকপা হকচাংগী ফিভম কয়া অসি লাকহল্লি। ঈশিং অশাংবদা হকচাং পুম্বক লুপশীল্লবদি খর থুনা হোল্লকপা লোইরে। অদুদগী তুং ভপথহনা শাংনা অমসুং মপুংফানা হোল্লি।

এজবা ভোবা মীদা অনুম্বা ভোক্লবদি অমাবা হেক হোৎপনি, খর ফুনগনি। মখোল ফি ফি লাউনা থোকনি অদুগী মতুং হনা লাকপা থোতচংভা (re-action) খুংভাইভবা থুনম পুম্বক মাও'থগনি। মতুংদা খর অহু ফজনা হোৎনবা য়াগনি।

মতম অসি ঈশিং অশাংবদা লৈরবদি শিথরকই, ভাইফেং ভাই। থোবীগী থুংনা ভাইফেং ভাইরিবা অমনি। অদুগা থুনমক ঈশিং ঙৈবা মক্রগা থুনা ফুইদনা স্প্রে কাপশিল্লবদি ভনপাদা পীবা মওং অদুগী থেমনে। থবক চম্বগী পাজম হেজংতল্লি নিকচবহু হায়া লৈজরবা অহুদগী ময়াই কায়া হেজংহম্লুনা তৈথা মতোমদা হেজংচবগী থবক মথম অমনি। অদুগা শাংজেল মক্রগা থবক ময়া শূদ্ধবা মতুংদা সেকেণ্ড ২/০ গী মতুংদা হেক খুবোকপাদ হকচাং হজংচনবগী মক ওইবা উপাই ওই। ভোবমদু ঈশিং অপাবদা হায়া মুমগা লোইশিনবা ওইনা অশাংবা ঈশিং অহুমা হকচাংদা সেকেণ্ড ২/০ চঙনা ভকদবনি। অদুগা ফি থুনমক শেংচিনগদবনি। মুয়া লৈগদবনি। পেবেদা মুমহ লৈ। হকচাংগী মকম অমদা ঈশিং থজিতং থীকপদা ভু হুংই। এখোয়না কন্ট্রোল ভোবা চবা মসমনা ঈশিং তৈবদা মকমশিং অহু থোইনা লেওরবহু এখোয়না কন্ট্রোল ভোবা চবনা ভু.

য়ুংথংহনবা ভদুন্টারী মসনশিংদু মথাই কাৱন্দুনা তু য়ুংথংলকই, চুংলকই। থোঙদা ঈশিং থরা চোংবদা তু চুংই। অদুনা থেঙ অমসুং চমীংদা ঈশিং অঙৈংবা হেক থাবদা মক্রগা পীবদা মী অদু ঈশিং চংমীংগনি অমসুং থাংথোকমীংলকনি। ঈশিং অঙৈংবা হকচাংদা নক্রগা হকচাং মচেৎ অমদা মক্রগা ইচিক অমদা থাবদা মাভ'মেন্টার কাওনা চঙবিবনা মমীদগী ওইবা কল কংই। ঈশিং মীংথিজনা শীজিনবদি মমীগী থবক ভমী পাজন লেপশিনজবা ওমহৌরি। অমসুং মদু শীজিনবদু ওমহল্লি। মমীগী লেনশিং অসি অমগা অমগা শম্নহুনা মথং মথং লৈরে। মাভ' অমগী সেনগা অতোপ্পা মাভ' অমগী সেনগা মথোয়গী পোংশক অসি পীকরবা শাংদোকপা অমনা (extention) শমজিনৈ। শাংদোকইবা পোংচঙশিং অসি অহিংবনি। মশা মীংনা লৈদ। মথোয় অসি ভপচিনবা অমসুং ফন্দোকপা হায়বসি ক্রিভ্‌ কয়াদা পাঙথোকই। মথোয় অসিনা সেন অমতনা লেপ্পা অলেংবা মক্রগা হয়াইট সেলশুম, মুমনা লৈবা মতমদা পাথোম তিংথোকপশুম ফন্দোকপা, ঈংবা মতমদা কোমশিনং ভপচিনবশুম তৌবসি মথোয়গী থবক ওইনা তৌই। ঈশিং অঙৈংবা লৈবা থোঙনা মমীগী থবক অসি হৱহল্লি অমসুং মতম থরা থবক তৌহন্দে। মমীগী মশা মচা ময়াম অদু শুপচিল্লি, অদুনা থবক তৌহন্দে হায়বদি অতোপ্পা মমীগা থবক ফাওনহন্দে। চাইথোকং থোঙমি হুংতোইতবসি থঙহৌদে। বিএসন লাকপা মতমদা থুনমক মথাই কাবগা লোয়ননা হামগী মথৌ হল্লি।

কুইনরক অঙৌংবা থোয়নবদি মখৌ অমসুং পুক্নীংগী থবক হয়হল্লি। অদুনা মুখম, চুবা অকোয়বদা ঐশিং অঙৌংবদা লুপ্না কি থোকপা পুক্নীং চতনা বাথল থজিল্লদু শীকথবরকনি. তুমনিংঙঙনি, তুংখিগনি। চাইহাঙং থোক্না ওইরগনা ওম টৈতনবা মঙ'বা মীৎ-মা শিংগনি বাথল থলবা হেনমংলকনি। উইবস্ত হেক্তা কগনি। থোপকী ঐ অমসুং লীঙকী চেক্লোক চেমশিনপা চবিংগীপা মকুপ্পবা মথী 'ন। অদুম' চমীংবা উম হোক্না অচৌ'বগা কি থোক্না মপ্পগা থেংনবা ওইনা থেংশিনবদা থোক্তুগী ঐ পুম্বক মকমদুদা চিংথগনি, অদুগা থোপকী মঞ্জায় অপাকশিং অদু (membrane) লীঙনা থম্না লৈখিগনি। অশিজ্ঞন, কিতম অশিদদি মীংখিজনা তুম' থাগনি।

অদুগা হকচাং অপুংবা মপ্পগা হকচাংগী থবা থাবা শরুক্তা ঐশিং অঙৌংবা থোয়নবদি চেমথোক চেমখিনদা থেত লেন, অমসুং হবাইটসেল মশীং হেজংহনগনি। অদুনা মকম অমদা হেজংনা লৈহনগে হায়বমসু মকম অদুতদা পীবনা থোম্নগা অ'াবা অদুমক কাংগনি। মশিদি চুম্নগী 'ফিসেবা' হায়বদি কিয়াক. কিবকিং মচিংবা ইন্ত্রি মহাংদা লৈদুনা লোতুনা লৈবা লেনশিং মকম অদুদগী তাম্নোক্নুবা থবক কম্না তৌহল্লকগনি।

অমনা ঐশিং অঙৌংবা থোক্না মপ্পগা ঐকথবদা লেনগী ওয়েক্লোক ওনশিন থুহল্লি। অঙৌংবা অদুনা ওজিবমদু থুবা লোক-শিন্নগা কার্বোনডাইঅক্সাইড থুনমক লেনদা থ'থোকই। অদুনা ঐ অদি আনকানি ওইনা ঐ লৈজবনবমু হেক্কহল্লি। মৈনা

লৈবা এসিদিভি মুক্ষ হবহল্লি। মশীনবা ওইনা ঈদা তাবা উং অহ্ যাঙহল্লি হায়রল্লে। ঈ অসি এসিদিকু ওইরে, পুমশীন শীঞ্জে হায়বদি থাক্লি। মতু কৈদোংদা ওইদে, হেক ওইহনবদা মী অহু শিবা তাবনি।

অঙাংবা খোঙনা গেট্রিক অমস্তং খোয়রাউবগী উবশা মপ্রাম-শিং অসিগী চুপশিনবগী কৌশিলবগী পাঙ্গল হেনগৎখ্রে। অদুনা খোয়নপালহল্লে। ক্রিকেট তোবা অমাং ঈশিং অঙাংবা ইরুক্তবগা খোয়রাউবগী ৎকালকেং কৌশিন্দুনা শক্ত খোরবক্ত, অমস্তং শাগৎ-দুনা চাউখৎহল্লে। অঙাংবা খোঙনাখোংশাদা অহেংবা পুক্ক-শনা ইক্রি অকাংবা কয়াদা বস খোবহংবা হেনগৎহল্লে। চমাংদা খোঙদা খোইদোক-হেনদোক্লা মথক থংবা পুক্কী শক্তা অমস্ত শিভবগী মথক্তা খোঙনা ঈগী চাং যাম্না হেন্না বস খোকহনবা সেনদা য়েংহনবিহনা বস খোকহনবা ঐশিং অহুদা যয়াই অমা পীহুনা বস যাম্না খোকহল্লে। গেট্রিক ওসিদ পুক্তা হাংশংগী পুকী ডুগগী পাঙ্গল শোন্নবা, হৎনা লৈরবদি পুক মথক্তা ঈশিং অঙাংবা খোঙগা, গেট্রিক এসিদ হায়বদি তুম্নবগী বস অহৈস্ত খোকহল্লে। তুম্নবগী থক্তক হেনগৎলবা যয়াই পী। অহুগা লৈমরোহদা অশীনবা মায়রা গেট্রিক অদুসর, অমস্তং ড্যুওডেনম চাকনা লৈরবদ, ঈশিং অঙাংবা খোঙসি হেক তোংথোইদুবনি, খাঙনবগী মর্মক। মরমুদি মসিদা লায়না অসি অশীনবা মথমগী খোংশা লায়নানি। হায়রা এসিদনা চেমা মুত্তম অহনা লৈরবদি। ঈশিং অঙাংনা, ঈশুনা, খুইরগা, ডয়পুং মথক্তা

য়েহৎলবাদ লিভরগী মুংতাইতবা পুম্নমক কৈহনবা ওয়ই। অঙাংশিংনা কন্থরোদি হকচাংগী পুখোক থিবা হেনগৎহল্লি। মাংবা য়াইহল্লি। ঊশিংদি হেন্না চংহল্লি। কিদনিংগুম্বা খোম্লাদ থুনা খোকলি। থুনা লোখোকপবলি। অহু নত্রবদি কিদনিংগু ঈ পৈরনা লৈথি-বনা ঈশিং পশিন্দি। তেম্লা খোবদি কিদনিগী থরক কহল্লি। অকৈ হৌবদা খোম্বদা চংলবাককপা ঈশিংদা অখোংপা লেংগৎলা লাকিবা অতুনি। অঙাংবদা ইকহৎখোকপদা থুনমক কন্না য়ে-ংকপা থবক্লা ছুমাং অম্মা খোকহল্লি। কুইবা ঈকহৎনা লৈরবদি ছুমাং কুইনা খোক্লে। অহিং, মিংলেং থাহনা ইতুম ছুম হৎবদি লায়ঙম ওই অহপা মীংনা পুম্নমক ইপুং পুড়ৈথ, হৈনাংদ, উই-মীংগুনা লৈশং মাঙ্কল্ল ছুনদবদগী কন্থরোদি পৈনুনা লৈবদগী খোক-পদি। ঈশিং অঙাংশিংদা থক কুইনা ঈকহৎখোক্কপা নুংঙাইতবা খুদম পুম্নমক শাওখি। ঈশিং অঙাংবা খোম্বা অমম্বুং ঈকহৎবনা হকচাংগী অঙৈ অশাম্বা করি পুরকপা ছৎপগে হাবা থওল শাগংহনগে ঈংহনগে হায়রগী নিংগুম্বু থওবীরে। হৌজিক ঈশিং অশাবা অঙাংবা পাক চাইনা পীকপনা খোংনা কৰি পুরকপগে থওবীরে। নাত্তোন্দা নাহি তাবগা শো চুৰ নত্রপা অঙাংবা য়োংহতক অমা য়াও মথক্তা থম্বা নাহিহু তাবা হেক্তা লৈ। ঈশিং অঙাংবা উন কুইবা মথক থংবা য়াওবা লৈবদা, খোংবা. নাত্তোনগী উনশা মচুংগী মথাবদা ঈ পন্বা হেক্তা ভাহোকই, কহল্লি। মায়দা থুংতাখোওবা খোঙ্গবন্দু মাহৎপা চপ মামবা থংদা খোকই।

খোক, ওকপম, মাঙ, খোউ, থুন্তা অঙাংবা খোংবা খোক্তা থবক তৌহনবা ওয়ই। চৌংদা অদৌদো থৈজিনু খোক্তা থবক

তৌরিল্লে। থবাক্তা অমম্বা নাকথদা ইশিং থেরনা খুদোংশাগী থবক তৌহল্লি। পূক্কী ইনথা মথক্তা থোরনা পৃক্কী থবক তৌহল্লি হায়না পাক্লে।

হৌংবা নাকথংদা লোম্নগা খ্রিয়াক অহানগা ওহ থংবদা থোম্নগী ঐপগী থবক তৌহল্লি। কিরনিগী ওইরগা রিফ্রেস্‌-মেন্টগী ওইকদি পূক্কী মথক থগা লম্বাবুগী শরুক (মাও) মরুগা খোঙদা খোনই। মসিদি খোঙ মরুগা চনাংগী মথা-লম্বাবরোমদগী মদরদা লোকইনবা ওইরবদি কাম্রবা খ্বাইগনি।

ইঙ্ভরসন্তা ওইরবদি থবাক, খুং, কৈপন মহুং-থংবা, চনাংগী খোঙ, মাওগী লম্বারগী শরুক্তা ঈশিংগী অঙাংবরা থোনই। হিসুক্কিদনা নাবদ হায়বিরা মগুম অসিদা উন মানবা ঈশিং খোরদা ইউরিলসন্তগী হোরবা ওইরবদি মায়া পুথাইরি। কুপ্পা খোংলবা মরূব থমজিবক ঈশিং থোম্বা ঐরবরা অজোংবা শোক-হনবা য়াদে। হক্কাংগী মনুংগী ইজ্রিশিং অসি অমগা অমগা নক্না মমা ঐস থাবতসি তাকই। অহন্না ঈশিং অসি মাইক্রি-কিং ওইনা লেঙহনা কম্ম্যা কগী হায়রবদি এরুব, বিএরব মতোংবরা লাংচরা এক্সেম-এমব কুম্বা থঙবা তাই। মনারা নায়রে কৌবক ঈশিং শ্যক্লিগা হুম্বরক্লি কন্না পুন্নবুক অনি মতোম্বা তাই। অহুম্বা খোক্লইবা পুম্বক অনিমক্তা পুক্কলিথা কিমন হাবা অহু মুম্বা থঙবা তাই। হায়রুদি খোক্লইনা ইংগেলা খোকলুমগী থবক মতোম্বগী লাকুচরা থোরবা থাকপী-থাবা অমাঙ্ক হরক্লবা, লাংপা এবক মাংকা...

করম্না রিএক্সন থিংগনি ? ঈ থোকপা, য়াম্না থীনা চৌকপা করম্না থিংগনি ? অঙৌংবদু মতোংঅমদা লুইনা থোক্না তাবনি। রিএক্সন পঙবা ওইরগনা তহাক্তা থোক্না অদুগা মানবমক থোকনা তাই। থোক্নগী ৎবঙগী লাকপা থবক্তা ঈচেম্নগদি হোয়ন-চংলি। ঈচেংবদা লাকপা থবক্না মক ওইনা পনবনি।

ঈশিং অঙৌংবা থোক্নমী ১। অহানবা ঈংহনবা ২। অনি-শুবনা রিএক্সন ৩। অহুম শুবনা অহানবা অনিশুবা পুন্না কংবা তোনিক ওইবা থবক অমা কংবনি।

অঙৌংবা ঈশিংগী থবক উনশাগী ঈ উতোং শুপচানবা অদুগা মখুংগী ঈ উতোংশিং কাক্তোক-চাউথোকপ, ঈশিং অদুনা উনশা ঈংহুনবা, শুক্রোস, ডুচুংবা ঈংবা ফাওহনবা, ঈংহনবা নিংথম্হনবা, নৌকপা, হার্টকী থবক থুহনবা, অদুগী মতুংদা হার্টকী থবক তপ হন্বা, মিহুনসু তপ হন্‌বা, মিটরামী শ পচিন-হনবা (tention) শুর তুনা হোনবা, হমাং মজিনহনবা, মখুংগী রৈশা থবা হেনগৎহনবা (temperature) হয়না লাকপা থোক-চংডা উনশাগী ঈ উতোং লাওথোক কাক্তোরকপা। অদুগা মখুংগী ঈ উতোং পুম্নমক শুপচানবা অদুনা উনশা মতোন তাওশং তাওবা, মশা শাবকপা অদুনা মথৌ ওইদুনা উনশা অদু থোং-লকপা অমসুং চিংথোক-চিংশিন কাক্তোক-শাকশিন থোমলকপা হকচাং অসি সুমলকপা, মীহন তপ থরকপা, অদুগামক উতোং শন-চানবা থর তপ থবা অদুগা শাংনা লোয়নকপা, হমাং হেনগৎলকপা অদুগী মতুংদা হকচাং মখুংগী অতিংঅশা হাইথরকপা লেপলি।

হেক ঈকুজথোকপগা শাবা হেনগন্তুনা অমূকম্ভ লুজথোকপা য়াওই। অহৃদগীদি অহুম ঈংথত্রে। অমুক শাগৎলকপা তৌদ-বম্ভ য়াওই। শাজেলগুম্বদগী শাগৎলকপা তৌত্রবদি ঈংহুনা লৈ। অয়াম্বা মীদা মাম্ননা অহুম চৎপা য়াওই। অহুবু অকোনবা অসিদদি থব্রদি ঈংথগনি। অহুনা নিংথম থাদা তগুনা ঈকুজহনবদা থাওবা শুমদবা মী অহু ইনক্লেস্না তৌদবা লৈতে। অহুগুম্না অঈংবা হম্না হম্না থোম্বসি চপ্ মামবা কল কংই। অহুনা নান্বা, শাঙ্গেপগুম্বা য়াওনা ঈকুজবা, ঈকুবা মমাঙ, মতুং অমম্বুং ঈকুজরিত্তৈদা রিএমন হায়বদি অমুক হম্না শাগৎহম্নবা হোৎনহোদবা য়াদবনি। ঈকুজত্রিত্তৈ, ঈকুজবা, লোইরগা ওইরবম্ভ শাগৎহন্দবা য়াদবনি। হকচাং শানা থম্বা, কা অহু লুমনা থম, ঈশিং অপাবা শীজিম্নবা, থকপা, অপাবনা এমেম্না লোবা, ঈশিং অপাবনা লুথোকপা, শাজেন, নান্বমচিংবা তৌহনা ঈকুজথোক্লিত্তৈদা হকচাং অহু ভাঙপং ভাঙহন্ শাগৎহনগদবনি। অহুদদা অমুক শাগৎহনবা ওমগনি। নান্বা, তকুপা, ঈশিং অপাবা অঈংবা ওম্না ওম্না লুবা, থোম্বা মত কয়া অমম্বুং থতনা শাজেন তৌরগা থুনা ঈশিং অঈংবনা লুগদবনি। অহুদদা থুনা অপাবা অমুক হম্না লাকপা ওমই। তকুপা-নান্বা শাজেন অসি ঈকুজত্রিত্তৈদা অমম্বুং লোইরগা তৌবা য়াই।

অঈংবনা ঈকুরবম্ভ শাগৎলকবা, মীংথমহুনা অহুম লৈবা চুক্লাই হৌবা অসি তজনা থোকই। অঙাং মকাদি ঈশিং অঈংবনা লুবপা ঈংহুনা অহুম লৈগনি। অংগং ওইরকপা ময়া মঙাঙ

কংচিল্লক্তবা মরাই তাযবা মীওইচুম্ব ঈশিং অঈংবনা ঈরুজবদা শাগংপা ঙমদে ।

য়াম্না চোকথরবা, থবক রাম্বা শুরুবা মীদদি পাক হঙ্গংতে। ভপ্না থরদ মরাকই। ঈ থাংদবা মী হায়বদি মরাঙবু কংল-বম্বু নোয়রবম্বু (ill nourished) ঈ রাংলবা মীশিং অদু হঙ্গত্তে। উনশা অসি মথ্বায় পান্দ্রবগুম্না লৈরবা, ঈংপ্রবা উনশা পানবা, মরী মতাং শোনবা মীদু নিংথম চলগল্লি, ঈংগল্লি। মখোয় অদু ঈশিং অঈংবা কি। তাং চীকপা মীওইশু পাক শাগংতে। অনাবা অমশুং হকচাংগী কিতম্ কয়াদা পাক হঙ্গত্তবা কয়া লৈরি।

অঈংবা হেক খোঙ্গদা হকচাংগী মৈশা তাথহল্লি। উনশা ঈংথহল্লি। অদুনা ঈশিং খোঙ্গদা মাঙপ্রবা মৈশা হঙ্গংহনবা অমশুং তেমপেরেচর অদুগী লৈকম খোকপা থল অদু চানবা থশ্বা ঙমনবা শীজিন্নগদবনি। অদুনা ঈশিং অঈংবা খোঙ্গা অমশুং ঈরুজবদি থাখিক রিএক্সন হায়বদি খোঙ্গী হং৷ লাকপা অদুগী কান্নবা অদুদনি। হঙ্গংচবা ঙম্নবদি মদুংগী ঈশ্রি পুম্নমক ঈশিং অঈংবনা কান্নহল্লী। মদুমক্তা ঈচেলম্বু হন্না লাকপা থবক অদুনা কান্নবা পী। হঙ্গংচবা ঙমত্রবদি মমুংদা ঈ পুল্লুনা লৈবদগী কোক চীকই, চোকথৈ, মকম কয়াদা অনাবা, অচীকপা কয়া কাওরকই, কোক-ঙাওরকই, হকচাং মুম চোকথবুবা লৈ। কন্নিগুম্বা মতমদা দাইরিয়া তৌরকই।

মাইক্রোথরাপীদা ঈশিং অশাবনা লুবা থোম্বা, হীগা মৈবা, ঈশিং লায়মেংদা মৈশাদগী লাকপা থৌওং :

হকচাংদা অশাবা মৈবা থোম্বা অসি অঈংবদা মৈবা থোম্বগী মতৌগুম অরুবা থৌওং কয়া পূবকই। মসিদা চঙইবা হায়বদি থবক তৌহন্নিবা চংন-মায়োল থৌশিল খঙদোকপা ভাই। কোমেক্টেসন, মনিল্ মৈবা, মুংশিং অশাবা য়াইবা মুংশা য়াইবা, হীগা মৈবা, থোম্বা, অশাবগী কম্প্রেস, ঈরুজবা মওং কয়ামা হকচাংদা মৈশা পীবা য়াই।

১। কয়য়া থোম্বা মৈবা।

২। চাং (অশাবগী)।

৩। চাং (কুইবা, তেমবগী)।

৪। মাখিবা নত্রগা হকচাংগী কিজ্ঞয।

পূম্নমক অসি য়েংনুমা ঈশিং শীজিন্নগদবনি। হকচাং মমুংগী হাউ থোককম উনশা মপ্রামগুম পাবা মকম অহুদি চুয়গী উনশা খাওবা ওবা মৈশাদগী দিগ্রি ১০/১৫ হেন্না অশাবা খাওবা ওবই। মশাগী উনশাদা পোংজনবা ঈশিং মপানগী উনশা পোকদবা চাক ইস্লাং অশাবছ মকুংগী চাবখাংগী মপ্রাম অহুনা খাঙবা ওবই, এমেবা তৌবদা থোইনা শাদবা ঈশিং অশাবা অছ উনশাদদি পোকনি। বাশিয়াগী ঈরুজবা অমস্তুং দিগ্রি ১২০ স্তীমবাথ মত্রগা জাপানগী ঈরুজনবা ঈশিং অহু এখোয় সোমদদি পোকনি। দিগ্রি ১৫০ কাওবদা থোইনা শাবগী বাথল থমদনা ঈরুজখোকই। দিগ্রি

১১৫ অসি অয়াম্বা থাওবা ওমত্রবা নৈশানি। তর্কীস হোট এয়ার-বাথ হায়বহ দিগ্রী ১৪০দগী-৮০ ফাওবা শাই। মসিদগী মী অহূদা অমাঙ অতা থোকহন্দে। অহৌবু কবিণুবা মতমদা দিগ্রী ২২০ দগী ২৫০-ফাওবা হাইগৎহনবা য়াওই। কালিকোনিয়াগী কোলোম্বাদোদা মেক্সীকান অমসুং ইন্দিয়ান মচাশিংনা নোমইবসি থার্মোমিটার ১৭০ য়োবা য়াওই অহৌবু সনস্ত্রোক্ যা য়াওদে, কবিণুবা সুংঙাইতবা থক উদে। অশাবা থোক্লগী হকচাংনা পূরকপা থৌওংদি অশাবা অহু করম হায়না থোক্লগে হায়বা অহূদা লোইনবা নৈ। পূরকলিবা থবক মওং অহুস্থ দিগ্রীদ নৈ মওংদা নক্রগা শীজিন্নবগী মথনদা নৈতে।

ময়াই ওইয়প শাবা ঈশিং শীজিন্নবদগী পীয়কপা থৌওংদি ঈ উভোং কাক্কোকপা, অপীকপা য়ৗ (vein) অমসুং লীক্ষগী ঈচেলগী থোং অহু কাক্কোকহনগনি। হৃথাং থোকহনবা, অমসুং ঊনশাগী প্রেশদগী, ঊনশা অসি কক্লনা মশা কয়া থয়বা, থাঙ থোকহনবা ঊনশাবোমদগী থব হোন্দোক্লবা ময়াই পীবা অসি-মচিংবা থবক্ কয়া পাঙথোকপা অসি পূয়কই, ওমহন্নি। হৃথাং অসি ঈশিং অশাবনা ঈকবা অমসুং ইলেকট্রিক-লাইট কেবীনেট বাথ, থুংশা-য়াইবদগী শকক নিফু-হৃস্কু হেজংনা হৃথাং থোকহন্নি। ঈশিং অশাবনা কয়া থোক্লা ঈকজবগা হৃথাং থোকমনুবিহনা হকচাংদগী মহৌ থোকবিবগা ঈকজবিটৈ, মুজবিটৈ, লোইবগা মুথু শাবা ঈশিং য়ায়া থকদববনি। হকচাংবগী মহৌগী শকক যায়া চংব্রবদি হার্টফা যেয়া লাকই, শোয়হন্নি। ইকতৌজনা অশাবনা

নুমা পোবা, শাংবা নুবা, খোইশাংনবা খোঙবদি উবগা পোঙ্হল্লি, হমগংবা শীরকপা অমত্তা ওমনে। ঔশিং অইরম্বা চৈবা পোবা কাওবা মরাই কাহনবা, করখংহনবগু মায়া থাংবা পোকই।

অমুক্তা ঔশিং অঙৈংবনা ঔকুববা :—

ঔশিং লুপু শাবনা নুকখগা অঙৈংবা ঔশিংনা চৈথবা অম্বগা কিনা থানবা তকপনচিংবা মাশক্তুগী এগা কনবা পোনখী মচুংইমা তোবাপদবনি। হকচাং হাইকেং কবা অকনবা মীদমি হকচাং পুথা ঔশিং অঙৈবদা থেক্তা লুকনা থাইদগী কৈ। কোক্তি মাওগনা হকচাং পুথা পুগপ, নুমা চনবা তক্তা ঔশিং হাপকদবনি। পুত্রী ওইরগনা অহম নুঙাইঘু কোক অহু হাম্না ঔশিং চৈহনা ঔংহগা কংলুপ লুমবা খাইকদি কৈ। সেকেত মতাংগী তকক কাওবদা নুঙাইঘু। হকচাং অনুথা চেৎপোঙ্গা থুংবা ফংবা রাজু। ঔংহুম লৈবদি শাহেন বহা তোহনা হকচাং খাপহেম্নু।

থোত, খুৎ কামতেঙ্গা হেক কোশংগকখাগা অঙৈংবা ঔশিংবা ঔকুবখোকপা থাইদগী কবা মতাংদ মঙ্গা হুসুং থিগবথবা মচুংদা নুথা মথগা অকিং চংলুপগা লুমনা থাইদগী কুবা মখুসি। হকচাং মাংখেকনা কবা, এথা খাইদগী কুম অমচুং চিংবা মরাগী "শাকেন খোকখী" ঔকখনগি থাইদগী কবা শাতেদি। খুদৈবা তঙ্গা মখুরেওব হকচাং অপুখা তকপমা মচাং অসি থাগথং তাকপা "লৈশবিক" চুকি লবা লাওগা মীকপাবা চুবোই।

ঔশিং কন্দ্রেগ খুদৈ মপায়া মগা ।৵/৮ খোক্তা খুমক ঔশিং অঙৈংবা নুমগা কংবা চমদোঙ্গা অনাপা মকক অমথা চোমৌমু।

যেক্সিনতোন কিন্না কূপশীনবীনু। মথক অহুদা ক্লাবেলনা মক্লপা
থূগা কিন্না, থূদৈ অথাবনা যোমশিন কূপশীনবীনু। ওহাক্তং লৈবগা
শাগৎলকনি। হিদাক থোক্পগা অঙ্কানি। য়াওদা হুংঙাইতবা নাবা
চীকপা, ভুমদবদগী পুক নাবা, থিনবা, খোইরীক্না হাউ থোক্লুনা
ইত্তোন্ হাউ কায়বা, মাংবা য়াদবদা থোক্নীনু, অমসুং চমীদা হেক
থোক্নদা কোক্তা ঐ পূনবা হাইথগনি। ভুবা য়াদবা ভুমগনি।
থূউ চীকপা, পাম্বোম চীকপা, থূনিং চীকপা, পাম্বোম মক চীকপদা
হীট কম্প্রেসনা থাইদগী থুং অনাবা কহনবদ মত্তমা ঐ অহেনবা
পীহনা যেন্নামত্ত হেনগৎনা তৌহনি। কত্তহৌদি হেন্না পুথোকহনি।

উমগী থাউ থোক্না— উম মচেং মচেং চেত্তেকমুক্তা চাউনা
থূগাইরগা থাও অহুগী শকক মরি থোকপগী অহমদা হায়জিন-
গদবনি। মহুনা মকম অয়াম্বনা অকুৎ-অত্তোং নাইনা থোক্না
য়াগনি। মচু থৌনাও মপাদা থবদা মক্লগা পুক্তী অহাঙ্গা শক্কা
থক্লগা ওবা হেক্তা কৈ। বেগ অহু মুথমদা থোক্নদা হিয়াই হৌবা,
সমুদ্র চৎপদা কোক ঙাওবা (Sea Sickness) কৈ। মথুং অমসুং
মপান্না নাবা চীকপা পুক্তমক্তা উমগী বেগ থোক্না হেক্তা কৈ।
থোওদদি চেক অপাবা মক্লপা য়াউর বেগ অমসুং ঈশিং অপাবদা
তীংথনচিংবা তৌহনা হকচাং ঈংহনগদবনি। এপেতিক্স নাবদা নাবিবা
মকম অহুনা উমগী বেগ থোক্না কয়থিবা কয়া যাওই। অহুগা
উমগী বেগ অহু পুং পুনিংগী লৌথোকনবনি অহুগা থোও অমসুং
খোওপাক্তা থঁপাবা হিগা দৈ দৈহনা হকচাং অহু ঈংথহনবা
থাম্বা হোৎনগদবনি।

নিউমোনীয়াদা উবগী হেক অনিমক লংস অশোক্পা অহূম মথক্তা থোকই। হৌগৎলকপা লোংবা নিনিদং থোকই। পুংবোয় খুদিংগী লৌথোকই। অহূগা মিনিট ৪৫ থোমদনা থকই। মথক্তা অশাবা চহোক্নং থোকই। হার্ট মথক্তা থোক্সনা হার্টকী তৌনিক ওইদা থাইদগী কবনি মীহুন শোন্নবা অমসুং থুরবদি উম মথোম অনিদং থম্বোই মশাদা থোক্বা মীহুন কনথংকনি। হকচাং ইংহল্লবা ঐশিং অশাবগী লিকনি, বাটর হেকনা থোক. হকচাং অপূম্বা মীংহু শাবা থমগদবনি। কোক্তা ঐ হেক পুংথিবনা কোক্তা উম অহূ থোকই মক্লগা চকশমদা থোকই থাইদগী কান্নবা কংশনি।

হিগা ৈয়বা (কোমেন্টেশন)

অশাবদি ওইরগা অচোৎপা থোবা ৈয়বদু হিগা ৈয়বা কৌই।

(১) হেক যাম্নিমতৈ উমশাদি শোকহন্নবা থোক্তা, ৈয়বা।

(২) ৈয়রিবা থোমলিবা মকম অহূ অহূকী মতীক শাক চাউরগা কান্নবা কংবা মতৌ।

(৩) অশাবা অমূক অঙৈংবা অমূক ওম ওম থোবা ৈয়বা। থাইদগী শোন্নবা, নাবগী মতী অমসুং তোংশা অহূ থেরাথোক তৌজবা চমই। ঐশিং অশাবা অসি হেক যাম্নিমতৈ শাহনগনি। অশোবা ঐশিংদা থূহৈ ৬/৮ থুম্নগা শাথবীরো চেশপ্না লৌ: শংলগা অতোয়া থূহৈ অমদা হাম্নগা মী অনিমা থুমেংগী মথক্তা মচীম অনি অহূ হেং ওই ৈলশীন্নগা কংবা ওমথোকপীদু শাম্নিবা মতৌ কনা হেন্নি। অহূগা চেংলবাদি শোকই, কংখ্রা ওমথোন্নবদি শাবদু থক লোক্লোই। অশাবা অসি মিনিট ২ ৈয়র

নত্রগা থোবউ অহুগা অঙৌবা কি অমুক মিনিট ১ থোবউ নত্রগা থৈদু। রেক থৈদু নত্রগা থোবউ। মিনিট ১৫ চংগনি। অরোইবদা ঐশিং অঙৌবদা থোমগদবনি। আরথাইস্তিস, গাউট, থিউরেতীজম-চিংবদা থাইদগী কাময়া কংগনি। মসিগী লোয়নন্না চয়া হেনব, মুনা মশিংদা পীজবা। শফোক ডাক্তা পীবকদা থাইদগী কায়গনি।

মী পুম্নমক্না থওকম থোকপদি, অঙৌবা ঐশিং অমসুং অশাবা ওয় ওয়া থৈবা থোক্না ঐ চেঙোক চেনশিন হেনগৎহল্লি। কবিওবা অকক্নবা মকম অমদা থৈবনা থৈবীবা উনশাদুম মতুঙা উনশা অহুগী মথাদা থংনা থৈবা ইক্লি অমসুং শকতম থবা অহু ঐ চেনবা হেনগৎহল্লি। অশাবনা থবা চুইনা থৈর থোমংগা অঙৌবনা উহাক্তং থোশা থৈবা য়াই। লোইবা মতমদি অঙৌবনা লোইশিনগনি। মদুগী ঐ উত্তোং অহু অঙৌবনা তপচানহল্লগা অশাবম: কাংতোকপদা নক্নবা ইক্লি অহু ঐ য়াম্না থাজ্জ অমসুং চিংথোক্কই। অঙৌবনা উনশা মতোমদী মদি অহু তপচান-হনা থাইদ-চোকথহনবু থৈশা অহুগী অশাজল অমুক হনা পীবি। কাময়া মকং অসি মতম চুইনা কাহেনবা য়াই। তোঙমদি থৌচিচং অসি অশাবনা হোৎপা অঙৌবনা লোইশিনগনবনি। কাং-হুমং হাইনা অমসুং কুমলায়না ওইনা থৈবা অমামদা অহুগা ঐ অসি পুন্নহনা চুইনা থৈবা মকথদা থৈমনা-লাক্লে। অহুগী মতমচুমদা চুংনা থদিংনা থৈবা মকথা কদ-হৌবি, অহু তাংথোকপদা, অমসুং ঐ অমুক থৈবা ঐ অশিবা থৈবা ককথা থাইদগী কাময়া মতংদা পীজিনবা। ঐশিংগী শাইথোকলি।

মসুংগী ইস্ত্রি অসি তন্দুনা থবক নাংথিনা তৌরবা, ইস্ত্রিশিংছ মথিং মনা শিংহল্লি। থবক নৌনা হৌহল্লি।

অশাবা ভাক্তা থোঙ্বা অমসুং যৈবা :

হেক ওয়্লিবমথৈ শানা, পোক্তনবা শুমদোক্লগা থোমউ। মরাক পাক্লা মকম করনা যৈবীয়ু। শাংনা যৈবা থোঙ্বা য়াদে, মিনিট ১৫/২০ দগী হেনবা য়াদে। পুং ১ গী মতুংদা অমুক যৈবা থোঙ্বা য়াই। অঙৈংবা যৈবা থোঙ্বনা লোইশানগনি।

ফ্লানেল অমা ঈশিং অশাবদা লুপ্লগা কংনা শুমদোক্লগা উনশা অচুগা থংননা থোমউ অচুগা কি অকংবনা যোমশীন্দুনা সুংশিং চঙদনা থমউ। মচুনা মৈশা অচু যোক্লুনা থমগনি। মৈক্ক অমগী মথক্তা অশাবা কেটলি অমদা ঈশিং অশাবচু শোচুনা থম্মীয়ু, কংনা শুমদোক্লগা যৈবা থোঙ্বীয়ু। হোট ৱাটর বেগ অমসুং লৈতোই হানবা বেগস্তু কা মথক অচুদা থমচুনা মৈশা অচু তাথহন্দনা থম্বা য়াই। অশাবা হাৎবসিনা নাবা-য়েকপা, চাকপা ফহল্লি। ম্যাটদগী চেকশিনগদবদি থম্মোইগী মথক্তা অশাবা মিঃ ২দগী হেন্না থক থম্বা য়াদে। অনাবা অচুনা পেরেলাইসিস্ তৌবা, পঙথবা মাওই ওইরবদি পোক্তনবা য়েংবা ঙাই। ঈশিংনা পোকহল্লিবসি অচকী মতিক কংনা শুমদোক্লবদি পোক্লোই। থুংনা থোমগদো-রিবা অচুগী মথক্তা পায়রগা মশানা য়ায়নি হায়বা মতমদা কিচ য়েংনা থম্মীয়ু।

মিনিট ৫ অমসুং ১৫ দগী হেন্না থোঙ্বা য়াদে। মিনিট ৫ দগী হেক হেনবদা ফ্লানেল অশাবা অমা অমুক হোংউ, কোমেক্তৈনন

অদু লম কপ্পা খজিতপা থোম্লবদি হোট ৱাটর বেগ, থোটক্ত শীজিন্নদুনা শাবা থম্বা য়াই। ৱবর পাইপ ঈশিং অশাবা হাজিল্লগা কোনশীল্লগা ফ্লানেল অদুনা য়োমশীল্লগা থোমদ্রু য়াই। মিনিট ১০/১৫ থোম্বা কাওবদা নাৱবদি, চৌক্রবদি ঈশিং অঙৈংবা কদি নত্রগা খুংনা সেকেণ্ড ৫ রোম মকম অচৌবা নান্দুনা ঈংহনগনি। অঙৈংবা অদুনা ঈ উত্তোং অদুদা তোমিক ওইরা পাক্লন অমা পীবা ওমই। অশাবা অদুনা শিথকরবা মরী অদু অমুক হন্না পাক্লন কপনা পীবা ওমই। থোমইবা অশাবা অদুনা ঈংথাট্রিকাওবা থম্লবদি ওসাইগী অপাম্বা অদুসী ওন-তৈনবা কল ফংগনি। অশাবা অদু হেক থোম্বা লোইরদা অঙৈংবা ঈশিংনা নানবদা উকপাদা ঈ অদু লেঙদনা লৈহনবা কোমেন্টেসনগী কান্নবদু শাংদোকহন্না থম্বা ওমই।

হকচাংদা পাকনা চাউনা ঈশিং থোমদুনা, লৈদুনা হুমাং, থোকহনবা ওইনা তৌরবদি ঈশিং অঙৈংবনা নান্দুনা, তকনা লোইশিনবীয়ু, কাউবিগদু। মদুনা টোমিক ওইনা থবক তৌগনি অদুগা মরী শোনবগী নিউরেস্থেনীয়া ওইনা অচৌকপা, অনাবদা শাংবা কুইনা তক নান্দুনা ঈকক্লথোকপদি কত্তে। কক্লবা মতমদা তৌবিয়ু। অদুগা পেরেলাইসিস ফোবা মী, অমান তাদদুনা লৈবা মীদা কোমেন্টেসননা পোকহল্লি। ঈ অসি তপ্না চেন্দুনা লৈবনি, পোকহনবদু হেনগংহল্লি। অনাবা অচৌকপা কহনবদা, কোমেন্টেসন হাবদি অচোংপদি ওইবগা অশাবা, মাম্না শারা লৈশাগা, লাম্বা পাবা, মাবা মতৈ উপায় লৈত্তে।

মসিনা মকয়ে। অনাবা মকম অহুদগী ঐ অশিবা ওাহোকপা ওমই। অহুগা মকম অহুদা কজনা লৈখিবা মরী অসি য়াম্না কজনা ঈংখমা থম্না ওমই। কাম্নবা কংহনগে 'হায়য়বদি শোকইবা, মারিবা মকম মকম অহুগী শক্লক ৩/৪ চাঙ্মা কোননা, পাকনা য়ৈ, খোমগদবনি।

ফুটবাথ: (খোঙপাক ভীংবা, খোঙ হাপ্পা)—অয়াম্বা মীং ওইনা খোঙ হামদোকপসি করি কান্নবগে হায়বা থঙদে অমম্নুং থম্দে। খোঙপাক হায়বদি মরু ওইনা খোঙগী অসিগী চমীং অমম্নুং কময়াগী ঈচেল অসি শম্নবা মরীগী সেন্টরগী মরী লৈনৈ। অহুগা খোপ অসিগু মসিনা হায়বদি থুয়াগা মরী লৈননা চংহল্লি।

উরশা কৌই। শোকপা থঙবা, অকনবা, থুরোক থুপচীন য় বা চিংথোক চিংশিন যাবা উৈরশাগী শক্তি। হকচাং মশা পুম্নমক কল্লিবসি তাম্বিসননি। অদুং, থাউ থোকইবসি য়াংসদগী নি। তার্মা অসিদা তোংস্থ য়াওই। মরোল অনী তাই। মথংগী মা পেপিনারো কৌই। পেপিন কৌবা মশীং নাইদনা লৈরিবা পীক্লবা ঈ উতোং কয়া লে। শাংবদা ইঞ্চি অমগী ১/১০০ নি। মথুনগী দাইয়েমেটরনা হাক্ক ১/১০ নি। য়াম্না শোকপা থঙনবা মক্কমদা পীকপ্রবা তাইথংপা ময়াম পুম্নপা মশোং ম ইবা শেমগনা পরেং মান্ন মান্নবা লৈ শোকপদা কয়া থঙগদবা মকমদনা পান অমস্থং চাং নাইদনা লৈ অসিগুম্বা অথোয়বা মশোং-শিং অসি (whorls) শিং অসি মী অমমীগা অমগীগা থক মাল্লদে। অহনা পুন্সিবা অমুক্তং থংশা থোকপাগী মাংমগী 'প্রিন্ট' মুক্তম অমুক্তং নময়ব দি মী অহানবা মাদ্রে। মী অসি তঙ্গান মাল্লদে হায়বা তাকই। থাইদগী মক্কওইবা বাকম অমনা উরশাগী মকক আসদা অহোবা পম্বী অমস্থং পীকপ্রবা মচীক-মতাং (মাইক্রোপ না থুন্দাহনা লৈ। থুংকী থুদাং অ স কবিয়দ্ভ হৌদবা অকংবা মরুভূমি কৌবা য়াই। সেপ্রাক অসি উমং অমগা প্রমাণ তৌব য়াই। উমং অসিগা লোয়নবা মশীং নাইদনা জীব কয়া থুন্দাহনা লৈ। মীংকী পা অমিযক মচীক মতাংনা থমমা ল।

উরশাগী শক্তক থরদং মাইক্রোসকোপতা য়েংলবদি উ রানা থল্লবা লমজাউ অমগা চপ মান্নবা উই। লৈহাও জাং অমা ওইনা অহিংবা জীব অমস্থং উ বা হৌরি। হকচাং অসি লুপু

পূম্ব্ শাহুনবা, লুবকমবা নৈ। অদুগা কবিগুম্বা মতমদা চোৎলি। অদুদগী চুবোংবু হোই। মরম অসিনা মহৌক মতাং নৈমমবা মায়া খুদোং চায়। অমাবা পোকহনবা অমদগীদি শরুক ৪০০ চাউবা নৈ হায় মীংবা উব করে। মাদুগী অকবা, নাপী অখুম্বা, খোঁজপা অমোপী মমক্তা অংৌবা শামীগুম্বা মহৌক (cell) অমং অমা হাটৈমদা কাবা লেন (ferment) অদুগুম্বা পুম্বা পুম্বা খুনাহনবা নৈ। অদুগা খুং খোজগুম্বা চু হৌদবা মকমদা কোককায় কাবগুম (fungus) নৈবা কয়া মাওদি। হকচাং অপুম্বসি মহৌক-মতাংনা থম্বা নৈ। অদুবু অমাও-অতা ভৌনবা মহৌক্তা হেয়া লে। কবিগুম্বা কালদা অমাবা পোকহনবা কয়াম্ব মাওরকই। অদুনা উরিং থুংলকই, কুপি, মায়োং অমসুং চৌম-মা নাবকই। সেগ্রাক্তা স্ক্যার সেঃ মিঃ অমদা মহৌক-মমাই মিলিয়ন্ ২·৪ নৈ। কোক্তা উনশাদা ১·৪ মিলিয়ন নৈ। মহৌক ১০০,০০০না শাইমক্তা নৈ। খুদাংদদি স্ক্যার সেঃ মিঃ অমদা তপ্পগী ১০০ম নৈ। হকচাংগী উনশাদা খাইদগী হেয়া নৈসনবদি কোলিকল্যাইট কৌই। মীংকী শাদা, খদাংদা, মাংজোন মদুংদা নৈ। মচা পোকই, মশাং হেন-গৎলি। মখোয়গী মখোদি চু, শম হৌবা মফমদা মহৌক মমাই হেনগৎলকপহ কাদুনা চাখোকই, মাতহল্লি। অদুগা মহৌক অদুক মায়সি ঈকনখোক্লগা মাওজবি। খুবাক খুবা, মায় তাবা, কোক চুমখোকপা, কয়না কাদোকপগা, লোয়ননা চাবখোকপদা মাম অমসুং সেগ্রাক্কী মহৌক মতাং শিজবি।

উবশা স্ক্যার ইঞ্চি অমদা হমাং খোকপা খেন্দ ৪০০ মোম নৈ, খুবাক্তা ৩,০০০ নৈ। হমাং খোকপা খেন্দ মিলিয়ন তংখাই অমনা

অয়ুক সুংখিদা সুংদাং হকচাংদগী কত্ত-হৌদি শেংদোকতে। অতুগা অঙৌং অশা কজনা থমদৌ। খবোম্নীনা পুথোকখিবা কার্বোনিক এসিদ অতুগী ½ দি উনশানা হকচাংদগী পুথোকখি। মথাং হায়বসি মহাওদগী লাকপা এসিদ, থুম থরা ইউ য়য়াগা তিন্নবা অচোংপা শক্তক অমনি। উনশা কজবা, কুচু কজবা হায়বসি মশা ফবা উনশা হায়বনি। মায়হৌং কাদে। চহী য়াম্নকপগী মতৌমা তৃবা লৈতে। কজবা হায়বসি উনশাদগী হোগদবনি। কুচুনি কজদন শুপা মশক কৈজে হায়বা থক য়াদে। মায়হৌং কায়বা, উবাং গুংলবা, ফোংলাউ-নয়বা, তাইকেং তাইবরদি চেকশিন্নবা মীওই অমনি ত্তাকপনি। তোং, মসল, মরী, শম পূম্নমক অতুগা ইন্দ্রিয় পূম্নমক য়ে মশান্নুনা থুমজিন্নুনা থম্লিবা উনশানি। ইক্তি অমগী ১/৬ তরাতক্কী অমত্তা থারবম্নু মসিদি স্বয় হোনবা, শিংবা অমম্নু হোংদনত্ত লৈবা ইন্দ্রিয় অমনি।

উনশাগী মথৌদি মহৌক মতাং চৈদা চঙংশনবা, তাকথোকপা মথাং থোকহন্নবা অমসুং অবোংপা তাম্নোকপা, হকচাং অঙৌং-অশা চানা থম্বা ১সুং হকচাংদা শোকপা থত্তবা হায়বদুগী লৈফম অসিনি।

উনশাগী মরুংগী খ্রেন্দশিং অসিনা কেপ ওইরবদি উনশা অসি কাহংপা, কন্ কন্ লাউবা মহৌক মতাং চত্তবা ঙাই। তুখোং অসি কোয়বদি কত্ত হৌদি চত্তবা ঙাই অহুনা থূহনপনি। সাবকুলেসন্ হায়বদি ঐ চেম্নোক চেনশিন বাংলবদি তোং অসি তুখশিনখি। মচু মাওপ্রবা উনশাদা মখি খোয়বনি, কুয়কনি। হকচাং কয়গা থবক তৌবা তপত্তম, হকচাং কয়বত্তদ উনশাগী থবক তৌজবা তাই, শাম্নেন

পে থাবা মুংশিং অশেংবা, চীঙাক অচৌবা কম্ব গৌদি পোৎথোকপা
কিক্লেং চাকচা, চৈক মায়থকবনচি'বা মকচাং কহনবা অমম্বুং কনা
লৈহনব মরম মযাম কাৱদনা চংপা তাই।

মোশক্কী ভুকপনা থনুপ্পবা সহৱগী লম্বী, ঈশিং শেংথোকইবনি
হ মরুনা শীঙিন্নারবা আনকানি ভ্রীচিং পাঙদবথিংবা অসিগী
৪, অশাব, ওলাং'বা মকমদা মমুনা লৈবা তারকপা, অহাঙবা মুংশিং
অ.শ বদা লৈবা ফংলক্লেদা অসিনা মরম ওইহুনা মম অমম্বুং ওক-
শমগী মতম থবা কেন্না ভৌবা ঙামনি।

লূনা লৈবা কম্বা তাই। মহাবোল লৈশাবী মৌনহ মা লূবা
হামরগা সাবোম্সা হেক্কা ত ইবনা খ্বাইদগী ল'নবনি। লূবা হায়বদি
ঐ হাত্না লুনা ঃতশেংবা থম্বা তাবনি। মতুংদা চামথোকপা
ঔক্কমথোকপা, হামদোকপা, মুথোকপা, হায়বহ ঈশিংগী থবাক্কি।
সাবোনগী থবাক্ক মচেৎ মতুং অমা কাদে। মাম অহ মমেক
ইথাং থা'ত্রবাদ কংমল্লদি ক্লৌব থরদি শীঙিন্নবা মাই। মাম অহ
থোৎহাল্লে। খু'দ অচোৎপনা তৈথোকপদা মমেক মহাও অমম্বুং
অমোৎপা মোইনা মাঙহল্লি।

মোংবমী মপুংদা অমুক্তদি হকচাং থসি ঔক্কমথোকনবনি।
মণিপুর মচা থবা ওইনদি মোংবদা অমুক্তি ঔক্কমনবা য়াওদ।
হৌজিকী যুগ অসিদা ঔক্কমনবা মীওই য়াম্না য়াওরক্লে, কম্মাৱবদা
মনয়া ঔক্কমদে হায়বা হেক্কা তাকই।

কানেনদদি মুংশাংবাই নত্রগা ভুমথনাই লুথোকপা অহল্লা
অহুক থুদিংগী ঈশিং থঈংবনা ঔক্কমথোকপা খ্বাইদগী লৈ। অহল্লা

নিংথৌথাদনি মশা কম্রবদি অমুক মুংদাংবাই ঈরুজবা থাদোকপীয়ু। অমুক পুং ৯দগী মুংথিন পুং১/২ তাবগী মতুংদা লুথোকপা হৈ। ঈশিং, অশাবদি চয়োল্দা লোংমথক্তা সাবন্‌দা লুজবা য়াই। মংফম্ভু অঙৌংবদা চাইথম্বা লোইশিন্নগদবনি। মামদা ক্রেম মক্রগা সাবন শীজিন্নরবদি ঈশিং অশাবদা লুপ্লগা তমদোক্লগা মায় অসি মানবক্তম হৈবক্তম তৌবিয়ু। ঈশিং অশাবদা তুথোংদা সাবোন মচেংদা ফুম্দুদা মুংতাইতবয় চামথোকপি। অহুম্মক অরে ইবদা ঈশিং অঙৌংবদা তাথোক্কনি। হনংবা উমশা অসি মশা কহনবনি কন্‌শীমহন্‌বনি। মক্রবদি ঈশিং অশাবদা থোর-বদি মথেং-মহাও চামথোকবিগনি। মায় থুইরক্কনি।

মুংদাং মায় অসি তাবদা তাথোকপগী তবতা মায় অসিগুম্ মেসাজ তৌবা কাউবিগদ্রু। মাতুঙদা মায় থুডনবা মহা ওইনা থম্বা চংগনি। অঙৌংবা ক্রেম শীজিন্নরবদি মেসেজ তৌবা মতমদ য় শীজিন্নবীয়ু। সাংবোনমা মায় তাথোক্লবা মতুংদা ক্রিম অতু শীজিন্নবা য়াই। অহুম্ হাবনিবা পোৎশকশিং অসি এন্তার-ক্তাইজবা হেনবা, উমশাগী মোর পেয়নবা চৌক্তাক মাগদবা পোৎ-শকনি। অম্রগী মেসাজ তৌরবতদা মতুংদা নৈ চেক্লোক-চেনশিন হেনগৎহল্লগা কায়বা ফংবগী য় দনি। মপাল্দা থাবদা উমশাগী চৌক্তাক ওইবা য়াদে।

উমশা মশক শীহন্‌বা একদি — একদি হায়বসি মায়, থবাক নঙ্গল, পাবোমশী থাত্তে থোকপা গ্রেন্দ নাবা মদা অমনি। হায়ং বিবা মকম অসি থাত্তে থোকপা গ্রেন্দ মশাং মায়া দৈবা মকনি।

লাই থোকপদোনা থোক্লগা হক্সিন্দনা লৈখিবনি। তপনা তপনা লাকই অহুগা কনাগুম্বা মীদা চয়োন ১/২ গী ওইনা লাকপন্তু য়াওই। থাউ থোকপগী য়েন্দদা হায়বদি সেবায়স্‌ য়েন্দদা শোক-পাদগীনি অহুগা মরু ওইবনা, হকচাং পুম্নমক্কী ওইনা শোকপা মথৌগী (Constitutional) চাহনানি। হৌফমদি চীঙ্গাক চুমদবা অমসুং ঈ কংবদগী লাকপনি। চিনি, চনাং য়াম্না য়াওদব, মরু-মরাং য়াওদবা চাব তম্‌গনি। খোঙ হাম্বা বেড়' তে হনগন্তু। শাক্সেন তৌগনি, অশেংবা মুংশিংত্তা লৈবা, বাকিং চংপা তম্‌গনি। হকচাংদা এসিদ হেন্না লৈমল্লবা ঈ শেংদবদগী লাকপনিনা হৈ. মনা-মশিংনা নম্‌না চাহুনা চিনি, ঘী, থাউ, মংখোন, শা, ঙা য়েক্লম থাদোক্লুনা মতম্‌ খরদং ঈদগী এসিদ লোথোকপা ঙাবা অহুগা লোয়নবা ফজ-হৌদি পুম্নমক শেংদোকপা তাই। চাইদগী কবা অমনা ব্রুজ অমনা হঙ্গং-হন্দা, থক-খা, য়েংওই মায়কৈ মরিদা নান্‌বিয়ু। মহুনা ঈ অসি চেম্মোক চেনশিন হেনগংহনগদবনি। নোংমগী মনুংদা ঈশিং য়াওনা চোংনা নক্রগা কংনা অমুক্তদি নান্‌বিয়ু মীং চীন্‌দি ফাত্তোক্রগা মায় ফি অচোংপা অমনা য়োমদুনা মায় খুম্বৈবগুম্না খুমজিল্লগা ভুম্ব কায়গনি এক্রিদা ক্রেমদি থক শীজিন্নবিগন্তু। এক্রি মথল অমনা য়োজ্জ য়োজ-এক্রি রোজামিয়া কাই ভৈনশা অসি কংশিল্লকই নাত্তোনগা খদাং-গদা খিং হেন্না তৌগল্লি। চাবা ভুমংদ হায়বা তাক্লকপনি। চাইগী মথক্তা য়ু য়াম্না থকপা মীনা তোই। হৌয়কফম মুথং-ত্রবদি ফবা ঙমদে। মত্তোন মুব' উরিং অসি থাউ অমসুং

মহাওগা কপ্ত হৌদিগা থানশিন্নবহ কনশীনগ্রগা ভুখোং ফুনবিবনা গ্রেন্দ অহ ফুমশিনখিবনি। মীনদি উবা কাদনা উনশা অসি-দা নুংঙাইহনবা অমা পীহনা নৈদে। অহনবগী উখ্রিং লাকই। মায় ভাবা শেংদবা অহুগা ঙসী ঙসেন হন্থনা লৈবা অহুগী মথক্তা কপ্ত-হৌবি শেংদোকপিবা বংনবগী লাকপনি। উনশাদি শোকহন্দনা চাক অহ দোখেক্কদবনি। ঙ্রেক্ক বেদ উখ্রিংগী চাক, মভোন মুথী অমস্তুং অঙৌবী অনি ওই। মহ লোথোক্কে হায়রবদি, মায় অস ঙশিং লুখু-নুখু লাবনা ভাখোক্লো। অদুগা ঙশিং লুপ্পা খুদৈ অমা খুপচিল্লগা খোম্বগুম্, মমহুগা থম্বগুম মিনশি থব থম্মু। পুংকী খুদোম অহ কি মচেং অশেংবা অমনা কোঙান-ভাঙান যোয়শিনবিরগা তপমা যেংখোকউ। অহনবগী শেরোক্লাইদ্ থব হাপচোল্ল। দিত্তোলদি উনশা কনশিনগল্লি। অহুগী মতুংদা তপনা খুদোম্মা সু, উন থবা হাপ্লগ মকয় হায়বদি ভুখোং লাওখোকই, কাক্তোকইবহ হাপ্রগী মওংদ হক্তিনহন্বা য়াই। য়াম্ন শাখিবা মওংদা যেংখোকপা য়াদবা য়াওই। মহনা যেত্তুম অমা মোমবক্তগী হৈরিদা হৈব ইক্লুগা থম্বগা আপকোহোলদা লৃপ্পগা য়ত্তুম অহনা চাক অংদা খিম্নগা কোয়হল্লগা লোথোকপা য়াই।

নুংশিৎ অশেংবনা অমস্তুং অঙৌবদ হৈয়হন্ববা অহুগা মায় হোয়না ভাগনবা, সাবোন অকনবা, থাও শীঙ্কিম্নগনবা, মায় ভাৱগ হৈংখোক্লনা অহুম কংহল্লব মওং কয়া অসিনা মায় কাববগী লায়নম্থ পুরকই। অহনা সাবোনগা ঙশিংগা

শীজিল্লবত লাক্লগদবনি। উনশাদা মরেক-মহাও কাপ্পিবহু কিম শীজিন্নহুনা থাও বাংলিবহু মেনথংশিগদবনি। মসিগুম্বা মতমদদি ভূম্মদাইদা অচাপাও থরনা মায়দদা তৈপীন্নূনা চুমপ্লগা নোংঙাল্লগা মায় তাখোকপদা মায় অহু মরেক-মহাও থোকই। মায়দা ঈচেনম্ম হেনগংহল্লি তকফাংপা (Chafing) হায়বসিনা উনপা থূপচানবা মফমদা ফিনা য়েংলগা তকফাং-ভূফাংলি। অহুনা ঈশিংনা কন্ননা চাখোক্লুনা থম্বিয়ু।

মায় মুশিনবগী মক ভাইবা মওং অমদি তুথোংই অসি পোনা লৈবননি। উনশ নীংথি-মুহাইনা তৌবিদবা নোং য়াম্ন চবা, মু শা য়াম্না শা'বা উম য়াম্না তবা মতমদা মুংশিং-মুংশা হৈহনবদগী মুশিন্নী। মায়, থিং কন্ননা তাখোক্লবা, শাঃজন, মেসাঞ্জ তৌদবনা মায়দা ঈচেন হেনগংনা চেপহম্মবা অসিনা পুবকপা মওংনি। অঙ্ক অমসুং থিংসি মকুপ্পা শেম্বা অহোঙবা পাউদরনা উনশানগী মরেক মহাও, থাউ, মহাও লোথোকখিহুনা মওং অসি পুরকই। তুথোং ফাকঃতাক চাওথোক্লবদি থাও যাম্না থোকহল্লি অহনা উরিং মতোন মুবনচিংবা উরিং থুংহন্নী। তুথোং অহু কহনগে হায়রবদি অথোংপা ময়াম অসি হায়া লোথোক চামথোকদবনি। অহুগী মতুংদা মেসাঞ্জ অমসুং মায়গী শাজেন তৌগনবনি। মায় অসি তাথেকপিয়ু। অহুগা ঈশিং অঈংবদা শীজিন্নবিয়ু।

মাংপান্দা কাক মথোঙগুম্বা লৈবা মখি অহু উনশা থাপংদকপা অমসুং মথাগী তোংশা থাওবিবা ভুমখিবদগী লাকপনি।

মীং হেনমম্না শীজিন্নরগা লাকপা মুংঙাইহেবা মওংনি। "কাকথোঙ" অসি লৈহল্লোই বায়রবদি মীং অসি সাজেন হোৎনা ফগৎহনগদবনি। পীশুম গুক্লোক্লুনা কূইনা য়েংবা অদুগা পৈনা য়েংবদা হৈনখিবত্তু শাজেন্দনা চুংথোকপা ঙমই। মীংকী শাজেন অদু তৌবিয়ু। য়েংশিন্দনা ঈচেম হেনগৎহল্লি। থাও নত্রগা ক্রীম থবা শীজিন্নবা য়াই। লেনোলীন, হ য়বদি শামতুদগী লৌবা মহাও থবা শীজিন্নবা য়াই অদুবু অরোইবদি ঈশিং অচংবনা তাংথোক্লদবনি

ওনাগুম্বা মুপীগী মরেক মহাও থোঙবা অকংবা উনশা অমসুং খিত্তা শোকপা য়াম্না শোনত্রবা উনশা লৈবা য়াওই। মসিমক্কী শকফম অসি থাও অমসুং হুমাংগী ম্রেন্দ অদু কংখিহনা তৌবনি। অদুন সোসো লাওবা, মতুংবা, থোঙবা, অকায়বা মকু নাইবা য়াওহনা অহন ওইরকপগী মওংদ. মরি অমসুং অকুবা লাকই। মসি পুংমক অসি প ওদার অমসুং ক্রিম শীজিন্নবা অমসুং পুংশিং পুংশা য়মন্‌বদগী লাকপনি।

উনশা কংবনি থও অমসুং ক্রিম অথোংপা, অমেন্থবা থন্দুনা শীজিন্নরীয়ু। সাংবান অমসুং ঈশিং অশাবা ইতত্তনা শীজিন্নবিগনু মায়দা ক্রিম থবা পায়রগা নান্‌বীয়ু। মতুংদা উন্না মায় অমসুং ঙকশম্ অসি হান্না ক্রীম হৈহৌবগা নাল্লু। তুম্মমদাই, থবক হৈংখাং তৌরমদাই, চংগোকলম্দাইদা ক্রীম খয়া মান্‌শিল্লু। এপিদ মিস্‌ শাবদা চঙইবা মচি পানবা সেল্‌গী মখাদা শিগমেন্ত শেন কৌবা মচু নাইবা মকুপ অদু লৈ

মসি মতাম লাকপদা হৈনহন্দবহ মসীদমা কণ্ডবনি। মুংশা য়াইমল্লবদি অসিগুমা মচুগী সেল অসি য়াম্না পোবহল্লি। অহুনা মনাগুম্বা মীদা মাপু মান্বা দাগ্ (freckles) অসি মশাগী ওইনা লৈথিদা য়াওই। মহন্বা ওই। অদুনা পোকহন্দনবা মাঙহৌননা থেংহৌগদবনি। হকচাং অমসুং মায়দা অমুবা অমসুং মাপুগী দাগ্ লাকপহ চম্প্রা মশী ওনা তৈরগা মদুগী মকু হুথি। অতুগা করৌই।

পান্থৌগী হু – হকচাংদা খেগায়রুরগা পোমখোক-পাংখোকপা অমগুম্না পান্থৌদগী পোকপা হূ মমানা হকচাংগী উনশা শোকহনবা য়াওই। ইদি কৌবা হূ, হূ চেনবা উমুং, পিমরোজ, দোগ্-উদ, সোরাগ্ অমসুং রিউমিং অসি মনা-মশিং পান্থৌদগী লাকপা থাও অাং অমগী হূ নী। লাই খোকপগুম্না পোমহন্নি। চাওনা ছুদোকপা য়াওই। হেক পায়রুবা অমসুং হকচাংদা মহৌ হেক চোংবদা থুমমকু চামখোকহৌগদবনি। সাবোন অমসুং ঔশিং অশাবা হায়বগী মহুতা মৈদা য়াইবা সাবোন অশাবগা ঔশিংগনা চামখোকদবনি। আলকোহোল তৈশীন্দুনা থম্গনি। কপ্রিবা কাওবা তোইরগ আলকোহোলন তৈবীয়ু। অনাওবা মরেক মহাও য়াওবা থা থাও তৈবীগনু। আলকোহোল কংগ্রপা খেনহৌনদি শীজিন্নবীবা য়াই। CO_2

শন্ন – শন্ন হায়বসি পোকপদা য়াওরকপা খুদম অমনি। উনশা চাউথংচয়রকপদা, শেমগৎলকপদা শোয়রকপনি। কবি-ওহ মতংদা লৌথোকবা খোপায় শেগায়বা থক তোকগনু। য়ামা

মুংঙাইরক্‌ত্রবা মতমদা হৈরক্রবা খুৎলোয়রবা মীবু লৌখোকহনগনি। থরা লৌখোক্লগা মচেং লৈহৌহনা য়াম্না থীনা রাবা নংবা য়াওই। কেন্নারগুম্না অপোবা মাইথা য়াওরকই। লিভর-স্পোটকী রাকয মথক্তা পনত্রে। খোইয়ীম-থীরিন্না পন্থ-পূমথবা মহৌক-মনাই লৈবদগী খোকপনি। থীরিন শেংদোক্লবা চৌষ্পাক অমসুং এসিদোকেনস্ মিল্ক (ছাগী মহী, থাখোন মহী) শীঁহিন্নগদবনি। চহী অহন ওইরকপগা লোয়নবসু য়াওই। চম্প্রা মহীনা থৈবনা কঞ্জখিবসু য়াওই। অহুমু হকচাং ফগৎহল্লবদদা অমসুং থীরিন শেংদোক্লবদদা ফগনি।

মরেক কাবা উনশা (oily skin)—

থাউ খোকপা উনশাগী গ্লেন্দনা থবক হেন্না তৌরবসু উনশা অসি মরেক কাদুনা লৈ। উনশাগী থাউ খোকপা গ্লেন্দশিং অদুনা থবক হেন্না পাঙখোক্লগা "থাউ চাক" তায়রবা উনশা হায়রবা থঙনবা উনশা অখোংপা ওন্নকই। মহাওনা চোং চোং লাউবগুম তৌরকপা য়াওরকই। মসু থী, থাউ য়াম্না চামন্‌বা, ইরোনবা, অমেংপা, অচার, মরু-মসাং হেন্না শীঁজিন্নবদগী খোকপনি। হকচাংদগী শেংদোকপিদনা কঞ্জ-হৌদি ঈদা, তোংদা মুক্তম ওইনা লীহুনা লৈবদগী লাকপনি। হবা-দুংশিং ফংখিত্রবা মকমদা লৈবদুগী মাহোক, লুখোক, হামদোক-ছবদগীসু লাকই। সাপোনগা ঈশিংগনা চামখোকপা মহুগা থরা হেজিন্না মরেক মহাও লৈত্রবদি দিস্তিল্ড ৱাটরগা থালকো-হোলগনা চামখোকপীয়ু। মচুংদা ঈশিং অঙৈংবা লোঁহুনা থুবাক্লা তপ্না তপ্না উনশা থুংনবা য়ৈয়ু। অহুগা শাবেল

অমম্বুং শান্নবা, বাকিং চংকদবনি। ইমুংদা লৈমিন্নুনা লৈবা লৈনহন্নগম্ব। মুংদা অমম্বুং ঙসিং অঙৈংবা খ্বাইদগী কে।

অশোক অপন্নবগী দাগ (মাইহৌ)

কয়িগুম্বা থাওনা পেংকপা, পাংখিংপোম্বিবা মকম দাগ অত্তু ওলিত ওইল্ নত্রগা কেগে থাউ লৈচংনা থম্লবদি খোইনা হেনজিন্না থীংন্দে। অহৌংদা লৈশীল্লগা অত্তুম থম্বিম্বু। অদুগা নম্মুনা, নমদুনা খেদেক তৌবিরগা ঙৈসিং অঙৈংবনা লৈরগা উন্‌ চহাক্তং খোম্বিবনা খ্বাইদগী কে। নাতোম অসি হুমাং অমম্বুং থাউগী খেম্দ মাম্বনা লৈবনা নাতোন, নাতোন মম্না অসি মায়হৌং কাগল্লি (shiny nose) উনপা কংমনবদগী ত্রোয়কপনি। নাতোন অসি তপ্পা লশিং ঙৈশিং লূপ্লগা শুমদোক্লগা নাতোম্বা থম্লগা খুংশাত্নবা ফুনা শান্নৌ, খোমউ। অত্তুম্বু মুংঙাইতবা মাথল থাদোকই, পুক্লিং মুংঙাইনা নোইখোঙ্গনা, শান্নত্রনা শাংজেল তৌত্রনা, বাকিং চত্তুনা লৈবিম্বু, অহেনবা থাদোকপিম্বু। হুপীনা অত্তাং পোকপা থা ৩গী মম্বুং শা৩বা মতোমতা হিপ-হমগদবনি নত্রগা মনেমবোক্তা মনাক্তা কম্বুং থাবিগদবনি। ইউতয়স উম শোক্লকপদা মায়হৌং কায়কই। নিপাদা লিতয় কংলক্তগা মায়হৌং কায়। খ্বাইদগী মরু ওইবা বাকব অমনা মথক্তম্ব হান্না পঞ্জরে। থীবিন অসি পথ পুমথংন্নুনা মহৌক লৈরবদি মায়হৌং কায়। থুনমক মাংবা হাৎনগদবনি। মনাম্বশিং হৈনা মম্না চাত্নবা ঙৈশিং মমাং কায়না থক্লুনা মায়বদি মতম থর থোংদবা, লৈ চত্তদবা চিঞ্জাক চাত্নবা লৈখোকপিম্বু। শঙ্গোম,

হায়না মহৌ, মাখোন মহৌদ থজুনা চয়া হেনবা অচুগা মহৌশিং অসি ভরুনা থক্লগা এ'সদে'কেলস্‌ হায়বা মহৌক জাং অহূ থীবীদা হেক পোকহনবদা পথ পুহংহনবগী মহৌক শুঙ্গমক মাঙহল্লি। অচুগা উইহিং-টাঙ'সনী সুংশিংবা থৈবগ নাহোম, হকাই মুশিল্লি। মাকিং অসি ভিসেম্বরদগী জানুয়ারি ১৫ ফাওবা অমুক্তা চংশগী মতুঙ্‌ঙ সুংশা থোঙ্গগা পুং ৮ দগী চংশন্নু। উমন্‌ন, থৈবদা শোয়দনা মুশিল্লি।

উনশা ইনপ্‌ নপ্‌শিনবা, ঈ থা'দবা—মসি হকচাংগী ইশিং পুম্নমক্তা থবক অসি হৈতপ্‌ তপ্লে হায়না ভাকপা থক্তনে। অচুনা হকচাং অপুম্নগী ওইনা শাজেম, মেসেজ, মুংশা মাইবা, ঈশিং অঙাংবা শীতিক্লবগা কাম্নগনি। হৌ হাইতিল্লকপগা লোয়ননা মায়গী ভোংশাশিং অসি গ্রেজ্জিটনা চিংবদা চহুবা য়ায়ক্কে। চোঙ্গ তাথরকুপগুম উরকনি। হকচাং অসি মোয়রম্নদগী কক্তাক কক্তাক লাউরকপা মতমদা নাতোন্নচিংবা চীনবানস্থ যাওনা থাউগুম য়াম্বা হায়বদি কক্তাক কক্তাক য়াম্বহুনা চীনগা নাতোনগগী মরক্তা লৈবা মশি অসি লুথনা, মমেক লাম লৈরকপদ। অহল ওইরকপশী থদাং অনী শুরকপা হায়বহু লাকই। অচুনা শ'জেল অমসুং মেসেজ নত্তুনা কদোইজেদস্ত হকচাংগী মসল্‌ কক্তাক ফক্তাক লাউবা ফবা থক ভক্লোই। অচুগা থদাং অচু খুনম্ন' কৃদুনা শ'গ্নো। কোক অসিনা কমুংগী মাকল অমদা হকচাংদনী নেমথনা লুকথচুনা ভহাক্তং থমউ অচুগ, তপ্না থবাক্তা, থদাংনা শোয়হুনা থমউ। ভয়া কুজ্জক শ'ম্নো "সরজন্‌স গোজ" মত্তগা চিঙ্জক্লোথনা

থাং অসি য়োমথং শমথকুমা মিঃ ১৫ দং নিত্তিনী থবউ। মসল্ অছু করশীলখিনি।

মুংশামা কাহৎলবা উরশা, মুংশিংনা চেখায়হল্লবা উরশা — মসি অকবা উরশা নত্তে। মরমদি কা হেন্না মুংশিং মুংশা য়ৈহল্লবদি অকবা মথলগী মচু হাইফেত্তা লৈশীনবা হায়বছু থোক্কে। উরশাগী অশেংবা অমসুং মসুং কাওবা উবশুম লংবছু মাঙহল্লি। এপিদামিস্ অসি থাগৎলি, মুহন্নি অমসুং ঙপ ঙপ লাউই।

মুংশা - মুংশিং-মুংশা'না পুরকুপা ফিভম ফত্তবসি মাঙহনগে হায়রবদি মুংশিং-মুংশাদা থোক্লিহৈঙদা ক্রীম থরা হৈহোগদবনি। মুংশা য়াইদবা য়াদবনি অছুবু নোংমদা হৈহাক্তা যয়াইমু। মথৈদা নোংম মোংমগী শুম হেনগত্তুনা য়াইহন্গদবনি। উরশা অমসুং ইন্দ্রিদা য়ৈহনগদবনি। মুংশা য়াইবা মতুংদা ক্রীম থরা নান-শিন্দুনা মুংশানা কংহনগ্রবা থাও অমসুং মবেক মহাও অমসুং অচোংপগী শরুক মাঙহন্খ্রিবছু যেনথংকদবনি।

মুংশা য়াইমনবদগী নত্রগা অলট্রাভাইওলেটনা চাকথেক্রবা হায়বদি কাহৎলবা উরশা অছু শুম লৈহনগ্রবদি য়াম্না থীনা লৈথি-কোকুপদা কুইনা চৎই। অহনা ঈশিং অঈংবদা লুপ্পা কি অমদা বোরিক্ এসিদ (পার্সেন্ট অমদা বোরিক্-এসিদ থৈরোই অমা হাপ্লগা) য়াওবা ঈশিং চাইশিল্লগা মায় অছুদা থোমজিনবিয়ু। মথক্তা ঈশিং চোত্তবা কি অমনা কুপশিল্লু। অছুগা শঙোম মপান নত্রগা ভৌরগা মপানগী শরুক লৌথোকগ্রগা (Skimmed Milk) শঙোম মহৌ অছুমু শীজিনবা য়াই। কেরোমওইল্

মায়বদি ভিসি থাউগা, শুমু নীকপা যাম্নবগী লেপ্পা থাও অমু শীজিন্নবা য়াই। মসিনা সুংশাবা কাহৎপা উনশা কন্দবা য়াই।

কে'কোয় মতৌ — কোকোদগী লৌবা মাখোন অহৌগা' লুপা জিন'ক মরুপ থবগা যাম্নবগা ম'মদা থুংনব', পাবা তৌগদবনি। চোরকে'ন থাউ অসিসু সুংশাবা থৌনা কাহৎপগী উনশান'চ'বা অমসুং কাজিনবত্ত কনবা মশুগ অমা লৈ। উনশা মুশিন্নিবদু চৌথোকহনবা তৎপী পাম্নল অমসুং মঙুগ অমা লৈ।

ভ'য়েনেপাবসু শীজিন্নবা য়াই। মমদি ভায়বেগ র অসি-গী থোইদোকপা মতৌ অমা লৈ — সুংশানা কাহৎপা থিংব ওয়না 'সন্তেন' থেবচুবা অমসুং উনশাদু কনশিনহনি। সুং-শাদা কাহৎপিরৈদা সু'চাইতবা পোকপদু কখোক্ৎপী তৈবদু অহানবদা ভায়নেপারগী মঙুগ লৈ।

“ব্রাউন”—(শগোল) অসি তৈতবা থৌনা লৌথোকবা তোংনং থৌগনু। কোতিক থাবগা কায়থোলিক এ'সিদন' চায়থোকপসি তৌনি। চাউবগা কমদি, য়াম্না সুংচাইতবা মকম নপ্নবদি অমম লৈজবনু য়াই।

নিত্তিগী পাংথোক মকা অমা থংলপা মতৌ অদুনা থোইবদা সুমিং ৩০। ৪০ দিগী মতুংদা থেনজদি। উনশাদা চপ মান্ননা লৈজরোই। মায় কুপুনা, মরি য়াম্না লাকপা হাৎবসি মাং খুইবনি। মসন অসি থাউ শায়কপা অদুগা উনশাগী মথাদা লৈবা তোংশা তুমশিন্নকপদা উনশা অসি পাং ভিংবশুম চিংথোক-পদগী লাকপনি। কিতব অদি থংং কংথরকপা, হৎচাং মথাই

ভাৱকপা, মীং য়াম্না শাকিন্নবা, পুক্নীং য়াম্না শুংঙাইতবা, উনপা অদি থওইবিবনবদি শাওপনি। বিকপ চাবদি কুৎসি কহৰগে চাবৰবদি উনপাগী মপান্দ কৰথংহনগনি মহৌ উনপাগী মথাগী তোংশা মসম কহনগনি। মায়গী সাক্তেন চৌবিদু। উনপাগী মেমেজ অমসুং ঈশিং অচৌংবদা তাথোকপীদু।

মাৱ থুইবোট চাবৰবদি মায়গী শংজেন অমসুং চকপমগী শাক্তেন চং মাইবা তৌগদবনি। মায়গী মসম অমসুং চক-পম মপান্দ কয়া থম্বদি মহৌ ওইবা অমসুং কুচ মাতমনা নৈবা য়াই। মেমেজ অমসুং শাক্তেন্না পাঙথোকপ চবই।

হয়াং শৌগনবা—হয়াং য়াম্না শৌবসি মথৌ শোনবগী থুনৱি। ঐদা পম্বা নৈনবা কউ হৌদি শেংবোকপনি। চি-বি তৌরবদু হয়াং য়াম্না শৌই মরমদা তুমনা হয়াং শৌই, মীকপ-থোকপদা য়াম্না চোকথবগা শোরনবা শৌবৰই। অহৌবা নিউটেস্তমীয়ান বাবা চাবৰবদি মথৌ শৌনবা মীয় চি-বিগুম্না হয়াং শৌই। অপাবা ঈশিংনা চীগা নৈরবদু থাইদনবী কাবা কংই। তুমবদাইদা ওদিত ওইন নৈতবদু হয়াং অহৌ তুমবা শৌদে। থোঙ ও মক চাবোকপীদু। শা, মেকন থাবোকপীদু, চয়া নৈবা তবীদু। শাক্তেন, বাকিংদনা কহনবা চবই।

ওয়েন (whey)—থাওগী মেন অদিগী থাও কংশিন্নগা মহাও হোং অথা মেন অসিনা শেমই। অসিগুম্বা মহাওগী পোংশক অদি উনপাং দগী থোরকই। থাউী দঠ (থাউী মথৌ) অহৌ থিংবিবনগী পোংশক

অহু উরুপাদা পৈথক্তুনা লৈ, মহুনা ঘী ভাং অমা শেমই অহু ওয়েন (wen) কৌই। হকচাংলেম্বী (শক্তিকুম্ব) হায়না থত্তৈ।

থাঙ থাদনা লৌথোকপা য়াই। কেস্টিক হাপচিল্লগা কেঙ্খি। অহবু নাই। মথি, দাগ ভাহোদে। অহৈবা মীবু লৌথোকহনবা কৈ, মথোং ময়ম থঙদবা মীবু শোকহন পায়হনগনু। রাটস (warts) শিং অসি এসেভিক এসিদ থম নিতিগী সুংদাংদা চৈ অমগী মতোননা লূপ্লগা রাটস অদুগী মতোন্দা হায়ু। তুমিং থবগী মসুংদা পেংথরক্কনি অদুগা খাঙজখিগনি।

অঙৌবা পকপা - চহি মশীং নাইদনা পুমহুনা লৈঙ্গ্রবা ঈশিংদা থোঙখুং লুপ্লদা অঙৌবা পকপা হায়বা লাকনা অসি পক্লকই। লৈনা পোকখিবা নত্রগা থাঙনা তেম্না শোকখিবদগী কত্রগা, ভৌহুনা লৈহৌবদগী শম্মোরকই। অশেংব'দ শা ভাগা শঙ্গোথগা চামিন্নরগা অঙৌবা মচেং মচেং লাকই। থৌরীন্দা পথ পূমথবা মহৌক লৈরবহু ফহল্লগা, অমুক হন্না পথ পূমথ-হন্নবা থোংদবা পোংনা নমনা চারগা ফজখিবা য়াম্না য়াওই।

শম্বু অমসুং রাটসশিং অসি এক্তরে অংসুং রেদিয়ম নত্রগা থাঙ থাহুনা লৌথোকদবনি। অহুমনদি ওইরগা শম্বু লোথোকপা ভাররদি লোইনমক চিশ্বদনা লৌথোকদবনি। অহু মত্তুনা মচেং অমা লৈহোরবদি মহুদগী কেন্সার ভৌবা হৌরকই। থাঙ থাবদা হেক শোয়রদা কেন্সার শোয়গ্রবনি হায়না লৌই। শম্বুদা অটৈ-অপা শাবা থথলগী শোইদং থদংপা ভৌহনগনু কেন্সার ওইরক্কনি।

উনশা অমসুং অহল ওইবা মতম অাটপী অহল ওইরবদি মী অদু অহল ওইরে হায়নবগুম উনশা অমসুং কিদ্নি অহল ওইরবদি মা অদু অহল ওইরবনি, চহী থক চংনবা য়াদে। খুৎতা পাক্ল-পাক্ল ·াপু মচু হায়রকং মান্ব মপাক নল্লগা মচেং-মচেং ওইনা লাক্লিবদু অহল ওইরক ·পী মশানি হায়না তাক্লরবনি হায়না খঙনগনি। উনশা অসি পাথরকপা, মরাই তাবক্ল-বদি—হকচাং অপুম্বা মরাই তরে হায়না খঙনগদবনি। উনশা অসি সাজেন মেসেজ অমসুং হু পোকহন্দবা চিঙ্গাক পীজনা অমসুং খোং ফজনা চামদোকপা য়াবা চিঙ্গাক পীবিরবদা উনশ মশা কনখংলকনি। ব্রান, আগার আগার, পারাফিন ওইল পীজিন্নবীয়ু। ঈশিং ফজনা থক্লনা কিদ্নি মশা কহল্লু-শা, তা, য়েক্লম থাদোকপীয়ু।

উনশাদা অঙৌবা মচে··মচেং লাকপা—থাইরোইদ অমসুং কিদ্নিগী সুপ্রারিনেল কেপস্লস মরাই তাবকপদগী লাকপনি। পথ-পুমথবদগী খোরকপা পোংশক অদু ঈদা হাইজিনবনি। কিদ্নিগী সুপ্রারিনেল কেপস্লস্না হৌজকী অঙৌবা মচুগী পোংশক অসি যাঙহনগদবনি। অসিগুম্বা হুগী মশক ওইবা পোংশক অসি হেন্মন্না ঈদা হাইজিল্লকপনা গ্রেন্দাশিং অসি থবক নীংথিনা পাঙথোকপা তঁংদ্রে। অদুনা অসিগুম্বা অঙৌবা শকুমক ওইবা পোংশক অসি উনশাদা. পৈশীন্নুনা থমই। খুং অমসুং মায়দা খিং হেন্না লৈ। অদুবু হকচাং অপুম্বা য়োনা থুংবা লৈদ্রি। ফত্তবা [illegible] হেনবা গ্রেন্দ কেল ওইরবদি হকচাং অপুম্বা তৌথোকই। মহৈ-মরোং, মনা মশিং, নটুস, হৈদা

চাহনা খোঙহাম্বা য়াহনপনি। বাউয়েল অসিদা অয়াংবা লৈহনা থক থম্বিনসু

উরিং— উরিং অমসুং উরিগী জাৎ পুম্নমক অসিসু মায়দা মরু ওইনা লাকইবনি হকচাংগী থবাইগী পাঙ্গলতনা থিংজবা তঙ্গগী পাঙ্গল হনবকপদগী লাকপনি মরু ওইবা মরমনা খোইরীনদা হু পোকহনবদগী লাকপনি ঐাশং অশ বনা মায় তাংোকপীয় হকচাংদা হু চাইহন্‌বা চিঙ্ক থাদোকপীয়। নোংমদা ৩/৪ বক খোঙ হায়দোকপীয়। সাজেন চেমবা, রাকিং চঙ্‌লা তুমাং অসি শাংব খোকহল্লবদ থুনা কয়ব তমই। মসিগী মতে ওইনা ঈশিং য়াম্না থকপা, শা অমসুং ঘী, ওকথাওনাচংবা শ দগী লোবা মহাও চংরোইদবনি। ত্রান শীজিনবীয়ু। খোঙ ফজনা থাদোকহল্লু অহুতদা থবাইগী ওইনা ঈনা থিংজবা য়াবা পাঙ্গল v [a] ।e-ɪ- tance) লাক্কনি। পুংশ য়েহল্লুনা হইকেং কুচু লাংশীনহন-বনসু উরিং অমসুং উরিংগী জাৎ ফহনবা তমই।

থুহিং— সাস্তরিউম হায়বসি নাগনগ্রবা উনশাগী লংমনা অমনি। মও' য়ামই। অহুবু হেক নাকপদা য়াম্না শাই, হাক্তৈ ঈশিংঙম্বা মহৌ তারকই। কুইশিনগ্রগা উনশা অসি থ গংলকই, মকু হুই, হম্‌ কারকই। খোইরীনদা হু চেনবদগী লাকপনি। মাংবা য়াদবা অহুগা চাবমা শা তা তাক্তা, প্রোটীন হেনমন্‌না চাবদগী লাকপনি। চিজাক চুমথোক্লগা মকমক্তা ঈশিং খোয়না ফহনবা তমই। চৌকপা অমসুং হাকচবহু ঈশিং অশাবদা লুম্না গমসা কংনা তুমথোক্লগা খোয়সু ফবা তমই। ঈশিং অহু শারিবা

মখৈ কাপ্পবা লেপ্লে। ঈশিং পাইপ্ট অমদা সোদীবা য়াকাপ হৈরোই মচা অমা থাপ্লগা ঈশিং অশাবদা লূপ্পনা থৈ।

অঙাংগী থুহিং— মাংবা থাদবা, তুমদবা অমসুং পুক য়েক-পদগী লাকপনি অঙাংগী চাবা থকপা চুমথে কপীহুনা তুমদবগী লায়না লৈংহ্রোইদবনি। মথোক ৩/৪ য়ক হাংদোকলু, শনগী শঙ্গোম পীথকপদগী থুহিং তৌরকপসু অঙাংদা উই শঙ্গোম চাং হঙনা পীবা তাই। থরিশুম্না মতমদা শঙ্গোম পীজদনা থম্লগা চবোক বালি পীহুনা মনামশিংগী অঙাংনবা চক্ষুং পীজবদা ফজ-খিবা য়াওই। মথোয়গীদি থাজকুং হাপ্পীয়ু। লীনোলীন 'ক্রুম তৈবিহুনা থম্লগা হাকচবা থৈ। উনশাগী মথাদা অপীকপা অঙাঙবা ঈশুম্না লৈবা ঈ উত্তোং মসু ই তাহুনা কায়রগা ঈনা শনহুনা তাঙন তাঙনা উনশা মসুংদা লৈবা উই। শাখিবা মও নি। পোংখাহুনা লৈরগা অহৈবা মীবু য়ংহল্লু।

থুং ফজবা— পাম্সোম তাবু য়েংবদা থম্মৌ হেন্না মানবীনি। পেত্রার্কনা - "মহাক্কী ফজপ্রবা মথুংনা ঐগী থম্মোই কাজিনখ্রে" হায়বগুম মথুং ফজবী শুপীনি কল্লকনঙাইনি। থুংকী মওং, উনশা চেকাশিন্না থম্মীবদা ফজখিবা লৈ। থুং আস ঈশিং লূপ্লগা চোংমগা কায়রকই, বাউবকই, মচু থীবকই। গমসা অমনা ঈশিং চুপশিন্না ফজনা শেংনা কংনা তৈথোক্কদবনি তৈথোকপা হায়বদি থুজিন থুংগী খুরক্কুগী হৌমা তৈথোক্কদবনি। অহুনা কেলসিয়ম দিশোজিং ভৌহুনা থুংকী মওং থীহল্লকপা মাঙহনগদবনি। তাং চাওথংপা, তাং কুপ্লিবা উনশাদা মূনা থগংলকপহু থিংবিত্রবদি থুং অহু

থ্বাইদগী মশক নী। তাং অহু নোইহুনা শান্নবিয়ু।

বাহিপুমলোন অমম্ভুং চেকথাইবা— ফিংথমথা য়োয়রুপা খুৎ অসি কায়বা মহৌক মতাংবা চংপগুম মকু হুবা চেখায়বা য়াম্না য়াওই। ঈশিং অশাবদা মিনিট ২ অঙৌবদা মিনিট ১ লুপ্পুনা শান্নৌ, ৫ রক হায়বদি মিনিট ১৫ নিাত্তগী শান্নরগা কর্থি। খুযাদা তৌরকপন্তু অহু মতায়; অতম ফজবনি।

খুংশা খোঙশাগী শান্নেন তৌবিয়ু। ওালভ ওইল থয়া খুবাক ময়ায়দা হ প্লগা খুৎ খুংশা পুম্নমক মেসাজ তৌবয়ু খোঙস্থু অম্মানি। চম্প্রা মহৌনা মেসেজ খুংশা পুম্নমক তোঙান তোঙান নান্‌বিবস্থু থ্বইদগী কবা শান্নোন্ন

খুংতা শোকপা থাঙনা শোকপা, হুদে কপা হেক শোকপদা মাখোন, সোদিবাইকপ, থুম হাপচিন খোমজিনবিয়ু উনশাগী লায়নাসি চামগী মথক্তা লৈ। মুংঙাইতবগী জাংতা উনশাগী লায়নায়ুক মুংঙাইতবা লায়না লৈতে— চাকপা হাকচবনি। উনশ দা তোঙান্না নাজবন্থু য়াওই হায়বহু অতোপ্পা মহৌক মতাংনা নাবা লায়নাগী থুদম তাক্তা ওইনা উনশাদা মু ঙাইতবা লায়না ওইনা লাকপনি। দার মিচিং, সামুন্তরিং এজাম-থুহিং, কিক্লনাচিংবা ক্ষিরোদারমা, হায়পস, লুপস, ফুরি, সিংগলস মকমসিদ নৈনতয়-য়োই "অনাবা অমম্ভুং লায়য়েং" হায়বা লাইরিক অদুদা য়েংবিয়ু।

চহি শারেপ কারকপা মতমদগী হৌহুনা চাউথং চাউথং-লকপগী মনুং মতম অসিদা উরিং মাইচাথী তৌরকই। চাবা হেন-মন্‌বা সেক্সকী হাকমদগী, প্রেমগী থবক হেনগৎনা তৌবা তায়রকই।

লাইথুংগুম্বা লায়না নত্তনা ঈদা মাবা লায়নাদি ঈ শেংদনুনা লাকপনি। ঈদা চংগদবা পোংশক চাদুনা হকচাং নোয় পেলহন-গদবনি। অদুগা হকচাংদা লৈবা কত্ত হৌদি পুংমক শেংদোক্লুবা থবক পায়থংকদবনি। অমাংবা, ঈশিং চংপা, হমাং শোইহনবগী থবক নীংথিজনা মপুং ফানা পাংথোকহনগনি। উনশাগী ভুখোং ফুনদুনা হমাং থোক্তুবদি ঈশিং অঙৌবা অমদি অশাবগী পেক ওন্ন ওন্ন তৌবিয়ু। অঙৌবনা কোম্না থোমবিয়ু। উনশা অসি কন্শিল্লবা অদুগা সো সো লাউরবদি ওলিভ ওইল থম্না তৈবিয়ু। হমাং থোকপ পাম্লবদি হুমাং শানথোকদবনি। নুংশিং ষৈহনবা অদুগা নুংশা য়াইবনা উনশা মশা ফহল্লি।

হিংনবগী পাক্কল হেনগংহনবা, থবায়গী পাক্কল ফগংপা শাজেন অমস্তুং চিঙ্গাক পুম্নমক উনশা, ফননবা শাজেননি লৌবা য়াই।

হকচাং ফরবত্তদা উনশা কৈ – চন্না মতেক ওইনা মুমিং ২/৩ হেল্লগা শঙ্গোম গাক্কা থক্তুনা লৈথোকপা (শঙ্গোম থকপা নং ১) হকচাং ফগংপগা লোয়ননা উনশা মশা ফগংলকই। কুচু কুমেন ফজবা হেনগংলকই। মাংবা য়াদবগা উনশাগা মন্না লৈনৈ। উনশাগী লায়না পুম্নমক্কা মাংবা য়াহন্নবা লাক্লুবিয়ু। শাজেন অমস্তুং চিঙ্গাক নত্তনা মসিগুম্বা চক্রি তৌগ্রবা মাংবগী বেরা অসি ফহনবা থক ওমদে। মহিক মতাংগা মন্নী লৈবা উনশাগী লায়নাদি লূনা নানথোক চামথোকপীগদবনি। অদুগী মথক্কা এন্টিসেপটিক ওইবা ক্রীম ওইন্টমেন্ট (মোলোম) থম্ন শীজিন্নহনগনি।

তৈথিগী নাস্কিনবীহুনা শক শেম্বা (Make up)—
স্তেজগী অঙাল্বা, ফুটলাইট মতৌগ মোঙ্তি সিনেমা লৌবদা থানগ্র লংগ্রব মৈঙালদা শক উংপহু ইচম চমনা, ইকং কংম উংলবদি মেচরমসু মাবণী। অহুনা নরেক মহাও য়াওবা (grease) য়ায়, খুৎশাদা নামশিনবদা নহা ওইনা উবা (হ'ল মায়দা ক্রীম হাল্লা থারগা খজাইদা রুজ (অঙাংবা) থবা য়াই। মায় অসি উনশা পারগা খদাংদসু ঙাংলপ্‌ তৌবা মচু অহু পানা থাবা য়াই। খজাই অহুদা পাউদার থবা থাবা য়াই। মীংপান্নদি শক থাগনু। মহুনা অহুম ওইনা অমসুং উনশ কুনা উহল্লক্নি খোংগ্রবা ক্রুজ অমনা মায় অহু নানহুনা থানা, কুংমা লৈবা পাউদার মথৈ নান্নবা পানা থমহনগনি। মসিগুম্বা মখলগী মেকঅপ অসি চুম্না লৈবদসু শাজিন্নবা য়াই অহুগা মেকঅপ্‌ অসি শক লোৎশিনবা মত্তে কন্নবনি হায়বসি কাউরোইদবনি। কুবা, অহন ওইরকপা উনশা থক লোৎশিনবা য়াদে। নহা ওইনা উহমবা য়ায়োই। অহুনা শাজেন, চিঙোক অমসুং মেসেজনা উনশা কগৎ-হল্লুনা উনশাগী ওইবা মহৌশাগী ওইনা লৈবা মচু অমসু উনশাগী শকুকম্‌ (texture) কায়দনা থম্‌গদবনি। মিঙ্গ মিসি য়াওবা পাওদর শীজিন্নগনু মায় খুইগনি। মায় অসি মাঙথিগদবদগী কনবা ওববা লোসন, ক্রীম, পাওদার অক্ষবা শীজিন্নবা য়াই। উনশাগী মেকুবা মহীক মতাং মাঙহনবা, উনশাদা মুংঙাইতবা, হাকচবা, মুংঙাইতবা পীবা খিংবা পোৎশক ওইনা লোসন অমসুং পাওদার শেম্নকপদা এন্টিসেপটিক ওইবা পোৎশক থম হাপ্লা য়াই।

থংক শূবস্থ মাদদ', পত্রাক পত্রাক লাওবা খূং মচু কনাগম্ভু পামদে থবক কন্না শূবা হৈ-শিংবা খূং পামদৈ। কি লোনবা, ব্রা স্থ সিংপ, কৌস্থ স্থবা, ফিস্থ স্থবা, চাকস্থ থোংবা অড়্গা মখুং অদুদি থোংন মেংবা, লূনা লৈবা খুং অদুদবু পাম্নে। উমশাগী মচু অমস্থ' মখি কায়দনা লৈবা অচুবু খূং ফজবা কৌই। খূং ফজন থম্বসি ঈশিংদা লুপ্লগা, থবক তৌবা খুদি গী হাযদোক্লগা ফি চেংলপ তৌবা অমনা তৈথোকদবনি। ক'না থমগদবনি। চোংনা চোংনা থম্লগা কংজবা হাইত্নমা লৈয়বদি থং অচু ক'য়, সৌ সৌ লাউংকই, ঙ''থংলি। খুদোম্ব কৌনা তৈথোক্লগা খু'জনগী থা-'কোর শাবা অতোবচু উনব তকথোকপিয়ু। খুজিনগী হৌকম্ অসি অমোনবা মকমনি। ঈ শংদা চোংপদমা সোম্ববনি। মগংদ খুংশগী তাং অতু ৎখোক নাম্লোকউ। খু'না নোইয়ু। মচুনা কেপসিয়ম্ তাংদা পুন্দুনা লৈবচু মাঙহনগনি কেল'সয়ম্ তাংদা লৈচুগা থংকৌ মঙ'খৌহনবচু মাঙহনগনি। ক্রৌধ থর খূংতা নোইচুমা খু জম ফা'ওবা মৌনা নানচুনা মেসেজ তৌরগা কংহল্লু। ওলিন্ড ওইল থর খুবাক্তা হাপ্লগা খুংসা অমস্থং খুদাং ফাওব মেসেজ তৌবিয়ু। অচুন তাং চাওখংপা থিংগনি ঈ চেস্থোক চেমসিন হেমগংহনগনি। থসা পুম্বা খূবৗগা খুংসা অতৈগনা মাল্লু সারকুলেসন সোম্লগা খুজিনগী মপান শারকই, খুজিল থম্বালস্থ মাংখি খুজিন দাগ, মখি চাউন চাউনা লৈরিবচু লংস শোনবগী খুদমনি।

ব্রা'কিং

অনাবা পুম্নমক নাবা কগংলকপগা লোয়ননা হকচা' অচ হৌনগংচেরকুবগী ওইগা কুম লায়বা ওইনা লৈরকপদা কনখংগা, কগংপা য়াইক্রুবদা কনস্তীত্যুসনেল ত্রিটমেন্ত মশা পুংমক কগংনবগী লায়রেং চঙই। মতাং অসদা শাক্তেন পুম্নমক্কী হেন্না কবা খুদোংথীবা শুকখোক খোবহন্দবসি ব্রাকিংদনি। মখো'ণ্ড নাম্মা থাংগংপা ণ্ডম্নিবা মীওইন্দু না'ব ক্রোশক্রা? কাংগীদমক শোন্দুনা লৈগদৌরিবনে? ঙসি খোঙ অম হয়েং অনী হংচিং অহুম অস্তুম্না ওপ্না ভপ্না মাইল ৩/৪ দগী ৮/৭ নোংমদা চংপা ঙম্নবা চাং অমসুং খোঙথাং কনবা হেনগংনা চংপা ঙম্মু। নাহুনা অংসুং শোনহুনা লৈবা য়াংগদ্রা? ঙীবদ্বু নেচরদি অপাম্বু নিরবদি পীদবা লৈতে। শেঙ্নে নরে হাংহুনা অশিবঙ্গম লৈখোক্রুবদি কদাইদগী পাঙ্গল কয়ম্না কনানা পীবিরকানি। অহুনস্থ নঙনা কল্লিবা, নাব মশক খঙদবা মা'ওইশিং অহুগী চাওথোকপ, ফুটানি অচ লেঙদনা থমগে হায়রংস্ম ব্রাকিংদনা লেঙদনা মহ'ক্কী মায় ঙাকপিগনি থঙ-লৈপ্রবা ইংরেজী মহাশিংগী চা'য়েংদা নো'মদা মাইল মাপল চাং মাম্নব লৈমাদা ব্রাকিং চংলবদদা মী অহুগী মশা কহন্দুনা থম্বা ঙমগনি হায়। অহুগা ব্রাকিংগী চাং অসিদি অহানবদদি পাঙ্গলন চংকদবনি-1, অশোনবা মীদি মাইল মথায় অমমা অহানবদা ওকই মথংদা থর থর হেমগংলক্কদবনি। চৌং কারগনা চৌংদা থাংবা খোঙথ'ংদা ফুট অমা চংবংপগা ভমদা ফুট ১৩ চংপগা মানৈ। মাইল অমা

রাকিং চৎপগা হকুচাং অসি মথক্‌লোমদা ফুট ৪০০ হাইগৎ পগা ম'রৈ। চীং কাবসি থ্বাইদগী কবা শ'ক্তেন্নি হার্ট লোনবা মীদি লৈতেম ম'মুবদ চংলম্বদগী থরা ওয়া (Step) অত্তুদগী পাম্বল লাকপগ লে য়বনা থ্বাইনগী ওয়া মকম্‌দা চীং কাব ভম্‌গদবনি হ'র্টকী শাক্তেন্দ চীং কাব'ন

স্তেয়ার কবা—কৈরাক নক্রগ স্তেয়ার কবাস শাক্তেন অকবনি হার্ট নাতুনা নক্রগা অসৈ অতো'প্পা মরমদগী শক্তেন অকনব' তৌবা য়াদে হায়না থিংবা মীওইদা থক-থাক কাবা শাক্তেন্না মশম থক্তিকগী মথংদ ৩ ইদগী হেনবা চাংশি শক্তেন তৌব' ওমৈ। ফুট ১২ রাংবা স্তেয়ার (থাক) কাগদংসি স্লোপ্পা শট ১৬ হায়বনি। থ'ক থ'ক অত্তুদা ক'বা কুম্বগ ফুট ১০০ রাকিং চৎপগা কান্নবা মানৈ হক্সং হম্বা ২৬ লকু ংলবদি মাইল অমা রাকিং চংপগা মান্নবে হৌবদদি অচা গুং তপ্প তপ্পা কাবদি হৌগংলকপদা ওম্বীগদবনি।

রাকিং চৎপগী ফিরেপ চংকদৌরিবা মকম অচু য়ৌনবা চংথোকপত্থু রাকিং নত্তে শাক্তেন অসিগী থ্বাইদগী কান্নবা ফংলিবসি শরীর হোনবগী রাকমদনি। শরীর অসিনা কোইনা অমসুং থুদক্তা কান্নবা পানবা য়েংথনা চংকদবনি শরীর হোন-বদা চঙলিবা ইন্দ্রি—হার্ট, লংস হায়বা কৌবা যন্ত্রশিং অসি থ্বাই-দগী মশা ফগংহনবা অমসুং মশা কন্না থবক তৌহনবা ওয়বা য়েংগদবনি। থব'ক অসি বাংথৎনা অমসুং মাঙলোমদা ইথোক্না পুগনি নক্রগা থম্‌গনি। অতুগা থদাং অসি মপশিন্না পুশিনগনি

থবাক অসি অসুম্না পুথংলবদি শদোন মপূং ওইনা পুরিবা শরু থজিন্দা মতোন ত বা শরুদগী (Sternum) অমসুং মথ গী শদোন-গ নাংগী শরুগা শম্নরিবা মসল্'শং অচৌ তিংনা তিংবোক চিং থোকই। অচুগ ডাইয়েফ্রাম্ন' হন্থাখবা হায়বদি শ্বর হো জং খি মতম্দা ফিরাক, চাকথাও অতোপ্পা পুক্তা ইন্দ্র পুম্নমক তিংনা কনশিন্দুনা লৈবা চনাংগী বাল্দা ইনশিন্দুনা পৈশিন্দুনা থম্বী।

মতৌ অসুম্না থবাক অসি মাও অমসুং মথকলোমদা হাংশং বাংখৎনা ফন্দোক্তুনা থম্নবদি ওক্তণা থজীন ফাওবা লৈরিবা অয়ুংবা শরু (Sternum) মথাথংবা শদোনগী শরুগা চনাং কময় গী শরুগা শম্নন লৈরিবা মসল্ অচৌ তিংনা কনথংনা লৈবে ডাইয়েফ্রাম্ অচুনা শ্বর হোজিনবদা মথারোমদা হাইথাখিবদা ফিরাক, পুক অমসু' পুক্তা লৈবা ইন্দ্র পুম্নমক চনাংগী কনশিন্ন লৈরবা বাল্ (অকোয়বা শরুক) অচুদা য়ৈশান্দুনা, নপশিন্দুনা লৈ, অচুনা ওসাহ শ্বর হে'ন্দোকখিবদা ডাইয়েফ্রাম্না কোমথোক্তুনা থবাক্তা হাইগংখিবা মতমদ ঈ পুন্দুনা লৈহোবহু চংথোকহনখি। অচুনা মপুং ফানা শ্বর হোনবা খুদিংদা পুক্তা লৈরিবা ইন্দ্রশিং (Abdominal viscera) অসি ওম ওম্না অমুক নম্'শিল্লি অমসুং অমুক কোম্থোকুই মচুনা ইন্দ্রশিং অচুদা ঈ চেলহন্বহু হেনগংহন্দুনা অমসুং খ্বাইদগী বংৎনা থাক্তা থবকু হৈবা অমসুং শাওথোকপা ওস্বগী পাজল অমা ফংজবগা লোয়ননা মখেয় পুম্নমক্তা মেসেজ (শূবা, নম্বগুম্বা) মথল অমা পী।

খ্বাইদগী মরু ওইবা বাকম অমনা থবাক অচু মাও অমসুং

থক লামদ ফন্দোকপা অহুগ থদাংবা মপুংলোমদা চিংশিনগদবনি লেংজুম অমি অহু তুংলোমদা চিংশিন্দুনা থমগনি। অহুগা মথাদা য়াম্থবা অহুম খূং হাইবদা কে ম্না অহুম লৈহন্নু। য়াচম্তু তুংলোমদা পুথোক্কন্নু অহুগা কনশিন্না থমগন্নু। কোম্লপ্ থম্মু ফীভম অসিদা হেক লেপ্লদা হকুচাংগী অরাম্বা অহু খুনীংদা ত ররে ই থোঙপাক্পা (ball) তারগনি। খুনীংবা দং-দং শুহনা চংলবদি রাথল থনিবা মকম্গী থোপ (cerebrum) শোকই! থোঙপাক্পা লৈপাক্পা তাহুনা চংকদবনি। শ্বরম্তু অহুম শাংনা হেজরগনি। খূং অন নাকন্দা হাইহুনা চংকদবাব। অহুনা চংপদা হাইফেং শাকগনি। অহুগা খুনীং ত দ্রিভৈদা থোঙপা শিংনা লৈপ ক তাবস্তু ওইথোক্কে অহুম্নদি ওইরগা খুনীং অ'স খুদোমবগী মথক্ত নেংহনবদা নাদবা চাং অহুদা খুনীংদা অরুম্বা পীয়ু। অহুদগী ইলেক্ট্রিকমুক থুনা পোঙশানা থোঙপাক্পা লোয়ননা শীভনগনি। কন গুম্বা য়াকিং রেস তম্বীবাশংনা খু ী না তার তাবগা চংপা তম্বী। অহুদি খুনীংগা থোঙশাগনা তাবগ ক ক লৈমন্দুনা চংপদা অকায়বা থোকহল্লি অমম্তুং থে প শোকহল্লি।

খুইদগী ফবা মওংদি ঙসাইগী মথক্কী থবাক ফন্না থদাং মনুংলোমদা হাইজিন্না লেপ্লগা হকচাং অসি মাঙলোম্দা থজিক্কং হাইথরপ্ হাইবদি খুজেংদগী skin কোম্বরগা (নীংদগী, খ্বাঙদগী হৈপথগদবা নত্তে) চংলবদি চংপস্তু গ্রেভীতেশন্না অহুম পুথিহুনা য়াংনা চংপা ঙমই। অদুনা মম্দি পোম্দনা মতৌ অস্তুম্না

চৎপনা খ্বাইদগী খুদোং চাপ্ত ককচাং শেমগৎ-শাগৎপদা কান্নবা মখূলগী শাজেন পুম্নমক্কু পীবা কান্নবা অহু রাকি না লোইনা পীবা ঙমই। মতুগী মথক্ত রাকি'গী তোঙানবা মগুণ অমা লৈ। রাকিং শাংবা চৎলগা মারকূলেসনগ হায়বদি ঈ চেম্পোক-চেরশিন্দা অঙকপা ফংবা কান্নবা পী কৈগল অমসুং কগ্রক্স মসল্‌ অচৌবা অনিবা শুপতোক শুপচিন তৌবদ মনাক নকপ আটিরী অমসুং ভেইন হায়বদি অচৌবা ঈ টুপ্তোংশিং অসি ঈ হম্পোক হঙ্গিন হায়বদি চেম্পোক-চেরশিন তৌহন্দুনা ঈ চেন হেনগৎহন্দনবা অপৌকপা মসল্‌শিংদা শাক্সেন তৌহনা চেনহনখদগী য়াম্না হেন্না ঈচেল অসি হেনগৎহল্লি।

অহুনা খুবোম, কৈগল, চমৌংগী মসল্‌শিং অসিবু অ নগুবা হার্ট কৌই। মরমদি হার্টনা শুপচিন্দুনা পীরকপা ঈ অ স অচৌবা আর্টরীদগী থর হেন্ন পীকথবা খ্বাইদগীদি পীক। কেপিলরী কাওবা লাক্নপ তোং হায়বদি ভিস্সুদ লোইরে। ভিস্সু তোংদগী অমূক হন্না হার্ট কাওবা লাকপগী থবক অসি হার্টনা তৌবা নত্রে। ঙসাইগী তোংশা অহুদগী ভেইন্‌গী খ্বাইদগী পীকপা মরী ভেমুলস্‌লোমদা ঈ অমূক পীরকপা। অহুদগী থর-থরা চাউবা ভেইন্দা পীরকপগী থবক অসিদি খুবোম, কৈগলনা থপ্পুনা পীরকপনি। ভেইনশিং অসিদগী চথংগ্রগা হার্টথরকপা য়াদনবা ভাল্ভ্‌ পাল্লি। খুবোমদগী পাথংলকপা ঈ অহু কৈগল্‌ য়োয়কই কৈগলদগী শুপচিন্দুনা পীরকপা ঈ অহু চমৌংদা পুথংথি, শ্বর হোম্পোকপদা চমৌংগী মসল্‌ অহুনা থোরাক্নলোমদ পীংথী অহুদগী

ফিভম, লংসলোমদা চংশ্রগা ওক্সিজেম্না ঈ অহু শেংদোক্লগা হার্টনা অমুক আর্টরিয়েযদা থারকই। মসিগী থবক অসি হকচাং পুম্নমক্তা লৈরিবা ঈ অসি মিঃ ২ ২ খুদিংগী হার্টতগী হার্ট অমুক য়োনবা চংলগা শেংদোকইবনি। অহনা বাকিংদনা সেকেণ্ড হার্টকী থবক (খুবোম, কৈগন, এন্দোমেন মসল্) পাঙথোকই। হৌগং-ফহথ ২৫ রক্তং তোহনা য়েংবিয়ু। শ্বর কয়া থুনা হোনবা, সারকুলেসন্ কয়া কন্না হেনগৎহনবা। বাকিং চংলুবা মতুংদা কুইথনা স রকুলেসন্ ফজনা হেনগংবা চঙ্না লৈ।

বাকিং চংপগা শ্বর হোনবগা নকুবা মরী লৈ। শ্বর শা না হোনবা তাই। অহুম্নদি ওইরগা শ্বর মপী হোনগদবদি নত্তে। শাজেন অসিনা ওক্সিজেন চঙবনা, হোক্সিজেনবা ওক্সিজেন অয়াম্বা শীজিন্নফম্ থোকই। করম্না শ্বর মপী হোল্লকপা অমম্নুং শ্বর ফুল্লকপা? বাকিংদা, চেন্বদা, শাজেনদা ফস্ত-হৌদি পোকপা, তোংগী অশিবা সেল্লমচিংবা ঈচেম্না পুরক্লগা থম্বোম্বী য়োরকপদা শ্বর হোক্সিনবদা য়াওরকপা ওক্সিজেন অহনা ওসাইগী ফস্ত-হৌদি অহু চাকথেক্লগা অফবা অমম্নুং অশেংবা ঈহু হার্টতা থাজীনথ্রগা হকচাং অপুম্বদা ওক্সিজেন অমম্নুং চীঞ্জাক পুহনা চেন্থিগদবনি। ওসাইগী ফস্ত-হৌদি চাকথেকুথ্রবা পোৎশক (ইউরিক এসিদ) ওইনা শ্বর হোন্দোকপদা থোকখিগদবনি। চংপা, চেনবা, শাজেম্না অম্নুম্না হকচাংদা ফস্ত হৌদি পোকহনবা হেল্লগা লংসন্দগী ফস্ত হৌদি চাকথেক্লবা ওক্সিজেন য়াম্না চিংশিনবা তাবনা, অহুদা শ্বর হোনবদা থুরিবনি, ওক্সিজেন কোম্নথ্রগা শ্বর মপী

হোল্লিবনি। মতুংহৌদি হেন্‌বম্না লাকুনা ওরিজেন বাংলগা শুরু ফুল্রে হোন্‌বা য়াদ্রে খোংগু থাংবসু য় ররোই অমুক হন্না শাজেন চথদ, লমজেন চেনব য়ার র'ই। মী অহু খুদক্তা ফমথবা, হীপথবা তাবনি মসিগী হেক্লন্না থক্ শজেন অহু চথব য়াররোই। অচক লুবা মেকানিজম লৈবন হেক্লিন্না শাজেন্ তৌব, হেক্লিন্না চেন্‌ব থকু য়াদ ভুসি ফওবদা মাররোন্ চনবদা রাড ওসম্পিং ফাওবা (অনুক্রমদি বাহুব য়াওবী) ব সুহুনা শিবা নাবা য়'ওখিদ্রে। মীওইবগী অক্লা থরায় পুবা ইন্দ্রিয়শং অসিগী মেকানিজম্ অসি অচুকপনি। হেক্লিনবা শুচয়া য়াদে থবক কয়া হেক শূরবা হেনবম্না দি শুয় ফুয়ী। হেক্লা পোংদ হল্লি ময়ুম্ অসিন রাকি চংপদ তান নাইনা শুয় হোনবা তম্‌গদবনি। খোংগুকাপ্ মশীংগী লেয়ন চাং অমদা চংপা তমগনি মী মচুগী ওইন সুংডাইবা মও দা য়েংহুনা খোংগুকাপ্ মশীং থীগনি খোংগুকাপ্ ৪ ও শুয় হোল্লিনবা, ৪।৬ অমা চঙবা হোন্দোকপা অসি হৈয়গদবনি। কনাগুম্বগী য়েন্দা হোন্দোকপবা খোংগুকাপ্ অমা হেনগংহল্লি। মতম লৈসা অসিদা লৈরিবা কত্তু হৌদি লোইনবা পুখোকপা ভুযহল্লি ঐ ইশমকম্ হোন্দোকপনা অমা হেন্‌হল্লি। অচুগা যাম্ম ওন অমসুং খোংগুকপ লাওবা চংপা লৈমরক্লবা মতমদদি খোংগুকাপ্ ২।২ দা হোন্দেক হোল্লিন তৌহুনা চংপা য়ই অচুগা হৌগংসকুপদদি ৮।৮ চংপদু য়াই। হৈমক্লব মতম্‌দদি খোংগুকাপ্ অসি কবিম্ মশীং থীহুনা লৈগদবা মরম চাং অমদা অহুম পুহনা চংপা তমগনি। অচুগা

থবাক অসি ৱ াখৎনা, কম্নোক্রুন খু° হাইহুৰ', ভান্ নাইনা খৱ হোনবা খোঙথাংসু চান্নবা চৎপ অহৃতনা ৱাকি.গী কান্নবা পুন্নমক্ ফংগনি। কোমনা, য় ংন, চা' নাইনা, চাং কান্নদন থাংবা খোঙকাপ অহৃগা খ্বাইদগী য় ংমৌ াদন খোঙ অহূ ফুকপ ঙমগনি।

হকুপ্‌দগী ফড্র হোৌদি পোংহোক হবন', ৱ কিংবু কনস্টিটু-শনেগ হায়বৰ'দ হকুচং শেৎগং শাগৎপগী খে ঙদা খ্বাইদগী হেন্ন কন্নবা ফ ই। খৱ হোন্দোকপা হ'ন্নবদি ফভ্র হোৌদি কার্ৰেব'ন দাই ওয়'ইড লৌখে কুপন্নী থংকনি। অহৃগ ৮মাং ওইনা ৱাকি'ন পুখোৱকপা অসিনা অর্মনি। হুমাংমক খোকপা উৎৰসু কিগা অমসু' আদৱবান্নৱদি চোঙবা নৈতে থক্ত অমুক থাদা খমুক্বা ভাবক্ত হক্যাং অসিগী খোঙচংনা ৱাকিংদ' পুবা, অমসু' খে য়ৱান অসিবু ঙঙবা থপ্‌থবগী থবক অহূ হেন্ন শৌংন্নি। অহূম চাবা তুমবা অমসুং ম ংবা য়াহনবগী থবক ন ংথৌ জনা পী, মাইল ১০ | ২০ ৱাকিং চংলবদি খোঙ হাম্নৌ'ঙক্তবা নৈতে। ৱাকিং শাংন চৎপনা চাক ল মহন্নৌ অহৃনা তুমদবগী থবক পুন্নমক কহন্নি তুম্নবগী ইন্দ্রি পুন্নবক মপান্থন কনথংহন্নি অমসুং মসিনা হকচাংগী শক্তক অমভ কান্নহল্লব। ন্ন'ওদে হ ন্নবসি ৱাকি' চাং ন ইনা চৎপ্রবা মীওইনবা থঙবা ঙমী

ৱাকিং হান্নবসিনা খ্বাইদগী মু শিং পেংবা লন্নাং অমসুং মুংশাদা চৎপগীসু কান্নবা কংহন্নি। ইমুংদা শুংকিন্নুনা নৈবা মীগী দোষ কোকহন্নি। অন্নাম্বা মীনা লম্বা অমতদা ৱাকিং চংকন্নি। মহু কাওবদা নিঙ্গৌ কুপ্পা যে শিন্নিবা মখৈ অনৌ

অনৌবা অমমম্ ওইনা নিংথিগী থোকই। অদুগা লপেন, লম্বী লোংহুনা চংশনা অনৌবা মীংথেং, বাখল নৌহৌনা লাকই। ঐ ইশামক্তি জিরো মাইলগী অকোয়বা অসি চক্রগুপ হোং হোংহুনা চংশনা ইম্ফালদগী ইবিল, লিলোং, এরোড্রোম, লাংথিং, ইরোইশেম্বা, লুৱাংশংবম এরোড্রোম, হৈতাং, পাঙ্গৈ অসিনা কোনবা লমদা কোয়না চত্তুনা লৈ ঐনা লম্বী থঙদবা, চত্তবা অম ফাওবা লৈতে। মখুং অসিদা নোংমদা মাইল ৯ চংনবা লম্বা শেমদৈব। খুনম ওইনা থা মৈবন্দ, ডি এম, কলেজ, লমলোং ইবুম মপান, ক্ষেত্রীগাওদগী হাইথরকুনা থোবালখোং, য়োংলাম লম্বী তারগা শক্লেংথো লোমদা অদুক পুং ০২ দগী ৩২ দা য়ুম য়োই। পুংদা ৩২ গী রেট, কমিশ্যনা মতমদা ৪ গী রেটতা চংলি-মাইল ৯/১০ নি। অসুম্না শক্লেনথোংদগী ইথিন, থেরা তারগা ইথিন মপান পাং-গোং মথোঙলোমদা বামোন কম্প, তারগা মদনমোহনলোমদা কোং কৈথেল তারগা শিংজমৈ অসিহু পুং ৬॥ দা থুংবা ওমই। নোংমা অমনা খুরাইদগী অয়াং পল্লি তারগা কোংকৈথেল, উচেক-কোন তারগা থোংহন্লোমদা (খুরাইদগী লুবা মফম্ব) শিংজমৈ তারগা নথূল মপানলোমদা লাকপন্থু অমাম্না চাওবাকুপা মাঙৈ। কৈশামথোংলোমদা চংলগা ইস্কোনগী মপা কুঞ্জবিধুগী চোংথাম্বা হাইজিল্লগা শতাইব্রো গুদাম শম্লগা তেরা তারগা লাংজিং কোইরুগা উরোকখোংদা লাম্ফেলগা ইরোই শেম্বদগী থাইরম্ব অসুম্না মাইল ৯/১০ গী লম্বীদা নিংথিগী হোং-হোংহুনা চংলি। মসিদা ঐগী হৈনবী ওইবি।

শাক্তেমগী মমু'দা মী পুম্নমক্না ক'য়ব' য়াবা থিরকপদা য়াকিং-দনি হায়না শীংথাবনি। থাইদগী অহল ওইবা মীওইদগী থাইদগী অঙাং ওইবা ফবা, থাইদগী শেন্দবদগী হৌহনা থুইদগী মশা করবা মীওই, থাইদগী লায়রবদগী হৌহনা থাইদগী ইনাক থুনবা মাওইদা য়া'ব'না চপ্ মা'নবা মওংদা কায়বা শী। মসুংদা য়াওনবা ঙমদনা লৈয়বা, কিগনবনা মী অমা মনাক্তা মাবু পাযহনা লৈরবাদ লৈবা ঙমদবা, অমুক অমুক প থংলকপদা চাক চখোয় ২৩ ইন্দবা য়াদবা মী কয়া (ইশাই থর'ওবী), কয়ু'দগী অমুক্তং হৌগক্নুনা ফমহনবদা মকোক ঙাওহনা, মশা লৈক্কুনা ভুগদবা মী অহ মি: ২ ফম্হন, মপ্রেং মি: ৪ ফম্হন। অমুক্তদা পুং ৩ কয়া ঙম্নক্কবদা মোংমদা ১০/২০ লক ফমহল্লগা নোংমদা অমুক্তং লেপথংহনবা অসিদগী ১০ রক লেপহনব মি: ১ দগী মি: ৫ লেপ-হনব' ঙম্নক্কবনি নোংমদা মথে'ঙ ন মা থা'হল্লু হয়েংনা অসি অসুম্না কা অমদা চংহল্লগা খে চকাপ্ ৫/১০ দগী হৌহনা কে'ঙ্গোং অমমম্ মতুংদা কবু'লয়া অমমম্ নোংমদা হেনগংনা মাইল ২/৩ চংপা ঙম্নক্কনি। মতম থরগী মতুংদা মাইল ৫/৬ চংপা ঙম্নক্কনি। কুমলায়নচিংবা পুম্নমক্কী অমত্তা ওইবা শোয়দনা ফহনবা ঙমা শা'ক্তেনি। মসিগী মথক্তা হৈ, মনা-মশিং, শঙোম অহয় অসি নিত্তিগী ওইন' চাবদা মপুং ওইবা চিঞ্জাকী মরু ওইগদবনি। শা'ক্তেম পুম্নমক ভোহনবা ঙকয়া য়াদনা শোনম্রবা মীওইদা চাকিংনা শোন্না, চিংনা পুথংলকপা ঙমই। অয়োবীদা মোংবা চপ্প মাইল ৪০ চংপা ঙমগনি। ইশামক মোইয়াং লৈহেমবা

(ম'ইল) ২৮+২৮, কক্চিং লৈহেন্নবা কয় য়াওবি (২৮+২৮)। থাইবী অহল লমন্দি শু, লৈহেন্নরম্বা (৫০+৫০) মসিদি মতেক মতেক থরা চেনবা শেংদনা য়াওরগনি। পূ্না মাইল ৫ চৎলগা পুং ২০ চঙগনি। শাজেন পুম্নমক্তা মখুংদা হেক্তিন থকু তৌদবদি য়াকিংদনি। মরম্দি মীওইবদি চংনবব মতম কাংদে নত্রগা নীংঙাইদে। মোইরাং, কক্চীং চৎকে হায়বসি পুক্নীং য়ূ'বা থকু থল্লুদে। হেনমন্না চৎলে হায়না থল্লে, মতুমক্তু য়াম্না মওহনবা তৌদে। হকচাং থুনা তেকথংলি মতম থরা অফ অপুন্নবগুম্বা মসল্দা থোকপহ মতম্ থরী মনুংদা মাঙখিবি। হেনিং চৎলে, ডাক্তর দরকার লৈতে! হেক্তা মথক্ত পীরিবা নিয়ম্ মতুং ইন্না চৎপিয়ু। মাংগা পোত্থ বা, অমদ্রগা মোংমল হমবা, অংগা মোংম-মো মগী থরংথর হেনপংপা হায়বসি মঙ্গনি। মথে চবা শংনা চৎপবা থবক ওইব অমসুং থবক পুথীদবক শাংল শাংবা চংপা মীওইবা, মথান্না শান্নবা লৈবত্রা বাওই কয়াবা শান্নবা থাদোক্লবা পোথাংবা লৈত্রবা মথোইন য়াম্না হনত্রবা মীওই শান্নবশিংগী হেন্না কমনা শান্নবা মাদ কয়াবা বার শাক্লা থোকপা ঙম্ই। মখোয়না অফন্বা শাজেন তৌদে মেচন ঔষ চংপনবি হায়বর লাখি। অমগী মাকিংবা মেত্তাবশিন্নব্ হেন-গংবা, নীথীপবা তোইনবদগী মহ ওইনা থম্মীবদগী অম্ববি। তিম্তু অমনবা মাঙহনত্রগা অহনবা অনৌবা তিম্তু শিল্লোকনি। কুইনা লৈহন্দে, মখোয় অহু হান্নী মশা কত্রবা সেল্ মাঙহল্লগা অনৌবা মশাকবা সেল্ অহু তত্তা শাগনি। অহবা শংবা

হয়া চ য়বদি হকুচাং অমি শরুক খরগী ওইনা মচেং ওইনা
মৌম পোক্লে হ য়ব য়াই। খয়ায় পুংঙ'ইনা, মরূপ মপাং অকবা
মীওই ঙাক্লা ইন্ফাপদগী মোরে, জিরিবাম, কাছার তায়া থোঙবা
চংলি। হেক্ থুংবগী অনৌবা অঙনবা মীওই শেয়বন ওন-
গনি। চাওখৎপা লৈবাক অমহা অসোবগী মীওইদি অয়ুমা
চহিগী থা ডকুক্লো ওইনা বাকিং চংলে। থুইদগী মক্ত ওইবা
অদমা ময়াং কংবা, নোয়নাংগ্রব মী অমগা নে য়ত্রবা ময়াং
কংনাংগ্রবা মী অমগা হৌনহ্নব বকিং চংমিন্নে। ময়াংক বহু
নোয়খৎলক্কনি। অনে য়বা অহু ময়াং কংথরক্কনি। কুইনা
চংমিন্নবদি ময়াং কংবহুগা অনোয়বা অহুগা মপামী চান্নবা
অয়াংব-অক্রম্বা চান্নবা খলদা লাক্কনি। অহুগা ময়াং কবা
মীহু নোয়রক্কনি মরমদি অহেনব তোং শাথেনশিনা শাগং
পিরক্কনি। লাম্বা অমস্তু' ভূম্বা ভম্বী শক্তি হেন্গৎলকপনা
হেন্না চারক্কনি। অ.নায়বা অহুবা মহাক্ত, অহেনব মহাওগী
শক্তক অহু চাকুর্থক্কুবা মহাওগী ওইবা তোং শেম্বগী মঙ্গঙ'
মসল্গী তোং শাগৎলক্কনি। মসিবগীসু কান্নবা হেন্না কাগে হার-
য়বদি হকুচাংদি শেংকুহন্দবা, মোয় পেনহনবা চিঙ্গাকু পীজগনি।
লারিমারি তৌব শোগ্নি .শাল্লি তৌবহু করথংনবগী ওইনা পংচা
চাশিন্নবগী হৈনবী থাদোক্কনি। হায়া হকুচাংদা লৌহুব-লৈহুনা
লৈবা পোংশক পিয়ীয়া হৈরক্কনি। থিং লুব, মাশিবা
হেনখৎলহনা, খোংকাপ য়াংবা, লাযবা খংবা ডর কুপদা ফঙবা
লিচং থাদোক্লবা থাবল্ অসুং থোনায় পীরকুই। নিংথীজবা

চুম্না চাং মাইনা য়াকিং চৎলবদি য়াংবস্থু হেনগৎলকুপা য়াম্না য়াওই। য় কিং হায়বসিবু ক'রনো ? মী পুম্নমক্না চত্তবা য়াওদে। ইমুংদদা লৈ হায়না হন্বা পুশীমচা অমনা ইমুং, মাংগোনদা মাইল মওাদগী ভাদনা নোংমদা চত্তবা লৈক্তে। অমরোম্দমা খোঙ অমা মাঙদ থা.লগা তুংগী খোঙ অতুনা অমুক মাঙ থানবা থাংলকপা অতুরা য়াকিং হায়বসিবু ? মসি অচুম্বনি। অতুম্বদি ওইরগা অতুক ওহাক চংখোকুপগা য়াকিং'গ মাঙদে, চেন্‌বগা য়াকিংগদি কদি খেন্নে।

ওহাক কোয়খোকপদি ক ম্নবা অতু চাং খরদগী ওইবনি। য়াকিংগা চাংদম্নবা য়াদে। য়াম্না থীনা শোল্লবা, য় ম্না' থীনা নাক্নবা মীদি খোঙকাপ্ মশীং থীবগুম চংখোকপা অসিনা য়াকিংগী মঙ্ং শিনবনি। চৎপা হায়বসি অঙাং পুম্নমক তম্লকপা ঙাক্তনি। অতুবু কয়ম হায়না চৎকদগে হায়বা অসিমদি খক তম্বীদে। অঙাং অমম্বুং অহাম্বা মীনা চৎপা হৈতে। চুম্না অমম্বুং লাম্না চৎপা মওং কয়া' লৈ। মমা-মপানা অঙাং ওইরিবৈদগী চুম্না চৎপা তম্বীগদবনি। শুপ্নগী আয়ব মচাদদি ফজনা অহল লমন পুম্নমক্না ফমবা, কেপ্পা, চৎপ তম্বী। খোঙউপ্ মওং চাদবা অমম্বুং ভচিনবা য়াম্না কে স্বা তোংবদগী শাজং থীবা লানবস্থ য়াওই। খুনীং য়াংবা খোঙউপ্ উপ্‌কমু খুনীং য়াম্না কেম্বা নত্রগা খুনীং য়াওদবা খোঙউপ্ তোংগদবনি।

মথংদা খ্বাইদগী লুবা য়াফমদি য়াঙ পুবনি। অতুবু অমাম্বা মীনা য়াঙগী মরমদা খনবিদে, পংচৎ মচৎলি। অতুনা অমুক্না হম্না, থব'ক মথক অমম্বুং মাঙলোমদা কপ্পে কুপীযু খুদাং চিংশিল্লু

অদুগা মাও তুংলোমদা থেক্তোকপসু তৌবিগনু অদুগা চৈগুম তিংনসু থম্বীগনু। কোম্না ইহিক হিত্তোকুপ্গুম (relaxed) ওইবা মানা লৈগনি। লেংজুম, লেংবাক্সু তুংলোমদা পূথোক্লবসু হাইদুনা চংপা য়ানবা, কোম্না থম্বীয়ু। লেংজুম চিংখত্তুনা থম্বীগনু। থুং হাইবা মতম্দা শোয়মনমক মাওলোমদা হাইবদা লেংজুমসু হাইক্লংনা মাওলোম্দা লাক্লি। থুংনা তুংলোম্দা হাইখিবদা লেংজুমসু তুংলোমদা থবা চংখিনি।

মথংদা খোঙকাপ্কী মরমদা থনগদবনি। খোঙকাপ লাওনা থাংলবদি অকা-অপুন লৈতনা কোমথোক্লা চংপা য়াই। অদুগা লম চাউনা কন্না (covering) চংপসু ওয়াই। খোঙনা মাওলোমদা থাংখিবদা মায়কৈ অদোম্গী থুং অমসুং লেংজুম্না তুংলোমদা হাই-দোকপা তাই। অদুডনা খোঙখাং থুদিংগী হকুচাং অসি লয়হল্লী। অহানবদা থুনীংনা তাবদা তুংদা লৈহৌরিবা খোঙ অদুগী খোঙপাক্লা হকুচাংগী অরুম্বা পুহৌই। মদুদগী হকুচাংনা মাও-লোম্দা চংকদবগী নোম্নরকপদা খোঙ অদুনা হেক ফুকপগা লোয়ননা মাওগী খোঙগী থুনীংনা তাবগা অদুদগী মৈখেং মুক থুনা খোঙশা অমসুং খোঙপাক্লা হকুচাংগী থুনীংনা অরুম্বা পুবদু শিন্খি। মদুনা মাওলোমদা হকুচাং অসি থম্মদং ইন্থী, অসুম্না খোঙ অনি অসি মথং-মথং থাংদুনা চংলি।

চেন্বগা বাকিং চংপগা খেন্নবা কম্নিনো হায়বসি অয়াম্বনা খঙদে, বাকিং কমপিত্তিসন্দা দিশকালিফাইদ য়াম্না ওইগনি। বাকিংদনা খোঙ অমনা লৈংাক্তা অতোপ্পা খোঙ অমনা মথক্তা

(শুক্ৰবা) লৈগনি। চেনবদনা খোঙ অনিমক লৈপাক্লা অমুক, শুক্ৰংদা অমুক লৈগনি। মাকি দা থুগে হায়বমথৈ থুনা চৎনবগী খোঙ অমদি লৈপাক্লা লৈতবা য়াদে। খোঙকাপ (stride) অসি শম্মীবমথৈ কাকনা কাম্লনবা অমসুং খোঙ অসিংনা অমাঙ-অতা খোকহন্দনবা খোঙপাশিং অসি মাঙলোমদা চুম্না থাহুনা চৎকনি। খোঙদোম অসি নাক, য়েং-ওইদ হাইদোকহল্লবদি খোঙক'পকী মপনা কাপথোকচবা (spring) অমসুং মপ'ক্লপ মাঙহল্লি অহুগা মসল্ থরক্থ থানা শী জৈ়। অহুগ অঙোম্না মসল্না শুপ'শিন শী'জিন্ন'দ। অহুনা ন'টৈ চাদনা শক্লদা অকথ্বা শীহুনা খে'ঙগী খুক্লম-খে ঙদাঙ্গুমনা কোনথংপহ অহুব ম'ঙহল্লকই। অহুনা খোঙদোম অসি নাকশোমগ হাইদোক্লগা বাকি চৎপনা ঙ'মু খোঙপাক ওদহল্লি অহুগা 'নোকনা'' হায়বদি খুট শুপ, খুদোম হাই ওল্লকই। অহুগা মী অদনা মখোঙ কোক্লবদি খোঙ-দোম মমুংলোমদা হাইজিন্না থকু চত্তে। মচং অনিনা খে ঙগী কোনথংপা মাঙহন্দে, শোকহন্দে অহুবু য়েংবদা থী অমসুং হৈ-মিংনা মুংঙাইনা চৎপা ঙমদে। অঙাং ওইরিবৈদা পোমল্লবগী খোঙ কোল্লি। খোঙকাপ কয়া লাওপনি হায়বমিগী বাকমদি মীওই মীওইগী ওইনা খেয়্রৈ। কুইনা চৎলপ হৈনরকব' মতম্দা মশাগী অওকুপা চাং লেপচবা কৈ। মথীক বেশ্বনা শাংনা কানবা, অবাংবা থীনা তেনা কানবা য়াওই। কানীংবা খোঙক'প খুদিংমক মাঙলোমদা তুথবী ভাবতা কানুগনবনি। মহাক্কী মশাথক্কী বেনেল্ল কাম্বহুনা তুগদে বগুম তৌবা অহ তৌহন্দ'বা শাংগনি।

য়াওদি চুয়া লৈরগা চকচাংদি যাওরোলবদা পুক্নেংদগী থজিক্কং পৈথ-
রগা যাওলোলবদা জুন্দূনা চংকনি। মসিনা ভুখবগী ভাব লৈরোই।
যাওরোলবদা থোওকু থাং-থংবনা খোঙকাপ লাওনা চংকদবনি
অরোইবদা মাকুনা থকু কানগনু অরোইবগা মাঙনা থকু চংকনু,
য়াকিংনি, য়াঙবা তম্নবনু নত্তে, শীংনবনু নত্তে হকুচাং কনবা,
পুন্শিনবা শাজেন্নি।

চকুচাংদা অক্না-অপূব লৈনব্রবা চকুচাংগী শক্ত পুম্নমক
মায়না কোয়া তিংনা লৈনরবা মতমদা থোওনন্তু অক্না-অপূব
লৈনব্রবা মতম্দা লৈজেব মায়দবা মকুং মরোংকাংক্রিক থাবা নুংদা
লৈবা মথম কাওবদা মখ তিংনা, যাওনা পুংওইতবা কাওয়বা
মতমদা থুনা যাওনা চংপগী বাকম্ লাক্ই। যাদিগুম্থ থুনা
থোওথাবদা হেনবিবা অহৌবী থোইনা হোংলোকপা কান্নে।
য়াওবা হেনগংপা তারবনু অক্না-অপূব লৈহনবা চাং অমদা
থর থরা হেনগংবা মতংদা যাওবা চংবা তৌগনি। যাওথবনা
পুংদা মাইল অহুম মথাক চংশনু য়াওথবনি। মশা কয়বদি,
কয়াবদি পুংদা মরিগী হিংদা চংপা য়াই। মসিগী চাংনা মাইল
শাংবা চংপা ওয়বদি মী অহুম অমরবা মীনি। প্রোফেসারসিং
ওইরবা মীওয়াগী চাংথেংদা চংরবা বাকিং অহুম চকুচাং লৈরগং
শাগংশগী মতাংদা থকু নল্লুবা য়ারে। অহেনবা মীওই অহুম
থোওবা অক্না-অপূব লাক্নি, মী চেংহাক-চেনশিন্দা অকায়বা
পোকহল্লি। পুংদা মাইল ৫গী হোংনা চংপা ওয়াই। অহুম্বু
চকুচাং করা পুনশিনবগী যময়বা করিগুম্বা। মওদা মদু খোবা
কান্নে। নিংথৌখাদা অমসুং নোংমুখাদা চকুচাং মশিং লৈনবা

কি চপ চানা শেংদোক্নবীয়ু। প্লাটি, ত্রাঙ্কর, স্যুইটর, জেকেট লিংপা য়াই। থৈজোম শেংপা মীনা অগুর ওয়ার নক্রগা থুনৈ অমা থৈজোম চঙ্খাদা শেংনবদি লুইবা হেন্না। মরমদি নীংথু (blp) অসি শানা চুয়া থম্লবদি পাংথবদে। মখোয় থিদি স্যুইটর, জেকেট লিংপা য়াই, পাংথবাদা মম অসি উন পুবা ফুংশিং থৈরগা বাকিংগী কোচিন নোংখ ইনা পুবা ফুংশিংনা থৈরগা য়াম, মাখোন মুশিন্নৌ। ফুংশদা চংলবস্তু মুশিন্নৌ। মরম অহুনা মায় অসি ওলিভ্ ওইল থৈশিল্লগা য়োং তুপী নক্রগা কমকোটা, শাল মচা অমা কোক থুম্বগুম মপান্দা পুন্-থগুম তক্ক কোয়া য়েংশিন্বগুম থম্মীথু। মহুনা মায়দা ফুংশিং থৈবা কন্গনি। তিনেশ্বর, জাম্বুবারী অসি ঐ ইশামকৃষ্ণ পুং অহুম মথায়ংগী চংপমা মায়, মাথোব থা ২। ৩ দি মুহুনা নৈ ফেব্রুবারী মতুংদা বুরোন হুত্তগা থজংবী। চপ্রো মতং অমম নিহিগী ফকুপীয়ু। চংকম্দাইদা ওলিভ্ ওইল্ থেবীয়ু। মসিদনা ফুংশা অমসুং উন পুবা ফুংশিনুগী মায় কন্বা ওম্ই। যাম্না নীংথমত্রবদি অক্তা ফি চেংনা য়েংশিন্বীগনু। থাইরোইড্ গ্লেণ্ড বেরা লাক্কনি। ফুংশা থাম্না শাত্রবদি তুপীনু দরকার লৈতে। ঙংলপ্ তৌনা চংলগা অস্থুম অস্থুম হকচাং শাবা, লুথা হোক্কনি। অশোব-অনাদি কবিঙ্গুম্না থরা, কিশমিশ, লকোই, শঙ্গোম থরা চাব-থক্লগা পুং ৮ তাবদা ফুংশাদা চংপনা থৈ। অহুবু মণিপুরগুম্না উফুনগী লৈপাক্তা হবা গাড়ী মরক্তা চংপীয়ু খায়নীংদে। লৌবুক-লক্ষাংদা য়েংহুনা চংপীয়ু। মরম অসিদগী

অমসুং মরম পুম্নমক্তু য়েংলগা অয়ুক অঙনবনা পুং অছুম্ মরিং-
দগী হোনা চংশীয়ু। অয়ুক শাদবা মীনা সুমিদাংবাই লোয়ুক
লম্চাংদা চংশীবু।

খোঙউপ্ অসি উপ্তুনা চংশনা থাইদগী কৈ। কেনাং অমা
টম্লগা অয়ুক অয়ুক হোংদনা চংশা ভঙলগা খুয়া করশিল্লবা
মতমদা খোঙউপ্ থাদোকপীয়ু। তোংবা ভাঙবদি খোঙপাকু
অসি লৈপাক্তা থাবদা লৈজবা অচৌবা খোঙউপ মচুংদা খোঙ-
পাক অসি লৈজহনগদবনি। কেনাং অমসুং কেনভাস শূনা
থাইদগী কৈ খোঙনাওবা, খোঙবী ক্রকংক্রকু ইন্নবা, ফাজিন্না
খোঙউপ্ থকু তোংলোইদবনি। ভিমনাসিযম্গী খোঙউপ
জাং অচুম্বা মহাযোমগীদমক্তু থাইদগী কৈ। অচিনবদী থকু
উপ্নীগনু মরমনি য়ায়না চংশকপদা খোঙ অসি ঈনা পোংথে ক্রকপা
মতমদা কোয়া সুংচাইনা থোকহনগদবনি। ছুমাং শৌয়কপা
মতমদা কিগী খোঙযোজ দি চোংলি, সুংথাইতে। শামতু ওইরবদি
ছুমাংচু চুপশিল্লি অচুগা হকুচাংদা থেংনবদসু শামতু অসিনা
মোনবা হেল্লা। বাকিং ভভুনা চংশা মীগীদি "হন্টর ক্র" অমসুং
"হাই কংস্ক্র" শীজিন্নবা য়াই। লমশাং শাংনা চংলকপদা মসিগুম্বা
খোঙউপ্না লম্বেল মথল মথলগা চান্নবা চংশা ওমই। বাকিং
অসিদি চাক হাগা তেকপগা চংশসু য়াই। শাজেন তৌরমদাই
অমসুং তৌরবা মতুংদা চংশসু য়াই। চাক চাবা হেক তোকপগা
ভূমবুদি ভাহো-ভাহো চংশনা হেন্না কৈ। ভুস্বা য়াত্রবদি ভুম্মম-
দায়দা চংশসু থাইদগী কাদৈ। অয়ুক চংখুমবসু, সুংথিলবু চংলবসু,

হেক খুদোং চাবা মতম ফংবদা—রাকিং অহুম চংলু হকুচাং ফগংলকপদা হেনগনি।

মোং চুরবন্দু রাকিং চংগ্রবা মীদি অহুম চংকনি। ছ.তিম, স্নেন-কোর্ট শীজিনবা য়াই। খর চোংপদি করিম্নু নৈতে। মায়দা নোং খর ঙ্গৈরবন্দু সুংভাই। নীংথমথা নন্ত্রবদি নোং কয়া চুবা নন্ত্রবদি মহা ওইরাটৈঙদা মাইল ৫/১০ চংপদা থোইদোকপা অকায়বা থেংক্তে, কিন্নু অহুম ফংজখি। মীওই খরদি অহুম তোয়না নোং মরক্তা চংপা ঙম্লকই। সুংশিং অঙাংবদি অকবনি। খ্বাইদগী অংগংবা সুংশিংনি। উকুলদি সুংশিং লেম্না ভাইরগা অহুগা হবাগাড়ীদি উকুল হৌবনিব, হর গাড়ী চংখিব ভাইবা তাবনি। সুংশিং অগেংবা, অঙাংবা হোজিনবনা থোঙ্গু নিমাং থুবগুম নৈবা রথল ময়ম অমম্বং অবোংপা মাঙহল্লি। অমরোমদা অপংবা থংশিংনা অমুক হুমাং থোকহনবা লেংঙ্গি। কয়া লাপনা চংকদগে হায়বসি মী পুম্নমক্তা থঙনীংই. অতুনা হংই। মসিদি মী মী অহুম পাজল, হকচাং মতা, থবকপুবা মও, শাজেন মঙ: যেংহনা লেম্না ভ ই। অহানবদা খর খরা হেনগত্তবা মাইল অগুবদগী মতাকাওবা চংপা য়াই। মোম হায়বসি মোংমদা পাগংখিবা নত্তে। অহুম্না নপা অমম্বং নপাজলগী রাকমস্তু থনগদবনি। মখোয়না শাগংপসি কুমা চংননবা শাগংলি। ঐখোয়দু অম্নুম্না তোগদবনি।

শাজেন হায়বা কৌবা কয়া নৈরিবশিংগী মন্নুংদা রাকিংনা খ্বাইদগী ফবনি। ময়মদি করিগুম্বা মথলগী শাজেনগা রাকিংগা

চা দময়নবসি হিংনবগী পাঙ্গল হেনগৎহন্নবগী মরীদদি ল'মা থক য়াদে। হকচাং অসি পুথশি শিথহনা য়া'পাক ভাবগুম তাহনা লৈবমক নঙ্গবদি রাকিংনা পুন্সি অমুক হন্না শেমগৎপিয়ু। শান্নবদা খোঙদারিবা মীওইবু রাকিং চংহন্দবা হেন্নিংলা চেনহন্দবা লৈতে খোকসর, কুষ্ঠরোগশিংস্তু রাকিং চংহন্নবদদা, মপাঙ্গল অমস্তুং অথাংকনবা হেনগৎহল্লি মীওইবগী মতিক মগুন অসি রাকিংনা মৌহোনা মথরায় হাপকৎপিবগুম তৌই। ফজবা, অঙৌবা, হৈনীংবা, পামশিনবা হায়বসি নেচয়গা লোয়ননা লৈবন রাকিংনা পুম্নমকসি মী অহুদা লাইনা ক'হল্লি। মীরক্তী মী অমবু য়'কিংনা পুথোকপ্রগা ম'ওইবগী ওইবা অথম্নবা থবক মপুক্লীংগী অপাম্বা পোকহল্লি। রাকিং অসিদা থরায়স্তু, পুক্লীংস্তু হকচাংগী শাজেন্দা শীথিনৈ। মীওইবগী অমাবা, অশোনবা, অমোংপা থিজম পুম্নমক্তী থাইদগী ফবা প্রতিকারনি। লোক পুংবদগী, কোক চিক পদগী হৌহনা অরা-অমানা থনগ্রবা মথরায় অহুদগী পুং ১/২ কোয়-খোকপদা লমজাওদা পুম্নমক লোইনবা তাহৌই। অনৌবা অশেংবা মী অমগুম মযুমদা হল্লকই। থম্মোয় অমস্তু থরায়মা লৈ হৌনা চাকপ্রবা পোত্থাকম থংত্রবা, শিনীংলক্রবা মতমদা নকি মরোলদি য়ামদনা, অফা-অপুন য়াওদনা অহংবদা মাইল ১/২ দং অমুক্তং চাইদোকপীয়ু। মচৌশা লাইয়েঙ্গীনা ঈংখ্রবা, শে খ্রবা থরায়গা থান্দবা মুংশিং পাজলগী হৌরককম ওইবা মুংশ, শংবাননবা আতিয়াগী মথাদা নথরামহু কোয়না পুহনা পুং অগী মমুংদা অর'ম অহু কোকপীগনি। ঙহাক পেথারগা অমুক চংপীয়ু।

৪০	১২৭	১৪১	১৩৮	[illegible]৫৮	১৫৩	১৮০
৪৫	১৩০	১৪৩	১৪১	১৫০	১৫৭	[illegible]৮২
৫০	১৩১	১৪৪	১৪৭	১৬১	১৬১	১৮৩
৫৫	১৩৩	১৪৫	১৪৫	১৬৩	১৬৩	১৮৪

ঈ থিংবা—(এম্বোলীজম্)

ঈ কমছৌবনা (clot মতুংগা কম্ছৌনখিবদগী লংলাক্খ্রবা করা য়াওবা ফিব্রিন—fibrin (an insoluble protien precipitably as a net work of fibries when blood coagulates) মতুংগা অকোংক্লা পোংশক করা ঈচেল্লা য়াওরকপদগী ঈ উংতা মচা কয়াদা ঈ চেক্তবদা খোঙলোৎনবা অমম্পুং থিংবিবদগী এম্বোলিজম্ (embolism) ঈ ফুনবা হায়বসি লাকই ফিব্রিন হায়বসি লাংগুনা কমছৌনখ্রবা ঈ অদু ঈচেলগী মতৌ লাউবা শক্তক প্লাজমাদগী লাক্লগা হাটকী অমাবা ভালবতদা লেপই। ভালবতদা মওনা অতৈ মফমদম্মু লেপই। মদু শেগায়দুনা ঈচেলদা লাক্লবদা ঈ উ তাং মচাদা লাপ্পু, (blocked) লপ্পুনা stop) লৈ। অদুদগীদি মফম অদুদা ঈ চেলশম্বা embolus) কমছৌবনা অমা ওইখ্রে। অদিগুম্বা কমছৌবনা ঈ অসিনা থ্রেনগী ঈ উংতাং মচা অমদা খোক্লবদি (strok) লন্থবা হায়নদু লাকই। এপোপ্লেক্সী, থ্রোম্বোসিস্কী মতাংদু য়েংবীয়ু।

লায়রেং—মশা পুম্নমক কগংনবগী ওইব লায়রেংদ চথগদবনি। এপোপ্লেক্সীদগী লাকপরা য়েংলগা মতুগী মতুংইনা নাবিবা ইন্নি অদুগী লায়েংলোমদা চথগদবনি। ঈ লোংবোক্লবা, ঈচেল কগংনবা মওদ চথদ মশা-মউ কগংনবা পীবিবা, লায়না পুম্নমক য়েংবগী লাইরাক্তুম পাবিবা নিয়ম করা অদু ইনগদবনি। মতুংদা হিংনবগী পাঙ্গল অয়োবাদা হেনগৎহনগা অমাবা অসি করা ওয়গদি, মোয়নগা থরা শানা, ময়াং কংলগদা থরা

তেনবা মখং মিনিদগী তরেৎ অওম্বা পাঙ্গলগী মতুং ইন্না চম্বা হেন্দোক্লকপনি। অহুনগী চম্বা হেনবা তোকপগী নিয়ম ১ নং, ২ নংগী মখুংদা অমদা মতম থম্বা লৈবীয়ু। অদুগা মতুংদা নং ১গী শঙ্গোম থুংথক্লা মখং থম্বা লৈবিয়ু। শঙ্গোম থকপদা খুদোং চানবা মীওই ওইরগা শঙ্গোম থকপা নং ১১ দা নত্রগা শঙ্গোমগা হৈগদা মতম থম্বা লেবীয়ু (নং ১, নং ২)।

মপাগী পাঙ্গল মতুং ইন্না শাজেন কম্বা. ৱাকিংনচিংবা চাং নাইদ্রা তেনগৎনবা চৎপা খাইদগী কান্নবা অমসুং থবায়গী মপাঙ্গল হেনগৎহন্নবা লায়রবানি। ঈ উত্তোং অমা ঈ থিংহল্লে হায়ব থৌওনবা, কোক কায়গদবগুম চৌরবা, থম্মোইদা তানা থিনবগুম নাশ্রবদি কোক অচৌবা অমদা লাকগৎলা লৈহুনা, চরা চেন্দুনা পোথ ড়ুনা ক্ষুনুংদা লৈগনি। পুক্লোং লাওতক্লবা, শাউবা কবা অমতা য়াদে। ইন্দ্রি থুডুব চন্দুনা ঈংনা লপদবনি। কোক মওংবা থোওঙ্গুমদা গেংগ্রীন তোবক্লগত্রা থাকপা, ঈ চেপক্লহনা অনাবা ফাওরক্লবা, পওথবক্লবদা ঈশিং অশাবা নত্রগা অশাবা অমসুং অঙ্গৌবা ওন ওন্না হিপা হৈবা নত্রগ অশাবা অঙ্গৌবা কম্প্রেস, পেক তোকিবা খাইদগী হেন্না কান্নবা ফংগনি। হকচাংদা মুংঙাইরকপা মতুং ইন্না চথবীয়ু। ঈশিং অশাবনদি খাইদগী ফবা লৌই।

কোরোনারী থ্রোম্বোসিস — হার্ট মশাগী ভোংশাদা ঈ যাইরিবা থবাশিংগী মখুংদা অমগা ফুন্দুনা ঈ খিংথিবনি মক্রোম্বোসিস

মত্রগা কোরোনারী থায়বদি থাটকী তোংশাদা ঠ পীরিবা ঈ উতোং অমু সক্লীরোসিস্ থায়বদি থরশীনখিবা মহোপ-অতিং য়াহক্তবা মতমদা কোরোনারী থ্রম্বোসিস তোগনি

থুদম—থাট মশামক্তদা হাম্না থীনা অনাব অমা ফাও-রকই। ওনীবা অমসুং ওনীংলক্তবা লৈতে। অচুম অয়াম্বা মীমা তুমদবগী লায়রাম্বি হাউনা লৌগনি। পুং খর অসম মাচুনা লৈ। মীতুল চাং মাল্লদে থায়বদি তান্ কাহনা তম্ব মিতুল থুই। মুম্না হেণ্ডবদ থাট চাউখংলমই

লায়রেং—পুক্নীং অমসুং হকচাং অসি য়াম্বিবমথৈ কজন খোনা-চুনা লৈগদবনি। কমজীল্লবা ঈচেল থিংলিবা ঈ অমু থায়বদি থ্রম্বস মত্রগা কুংশাল্লিবা ঈ (cl t) অমু মাওখিবা চপশা-নখিবা চাকবা তাবনি সুখিং মত্রগা চয়োল খরদি কম্মুংদগী হেনবা য়াদে মরাইবক কবা মীদি মতম খরগী মথুংদা মিতুনগী চা-নাইরকই, মপাঙ্গল লক্তবা তমই। থম্মোইদা নাবা অচুগীদি পুংখায় খুদিংগী হোংচুমা অঙৈবা ঈশিং থোম্বা তাবনি। করি-গুম্বা মশুমদা ফি খরা থা-না লোমগা পেক অতুগী মথক্তা উম্ থম্বা য়াই। অচুগা হেজিঙ্গা থোমচুমা হায়া ঈংহমবদি য়াদে। অচুগা কাম্নবা কংলবা মতুংদা চোম্বহনসু। অচুগা চরা হেনবগী মচত্তা হৈ মহৌদ পীথকপা য়াই। মতুংদা হৈদা পীবনা খ্বাইদগী কামবা হেনগনি। মতুংদা মনামশিংগী চময়ুং কুংলগা মোইথাইব, য়হৌ পীথকপা, মনামশিং অহিংবা মত্রগা অচাম্বা

পীজবা য়াই। অয়ুক্তা ৫ ডাক্তা পীজবা, মুংথিলনা ৫পা শঙ্গোম অশীনবা (সমিক , মুংদাংত্রাইবা মনা, শঙ্গোম অশীনবা অমসুং মনাখশিং মোইথাইবা মহৌ পীথকপীয়ু। অহানবদা য়ামদনা পীজরগা মথৈদা থর থর চাং হেনগৎপীয়ু।

হার্ট দিজিজ (থম্মোইগী লায়না) মীওইবগী থম্মোই হায়বসি থ্বাইদগী হেন্না ওকপ্রবা ইন্দ্রি অমনি। পোক্লিকৈগী মখাওদগী অতাও অহুগী হিংবা অমসুং চাওখৎপদা চঙইবা অরাংপা পুম্নমক পীথিবা ওমা লোমজপ্রবা থবাই পুথা ইন্দ্রিনি। হকচাং পুম্নমক্কী ময়োল (centre) নি। কবিগুরা মরম অমদগী মহাক্না ভোজ্‌র্বরবা ওবক অসি ডাইহাক্তং লেপহল্লুরবদি খুত্তনা হাইবদা পোদোন মুংশগুম থুদক্তা থবাই মাঙজররনি, পুন্সি অচু লোইররনি, মুংশিঙপ্রবা ইমা-ইচা কজপ্রবা, পাম্মুজপ্রবা জগৎ অসি থাদোক্নুনা চৎপ্রগদবনি অহুনা ঐখোয় পুম্নমকপু শেম্বীরকইবা হিংহাল্লিবা ভগবান শ্রীকৃষ্ণ অহু হৃদি হায়বদি থম্মোইদা লৈ হায়বসি বৈষ্ণবশিংগী অমত্তা ওইবা থাজবনি ঐখোয়না হিংলবমখৈ থম্মোইদা লৈরিবা ভগবানগী থৌশিন্দা থম্মোই অসিনা থবাই, থবাইগী পাঙ্গল, হকচাংগী শক্তি পুম্নমক্তা পুন্ননা হকচাংদা চঙগদবা পোৎশক পুম্নমক য়েনবগী থবক পাঙথোক-চরিবনি অমুকন্তু পোক্তিবা অঙাওগী থম্মোইদা পোক্নরবা অঙাওগী থম্মোইদা থেৈদ্রে। পুকচুংদা লৈরিবা অঙাওগী ওক্সি-জেনদি মখাগী থবোগীবোমদগী কংলকপনি। মখাগী হকচাংদা চেল্লিবা ঈগা মখাগী গর্ভদা লৈরিবা অঙাওগী হকচাংদা চেল্লিবা

ঐপা অমত্তা নত্তে। অচাউবী তোংচানবা মপাদগী ওইনা ঐ চেঙ্গবনি। পোক্লুকৈগী মমাংদা অচাউ অসিগী হাটনা মপাগী শক্তক পুম্বমক্তা ঐ চেনহনবদ মতুমা মাওকমদসু চেংহল্লি। মতমচুদগী ওক্সিজেন অমসুং চতপদবা পোংশক পুম্বমক ঐন মমাদগী লৌশিল্লগা মচাগী থশ্মোইনা পূশিল্লকই। অপাবা মপ্রোম অমম মচাগা মমাগা মরক থম্মুনা লৈ অপাম পোং লোশিনবদ মতুমা পামদবা পোংশক পুম্বমক মপ্রাম অমুগী য়াংবদা থাদোকখি। পোক্লিবা অচাউবী লংস (থস্বোম্বী) সু থবক তৌবে, সুংশিং অমত্তা লংস অহুদা লৈতে। হেক পোকপদা থবাক অমু কল্লোক্লুনা সুংশিং হাগ্জিন্নবপদা লংস অমু সুংশিং থম্না চত্থি মমুতদা অতাং অমু থংকপ কপই। মমুতদা মাইবী, দাক্তর, মনাক্তা ফম্বা মমা মবেন-শিংবা অচাউ পোক্লে, হিংলে, ডগোই শাম্লিবনি। অম্মুম্না স্পাঞ্জ পেবোংবশি গুম্না লৈরম্বা থবোম্বী অমু থবক তোবা হোৎথ পোক্লু-রৈবা ঐ থাক্তা চেল্লম্বা থশ্মোই অমু মপুং ফানা চেনবা হোৎখ।

থশ্মোইগী মওং—চাংচং অমদা লোয়বম্না মুপাগী থশ্মে ম অাস 'গ্রেট এনাতোমি" মতু: ইম্না ই ঞ্চ ৫ শাংই, ইঞ্চ ৩$\frac{1}{2}$ প কই, ইঞ্চ ২$\frac{1}{2}$ থায়, আউন্স ৯$\frac{1}{2}$ দগী ১১$\frac{1}{2}$ হায়বদি চাংচংতা আ: ১০ লুমই। মুপীগীনা মওংসু অক্লমসু হৈ।

হাট্কা থবক—হাট অাস গুপ্নী ইঞ্জিন অমগুনি হায়রবসু পম্প অানি পান্নি, মেতা অমা ওইদা অমা মেং থংবা কাথল অানি লৈবা পম্প অাসিনা হকচাংগী শক্তক পুম্বমক্তগী ঐ অাস লোশিন্নি অমুগা থবোম্বী মোনবা চংহনথ। মকম অমুনা

ঊদগী কার্বোন-ডাইঅক্সাইদ্‌ থম্লম্লগা শবোথা ওক্সি জন পুন্না ওয়থংবা কাবন ১ পানবা শঙ্কু অসিদা পুথি মতুংদগী ঊ অমু কাপথোক্লুনা: আর্টিগীবা, অমুক্তং কাপথোকপদা আউন্স ২½গী চাংদা চংহনখি। ১২ বর কাপথোকপদা আঃ ১৮০ (পাইণ্ট ১:½) থম্মোইদগী ঊ চেক্লোকখি। হকচাংদা হেক লৈরিবা ঊ অসি থম্মোই যৌরম্লগা চংখিংদা মিঃ .গা সেকেণ্ড ১০ (হায়বদি মিক্তন কক্তগা হার্টনা কাপথোকপা মখোঃ ১২ তুবদ)দা মচঙই। পাউণ্ড ১৪৫ লুপ্না যী অমগী মপাদা চেক্লিবা ঊ অসি আঃ ১৮০ হোন ওইসনি। ঊ অসি হকচাংগী অকুবগী শরক ৩০ গী অমনি যীগী মিতুন হোংলকপা চহিগী মতাং আটৈবী অমসুং মরি-মতাং মরাই তারকপা, করম্‌লকপা অযোপ্‌-অাতি হারক্নুবা মতমদা ঊ অসি চেক্লোক চেনশিন তৌবদা হোংলকই অমসুং থম্মোইগী থবক্তা খোঙলোবা পীরকই থম্মোই অসিনা নোংমদা লিশিং অন্ত চাররক কাপ-থোরক্নুমা যাইদ ৩০,০০০ শাংবা মরি মতাং ঊ উতোংদা চেনহল্লি। অহুগা অকুপ্পা ঊ উতোং কেপিলারী অসি ইঞ্চি অমগী ১০ গী অমত্তা মশাংই। অহুবু মখোয় অসি মথংশিংনা শমজিন্নরবদি যী অমগী কেপীলারীশিং অহুবা পৃথিবী অসিগী মপ্পাং অসি-রকা ভংথাই থুংনা য়েংশিনবা থুংগনি। কেপীলারীশিং অসি চপ মাসবা থাক্তা ঊ চেনহন্ত্রবদি হকচাংগী তোংশা পুম্নমক শিথরকই। মরী মতাং শিংলি মশা কনা থমগদবনি। পুং ২৪ গী মনুংদা ক্রাট ৫৭৭০ হায়বদি টন ৩ অসি চেক্লিবনি। নিপামা মিতুন ৭২, নুপীনা ৮০ হন্নুবা হকচাংগী মরী-মতাং তোং পুম্নমক নোম

পেনহল্লি, মোয়ায়ত তৌববা ওল্লিজেন চানমুব চিঙাক্কা থাইদ ৬০,০০০ লাংবা ঈ চেঙমবা লম্বীদা ইমা পুক্না চেঙ্গ। থম্মোইনী মিতুম অমা হাংবদি হাটি মিট অমমা চহইবা পাঙ্গন অদি পাউণ্ড অমা লূপা পোংলগ ফুট অমা বাংমা থাজংপদা চহইবা পাঙ্গল অদুগা থাৱৈ। চহিদিবা অমক ওখগী পাঙ্গল (এর্গ) কেলোরী অমনী ১৫০ ০মি। হাটিনা পাডথোকপা থবক্তা চা- অদি হকচাং পুম্নমক্কা তৌবা ঙম্বা থবক্তা শরাগী অমনি। মিতম অদি চিঙ্গলগ ৩৪ | ৮৬, কয়গা ১৮ ৭২ লেল্লগা ৭৮ | ৮০, মাকিং চংলগা ১০০, চেল্লগা ১৮০ অদুগা ১৮০ দগীদু হোঙ্গ। অতোঙ্গা ১০০ | ১৪০ অদুগা চহি ১০ নী অতাঙ্গা ৭৯ লক তাল্ল। অহলনা ৫ ১০ তেমগংমা তুনবা থাওরমগ্ন ৫ | ১০ চহুমা তুল্লি। অমুক্কা হন্না লায়-না মীংশিংবীবু। থম্মোই অসি থবাক্তা ওয় ওইরল্লা লে। মী অমনা পায়লাবা মপাগী খুমুক চাউই মিঃ ১দা ঈ লিটর ৫ দগী ৫০ কাওবা আটিয়া থাদোরকই মিঃ ১ দা ৭২, মোংমদা ১০০,০০০, চহীদা মিলিয়ন ৩৬, চাহি ৭০ পূপ্লিবা থাওইদা মিলিয়ন ২৫০০ দ কাপথোকপা মসলগী অতকপা পম্প অমনি। অদুক্তা মতৌক থবক কল্লবা মপা থীংবা মাওই ওইরবদি অম্বুক্তা থাতক ঈ হেন্না লেকত থোকই। অতুগা থম্মোহগী থবকসু হেনক্কয় থোকই। পীকপ্রবা ইক্ষ্র মচা আসনা কমা নোমজাহন্না অকনবা থবক পাডথোকচারিবাস মোংমদা টন ১৩০ লূম্বা পোং, ফুট অমা বাংনা থাজংপা মক্তগা টন অমা লূম্বা পোং, ফুট ১৩০ বা না থাজংপগা থাৱৈ। অসিতমা

হার্ট অসি নৈমনক্ত শায়ৌনৈদি চনী ১৮০ চৎলি। সুরাও ওক
পুক্লিবগী হার্ট চনী ৫০০ চৎলি। কবিনীবক হার্ট অসি
লোয়িবনো নৈনসি। আওরটা হায়বসি হার্টকী হেক শয়বা
থাইদগ চাওবা উগুয়া মপা-মবেং শন্দোক্না লৈবা আর্টিরিনি।
আওরটা অমসুং হকচাংগী মকম পুয়মক্তা শন্দোকা লৈবা
ঘরা ঘরা সুম শীকথিবা ঈ ওবোংশিং অসিনু সিস্টেমিক
আর্টিরি হায়না কৌই। মহুংগী অমুক সুম শীকথবা চথিবা
শম-মুক্তা চাওবা ঈ উস্তোংশিং অদু আর্টিরিওল্ হায়না কৌই।
মহুদগী হেয়া সুম শীকথবা চশিবং, মীংনা উবা ফংদবা মাই-
ক্রোস্কোপনা উবা ফংবা শীকয়বা ঈ উস্তোংশিং অদুবু
সিস্টেমিক কেপীলারী কৌই। কেপীলারীশিং অসি তোংগা
(tissue) তায়া চৎলি। ঈদা য়াওরক্লিবা ওক্সিজেন অমসুং
চীজাক তোংশাদা পীরে। তেয়া অমুক তোংশ'দগী লোথোকইবা
ঈ অসি কত্তু-হোদি অমসুং কার্বোনীক এসিদ গ্যাস য়াওথরিবা
থোংদি অমসুং য়ূসিল মুই মথংদা কেপীলারীশিং অসিদগী
লাকইবা ঈ অসি তেনদা চৎথি। তেনীউল্স কৌবা পুনশংপগী,
লোথংপগী থবক তৌবা ওইনা লৈরীবা থাইদগী শীকপা তেনগী
শীন্দোক-শন্দোক্নুবা (arrange) থবা মওং অমনা ঈ অদু শীক্না
ত্রোম্ত্রা মত্রপা থুরবা ইচেন্দা ওইনা কাথংলকই। কিন্তু অসি
হেক য়েবদা হার্টনা কাপথোরকপগী থবক লোইরে। মথংদি
সেকেণ্ড হার্টকী থবক হোৌরে। আর্টরীগী মথীদা লাকপদা চায়বা
(alongside) তেনসু মপা চাবা লোংহুনা লৈ। কুইবা লেপ্নুনা

লৈগনৃয়া মীভাসি কপ্লাক্তা মরী চাউথত্তুনা (varicose vein) লৈরীবহ মতাং খসি মীংশিংবিয়ু। ঐ খসি মথকলোমদা চেম-থংপা ওমবা অহিপা ভেঅদা পাম্লিবা ভাগব, লৈহোকপা ওমদনা লৈরিবা ঐ অহিদি লেপ্তুনগা লৈবদগীনি। অহুগা ভূংগংগী ওইনা সৌরদা মরী চাওথংপা (varicose vein) মওং অহুম কঁম্বনবগী ঐ মথকলোমদা চেনবা ওবদহুনা পনবগী লাকপনি। মরোল অহুমগুবা মরী অহুগী মপুং থংবা খরোল ওংলকপা খনিগুবা ওংলকপা মতুংদা ইকোম কোনবা মপানগী মরোল অহুম ঙাহোবনি। মা অহুবা পা, ঙা, মা-থাওদা চাদুনা মাংবা মীকচুবা মঙদা মাংনবা পংবদা অকোনবগী মরোল অহুম তংপনি। মহুকগী ঐ কাগা ভূংগং পেংচুলাকপানি। মজার খসিদা থাইদগী লুবা কাউরোইদবা বাকথাদ খনিগুবা হাটকী থবক্তি। ভেবদগী ঐ খাস হাট অমুক যৌবি। ঐ অহু হাটভগী খবোংগীদা থানোয়ক্লগা মকমহুনা কঙ-বৌদ হন্দোক্লম্লগা ওঙ্গিবেন পুদুনা হকচাং পুম্বদা বাটীনা পুহুনা অমুক ভেন যোনবা লাকথো-রিবনি। ভেনদগী হাটতা হনখিনবগীদমক থোঙগী মপলদা ঐ খাস অমুক কাপথংখিবা ভাবানি। মথকলোমদা কাথংখিবা ভেনবা থোঙগী মপলদা লংলাগুমা পঙ্গং লেংহুনা লৈ। অহুগা ভেনশিং খনি ভাগব পাম্লি। অহুনা মরম ওইহুনা হাইগংগ্রবা ঐ খাস অমুক হাইথবক্তে। চংপা, খুবাং কাউবা, কেপ্পা, খুনাংবা লেপা, হোথংনবথক খাগনা থোঙগী ঐম ন্নুথক্লোমদা

হাপ্পরদি খুবোমদগী কৈগন্, কৈগন্দগী চরোংলোমদা হাইগৎ-নরবি। চরোং হেক মৌরিবদা চরোংগী মশামা, থম্ব্রা ইনশীন-মরশীন্দুনা ভেন্ট্রিকেল্দা কোয়া ভেনদা চঙবি। মরম অসিদা ঊগী লেবেল অসি হার্ট মৌংগনবা শরুক মখিগী অহুম পোয়রনি। মসিদগী, দাইএফ্রাম থবক অমুক পুরেন্ শুক অসি শাংবা হোন্জিনবদা থবাক্কী মখা থংবা মশামা অসি মথাগোম্বদা নুংথরি অহুবা থবাক অসি চাউথংলি নত্রগা লাংথোক্কই। মসিনা নেগেটিভ প্রেসর (থক-থা, ওনবা) অমা পীরাগদবি মশামা, নুংথুবা, থবাক চাউগে কপা অহুনা ভেনাকেভাদগী থবাক্লোমদা ঊ পুথংলি অহুগা হার্টকী মেংথেংবা শরুকতা পুথংবি। অহুমগী লংগ্না ঊ অহ কাপথোকপ্রে। মরম অহুনা ঊ অহ শেংদোক্লে অমসুং ওক্সিজেন্ পুহনা হার্টকী এই থংনা মাকলদা চত্লক্‌পা অমুক হন্না হার্ট না কাপথোকবিহনা ঊ মুহ হাক্সগী মতোৎপু হুকচাং-পুবনা অমুক হন্না চাহুগোব্রগ।

সোকপা হার্টকী শকক :—

১। থোংনগী মশামসিং অসিনা শরোম মুমুপুম মুরুহন্না খুবোমদগী কৈগন্দা, কৈগন্দগী চরোংদা ঊ অসি থাগংথি।

২। চরোংগী মশামনা তপচৌনগা ইনশীন-মরশীনবা থবক্লোমনবা ভেনাকেভাদা পীবা থবক অহুমা থবাক মৌথি।

দাইএফ্রাম অমসুং দাইএফ্রামগী মথাগোম্বদা শুক হোন্জিনবদা নুংথথিবা থবক অহুগা দাইএফ্রামগা মথাগোমদা কুমথবরা ওবাক ফাকোকনা প্রেসর (মমথবা) অহনা হাইগৎপা

অমা পীরুবা (negative pressure—থক-থা ওমবা) থবাক-
লোয়দা ঐ অচু থম্মোই য়োৌমবা চিংথৎথি।

অহুমা সিকাই মখিগুবা, মর্জংগুবা মীওইনা কুইনা লেপথরগা খুনৌং কাওবা, খুমৌংনা লেগুনা শামবা তৌত্রবদি ত্রেন অচু মম্‌ণিঙ্কই। অহুমা তুরনা রাথবা কয়া য়াওই। অহুমা শাজেন অমদি, যাকিং মওম: সেকেণ্ড হাটকী থবক তৌবা তমহনবা লৈতে। অসিগুম্বা মথগী থম্মোইগী থোক্চৎ অসি থওলহুনা জগৎপুম্বনা হরাওজরিবা অসি ইং শোক ১৬১০দা ইংলণ্ডগী "চার্লস অহানবা" হায়না থও বা নিংথৌ অহুগী তাকুর উইলিয়ম হার্বি তৌবা অমমা মনিংথোদা কক্তবগী মওংদা কোংদোকখিবা যাকম অসি ওসিগী ফিজিওলোজিগী অতকপা মূক্য ওইরিবা অসি, সেক্সপীয়ারনা মাগী অথাং-অওা লৈরবা জগৎ ফাওরবা দীদা (drama) কয়া ইবা মতম, জেম্‌সগী ভার্সনগা বাইবল তৌবা পৃথিবীদা ফাওরবা লাইব্রিক ইংরেজীদা হন্দোকপা মতমদা হার্বিনা "দি মোতু কোর্দিস" হায়বা তৌবা থম্মোহ অমসুং ঐগী ঐচেন অসিগী অচুবা রাকম অসি মীংথৌদা কৎথি। হৌজিক অসিদা ঐথোয়মা হার্টকী থবক অমসুং অনিত্তবা হার্টকী থবক করিনো হায়বসি থওলকুবদা হকচাং ফগে, মুংচাইগে, কমা লৈগে, পুম্মি অমি মুংচাইনা হিংগে হায়রবদি হকচাং শাকেন অসি কয়াদা মকওইবা থরায়গা লোয়নবা থবকনো হায়বা থওবিরে।

মার্কনশিংবা লেগুনা মতম কুইনা থাও থাবদা মকোক তাওরতমবা অহুগা কোকলোয়দা ঐ পীরকুবা থোও অমি খুনৌং

কাওদুনা থুমৌংনা লেপ্লগা থুংনাব অচুমা হাইগদবা, পাম্বনা খোঙদগী মকম লেঙদনা লোইবা ঐ অচু মথকলোমদা তাক-থংলকই। খোঙগী সমলাপিং খাদ অচুম্বা শঙ্গোম তঙ্গুব তুমহুনা ঐ চনবহল্লগা খোপলোমদা চেল্লকপা, কাখৎলকপা হেনবনা খোপ অচু ঙংবা খাওখাবগী থবক ফজনা পাঙথোকপা ঙমই।

লাইমৌ অমসুং সিফাই শাস্ত্রাশংদা মখোঙ অচু থুনাং কাওদুনা অমসুং থুনাংবা লেপ্তুনা পাম্বা খাদ তম্বা অচু নম্বাদ তনু মচা অমশুম মফমদা পুং কয়া লেপ্তুনা লেবহুদা মকোক্তা ঐ থ ওবা থাম্বা, তুবা তোয়না খোকই কুমলাইবদস্মু মখোঙ থেক্তোক-থেকচাব খাম মতোংনতা নত্রগা সেব। তৌ রবা বাবা পামবাগদবাব।

সাকাই, চংগ্রাম, হাজাব, ফিরোনবা, লৈরঙ অবাংবদ, গ্যাসনা তেবলুবা চাবখোংবা থুপী অচাঙ মাম্না তোয়না থুনাং কাওব, থুনাংনা লেপ্প হেনবগা থুনাং কাওদগা খোঙজেপ অমসুং থুনৌদা লেপ্লগা খোঙবা-মক থুনাংদা লেপ্তুনা তোয়না লেপ্তুনা ১০ ২০ লক পাম্মৌ। পাজেন ওইবা তোবানবা অমুক্তা হায়জগে।

(১) খোঙ অনা পুম্না থুনাং কাওবাগো অমুক তাথবাগো, (২) খোঙজেপলোমদা হকচাংগী অরুবা থম্বাগো, থুংনাওবীগা থুনাং-মচেৎকদা অকাম্বা পুহল্লো, (৩) থুনাংদা লেপ্পাগো থুদোন হাইগৎপীয়ু, (৪) মখুং থংবা থুনাংগী শরুকা খোঙবিবরুপদা হকচাংগী অরুবা পীহনা লেপ্পাগো। অম্মুম্না কোয়না কোয়না ১০/২০ লক পাম্বীয়ু।

দেক্স অমসুং তেবলদা থবক সুবা মীওই, ছাত্রশিংসু মরক মরক্তা হৌগত্তুনা খুনাইং কাওবা অসি শান্নবাদ খাইদগী কান্নবা কংবীগনি। কাদা তোয়না চৎপা, লামথৎপা, হকচাং নাক য়েং ওইনা পৈথবা অমসুং য়েং ওয়রোবদা নয়হুনা শান্নবা মার্ভ সেন্টরশিং অহু মরাই পীবনি। লিভর অসি, মীওইবগী মপাদা লৈবা ঈগী শরুক অহুম লেঙদনা লৈ। য়েং ওয় নয়বাদ লিভর শুম্বা (lever squizer) হায়না কৌই। অহুগা লোয়ননা শুর ১০রক মাতোম্না শাংনা চিংশিনবা, তপ্পা হোন্দোক্লুনা শান্নবা কৈ। ঈ চেম্বোক চেরশিংসু হেনগৎহল্লি। মাসনা পুক্নীং মুংঙ ই-ল্লি। ছুটি থাবা মতমদা মপা থাংনা হন্নাওনা চৎখিগনি। খাইদগী মপা কপ্পবা হার্ট অমা লৈজরবদি খাইদগী য়াইফবা মীওই হায়বহু ওইজরে; অদুবু থোঙ, কৈসন চমীং দাইএফ্রামমচিংবা মসল্ হায়বদি অনিশুবা হার্টকী থবক তৌহন্দ্রবদি ঈচেল কক্না চেমজম থোকপা য়ৌনা চেল্লোই শলগাড়ী নত্রগা হরাগাড়ী ড্রাইভর, কোল শাবী, টেবলদা থবক শূবা ওইবদা সেকেণ্ড হার্টকী মসল্শিং অমি উতোংগুম্না মওং থীনা নোয়থক্লুনা চবেং চবেং লাউই। শাজেল থয়া, চেমবা, বাকিং, বেট মেন্টল, তোনিস্ শান্নবা অমা নত্রগা অমা তত্তনা তম থোকলেঙবগী থবক্নুপা মশামা অমদি তৌদবা য়াদে। সাইকল থোদুনা তান অমদা থোঙগী মসল্ শিঙ্গিমবা নত্রগা ডেক্সী নেৎপা খাইদগী কান্নবা শাজেলনি। কেপিলারী লৈফম ওইরিবা মসল্ হায়বদি থোঙ, মঙল অমসুং পাম্বোম মরু ওইনা শান্নবীনু।

অহুমা মরুওইবা শাজেনদি মাঙলোম-তুংলোম কোম্বা, তেকথোকপা মাক্তা য়েং-ওয় থেকথবা, খ্বাঙদগী য়েং-ওয় লয়বা অসি মাঞ্চেস্তর পুম্নমক ময়াই কাহ্নমা সারকুলেসন হেনসংহনবনি। অয়ুক, নুমিদাংবাই শাম্নবা য়াই। পাঙ্গল কনগে, অম'-অমেক লৈহল্লাই হায়রবদি বাকিং চৎপায়ু। অমুক চেন, অমুক চৎ, মতুংদদা চেনবিয়ু। ইবোইবা হিরোনব' অকবা শাজেম্ম। খ্বাইদগী ফবা শাজেন অবনা লোংমা হিপ্লগা সাইকল থৌবকম মথক্তা থোঙ অসি ওৎপা মশাং ১০০ দগী ৩০০ ফাওবা য়াই। হুং-শাদা নঙ্গপা কি যাম্না লিংশিন্দ্রনা শাজেন তৌবা মতমদা হুমাং থোকহনবিয়ু। শাজেন লোইবগ ঈশিং অঈংবদা ইকক্রথোকপায়ু। অয়োইবদা অচোৎপা কি অহুমা কয়া তঙ্কনা উনশা অহু চাঙশং চাঙহল্লু। খোঙগী, মঙ্গনগী, লেঙবানগী মসল্ পুম্নমক মশাকমা কয়, থম্নবদি ঈ চেম্বোক-চেমশিন ফজনা তোহ্নমা মী অহু মতম কুইমা পুক্সিবা ওমই। 'শিরসি' (Let us die) হায়বসি থোঙদগী হোই, অহল-লময়া হায়মৈ, খোঙগী মসল্ পুম্নমক চা'মাইমা শীজিন্নহনা খোঙ অসি পুক্সিনা মশাকমা থমউ খোঙ অসি যানশুবা হাটকী শরুক অমা'ম থোঙনা শিজিন্নবা থবক শাজেন পুম্নমক্তা থম্মোইগী মশা ফহ্'ল। চাং কাবা, কৈয়াক কাবা মতম থজিক্তদা হাট'কী থবক খ্বাইদগী হেন্না পীবা শাজেম্মি।

ঈ— মীওইবগী হকচাংদা চেল্লিবা ঈ অসি মপাংগা অমম্লুং মহীগা লোৎশক অনিদা শাবনি মপংগী শরুক অমি (১) রেড সেল (২) হোয়াইট সেল (৩) প্লেট্লেটস (৪) ব্লদ দস্ত। মখোয় ৪

অসিনা ঈ পুম্নমক্কী অরুম্বগী ৬০% নি। মথিসি ঈগী প্লাজমা (মহী) দা লুপ্লুনা যান্নুনা লৈ। প্লাজমা অসিদা শিরম্, এলবু-মীন ফাইব্রিনোজেন নিউক্লিওপ্রোটিনশিংনা পোৎশক কয়া যাওই। রুদ প্লাজমাদা মপাংগী ৮ ১/১০% ওইনা লৈরিবা অহুগী ৮০% দি প্রোটীন সোলুসন্ ১০%, না ইনওর্গেনিক সোল্ট হায়বাদি ক্লোরাইট ফোসফেটস, কার্বোনেটসনি। মাসগী মথক্তা অমুক্তা চিনি, ইউরিক এসিদ, ইউরিয়া, (ফেট, মহাও) এমোনিয়া, মচু শঙবা পোৎশক, এসেন্সশিংনা মপাংগী শককম, পোৎশক কয়া অমসুং প্রোটীন অমি যাওই। ময়ামসি পূল্লগা ঈ অসি অলকাল ওইক্কা ওই

ঈগী থবক – ঈগী থবক্কি হকচাংগী ভোংশা অমসুং মপুংগী ইন্দ্রিয়শিংদা পোৎশক য় ওথবা থেনথরেকবা, থেরাপত ভোবনবা চঙইবা শীরংগী পোৎশক নোয়রোমবা পোৎশক অমসুং ওক্সিজেন পুহনা কোয়না হকচাংগী শরুক পুম্নমক্তা চৎপনি। অহুগা ভোংশা অমসুং ইন্দ্রিয়শিং অসিদগী শোঝনবদগী পোকপা ফত্তবোদাশিং কার্বোনদা ডাইঅক্সাইদ পুথোক্লগা ৩০৩ ংগী মপান্দা পুথোকথনবা ইন্দ্রিয় কয়দা পুথোকচনখি অমগা লেপ্পনা হকচাং ভাকথোকপা হরাইট কোপসল্ অহুম ভোংশাদা পুখি। হকচাং অপুম্বা য়াম্নবা থাক্তা অঙাং-অশা শীরংশু ঈনা হোৎনরে। ঈগী মহৌগী শরুক হায়বাদি রুধপ্লজমাদি চঙ্ক মচু যান্নি। ঈনা ভাওনা ঊরিব-নিদি ঈদা রেড কোর্পসল্ য়াম্না লৈবদগী ভোবনি। মখিংনা হেমোগ্লোবীন্ হায়বা কোই। মসিদি চক্কে য়ান ইকোয় কোয়।

নাকল অনিদা খরা খরা কুংশিল্লী দাইয়েমিটরনা ইক্কি অমগী ৩২৫০ নি। মখোয় অসিগী মশা অমি সুপতোক সুপচিন্ য়াবনা কেপিলারীদা পাকশিন থুইডিজ্জুর [illegible] ফোঁ'মদগী হেয়া শাকথন অথূবা মথূংদা লৈংপা ঙমই। কেপিলারীদা লৈংশিনখ্রবদি মখোয়গী মওং অসি লৈংপা য়াবগী মওংদা অয়াম্বা এক্তদা লৈরে অদুগা করিগুম্বা লায়না অমনা মাখ্রবদি মতম অদুগী শোক্তবক্তা মওং মাম্মনা হোদ অঙগ মখোয়গী নাকল হায়বদি মশেক অদু য়াংগুম, হোর'ইমবাগুম য়াংলকই। মাইক্রোসকোপ্তা যদু হেক উবদা লায়না লাইওং ফাবা ঙমকই। অদুনা নারিবা লায়না অদু তাকপা ঙমকই কর্পোসল্শিং অসি অপুক্পী মতিক কুপম্রে, ক্ক্বার ইক্কি অমগী লমদা মিলিয়নদা লৈরিবনি। মখোয়গী থবক্তি চকচাংগী শক্তক থুংদিবা ওক্সিজেন পুনবা অদুগা কচাংগী মক্ষম পুক্লক্তগী কার্বোনদাইঅক্সাইদ্ লৌদা পুরকপনি।

শা'জেল ফোঁবদা ওক্সিজেন য়াম্না চঙবা মাংদা (demand) অদুনা মুংশিং য়াম্না শুর হোর্মোন-চিংশিনবনা হেদ কর্পোসল্গী থবক হেনগৎহল্লি। হেদ কর্পোসল্গী থবক হেয়া চঙইবদি উবদা নেচমনা কর্পোসল্ অসিগী মশা য়াম্না হেনগৎহল্লি।

মীংশিংবীগদবা য়াকন অমদি, শাজেল অসিনা চাং নাইনা ফজম্ ফোঁবনি কর্পোসল্ম ফজনা হেনগৎহল্লি। শাজেল অদুনা কামনগী বা.মদা হেয়া চঙশিল্লবদি চোকথরে অমসুং মখোয়গী মশাং হইহে। সাইন্টিফিক্ ফিজিকেল্ জেনিংদা

মাইক্রোস্কোপ্তা য়েন লৌহনা মুম্না য়েংলগা স্পেসিমেন অমসুং এথেনেটপিং অসি ব্রেনিংগী ষ্টেজ থুদিংদা য়েংই। অদুগা শাখেল অসিনা মকচাং যাওহনবা চথবা ঙমহল্লি।

ঐ অসিদা অমুকন্দ্ লিউকোসাইট্স বায়বদি হবাইট কর্পেসল্ হায়ব মচু লৈতবা সেল অমন্দ্ লৈ। রেদ সেলদগী থয়া হেয়া চাউই, ইঞ্চি অমগী ১৫৯০ গী চাংগী দাইয়েমেটরনি। মসং চাং যাইদে, মওং ঙওনা হোংই, অদুগা য়ায়া থবক কয়া শুই। চাক হেক ভোকপদা লিউকোসাইট্স অসি মশীং থেরপংদে পুক্তা চাক লৈত্রবাদি মশীং হবৈ। হবাইট সেল অসি ঐদা রেদ সেল ৫০০/৭০০ থুদিংদা অমমম লৈ। শম্মা হায়রবদা ঐ কিউবিক মিলিমিটর অমদা মথোয় অসি ১০,০০০ দগী ৯০,০০০ ফাওবা লৈ। অদুগা রেদ সেলদা ৫,০০০,০০০ হায়রিবা ঐগী চাং অদুম লৈ। হবাইট সেল অসিগী থবক্তা স্নাভেঞ্জর হায়বদি কম-রোগ যাওহনবা, শেংদোকপা, হাক্তোকপনি. থবক তৌবনি। ঐদা চওলকপা জর্মনচিংবা হাক্তোকপনি। ভুময়দা চওইবা য়মশিং অসিনা জম অসি হ'ক্তোক্কগা মথোয়গী মপাশিং অদু মথোয়দগী নোয় পেয়রবা মওংদা চুপশীল্লি (dissolve)।

ব্লদ কর্পেসল্শিং অসি মীওইবগী মশাদা লৈরিবা ঈগী শরুক ১/৩ দগী ১/২ ফাওবা য়োনা লৈ। চাংচৎ অমদা মীওইবগী মশাদা লৈবা ঐ অসি মশাগী অরুবগী শরুক কুহ্রাগী অমনি। পাউণ্ড ৩০ লৃদা মী অমগী ঐদি পাউণ্ড ১০ য়ুমগনি। লৈরিবা

ঐ অসিগী শরুক অহমগী অমা মাঙথিবদা, ঐ খোকথিবদা মী অচু শি।

আর্টিস্ট অমা ককথৎপদা হাটনা থিটকী মতুং ইন্না ঐ অচু থাপখোরকই। হাট শূপচিল্লগা থাখোরকপদা আর্টিস্ট যৌনবা কয়া চেখোরকই আর্টিস্ট অহনা শূপচিল্লগ ঐ অহ কাপখোরকপনি। অচুগা তেন কক্লবনি ঐ অচু তপ্না অচুম খোঙ্কুমা লৈ। মরমনি হাটনা কাপখোরকপা অচুমা তেন যৌদে।

তেংনী রাল হায়বনি যোমশিল্লীবা উতোং অহনী উনবা অচু শায় অমসুং তপতোক তপচিন য়াদে, মশিং মরাং য়াওবা লোংশা লৈতে। আর্টিস্ট ককথৎপনা তেন ককথৎপদগী হেন্না অকুব বাকয় ওই, তুম্নগী তেন অচৌবা শোক্লবনি বাকয় অহুম কিনজ হান ঐ অসিদা লৈরিবা কেথিকেলগী পোৎশকশিং খাম অরেম্না চাংদা মরি ইবৈ লৈননা লৈ। হায়রিবা মরি লৈনব থল অসি থরিঙ্গা মরম অমনা হেক থুগাইবদা মী অচুগী মশা অহু হেক্তা শোকই। হায়রিবা কেথিকেলগী পোৎশকশিং অসি চৌঙ্গাকগী ফংবনা, চাবিবা চৌঙ্গাকী মথল মথেল অচুনা অনাবা অমসুং মশাকবা হায়বসি পুরককয় খোকই ওয়িরেন 'সু' চৌঙ্গাকপু হকচাংদা শিনথুনা যেল্লিবসি ঔননি। হকচাংগী শরুক থুনি মঙ্কা থবোস্বীদগী ওস্নীখেন, হকচাংদা চঙপদবা যোয়পেম্নবা, তুম্নবা চৌঙ্গাক অহু খোইরিন্দগী পুরগা হকচাংগী শরুক থুদিংদা লৈরিবা তোংশা যৌনবা পুথি। অহুদগী শাজেল তৌবদা, নোঙ্দা শিল্লিবা থুগাইরকইবা পোৎশকশিং অহু অমসুং অতোপ্পা মাঙনবগী তইবা পে ৎশক কয়া ঔচেন্দা পুখোরক্লগা

উনশা, লংস, কিদনীবু পুথোকহল্লি। চয়া হেনবা মতমদা খোইরীনলোমদন্থ পুথোরকই।

লীম্ফেটিক সীস্তেম— লীম্ফেটিক সিস্তেম অসিমা ঈচেন হেনগৎলকপগী (supplement) ওবক পুংনি অর্টরীদ চেনবা ঈগা মসিগা খেন্নবদি মসিগী ঈচেন অসি ভোংশাংদগী হৌই অমুক হুপ্না চণ্ডশিল্লকুনা হকচাংগী মমাংরোংদা ওবাক মমু'দা চঙথি। ত্রদ ভেসেলদা চেনখিবা ঈগী মঙী লাঙব পোৎচত কমাদগী লীম্ফ অমি শেম্নকপনি। তিস্যু হায়বদি ভোংশাগা ঈগা অনিগী মরক্তা লীম্ফ লৈ। ঈদগী মেংঅ পেম্নবা চীজ্ঞাক অমসুং ওক্সীজেন পুরকইবন্থ, তিস্যু থৈহৎবিবন্থ লাম্ফনা লৌরগা পীবনি অহুপা ভোংশাদগী কস্ত-হৌদ পুন্নমক চীংদনা লোগৎলগা ত্রদন্তা (ঈচেলদা) পীরকই। লীম্ফকী ওবক হায়ববু অসি অসিনি। কণীকেলদ মেংলপা ঈগী মহৌ (প্লাজমা)গা লীম্ফকা খেন্নদে রেদ সেল য়াওদনুমা মচু ভাঙদবদ'ন লীম্ফ সিস্তেম অসি শরুক অহুম থোকই— লীম্ফ স্পেস, লীম্ফ ভেসেল, লীম্ফ গ্লেন্দ। লীম্ফ স্পেস হায়বদি পীকপবা মথুন মচা মচা তিস্যুগী সেল মরক্তা লৈবনি। লীম্ফ ভেসেল হায়বদি আর্টরীগুম্বা অহুপা পোনবদি য়াম্না শোনবা উতোনি। মসুং কাওবা উবা ফংব মরোল অহুমগুবা উতোংনি। গুপ্নগী থুংজন, শম, উনশা-মতোন অমসুং কাটিলেজ নত্তবা হকচাংগী মকম পুন্নমক্তা লৈ। ভেনগুম্না ভালব কয়া পাম্নুনা হকচাংগী মমাংরোমদদা ভালব অহ হাংদোকুনা থমই।

লীক্ষ প্লেন্স লীক্ষকী ঈচেল্না লীক্ষ লেন্সেনসনদগী পীকপ্রবা মরী মচা ম ১ এম থেক্রু খাইদে ক্লগা লীক্ষ প্লেন্সনা চঙবি। প্লেন্স অতুকী মথংগী কথম কয় দ লীক্ষ চেপ্লন ফতুবা ওঙবা লেন্সেক অম লাকপদা থেংবা প্লেন্স অমদ ফাদুনা থমই। প্লেন্সদগী থোরকপবা মরী মচা মচ ওইনা কেন্দ্রীনয়' গুব বে বঙগা লীক্ষ প্লেন্সন অং [illegible] মচাশিং হিনবি

লেন্স শেন্নবা থেইরীঙ্গ লৈঙ লীক্ষকী মরী খরি [illegible] বাওগা থোইরীনগা শম্ভবীবা [illegible] কোর লেটিনগী লেন্স [illegible] অ'সনগী চেন'থ্রবা মহৌশাঙবা লোংশক অস শঙ্গে মঙম কোট লেকটিন্স অ'সন থাওবক থাংনা শজোম ওগোক্লন মহাও অ'স ভুমুব ইন্দ্রিদগী ওকচাং মমূম চুপশিনবি নাওখাংগী ফঙন ভুম্বা লোংশক থবস্ত ঈবা চুপশিনবি-থাদুবক ওক্লবা ভুমহল্লংবি। থোইবীনগী হাও থোঙগা মপ্রামদা ভিপ্ল গৌবা মখৌন ভুমথংগা মশী' নইদমা স্কুাং ইঁঞ্জ মথাম অমদ চা-কয়া ওইবা মীশিয়মদা লৈ। অসিগুম্বা হিনম্ থুদিংমক মথাংঙ, লেকটিল্ ভতো' থমগী অকোয়বদা ঈ উতোং কয়া মথেং মথেং ওইম লৈ। থোইবীনদগী কইদগী শঙ্গোক তম লোংশক এগোক্লং; মহাওগী পীকপ্রবা লেংশক কয়া লেকটিল থাংবা চুশশিন হাংয়িবা লোংশক থাস ঈদা হেক চঙবা য়াদে অমুমা লেকটিলদগী মেসেন্টরিক প্লেন্সদা চঙখি।

প্লেন্সশিং থাস থাদামমুক্তা চাওই। মশীং চাম থাইক য়োম ওই। মাহুনা লৈবা থোইবীনগী কুমাংবানগুবা মপ্রাম

অহুপা থোইবীনবী হপ্রোমপা শমুশ' লৈবা মেসেন্টোনা প্রেনশিং
অদু লৈবনি। মেসেন্টবীক্কু প্রেনশিং অসিনা লেকচিন অ'ম তুম-
থোক্কুপা লেংলগ অমি মীক্ক ভেসেলদ চেন্নকুপা মিলা
কাটন তোৰা এবনোমেনগী হায়বদি অনিভবা লম্ব' অ'ব-
লেভ্রাগী মপা ওইন: পুক্তা লৈবা ডিস্কার্ড অদু লৌনা চেনবি।
ডিস্কার্ডৰ অমনগী থোৱাকীক চক্ক তোৰা মীক্ক ইতোং (নরী)
অহুবগী মথকদে মদ। চংবি অহুপা স্পাইনেল কনবগী ওইরোবদা
চংবিবৰা ওকপবগী মকমতা লেন অচোৰা অনিগী থাইবকম
অহুপা পুরুকই। মকম অসিদা মতোম সালবকপা পুক্কক চাট তানা
লাইকপা ইংলেন অহুপা চংবি। চানাগী লেকটন্যগী লমোয়
তাদবদা মহাও অদু পুংব মওবা খোরবগী (lower extre-
mities), চোংবগী অমসুং থাওগী মীক্ক পুহুনা চংবি।
মপুং ফাৱবা থীংইনা [illegible] অাক [illegible] কাওবা লাকই।
অহুপা নচৈনা লোইবংপা মতোম মমচে যাবদা তানবগী অৰা
থোৱাকীক দকো অমোইবনা লানবগুম লাকই।

মীক্ক মরী অনিগী চংবিবা লমথাং অহুপা হকচাংগী
অহাতবা ইতোংগুম। মকম লেফ্‌ট অমসুং রাইট ইতোং অচোন-
থিংগী চংবিবা লন্নী লমথাংদা অচোবা থাংথিংগী মরাক্তা ওকপম
কুংবা পাকুপবা মপুং মতুম মরুপা মেরুম মহং থানবা
মীকোলক্ক প্রেস তোৰা লোংলক মবা লৈ। মথান্তা ফাইবর্তা
লোংলক্কু থোবা লেপদুন ওইনা লৈবিবা অসিনা মরুংলোয়মা মথম
মথমগী মাইকৈ মরীমক্তা থাখম নাইবা লেমহুনা চানোমবা অ

৩য় লৈরিবা অহুমা মেম্ব অঙ্গই মশিং-মখাং মাঙবা লিম্ফোইড্ টী তোংবা লৈ। তোংবা অসিদা মী মহুংশুবা অকুপ্পা কাইবক-শিংবা পুক্লপ পুমা লীম্ফতা লেন্‌শিং অত কাদুনা থমই (holds)। লীম্ফ লেন অসি হৱাইট কর্পসলশা ধনক থাই। অহুমা অওইবা ওাররব। মথোয় অসি ওৱাইট কর্পসক্-শিংগী মশা মথাকি লীম্ফতা মরোনা ম্রেম্ফশিং অসিগী মথাক থোংফমদা। উতোং অসি ১শা মতা শরা খোকদা থাইরোকই অহুম ম্রেম্ফদা চঙ্গি। অদুগী লিম্ফেটিক সারকুলেসন্দা কেপিলারীনা চেনখত্ত্বুম পীকখবা লীম্ফ উতোং মরা সেক্কা চেনি। ম্রেম্ফ-গী অহুম মরপদা পীকখব। উতোং মচা ওইবা অমুক ম্রেম্ফশা শমঙ্খিরবশা ম্রেম্ফদা চেনথরাইগী মরী মচা থোকপশুম থোকাদ। অহুমকৈদি লীম্ফগী উতোং অমা অপুনবা মরীমচাশিং অহুমা সেরভিকেল্ অমসুং মহুমা অমুম হকচাংগী মথামথংবা শরক শুম চৎথ।

লীম্ফ ওাররিবা মতা অসি সারকুলেসনগী তেংবাংবা ওইনা চেনকুনা পুরক্লিবা অসি ইনগী মহোগী শরক চুমথোক্লনা কেপিলারীগী থাক কাওনা চংখিরবা লীম্ফ লৈবা মফমদা থোকি। অসিগুম্বা লীম্ফ অসিনা লৈবা মফম অসি [Lymph space] কেপিলরীগী মাংথদা অহুমা হকচাংগী তোংবা মথম মথমগী সেলশিংগী মরক মরক্তা লৈ। অসিগুম্বা লীম্ফ অসিনা হকচাং শেথমং-শামংশগী, থোম-পেমবগী মচাক অসি তোংবা-শিংদা থথক থোকনবা, লীম্ফনা পুহনা চৎলি অহুপা মহুনা পুম্বিনা

পেং অসু থমগ্রগা তোংশাংদগী, পুর্বাংদি চেথরোবা থবকপী পোত্তরুপ কম্ভ তেৌদাশিং অমসু লৌখতৰা পুংক্রপা উকপাংদী অংৌবদ চক্লুব ঈতেম্বা চত্তত্রপা চেলং-শিঙনা ওকচাংগী কম-তৌরা পুশোকথীনব ইন্দ্রশিংনা য়েস্তোকথীঙনা মপাম থোকহনখি। ঐদী সরকুলেসনদা ঈ অসি ওপাং অহুদা অমুগা হেংগুমই অদুম স্কোটিক সাংস্তুর অসি-না যননথাকুই অমসুং থাখিল্লি।

লীফ চৎথকপা— লীফকী উকোংনা চেলীবা অগীদা লৈবা অমসুং চংলীবা উকোং অমুগী শরুক অমা ওই। মথুমসু লীফ চেংবনা লীফ ঙেম্মাৎ অসি মসীগী শরুক অমু চুম-থেংলগী থবক তৌই। চুংখেকপগী শরুক অসি মঙা অনী ওই। অমনা সেকান্ডেল ওইনা অনীশুবনা প্রাইমারী ওইবা লীফকী উচেক শরুক নম্বর তেংশেং অমা য়াওরকপদা চল্লীবা লীফ অদুবু অশানব চেক থেংবা মুম অদুনা মচুবু কাওনি অদুগী লীফ অদু পোমথংলি, শোনলেম, নাকে অমাম্বা মকমদা পেৎথে কায় অদুগা নাই থোকই। মদুনা কুইনা কৈথরগা কওবা থোক্রকপবা অমসু অদুমনা লিংহুনা মপামদা মাংগা লে ৱননা থোকহনখি। থো পোম্বা, বাগী পোম্বিবদু মীংশেল বীয়ু। চপ চাবা থবক অসিগী মুদমনি। মাই হাই-বদি ওৱাইট সেলবে, লাউকোস ইটস (পুস কর্পোসল) অদুগা অতোপ্পা তিঙ্খাংগী সেল অশিবা কয়াগা লাউকোসাইটনা ভোংশা অমসু পশ্ব পূরথহল্লুবা শকক হোংহনরবা পোংগক মাওবা মহৈনী (liquor puris).

থম্মোয়গী লায়না — হার্টকী লায়না য়ামই। হার্টকী মসমদা নাবা, ফাক্তোকশিনবা, চাউখৎপা, শথরকপা কয়া, ভালনত্তা নাবা অসিনচিংবা নাদনবা টপা'য় তোংতোং-তোক্তানবা লায়হে'ল্লজবনি। অতুবু হার্ট মশামক্তা ঐ শীনবা শিংলিন্থ নাত্তনা, ফুন্দুনা, হার্ট ফেল ওইবদি চাবা লানবদগী অয়াম্বা থোকই। পুন্সি অমা চৎনবা শেম্লক্লবা থম্মোয়বু লমখাংদা মাঙহনবসি লমচৎ শাজৎনবনি। নহা ওইরিবেদগী হার্টি নাদনবা য়েংঙনা চৎচবা তম্নীগদবনি। অতুগা হার্ট মশামক্তা লৈবা মরী অণ্টয়ীনা হার্ট মশামক নোয় পেম্লবা মশা কনা লৈনবা চিঙ্গাক অমসুং মৈশা, ওক্সিজেন শীদগী পীরিবনি। মতুগুম্বা মরী অতু ফুন্দনবা, কনশীনশিদনবা অনোপ-অতিং য়ানবা, মসুংগী কুয়োম পথদনবা চংদবা চিঙ্গাক অতু য়েংঙনা চাবা তাবনি।

হার্ট ফেল অমসুং অরানবা চিঙ্গাক — অাটেবী অসি মরোল মরি শুই, চাবা থকপা লানবদগী মশাগী লৈজবা ফাক্তোকন ফাকচীন, অনোপ-অতিং য়াবা (রবরগুম্বা) অতু মাংহলকপা, মশা অতু পেন্সিল মচানগুম্না কনশীল্লকপা, মগীনা ফুল্লকপা অসি মতম চাদনা লাকপা য়াম্না য়ামই। মরমদি মীওইবা ঐখোয়না হিংলিবেদা হিংনবগী নিয়ম কায়দনা চৎপা মী য়ামদে। শিংলি অসিবু ফুলহল-লিবা অসি কোলেস্টেরোল হায়বা খোইরুগুম্বা আলকোহোল-মহাও অহনবনি। মহাও অাসিদি শা, শঙাম, য়েরুম, অশেম্বা ঘীদগী পোকই। শা, য়েরুম য়াম্না চাবা মীগী শিংলিদি মরাই তাই। চামন-দুনা মপুক্তা 'রুম কারবা মী অতু হার্ট ফেল ওইনবগী ফার্স্ট ক্লাস কেন্দিদেটনি। মরমদি মবুক্তা কংইবা, থোলহল্লীবা মহাও (fat)

অহুগুম্না হাটত্তা, বিডনিদস্তু মহাও লৈখ্রে। থোইদোক হেন্দোক্না ঈ উত্তোংশিংদা মহাও অহু লৈহনা ফুনবা, ফাজিনবা, ফাক্তোক-ফাকচিন অনোপ-অতিং য়াত্রবা ফিভমদা থমখ্রে। মাহুদগী মী অহুগী ঈ অহুনা ঈশিংগুম্না পারবদি শাংগ্রবা রবর উতোংদা পম্প তৌবদা (১) লেঙহন্দনা ঈশিংগুম্না চৎখিগনি। অৎপা ঈ অহুনা মশা ফত্তহনা ফত্ত-হৌদিনা থনগ্রবা, হেন্না হেম্না চাশীনবগী ফত্ত-হৌদিনা থনগ্রবা ঈ অহু ১স্তু' মরী অহুনা ফেটনা য়োম্বা ১স্তুং মস্তুং ফুল্লবদি পম্প অহু কন্না কন্না .মৎপা তাবনি। লৈখোম কাপথোকপদা রবর পাইপ্‌ অহু (২) ফব ফর হাইফম থোকই। মাহুমকা হার্ট কৌবা পম্পনা আর্টরীদা লৈখোম, ঈশিংগুম্বা ঈ পম্প তৌবগা কবিস্ন থেংদে। অর বদি, ভসাইগী আর্টরী অসি মরোন কুয়োম মরি শুট ঈ অমোৎপা অহু মরী অহুনা চাউথোকপা-ফাক্তোকপা য়ারক্তবগা পম্পনা কম্না হাল্লকপনা অহানবা কুযোম ভংলকই। ভংলক্লিবা কুয়োমগী শরুক অহুগা কমজিল্লকপা ঈ অহুস্নু থেংন্সোস কোই। পথ্‌-পূমথরকপা থেংন্সোস অসিনা পীকগ্রবা কেপীলা-রিদা চঙখিবদা ফুন্দুনা শিংলিহু ঈ চৎপা ভমদে। হার্টত্তা ঈ পীরিবা মরী অহু ফুন্দুন হার্টত্তা পীবা ভগদ্রবমি, কোরোনারী থেংন্সোসীস কোই। হার্ট ফেল ওই। কোকী আর্টরী কায়রগা থোপ্তা লৈরিবা অকায়বা মরীদগী থোরকপা ঈ অহুনা কল-লিবা থোপকী শরুক অহুনা পুরিবা হকচাংগী মসল অহু শিথৈ! অহুনা পেরেলাইজ তৌই। ঈ অহু পারা চাউনা থোক্তুনা ব্রেনগী শরুক য়াম্না কল-লবদি থুদক্কা শি। সেরিব্রেল হেমোরোইদ, এপোপ্লেক্সী কোই। থবোম্মীদা

ঈচেন্দগী পূরক্পনা ৎয়গা ইনফাইসিমেন কৌই। অসিগুম্বা লায়না অসিদি মাদ্রিটে চহি কয়াগী মমাঙদগী কনবা, শোক্তনবা য়েংলক্কদবনি।

চাবদনা থয়োয়গী লায়না থিংবা— কোলেষ্টরোল অসি হকচাং নোয় পেনবদা চঙ্। হকচাংদা লৈতবা য়াদবা পোৎশক অমনি। চারিবা চিঙ্গাক্তা কোলেষ্টরোল মুকয়াও য়াওব্রবস্থ হকচাংগী থবক নিংথিজনা তোবা য়ানবদ ওকুবা চাংদা হকচাং মশামক্তী শুংদুনা থোকহল্লি। মস্থম্মা থোরকপা অসিনদি মরী কনশীনহন্দুন ঈচেল থিংবা ফাওবা ঙম্মবা কোলেষ্টরোল থোরক্লোই। ঈদা কোলেস্টরোল তেনময়া য়াওরবরা হায়বসি মুম্মা মরক মরক্তা য়েংফম থোক্কই। হায়বদি শা চাদবা তাবনি। ওকশা অসি ৫০% ফেটনি। করিগুম্বা মতমদা ওকশা অসি ৮১% মহাও য়াওই। য়েরুম, শঙ্গোম অমম্মুং ওকথাউ, অশেম্বা ঘী অসি কোলেষ্টরোল য়াম্না য়াওই। ঙাদা কোলেষ্টবোল য়াওদে। লৈবাকহৃবাইদম্মু য়াওদে। শঙ্গোম, য়েরুম য়াওনা চাবগী মহুক্তা মনা মশাং চাবা মীদি ঙা অমম্মুং লৈবাকহৃবাই চাবা ভমগদবনি। অমুম্মা শঙ্গোম য়েরুমগী মহুৎ শিন্দোক্কদবনি। পৃথিবী মম্মুংদা জিয়্ হায়বসি মশা কবা জাতি অমনি। মখোয় অসি ওক চাদবদগী মশা ফবনি হায়না লৌনরি। মণিপুরী ঐখোয়মস্থু মশাকবা মম্মালার ওইবা জাতিনি। মরমদি ওক চাদে। ঙা য়াম্না চাবা ফংলিচৈদা মশা য়াম্না ফরমই। লাইটৈ চৎপা ক্ষাঙনা থোক্রমই।

জাতি অমদগী য়াম্না পুনশিবা জাতি অমা ওইনা সক্কুভুম্বিদা লৈবা আরবপু লৌনৈ। শঙ্গোম থবা, থাংচুপ, কবরুক, মিনার চাবনি। মখোয়গী কোলেষ্টরোলগী চাংদি য়াম্না নেমই, ১৬০ দনি। লায়রবগা য়েংনরুরবদি হকচাং কৈ চায়বা য়াই। চাটকী লায়না লৈতে। অদুগা ঙা ফাবা, ঙা চাবা জাতি পুম্নমক থম্মোয়গী লায়না লৈতে। মরমদি ঙা অসি মহাও তাথমা য়াওই, কোলেষ্টরোল য়াওদে হায়বা য়াই। ঙাদা প্রোটিন ২০% দা মখাওই ঙাগী এমিনো এসিদকা, মীগী মশাদা য়াওবদুগা মান্নৈ। অদুগা হকচাংগী মসুংগী খোঙচৎতম্বু (ফিজোলোজীকেল মেক্ অপ্) মান্নবা য়াওই। অয়াম্বা ঙাদা য়াওবা মহাও (ফেট) অসি ১% দগী তাথৈ। সলমোন, মাকরেলগুম্বা ঙাদা মহাও ২০% ফাওবা য়াওই। অদুবু লায়-না তুম্বা ওমই, হকচাংগী তোংনা লায়না লৌশিল্লী। ঙা চাবনা চাউহল্লি অমসুং ঈগী কোলেষ্টরোল হন্থহল্লি ঈদা য়াম্না লৈরবদি কোলেষ্টরোল অসিনা আর্টরীগী মশা মনুংদা নপ্পু না লৈ (খোইরু-গুম্বা মহাও নত্রগা আলকোহোল)। হৌজিক রিসার্চ তৌরবা মীওইশিংনা থাজনরি — ঈদা কোলেষ্টরোল য়াম্না লৈরবদি "এথরোসক্লীরোসীস" হায়বা ঈ উতোংগী লায়না অমা পোকহল্লি হায়বসি মরু ওইবনি। মসি থম্মোয়গী লায়নাগা মরী লৈনৈ। মরমদি আর্টরীওসক্লীরোসীসকী হৌগৎলকপা মওংনি। কোরোনারী আর্টরীগী লায়নাগী মসুংদা ৯০% গী মওংনি। অহন ওইরকপা মতমদা ঙাওরি-কৈরি তৌরকপা (মেনটেল দিসওর্দারগী) গী হৌ-ফমনি। ঙা আউন্স ৪ দা নোংমদা চঙবা ভিটামিন এ অমসুং

ডি ১০% থিয়ামিন, রিবোফ্লেভীন ১৫% অমসুং নিয়াসিন ৫০% য়াওই। ডিদা হায়না ডাগী মরু অসেংবা অমুবা কেলসিয়ম, ফোস-ফোরস নী। জাপাননি, স্কাণ্ডিনেভিয়ানস্ দি চাংচঙ্বা চৗধা পাউণ্ড ১০০ চায়। পুনশিনবদা স্কান্ডীনেভিয়ান, — চহি ১০০ পুনশিনবা মশীং ন ইদনা লৈ। হার্ট দিজিজ লৈতবসি, — জাপান অমসুং কোরীয়াদি ডা কাবা মীওইনি। কোরিয়াগী মুপীনা ডা মপ ৫ পুথুনা চংপা ডম্বা য়াওই। মথোয়গী ঈদা কোলেষ্টরোল ডাখনা লৈ। অকবা পুম্নমক মৈতৈদসু ইবৈ লৈ! ইপা ইপূনা থওনমই। ডক্রো, থাবক, ডাতিনবু ওকশানা শিনখিবসিদা, চহি ৪৩/৪৮ দা ডম্বা পোকখায়দুনা থাডনরকই কবি থোক্লগবা য়েংদুনা লৈরম্বী!

হার্ট ফেলার হার্ট ফেল ওইরে— হার্টকী থবক লেপখ্রে হায়রববদি স্বর হোনবা য়ারক্তে চনীং-চমাড শম্বরক্তে। চায়রক, ডকশম, থবাক নায়রকই। থজিন অমসুং হার্টকী মপাদা লেংবা, য়াম্না খীনা নাবা পোক্লকই, ওপে ভোই, ওম্ব ওই। থবোম্বীগী থবক চখবা য়ারক্তবনা থবাক খ্রে-খ্রে লাউদ্রকই খোডশা থূংশা ডাইকেং ড ইরকই, — খুদোল খোডদোন খুইথরকই। মায় ডাইকেং ডাইরকই। খেসম লৈরগা মীংনহা চাউথোরকই! মিং ওনথংলকই, থূক্তিন পূম্নমক কোম্বীরৈ মচু মাল্লকই। চৌনবান মূশিল মূশিল্লকই। চীন অমসুং নাতোন্দগী কোক্লোল, ঈ য়াওবা লোক-ভীন থোরকই। মথায় অমুবা য়াম্না সুংডাইতবা (anxious) ওংলকই। হার্ট

থবক তৌবা ঙম্লকপা মতম থরা হার্টকী থবক লেপ্লগনা অমসুং লেপখ্রগদ্রা থনবা মওংদা লাকই। অনাবা, অশোকপা, থংবা কিবা, পুক্নীং য়াম্না সুংহানতবা য় ফম, থৌদোক থোকপদা ঙাংগর্ম্ন। থাঙ্গৎশেংনা হার্ট লেপখ্রবদি শিরে।

করি তৌগনি — হৌরকফম অসি মায়প্রবগী ফিভম অসিদা চপ মান্নবা লায়য়েং ওইনা য়েংগনি। ফতুন জ্ঞান তাকপা মতমদা হৌরকফম অদু লৌখে কণীয়ু অনাবা অদু য়ম্ম সুংহাইবা মফম অমসুং মওংদা থম্মীয়ু। মীহুৎথোক্ত ওংলাক্নুনা সুংশিং অশেংবা ফংহনবীয়ু। মফি মরোগ কোমহনবীয়ু কুদাম, পেন্তি থাদোকপীয়ু। ককচাং অদু গোম্পক মথাদা ফীগুম্না ইনশিল্লগা থবাক নঙ্গন ছক থংখৎলপ থম্বীয়ু। হার্টকী মংক্লা অশাবা থেম্বীয়ু অশাবা কমপ্রেস (ফি থোম্বা, ঈশিং অশাবা হানবা লৌরি থম্বীয়ু। মৈশা ফংবা ছমদবা মফম ওইরগা য়াম্নগী "গশুবা ভার্টিকেল ভার্টেব্রা" গশুবা তাংকক অদু নোইহুন মমদুনা (concuss on) হাম্নগী মরী অদু মথাই কাংল্লু (stimu-late)। অশাবা থোম্বা হিগা য়েবগী পবকস্ত চৈবা চৈ। মসিনা কাম্নবা ফংহন্দ্রবদি থোক্ত, থুং অমসুং পাস্ত্রোমদা মৈশা পীয়ু অমসুং নোইয়ু, থুম্না অমসুং থুবাক্তা থুবাক্তা সেং সেং থাউ। পাম্বোম অদু মথক্লোমদা অমসুং মথাংবোমদা হনগৎ হন্দা হাইগৎ হাইথ থর চোল্লকপা কাওবা শাগ্নো।

অনাবা অহনা জ্ঞান তাক্লবা মতমদ ঈশিং অশাবা গ্লাস অমা পীথকউ। চাক নত্রগা অতৈ চিঞ্জাক্তি ফজম লাবক্রি

কাওবা পীজবিয়ু। ঈশিং অশাবা লৈথকপ্রবা মতুং মিনিট ৩০ ফাওবা ভাইরগা, মতুংদা যাও হিশা য়ৈবা, য়াও নোইবা-নম্বা, নম্বা-মানবা, কোক, ভক, নঙ্গল, লেংজুম থাজংপা, থেকংপা. থেকপা তপ্পা তপ্পা শাম্নবীয়ু।

মরু ওইবা ব্রাকম অমনা (১) হাটনা লাসদা ঈ থারগা শেংদোকহনবনি। হাটনা ঈ শেংদোকপ থরীবহু মীংথিনা থাবা ভমদবনা শেংদোক্কুনা কার্ব্বান ডাইওক্সাইদ অহু থাদোকখিবা ভমদহুনা ঈদা পেংথনা লৈরবদি স্বর হোনব য়ারক্কে

(২) খোঙ পোয়লকইবহু হাট শেংদ্রে নত্রেগা কিডনি নাবে নত্রেগ হাটপু কিডানিসু নাবে হায়বস্তু তাকই।

(৩) চীনবান কোম্বাইরে নাপু কারকপগী মরমদি সারকুলেসন মপূং ফাদত্রনা কার্ব্বান দাইওক্সাইদ, আর্টরীদ. পেহুনা লৈবনা ঈ ভাঙবগী মহুত্ত কোম্বারৈ মচু নাপু মাল্লকপানি।

(৪) থ্বাইগী মরুওইবা থুদম অমনা মীহুন থুজিল্লকপনি। নোংমা নোংমগী মীহুন অসি থুজিল্লক্লবদি হাট শেংদুরক্লে হায়না খঙনগদবনি। ভাসনা ৭২, হয়েংনা ৮০ মশেম্ন ৯৫, মৈনা ১০০, মকাপনা .৩০/১৪০ অহুম্বা থুজিল্লক্লবদি হাট শোঙ্হরে অমসুং শোঙ্হরকপহু হেনগংলক্লে হায়বা খঙনগান। মীহুন অসি ফমশেম্নবা মীওইনা মুম্না রেকোড থম্বীগদবনি। মহুক্তদা লায়রেংবিম্নোবা মীওইশিংনা হেঙ্গিল্লকইবহু ফানবা অমসুং থিংনবা অমসুং হেংশ্রুন্দনবা হোৎনবা য়াই নত্রবদি হাট অহু কেল ওইবা তাবনি।

অসিগুবা মতমদা থাইদগী কয়া উপাইদি হার্টকী মথক ওইনা থবাক্তা ঈশিং অঙৌবা নজ্রগা উন থোক্লীগদবনি। উন থোক্লীবদি ক্লাবেল অথাবা অমগী মথক্তা উন অহু থম্লগা থোক-গদবনি। অহুগা হার্টকী মথক, থবাক পূবা অহুদা ক্লাবেল মচেৎ ১মুং মলিদার কম্প্রেটিনা কুপশিনহোগদবনি। অহুগা কি লুয়া তপ্লীগদবনি। অঙৌবা কি উন থোক্লীবদি মিনিট ২০ গী মতুংদা অমুক অমুক লৌথোকপীয়ু মিনিট ৫ নৈরগা অমুক থোক্লীয়ু। মাহুনা উনশা অহু হয়া নৈশা শীরকপা ওমগনি, হায়বদি শাগৎচ-রকপা ওমগনি। থোমজুবগী ঈংহৈবহু থুংনা মানবীরগা অঙৌবা মকম অহু শাগৎহন্নবা ওমগনি। মসিমক্তা মকম অহুগী মরিশিং অহু মশা খিংনা চৈহুংগনি। অসুম্না হায়া শীরকপা reflex-action অমা কৌই। অহুনা মতম কুইনা কায়বা ফংনা থম্বা ওমই। য়াম্না থুনা অঙৌবা ঈশিং লুয়া থুংনা নজ্রগা অঙৌবা ফদি অমনা হকচাংশি মচেৎ মচেৎ শানবস্থ কায়ে। ঘর শাংবা শাংনা হোনবা, মথা, নানবা অসিনা হার্ট অশোনবদা মতৌং ওই অমসুং হার্ট ফেল ওইগে তৌবহু খিংননবা উপাইনি। বাস্তবা হায়বসি হার্ট ফেল ওইবগী অবস্থা অমনি। অসুম্না বাস্থবহু থবাক মথক্তা হার্ট মশাদা ঈশিং অঙৌব থোমগদবনি। থবাক অহু হার্টকী মপাদা নানবীয়ু। মথায়দা ঈশিং অঙৌবা খিকচিনবা থোক্লা অহুগা হকচাংগী অটৈ মকমদা ঈশিং অঙৌবনা মচেৎ মচেৎ ওইনা নানবা, থোমস্থ কায়ে। থথোক্লগী থবক থুখিনবা হায়বদি মীরন থুনা হনবসি (Tachicar-dia) তৈচিকাদিয়া কৌই। হার্টকী লায়না কয়া অমসুং অতোপা

লায়না বয়াগা মরি লৈনৈ। অঙ্গবা ঈশিং থোয়দুম মকম অসিদা দয়কার ওই। মাচুদনা তপথংনগনি তচুগা থম্মোয়দগী থবক শোম্মরকপা হায়বদি মীহুন তপথরকপা অসি (Badi Cardia) বেদি কাদিয়া কৌই। মতম থরগী নত্রগা মতম বুইনগী মীহুন তপ্লা হুনবা অসি ইনফেক্সন দিজিজ মচাক্লা নাবা হায়বদি ডাই ফাইদকুম্বা লায়না কয়াগী ফগৎলকপদা মেটালিক পোইজনী, নার্ভস দিজিজ, কিডনি নাবা, মু ত'ওবা চোকথবদগী ফীভম অসি পুরকই। মীহুন অসি অসুম তপথরকপমা ৪০ দগী ৪৯গী মমুংদা হুনবা য়াওই। ওবা, কাকপ ওবা, র স্থবা থোক্লী। হার্টকা থবক তপমন্দুনা নীংথিজনা ঈকাপথোকপা ওমদবদগী হবচংগী মকওইবা থবক অমত্তা নীথিন ভোজবা ওয়্লক্কে। অচুনা ফমুংদা পোশাচুনা থম্লগা মৈশা পীগনি হার্টকী অয়াম্বা শক্তক কোম্ন পেক ভোয়গা হার্টকী থবক থর থুহ.বা ওমগনি। এমোনিয়ম কার্বোনেট মমম মমহনবা, তুলসি মনা নাতোন শুমাঙদা মোইরগা থমচুনা মনম নমহনবদা জ্ঞান লাকই। হার্টকী থবক পোংমবদা মতেং পী। ময়াই কাহল্লি। কোরোনারী থ্রোমবোসিস—হার্ট মশামকী ভোংশা অচুদা ঈ পীরিবা ঈ উভোং অদু কোরোনারী আর্টরী কৌই। কোরোনারী আর্টরী অদু কনশীনহনখবা মাজিনথ্রবা (Hardening) অচুগা থাগংহনখ্রবা (Thickening) হায়বলি সক্লিরোসিস ভোরবদি কোরোনারী থ্রোমবোসিস ভোগল্লি।

থুদম :— (লাইওং)—থম্মোয়মক্তা থীনা নাবা অমা ফাওরকই। ওলীংবা অমসুং ওবদি শোয়দনা লোয়নৈ অঙনা পুক্কী লায়নালি

হায়না শেন্নায়না লৌবা য়াওই। পুং থরা অমুম্মা হুংঙাংজনা লৈ। থম্মোয়গী খোমথা মীহুম চাং নাইদে, থুনা হুল্লি। গাং অহু চাউথংলি।

লায়য়েং :— খুদম অসি হেক থাঙৎকপদা য়াম্ন ঈনা তুমিন্না কিপ্পুনা পাখাহুনা কৈগদবনি। অহুগা থেৎ মবোস অহু মক্রেগা ঈ মপং অহু চুপশিনখিবা থাইগদবনি। অনাবা অহুনা অমুক হোৌগত্তুনা চৎচবা য়াবসি চয়েন খরগী মমুংদা থেকল্লি। থম্মোয়গী খোঙচৎ অহু চাং নাংবত্রং, হায়ংসি মওঙদা মপ ঙ্গলদা অমম্লুং থুবদা য়েংগদবনি হায়বদি হাম্নগী খোঙচত্তা হুঞ্জ ক্লারা য়েংগদবনি।

থবাক নাবা অহুগীদি ঈনিং অঈংবগী পেক হৌগদবনি। পুংখাই খুদিংগী হোংগদবনি, মরক্তা মি ৫ পোথ গন। উন থেম্নবদি ফ্লানেল অমগী মপক্তা থেম্নীয়ু। পাংকুই কুইনদি থোম্মীগন্নু। লোংমা নিমিগী মতুংদা কৈ মহী, কমলা আঙ্গুর মহী পীথকপা য়াই, মতুংদা মনা মশিং নোইখাইবগী মহী অহুগ য়েন্দেম, হঙ্গাম মকাগুম্বা পাজবা য়াই। শঙ্গোম ওইন সমিক পীথকপা য়াই। য়াম্না পীকখিগন্নু ফগৎলকপগা লোয়ননা তপ্পা তপ্পা চৎপা হৌগৎলগা অমুম অমুম লম শাংদোকপা, খোঙথাং হাইগৎপা তমগনি। খোঙ হম্বা য়্যানবা হোৎনগনি।

এন্দোকারদিতিজ (একুট্ট ভালবুনার দিজিজ)—

খুদম—নীংথম চনবা, লাইহৌ, হাটকৌ খোঙচৎ থুবা, চাং নাইদবা, শরীর তেনবা, খজিক্কং লেঙবদা শরীর থবেৎ-থবেৎ হোনবা।

হেক্সিল্লবদি খুদোল, খোঙদোন খোইদোক হেন্দোক্না খুজিন থম্বাল মসুং কোম্বৈরে মচু মাল্লকই, চীনবাম অমসুং খজাই কোম্বীরৈ মচু মাল্লক্লে - ওক্সিজেন যংদ্রে হায়বা উৎলক্লে। খোঙপাক অমসুং খুজেং (ankle) পোম্খৎলে, করিগুম্বা মতমদা চনীংঙ্গু পোমখৎলি। কোক চীকপা, কোক ছাওবা, হার্ট ফেইলম মপা থবাক্তা নাবা, চাক লাম্লক্তবা, খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, ফরবসু ক্রোনীক ওইনা লৈরগল্লি।

ফেটিদিজেনেরেসন— মহাও (ফেট) হাক্তা ওইনা নোয়থক্তুন মরাই তারকপা- মহাও লৈমন্দুনা হার্টকী মসল থবক তৌবা য়াদনা মরাই তারকপা ফিভম অমনি। য়াম্না থীনা নোয়বা মীগী হার্ট অহুদি মহাওনা শিন্দোকখি। হার্ট অহু ফাক-তেকপ্রবা মতমদা সুংঙ ইতবা খুদম উৎলকই।

হাইড্রো পেরীকার্দিয়ম— হার্টকী অকোয়বদা লৈবা পেরী-কার্দিয়ম (সেক , খাও) হায়বদা মকুগুম্বা কুপশীনবা কুয়োম অমগী মপ্রায়দগী থোরবপা মহী (serum) অমুনগী মসন অহু ঈশিংনা পোমখৎলি। হার্ট মশামক নাবা, ঈ উতোং নাবা, ঈগী লায়না, স্বর শোক্লা নাবা অমসুং কিডনি নাবদগী পোকই। হার্টকী থবক নীংথিজনা তৌবা য়াহন্দে থম্মোয় অসিদা সুংঙাইতবা পী। শ্বর হোনবা য়ারক্তে। নাবা-লেংবা লৈতে, লাইহৌ য়াওগন্দে। অথিনবা, অরোবা, অনাবগী লাইওং নক্তে। মীহুনদি কাপকনি। খুনমদি মথক্তা পীখ্রিবা অনাবা অসিবু পোকহল্লিবা লায়না অমুগী খুদঙগা লোয়নবমুনি। হেক ফরকপদা ইম্প্রি খুমুন চন্দুনা য়াম্না চেকশিন্না লৈগনি।

লায়য়েং :— অনাবা অতৈ অতু খঙদোক্লগা যাত্র কন্বা ঈ উভোং নত্রগা কিডনিগীরা য়েংলগা অকায়বা অদুগী লায়য়েংগা লোয়ননা য়েংগনি ।

অনাবা অদু মুংশিং ফজনা ফংবা মফমদা নুংঙাইনা থম্মু। মীহুৎথোঙ লাওনা হাংদোকউ। মুংশিত্তি ঈংকসনু। মশাদং লুম্না থম্মীবগা লোইরে। মখোঙদা ঈশিং অশাবা হাম্বা চিক্লি, বেগ থম্মীযু। ফিনা লুপ্নীত্রনা লুম্না থম্মীযু। খাম্না মীংথম চল্লবদি অঈংবা পেক তৌবা য়াই অদুবু মীহুন য়াম্না তপ্রবদি ভৌবিগনু। মুংঙাইবগা পূংখায়দগী পূ ২ ফাওবা থম্বা য়াই। মুংঙাইত্রগা লৌথোকপীয়ু। য়ম্ন থীন নীংৎম্লবদি অঈংবগী মহুত্তা অশাবা পেক তৌবা য়াই। অদুবু মীহুনদি যোংবা ঙাই। মীহুন য়াম্না থুরবদি অশাবা ভৌবিগনু। অশাবা থেম্লবদি পূংখাইদগী পূং ১ ফাওবদগী হেনবীগনু অসিগুম্বা মতমদা ময়াদা চাক চথোম অমা তাথিবহু হুগা করিংত্তা থেংদে। করিগুম্বা মফমদা হৈ অশীনবা চাগে হায়রকই। মহুদা চুম্নগী চম্প্রা মহি নত্রগা কমলা মহি থরদা পীবিগদবনি। এনেমা নীত্তিগী ভৌবিয়ু শাগৎলগা অঈংবা, শাগত্রগা লুম্মু লুম্মু শাবা ঈশিং শিজিন্নবিয়ু। লায়যেংশিবশি হায়হুনা হেজিনসু চথবিগনু। অমুক অমুক মশা অহু ভেকথংহন্নু (recuperat'on)। মশাগী মৈশা লাকহুবদি থোম্বা (পেক) লেপকনি অচৎগা মতমসু তেম্না থোম্মীয়ু। থুদোংথীবা লাইওং অমু হেক লৈতবদা হৈ অশীনবা মত্রগা মনা-মশি গী থোংবা, চফ্ফুং মোইথাইবা মহী পীথকপিয়ু। মতুংদা লজোম পীবিয়ু য়াম্না

পীজরবদি অমুক হৌরক্কনি। বাংনা পীজহনা থম্বনা হৌহন্দনবা উপায়নি। ফরকপগা লোয়ননা নামবা, নম্বা, নোইবা অদুগা শাজেন তোবা দরকার ওই। হিংনবগী পাঙ্গল হেনগৎনবা ক্লুটিন অমা পীগদবনি। অদুগা পোত্থাহনা থয়' কুইনা লৈবা তাবনি।

ম্যোকাদিটিজ :— থুদম মথল জাং জাং লাকপা য়াই। মরুদি হার্টকী পিট. শোনবা (মথোম) মিহুন শোনবা থম্মোয় মপাদা ইপণ্ড পণ্ডনা নাবা (dull pain) ফাওরকই। য়াম্না কম্না নাবা লায়না তাইফোইড, ডিপথেরিয়া, ব্রদ পোইজনিংদগী লাকপনি। অদুগা হার্ট মশামকী লায়না এনদোকাদিতিজ অমসুং পেরীকাদিতিজদগী লাকপনা নময়ই। হার্টকী মসল শোক্লগা অদুগা ঈ পুম্মক এসিদ ওংক্লো ওইরকপদগী (এসিদোসিস) থোকপঙ্ম য়াওই।

পেরীকাদিটিজ : পুম্নগী থর হোনবা মু'ডাইকবনা মরুনি। থবাক্তা নম্বদা নাবা হেনবা মথলগী থম্মোইদা শাবা (pain) মনা অমা য়াওই, মিহুন চাং মাইদে, থীনা থীনা ওবা য়াওরকই অদুগা তেম্পরেচর হাইগৎলকপঙ্ম য়াওই। হাইগৎলক্তবঙ্ম য়াই। মুডাইতবা মথলগী লোক থুই, থগোকই, চাক য়োংশিনব্দা। য়ানা থোকই, ইমা য়াদে। থম্মোই চোংই, থম্মোয়গী অকোয়বদা থীনা লেংশিনগুম. থং থং পানবা মথলগী নাবা কাওই— অনাবা অহ পাম্বোম ওইথংবা অমসুং ওইথংবা লেংজুম নৌই। লাইহৌ লৈয়গা লাইহৌ অহগী মতুংইমা নাবা অহ হেরগৎলি, লাইহৌ হেক কবদা অনাবা অহ ফবি। পোত্থাকম থওদয়া

স্নুংঙাইতবা, তূখা ইবা য়াদবা পোকই। মাবা অহূমা হেনবরগা মচী অাং অমা হার্টকী কুয়োমদা পোক্লকই। মসিদি য়াম্না শাথিব'ন করিগুম্বা কালদা মাই চাবন্ন য়াই। কগংন্নবন্ন থম্মোয় চোংবা থম্মোয়দা নুংঙাইতবদি মতম থরদি অতম লৈগনি। হিদাক তৌমনবদগী হিদাকুগী পোকপনি হ'মনা লৌনৈ। অনাবা কয়া মক্ষীম নক্ষীন্দুনা থম্বদগী পোকপনি হায়না লৌনৈ।

লায়য়েং :— ঈ শেংদোকপনা লায়মা অসিগী মরু ওইবা লায়য়েংনি। হকচাংদা অযোংপ, হূ অসি শেংদোক্লবা হোৎন-গদবনি। ফত্ত হৌদি অহূনা ঈদা লৈরগা ঈ অহূ হূ চাইদনা চৌদগী থোইরিন কাওবা, তুম্নবগী ইন্দ্রিশিং অসি থবক পূবা ঙমদে। অহূনা খুদম নুংঙাইতবশিং অহূ মাঙ্খিদ্রফাওবা চরা হেন্দোকদবনি। করিগুম্বা মথলগী চাবা তৌহনবীগম্ন। ফহনবদা তপহন্‌বদা মত্ত-া থবায় কাত্তবা গাঙগা য়াই। ময়মদি ঈ অসি ফত্ত-হৌদিনা থন্দুনা লৈরবনি। হূ অমুক হাপচিনবগা চাশীন-নগা অম্নানি। ঈশিং অঙ্গংবা মত্ত্রগা অশাবা থক্লুনা নালা পূম্নমক্লগী ঈ শেংদোক্লবা লাক্লগনি। এনেমান্ন তৌহনা মাংমা থেম্না তৌহনগনু লাইহৌ লৈরগা দিগ্রী ৮৫·০০ ফ ৩াগী এনেমা, য়াম্না নিংথম্নগা দিগ্রী ১১০ কাঃকী এনেমা পীবিয়ু। অঙ্গংবা থবাক্তা পেক পীয়ু। মিঃ ১০/২০ দা অমুক অমুক হোংবিয়ু। লাইহৌ লৈত্রবদি পেক অহূ অশাবা ওইনা তৌরগা পুংথাই খুদিং হোংবা য়াই। অহূগা অঙ্গংবা অশাবা ওম-ওম থোক্লম্নু য়াই। তুমগ্রবদি থোম্নিবহূ লোথোকপীগম্ন। অহূম

থঁগীয়ু। হিদাক্লা ফাইগাকী কান্নবা পী। নিয়ম অসিনা চান্নবা ফংহনবা ঙমগনি। থাইগী মরু ওইবা বাক্য' মুংশিং অপেংবা ফংহনবা, মু'শা য়াইহনবদা ক মবগা বান্নবা উপায় অতৈ লৈরে'ই। থোঙ হাংদোক্কুন তুমহনবীয়ু মপাঙ্গা অতাম্বা মতমদা লৈহনবীয়ু। হকচাংসু কি থোংদন' মুংশিং লৈরক্লগা ঊ'শাগি থবক তৌবা হেনগংলি। মতনা হার্টতা মতে' পী পোত্থাবা হায়বসি লায়না অসিগী তৌদবা থাত্রবা মওং নি।

নাম্বিঙৈদা লম্বা নান্‌বা তৌবিগনু চান্নবা ফরবা মতমদা লম্বা নান্‌বগী থবক লৌথংপা য়াই।

শাক্তেন অমসুং লম্বা নান্‌বদি লাইরিকসিগী লমায় ৪১৮, ৫৯২, ৬১২ অমসুং "থয়াইগী ওইবা পাঙ্গল শাগংপা" পীবা লমায় ৪.৪দা য়েংবীয়ু।

চয়া হেনবদি মুংঙাইতবা খুদম পূরুমক মাঙখিত্রিবা কাওবা হেনবীয়ু। চয়া হেনবা তোক্লকপগা 'অককুবা চিঙাক চাবা' ২।৩।৪।৫ চাদুনা লৈবীয়ু। অহূপা ময়াং কংমল্লবদি নং ১ শঙ্গোম থুংথক্তা লৈবীয়ু। ঙৈশিং অমুক লৈরক্লবদি অহৈবা মীবু চিংথোকহল্লু।

ভালবুলার হার্ট দিজিজ :— ভালবুলার হার্ট দিজিজ হায়বসি ইচম চম্বা থরদা মুংঙাইতবদগী হৌরগা শাথীত্রবা মওং কাওবা লৈ। লায়না অসিদি হার্টকী কাথন অমদগী কাথন অমদা ঈ চেনবা থিংবা হায়বদি হম্না লাক্তনবা পানবা ভালব অহু পীকমনবা নত্রগা চাউমন্দুনা থম্মোয়দগী চেনখিবা অমসুং থম্মোয়দা

চেনশিল্লকপা ঊগী লম্বীদা খোঙলোৎনবনি অমসুং মহুমল্লা হকচাংগী থবক্তা থরদং ওইরবসু নত্রগা শাথীবা মওংদা খোঙলোৎবা পীবনি। মসিমক্তি এনদোকার্দিওজ হার্টকী লাইনী (কু.য়ার) দা চৎকপা লায়নাদগী লাকপনি। লইহোৎপ কোয়বা লায়বা অমসুং ভাং চৎকপগা লোয়নবা লাইবৌ, স্কার্লেট ফিভার, হিদাক্সা নমশীন নমশীন্দুনা থমখিবদগী লাকপনি। হকচাংদা চাবা লাবা এসিদনা পৈহুনা লৈবদগী পোক্লকপানি।

বাহৈ থরা : - হার্ট নাবগী হৌকম পুমবক অমৈনপ্রবনি। হার্ট মশামক্তা শকওং শাদাদা হোৎপ্রবা (organic lesion) নত্রগা চুম্না অতৈ হাক্ল নাবদগী লাকপা হার্টকী লায়না (functional heart desease) অনি অসিগী খেন্নবা কুপ্না খঙদবনি ; মরম দ হার্ট মশামক্তী শকফম হোৎবা হার্টকী লায়নাসি— শিরমদাই কাওবা মীওোন্দ ভাকখোক্কে, মতে.মদা তুংশা থাক-হুনা লৈ। ফংসনলেল হার্ট দিজিজ—হায়বদি অতৈ ইক্রি শোক্লকপদগী হায়বদি মরু ওইনা কিডনি নাবদগী, লিভর নাবদগী আর্টরি নাবদগী হার্টতা শীরকপা অবাবা পোৎলুম অহুদগী হার্টশোকপগী মনা থুংনা অঙুদি মতু মচা, মমা-মপাদা ' শিবা তাক্লে, অহৈ অশিং কৌবিমু" লাউরকই। অনি অসি কুপ্না য়েংগদবনি। অহৈ অশিংনা তেয়না চেক-অপ তৌকন খোকপনি। হাইপার-ত্রোফি, দাইলেতেশন অসি-কোয়া লাকপা লায়নানি। অহুম লায়বংদি হৌকম ত'ক্লবনিনা লায়রে। অচুম্বা লম্বীদা ইশাদনা য়েংলবা য়াবা ভাক্তনি। হাইপারত্রোফি নত্রগা থরা লাইরম

তৌবা, হেজিন্না শোক্তবা ভাল্বুলার দিজিজদি চাবা থকপদা য়েংগদবা অত্থুগা চয়া থয়া হেল্লগা ঈ শেংনা থম্বীরগা শক্তুখি। বিনগু ই লৈতে ; অদুনা মী খুদিংগী মপান্নল অমসুং মশাগী মওংগা চান্নবা, মশা মশানা তপ্না জ্ঞান তানা পীরক্কদৌরিবা লায়য়েং অসি য়েংজবনা ফৈ, তাঙ্গনা নমথেক্কুনা শক্মবা লাক্লবদা হাট মশামগী অরাবা পীতুনা শোকপদা হেনবা কয়া যাওই। থ্বাইগী মকদি ঈ শেংদোক্লবদ চাংদবা চিঙ্গাক্লা লায়য়েংগী মরুনি। ভাল্বুলার হাটকী লায়নাসিনা শনীক ওইপ্লবদি হাটকী মিহুন কপ্পগা লোয়ননা হাটকী ভাল্ব শোকপত্থুগী মতুংইন্না মথল মথলগী লাইবা চংবগী মখেল অমা থম্মোয় মশামক্তগী তাবা ফংই।

মিওয় অসি থুই অত্থুগা শোল্লি, স্বর তেল্লি, চনিং-চমাঙ শন্নদে, অহেংবা মথলগী নাবা মন, ঊচন মপুং কাদবা, খোঙ, খুৎ, মায় কোম্ব্রৈ মচু মাল্লকই তিপুনা লেঙদনা লৈরবা চেগ্লা হকচাং মথক থবা ব্রাংথৎনা মোন মোস্পাক্তা ভাঙ্গনা লৈরগা খুদমশিং অসি লোংই। হেক্তা লেঙউবদা মুহাইতবা খুদমপুম্বা হেনগৎলি। শিক্লিফাওবাদ হুম্না লৈবা তাবনি। অত্থবু ঈবু শেংহল্লবদি কুইনা পুন্সবা যাই।

হাটকী লায়য়েং : অনাবা (inflamation) লেক ফাওরকপদা হাটকী থবক পূম্নমক মমুং মপান্দগী পোথাবা পীগদবনি। নুংশিৎ য়াম্না শেংগ্রবা মফম অমদা মীহুৎথোঙ হাং-দোক্লগা কমুং অমদা থম্বীগদবনি। অত্থুগা নাহিবা (pain) অহু

ফক্রিবা ফাওবা, মশা ফংবলক্লিবা ফাওবা থম্মীদবনি। মং ২ গী চরা মহেল অহু মুমিং কয়া ফক্রিবা ফাওবা হেনহনগদবনি। য়াম্না শোনবা মীশক ওইরবদি চিনি হাপ্নবা কমলা, চম্প্রা মরী পীথকপীয়ু। করিগুম্বা অংগ্ঙা পীজবিগনু। কয়নবা পীজবা খিবিক হাটকী লায়নাসিদদি হাট অহু শোম্নবা ওইন থোকই। থোক চাম্বা য়াম্নগা এনেমা মীতিগী ঈশিং লুপ্তু লুপ্তু শথনা তৌবিয়ু। অঈংবা চশিংগী কমপ্রেস পুং ২ থেম্বীম্নু, এরক্তা পুং ১ পোথাবীয়ু। মীহুন য়াম্না হুরবদি ট্রেন শাওবা থেম্ন হাই। মিনিট ২০ দং থোম্বীয়ু। হাটকী থোঙচং তপগা হ টিন অশাবা থো ম্বীয়ু। হিদাক তৌশিনবীগনু। নাবা করবা, চকচাং অহু হনগচর দি চাবা হোৌবা য়ারে। চা, হাম্না থ্রুনা তপ্না তপ্ন হোগং প মঙ্গদা অমস্তুং কাম্ম কামনা পীজবিয়ু। অহানবা মুমিংনা কমলা থম্বীয়ু লিনিগুবা, হুমনিগুবা মুমিং ফাওবা হৈ-চাওদ থাহবদি অঙ্গুর কমলা, কিসমিস, এশলগুম্বা চাহুনা লৈহনবীয়ু। মথংদা অয়ুক্তা হৈ, মথংদা সমিক অমস্তুং হে অঙুম্বা, কমলা, লফোই, কিসমিস কুম্বা পীজরগা মতুংগী চরানা মনাং-মশিং য়ুৎলগা মোইথ হৈবা মহী অমস্তুং হঙ্গাম মমা, হব্রাই-মত্তোন, পালংশাগ, কোবী ডাক্তা পীজবা য়াই। হেম্নদি পীজখিগনু।

অহানবা শাজেল :— শোর শামবা শাজেল, মথংদা খুৎ থাঙ্গৎপা লৈবা (লয়বা), কোম্থবা, খুৎ থেকপা, কমথবগুম্বা শাজেল তৌবা য়াই (passive)। মথংদা য়াকিং চৎকদবনি। থরা থরা হেনগৎপা তমগনি। মুংশা য়াইবা, ঈশিং অঈংবনা মচেৎ মচেৎ

ওইনা ঈরুজবা ওমগনি। হকচাংগী পঙ্গল তম্নুম কনখৎলক্রবা শাজেল থোক্লুনা হিংনবগী পাঙ্গল হেনগৎহনগদবনি।

ফোনিক হাটঁ পিদজিনদ নুংশা য়েংগদবসি, শুপ্লগী চারোবা চিঞ্জাক অসি হকচাংগীদমক ওইরবরা, অদুগা পুক্তা বেরা থোন্দ্রে হায়রবসি মুন্না য়েংগদবনি। হেক বেরা থোকপদা চরা অমা হেন-দোক্কুনা তুমদবা পোক্লকপা কহনগদবনি। চাবা তুমরবদি 'অকক্লবা অখিংবা চিঞ্জাক" তা মতম খরা লেপ্পনি। হকচাং মায়োং থাক্লনা ময়াং কাংলে হায়না খল্লবদি নোংনব চিঞ্জাক খরা হ পচিন-বীয়ু। নোংমৎমন্দুনা মশাগী লৈফম থোক্কপা অকক্লদগী হেল্লবদি, চিঞ্জাক হল্লবায়ু। চরা হেন্দুরবা মীগী থু ইনগী শাখিবা লংচঙ্কি লেমা চাদীনবনি। অমসুং অসিদা বাংলা, অমসুং লাম্না থেকপিয়ু।

অতোনবা লাইয়েংবা হোম্বপাস নুমিৎ চুম্নিদগী নুমিৎ ১০ নি ফাওবা চরা হেনবা য়াই। প সম্রেল ফংস্তাং নং ১০ অসি নুমিৎ ৫/১০ নি লৈবা যাই অহুদগী চাবসি লিমিটেড দাইটভা কর্বো-হায়ড্রেট ১৫% ২০% য়াওবা চিঞ্জাক নুমিৎ খর চাবা য়াই (লমায় ৮০, ৮১)। মতুংদা শঙ্গোমগা হে চাবা নং ৩ দা লৈবীয়ু। সনাদ নং ৫ দা মতম খর লৈবা য়াই। মতুংদা নং ৬ তা শঙ্গোম য়াম অমা থকপা য়াই। চাবদা পূম্বনক ফগৎহনবা অমসুং হাঞ্জিনহনবগী থবক লৈ। ফ্রেনিক হাটঁদিজিনদা ফহমবা লায়-য়েংদা চাবগা চপ মান্নবা পুখৎকদবসি শাজেলনি। হকচাংগী মসল পূম্বমক ফগৎনবা লাক্লবকপদা মসলনা শাবা হাটঁ অসিগী মসল অসিসু শিজিন্নবা দরকার ওই। অকনবা শাজেল পূম্বমক

থদোক্কদবনি। থবাক চাউনবা, থবাক্কী মসল চাউখৎনবা তৌরিবা শাক্তেল পৃন্নমক হার্টকী মসল ফগৎহল্লি। শাক্তেল তৌবা মতমদা নুঙাইতবা ফাওনরবদি, তোকথোক্কনা পোথাহনা লৈগনি। অমুগা "হার্ট মাবদা শক্তেল ফত্তে, তৌরোইদবনি" হায়বতুমদি করিগুম্বা ক'কদা মী অমগী মচীন্দগী তারু'মু। শাক্তেল তৌদ্রবদি হার্ট অহু সুম শোন্নখ্রগদবনি। শাক্তেল ফজবা চাং নাইবা মথং মথং নোংমগী কেনগৎনা তৌরবদি— মোংমগী মিঃ ৫ দগী মীনিট অমমম হেনগৎলনা পুং ১/২ চৎপা তৌরবদি হার্টকী মুংঙাইতবা থুদম ময়াম মাঙখিগনি। শক্রবদি নুংঙাইতবা থুদম অমুম হেনগৎলক্কনি। অসিগুম্বা শাক্তেলমু হেনগৎকনি। থ্বাইদগী ফবা শক্তেলদি চাং কাবনি। অথাকবদা ভমদবা চাং, মথংদা ভম্লপ তৌবা চাং মথংদা অভম অভনবা চাং কাবা তমগনি। গ্রেদ অমদা কুইনা লৈগদবনি। মথং মুংগ্ ইতবা থুদম থোক্ক-বদদা পন্থ কৌথগদবনি। থোংথোং তপ্না তপ্না থাংহনা কাবা তমগনি ১সুং মরক্তা পোথাংম কৈথোংকউ অমুক চংলু। বাকিং, চাং কাবা, এবা শেন্নবা শক্তেলদনা গ্রেদ নাইনা লমজিংবিবদা হার্ট শোনবা, হার্ট মাবা মশিং নাইদনা, থম্মোয় নাবা মী কয়া অকনবা মী কয়া ওইহনখি চাবান শাক্তেলনে, ঈশিং অঈংবদা ঈরুবনে অহুম অসি থানবা য়াদে। মী থম থাগী ঈশিং অঈংবদা, ট্রেন মথক্তা, ভুরেন্দা, পুল্লিদা চোংথরবদি চুক্রাই হৌহনা থুদক্তা শিগনি। ঈশিং অঈংবগ মান্ননা হার্টকী থবক ফগৎহনবা পোৎশক অমসুং থবক অতৈ লৈতে। ঈ চেন্থোক চেনশিন্দা য়াম্না

যক্তনা মতে পী। ঈশিং অঙৈংবনা মপানগী ভোং পুম্নমক বনশীনহল্লি, অদুগা থবক তৌহল্লি। ঈ অসি মসুং অমসুং মপাল্লোমদা চেলহন্দুনা হার্টলোমদা চঙখি। অসুম্না হার্টকী থবক্তা মতেং পী অমসুং হার্ট মশামক্তি থবক তৌবদা হন্দুহল্লি। ঈশিং অঙৈংবন ঈকঙবদা পীরকপা কায়বসি থুদক্তা অঙৈংবা ফংইবা অদুদ নত্তে; অদুদগী য়াম্না হেন্না কায়বদি উনশাগী ঈচেল য়াম্না হেনগৎহল্লে, মসিমা উনশাগী পীকথ্রবা কুপথ্রবা ঈগী মরী কোটি কোটিদা হার্টকী ঈ হেন্নবা থবক অদু পোথাহল্লি। হৌবদি থুং অমা, অমুক মতুদা অতোপ্পা থুং অমা, অদুদগী থবাক, নত্তনা, থুংতনা হায়না ঈশিং অঙৈংবনা নানথুনা মোইবা হৌবিযু। মশিগা লোয়ননা হকচাংদা নুংশিং যৈহনবা, নুংশা য়াইবা মপা লৈতনা থান্নবা ফংগনি। নুংশা য়াইরবদি ঈশিং অঙৈংবনা চামথোকপীযু। নত্রগা ঈকুহথোকপীযু। শাক্তেন, চাবা, ঈশিং শীজিন্নবা পুম্নমক অসি গ্রেট নাইনা চথবীগদবনি হায়রবসি থক কাউবীগনু। য়াম্না কান্নব ফংবিগনি।

নারুই হায়বা ফাওবা কাউরক্লানি। চহি মতাং চারবদি অনাবা থুদম পুম্নমক মাঙখিবদ নত্তনা থাইদগী কনবা মীশক অমা ওইরকপসু ঙমগনি।

এঞ্জিনা পেক্টোরিস :– থবাক নাবা ওন্থোক্লা থীনা নাথ্রবা লায়না অমনি। থবাক অসিদা থোরীনা মথা ওইরপ্পা ক্রক ক্রক ফাঙলক্তুনা স্বর থিংগদবগুম্না কাজীলকপা সুপচিনলকপা (contract) পুনশিল্লকপগুম নারকপা ঈ উতেংদা শককম

হেংক্লকপা মওং অমগা লোয়নবা লায়নানি। লাইনা অসিদা তোপ্পা মওং থবা নৈ মাহুনা ফোলস এইন (অরানবা এংগীনা) কৌই। মসিমদি চুম্নগী মরী নাংগী নত্রগা তুমদবা লায়ন দগী তুম্নবগী ইন্দ্রশিংগী য় দগী পুক থোংবান, থীরীন অসি শেংকপদগী লাকপনি। চা, কোফি, চুরুপ, ঙোঁ থকানবদগীসু থোক্লী। অশেংবা এংগীনদি হট মশা ক্তা ঈপীবা কোরে মারী অটবী শোকপদগী থংশীনাথবদগী শেকপনি। হটবী মসল মশামক্সু নাবা ফাওরবই। মাংদ নত্রনা হার্ট মশাংক্তী ঈ চেস্টক-চেনশিন পল্লহনবিরদগী থোকই যাম্না থীনা য়িহুন হুংগুম নাই, নামনবনা স্বর থিংই। মসিদ থংক থজিল্লং তৌবা, মসল লেংবদ অসিগুম্বা শাথীবা মনা অসি ফারকই। মসিদগী এগীনা পেক্টোরিস "থবাক চাকপা" হায়না মমিং থোল্লীবনি।

খুদম, লাইংৎ ঃ— তনাবা শাথীবা চাং মতুংন্না খুদমসু ইল্লি। য়ম্না থীনা কিংবা শাউখিবা, মরী শেকখি 1, হেন-মল্লগা নত্রগা হেন্জনন্না থবক তৌরুবদগী লাকই। নাবসি থুনক হেক্তা লাকহ অহুগা তয়োবীদা হেক্তা স্বর থিংনা নাই। থম্মোইদগী নাবা হৌবনা ওইগী শেগ্রাক, ওইগী থদাং, থুজেং থুজিন ফাওবা নাই। থম্মোয় অসি পায়দুনা শুপচিনবা মওংদা ফি শুম্বগুম্না শুম্বগী মওংদা নাই। পূক্লীং লৈতাবা ওমদে খোয়রাঙই শিরগনি কিরকই। হেক নারকপদা লেপ্তুনা লৈব নত্রগা ফমথরগা মথুং অমনা হার্ট মপাগী থবাক পায়হুনা কোম্থহুনা লৈগনি। মম ভাইযেং ভাইগনি। হুমাং অনপ্পা

অঙ্গংবা কাগনি। স্বর হানবা মিংথিনা য়াংরোই। করিগুম্বা মতমদা অনাবদু জ্ঞান মাঙবা ৱাম্বগনি। খুজেং পোম্বা. থবক্তা ঈশিং লৈদুনা থেবা য়াওরকই। নার্বসি সেরেগু থরা নত্রগা শাংলবদা মিঃ ১/২ লৈগল্লি। অদুদগী থগেবগুম্ব। নুংশিং থরা য়াদা থোকখিবদা অদুম লৈ। অনাবা অসি মথং গুমিং ২ দি য়াম্বা চোকথনা লৈথোই। চোকথদবগু য়াওই। পুং ১/২ গী মনুংদা কয়ারক হন্না নাবা কাওরকপা য়াওই। চহি কয়া অংগম্বা নাদুনা লৈবগু য়াওই। তত্নবদা অমুক অনিরস্তা নাবদা শিথিবনা নমই। অদুগা থরদ থবাক মনুংদা নাবা ওইন, হন্তুব মওদা লৈবা লায়না অসিগী মওং অমসু লৈ। খিক্ত শাউবা, মরী চোকথবা থবক অমা হৌবদা অদুম্বা লাব্রবদি যত্তবা থাকপা য়াই নবশিল্লু হাংনা ৱানিং পীরকপনি হায়না লৌহুনা পোথাহুনা লেগদবনি। কোলস এংগীনাসু নাবদি চপ মায়ৈ। চায়মক অশেংবা এংগীনংগুম্বা শাখিবদি থোদে।

খুৎ চোৎনা ঈংনা হূমাং শোই। মরী শোনবা. ৱ স্থবা (Hysteria)। মী অসি অংানবা হেক নাবদা লৈফম চাকম, পে থাফম থংদনা চত্তুনা থাওই। পুক্রীং য়ম্না নুংঙইতে। তপ্পা হৌই। শিবমক্তি হেক শিগম্দে।

লায়য়েং :— হেক্তা হৌরকপদা থবাক্তা অমসুং চনীংদা ঈশিং অশাবগী ফি থোমগনি। পুক্তা মুংশিং লৈরগা ঈশিং অশাবা পীথকনি। ফি থোম্বদু অশাবা কাম্রদ্রগা অঙ্গংবা অশাবা ওম-ওম থোম্বীয়ু। অশাবনা মিনিট ৩ অঙ্গংবনা মিনিট ১

থোমগনি। অহুগা হেক পোখাবা ফংত্রিবা ফাওবা থোঙ্খীয়ু। সারকুলেসন কহনবনা পোপাহন্দবা লৈতে।

মন্নী ফগংনবা থবক লৌথংপীয়ু। থোঙ হাম্বা য়ানবা থোয়রিন, থীরীন শেংদোকপীয়ু কোলোন্দা ইরিগেসন-হুয, এনেমা, চম্না হেনবা, হৈ চাক্লা চাহুনা লৈবা মতেক ওইনা মুমিং ২/৩ গী লৌথংপীয়ু। অফবা চিঞ্জাক, চাং থাক লাইনা পুথংপ শাজেল, স্বর শাম্নবা পোপাব, ভূম্বা, মুংল মাইবা পুম্নমক অসি নীংথনা চিংথদনা চাং অমদা কৌশন্তুনা লোংম লোংমগী হিংনবগী পাঙ্গল পুথংপীয়ু। অশাউবা, চিন্দা, কিবা থাদোনউ। চম্না হেল্লবদি শঙ্গোমদা কুইনা থম্বীয়ু। য়াম্না ময়াং কংলবদি শঙ্গোম থকপা নং ১ না হৈক কৈ। চ, কোফী যু অহুগা অহেনবা পুম্নমক থাদোকপীয়ু। ব্রাকিং স্তুম শাংদোক্ল চংপীয়ু। লিমিটেদ, চাং ককপা চঞ্জাক য়াম্না কান্নগনি (লমায় ৮০ ৮৩) অহুগা মশাগী অরুম্বগা চাম্ননা থম্নবা হেংজুম চাগদবনি। লূহুনবা নোয়নবা হোংনগম্ভ — নোয়রিবা লূমইবগী ফঙহৌদ নালাদা পৈংবা পোংশক হেনগংপগুম্না হকচাংদা অমোংপা পৈশিমবগুম থোকই। তোং পুম্নমক হু থারকহ। তোংদা হু অসি ওতনা থাবনা এঙ্গীনাগী থুদম থুনা উরকপনি। অসিগুম্বা লায়না লেবা মী মশা কম্নবা হোং-নবদা লুমা থোক্লনি। (কার্বোহাইড্রেট চাং কম্নবা) নং ১ গা চাদুনা ৫%, ১৫% অমস্থং ১৫% কার্বোহাইড্রেট চাবা তমগনি। মহুদদা নোয়রিবহু ১০ দগী ৫০% ফাওবা তাথহম্না থমগনি। অহুগা প্রোটিনস্থ য়াম্না তাথনা চাবা তমগদবনি। দোর্সেল

ভাটেরা ৩৪ শুবদা লয়া, নানবা কায়গনি। খোঙ হাম্বা বেঙ্কা
তৌহ-গম্মু।

হার্ট লাবসি জাতীগী থাইদগী চাউবা য়েক্রবনি। য়েক্রবা
অসি নিত্তিগী এখেয়গী জাতি অসিদা শীংনবুনা চঙশিল্লকই।
মসিগী হোৎকম কনায়দগীনো হায়বসি খঙলবদি খাইনা কিনিঙাই,
নিঙাই লৈতে। ফত্ত-করৎ হুংইনা লাবা (Acute) লায়না
পুম্নমক অসি নৌদাক্তা লাইয়েংলবদি অনাবা অগু ফহনবা থক ঙমদে,
নমশিন্দুনা থমই। লইঙা পুম্নমক নমশীল্লি, দাইরিয়া থিংজিল্লি,
পাংপা-পোম্বা যেনশিল্লি, খোকখিগদবা, চৎথেকখিগদবা পোৎশক
নমশীন নমশীন্দুনা থম্বদগী মনুংগী ঈদা, মকুওইবা হৌরক্লিংদা
লৈখিবদগী শোক্লকপনি। ফত্ত হৌদিন্নু নমীশন্দুনা লৈত্রে।
অদুগী মথক্তা চীদাকুন্দ হু ওইনা অদুম লৈত্রে। 'সলফরমিনোল'
হাইবো সম্পয়না ঈদা, সনাহিদাক্তা ক্লেগুদা লৈবা টাকীগী মহৌক
হাংনবনি। অদুনা তিন্দ্যা পুম্নমক পথ-পুমথংল্লি। অহল ওইরকপা
মতমদ লায়থু থুংবগুম্বা তোং মরাই ভারকপা কয়া বাগী ভাকী
তৌখিবা মীদা উই। অদুগা লাইহৌ নেমথহনবা, তোকুনবা হিদাক
অসি 'এন্টিপাইরেটিক' কৌই। টেম্পরেচর হুম্বহল্লি অদুবু হার্টকী
থবক্তি থীনা শোকহল্লি। হার্টকী মসল অহুম শোকহন-
খিবা য়াওই। স্কার্লেট অমসুং তাং চীকপা লাইহৌদনা মীং
শাথীবা হেল্লি। অক্তকপদি লাইহৌদনা তাইনবী, হিদাক্তা থক
তাইনবীদে। তাং চীকংদা শিজিনখিবা হিদাক অসিনা 'সেলী-
সাইলেট' কৌই। তাংদা লৈরিবা এসিদ অদু থাওহল্লিবনি।

হায়রিবা অসিমা হেন্না চমম্বা অমা থোকহল্লি। মসিমা হাটকী লাইনিং অমু শোকহল্লি। হাটকী লায়না পারমেন্টে ওইনা পুরকই। অদুগা হিদাক অদুনা পুরকপানি, লাইতো অদুমা নং হায়বদি কনাসু থেংহল্লে তেচরপেথিলদি হৈ মন মশিং মক্লগা শঙ্গোমদ পীথরপদ অদুম থৈবে — মতুবা ফল অমগুম্ব লাক্কে। এম্পাইরীন এংস্প্রা পুথোকপা অমেরিকাদা ওটিকেল অমনা মসিবু শীটিম্বা থিংই। মসিনা অনাবা মহল্লি হুমবসি থুদমদ মাঙহনবনি। অদুগা হাটতি শোকহল্লবা লৈতে।

হৌজিকী চাওথংলবনি হায়রিবা হুগ অসিদি "মোলী কোড্লিং এক" কৌই। হৈ চাদিংগা ঙ কারপা হৈ হেক্কুনা চাবা, শা চানিংলগা শা তাল্লগা কদূনা চাবা, শুম্বদা তাইরিবা শঙ্গোম, স্বর্গগী অমৃতনী হায়রিবা কমলা, কাহোম, অঙ্গুর মহী থকপগী মহুত্তা চিক্ক হুকবা, পূমনবা হিদাক থাবা হৈ মহী, কৌতাগী শা চজিক চাশীল্লে। অদুদগী কন্দুনা লারপা হিদাক মহী থরম্বা শংল্লে হায়দুনা গুলি ওইনা ফুমিংথাংদা পুংনা চংলে। মাহু কাওবা থবক শিংলি হায়দুনা চৌদা শায়রগা পুক্কা ওংলগা থোইরীন ফুট ২০ শাংবদা ভুবগী থবক চথরগা ওগ্রিবা ঙ অদুদা 'ইঞ্জেক্সন' হায়না মীনা শেম্বা হূ ওলহল্লবা হিদাক হানজিল্লি। দুক শমজীনবা খোঙচং অসিবু কমিমু শোক্লে ই থনবীগমু। ঐ অসি মোংহনবনি। হাট'কী মশামক শোকহনবনি।

অদুগী মথক্তা চাবা লাংবনা অনিশুবা অমাওবনি। আলকালি পোকপা হৈ, মনা-মশিং, শঙ্গোমা ৮০% চাগদবনি। কেই,

শা, ঙা চাক, তন, হবাই, চিনি চা, কে ফী, থু, চিনি পঙোবা অসিনা ২০% দা চাগদবনি। অদুবু শম-তৈমনা ১০% দা চাগদবনা ৮০% চাশীন্দুনা ঈ অসি যকৃৎ-হৌদি। থম্মা পুন্দুনা চেল্লবনিনা মিনিট অমিগী মনুংদা ঈ পুম্নমক হার্ট য়োননবা লাকপনি। হার্টকী অকোয়বদা অমসুং মনুংদ। অমোংপসি পৈহ-১ লৈফম থেক্রা? অদুনা প্রোটিন হেন্না চাশীনবনা হার্ট নাবপা অম্বুক মরি লৈন-রিবনি। চা, কোকো অমসুং থু অসিনা অয়োবীদা ঈ মোংহল্লী অদুগা ক্রমশা হার্ট শোনবা অমসুং অদুং লায়না কয়ামরুম লাম্না লাম লাংয়েংবদগী লাকপা চুপিং ওন্দুনা হার্টপু থীনা নাহল্লি। কহনবদি লাম্বরুনা নমশীনবগী থবক ওইবা ক্রোনিক ওইনা লৈহল্লি। দিজিটেলিস' হায়বা হিদাক অসিনা হার্টকী থবক্তা খুংলোহল্লি — তপথহল্লি। থাইচ্লিন্' হায়বা হিদাক অদুনা হার্টকী থবক পুক্তিলহল্লি। অসিগুম্বা হু চেনবা ত্রগ্ অসিনা হার্ট কহল্লি হায়রিবসি মতম থব মুন্তাইদবা লাইওং মাংহনবদনি হায়বদি কংহল্লবা হেনগংহল্লি। অদুনা হার্ট নাবদি কবা তমদে হায়-রিবদুনি। ঐথোয়গী নেচরেল ওইবা লায়য়েংদদি হৌরকফম অদুদ মাঙহন্নবা হোংবনৈ — হার্টকী শকওং চোংঙ্গবদি মী অমসুং লাইওং মতুং ইন্না থেৈয়। লায়না অদু থগংহন্নবা উপায় য়েংদুনা মতেঙ ওইনবা লাক্পনি। ইরায় লায়না কক্তখিবন্ন য়াওই। হেলিম্না শোকপ্রবদি থেক্কো কহনগনি হায়রফম থোক্কে থাইদগী লুবা লায়নানি। অদুবু নিংতিগী অদুক মুংথিল চুম্নদা ঐগী শক্লক শীকথবা মচেৎ অমা কাওবা মশীং নাইদনা হার্ট য়োরকইবনি।

মতু শেংদোকপনি হায়বসি খঙলবদি অমসুং খর্নবিরবদি ফকা নীংথিজনা ঈ শেংদোকনা হার্ট্তা পীরিবা থবক হংহনবা ঙমই। মেচরনা লায়রেংবদি ঈ শেংদোকপনি, ভোং শেংদোকপনি, হার্ট মশামক শেংদোকপনি। মতম অসিদা 'এলিমিনেটিভ দাইট' হাংবা চৌপ্পাক মথল অমসুং চা' য়েংহনা লো দবা ওইনা পীজবদনা ফহনবা ঙমই। চরা হেনবা, পুক সুবা, নম্বা, মোইবা কয়াম্ন চঙই। মী অমতনা মাগী হার্ট্ অমা নৈ হায়বা থক খংদে। অমসুং নৈ হায়বস্ত ফাওদে। হার্ট্ অমা নৈ হায়বসি মশাদা হেক ফাওরক্লবা মতম অদুদা চেকশিনবা হায়বসি লৌগদবনি মরমদি হার্ট্ শোরে, মরে হায়বা ত কলকপনি। হার্ট্ শিরে, নাই-লোনগী হার্ট্ স্টেনলেস স্টীলগী হার্ট্, ইলেকট্রোনিক পেস মেকর নক্সগা অতোপ্পা মীগী হার্ট্ শিম জল্লি হায়বসি মশাগী কোঙ্গয়কপা হাটকা শাপ্পবা যাবা লৌহ নস্তে। খরদং চেকশিনবীবদা চহি ৭০/৮০ ফাওবদি কয়িগুম্বা সুংঙাইতবা থমজ্ঞা ফাওরকুনা ফনা চচ্চগদবা ইস্ক্রি অমনি। ঐখোয়গী হকচাং অসি শিংহনা লৈবনগে হায়রবদি হার্ট্ অমদি চঙদবা য়াদে। ইউনাইটেড স্টেটতা হার্ট আটবী নাবদগী শিবনা, অতৈ মীশি পুম্নমকুগী মশীং হেল্লি। ১৭৭৬ তগী জাতি অসিগী ওইনা লান্দা শিবা মীশিংগী চহিদা হার্ট্কী লায়নানা শিবনা, মশীং হেল্লি। ১৯৬৮ দা মিলিয়ন অমা হেল্লা শিখি। ইংলেক ১৯৬৮ দা "কার্দিও ভাসকুলার" হার্ট্ অমসুং ঈ উতোং নাবদগী শিবসি অতৈ লায়না অমসুং একসিদেন্ট, সুইসাইদনা শিবা মীশীং পুল্লপ্ পুনবদগী

৫৩% চেয় শিখি। আমেরিকাগী হার্ট এসোসিয়েসনা ১৯৬১ দগী ৫৪.৫% হেনগৎনা শিগনি হায়বদি মী ১০, ৫৯, ৪৫০ হেক্লা শিগনি — চেকশিনজু হায়খি। মসিদগী হেন্না আমেরিকাদা মিলী-য়ন ২৫ দি হার্টকী লায়না মকপকুম্না লোয়নবা লৈ হায়না ফোংদোকখি। লায়না সি লৈবরা হায়না চিংনবা মীগী রাকখদি মাসিদা য়াওদ্রিবনি। অঙহৈবমক ইউনাইটেড স্টেটকী মীশিং অসিগী ১৩% দি কার্দিওভাসকুলার দিজিজ লৈ। ইউনাইটেড ষ্টেটনা থাইদগী হেন্না হার্ট নাবরা হায়বদি নত্তে, ষ্টেটেস্টক্স লৈবদগী থেংবনি। অসেংবমক পৃথিবীগী ইন্দস্ট্রীদ চাওখৎলকইবা অমসুং মরম অদুদা চাওখৎলকইবা লৈবাক পুম্নমক হার্টকী লায়না থিংনবগী লানফমদা অমেরিকাগা মান্না চঙশিন্নি। চহি ৫০ গী মমাঙদ গ্রেটব্রিটেনদা হার্টনা শিবসি অশিবা পুম্নমক্কীময়াক্তা নিপানগী মনুং দা ১ দি হার্টকী লায়নাদগীনি। ঙসিদি অহুংগী মনুংদা অমদি হার্টকী লায়নাদগী শিরি। চহি অমদা বৃটেন ২০,০০০ হার্টকী লায়না-দগী শি। (দেইলী এক্সপ্রেস লণ্ডন মে: ১৯, ১৯৬৫)। নিউজিল্যাণ্ড-দসু ৩ দা অমা হার্টকী লায়নানা শি। অঙাংনা ১শীং থরা হেল্লি।

অষ্ট্রেলিয়াদা শিরিবা ১০০ মশীংগী ৫৬%দি হার্টতগীনি। ('দি মণ্' মার্চ ১৯৬৯) হার্টনা মাড়না শি হায়বসিদা মী অমসুং থবায় মাঙহৈদা হায়হনদ থনব য়াদে। মী অমসুং থবক শূবদা মাঙহৈবা অদুদ য়েংদত্তনা ইন্স্ত্রী অমসুং জাতিগী লন ওইনা মাঙবসু য়েংদবনি। শিরিবা মীগী ৫৬% হার্টনা নাহুনা শি। শিরিবসি পায়বরা চহিদা দোল্লার মিলিয়ন, চাওরেৎ মাঙবনি। চহিদা

পোথোক্তা মাঙবনা দোলার মিলিয়ন ৫৫০ নি হায়। মেডিকেল রিটযেণ্ট, পেন্সন, সোসিয়েল সার্ভিসদা দোলার মিলিয়ন ২০০ নি। অহূপা মোত্তা-থোক্পা য়াদবা মীশকী ওইনা মাঙবনা দোলার মিলিয়ন ১২৫ নি। ইউনাইটেড ষ্টেটস্তা মিলিয়ন ২৫ নাই। হার্ট ডিজিজ, কেন্সর, পেরেলাইসিসকুম্না বাস্থবা লায়-নাদা, প্রেসিডেণ্টকী থিজিনবদা, হার্টকী হোসপিতাল, নর্সিং অমসুং ডাক্তরনচিংবদা খরচ তৌবসি দোলার মিলিয়ন ২৬ চহুই।

হার্টকী লায়না হ য়বা অসি চাওখৎপা, ইনাকখুনবা জাতিগী লায়নানি। ইঙ্গ্লেণ্ডকী চাওখৎপগী চা দা কোরে নাগী মাবগী লায়না হেনগৎলকপগা মান্না চৎলি। মুংঙাই চাইকবা, শূদনা, নোমদনা কায়দা তোংদুনা চৎপা মীওই কোয়োনায়ীনা নাই। পৃথিবীগী মনুংদা অমেরীকানা মশা ইক কৈ থাইনৈ। অহূবু মথোয় মশাঙক্লা য়াজদে। চহীদা দোলর মিলিয়ন ৬০ হকচাং যনংদা খরচ তৌরবমু গড়দা মপুন্সি চহী ২৬ তনি। অমেরিকাগী মুপীনা চহী ১২/২৬ থনি। চহী ৩০-৬০ কাওবদা আমেরিকা মচা অমনা চহী ১০/.০ গী মনুংদা হার্ট এটেক অমুক ২ তৌগনি। অহুমলকী মনুংদা অমদা শিবা য়াই। মোয়রবা কোলেষ্টরোল হেম্না ঈদা লৈরবদি অনিরক্তা শিবগী মহুত্তা অহানবদা শিবা য়াই। চুরুপ, য়ু থাপচিল্লবদি থোঙনা থোংনা অশিবগী থায়াত্তা চঙজরবনি। ইমাক হেক থুগ্লবমথৈ কোয়োনায়ীগী লায়নারোমদা চঙশিল্লবনি। এথোয়দমু ঠিকাদার, ডাক্তর, ইঞ্জিনীয়ার অমস্তুং বিজিনেসমেন পুম্নমক আমেরিকা মচা ওয়বনি। লায়না অসিনা শিনরক্লি।

বৃটেন, ক'নাডা, অষ্ট্রেলিয়া, জাপান অমসুং জর্মনীদসু লৌখিক্তি ইউ-নাইটেড ষ্টেট্‌স তাদ্রিবা নত্তে অসিংক তারে। ইন্স্ট্রিদা চ'ওখৎপা অমসুং চাওখৎলকইবা লৈবাক পুম্নমক্কী ওইনা লাকইবনি। অমনা নেগ্রো, রেড ইণ্ডিয়ান, ইন্দিয়ান, চাইনিজ-গুম্বা জ ত্তিনা ইংলিস-মেন, অতৈব জাতিগী মুস্.ল-কৈবান অসিদা লৈরকপদা যক্কার অচুগা কাদিওভাস্ কুলাৰনা মাৰা শোয়্দনা লাকই। লাইরবা মচাশা ইন ক অমুক্তং তুলকপা, এম, এল, এ, ওফিসার, ইঞ্জিনিয়ার, ডাক্তর ঠিক দ'ব কয়ামরুম নানরকইবশিংগী মসুংদা লায়না অসিন করা শিগ্রে। কয়া অমনা নাহুনা লৈরি। মেলেরীয়া, টিবোন, কলেরা, টি, বি, কনায় চৎলে? হাইজিনা এঃ কেসন ফংলকপা হাইজিন তন্নকপদগী মাঙলে। অহবু মখোয়গী মহুত্তা— কোরোনারী, থ্রোম্বোসী, আর্টিরীওস্ক্লিরোসিস্ লৈহৌরে। কেন্সার হায়বা অমসু লান্দারকই। অহুবু ডাঃ পোলকদ্লী হৱাইটনা হায়—"চহি ৪০গী মমাঙদা হার্ট নাবদি ঐখোয় ঐখোয়গী ইরাদ্রি, ঈশ্বরনা নীংবা (God's will) বাকম নত্তে।" 'ডাক্তর'স গাইদ টু হার্ট" (পেজ১৩)। কোরীয়া অমসু ভিয়েটনামগী লান-ফমদা শিখিবা লান্মীশিংগী পোষ্টমোর্টেমদা য়েংবদা কোরিয়াগী লানফমদা শিখিবা চহী ১৮ দগী ২৩ গুবা লান্মী ১০/১০ খুদিংগী ১দি মসুংদা শিংলি কনশীনবা, ফুনবা থূদম উই অহুগা ভিয়েটনামগী চহি ১৩ দগী ২২ গী লান্মী কয়ামরুম হার্ট দিজিজ লৈবগী থূদম ফংই। অহবু মীশিং অচুদি মশা মউ ফনা উই। ঘী, থাউ, য়ান্না চাবা, চুকপ থকপা অহুগা শাবেল তৌদবদগী ফুনবনি। (লোস এঞ্জেল

চাইমস জা: ১৮ — ১১৯৬৯) মীওইশিং অসি মুপ্পগী চহি ২১ গী চাংচৎনি। অমুবু থাইদগী মতিক চারবা মশা ফবা তত্রেং ত্রেংকী মসুংদা অনি অনি থরথিবা মীওইনি। য সমেংশোগী মীয়োন a generation of marshmallows' হায়না ভীব এশগী ছাত্র-শিংগী চহি ৫২ গী ক্রনীংদা য়াওবা অঙাংশিংবু হায়রি। অঙাং কাওবা চহি ৩০ শুরবা মীওইগী মথুনগী চপ মাঙনা ছনবা য়াওই। হুকচাং য়বদা থকগংবা হাবা চাংদা (হুংবা শরীরগী মসুংদা ৫৮ % দি লোবা য়াবগী চাং য়োদে। (বারমিংহাম মেল, ইংলণ্ড জু: ১১ — ১৯৬৮)।

তগংবা য় নরবা রাকম অমা ওইনা বোরোনারী অহোংবা শংককম পুরকপসি (১) হাই ব্লড প্রেসর (২) চুরুট থকপা (৩) থবক তৌদবা (৪) লুম্বা হেনগংহনবা (৫) মরী মতাং লোকহনবা (৬) ঔদা মহাও য়াম্না লৈহনবা (৭) দাইবেটিস (৮) য় য়াম্না থকপা (৯) জেনেটিক (পারী পুরিদগী)। অচৌবা অরানবা— (ক) চাবা লানবা (খ) য়ু, চুরুপ থকপা (গ) শাক্তেন তৌদবা। মী অমুনা তাইবং মী ওইরবদি ইয়াই লায়না কনট্রোল তৌবা ঙমগদবনি। থজিকুং চেকশিনবীবদা বরিস্ত লৈতবা ব যমনি। পুন্সি অমা থজনা চৎনবা ঈশ্বরনা, মানা শেমজবা মীওইবগীদমক মেয়াদত চৎদনবা নীংথিজনা কজনা শেম্নীংক্লবা মীওইবগী ইন্দ্রি ঙাকুনি। য়ু, চুরুটকী মরমদা কুপ্পা থৎজিন্দবা য়াম্বনি। য়ুগা চুরুটকা য়াম্না মরী লৈ। মী অমনা অতোপ্পা মী অমা হাংকে হায়না য় থক্লগা মখুত্তা থাও পায়দুনা তাইদুনা লৈবদা থক য়ানবা ঙমদে।

চুরুট অমা চময়না হেক থকউবদা মী অদু থাঙনা য়ান্দুনা হাংজিন্নরমা। মসিদা হেক চুরুট লৌখিনবা ঙমদ্রবদা খুদোংচাদবা পানরে হায়রমা। য়ুনা অচুম অয়ান মাঙহনবা ঙমই, পংথহল্লি অহানবদা নিপা অমনা য়ু থকপদ মউই। ভিন্নরুপগা 'মানা য়ু থকই। মতুংদা য়ুনা মাবু থকখি, মতুংদা 'থকপা' হায়বা অহনা মাবুস্তু য়ুবুন্তু থকতোকখি।" মী অদু বুদু ওইহৌরে। তোকচবা ক্লৌবা ঙমদে। চুরুপ চুরুট; হায়বা অসিবু থকপা তম্মুববদি পাঙদব, মীদদি য়ুগুম্না থক থাদোকপা ঙমদে, পুন্সি চুপ্পা মীনাই মথল অমগুম লে। পফ্ পফ্ দেদ সিগারেট। পফ্ পফ্ পফ্ ভিল ইউ স্মোক ইয়োর সেলফ টু দেথ। "হুং হুং হুং চিংহনা চুরুট থকপিয়ু।" "হুং হুং হুং চিংশিন্দুনা মশা অদু হেক শিজ্জিন্নবা মৈখুত থকপীয়ু" হায়না ঊশৈ শকনৈ। তোক্লবা উপায় লৈতে। শিবদগী ঙমনবা উপায়স্তু উদে। পঞ্চগর্জ্জ শিবা মতমদা ডাঃ কেলোগনা কোউখি "নিংথৌ অমস্তু হৌবেদ্র ৷০ কোটিদ্রা লাংলে।" মাগী মপা ৭শুবা এডবার্ডস্তু চুরুপ থকমন্‌খিবদগী শিখিনি। পঞ্চমজর্জ্জনা মাংদি ব্রোংকাইটিশনি। চয়োন ৩/৪ গী খোঙচংনি, অদুম ফজখিগদবনি অদুবু মানা চুরুপ থকনন্‌খিদুনা হাট অত্র অদুগী মতিক শোলহলগ্রে, মুখিং ২৮ নি অদু হিংনবগী পাঙল অদু মাগী হাটনা পুন্নহনা লৈব ঙমখিগ্রে হায়। আমেরিকাগী জেনরেল গ্রান্টস্তু খৌনাওগী কেন্সরনা শি, মহাক্কী মচাদুস্তু কেন্সর অদুনা শি। চুরুপ থকপা মীসু মশাদ মাঙজবনা লোইদে, য়ুগুম্না মচা-মশু মীরোল অদুম শোকহল্লি। মখোয়স্তু থকনি্ থাদোকপা ঙম্মোই। চুরুপ থকবা

মীদা হাট্নি এটেক লাকপা অহুপী শরুক অনি, অথকপা মীদা তোয়না লাকই।

অতকপদি পৃথিবীগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওখৎপা জাতিনা, চুরুপ থকপসি শম্নোরকই। অহুগা খ্বাইদগী চাওখত্তবা জাতিনা অমুক হিন্নাকমনা, ভর্দা, সুক, হন্নাকমনা মকুপ মাদা উবা - থৈনি চাদুনা অচিনবান, খোনাও কেঙ্গর তোহনা, হাটং নিখিন তোহনা নোমা নোনা পুক্নি কেব, কয়াম্ব কুইস্নগুম স্টংনি। অতঙ্বা পোৎশক অসি মেত্রবাক অমিদা থুংলরে। অহুদগী হেমা মুনা হীনাকখনা শপো'নখিদাক নোইাশন্দুনা মৈতে পাখঙদা পীখিই। অংগা অহুদগী গুলি মথন কয়া চাশীন্দুনা মু ভাওবা, কানি চাংগা মাম্রনা ভাওহন্দুনা হাটি, মরী মতাং শোকহন্দুনা মহারোগ কয়া মাওহল্লে। মসিবু কনাগী খুংশীরো? চুরুপ অম থকগা কবিগী মী অহু শিত্রিবনো হায়বদুদি থকপগী শেং-দোকুপপা, হকচাংগী খোঙচৎনা চৎপদা অমুকন্না হু অহু হৈনখিবনা দোঙ্ক থরনা অহানবা হেক থকপদা শিপদবা দোক্তদা হেংগংলবা কাওবা শিদব', হুবু হৈনহনবা হকচাংগী লৈজবা গুণনি। থোইদোকপা মীত্তা ওইনা চুরুপ থকপা মীওই মরক্তা যাম্না পুক্নিবা মী যাওই। মাগ অঙ্কানি হায়দুনা চুরুপ থকপা যাওই। তাক্কুরনা চুরুপ থকপনা হাটি শোক্লে হায়রিক্রমখৈ থতদে। হাটি মাদুনা শিবা অদুক হেনগৎলকইবসি চুরুপ থকপা হেমগৎলক-পদগীনি। অতাং অমদা হিদাকখনা হেক পীজবা মরুগা চুরুপ হেক পীথকপদা ওগনি, মকোক ভাওগনি, মাগনি, হুনি, হায়বা

ভাকইবনি। য়াম্না দোক্ত শেংলগা য়াম্না বল্লা ওব'· মথৌ কায়বা, মকোক ভাওবা, ভাইকেং ভাইবা, থৈ'ং মা চি'ংহুনা চংপা, হে'জললা জ্ঞান মাংবা ভুংখবা ওবানি। অম·। চুরুপ থকপা মশা কবা নিপা অহুগী মচাদি মশা ফবা পে'ক্রু'ক্রাই — অশোনবা লাকনা চেনবা পোকনি মপুঙ ফবে কাপ্রইদা অহুম শোঙ্খিগনি। হাট মশামক্তা চুরুপনা শোকংলি। হাট অসি হিদাকমনানা শিথহল্লি। "ভবাকো হাট" কৌবা গাটকী মওং অমা শেল্লকই। ভবাকো হার্ট ভৌরবদি অম চনীং চধাঙ শল্লদে। হর্টকী থবক থুজিলহনবা থবক অমত্তা ভৌবা ঙমদে। লমজেন চেনবা, চৌং কাবা থক য়াদে। চুরুপ অমা হেক থকপদা ব্লড প্রেসর পোইন্ট ৩০ হেনগ হল্লি।" প্রো কেসার জেনওয়ে, নীউ য়র্ক! চুরুপ থকপা পাথং অমনা চুরুক ৩ থকুগা য়েংবদা মিনট ২০ গী মতুংদা ব্লড প্রেসার পোইন্ট ২৫ (কুনমত্তা) হেনগংলি। পুং ১ লৈরগা, হায়গীদা ০ম্বখি।

কৈথেলদা থোকইবা হিদাকমনা পাউণ্ড অমদা নিকোটিন গ্রেন ৩৫০ য়াওই। গ্রেন অমগী ১/৬ না মী অমদা হু লৈরে ভাকপা ঙমই। ড্রোপ অমনা হুই অমবু হাৎপা ঙমই। গ্রেন ১গী ১/২ না মী অমা হাৎপা ঙমই। হীদাকমনা পাউণ্ড অমগী মপুম্না মী ৩০০ হাৎপা ঙমই। হার্ট ফপে হায়রবাদি চুরুপ, হিদাকমনা থাদোকদবনি।

চাবগী বাদি য়াম্না কমনা থম্বা য়ামবা পীজরে। থৌদিক্তি শারেজ য়াওদনা হার্ট কমনবা ঙমদে হায়বসি থওকন থোকই।

হার্ট অসি মমলগী থাই অমনি। শাক্তেল তৌপ্রবদি হার্ট অসি শোত্থরকই। অদুবু অকনবা শাক্তেলদি তৌবা য়াদে। তপ্পা তপ্পা মশীং অমসুং চাং হেনগৎহনগদবনি, নীংথিজনা মসল অসি শীংথিল্লবদি ঐ উতো'গী মচুংদা কোয়থেং কাবা ফিংব। কেলোরী হেগ্রা চাশীন্নুনা হকচাংদা থৈরবা অহেনবা কেলোরী অদুনা হার্ট এটেক তৌহল্লকদবা অদু এঙ্গনসাইজনা চাকথেককনগবনি। হেন্না চাবীংহনবদু পোকহল্লেই। ব্লড প্রেসারদু হন্থহল্লি। শাগোম, থোং, পুক্কা লৈরবা কেট মত্রগা মমলগী মওং অদু হার্টতদু অহুন লৈ। কল্লগা কল্লী, শোয়দনা নোয়. পেৎলগা পেংলে। ফত্রাক ফত্রাক লাউত্রগা হ র্ট অমসুং অতৈ ইখ্র-শিংদু অহুব থোই।

দুম্নক অসি ঐদা লোইনবা লৈ। ঐ অসি থবায়নি, পুস্তিনি। ঐ উতোং অচৌবা মচাদা চেন্দুনা চিঙ্গাক, নোম-পেন্নবা কেথিংকল পুহনা চৎলি, যেলি কন্তবা অশিবা শক্লক পুহনা অমুক হন্নকই। ঐগী সেন অহুনা থবোথীদা ওক্সিজেন লোখিন্নি অদুগা কার্বোন ডাই অক্সাইদ থাদোকাথ। হার্টন্ন থোপস্ন ওক্সিজেন য়াওত্রবদি থবক তৌবা তোকই। শাক্তেল তৌরবদা ঐচেল হেনগন্ধুনা হার্ট, লাংস থবক হেন্না তৌহনবা চৎই। বাকিং অমসুং সাইকল থোবা, অসিনা হকচাংগী স'মকু লেমন কনংহনবদ মতুনা হার্ট মশামকী (মথক থংবা শক্তকা ঐচেল হেনগৎহল্লি ঐ হেন্না চলহনবা অমসুং চেলহন্নবা থৌরাংবা অমা পোকহনবনা "বিতোর চেনেল" শব্দমুক কুমা ঐ উতোং

অদুদা ঐ চেনখল্লী। দিতোর চেনল অসিদি ঈ য়াম্না চেনবা মরী নৈ। অদুবু ঈ অদু চেনখিদবনিনা মত্ত। অসি লাওথোক্লে। মথম আসদগী কৈগুম্বা অ'টঙ' অমা হেক কাংদুনা হাট নেটেক হেক তৌবা ওইবসু য়াম্না হন্দুনা লাকনি। অদুনা শিবা য়াবা মতম্গী চুম্নগী অরাইবা এটেক ওইবা হায়বসি দা জল তৌবা মথং তৌদবগা মরা লৈ। অদুদু শাংলেনদি তপ্পা তপ্প হেবগা চুম কনখৎলকপা অদুগা মতমসু মিনিট খরদগী চুম শাংদোকপা মখলই শংজেন তৌগনি। পাক্ত চৎপদা লেংজকাপ ওই। মমস্থ চুম শাংদ্বা তৌর'ও থোক্তকাপ কন-খংলকপা অমসুং চুম খংদোক্লকপা কন্দবো'ইনবনি। চহি ৪০, ৫০গী মতুংদদি অকনব' শাংজেন, হেক হোৌগৎপদা তৌবা য়াদে। ফজনা. তিগ্ন ন', কাব তেংদুনা নৈনমগী নোংমা হেক্তা মাইদ চগ'ক' চৎপা ক্ষুংথোম, হোকী, নুংশূক হুনবা অপঙবা থবক্তি। যাক ওইবো'ইনবনি। "ঐদি থাম্না ভম্বকই, হৌজিকসু ওমগানি" হায়দুনা মোইখৎলব মশাংদকা হায়গনু, চাংসু য়েংগনু. হাট' থোকন্না এপেল ফাক হৌগনি হাট' দাইনেতেসন্ তৌরকপগী হে ফম্ব্র। (শংজেনগী মতাংদা পাংবিয়ু)।

পুক্লাং অসিনা শাংগৎলি; পুম্নমক্না শেগায়বী। পুক্লাং মুংচাইহনব', চিংনবা, খোয়রা' থে'যশাওনবা. অশাওবা, শিঙ্গলা চিংনব' থ দোকপীয়ু। অমনা অনাবা মরাম অসিগী থুদম লাই-লংশং অসি পাম্বগা থবৌরব্রবদা পাবম্বিবা পুম্নমক্না ইশা ইশ দা পানশিন্দুনা হাটকী লায়না অমা মত্রগা অমনা নাই হায়না থববৌবা

য়াবা য়াওই। মাত্র ভৌবিগনু। চুমগী পুক বেরা ভৌবদনস্ত হাটকী খুদম ময়াম অদু উৎলকপা য়াই। শেমগৎ-শাগৎপগী রাংবা লৈবা য়ু। পুক্কীং তপথনা থম্মীগদবনি।

কিডনি কিডনি থরাম্ব পুবা ইন্দ্রিয়শিংগী মমুংদা মরু-ওইবা ইন্দ্রিয় অমনি। মরম অসিনা কিডনি হায়বসি কনখা মওংদা শরুকপগা হায়বসি থডবা চাই। মাইক্রোসকোপতু য়েংবদা কিডনিগী পীকথবা (ইংলিশতোক্কবা ফিল্টার) ফিল্টার মচা ময়াম পুল্লপ পুল্লপ পুনশীন্নগা অমগা অমগা সিমেন্টনা কাক্কীনবা লৈ। ফিল্টার অসি কিডনি অমদা ১০,০০,০০০ লৈ। কিডনি অনিদা ৪০,০০,০০০ লৈ। ফিল্টার অমনা ইঞ্চি অমগা ইঞ্চি অমগী মতা থোকপগী অমগা শংই। পুল্লপ শমজিন্নরবদি মাইল ৩৫ রোম শাগনি। অমুক নুংদা পুরা হনবা ঙম্বা থবক ভৌবদা থ অহুমগী মনুংদা ফিল্টার অমনা ড্রোপ অমত্তা শংদোকই। নোমদা ড্রোপ অংগী চাংথোকপগী য়াম্না পুথোককই। অমুক য়াম্না লুপ্পা, নৌথবা ইন্দ্রিয় অমনি। চবা থাবা য়ুংবা, শরুকবা শোংলক অমসুং থবক থডনা চৎবা য়াদবনি। থু ইদগী শাথিনা শোকনবা ইন্দ্রিয় অমনি।

ব্রাইটস ডিজিজ — হকচাং অসি নথম, মুং ক্রুং চঙবা নেফ্রাই-টিস, কিডনি নাবগী লায়না কয়া অমসুং হকচাং অপুম্বা ইশিংনা শোংথংলি; মুকোংদগী হৌদুনা খোংউ থুং চুসুং চনিং ইশিং না শোম-থংলি, হকচাংগী ঈ পুম্বক ইশিং ওল্লকই। কিডনিগী থবক অসি খোংহৌদনবা মশাকনা থম্বা মী থুদিংমক্তা চেকশিনগদবনি।

কিডনি ফিল্টারনা অচৌকপা থবক তৌই, ফিল্টারশিং অসিদা পুথোকখিবা য়ুং অসি চহি ৬০ পুংসবা মী অমদা ত্রম ২৪০ নি। অরাম্বনা টন ১৬ নি। টন অমগী মরি থোকপগী অহুমনা মপাংনি। নোংমদা মী অমনা মপাং ওইনা আউন্স অমা পুথোরকই। কিডনি সেল (Cell) অসি ৪০,০০,০০০ লৈ হায়না থনবদা পুক্লীং মুংঙাই। অদুবু মশা শোকখ্রবা, মাঙহনখ্রবদি অমুক শোগৎলক্কদবা লৈতে। অদুনা করম্বা চেকশিনকম থোকপা? প্রোটিন হায়বদি শা, ঙা, মেরুম, শঙোম, ছানা চাগ্রগা হকচাংদা শিজিন-নবা লোইরবা মতুংদা লেমহৌবা শকক অদু ইউরিয়া ওইনা য়ুংনা থোরকই। ইউরিয়াসি মাঙহনতকুবা ওইবা হুমক্তি নত্তে। অদুবু ঈদা ইউরিয়া লৈরিবা চাং অদুগী মতুংদ কিডনিদা হেন্না থবক পী।

অদুগা অতোপ্পা ... ইউরিক এসিদনি। মী অমনা চাবা কৌনবা চিজ্ঞাক চাংগী হিংবা মাওং অমা ওইনা নোংমদা গ্রেন ডেনতগী হেন্না পোংক্তে। ইউরিক এসিদ হায়বসিদি তোংদগী লাকপনি। শাদোং অমুক ইউরিক এসিদ য়াওই। মণ শাদা পাউণ্ড অমনা গ্রেন ডজনবরি য়াওই। পূং কূনমরিদা হকচাংদগী পুথোকখ্রগ লোকপা ইউরিক এসিদকী শরুক অনিনি। মণ শা পাউণ্ড অমা চবদি মতাকী কিডনি অদু এসিদ লৌথাক্নবা মশাগী লৈজবা থবকী শরুক অহুম হেন্না পাঙথোকপা তাই। ভল অথুম্বা (হুইট ব্রেদ) পাউণ্ড অমা চারবদি ইউরিক এসিদ গ্রেন ৭০ য়ুং ওইনা পুথোরকপা তাই হায়বদি কিডনিনা নোংমদা পুথোকচবা অদুগী শরুক ১০ দি পুথোরকপা তাই। কৈ,

নোংশা, হুইগুম্বা শাহিং চাবা জীবদি মখোয়গী কিন্নাক্লা ইউরিক এসিদতু ইউরিয়াদা ওন্থোকপা ঙমই। মীওইবগী লিভারনদি হুইগুম্না ইউরিয়াদা ওন্থোকপা ঙমদনা শা য়াম্না চাবা মীগী কিডনিনা শদুম, শ দোং চাবদগী পোকপা হুশিং অদু থেংনজবা ঙমদে, বানা থোকই।

ইউরিয়া অসিদি চুম্না লায়-না পুথোকচবা ঙমই। অদুগা ইউরিক এসিদতি অকনবা হুনি,মসি পুথোকখিবদা,ইউরিয়া পুথোকপদা ব্রাবনা ইউরিক এসিদ পুথোকপদা বাবদগী শরুক ৭৯ ভাগনা থোকই। শা চাবসি মরম অসিদগী, কিডনিদ য়াম্না থীনা অবাবা পীবনি। ইউরিক এসিদনা কিডনিদা হৈনহন্দবা অমা পোকহল্লি অদুগা কিডনিগী সেল (cell শিং মাওহল্লি। ইউরিক এসিদকী মকুপাশিং অদু কিডনিদা লৈরগ... শমনরই। ... অদু ইউ-রেটার হায়বা কিডগীদগী ব্লাদার ভাবা মরীন অদুদা কুয়ক্তুনা ব্লাদারদা লাকই। মাংদগী ইউরেথ্রাদা শক্লক্তুনা মপান থোকপদা থাওরকই নত্রগা কিডনিদা ব্লাদারদা মথং মথং লোন-থংনজনা চঙনা লৈহনা ইন্দ্রি অসি শোকহল্লি। য়াম্না রাহন-নাহল্লি, শিংহল্লি।

কিডনিদা পক্কদবা পোং – মসলা, অমেংপা, হন্জাব মরু, থাও, আচার, শিং, মূলা, মোরোক, উ মোরোক, থুম অসিনা কিডনিদা অবাবা পী অমম্মুং কিডনি মোংহল্লি। কিডনি অহল ওইহল্লি, মীনা অহল ওইবসি কিডনিনা অহল ওইরক্তুনা থোকপনি

চা, কোফিদা য়াওবা থেইন অমসুং কেফেইন্ অসি কিডনিদা য়াম্না শোকহল্লি। ইউরিক এসিদকী চপ মান্নবা চুনি। মসুং কপ অমদা য়াওবা ইউরিক এসিদতগী মসুংগী চাংগা মান্নবা কোফি কপ অমদা য়াওবা ইউরিক এসিদনা চাং হেল্লি।

য়ু অসিদি কিডনিগী য়েক্নবনি। বাক্টেরিয়াদা কিডনি য়াম্না নাই। মরমদি বিয়ার অসি য়াম্না থকপা লমনি। পুকচু য়াম্না থকপা করুই অমসুং থোংজাইদা কিডনি য়াম্না নাইবে।

চুরুপতা য়াওরিবা নিকোটিন্ অসি কিডনিগী য়েক্নবনি। চুরুপ থক্লগা কিডনি মাংহনবা থিংবদি চমত্রগনু থরমথে য়েথোকপা য়াই।

থুম অসিসু কিডনিগী খ্বাইদগী য়েক্নবনি। চাক্লিবা চিজাক থুদিংদা হকচাংগী ওন্নবা থুম য়াংহন্নবর্নে। মহাওগী হৈনবীবদগী থাদোকপা লুবগনি। থাদোকপা তশীমু।

ঈশিং থকপা— ঈশিং অসি হাংলবদি ঈথগী চু পুথোরকপা ওমদে। নোংমদা মুং পাইন্ট অহুমদি হান্নীবনি। অহুনা নোংমদা ঈশিং গ্লাস ৭/৮ দি থকপা তাই। কিডনি অনিদা ঈশিং আউন্স ৫০ (য়াংখৈ) পুথা ওমই। থরদা কৈবদ মপাল থোক্নীবা করিগীনো? অশীনবা অহুনা কৈবদা হৈবদযনি। ঈশিং থক্লগা মাও য়েনথাইনহনা মখাক হন্দংলবদি কিডনি শোক্কবা হেল্লি।

থোঙ হাম্বা য়াদবা— থোঙ হাম্বা য়াদবা হায়বশিনা হাক্চিবা পুন্দকপী ইহেন হেল্লি। কিডনি অসি মতম চাদনা নোমা

শোকহল্লি। অমাংবা অহ্ পথ-পুমথহুনা কুইনা লৈবদগী হকচাং অপুম্বা চাইথিবা হু অহু য়ুং ওইনা লাকপদা অঙকপা মথলগী অৈভেগা মামত্রবা থবক মথঙ অমা কিডনিদা পী। মাহুদগী কিডনি অসি থীনা শোকহল্লি। কোংলোন্দগী লাকপা হূসিনা জিভরদা অমাবা কম্বা পীহুনা লিভর শোকহনবগা লোয়ননা রানা কিডনিনা পুথোয়কই।

শাথিগ্রবা রাকম অমা — স্কার্লেট ফিভর, লাইথোকপা, ইনফ্লুয়েঞ্জা, তাইফোইড, নিউমোনিয়া, কোৱামলাই লাইকুপকুপা কয় কয় হাইনা নাবা লায়নাশিং অসিনা হৌজিক হৌজিকথাক্ত শোকহল্লী হায়বা উত্রগম্ন, উংলঙ্ক্রমথ্ন মভুংদা কিডনি শোক্লকপগী মরুওইবা রাকমদি লায়না কয়া অসিনা নাথিবদগীনি

ইউরিক এসিদ অসি তোংগী হূনি। মসিনা গাউত, ব্লড প্রেসার তোহল্লি, কিডনি নাহল্লি অমসুং মমীগী লায়না কয়া পুরকই। তোংগী থবক্তগী ইউরিক এসিদ থোয়কই, অহুগা মরুওইনা মেথগী থবকগী পোক্লকই। ইউরিক এসিদ পোকপা ঙিঙ্গাক চাবদা য়াওহন্দ্রবন্সু মপানা ঈদা পোকচরকপা ইউরিক এসিদকী ওইনা য়ুংদা য়াওরকপগী চাংদি গ্রেন মরিদগী মাপলনি হায়না মেয়্রমলেৎতিনা হায়। চুম্বগী য়ামহনা চাবদা পোকপা ইউরিক এসিদনা শরুক অনি অহুপা শা চাযগা শরুক মডা/তরুক লেংথলি। মণ-শানা গ্রেন তরাবরি পাউও মবদা থোয়কই। ওকপা পুম্নক, হুইট ব্রেদ, শাগী কিডনি, লিভার অসি চাবদা চুম্না পুথোকপা থোকপা চাংগী শরুক মডাদি ইউরিক এসিদ য়াওই। মণ-শাগী মথী

থকপগী মুংদা নবল হেনগৎহল্লি। চূই.কৈগী কীরাকনা ইউরিক এসিদগী ইউরিয়া ওস্লোকপা ওমগুম মীওইবগী হকচাংদগী ওথই থম্মরম্বগী স্নকওম ওমজ্রে হায়না লৌশিংশিং থজনরে। মীনা শা চাবা হৌনদে হায়বসি মসিনা মরম অচৌবা অমনি।

চাক, ভল চাবগী মহুত্তা অয়ুক্তা আলু চারবদি ইউরিক এসিদ্ মাওহল্লি। মীওইবগী পুক্লিদা থরায় অসি হিংনা থম্মবদা কিডনিনা পুথোকপগী থবক তৌরিবা অসিগী শক্তক অনি হেঙ্গংনা পীশিল্লবগী কিডনিনা তৌবা ওথৈজে। কিডনি অমা লৌথোকপ্রবদা কুইনা হিংবা য়াই। কিডনি হেক নাবগা কয় য়াম্না শোকচিল্লংগে হায়না য়েংহনগনবনি। হৌজিকসু মতমদা কয়া শোক্লে করম্ব কয়ামুক নীংথিনা থবক তৌরিংগে হায়বসি য়েংলগা হায়বা ঙম্মে। অত্তুনা থাঙ থাবদা শিথহনবা য়াথিগনি য়ারয়েই কাওবা লেপ্পা ঙম্মে। কিডনি অমা মাত্থনা ভংথাই অমা লৌথে বম্রে। অতুদগী বা অমা লৈবগা অতোপ্পা থমহন্দুনা নারক্কুনা পুমক্কৌ লৌথোকপ্রগা ওসাইগী লৈহৌরিবা ভংথাই থমতহনা চহি য়াম্না পুন্সিবা য়াওই। তৌবদি ঔদি য়াম্না শেংনা থম্বা তায়। মীওইবসি কিডনি অমতনা কুইনা হিংবা য়াই—অদুগা কিডনি অদুমক্তি তেক্ত কায়দবা অমদি ওইবা তাইর কিডনি অমা লৌথোকপ্রবদি লৈহৌরিবা কিডনি অমা অদু মশা চাউখংলি অমসুং থবক হেনগৎলা পূই। শাদদি মহা ওইরিবৈদা কিডনিগী লেন মশীং হেনগৎলি—অহল ওইরক্লবদি মশামক্তি চাউখংলকই অদুগা লেনদি মশীং হেনগৎলক্তে। মীদদি মসি লৈতে মী ...মনা হিংবদা চত্তবা থবক অদুগী মাল্লা হেনা পুজবা চমবা লৈচনা কিডনিদা পাদল পীনখীরকই।

অসিগুম্বা পাঙল অসি কয়াম্না মাঙহল্লকই — কিডনি লৌথোকখিবা, থবক হেন্না পীশিন্দুনা মাঙথহনবা অদুগা অহল ওইরকপগা লোয়নননা ময়াই তাথরকপা অদুম অসিনি। অদুগা কিডনিনা থবক ফজনা তৌবা ঙম্লিবা মথৈ হকচাংদা ফত্তহৌদি য়ায়া লৈরবস্ম অমুক্কা হেন্না থবক তৌফম থোক্লবস্ম, করিস্ম সুংঙাইতবা থুদম লৈরোই। কিডনি অদু থবক পুবা হেক ঙম্লক্তবদা সুংঙাইতবা মথল পুম্নমক্কী কিডনি ময়াই তাবগী থুদম লাকনি। হিদাকমনা, জদা, হিদাক থকপা, কাংচুপ থকপা, চুরুট থকপা মীওই পুম্নমক্কী দশা অদুম্না লাকনি। যু থকপা মীস্ম চৌংথবা থক লৈরোই। ইংলিশমেন, আমেরিকান্গুম্বা শা চাবা মী কিডনি নাগল্লি। থোঙহাম্বা য়াদবা মীদা এলবুমিন্ ঈশিং চৎপদা য়াওরকই। কিডনি অদুনা নায়বদি এলবুমিন্ লিশাংশিংনা য়াওরকই। তিস্যুদা এসিদ পৈশিনবদগী থোরকপনি। অদুনা থ্রৈনা ঙসাই পনথ্রিবা ফিল্টার মচাশিং অদু পুম্না সিমেন্টনা ফাজীন্দুনা লৈ হায়রিবা সিমেন্ট অদু এসিদ অদুনা পৈশিন্দুনা কিডনিদা লৈরবনা শৌদোরকই। সিমেন্ট অদু হৌজিক য়ুংদা এলবুমিন ওইনা থোরকই। থোঙ হাম্বা য়াত্রগা 'ইন্দিকান" য়াওরকই। চিনি হেনমন্না ঈদা লৈরগা চিনি য়াওরকই। অদুম্না হকচাংগী অনাবা কয়া হকী ঈশিং য়েংলগা খঙবা ঙম্বা কিডনিনি। মশা ফনা থমদবা য়াত্রবা অরুবা ইশ্রিনি। ঈদা লৈরিবা মচী লাঙৎ শরুক অদু কিডনিনা নোংমদা ৬০ য়ক হম্না চামথোক্লবা শরুক অদু ঈদা অমুক হন্না থাজীল্লকই। করবা শরুক অদুনা য়ুং ওইনা পুথোরকই।

নেফ্রাইটিশ— হকচাং মনুংদা কন্ত্রগী মায়া লৈহনী য়ুং ওইনা পুথোরকপদা কন্তহৌদিশিং অহুনা থোইদোকপা হৈনদবু পীত্রবদি কিদনিগী কিন্টর ত্থাবুলসশিং অহু নাবা য়েকপা থোইনা থোকতে। ফুরি ফুমাং চো'থোকপা অহুগা নিউমোনিয়াগুম্বা লায়না পোকহন্দুনা কন্তহৌদিশিং অহুনা অমুকন্থু হেক্তা মক্সগী কোয়না কিডনি অহু নাহল্লী অমঙ্গং চাকহল্লি। অমাবুশিং থসি কংহন্সবদি কিডনি শোইদনা শোকহনগনি।

তিদাক শিজিন্নমনবদগীস্থু নেফ্রাইটিস লাকই। অগ্ মথৌ থরা, থাউ থাকবা, মীয়োনবা মতমদা লমচৎ কত্থবা কয়াদা হৈন-রুবনা নেফ্রাইটিশ পুরকই। অঙৌংবদা লৈথোকপা হুকচাং চোংতুনা লৈরুবদগী নেফ্রাইটিস লাকই। হিংনবগী পাজদ হন্থহনগ্রবা মীওই নত্রবদি ঙা কাবা, হি হোনবা অঙৌংবদা লৈবী মীশু থক নাদে।

লাইওং লাইশক— হৌরকপগী লাইওংদি মী পুম্নমকপা থক মামনা লাকতে।

অতাং মচাদদি করৎ করৎ হাইনা অথুবা মওংদা মাই অহুগা লাইহৌ কঁনা লাকই। অন্থমনা অতাংদা লাইওং থসিনা লাকই। অহুমনা থরদং ওয়দবগী ভাবতা লাকই। অহু মুংগী থাকমদনা অহোংবা অমা শোইদনা পুরকই। কোক চাকপা তনিংবা, ওবা, ঔশিং লিকপা। মাংবা মাদবা অমমুং লাইহৌ হৌরকই। অহুগা করিগুম্বা মতমদা লাইহৌ য়াওদবগু য়াওই। খুদু থসি ককচিনা উরকই। মাং থসি ইথোন থোকা উরকই

মীক্রপান অকোয়না পোমখৎনা উই। খুজেং পোমই। উনশা কুংই। সলৈবাম কায়। মিহন খুজিল্লী। নিংথম চনি। অঙাংদি মখু থেকপগী, চিংবগী ভাব লাকই। মথোঙ পোমই, অথিবম অক্ষিবিলাটি খোলগুম ইবং লংবা মওং অমা শোরকই। মমায় হায়ুৎপা, মীৎপান পোমখৎনা উগনি। মী কংগনি ব্লদপ্রেসার হাইগৎলক্কনি। মুংদা এদবুমিন মাওরকনি। অহৃপা রাম্না লিক্কা চৎকনি। মৈথু মচু মাঙ্গবনি, মমৈদা মুশিল্লকনি। মাঙ্গ মুংদা মী মাওরকপননি। থোইদোক্লা শাথিবা মওংদা লাকদবা নত্রংদি স্নেংবা নিনিগী মুঙ্গুংদগীনা চয়োল ১/২ গী মমুংদা অহুম কপং-লকই। অসুমনা একুাট নেফ্রাইটিশ পুমমক কজখি। মওইদহুনা হুনদোকপীহুনা, মিংথিজনা লাইয়েংবীগ্রবদি ক্রোনিক ওনখি। ইউরেমিয়া হায়বসি মুং অঙু হকচাং মমুংদা পুমহুনা হকচাং শোকহল্লি. মাও চিংথেকপা, পংথবা উচুপ তাবগুম তাহনা, লৈবা মায়বদি লাইগী নোংময়দা লৈরেঙ্গ হায়বা কিভম অহুদা লাকখি।

ব্রাইটস দিজিজ — লিশাং শিংনা ব্রাইটস দিজিজনা নাবসি একুাট নেফ্রাইটিশ অহু থৌশাদনা সুম নাবা কনবা য়েংবিদবদগী লাকপনি। হকচাং অঙ্গম কনা থম্নবা কনা হোৎনপদবনি। লায়বা ফাগিদি নাই হায়বসি কয়া থংবা বাকুম নত্তে। মুংবা কন্তথোদি কদি কয়মবা মাওরবগে হায়বসিনা মক ওইনা য়েংগদবনি।

ক্রোনিক ওইনা নারকদবদি ব্রাইটস দিজিজ অসিদি মুদুম মথল মুথল শীয়রই। খুয়মনা মুং কীরুরই। খয়মনা মং মায়া চৎথি। খয়মনা মীশিংনা হকচাং পোমথৎলি। খয়দনা

পোল্লখৎতে। অয়াম্বা ওইনা লৌরবদা ব্রাইটস ডিজিজদা মীৎ অসি মশেন ময়াং উরকই। মীৎ অসি উশিল্লকতা মীহুম কল্লা হুন্নি। ব্লদ প্রেসার থাইগৎলি। খোঙ চিক্কেং চিক্কেং হাম্বই। তাইক্কেং তাইরকই, ঈ থাংনকতে। উবদা তাইক্কেং তাইরকই। মীৎখাদা অমূবা মঙ্গি লৈরকই। কোক চীকলকই। হ্নম হেনজিল্লকপগা লোইননা হকচাং অয়াম্বা ঈশিংনা পোমখৎলি। হার্ট চাওখৎলি। খোমখা মীহুম চোংঈ হকচাং অপুম্বা পোমখৎলমদাইদা ঈশিং চৎপা য়ারক্তে। কেটেচায় শিজিন্নহুনা ঈশিং লৌখোকদবনি। মুপী মীয়োনবীনা থা শুরমদাইদা ব্রাইটস ডিজিজ তোগায়। য়েংবীচহৌত্রবদি, থওইনা পেন্নবী-হৌত্রবদি হকচাং অপূম্বা ফক্ত-হৌদিনা থম্মুনা য়াঙ চীংগল্লি, তান তাদনা পংথগনি, শিবা য়াই।

লায়য়েং — কিডনিদা ঈশিং পুন্নুনা লৈবদগী মাবা ওইরবদি অমম্নুং পুক থীল্লবদি ঈশিং থকদবনি। অহুপা কিদনি নারবদি ফক্ত হৌদি শেংন্নোক্লবা ইক্সি লৈহৌরিবসি লংস মশুন। উনশাদা তাইহৌকে। উনশানা মরু ওইনা ফক্ত-হৌদি লৌখোকখিনবা লাক্লগনি। অহুপা কিদনি মশামকস্থ ঈশিং থকতুনা ফক্ত-হৌদি লৌখোকখিনবা লাক্লগনি। এক্যুটতদি হোট ব্লাংকেৎ পেক, কোল্ড ওয়েট সিট পেক কাম্নগনি। ডিঃ ১১২—১১৫ ফারেনহীট হোট এয়ার্সল বাথ কাম্নগনি। লাইহৌ লৈত্রবা অহুপা ঈশিং থইংবা খোমদা থাপৎলকত্রবদি হোট ওয়েট সিট পেকনা ইক কৈথং য়াম্বা শোনবা মী ওইরবদি চনিংদা ঈশিং "থোমবীয়ু"। অতৈ পৌক

মীকুপান অকোয়বা পামথনবা ডুই। থুকেং পোমই। উমশা কুংই। সনৈবান-কায়। মিহন থুজিন্নো। নিংথম চলি। অঙাংদি মাড থেকপগী, চিংথগী ভাব লাকই। মথে'ঙ পোমই, অথিবম অক্তিবিলাটি যোনগুম ইথং লংবা মঙং অমা থোরকই। মমায় হাপুংপা, মীংপান পোমথংনা উগনি। ই কংগনি ব্রংথ্রেসার হাইগংলকনি। ঘুংবা এলবুমিন মাখরকনি। অচুপা য়ামা লিক্কা চংকনি। মৈথু মচু মাখরনি, মথৈদা মুশিনকনি। মাড ঘুংবা ই য়াওরকপননি। থোইদোক্কা শাখিবা মঙংদা লাকদবা নত্রংগদি য়োংবা নিনিগী মনুংদগীনা চয়োম ১/২ গী মথুংদা অড়ম কপং নকই। অস্তুমনা একূাট নেফ্রাইটিশ পুম্নমক কজখি। থওইমত্তনা হনদোকপীক্কনা, লিংথিজনা লাইয়েংবীত্রবদি ক্রোনিক ওনখি। ইউরেমিয়া হায়বসি ঘুং অত্র হকচাং মথুংদা পুমথনা হকচাং শোকহল্লি. মাড চিংথেকপা, পংথবা উচুপ ভাবগুম ভাহনা লৈবা য়াখবদি লাইগী নোংথমদা .লৈরে হায়বা কিডম অহুবা লাকখি।

ব্রাইটস ডিজিজ — লিশাং শিংনা ব্রাইটস ডিজিজনা নায়রসি একূ্যট নেফ্রাইটিশ অহু থোশাদনা সুম নাথা কনবা য়েংবিদবগী লাকপনি। হকচাং অসুম কনা থম্নবা কনা থোংবগদবনি। লায়না জাগিদি মাই হায়বসি কয়া থংবা থাক্তুম নত্তে। ঘুংবা কক্তথৌদি করি কয়নবা য়াওরবগে হায়বসিনা মক ওইনা য়েংগদবনি।

ক্রোনিক ওইনা নাযকলবদি ব্রাইটস ডিজিজ অসিদি মমনু মথক মুখদ শীররই। খুঙ্গনা মুং কীরকই। থয়দনা হং মাখা চংলি। থয়দনা ঈশিংনা হকচাং পোমথংলি। থয়দুনা

পোম্বগদবনি। অয়াবনী ওইনা লৌরবদা ব্রাইটস ডিজিজদা মীৎ অসি মপোন মরাং উরকই। মীৎ অসি উশিল্লকখ্রে। মীহুন কয়া হল্লি। ব্লদ প্রেসার লাইগৎলি। খোঙ চিকেং চিকেং হাবই। তাইকেং তাইরকই, মৈ থাংলকখ্রে। উনমা তাইকেং তাইরকই। মীংথাদা অমুবা মরি লৈরকই। কোক চীকলকই। হুম হেনজিল্লকপগা লোইননা হকচাং অয়াবা ঊশিংনা পোম্বগদলি। হার্ট চাওখৎলি। খোমবা মীহুন চোংই হকচাং অপুবা পোম্বগদলবদাইদা ঊশিং চংপা যায়ক্তে। কেটেটচা শিজিনহনা ঊশিং লোথোকদবনি। মুপী মীরোনবীনা থা শুরমদাইদা ব্রাইটস ডিজিজ তোপান। লোংবীহৌরবাদ, থওইনা পেন্নবী-হৌরবদি হকচাং অপুবা কক্ত-হৌদিনা থম্বুনা যাও চাংগনি, অমান তাদনা পংথগনি, শিবা য়াই।

লায়য়েং — কিডনিদা ঊশিং পুন্নুনা লৈবদগী নাবা ওইরবদি অমরুং পুক থীনবদি ঊশিং থকবনি। অহুপা কিদনি নায়বদি কক্ত হৌদি শেংথোকবা ইত্রি লৈহৌরিবসি লংস মশুনা। উমশাদা তাইহৌকে। উমশানা মরু ওইনা কক্ত-হৌদি লোথোকখিনবা লাকগনি। অহুপা কিদনি মথাবকনু ঊশিং থকতুনা কক্ত-হৌদি লোথোকখিনবা লাকগনি। একুয়টতদি হোট ব্লাংকেং পেক, কোল্ড ওয়েট মিট পেক কাবগনি। ডিঃ ১১২—১১৫ কাচকী হোট এয়ার্সন বাথ কাবগনি। লাইহৌ লৈরবা অহুপা ঊশিং থইংবা পোকদা থাগৎলকত্রবদি হোট ওয়েট সিট পেকনা ইক কৈথ ঘামিনা পোলবা থী ওইরবদি লনিংদা ঊশিং "পোম্বথীবু। অতৈ পৈক

ভৌবিগনু। হুংত্তাইদ্রিবা খুদমশিং অদু হেক্ক মাঙবিদ্রিবা কাওবা থোরবীয়ু। পুং ২ অদুগা ময়ক্তা পুং অমমম লেপ্লীয়ু। য়াম্না কম্না ন্নায়বা অদুগা লাইহৌ কম্না নৈরবদি অঙৈংবা পৈক ভৌরদবনি। অদুগা পুং ২ থমবীয়ু, তুমগ্রবদি পুং ৪ কাওবা লৌ-থোকপীগনু। করিগুম্বা মতগদা পুং ময়ীগী মতুং কাওবা থমবা ভারবদি পুং ৪/৪ থুদিংগী কি মথক্তা ঔশিং অঙৈংবা চাইগদবনি। অদুগা হকচাং অড় শাগৎপা ডমইত্রা হায়বদু য়েংগদবনি। মুংশিং অশেংবদা থমবীয়ু, মীহুৎথোং হাংদোকপীয়ু। হকচাংদি সুমনা থমবীয়ু। এনেমা নিডিগী লৌবিয়ু। খুদম পুন্নমক পুন্নাং মাঙত্রিদ্রৈদা করিগুম্বা অমত্তা পীজবা য়াদে। চয়া হেনবা নং ওদা থনবিদুনা ঔশিং হোয়না পীথকতুনা ঔশিং কজনা চৎহন্লু। য়াম্না কম্না লাইহৌ হোত্রবদি ঔশিং অশাংবা থকপনা খাইদগী কৈ। একুট নেফ্রাইটিশতা কম্পুংদা পোখাবা চংই। থোইদোক হেন্দোক্লা লাইহৌ কম্না নৈরবদি পোথাঙব সুকয়া য়াদবনি। ঔশিং চৎপদা মপংগী শরুক হেনগৎলকপসি শাজেন নত্রগা থবক কম্না ভৌরগা হেন্নি। মপং অসি কিডনিদনা পুথোকখিগদবনি। লায়না অসিদদি শাজেন ভৌবনা থরারগী পাজন হেনগৎহনবা থক য়াদে। অপিকপা অঙাংদি একুট নেফ্রাইটিশনা ভৌগনি। [illegible]ডবা, খুদম ময়াম অসি মাঙমিত্রিবা কাওবা চয়া হেনগুমনা নৈথোকপা হায়বদি ভৌদবা য়াদবনি। মদুবু অঙাংদি লোংবা নিনিংগী হেন্না চয়া হেনবা য়াদে। অহুনা কমলা মহী, অজুর মহী, চিনিদি হায়রীদনা পীথকপা য়াই। অতোপা পোৎশক অমত্তা

পীজবিগন্নু। লাইহৌ লৈরবদি ঈশিংদা চম্প্রা মহী থন্না য়াম্লগা পীথকপা য়াই। অতৈ করিগুম্বা অমতা পীজবিগন্নু। অঙাংম্নু মুমিৎ ২/৩ চন্না হেন্নবা মতুংদা থজিক্তুং মমায় ওম্লক্রবদি কমলা মহী পীথকপদা ফগৎহন্নবা হোৎনবীবদা থোইনা কায়বা থোকলোই। অদুবু কিডনি নাবদা শঙ্গোম্না থ্বাইদগী ফবা চিঙ্গাক্লি অমম্বুং হিদাকান। মরমদি শঙ্গোমনা কিডনিদা হৈনজবা ইহেন হেল্লি। মহী য়ম্ম থক্লগা কিডনিদা থবক হেন্না পী হায়না থনবা য়াওই। মসি য়াম্না থ'না লানবা ৱাকম'ন। মরমদি মপং য়াওবা য়াম্না থীনা কুংশীল্লবা মুং অসিনা কিডনিনা থ্বাইদগী হৈনদে। সঙ্গোম পীথকতুনা হেক থমবা হৌবদা চনিংদা ঈশিং থোমবা, হকচাংদা পেক তৌবা থাদোকপিয়ু। অদুগা ঈশিং অঙৈংবা অশাবা ওমওম সিজবাথ নিত্তিগী চয়োন কয়া তৌবা য়াই। মুংশাদা অয়ুক পুং ৮ ভাবদা অমুক, পুং ৩ ভাবদা য়াইবিয়ু। অত্তবু মুংশা য়াইবন' মুশিলহনবা (sun burn) য়াদে। কিডনিদা থেকপা থিনবা লাক্লবদি করিদগী লাকপনো হায়বদু হেংদুনা হোৎকম লৌথোকপিয়ু। চনিংদা ঈশিং অশাবা থোমবা ক মগনি।

ক্রোনিক নেফ্রাইটিশকী লাইয়েংদি থৱায়গী পাঙ্গল হেনগৎহন্নবা লাক্লগনি। মুমিৎ তরেৎনিদগী তন্না মরিনী ফাওবা চন্না কেন্দোকনি নং ২ গী চন্না মহেন্দা লৈবীয়ু। মুমিৎ ২/৩ দি চন্না হেনবা তোকপা নং ২/৩ দা লৈবিয়ু। নীং থুংনা লাইয়েংগে হায়বা ৱাফমদা শঙ্গোমদা থকতুনা লৈবনা ইক কৈ, ইহেন হেল্লি। ফমুংদা অদুম পোত্থাদুনা লৈরগা শঙ্গোম তাক্তা থকপা

নং ১ দা লৈবিয়ু। পোখাক্সুনা লৈখোকপা য়াদবা মীওই ওইরগা সঙ্গোম ভাক্তা থকপা নং ২ নত্রগা নং ৩ নত্রগা সলাদ ভাক্তা চাবা মচা অস্তনা খাইদগী কে। থুদম মুংভাইতবা লৈরকত্রবদা চেকশিন্না আঙাগী ঘী থাও য়াওদবা ভল অকংবা নত্রগা চাক খরা হাপচিনবা য়াই। হেক মুংভাইতবা থুদম লাকপদা পুন্নমক খংখং থাদোক্লগা সঙ্গোমদা থকপদা থমজীনবীয়ু। অহুবু অয়াম্বা মতমদা মিপ্রিবা নিয়ম অদি ইল্লবদি মতাং অসিদা চাক, ভল হাপচিনবদা অচুম ফখিবা কয়া য়াওখি। পাঙ্গল লৈরবদি, নঙ্গল, লেংজুম খাং নমবা মানবা থেকপা শান্নবীয়ু। অচুগা শঙ্গোম থকপা মীওইদি অতৈ শাক্তেন ভৌবিগনু। অয়ুক শঙ্গোম থকত্রিবা মতম অচুদা শান্নবিয়ু। শঙ্গোম থকপা থাদোক্লবা মতুংদা খর খর হেনগৎলা বাকিং চৎপা অচুগা হিংনবগী পাঙ্গল হেনগৎনবা খরা হেনগৎপা মওংগী শাক্তেন ভৌবা নত্রগা খর খর হেনগৎপা মওংদা বাকিং চৎপীয়ু। ক্রোনীক ব্রাইটস দিজিজদা কিডনি মরাই ভাবকলে হায়বা খঙলকপদা ভৌবা য়াবা কয়া লৈ।

(ক) কিডনিদা হেন্না থবক পীবা অমসুং কিডনিনা হৈনদবা পোৎশক চাবা থবক থাদোকদবনি।

(খ) ঊশিং মরাং কায়না থকদবনি।

(গ) মীনা চাবা হৌনবা চিজাক হৈ, মনা-মশিং, মহৈ-মরোং, শঙ্গোম চাগদবনি।

(ঘ) হেজিন্না চাশিনবা য়াদে। য়ু, শা, ভা, ঘী থাও, মুশলা অকচা চায়োইদবনি।

(ঙ) চাং নাইথ্রবা মওংগী লমচৎ শেমগৎকনি। মুংশিৎ-মুংশা মরাং কায়না কংবা মফমদা লৈবা ঙমগনি।

(চ) খোড অসি মোংমদা অহুম্রক হায়দোক্কদবনি।

নিয়ম অসিদ ফজনা ইনবদা মসুং মতম চাদনা কিডনি শোকপা, থবক পুবা ঙমদবা কিডম লাকপন্থ লায়না থিংগনি। কিডনি অসি নাবগী খুদম হেক উবদা নিয়ম অসি ফজনা ইনবীরবদি চহি মতম কুইনা অনাবা অসি থিংহনা থমগনি। মসিদনা কিডনিদ অবাব থবক পীরিবদ্র হন্থনা পীহনা কেমথিংগদবা ইন্দ্র অসি কনি।

ইউরিক এসিদ য়াওবা পোৎশক থঙবীয়ু। লাঃ ৩০২ অহুগা নেক্রাইটিজদা পীজগদবা চিজাক লাঃ ১৮৫)।

কিডনিদা নুং লৈবা— মুংঙ্ক্রং মুংকুপ, লৈথোই মকুপকী মতৌগুম ঙীশং চৎপদা য়াওরক্রবদি মুং অচৌবা শেম্লক্রগনি। য়াম্না থীনা কিডনি য়েকপা থিনবা লাকলগনি হায়না থাঙজৌননা ভাকলকপা খুদমনি।

হকী ঙীশিং অসি পাত্র অমদা থমলগা ফমজিল্লবা মতমদা য়েংবদা নাই, ম্যুকস (মপ-ভীলগুম্বা) অহুগা লৈথোই মকুপ য়াওরবদি নুং লৈরে হায়না খঙনগনি। ঙীশিং চৎপ্রগা সায়ী সায়ী, নারি নারি ভৌরবদি নুং লৈরে হায়না খঙনগনি।

নুং অসিনা ইউরেটারদা চৎপা য়াদনা চাউথ্রবদি কিডনিদা লৈবা নুং অহুমা চাউমনহুনা চৎথরকপা ঙমত্রবদি, নুং অহু মুম চাউখৎলকই অহুগা নুং অসিনা লৈবদগী মফম কল্লকপা অময়ুং

নমশিল্লকপদগী কিডনি মশাগকী মকম হোংখি। মসুং অহুনা ইউরেটারদা চৎথরকপা য়াবা মওংদা লৈহুনা য়াদার য়ৌনুবা চথরকপদা মাবক্ত 'রিনেল কোলিক' হায়শিং য়াকব য়েকপা থিনবা কোট। ইউরেটারদা পনহুনা মসুং অহুনা লৈথোকপ্রবদি কিডনিগী হাইথরকপা মরোম অহুদগী হৌহুনা কাকতোকভুনা হায়শি না হেনবা লৈখিগনা য়াদারদা য়োরকপা ওমদে।

কিডনিদা থিনবা, য়েকপনি থাং, চনিং, কোংলৌ, অখিকম য়ৌনা কয়া শাখিনা লাক্লবা ম-১ অমনি। হকচাংগী ভেমপয়েচর হাংদংনি, ওই অমসুং ওনিংই, হমাং অইংবা কাওরকই মুং হানবা য়াদহুনা হানবগী খাওবা ওমদবা মথৈ হুয়মশিংলবস্ত চাকপা মথপগী মুংচাইতবা অমম্ভ পীরি। অনাবা চাকপা খিনবা, য়েকপসি হন হুম লাউনা চাকপওং লাকই—মী অহু জুগ খাওনা বানথৈ অহুগা জ্যাগ খাওন ফয় ফয় ওয়া লৈবতুং লৈথোকাখ। নুং অহু হেক তাখিবদ মুংচাইতবা পুয়মক খাওখি। তেপাইবহু খায়দবনা অনাবা, অচাকপা য়েকপা খায়দনা বৌরকপসু য়াওই। নুং অচোবা চথরকপনা মুংদা ঈ য়াম্রা খাওরকই।

লাইয়েং—য়েকই-থিনীবা অসি হেক কহনবা হায়বসি য়াম্না মুনা থোকই। মরমদি মুং অহুনা ইউরেটারদগী য়াদারদা হেক য়ৌনা চংখিক্লবা মথৈ কারিগুম্বা পোখাবা লৈকম থোক্তে। নুং অসি চৎথরকপদা নাবসি খাওবা য়াবা মওংগী মদা নত্তে।

অহুমা যোকীনথুম্বা মথলগী ত্রপ শিভিরথরোমদা। চৎলিঙু
অহুমা ত্রপ শিফিচহৌরবদি মতুংদা লাকপা মুংচাইতবা য়াই
থর শাফগনি। চনিংদা ঈশিং অঈংবা থোমথমা পোশাহল্লি।
অদুবু মুং হেক চৎখিত্রবা মতৌ থখা পোশাবা শীথহনি, থক
ফহনবা উপায় লৈতে। নুং অসি চাউথনহনা চৎথবা য়াম্নকদি
ওপরেসন নত্তনা ওমথম থোক্তে। ঈশিং য়াম্না থকপা দরকার
ওই। অদুবু দিস্টিল্ড বাটর, নোংগী ঈশিং, সোক্ত বাটর থকপা
য়াইদগী হৈ। নিয়ম অমা ওইনা অঈংবা ঈশিংদগী অশাবা
ঈশিংনা হেন্না থকপা ফই। অশাবা থকপিয়ু, ঈশিং অশাবা থকপদা
ওপ্লি। ওথদা য়ুংদগা মী অখাবনা ঈশিং থকলিংদে। মুংচাই
মুংচাইতনা অম্লম থকচিনবদা পুক অসি ঈশিং থকপনা ঈংথহনবা
মুংচাইনা পোশাবা কংথনবা য়াওই। নুং অসি অমুক্তং লৈরবদি
মথং মথং শুথ লৈবিবিনা, পুক অসি অহেকপা মতাংদা শেংনা কনুবা
লৈহনা অমুক হমা নুং শেমকনবা শেংনা লৈবা তমগনি। অহুমা
মিয়ম নাইনা লৈহনা শাফল, বাকিং চৎহনা অহুগী মথক্তা চাম্বা
চিঙাক অহুনা ফক্তহৌদি পোকথনবা পোৎশকতা য়েংহনা
চাবদি অমুক হৌদে। এন্টিবিনেটিভ দাইট শীহনা থথদগা
মথৌদা হৈ, পঙোম, মমা মশিংনা নমনা শীকহনা লৈরবদি নুং
অমুক পোথকতে। অহুগা চমপ্রা মহী, অসি ঈশিং য়াম অমদা
য়াম্নপা চাক চাগদবা মখাং পুংখাই অমা থাংলিদৌদা শীথহনবদি
নুং মচা মচাদি লোইনবা ঙাবকই। অমুকহ শেম্নকখো
পোকথোকনগী মুংথহ লোখোকপদা তেংবাংই। নদম, পেংখাক

থ্বাং নোইবা-নাববা থেকপদগী খ্বাইদগী কায়বা ফংগদি। মসন চাওখৎনবা হিংবগী থবাবগী পাক্কন চেনগৎহনবা শাক্তেন পুম্নমক খ্বাইদগী কায়গনি। শায়বা, চেন, চোংবা, থ'কিং ফজবা চৎপা মীওইদা লায়না অসি লাক্লোই। ঈফুৎ, পুক্কিগী ঈশিং থকপীগনু। তুপ্লগী বিভিন্ড বাটর, নোংগী ঈশিং খ্বাইদগী ফবা থকুনবা ঈশিংনি

কিডনিগী কেন্সার— কিডনিদা মতুম অমা লেত্তনা লৈরবা অহূপা লোয়নননা থেকপা-থিনবা লাইহৌ লাক্রবা, মদা ঈ য়াওরবদি কিডনি কেন্সার ওইরে হায়না লৌগনি।

লায়রেং— চয়া হেনগনি (নং ২)। য়াম্না লোইবা মী ওইরবদি থয়া কুইনা হেন্নু। ময়াং থীনা কংবা মী ওইরবদি লোংখ-মিনিদা মহেন্নু। মতুংদা চয়া হেনবা হেক তোকপদা শক্লোমদা লৈবীয়ু (নং ১)। শোন্নবদি কমু'দা পোখাহ্ননা শক্লোম থক্তুনা লৈখোকপিয়ু। শক্লোম থকপা হৌজিক্তৈদা অয়ুক পুং ৮দগী শক্লোম থকপা হৌরবদি অয়ুক পুং ৬/৭ তাবদা থ্বাং মরা, থেকপা লেংজুন মজল থেকপা মান্বা তোগনি। অকনবা মী ওইরগা শাক্তেন থয়া, অমুক্তা শক্লোম থকত্রিতৈদা নোংমগী ওইনা শাক্তেন তোহৌগদবনি। অহূপা হথাং তাক্লোকনি।

কিডনি তাত্তথৎপা— কিডনি অসি করিগুম্বা মতমদা মতম হোংনা লৈবা য়াওই। শাক্তেন কমা তৌবা থ্বাং নৈথোকপা থেকতোকপদগী তৌবিবনি। ময়াং কোহ্যকপা, হিংনবগী পাক্কন হন্-মকপা, 'লোয়রবদগী থংতা তাহন্না কেট চেম্না লৌথোকবিবদগী কিডনি অহূ অথাবা কিদা লৌথোকবিবদা যাম্না লৈহৌবগী

মতৌপুম লৈহৌবনি। চনিংগী অহাংবা মকমদা হাইজিন্দুনা লৈখিবনি। অমবা শাক্সেন তৌবদগী হেনবমা থেকখবা, কোম্বোক-কোমশিন্নগী মকম হোংবা অসি পুৱরুবন্দ্ ভগেংবদি মসমগী মপাক্নন হন্থরক-পদগী থোকপনি। অদুগা মসিগা লোয়ননা থরাযগী পাক্নন হন্থরকপদগী থোকপনি হায়বসিমন্থ কাউবা য়াদে। কিন্তনিগী লৈকমসি নাপিবা মী অদুগী কিন্তমদা লে। লেপতুনা লৈবগা নাবদু হিম্নগা কবা য়াওই। লেম্নদা য়ান্দুনা মকম কাইনা লৈবদু হিম্নগা মকম চারপ্ লৈখিবমা নাবা কাওরক্তবনি। অদুনা শুংঙাইতবা কবা অহানবদা কাওরকনি। দুম হকচাং অসি ইকিং কিংবা, ইশুং শুংঙাইতবা, চনিংদা হাইকেং নাবা, মরলদা নাবা কাওরকই। অদুবু মকমদা হেক তাখিবদা অনাবা অমত্তা কাওরক্তে। মকম অসি থংবোং হেক হোংখিবদা হকচাং অসি ধীত্তা লৈবা (লয়বা) ইনবদা চনিং নাবা, থাং নাবা, ওনিংবা, তবা য়াওলোমদা পংথনা নাই, কোক থীনা চিকই। কিন্তনি তাউদুনা লৈবা মীওইশিং অসি হিক্তবিবানা নাবগুম মবিগী লায়না লৈরকই। য়াওগী লবার রিক্তমদা অমম্বুং চনিংদা নাবা, তবা অমম্বুং ওনিংবা হায়বসি কিন্তনি তাওথংপদা লাকই।

লায়য়েংং — মসিগী লায়না অসিদি হিংনবগী পাক্নন থোক্নকপা উৎলকপা নত্তে। চনিং অসি কমথংহনবা শাক্সেন তোঙানবা থবা তৌবা তাই। চৈথল মরুপা থেক অমা কোক-লোন থংবদা থোংলোম থংবা মায়কৈদগী ইকি ১৮ নেমথনা থুমগনি। মাচুতদা মকম হোংখ্রবা কিন্তনি অদু মকম চপ চানা তাবগ্রমনি।

ক্লিভর অসি হিপ্পগা খোঙ অমি হাইগৎতুনা শামবা D শাব-
ঙবা লোংবা থোংগৎকে তৌবা শাখেল কয়া শামহনা চবিংগী
মমুল অমসু কারিবা মপিং-মরাং অড কনখৎহনগদবনি। মরমদি
মকম চপ চানা লৈরিবৈদা হায়বিবা মসল অমসুং মরী-মতাংহ,
মপিং-মরাংহ কনখিনবনগদবনি, যাঙ-নীংহগী শাখেল-মখা, থেকপা
শামগদবনি। অদুগা তুম্বা মতমদা থুরু-থুবক কুপগা খদাংবা
থোম্পাক শোরূগ মতম থর লৈবগু। অদুদগী মুংঙ.ইগদবা
মওংদা চেপখিনবিয়ু। তুমবিরো। পুম্বক অসিদা পোখাবা
য়ামবদি কোক মঙদনা ও খনা বিপঙ্গগা নীং অসি-কনবা খাং-
গৎলগা তুম্বীয়ু। অসিদনা থোঙলোমখংবা কাংথোন অমু
য়াংবা খাংগৎলগ' তুম্বদি থ্রেঙাইতেনবা চিংথহনা কিতনি অমু
মকুম চানা লৈ:খ। য়ামা শাখিত্রবা মওংদা লৈরবা লায়না
অসিনা নাবা থৌদি অমুম কাংথোন মথোং হাইগৎলগা কমুংদা
লৈহন্নবিয়ু। অদুগা শঙ্গোম পিথকতুনা থম্বীয়ু। অমাংবা মথদগী
লাপ্পনা থোংবা অমাবদি চুম্না মপা কগৎনবা মসল অমসুং মরী-
মতাং অমু কনখৎনবা তৌবিগদবনি। অদুনা লোম-থোংতুনা
লমচৎ, চাবা থকপা নিয়ম নাইবকপদা থোইনা তৌরকপোই।
মকম তোংবরা ইঙ্গ্রি অসি মকুমদা লৈহনগে হায়রবদি য়ামা
কনবা শাখেল তৌহনা কিতনি কেট অমু থয়া কাহনহনা ইঙ্গ্রি
খুমখু কাবরা, থারিবা মসল অমসু মরি-মতাং অমু কনখৎহন-
গনি। য়াম্রগদা লৈবদ অদুগা হায়রী মতৌমখ কাবিনহনা
থম্মগনি। অদুগা পোথাবগা শাখেলগা চাক-চানা থমজনা অদুগা

চাবা অমসুং লমচৎ অসিদা পুক্কিং চংহনবা কিডনিদা কিদা থাব-শুম থৈরিবা মকম অমত্তু লোয়নবগনি।

কিডনি চাউথোক-কাকতোকপা— নুংগা ইউরেটাবদা লৈরবা ঈশিং থিংবিবগী কিডনিগী ইউরেটর মচৌম থংবা মরী অমগী হৌনা কিডনি অসি ফুংনা থগা লৈবিহনবা কাকতোক চাউথোকই। ইউরেটার শুপচিনবিবগী নত্রগা কিডনিগী মপান অমসুং মপুংনা মতুম লৈবগী ঈশিং থিংবিবগীসু থোকই।

লাইওং - থবক তৌবমদি লেইনা নুংঙাইতবা ফাওবে। চং লেন মথংগী [illegible] কইবা কিডনিগী মকম অহনবা অনাবা ফাওরকই। হিরিংবা মও অচৌবী মতু ইমা অসুক পোথাবা অসুক নুংঙাইতবা লৌই। অদুগা মাঙ্গা শাথনা লাক্রবদি থী-কস্থা [illegible] অমা চনিংদা মাক ওইনা লেংলগনি। মাকন অমত্তা তৌকক্রবা কাওবা থুমোং থোনবা হৈনি। মতম মাকন অনিমক হুমরাক লেৎ, ওইনা তৌরক্রবদা অহাংবা মশাক্ক, ইউরেমিক পাংজৌ লোক্রগনি। মাং চাক্কি। কিডনি মশামক কায়হনবা মচেৎ মচেৎ তাথিগনি।

লাংগোং— পাড থাহনবা লিংইবগী লৌথোকপা নত্রগা লোকইবা কিডনি অদু লৌথোকপা তাবনি। মাবা চৌকপাহুদি ঈশিং অশাবা কপ্রেশ হাবা [illegible] নত্রগা অশাব অমসুং অঙৌবা কম্প্রেশ ওম ওম ধুনবা পীবা তাবনি। অশাবা ঈশিংদা মিনবা থৌরাং নাকিবা লেপ্পায়রি। য়ু কোফী, চা সুকথক থকপীগদবনি। ঈশিং কাওবা য়াম্না য়ামদনা থকনি। চাৎনা য়াম্না চম্মা লাইনা ভুগা লোৎতা থম্মনা চাগদবনি।

ঈশিং চৎপদা শাবা-য়েকপা হোকম য়ামই। মক ওইনা লৈবা য়াকম অমদি কালেন্দা হুমা' য়াম্না শোৎপা অহূপা ঈশিং অসি নিংথিজনা থক্কৎনা য়াম্না কৃ'শিনাথবা মপাং চাক্কা ওইবমা য়ুং হানবদা নাবনি। অতুনা ঈশিং অসি মরাং কাইনা থক্কবদগী থোকপনি। মোংবদা শাইন্ট ৩/৪ থকদবনি ইউং-রেটার, ব্রদার শাবদগী লাকপ য়াওই। নুং লৈবদগী নম্রপা প্রেস্ত্রেং য়াম্ন চাওথংপদগীসু ঈশিং চৎপদা শাবা অমসুং নাবা চৌকপা লাকই। ব্রাদারদা ভি, বি তৌবা, ব্র দায়দা কেম্সার তৌরবসু অহূপা সুপীদনা অতাং থাও অহূ মকম নাম্বে কুনা লৈরবদি ঈশিং চৎপদা অমাবা অয়ম ফাওই। য়ুং অহূ মপাং চাক্কা ওইবগী য়াকম ওইরবদি ঈশিং অঙ্গংবা অশাবা থয়া ফজনা থক্লগা কত্তবি। ঈশিং অহূ ১০১—১০৩ কাংদা সিজবাথ মিং ৫ দং তৌবসু কাম্মগনি। ডিং ৯৮গী কোয়েন্টেসন মিং ১০ য়াদায়দা পীরবসু নম্রপা এবেমা অহূ ঈশিং লুম্বু লুম্বু শাবনা পীরবসু নীংথিনা পোথাগনি।

য়ুং মনম নমথিবা — কাঁরগুপা পোৎশক অমা পুমথবদা এমোনিয়া লাকই। য়ুং পূমপা এমোনিয়াগী মমম লাকই। কোলোন্দা থোঙহাম্বা য়াদহূনা পুমবা মতমদা য়ুংদা এমোনিয়া ওইনা লাকই।

আলবুমিন— য়ুংদা আলবুমিন য়াওরে থঙলবদি য়ুং অহূ কিডনি অসিদা ঈ পুম্বুনা লৈরে হায়বা তাকই। থোঙ হাম্বা যেড়া তৌবদগী লাকপনি। অহূপা আলবুমিন অসি তত্তনা পুম লাক্লবদি

কিডনি মরাই হায়বনি মায়না থকনগনি। হেনোংবমক্তি এসিদ হেনমন্না লৈবদগী কিডনিগী ফিল্টারশিং অদুবু কাজিন্দুনা থম্লিবা সিমেন্ত অদু শৌদো'ক্কুনা লাক্রবনি হায়না খনগনি।

উরোবিলীন—উরোবিলীন হায়বসি (ব ইল) মপিংথাগী থাইদগী কূপশ্রব শরুক পুমথবগা পোত্রবপা পোংশক্তি। উরোবিলিন অসি খোইরৌন্দা লাকপা অদু চুপশিনবগা অমুক হন্না বাইলদা থাদো-রকপনি। লিভারনা মতৌ অদুম্না থাদোক-থাজিন-ফাজিনবা তঙ্বা চাংদগী হেন্না লক্রবদা ঔদা লাক্লে। ঔদগী য়ুংগা লাকপনি। ওথোরকপন য়াওদকপা বাইল অদু থাবা য়োদে। য়াম্না কুংনা লৈবা বাইল অদুনা খোইরৌদা তারকপা ওথোরকপা অমসুং মা'থোকখিবদা' লায়না পুথোকখিবা তমই। অদুনা কেলোমেন-শুম্বা থাদুনা অমাংবা লৌথোকখিবদা উরোবিলিন পুথোকখিদুনা থূদক্না অম্বাবা মুংজাইতবা কয়া কংইবনি। অদুনা অমুক কংখিজ্রবা কেলো'মেন অসি শিজিদৈ। লিভরদগী উরোবিলীন অসি খোইরৌন্দা হেক তাবদা থুনমক চুপশিনথি। অদুগা বাউরেলদা থাইদগী হেন্না চুপশীল্লী মফম অদুদা পশ-পুমথবা হৌগে। ইলো-কোলিক ভালব কত্রবা মীশক অদুদি খোইরিনলোমদা উরোবিলীন অদু লোইনা হাইগংথি। অদুম্না খোইরৌন্দা হু চেনবা হেনগৎহল্লি।

য়ুং য়েংবা   য়ুংদা করি য়াওই, করি য়াওকম থোকই, করি য়াওরবদি কবা ফত্তবনচিংবা অসি চুম্বগী মীচমনা খঙবা ঙমলোই। করি য়াওই, মনম কমদোই, মচু করম তৌই। পামলে, নুমলে থঙবা তাই অদুগা মপং ওইবা পোংশক কয়াম্বু য়াওই।

চিনি য়াওবা দাইবেটিজ, ইন্ফিকান হায়বদি সনক্ষয় যম্পাঙ্ডও য়াওরগা মাংবা য়াদবদগী লাকপনি। যু'গী মচুদি চক মচুনি। তাই-রবাদি ঈ কংবা, কিডনি সিরো'সস, দাইবেটিস, ফিভরীয়া, ঈশিং য়াম্না থকমনবদগী লাকই।

যু' ঙাঙলবদি ঈ য়াওবে। লাপু মাংংদি বাইল য়াওরে। যু' অসি শক্তোমগুম্না ভোরবদি ফো'সফেটস হাওমনবদগী চৌবনি। নিউরেস্তেনীয়া ভোরবনি। পুম্নমক মফম অসিদা শনবা মফম লৈতে।

যু: ফজনা য়েংলগা অনাবা লৈবে, হেনজিল্লে অমস্লং ফবে ঙায়বা থবা ঙনলে। অনাবগী মথুং য়ে'ঙনবা হ'য়বসি ছোংবা য়ামবনি হায়না' হে শনননি। কুপনা থঙ্ক্রবম চাওবাকপা থরদি থঙকম থোকই। যু' য়ে শিবা মী অহনা যোরমেলদা কয়া লৈকয় 'থাকপগে অহুগ মশাগী লৈরিবনা কয়ানে ভাকপিগদবনি।

ফোসফেটস— নে'ঙমেলদ' গ্রাম ২/৩ লৈগদবনি, কয়া ভাথবে, কঁয়া হেনগংলি হায়বনি থঙমবা হাই মথমদি মীরোনবদা নেফ্রাইটিজ, ফাং চৌকপদা (গাউট) মেলেরীয়া ভোবদা অহুগা থনা মশিংদ চাদুনা লৈবদা ফোসফেটকী চাং হনা লৈহল্লি। অহগা থোং চীংকং চীকেং হাবদা ফোসফেটিক দা-য়েফস অমসুং ভুনমবগী লায়না কযাদা মখীনাব', থোংশম বা, য'ঙলেনগী ভী ন'বদা, শক্ত লানদা ফোসফেটসকী চাং য়াম্না হেনগংলি।

সলফেট— সলাফেট অসি মকোশান মপাং ওইনা লোরবদা গ্রাম অনি ওইগনি। য়াঙ স্নুব কংথরকপা যক্ষারগুম্না লায়নাদা

মখোয় অসি চাং হেনগৎলি। মরমদি আন্দ্রুমিন য়াওবা পোৎশক থুগাইরকপদগী লাকপনি। পাইলোরসতা কেন্সর ভোরবা, দাইবেটিস, লাইরো, নিমোনিয়াদা কোসকেট হেনগৎলি।

ইন্দকান অসি কম্পাউণ্ড সলকরনি। খোইরীনদা পত্থ-পুমথবদগী লাকপনি। মহৌশানা ফিরক্লা মচেৎ মচেৎ মাঙহন্ন-বান। য়ুংদা ইন্দিকান য়াওরবদি খোইরীনদা পত্থ-পুমথহনবা খোকপে হায়রগী থওনাবদা নঙে। ফিরাকশু মতিক চানা থবক ভেঙদে শায়বা ভাকপনি। য়ুংদা ইন্দিকান য়াম্না য়াওবদি চাকথাওদা কেন্সর ভোরে হায়বা তাকপনি। অমগা খোইরীন অসিদা থিংজিনবা মকম অমা লৈরে হায়বা তাকপনি। য়াম্না থোনা পুংদা শাবা কমদা লৈবা, শাদ চাদুনা লৈবা, খোঙ হাম্বা হায়বা, খোইরীনদা পত্থ-পুমথহন্দুনা হু চেনবা অতোপ্পা অবস্থা কয়াদগী ইন্দকাণুবিরা পুরকই।

ওকজালেটস্— ওকজালেটস অসি থুাইদগী হন্দবা চাংদা য়ুপ্না লাকই। মসিবু ফিরাক্লা দিকস্পোজ তৌই। কার্বোহাইড্রেট কাকেস্ত তৌবা মতমদা অহুগা কবার্ব, খামেন অন্টীমবা, ওমবরী, কবি, হিরিং, বৈবোং অহুগা অতোপ্পা হৈ ভাং থয়া অহুগা চা, কফি কোকোয়া থকপা মতুংদা ওকজালেট য়াওরকই। কৃষ্ণৈলগী মওংদা খোরকপা কনাগুমা নুং শেমই, নুং থাম্মী হায়না লৌই। কিডনিদা নুং লৈরে হায়না দ.ইগ্নোসিস তৌবসু য়াওই, মসি অয়াকপনি। অহুমদি ওইরগা কিডনিদা কুইনা লৈহনবদি নুং লৈরে হায়না

[illegible] তৌবগী মাই। অমসুং [illegible] পুরিবা [illegible] অমসুং [illegible] পীবগে। [illegible] চাবগী [illegible]। [illegible], [illegible], [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] অসি [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চানবে।

[illegible] অমশুং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমশুং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

ইউরিয়া - [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমসুং [illegible] ইউরিয়া [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] অমশুং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইউরিয়া [illegible]। [illegible] [illegible] অমশুং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইউরিয়া অসি [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible], [illegible], [illegible] ([illegible] [illegible]) [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] (wasting) [illegible] [illegible] ইউরিয়া [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইউরিয়া [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible], [illegible] অসি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইউরিয়া [illegible] [illegible]।

এন্ডিমপস নিশিঙ, ঐ কংবা, পেরেলাইটিস, মিশিগী হু,
তাং চৌকপা, নিমকটম অমাংবদা, চহী হেনবা শিংবা কয়াদা
ইউরিয়া হয়বা লাকই। ইউরিয়াগী চা' থেংনবগদা অহনা
মপাংগী শরক হেন্না লাকপদা অদি অমিন' নেফ্রাইটিসকী
অক্লবা বিত্তব লেমা ওই। ইউরিয়া পুথোককপা ওংঅবদি
ইউরেমিয়া লাকমি। মতমদি ইউরিয়া পুথোকপা ওমনা থেবদ
মওংনা অতৈ অতোপ্পা ইউরেমিয়া লেম্না মথং ওইবা হু কয়াগী
পুথোকহনবা থেবমগিনি। কুইনাইন থকহনবা চাফিদ্দা ইউরিয়া
পুথোকপা থেংই।

ইউরিক এসিদ – ইউরিক এসিদ অসি শোংহনা প্রাথ
অমরোম-দা পুথোকই, প্রোটিনগী অরোইবা শক্তগী লাকপনি।
ইউরিয়া অমত্তা থিজিন খোমজিনবা লাকহনবদুনা ইউরিক এসিদ্দু
হেন্না পুহনই। ইনফ্লুয়েন্জা-দা অহনা লিউকোসাইটসিস থোকপহনি।
তাং চৌকপদা (gout) হায়বা হেনগৎলা লাকই। মগুণা নত্তবা
বোটক্রাইটিস চাং ওই। ঐ অকংবদা, ডাইবেটিস ইন্সিপিডস,
কিডনি শৌবা মামদা, মিশিগী হূনা, রিকেটতা, স্কর্ভী, কুইনাইন
শিজিন্নবদা ইউরিক এসিদ হেন্না লাকই।

এসেতোন – এসেতোন অসি থুংনা য়াওই হায়বা য়াই।
যাদা চৎলবদি মোম-পেরবগী থবক তৌবা ওমত্রে অমসুং তুমগী
শাদন লাংলে হায়না তাকইবনি। অহনা ক্লোরোফোর্ম এনেস্থেসিয়া,
ডাইবেটিস, বোমিং, কেন্সর মেত্রীক অমসুং মোমপেরবগা
নেফ্রাইটিসতা, ইউরেমিয়াদা লাকই। কার্বোহাইড্রেট অসি হকচাংদা

চঙবদগী ভাধনা চাববদি এসেতোন হেনগৎলি। ডাইবেটিস অসি এসেতোন হেনগৎলক্লবদি খুদোং থীনজাইনি, দাইবেটিস কোমা লাক্লগনি হায়না খঙনগনি। চিঙ্গাক্লা কোক্লবা লাইয়েং পীনা পীনা এসেতোন লাক্লবদি য়াম্না চেকশিনগনি। মসিবু এসেতোন এসিদোসী কৌই। মশা য়াম্লা থীনা নোয়বা মীনা চয়া হেনবদা এসেতোন করিগুম্বা কালদা লাকই।

গ্লাইকোসুরিয়া— চিনি য়াওবা যুং অদু গ্লাইকোসুরিয়া কৌই। চিনি অসি ঈগী শরুক কিশং অমা থোকপগী অমতা ঈদা লৈগদবদু হেনগৎনা লৈরকপদগী যুংদা চিনি লাকপানি। চনাং য়াওবা পোং অমসুং চিনি য়াম্না চামমবদগী অদুগা য়াম্না নোয়বা মীনা চয়া হেল্লগা অদুগা মরি শোনবা লায়না কয়াদা যুংদা চিনি হেনগৎনা লাকই। শোর থিংবদগী ওক্সীজন ঈদা হন্থনা লৈবা, ক্লোরোফোরম অমসুং এনেস্থেসিয়া তৌরুবা মীহু গ্লাইকোসুরিয়া তৌগল্লি। যুংদা শুস্তনা মতম শাংনা চিনি য়াওরবদি দাইবেটিস মেলিটস (চিনিগী ঈশিং পুকচৎ) কৌই। অতোপ্পা লায়না কয়াদসু মতম খরগী ওইনা চিনি লাকই য়াম্নবোঙ পেনক্রিয়াস, ব্রেনগী লায়না, গোইটার, হাপিংকক নিউরেস্থেনীয়া, মেলেংকোলিয়া, ফোফ্রেবস চাশিনখিবা নত্রগা ইঞ্জেকসনচিংবা তৌরম ঈদা লৈখিবা অদুগা চয়া হেনবদগী যুংদা চিনিয়াওরকই।

দাইয়েসেটিক এসিদ— দাইবেতিস তৌবা মীগী যুংদা এসেতোনগা লোয়নননা লাকপনি। মসি লক্লবদি ঈশিং পুকচৎ অদু কনশীল্লে হায়ব তাকই। য়াম্না অম য়াওরক্লবদি শিবা য়াবা

এসিদোসিস লাক্লগনি হায়বা তাকপনি। ওকসিবিউতিরিক এসিদ অসি এসেতোন অমসুং ডাইএসেটিক্কী মথক্তা, য়াওরক্লবদি এসিদোসিস লাকপদা হেন্না খুদোং থীনন্নাই ওইরে খঙনগনি। ডাইয়েসেটিক এসিদতি চন্না হেনবা, লাইহৌ, শা, ঙা চাবা মতমদা, মোর্ফিন কাপ্পা মীশক্তা লাকই।

মাইক্রোসকোপ্তা য়েংবা-- য়ুং অসি এসিদিক ওই। অহুবু আলকালি ওইবস্থ য়াওরকই। মন্থ কূপ্পা য়েংবা তাবনি। ঈ য়াওবা, হুয়াইট সেল য়াওবা, নাই য়াওরকপসি য়াওকম থোক্কবনি। পেংস্না, কিডনিদা নুং লৈবা, ব্লাদারদা, ইউরেটারদা নুং লৈবা, ঈশিং মরিদা কেন্সার তৌবা, কিস্টৈতিস (ব্লাদারদা নাবা, চীকপা) অসিনচিংবদা য়ুং অসি আলকালি ওই। গ্লীচ, গোনোরিয়া, লিউকোরিয়া পাইলিটিজ ইউরেথ্রাদা শুপচীন্থিবা নেফ্রাইটিশ, ব্লাদার অমসুং কিডনিদা কেন্সার তৌবদা (এসিদ ওই)। য়ুংনা এসিদ ওইরবদি শোয়দনা য়ুংদা নাই য়াওরকই। ঈশিংগী লম্বীদা অপোম্বা অমা করিগুম্বদা কায়রবদি য়ুংদা নাই য়াও- রক্লে। যাম্না হেন্না এপিথেলিয়ম য়াওরক্লবদি নেফ্রাইটিস, ব্লাদার নাবে, কিডনিদা নুং লৈরে, ইউরেথ্রা নারে স্কার্লেট ফিভার তৌরে তাকইবনি। য়ুং অসিগী ক্ষিতম হোংপ্লবদি কাস্ত কয়া থোক্লা ঙবা ফংই। করিগুম্বা মতমদা লৈকম থোকপা মতমদা লৈতবসু য়াওই। মফিক মতাংনা চাথোকখিত্লনা থাতহনখিবনি। কিডনি নারে হায়বসি কিডনিগী ত্যুবুলস্‌দগী থোরকপা কাস্ত ময়ামদগী থঙবা ঙমই। ত্যুবুলার শেল, পুজ (নাই) শেল ব্লেড ব্লদ

সেলস, বেক্টিরিয়া, ফেট অমসুং গ্রেন্যুলারযেটার অসি য়ুংদা য়াওয়কই। ফেটনে, গ্রেন্যুলার অমসুং ইপিথেলিয়েল কাস্ত অসিনা মরু ওইবা পোংশক্লি। শাতেক্না কনবা তৌবনা তুংদা লাইহৌ হাইকেং তৌবা মতুংদা হাইয়েলিন (hyaline or fibrinuous) ফিব্রিনস কাস্ত লাকই। দাইবেটিক কোমা লাকত্রিবেদসু য়াম্না য়াওয়কই। নেফ্রাইটিসতসু য়াম্না য়াওরকই। গ্রেন্যুলার কাস্ত অসি কিডনি সেল, ব্লদসেল অমোম্না পোংশক করা পথ-পুমথরকপদগী লাকপা গ্রেন্যুলারগী ওইবা পোংশক হাইয়েলীন কাস্তগী লোবা মিংনি। ক্রোনিক নেফ্রাইটিশকী অরোইবা থাক্তা য়ুংদা লাকই। মখোয় অসি পোরবা অতুগা য়ুশিন্নবদি কস্তবা হেন্নবনি।

এপিথেলিয়েল কাস্ত— এপিথেলিয়েল কাস্ত অসি ট্যুবুলদগী লাকপা সেল অশিবা পকপা হাইয়েলিন কাস্তনি। তোক্সীন অমসুং নেফ্রাইটিসনা নাবদগীদা পুনবদগী, অমসুং ইমুং মুংতাইতবা অমা পীরকপা অতুদগী লাকপনি।

ফেটি কাস্ত – কিডনিগী ট্যুবুলদগী ইপিথেলিয়েল সেলদা থীবা শোক্লকপগী অহোংবা অমা লাকপদগী থোক্লকপনি, তশেংবদি কিডনিনা মথাও ওন্থোরকপা হায়বদি ফেট থাক্ত ওংশিন্নকপদগী নত্রগা নেফ্রাইটিশতগী লাকপনি।

ব্লদ কাস্ত— য়ুংদা ঈ লাকপদি কিডনিদা ঈ থোকপা, কেন্সার, ঈ পুনবা, এম্বোলিজম, কিডনিগী নুং, অমসুং নেফ্রাইটিশতা লাকপনি।

নাই - কীডনিদা পোম্বা মতমদা কায়রগা নাই থোরকপদা মুংদা য়াওরকপনি।

অমিলোইদ— অমিলোইদ হায়বদি খোইরগুম্বা কান্ত অহু কিডনি কম্না নাত্থনা লৈবদগী পোক্লকপনি।

সাইলিনড্রোইড্‌স বাস্তভগী হেন্না পাথবা অমসুং হেন্না পাকথোকপা কাস্ত অমনি। মখোয়গী শাক্লিবা পোংশাক্ত য়্যাকসনি। থোইদোকপ মূংঙাইতব মথলগী থুদম নক্তে, কিডনি অসি হৈনবা মওংদা মূংঙাইহল্লে তাকপনি।

কিডনি হায়বসি থবাইপূব ইল্লগী মমূংদা অমনি। "কিডনি অংল ওইবকপগা লোয়ননা মীশু অংন ওইরকই।" কিডনি অসিনা নৌরিতৈনদি মানা পূবা ওম্বা থবকগী য়াম্না হেন্না তৌবা ওমই। চহি শুম য়ামথংলকপগা লোয়ননা মখোয়না পুথোকলৌরিবা কস্তচৌদি অহু য়াম্না লৈরকপনা শোক্লকই। মরাই ভারকই। কিডনিগী থবক তৌবা ওম্না পাজল অহুগী অহুমগী অমদগী তাথনা পাজল হন্দরক্লবদি কিডনিনা পুথোকলৌরিবা চু চেনবা পোংশকশিং অহু পৈশিন-পৈশিন্দুনা লৈবনা মপুন্সি অহু থুনমক লোইশিনখিবা তাবনি।

ঊগী মহৌ লাওবগী শরুক শাক্ষা অহু নোংমদা ৬০ রক হম্না শুদোক চামথোক্লিবনি হায়বসি অমুকস্থ হম্না হায়জনিংই। পুং ২৪ গী মপুংদা কাটস চাবা মরিফুগী ঊ শেংদোকই। হকচাংদা লৈরিবা ঊ পুম্নমক অসি মিঃ ৫ গী মমূংদা কিডনি অনিগী ফিল্টার থিলিয়ন মরিদা চুমথোকই। ঊ অনিগী ৯৯% অমুক হম্না

ঈচেন্দা থাজোল্লি। শুপ্রগী ঈশিং কাট ১½ না ফত্তহৌদি অহু চুপশিল্লী অহুগা য়ুং ওইবা নোংমদা পুথোরকই।

হকচাংগী যেত্তাবশিজমদগী লাকপা ফত্তহৌদি অহু কিডনিনা লোথোকাখি। ঈশিং অমসুং থিনয়েনগী হকচাংদা লৈফম থোকপা চাং অহু করিগুম্বা মওংদা কায়দনা চানবা নিয়ম অমগী মথাদা কিডনিনা পাঙথোকই। থুম আউন্স অমা ঈদা লৈপ্রবদি ঈশিং আঃ ১০০দগী ১২০ করিগুম্বা মওং অমদা অফংবা ঈশিং থোমজিন্দুনা থমদবা য়াদে। অহুগুম্মা চনাং য়াওবা পোং পাউণ্ড অমা চারবদি ঈশিং পাউণ্ড ২ দগী ৩ কাওবা হকচাংদা মওং অমমগী অমদগী ওইরো থমদবা ইয়া য়াদে। মাসি কিডনিদনা য়েংজবা অমসুং পাঙথোকচবনি।

কিডনিদা ঈ চেনবা— কিডনিগী ঈ চেনথোক-চেনশিনকরম তৌবগে হায়রবসি মুখা থঙকম থোকই। মীওইবগী হকচাং অসিদি অহিংবা ইথ্রিম্নী। কিডনিগী আর্টরী অসি থাওটাগী মশানি। কিডনিগী মনুংদা হেক চঙলকপদা মশা মচা মচা থাইদোক্কুনা চেল্লগা কোইনা। কিডনিগী শরুক কয়াদা ঈ পী। মহুদগী অমুক পীকথবা মশা কয়া থোক্না থাইদোক্লগা মথৈদা কেণ্টীলাক্লি মচা মপৈ অনিথোক্না লোইশিনি। মপৈ অমনা কিডনিগী অকুৎপা মফমদা কেপস্থলদা পুম্না-পুম্না লৈ অমগা অতোপ্পা মপৈনা কোনস্টীনবা অমসুং চুমজিং চুম্বা ভুম্বুলস কয়া ওইনা শেম্লকই। অসিগুম্বা অপীকপা কেপিলারীশিং অসিদগী অপীকপা ভেন কয়াদা শমজিনম্বনা ঈ চেল্লী। মতুংদা পেরাথিদকী

মরক্তগী কুমথরক্কুনা রিমেল ভেন ওইনা শেম্নকই। অদুদা চেম্নকই যাওরকইবা পোৎশক পুম্নমক ভেণাক্লাভা কোবা খ্বাইদগী চাওবা ভেনদা লাকই। কিডনিদা ঐ চেস্বাক-চেনশিন ভোবসি খ্বাইদগী চাউবা আর্টরীদগী হৌরগা খ্বাইদগী চাউবা ভেনদা লোইবনি। হকচাং মমুংদা পোকপা ফক্ত-হৌদিশিং অসি হকচাংগী বাংমদা পুখোবক্তি.বা মতম অদুগী মমাংদা মওং কয়া থোক্লা চৎলি। হকচাংগী ভোংশা মচেৎ অমা হকচাংগী করিগুম্বা মকম অমদগী কায়রকপদা মচেৎ অদু ঈদা চূপশিল্লগা লিভর তাম্না পুরকই। মফম অদুদা পোৎশক্ত হোংদোক্কুনা পুথগ্লগা কিডনিদা ঈদগী চুম-থোকখি। চুমথোকখ্রিবা, ভেন অসিদা য়াওবা পোশকসি ইউরিয়ানা মরূনি। এনিমেল মেমব্রেন অমনা হায়রবদি অপাবা উমশা অমনা মতী লাওবা পোৎশক্ত থন্দুনা থম্লবদি মপাং মথৈ লৈহৌরগা অপাবা শরুক অদুমথৈ হেম্না পাবা ঈশিংলোমদা লাকই। মসিবু ওসমোসিস কৌই। অদুবা অপাবা মপ্রামনা (Thin wall) or (thin animal membrane) অদুদা মপাং মথৈ থনম্লগা পাথ-রকপা মথিগী শকক মথৈ লাকই। মসিবু য়ুং কৌই। অদুম্না কিডনিদা ফক্ত হৌদি লোথোরকপদ নত্তনা কিডনিনা হকচাংদা লৈরিবা মিনরেল অমসুং ঈশিংগী চাং অসি কায়দবা নিয়ম অমগী মথাদা থম্না ওমই। লাঃ ৪১৮ দা "হকচাংদা ঈশিংগী চাং" মতাং অসিগী লোইননা পাবিয়ু। কিডনিগা খ্বাইদগী পরুদবদি থুমনি। ফক্ত হৌদি ঈদা লৈবদু হেনমল্লগা ঈশিং নত্রবদি লোথোকপা উমদে; ঈশিংদি শর হোনবদা মনিল ওইনা চৎখ্রিবসি

যোক্‌খিবা ঈশিং পুম্নমক্কী ২০° নি। অমা'থদা ঈশিং য়াওই, হয়'ংদা ঈশিং য়ায়া চংখি, মুং ওইনম্ন চংখি অতুনা ঈশিং হেক থাংগদা খোৱাংই। ওবা, দাইরিয়া, ফিভরদা ঈশিং মাওখি। হকচাংদা লৈরিবা ঈশিংসি হকচাংগী পুম্নমক ৬৫% — নি অথাংবা ৬৬২ নি। মসিগী পুম্নমক ঈদা লুপ্তনা লৈবান অমসুং ঈশিং মপু'থদা থবক তৌবনি। ঈশিং হেক থাংগদা থবক তৌবা ঙমদ্রে। মসিগী শিবা তাবনি। ঈশিংগী চাং অসি ওক্লবা কিডনিদনা থমইবনি। মোংথদা থুম অসি গ্রেন ২০/৩০ চেপ্পা শিন্দিনবা য়াই হায়। অদুবু অরুব ৪/৫ হেন্না শীন্দিরে। মতৌ-মথোং মনা মশিং থুম থাক্লগা হাওবা হেন্নী। মীওইবা পুম্নমক অীব কয়া, শল, শক্তি থুম পাথদবা য়াওদে।

মসিদি থখীবো, থুম হায়বদি সোদিয়ম ক্লোরাইদ হায়বসি হকচাংগী থবক মথন কয়াদা মরু ওইবা থবক পুই। হাটকী মিহন হনবগী থবক্কী পাজল, মরীগী পাজলগী ওইবা চৎন কাওবদা (transmission of nerve impulses) হেৎমৈন থোকহনবদা সোদিয়মগী থবক চংই। থুম কয়া চংগনি হায়বা কিডনিনা লেপ্পী। চংগদবা ওক্লবা থম্নগা অহেনবা পুথোকখি। নিত্তিগী থুমগী চাং অসি ওসিন্দ্র ওয়াংম্র য়েংবদা ঈদা চপ মামনা লৈ, হোংদে। মরমদি থুম অয়াম্বা ঈদা লাকপদা মেক্রোনগী অকুপ্পা কেশিলারিদা ফাওহনা চংলি অদুগা ত্রাবুল্যাল্ মৌখি। "ত্রাবুল্যাল্ অসিনা য়াম্বা হৈ-শিংবা সোদি-য়মগী পাম্প" অমদা লানথীন্দুনা ঈগী মহৌলাওবা শরুক প্লাজমাদা

অমম্বুং সেলগী মরক্তা কাবল্লা থাজীন্দুনা চপ, চানা ওক্লবা থমই। অরেম্বা লিংথিনা পুখোকখি। থিডনিনা ওকপবা চাং অসি থমই। এম্মিবেলদা খোকপা অলদোস্তরোননা মরু ওইনা হোমোন কয়া যাওরি। হোমোনশিং অসিনা থুম অমুক হল্লা চুপশিনবদা মহেং পী। এল্লুংলদা লেবা দ'না অলদোস্তরোন লোকল্লুনা থুম পৈশিল্লুনা হংগা তাই ব্লদ প্রেসার হৌহল্লি। হেণীন কৌবা হোমোন অমা কিডনি মশামকপু থাকহল্লগা এতীও ওেন্‌সন কৌবা হোমোন অমা লোকহল্লুনা অলদোস্তরোন অমুক হেনগৎনা থোকহল্লি।

তাই ব্লদ প্রেসার তাম্ববাসি কয়'দানা খোইকপ'গ তাযবগী থিগৎনবদা সাইন্টিস্ত কয়া ম.কাক চাওহ'ল্ল। মীওইগী মপুংদা অ'শংবা মী কয়ানা অশিংবা সযাজনা মানবদা. মতম কয়াদগী খদঙ উনবকপদগী কংলকপা জ্জানা ভাকপা মতু ইম্ম থুম লেপ্পা শিজিন্নবা তমই। থুমগী মহুক্তা শিজিন্নপদবা চৈহ-মরোংনা মশিং অমম্বুং হৈদা হকচাংগী ওক্লনবা সোনিম্বম য়াওরি। মতুংনা সোদিংমল্ল নত্তুমা অহোম্ন' কেলসিয়ম কোংকোংস, অাইরন কাওবা যংগনবা তমই। অহুগা ঈাশং মরাং কাযনা থক্লুনা কিডনি ফজনা শেংদোকনি। ইস্ত্র অসি পুন্সি অমা ফজনা শাজিন্নহুন মতম-কুইনা পুন্সিবিম্ - নহা ওইন লৈবিম্ন কিডনি অহল ওইরক-বদি মী অহুনু লোয়দনা অদল ওইরে

শিংপ্রবা 'মাস্তার কেমিস্ত' অসিনা হকচাংদা ওক্লবা ঈশিং থমই, হকচাংদা ওক্লবা থুম অাং পুম্মকপু থমই। অহেনবা থুম

অমসুং ঊশিং লোৎথোরকই। ইন্দ্রি অসি শোয়রবদি অতৈ উপায় লৈতে। দায়েসিস্ হায়বদি খুংলেমগী বিভা- হাপ্পা ভাইবাদ চহিদা লুপা লিশিং ৫০ দগী লাখ ১/২ ফাওবা চংই।

লিভর — চাবা-থকপা লানবদগী লিভরগী লায়না লাকই। মী মী অহুনা লৈরিবা মওং-মতৌ অহুনা মশাগী ঐ অসি যোং-হনুবা ফত্ত হৌদিনা থলহনপ্রগা ইন্দ্রি অসদা অরাবা পীরকপনি।

মী অ'স খুদক্তা শিবা য়াবা মওং কয়াদগী কনবিবগীদমক লিভরদা ঐখোয় মীওই খুদিংমক লমন তোপ্লিবনি। মিশি য়াওবা ঈশিং হেক থকপদা নক্রগা অশংবা কায়বা কোরিগী হু য়াওবা মদশ অমসুং অবেৎপা, আচার চাবদা পুম্নমক লমা পাবা তম্না লিভর (ফিরাক) অসিনা মশাগী মশিংথা (bile) না য়োমশিন্দুনা মাঙহল্লি। মাঙকনবা ভমথবা অরেম্বা অহুনা মশামক্তা সেলদা থৈদুনা থমজিল্লে। মতৌ অসুম্না থমত্রনা ঈচেন্দা হু অহু য়াওহন্দে। হার্ট, লংস অমসুং কিডনি হেক য়োৎবদা, থরাই থাগদবহু কল্লি। মেটেলিক পোইজনিং তোংগ হায়ববদি লিভর অসি শাথিনা শোকহল্লে হায়বা থওনগনি। অহুগা অতোপ্পা ইন্দ্রি কয়াদি কনবিরে (save) হায়বসু তাক্লি।

মু হেক থকপা, চুরুপ হেক থকপদা, কানি হেক চাবদা মী অহু হেক্তা শিগদবনি। অহুবু লিভরদনা মখোয়বু কনবিবনি। চা, কোফী অসি ইন্দ্রি অসিবু মতম চাদনা বেমহনবা পোৎশক্নি। অতগুম্না হজার মরু, মোরোক, মরু-মরাঙ ভাইনেগর অহুপা তল শাবদা শিজিন্নরিবা কেমিকেলগী পোৎশক ময়াম অসি লিভর

শোকহনবা পোংশকনি। অবস্থদা চৎনিংঙবদি মথকী পোংশকশিং অসি থাদোকপিরে। লিভর থায়বসি হকচাংগী মন্নুংদা থাইদগী চাউবা গ্রেন্দ অমনি। অদুগা থাইদগী থবক মথন থাম্না তৌবা ইন্দ্রি অমনি : মশিংবা শেমই। পেনক্রিয়াটিক জুইস অমু থবক তৌহন্নুনা চুমগী থবক্তা মতেং পী। অদুনা কেট পুম্নমক মেম্বেন্সা লৌশিনখিবদি থাদনা মহী অমদা ওন্থোক্নুনা থম্বা ওমই। অদুগা লৌশিনবা ওম্বা হোংনবি। (1)

থাইদনা হকচাংদগী আলকালিদগী পোক্লকপা কত্তহৌদি, হু অমস্থং মতৌপা ওইনা তোংশাদগী থোরকপা ঈ ওম্বা হু চেনবা শরুক অমু থোরকই থাইদনা কম শন্দোকপা থিংই। অদুগা তোকসিন্ ওদনবা থিংই। ভর্মগী হুহু মাঙংলি। চিনি কাং কাংডগী গ্লাইকোজন্ শেম্নগা লিভরদা লৌহনা থমই।

কীরাক্লা গ্লাইকোজন অমস্থং মথাই পানবা শাডাদগী লৌবা চনাংগী শরুক অমু চিনি ওদনগা হকচাংদা চঙবা থাক (fuel) অমস্থং তোংশাদা চঙবা চিনি পী। কীরাক্লা অহেনবা প্রোটিনসু ইউরিয়া ওন্থোকই। লিভরনা হু চুপশিল্লি।

---

(1) Enulsification—Colloidal suspension of one liquid in another Colloid a substance a state in which, though apparently dissolved it cannot pass through a membrane, a substance that readily assumes this state.

কীরাক্লা হু থাডহল্লি নত্রগা হুহ হু ওইহল্লে। মী অহ হিংজবা অমসুং মশা কনবদা চঙবা হোর্মোন্ অমসুং কার্মেন্টস (মহুংদা লেংচুনা হৌহনবা পোৎশক — উত্তোংডা, হয়াইচার হৌবগুম্বা হৌহনবা যানবা পোৎশক) শেমই।

লিভর নাবে হায়বা করম থঙ্গনি— লিভরগী থোইদোকপা থবক অমনা লেভুলস কত্রগা ক্র্যাক্তোস কৌবা চিনিয় দোক্লাসদা ওহোকপনি। লিভর মথাগক নাবমি থবক অমিসি তোঁগ ঙমলক্তে। চাংয়েং অসিদা লেভুলস অাইক্স ৩/৪ উলিংদা মৈথাইরপা থকপীয়। মতুংদা যুং অহ তোইরপ য়েংবদা লেভুলস মাওরবদি লিভর মথাগক নাবে হায়বা শোংমজে চায়ন' লৌপনি।

একুট লিভর ডিজিজেস: কাজেসন, ইনফ্লেমেসন, এটি কী অমসুং এবসেস্।

লিভর এবসেস সুপারেটিভ হেপাটাইটিস: মসিদি শুপ্রগী ইতোম কায়বা মতুংদা লাকপা লায়না অমনি। পঙনা নাবে। মসিগী লিভরগী মপানগী মথক থংবা কুযোম অহুমা নাথনি। অমহ্ চাকথাও থোইমোন অমসুং থবোম্বা চৌনা শাংদোক্ক কন্দোক্লা লৈবা মপানগী কুমোমনি। লায়না অসিগী লাইওংদি লিভর মথংক্লা নাবা, নজন অমসু' য়েংবী পাথোম মক্লা নাবা কাওরকই। কীরাক্ অসি চাউখৎলি থোংলি অঙগা মাপূ কাবা হৌরকই। মতম নাইদবা লাঙৌবো ল কই, মীংথম চল্লি, হুগাং থোকচ, নাই চারকপগী থূদম কাওরকই। লেংকথুগা হৌরকই। অহুমগী থকচাং কংথরকই। মাই চাহুমা অপোৎবা অহু কায়রবদি

মথং-দা নাই পোৱকই। শিগন্নি। কায়ৱৰদি মতুমা থৱোম্বী-ৱোমদা লোক পুদোকপদা নাই অহু লোক ওইনা য়াওৰকুনা অনাবা অত্ থুনা কবা য়াওই। নাপু কাহুনা নায়ৰবগী মতুংদা এবসেস অসি লাকপনি।

এব্রোফী:— (নাপু কাবা) হম্মা শাথিবা মওংগী লায়নানি লিভৰগী সেল থুনমক মাডথৰকুনা ইন্দ্রি অসি মশা পীকশিন্নৰকপা অমসুং থৱক তেবগী পাম্নল হম্বৰকপা লায়নানি। য়ু থৰকুনা লিভৰ অসি মতম কুইনা মাডন-তাকুবা ওইনা লেপনা চপৰকুনা কুইনা ইন্দ্রি অসি নাহন্দুনা লৰকপগী লাকপা লায়নানি। অহুগা লাইকৌ অমসুং তেংমেন পেইন্ডনি তৌবদগী মশা য়াইশ দবীশিংদা কৰিগুম্বা কালদা লায়নাসিনা নাবা য়াওই। অহবু কে কমদি ঈদা মতম কুইনা হু চাইহুনা লৈবদগী লাকপনি। লমচং শাজং কজদবা, চাং নাইদবগী হু চাইৰকপা অহুগা কন্ত-কে দি পোকপা অহনা এপিমিনেটিক ওর্গেন পুম্নমক্তা পোক্রকই অমসুং পথ-পুমথহন্নকই। (এপেতাকি) অথুবা লায়নানি। মতুংদা শবি লাকপা য়াবগে থনবা ওমদে।

লিভৰ কঞ্জেসন – (হাইপারেমিয়া)। একুটে হাইপা-ৰেমিয়া অসিদি কার্বোহাইড্রেং হেন্না চাশিনবা অমসুং মন্নাই কাবা মহৌ থকমনবদগী লাকপনি অহুগা অশাবা ক্লাইমেট অহুগা ডাইকোইড, হার্লেট ফিভৰগুম্বা মহৌক-মনাইনা পোকপা লাই-হোৌদগী লাকপনি।

লাইওংনা- চাক লামদবা, লৈ সলেবান কাবা, কোক চীকপা, ওবা, ওনীক্লবা, লাইহৌ, মা'বা য়াদবা, ডাইরিয়া (অশংবা অমাংবা), য়ু ডা শং শাওবা, খজিক্কুং মহানবা অসিনি।

পেসিভ হাইপারেমিয়া কায়বা অমা লৈ। মতুনা ঐ সার-কুলেসন কায়কনবদগী থোকপনি। মসিদা ভালবুলার হার্ট দিজিজ, লং'স নাবা, ল সগী কুপশীনবা মথক্কী বুয়োম প্লুরা দা নাবা, ভেন'কাভা'দা থীপ্পু বা অসিদগী লাকই। খুদমনা পোক্কফলিবা লায়না অহংগী খুদমগা লোংনগনি।

লিভরদা না'বা (ইনফ্লেমেসন) হেপাটাইটিস খংকৈদি ঐদা পে'কচ• ম•বদগী ল'কপা লা'য়নানি। ঐদগী হু অহু মাঙ্কনবা থবক অসি ক্রিয়াকী মথে নি কায়বসি কা'বীংমু। থবক শৃমনবা, চাকয়'ম-শায়'ম্ চাশীনবা, ঘী, গাউ, অফাও অথুম চাবা, য়ু থকমনবা ম'বা য়াদবা, অসিনা লিভরদা অনাবা পীরকই। লমচং পুক্নমক অসিনা অফানবদা লাইকৌ তেহ'ল্লি। মতুদা লিভরদা অনা'বা ক'ওরকুনা অনাবা অহু শা'হিনা অরাবা পী।

খুদমচি অনী থোক্লা লাকই : অচ'নবদা জানডিস অমসুং তেং'য়না ওরকই। মুমিং মঙানিয়োম অংম্লা লগনি। মঙদা য়াম্না কয়া কোক চীরকই, মসল লৈথংপঙুম চীরকই : ওহনতা লৈ নাপু কাবা, ন'পু ফায়বা হেল্লকই। উনশাদা অমসুং গাউ থোকপা মপ্রামদা ঐ থর পোকপা হৈরকই, চোইরোন, য়াওচিবা, ফংগ মাঙবা লাকই। মীহুন খুজিংলি লৈ-য়া কই। চৈশবেচক্কং চোংহুনা লগনি গংলোইদবা লেরবদি মঙদা

টেম্পরেচর হেনগৎলি। অদুম্মা মুমিৎ ২ দগী ৭ নি লৈগনি। মুংলা থাইদা য়াওরকই অদুগা য়াম্না চহনা ঈশিং চৎলি। মায়বা য়াগদে অদুগা অমাংবদা ঈ থর য়েস্তুনা য়াওই, য়াম্না নবপি।

ক্রোনিক লিভর ডিজিজ — লিভরগী কেন্সার অসি থাইদগী শাথিবা লায়নানি। কেন্সার তোবগী খুদম পুম্নমক্তা মথক্তা থাইদা হেম্না লাকপা, ওবা, ওমীংবা অসিদগী হেম্না লিভর লৈফম অহুদা (লিভরদা) য়াম্না নাবা কাওরকই। খ্বাঙগী মথক ওৎয়ম্না নাবা অংসুং চকশন কাওবা নাবদু কয়িওনা কালদা য়োঁরকই। লিভর নায়বা হায়বা নীংথিজনা থডাক্লিডোনা লায়না অসি লেম্না লূনা থোকই। হকচাং সুম মথাই তারকপা (ইমাসিয়েসন) য়াম্না মশা কন্তনা ডরকপ, উনপা নাপু কায়কপা, অয়াম্বা মাডুথিবা, ঈশিং য়াম্না খোঁবাংবা হায়বদি 'লিভরিস' ওইরক্লগসি, লিভর কেন্সার তোরে হায়বা থডনৈ।

সিরোসিস, ওফ লিভর — এট্রোফিক মম্নপা কংশিন্নবা লিভর হায়বনি। লিভরগী সেলশিং অহু মু থকথনবদগী কনশীনখিহনা কংশিন্নক্লগা মওংনি। সুপচীন খুঙজিনখিহনা পীশক পীকথহনন্নবনি। লায়না মশক হেক্তা লায়না থডবা ওমই। অনাবা অসি নাপু কাবা, থাইনসনেস, অহুগা পুক অমসুং থোইরিদ, থাক্ত থোকপা, অডুগা চনীংদা ঈশিংনা পোমথংপা (ড্রপসি) লাকই। উনশা কংশিন্নি, চাক লামদে পুক্তা হেক লৈখিবমথে ওথোয়কনি, ঈশু য়াওরকনি। লাইবৌ, মবৈদা, অযোইবদা চোইয়োন, অান থাডবা লাকই।

ফেটি ডিজেনেরেসন— নোয়বংলবদি লিভরসু হাটকী মতৌগুম্না মশাখক্তা অমসুং মানা তৌবা থবক্তা খোঙলোই। থুদমদি নোয়বংগা পুম্নমক্তা পীরকপা মুংভাইগুবা অহুনি। লেপ্তবা খোংপদা অকা-অপুনগুম্না মওং অমা তৌরকই। অমাংবা মচু ভাইকেৎ ভাইরকই। চানীংবা, অয়াম্বা পোক্তেকওয় হি, য়েৎ থংবা পুক্নী নাকন চায়বদি লিভরদা মাবা কাওরকই। চিনি চাবনবা অমসুং চিনি ওন্বা পোৎ হেন্না চাশিনবদগী লাকপা লায়নানি।

হোবনেল লিভর— সিরোসিস ওফ লিভর তৌবদগী লাকপা লায়নানি। অপীকপা, অপাকপা মতুম অমা লিভরদা নান্থদা থেংনৈ। মচু হোবনেলগী মপোক্পুম্বা থেংনগনি। হৌকখ্রসু থুদমসু, লায়য়েংসু সিরোসিসক্না মান্নৈ।

লায়য়েং — লিভরনা নাবা লায়না অয়াম্বা পীরিবা লায়য়েং অসিগা মায়না য়েংবা য়াগনি। অনাবা অসিগী থুদম হেক্ক ফংবদা শাংখঙ্শিংবা নায়কপা নক্রগা হৌজিক হৌজিক নায়কপা ওইরবসু নং ৩গুবা চয়া মহেনদা থঙ্গীয়ু। চন্দ্রা মচী ঈশিং অশাবদা য়াম্নুনা থকদবনি। চন্দ্রা অচৌবা ওইরবদি ঈশিং গ্লাস ৩দা চন্দ্রা ভখাই অমগী মচীদং মথ্যানবীয়ু। ঈশিং অশাবা অহুনা পুকসু খোইরীনগী অচোবা শরুক অহু ফজনা চায়থোকখিগনি। ওনীংবা অমসুং ওবচু কহমখিগনি। ওয়বসু কুইনা ওয়রোই। নিতিগী এনেমা ফজনা তৌবিয়ু। নিতিগী ঈশিং অশাবা নক্রগা সুসু-সুসু শাবা ঈশিংনা চনীংদা পেক তৌবিয়ু।

লাইহৌ লৈরগা ঈশিং অঙৌবা চনীংদা থোন্বীয়ু। মীছুৎথোং থাংদোকপীয়ু। কমুংদা সুংথাইনা পম্বীবনা কৈ।

অমুম্বা থোইরীন অহু পেংদোকপ্রবদি অহুগা ঈদগী তোকসীন পেংদোকপ্রবদি লিতরদা নাবা চৌকপহু মাওথিগনি। খুদম সুংওাইতবশিংহু হেক মাওথিবগ। চরা হেনবা অহু তোকদবনি। কমলা মরীদা থক্কুনা নোংম লৈথোকর্ন, মতুংগী সুমিত্তা কমলা মপূম চাহনা সুমিং অতমস্তু লেন-থাকর্ন। নোংমদা অয়ুকী পুং ৮দগী সুমিদাংগী পুং ৮ ফাওবদা কমলা ৬ চাবা যাই। চরা হেনবা মতুংদা চাক য়াম্না চাশিনবা য়াদে। চাক অনিগী মরক্তা ঈশিং য়াম্ন থকদবনি। চনাংগী পেক তোক্রবা মতুংদা টব্ অনিদা সিত-বাথ্ অশাবা অমমুং অঙৌবা ওম্র-ওম্র তোপ-দবনি। অয়ুক মত্রগা সুমিদাংবাইদা তৌবা যাই। চয়োল অনিরোম তৌবিয়ু। মতুংদা হিংমবগী পাজল হেনগৎনবা শাজেল কয়া লৌথংপিয়ু। ক্রোনীক ওইরবদি চরা হেনবা, চিজ্জাক অকক্লবা, মেদুয়েল ট্রীটমেন্ট লৌথংপীয়ু। ফিংনা, য়াম্না কনখৎপা শাজেল লৌথংপীয়ু। য়াম্না পেংন্নবদি য়াওদা হিগা ঈশিং অশাবনা অয়ুক খুদিংগী য়োবয়ু। সুংদাংদা ঈশিং অশাবা চনীংদা থোমবীয়ু। কনখৎলক্লবদি শাজেল অরায়বা কয়া তৌ-হনবা য়াই। বাকিং তপনা হোয়গা চৎপীবা য়াই। অহুগা এবসেস্ তৌবা লায়নাদদি বাকিং চৎপা য়াদে। হকচাংদা সুংশিং লৈহনবা, সুংশা য়াইবা,নম্বা-নান্বা তৌবিয়ু।

লিভর এবসেস.— লিভর পোয়রবদি বাকিং চৎপা য়াদে। মসিগা লোয়ননা হিংনবগী পাজল কেংনবা কুটিল অমা, মুংশিং নৈতনবা খুদৈনা তক্তুনা ইকুনবা, মুংশা য়াইবা, খোয় শায়বনচিংবা হকচাং কগংনবা মতেং কয়া লৌখৎকনি। নাপু কাহুনা (acute yellow atrophy) নাবা অমসুং লিভর পোয়বদা চাবা থিংগদবনি। ঔশিং গ্রাম ৫/৬ থকচীনগা খুং খৌনাওদা থিংথিজনুনা লোইনবা ওখোক্তুনা পুক অসি লেংলোকদবনি। অশাবা ঔশিংমা এনেমা কোইনা খোঙ হাপ য়াদবা নৈতৌরোইদবনি। অহুগা অনাবা অসি মরুম ধরদা পোথাংনা নৈতনগদবনি। য়াম্না কেমা লায়য়েংবা য়াদে। য়াম্না চোকৎগনবা লেংগনকপা লায়নানি। হোট ব্রাংকেট পেক শীনুনা হুমাং য়াম্না খোকৎনগদবনি। কোকতা অইংবা ঔশিংগী থুদৈ মচা অমা খেংখীগন অগনি। পেক কেক লোইরগা ঔশিং অইংবগী লেংতবাদ লৌগদবনি। অসিদগী হেনবা কৌবিগনু। মুংশিং অখেংবদা থম্মীনু। মীহুংখোঙ হাংদোকপীনু। অশিংগুবা ড্রিংক' হোট ব্রাংকেট পেকবা মহুত ঔশিং অশাবা চমীংদা থোম্মীনু। লাইতৌ নৈমবা মঙ্গুংদা ঔ খোকলে হায়রম্বু খল্লবদি ঔশিং অশাবগী মহুত্তা অইংবা কি লোম্মীনু। মং থিংবা মরমগা হকচাং খেকৎলবদি ঔশিং অশাবগী পেক ০ম্নগা অশাবা ঔশিংদা লুপ্তুনা নৈবা (Hot immersion bath) লৌথিনু। ঔশিংগী শায়রেংদি লোংবদা অমুক্তগী হেনবীগনি। য়াম্না শোকবা অহুগা শংথবিগদৌরে হায়না চিংনববদি ঔশিং অশাবা অমসুং অইংবগী য়াওদা কম্প্রেশ ওম ওম্না পীবিগদবনি। অনাবদু

থম্বদং ফংলকপা উরবদি হৈ মথৌ মতুংদা হৈ পীজবা য়াই। লাযবা থয়া কাওবক্লবদি শক্লোম পীবা য়াই। যাখোন সোথোকপ্রবা, শক্লোমনা ক্রবা হেল্লি। চাংদি অমাবা অহুনা তুমবা ওয়ুগী চাংদা পীগদবনি।

লিভর স্পোটস – হকচাংগী উনশাদা যাপু মাল্লপ তৌবা অকুপ্পা অচৌবা দাগ ময়াম লাকপহ লিভর স্পোটস কৌই। অসিগী লিভরগা মরি লেনদে। অহানবদা যাপু মাল্লপ তৌনা লাকই। মতুং দা চাউথোংনবগা মরৈবা মুলহুকই। মায়া লৈরবদিগী লৈরক্লা চিংনফম থোকই। মীরোনবা মতমদা নক্লগা শক্লোমগা, ও্য,
শাগা পুক্লপ চাৰিহ্মবদি লিভর স্পোট লাকই। কনাগুম্বা থংক ক্রবা য়াওই। কনাগুম্বদা অহুম লাইচাক্খা লৈ। শুংতা, য়ায়দা মীংয়াদা কোইনা লৈ নক্লগা হকচাং অপুম্বগী উনশাক্লা শ্তৌক্লবা মকুপ অমম্বুং চাওরপনা লাকই। মসিগী হৌকমদি লিশাংশিংনা হকচাংগী ঈদা হু চাইবিবনি (Chronic auto intoxication) শা, ও', য়েকম চাক্লগী তুমবা ওমদবা শক্লক অহ কোলোমদা হু চেক্লবা ওৌক্লমবা মচুগী পোংশক নক্লবা তোংগা থেম্লওই (brown pigment) অসিগুমা পিগমেন্ত অসি কিডনিগী স্থপ্রারিনেল কেপশুলনা পুম্বাও য়াওহল্লি।

পিগমেন্ত অসি চাং য়ায়া থোরকক্লবা অহুগা স্থপ্রারিনেল কেপশুল অসিনা মখা থোকহনপ্রবদা ওমবনি। অসিগুমা হু চেনবা মচু লৈবা পোংশক অসি য়ায়া হেয়া পোকতুনা স্থপ্রা-রিনেল কেপশুল অসি হেন্দোক্লা থবক পীরবদি, মযাই তারকই

থবক তৌবা ঙমলক্তে। মরম অসিদগী উনখাদা কাওরকই নম্বগা অত্তোয়া মকমদা লৈথি। অমাম্বা মশুমদা অসিশুবা অতৌবা মচু কাওরকপসি অমন ওইরবা তৌরকপনা নমই। চহি মাখদগী মরাই তারকপনি হায়বা যাই। চহি হুমফুগী মথক্তা কাওরক্লবদি মতম চানবা সিবাইদন ও'রে হ'বনা থক্তনগনি। মখোয়গী উনখাগ পাক্লিং পাগনি, কংগনি, অনোপ-অত্তি চাবোক মাও, হায়েংগী মটম লাইরিক ইবা য়াবা অহুশুয়া তৌরকই। মসিমক মরি মতাং মরাই তারকপা পোক্সরকপা (Seuile) মশংদা অহোংবা অমা পুরকপে থক্তনগনি।

লায়রেং— কক-হৌদি পথ পুমথংনবা হু চাইনবা (anti-toxic diet) চিঙাক খাদোকনি অহুপা মাংথোকপা য়াবা চিঙ ক চাগদবনি। তোশাংশিংমা মাংবা য়ামবা অহুপা লিশাংনিংনা পুক মেক্লা হাও কাইবা লায়নাপা মরী লৈনৈ। লফু, লফুথেরো থবী অসি চাং মাইমা চাগদবনি। অহিংবা থোংমবা চিঙাকতা চাঙনা চয়োন ১/২ হেক হেক লৈথোকপদা য়াম্না কাময়া কংগনি।

মীৎয়াদা তৌক্লনবা কোইনা কোইনা লৈবা—খোইরীমদা হু পোকহন্নুবা তৌবনি। মথক্তা পনখ্রে পা-দগী লাকপা প্রোটিনদগী পোকলকপনি। খোইরীমগী পথ পুমথবা প্রোটিনগী লেমহৌবা শরুক অমু লৈদা চুপশিন্নগা উনখাদা পীরকপনি। মীৎকী মমাদা নম্বগা অত্তোয়া মকমদা লাকপনি। মীতাশিং অসি মরী চোকথবা (neurasthenia) মীতানি।

শা রেক্কন ও চাপবা ভাই। হকচাংদা হু পোকহনবা চিক্লাক হায়বদি হৈ মনা-মশিং, মচৈ মরোংশা চাবা ভাই। মুংশিং মুংশাদা অমাশা মতমদা থৈগদবনি। মোংমদা অহুমক থাং-থোকপীয়ু। চৈশিং থঙ্গংবনা অমুক মুংশাংবাউ ইরুমথোকপীয়ু। বাকিং শাংমা চত্তুনা হুমাং মাপ্পা থোকচনবীয়ু।

গোলস্তোন— থোইরীনদা লৈবা মহিক মতাংনা, কোলোন বেসিলস, টাইফোইড বেসিলস অমসুং অতোপ্পা মহিক মতাংনা গোলব্লাদারগী মখিন (ducts) অহু থনাবা কাওইরি। 'থোগনোট' গোলব্লাদরদা তাঞ্জ অসি অসি থাজিন্নসা নুং শেমগনি। থা ০/৬ শীমপুংদা নুং অহু শেমকই। থোইরীনা হু চেনবদা গোলস্তোন তোই। থোইরীনগী মহিক মতাং অহু লিভর অমসুং গোল ব্লাদার য়োৎখনি। থাইনগী লম্বীদগী পোরটেল ভেনদা চুপশিনখিহুনা মী উতোংদগী লিভর য়োৎকপগ মাহ। এপ্পণ্ডি-সেক্টু তোঁহুনা থেংবা কাংবুনা থায় ব্যাকটারিয়া খিশিল্লব ঈদা চংখি অহুপা লাঙ্তমদা লাকই। লিভরগী সেলশিংনা ব্যাকটাবিয়াশিং অহু মাতহনবা তমই। ব্যাকটারিয়া অহু মাংহনবদা তমদনা য়ু ক্ল-বদি মাহোকখিহুনা ঈদা য়াওখি। থাইনগী চেকশিনকম থোকপা থাকমনি। গোলস্তোন অসি মহিক মতাংদগী পোকপনি। শা চাবদনা পঙ্কপূমবা মহিক মতাং থাজনবদা নত্তনা মহিক মতাং মশাং মাপ্পা পোকহন্নুনা গোলস্তোন শেমগকই। ইৎকৈথাইনদা লাকপিবা পোৎশক পূমথক পম্বহুনা চংথোকখিদনা লৈশিনবগা (stasis or stagnation) গোলস্তোনগা মুংশমদা চংমিনৈ হায়বৈ।

ইস্তু ইন্দিজদা গোলস্তোন পংলৈ লৈতে। অদুগা কলেষ্টরোলগু য়াম্না হন্না লৈ। মরুবদি মখোয় চাক চাবা মীনি। শা চাদে।

গোলস্তোন লায়রেং— গোলব্লাদরদা লৈবা নুং অসি থাও থাবগদা লৌথোকান অয়াম্বা থবনে। হৌজিক্তি থাও থ.নবদা কীনবদ্র লৈরে।

অহৈবা ডাক্তরশিংনীমক্তা গোলব্লাদরনাবা পূম্নমক ওপরেসন তৌদবা য়াদে। মরমদি পোত্থ মোরতোম ৫ষ্টেন্তীবগী তাকপদা অশিবা পূম্নমক লেংনবদা ১০/ দি গোলব্লাদারা নুং লৈ। অদুগা অয়াবা মী'স নু' লৈ হায়রবদি থওদনা লৈবনা নমই। গোলস্তোন মসি মশিক মতাংদা লেংনকপদি অদুগা থোও হাপা য়াদবা অয়াম্বা পূরকই। শুগীনা হেন্না থোও হাপা য়াদবনা থিং হেন্না গোল-স্তোন লৈগনি।

শুহাক পোথনবদি — গোলব্লাদার মথক ওইনা ঐশিং অশাবগা ইরুজবা. কোলেস্টেরলন অদুগা ঐশিং অশাবগী এনেমানা য়াইদগী থামবা পীগনি।

নুং তাথিন্নুনা নাবা ফরবদি অমুক হৌজকনবা হোৎনগ-দবনি। মতুংদা চ' কোফী, শা চাবা য়াদে চাথিবা চিজাক অসি কুপ্না শাইদনা চাগদবনি। গোলস্তোন অসি মী অদুগী থমমবগী-দমক লেমলকপদি। অপর্বনা গোলব্লাদারদা হেক ত রকপদা মতুং কোহীশিন্দুনা থাজন্নুনা থবনি। গোলস্তোনগী মমারমক্তা তার্থ লৈবা ও.তনি। ঐশিং থকপসি য়াইদগী মরু ওইবা ঈপাই অমনি। মুং লৈরে, লৈরবা থায়না চিংনরবদি লোংমদা ঐশিং

পাইক্ত মরি মপ্তা থকদবনি। চাক চাগদবা পুংথাই অমা বাংলিটে অদুগা চাক অনিগী মরক্তা, চাক তোকপা পুং ২গী মতুংদা থকদবনি। চাক্লিক্রেদা গ্লাস অংখাই অমত্তোম থকপা য়াই অদুদু চুপ্তুনা থকদবনি। শাম্নৱ শায়দনা য়োংশিনখ্রিবা চিঞ্জাক অদু ঈশিংনা চাবথগ্রবদি তুমবগী বস পুম্নমক চিঞ্জাক্তগী চামথোকখিদুনা তুমদবগী লায়না চাকই।

থোঙ অসি অদুম মরীরক চামদোকনি। চাক তোকপা থুদিংগী মাংথোকপা থাইদগী কাম্রে। গোলস্তোন লৈরবদি গোল ব্লাদার অদু মায়রবনি। মুম থেংনরকপদগী ফংবা বাকমদি নুং হেক লৌথোকউবদা অমসুং গোল ব্লাদার শেংদোকউবদা তপ্পা মক্রপা থুনহেক নুং অমুক লাকই, অমুক হমসু নাবা ফাওরক্তবা লৈতে। অদুনা মথং ওপরেসন অমা অমুক তৌবা তাবনি। অদুনা গোলস্তোনগা গোলব্লাদার পুম্নপ পুম্না লৌথোক্লবে। মতুং অদুদা মারক-খিল্লকপা পুম্নমক পুক্তা মাবগুম ফাওরকই। তৌবদি পুক্তা মত্তে। থর লৈরগা কতথি। গোলব্লাদার, ডুওদেনম্, পেনক্রিয়াসতা মাবনি। অনাবা গোলব্লাদারদি হকচাংদা করিগুম্বা মওংদা কায়ত্রবনি। অদুগী মথক্তা অনাবা গোলব্লাদার অমি কেন্সার তৌপনি। কমহুনতা লৈবা মবুকী মসল কাদবা মীদা, চহি ৪০ দা অদুগা মুশীনা ৭৫% নুং লৈগনি। শা, ঙা, থাও, ঘী, মেরুব হবাইমচিংবা এসিদ পোকহনবা চিঞ্জাক্তা অমসুং চিনি, চবাংগী শরক্তা হেনবা, চাক, হবাই, মংগ্রা, পান, হা চাগদবা মীনা থিং হেন্নি। মরমদি চাকয়াম চাবা অমসুং এসিদ পোকপা পোৎয়াম

অসিনা লিতয়দা পোৎলুম অমা পীদুনা মাইকপী-শককম হোংদুনবিদুনা নুং শেমশিনপনি। মাংবা মাদবা ওইনা অহানবদা উৎলকনি।

থাঙ থাদবা মীশকী লায়রেং — মহৌ থোম্বা অমসুং মনাপশোঁংদ চাদুনা লৈগদবনি। মথাঙ অমসুং থাওাদ স্বকচা চাবা মাদে। চয়া অসিগী মতম্তা চন্দ্রা মহৌ মানবা ঔশিং থক্লবদি দুংতাইহনবা পূম্নমক থাওথিগনি। চন্দ্রা মহৌ মানবা ঔশিং মামা থংলবদি থাইদা অহুং মহৌ লাওথোকই অদুনা নুং অদু চৎথোকখিবদা মথেং ৩ই অমুপা মচুংদন অমুক নুং শেমহল্লে চাক চাগদবা পুংথাই থমা থাৎলিতৈদা চন্দ্রা মহৌ মানবা ঔশিং গ্রাম অমা থকপা, অংগুবা কমলা, কিসমিস, অরাথবী অমুনবা, কীয়োম, পুং ১১ তাবদা হমাম, থোবী স্নেপেম, হনাই মুত্তান, থবী, পাজর, তোর্বোৎ, অরাথবী অশংবা থোংবা, চমফুৎ, হিংবা চাগদবনি।

পুং ৬ তাবদা, থাবেম, থবী, পাজর, তোর্বোৎ, তেলশিং, হরাই অমুবী, তেংমোমানবী থোংবা, চমফুৎ, হিংবা চাগনীদু। চাক মাওহলপদু, চমাং অতৈদু চাযোইদবনি।

ভুমথদাইদা থোইহি চামচ ২ ঔশিং অশাবা গ্রাম অমা থকপা। মামা থারবদি চয়া হেনবনা কৈ। ঔশিং অশাবদি চন্দ্রা মানগা থকনি। চয়োবং অমমপীনা চয়োল ৩ হায়রবদি সুথিৎ ২৮ লৈবদা নুং মচাদি তাথি। নুং অসি কিজনিদা লাকমবা মতে, লোলদক্টলোয়দগী থোইবীমলোবদা কুমথখিগদবনি। নুং মরাথ চাউমম্নুনা লোলদক্টলোয়দগী মাংমোকুনা চৎথিবা ওয়দে। চতলকপদি চমম

অদুগা থোকপিরবদি চাউখৎনুনা যাদবা অদুগুম্বা নুংলগী মৈসিংগী লাথিনা নাবসি কাওরকই।

লিতরগী মথক ওইনা কিনা ঔষিং অশাবগী হিগা মৈবা, থোকনা মকখক্ষ ঐ চেনবা হেনদংহন্দুনা অদুগা অকা-অপুন কোমথোকহন্দুনা তোংশাথিংহ থম্মী। ঔষিং অশাবা অঙৈংবা ওম-ওমা হিগা মৈবা, থোবা থাইবগী হেন্না কানবা শী, চহা হেনবা মপুংফাদি ঔষিং অশাবগী এংবা শীবিয়ু। থোংবদা এনেম্বা অমুক্তংদি শীবিয়ু, অদুগা ওসিত ওইনগী এনেমানা ঔষিং ইচখী এনেমাদগী কয়া হেন্নি। পুক শুবা, মৎবা কায়রবা থকতংনি।

গোলক্রান্দার নাবা—গোলক্রান্দারদা নুং ফাওখোক্লুনা চৎথিবা ওয়বহুনা কিতলিদা নুং লৈরগা ঔষিং য়াকন মৈকপগুম যান্না থীনা থাগবা ওথনা নাই।

লাঙ্গয়েং— গোলক্তোম অদুনা থোইমৌনবোরখম চৎথিন্নিব-মথৌ গোলক্তোম লৈনবগী পুক থিনবহু থক পোখাবা ওথদে। ত্রণ চাবগা অমাবা অহু শহারী হাক্তে কপা যাই; মরমদি অশিংবা ত্রণ অসিনা যাম্না শোক্হল্লবা, পথহল্লবা শীবনা নুং অহু মপান থোকশিনবা-থীদংলি।

ঔষিং অশাবা থকপা হায়বসি থাইদগী অহানবা অমসুং মরুওইনা লৌথংকনবনি। অহানবা ঔষিং গ্রাস অমদি ধুম খৈরোই (চাক্লহ) অমা হাপকদবনি। অতুংগী ঔষিং অহুদি গ্রাস খুদিংগী চম্প্রা মথৌ যানগদবনি। পুং খুদিংগী গ্রাস অমমম থকদবনি, ঔষিং অসি কাট লমা-থকপে হায়বা মতম অদুদা ঔষিং অশাবগী

ওনেমা পীগদবনি। মতুংদা চনী'দা (থক্তিন্দগী কয়রা) ঈশিং অশাবগী পেক তৌবিয়ু। পেক্তা কিন্থু শানা কৈমবা ঈশিং অশাবগী লিক্তি অমা মথক্তা থম্মীয়ু। পেক অদু য়াম্নিবরৈ কুইনা থম্মীয়ু। মসুংদা ঈশিং অশাবা থকপা, মপ'ন্দা ঈশিং অশাবা পেক তৌবনা অমাবদু মাওহল্লি।

কনাগুম্বা মীওইনা ওলিভ ওইল অ: ময়িনগী ভক্কক ফাওবা থক্লগা পোথাবা য়াওই। ওলিভ ওইল অসি থকপ্রবা মতুং পুং ১ লৈরগা সাইট্রেট অফ মেগ্নেসিয়া (a glass of citrate of magnesia) গ্লাস অমা থকচিনবা করিগুম্বা মতৌবদা তৌবিবা য়াই। লিভর গোলব্লাদার মথক্তা য়া'না তপ্পা নানবা কায়বা ফংই। থোইরীন থিরিম কাওবা য়ৌনা নানবীয়ু। অদুগা লায়য়েংবদগী, নুং চাগাক্লিবদগী লৈনা লৈনা অনাবা অয়েকপা থিনবা কাওত্রবসু নুং অমুক শেন্সরোই হায়বা থক য়াদে। নাবা-য়েকপা থিনবা করবা মতুং নোংমা চোপ্থরবদা পীজবা হায়বসি হৌগদবনি। অমুক হন্না গোলস্তোন শেমহল্লরোই হায়না থল্লবদি নুং অমুক শেমদনবা থবক পৌথকদবনি। চরা হেনবা অদুনা চাক অমুক চারকপা ভাগবদি চকলুক ফানবা চারকপদা মতম থর শাংনা চঙহনগদবনি। থাক নাইনা পীজগদবনি। অহানবদা মাথোম সৌথোকপ্রবা শঙ্গোম গ্লাস ৬ পীথকপদা অচামবা মুনিকৌ'দ থাইদগী অকবা চিজাক্তি। চয়োন অমা অনিদি হৈ মনা-মশিং অমসুং শঙ্গোম অপীবা পীজবা কৈ। চাবনা মতুংগী হৌরকনবগী মরু ওইবা ভাকথোক্লবা লম্বীনি। হৈগা মনা-মশিংজা মরুওইনা

য়াওহনবীরু। থী থাও য়াওহনগনু। চাবা তুমগ্রগা তুমদবা লেমহৌবা শরুক লৈহৌহনা খোঙ হাবা য়াহনগদবনি। মধা অশংবা কোফি, বঙ্গাম, সনাদ, মোমশাওবী, মেরুম-কৈরুমগুম্বনা মশিং-মরাং য়াওদুনা খোঙ হাম্বা য়াবনি।

৫ প্রোস্তেৎ গ্রেন্দ চাউথৎপা — নিপাদদা থাবা লায়নানি। প্রস্তেংগ্রেন্দ দুপীদা ইউটরস নত্রগা ব্লেদ-গা যাম্নবা শক্তম অমনি। দুপীগী ইউটরসতা লৈবা মীগা নিপাগী প্রোস্তেৎগ্রেন্দ চাওথৎপগা মান্নবনি ওাইনা চাংদম্নবা য়াই। ব্লাদারগী মখোঙদা লৈবা গ্রেন্দনি। কিডনিদগী ঈশিং ব্লাদার চৌমবা লাকইবা ইউরেটার ব্লাদারদগী থোকথ্রবা ইউরেথ্রা অসি প্রোস্তেৎগ্রেন্দদা শমহুনা চংলিবনি। প্রোস্তোৎগ্রেন্দদা অনাবা কাওহুনা পোমথৎপা মতমদা ইউরেটারদগী ব্লাদারদা লাকপদা অমসুং ব্লাদারদগী মুং থোকথিবদা শাথীনা অপনবা পী। ক্রোনিক অমসুং একুয়্যত য়াম্না খু-ডাইতবা পীবা লায়নানি। অহুবু মীথিজনা মৌরিঙৈদা ফনবা তৌবিহৌরগদি কবিশুন লাওবেং য়াওদনা কথিথি। চুম্নগী মতম থম্নদং নাবদি খোঙ হাম্বা য়াহনবা ঈশিং চৎপদা খুংডাইতবা পোংশক অমেৎপা, আচার, মোরোক, চা, শা-ঙা থাদোক্লগা অমসুং ঈশিং য়াম্না থক্লগা ফজথি। অদুগা লিশাংশিংনা নাবদি চঙী মীয়াই চেক্লকপা মতমদা থোকই। অহল ওইরকপা মতমদা শাথিনা অরাবা পীগ্রবা, মী কয়া শিনথ্রবা লায়নানি। গ্রেন্দ অসি চাওথংলকপগা লোইননা ঈশিং চৎপা য়াদহুনা অয়াম্বা ঈশিং লৈহৌরগা থম্ন থম্নদা চৎপনা লৈহৌরিবা ঈশিং অদু

পূর্বেখরকই। অইংগা য়াদার অহু কাক্তোক চাউখোরকই। অদুনা য়াদার থাঁর মুং অমি মুংঙুম চৎপগুম্বা তৌবা নৈ, কবিতা কাংলা কাউ অমি কাওবা য়ামানদা নৈবা থেংনবা য়াওই। মুং অদু মমম নমথিরে, পূর্বে য়াদার অংদা অনাবা কাওরকই। মতুং খরগী মতুংদা কিতনি কাওবা অনাবা কাওরকই। কিতনি অনিমক য়াওশিল্লবদি ইউরোপীক তোমা কারবাদ মু পুবদগী হু চাইখিবুদা বাগ্গনা নৈখিবমা শিবা তারকই। সেগ্গী ব'গী- য়াগাই শাদুবা সেগ্গদা মগাই কাহনবা থবক্কি পাংথোক্পা অদুগা সেগ্গকী থবক্তা লোইশিনদুনা খোরকদা পোংথক অদু খ্রেদ্দ অসিদা পল্লুগা নৈখিবমা পোমথংহনবনি। মসিনগু নত্তে গোলো- য়িবা, মাংবা য়াদবা নত্তা ওইবিদৈদা সেগ্গকী থবক হেননবগী চহি অহম ওইরকপা মতমদা লাকপনি। অদুবু তপ্প তপ্পা লাকপনা খওনকপা মতমদদি য়াম্না শোকচিল্লমই। প্রোস্তেৎগ্লেন্দগী শরুক অদু পীকশিন-পূর্তিজিল্ল। অগানবা থুদমদি মুং অমি ইত্তত্তুনা হানবা অদুগা হাপ্পোয়রকপা অদু ওলাক পনবা, হাংনবা য়াদবা অইংগা অমুক লাকপা অসিনি। অইংনা ঔশিং চৎপদা নাবগুবা অদুগা অহিংদা তোয়না হৌগত্তুনা ঔশিং চৎলি। ঔশিং থিংবসি পূমথিং থেক থিংথিহনা কেথেটার থিংজিনবা তারকই। য়াদার নারকই, নার অমমুং হাও, ঔশিং, ঔশিং চৎপদা য়াওরকই। কবিতুবা মতমদা ঔ য়াওরকই।

থুনমক লায়রেংহৌজবদি য়াদারনা মাথক ইউরোপটার কাওনা হাইগংখিগ্লনা কিতনি য়োয়কই। মসি থুদোংথী মতাইদি, প্রোস্তেৎ

গ্রেন্দ অসি লোৎ হাবনবি মশুং অদুখ শুট। অতোপ্পবা অমত্তা শোক্লবা য়াই। মৌজদা থুং থিংখিল্লগা য়েংবদা খেংনবা য়াই। অদুবু ড্রাপাবলোৎ থংবা লোবন্তা ওইরবদি কম্প্রুক চাওখৎলবগে হায়বা খঙবা ঙমগে।

কবিশুবা মঙমদা ঈখিং চৎপা শুখ হায়কুপ, মরী শুখ শীৎথখক, য়ুঃ ফারনবা লাক্লবদা শুম হানা থোংনবকপ, অহিংদা ফোইবা হৌগৎপা, মকি-মথাঃ অসি পুমথেংক শোক্লকপা য়াওরকই। গ্রাপাবদগী খোরকপা নাই অদুনা শুখ মথক্লোমদা কাবংখিদুনা কিডনি শোকহনবা অদুগা হকচাং অপূর্ণ হু চাইদুনা অরাবা ফাবা শোয়দবনি।

একুটে প্রোষ্টেটিস হায়বসি গোনোরিয়াদগী লাকই, অদুগা অতোপ্পা মরম কয়াদগীসু লাকই। হেক্তিসা চোৎপা, নিংথমহনবদগীসু লাকই। টিঃ বিঃ দগী নত্রগা অতোপ্পা মহিক মথাংগী লায়নাদগীসু লাকই।

থুদম ড্রাপার অসিদগী প্রেসার পীবশুবা অমা লাকই। অদুগা য়ুং অসিনা য়াম্না নাবা অমসুং অশাংবা মওংদা ভোয়না ভোয়না হায়রকই। গ্রেন্দ অসি পোঃমখংলকই অমসুং থোংলকই অদুগা মাংবা মতমদা য়াম্না নাই। মঙ্গদা অতেম নাহুনা লৈ। অপোম্বা নত্রগা চাওখৎলকপসি হেনগৎলক্লবদি য়ুং থিংগে।

কবিশুবা কাম্দা পোক্লকই (absess) অমসুং শাখিবা কিতথদা লাক্লগনি। মরি শোহ্রকই, লাইহৌ লাকই অমসুং হকচাং অপূর্বা শোক্লকই। মৌজদা য়েংবদা পোখলে হায়বা খঙলকনি।

মিংথিজনা লাইয়েংথিহৌরবদি প্রেন্দ অসি থিগ্রবা কিন্তবদা লৈথি-
হনা মতুংগী পুন্সিদা (ক্রোনিক এনলার্জমেন্ট অফ প্রোস্টেটগ্লেন্দ)
ওইনা লিপাংলিংবা কবা তনগ্রবা মওংদা অহৌবা নাইনা অহূন
লৈগ্রগনি।

ক্রোনিক প্রোস্টেটিটিজ— হকচাং অসি কপং-হূরবদ
লাক্লগনি। সেক্সতা থংপদা মখোই কাহনবা থবক অমত্তা
তৌরোইদবনি। মসিনা পোঁস্তেংতা চৈনাখোন হেনগৎহনবগী
মথৌ অমা হাপকৎলকপা ওইগনি। অনাবা কবদা পন্থহনবা ওইনা
থোকই। পুথিং ১৭ অহূদগী ৩০ কাওবা অবস্থা মতুং ইমা চয়া
মুথিং৫ মিনগী ত'দনা হেন্দবা (নং ৩) য়াদে। পুথিংবগীং অহূকী
মতিক শাংদোকইবা মথৈ থুজিমা কহনবা তঙই। মতম শাংবগী
মতুংইম' চয়া হেনবা তোকপস্থ অহূপা চাথংপস্থ চয়া হেনব চাথংপগী
পীথিবা নিয়ম লেংবীয়ু। অহূপা শঙ্গোমদি পীথকপীগস্থ। মরমদি
মু' ইতত্তুনা হানবদা মুংতাইতবা পীবগুম থোকই। শঙ্গোম
শৌভিয়ররবস্থ মুথিং ৩/৪ দগী হেনবীগনু, মতুংদা অকক্লবা চিগ্র.ক
লাঃ ৮০ নং (ক) দগী (গ) কাওবা চানবা মতুংইমা চয়োন থর
ইনবীয়ু। যাও কংথরবদি চয়োন অময়োমদি শঙ্গোমদা থক্কুনা লৈবা
তাই। অকক্লবা চিগ্রাক অমুক হনজিনবীয়ু। মতুংদা সনাদ
হাম্বদি অমুক্রা ৫৩, শঙ্গোম য়াওরবস্থ য়াওগ্রবনু। মুথিং মুংবা
মতমদ বো ব সনাদ ভিহ্নৌ, পেক্কক, লৈবাক হৌদাই মদাম, শঙ্গোম
নত্রগা শঙ্গোম,সবীক থা ৮ থকপীয়ু। মুংদাংবাই মদা-মপিং কোথি,
পেক্কক, থবী, থামেন অপিনবা, ভিহ্নৌ চাথিয়ু। হৈনে, দনা মপিং

অশংবা, ছানা অমসুং শজোমগা চাবনা ফিভম অসিদা থ্বাইদগী কথা লেপ্লি।

লাময়েং অসিগী থ্বাইদগী মরু ওইবা বাকমদি চাবদি য়াম্না হন্থনা চারগা লূথবা হন্থহন্দবা, য়াঙ কংহন্দবা, পাজল শোন্থ-ংহন্দবা য়েংহুনা শীজগদবনি। য়াম্না নোম্লবা মীভা ওইরগা হন্থনা চাদুনা য়াঙ কংঙনগদবনি। ইহান হেক হানবদা হৌগদবা লায়য়েংদি মাংবা য়াহনবনি। ঐশিং অশাবগী এনেমানা হৌরগা থোঙ হাম্না য়ান-বদ কথবা য়েংহুনা এনেমা নিভিগী লোপদবনি। ঐশিং অশাবা শৌজদা হাপ্লিন্দুনা থম্বনা প্রোজেক্টর অহু ঊংথঙনবদা থ্বাইদগী কাম্বা পীবা মতৌং ওইগনি।

ঐশিং অশাবা অমসুং অঙৗংবগী হিপবাথ অমুক দুংখিল ভৌবনা থুনা কহনবা ঙমগনি। মীংদা থুদৈ অচোৎপা অমা ২/৩ পক থ্ৰ্ম্লগা কোম্বনা য়েংশিন্নগা তূম্বা মতমদা থম্লবদি থ্বাইদগী কাম্বা পীগনি। অহুম লৈবক্লগা নোংঙাম্লগা লোথোকপীদ্রু। শজোমদ থজুনা লৈরবদি ঐশিং থকপীগদু। অহু নক্লবদি ঐশিং য়াম্না থকচবনি। চবা কুইনা হেনবা হায়বসিদনা কবা ঙম্বা লায়নানি। অদুবু মশা শোকহনবা য়াদে। নং ৫ গী চবা অহেন (লা. ১০) য়েংবীদু। মতেক থম চবা হেন, মতেক থম চাবা মসিনা ইক-কৈ। নোংমদা ঐশিং য়াম ৬/৮ থকপা কাউরোইদবনি। ঐশিং অশাবগী সিজবাথ, মীংথু অমদুং থোঙ ঐশিং অশাবদা ভীংবা অহুপা ঐশিং অশাবদা লূম্না কি মরোম ৬/৮ থোক্লা থ্ৰ্ম্লগা (পেক) নোংমদা হম্না হম্না তোয়্রবা থোমগদবনি। কংনা ওমথোকপা

কাষ্টৈবিগন্থু। কা: ৮০ দগী ৭০ কাগুবগী ঔশিংবা সিঃ ১০/১৫ দং হিপবাথ ভোৎনা ঐ পুন্দুশা নাব-য়েকপন্থ কহল্লি। ক্লোরো ফোর্ম ক্লোন খর চাউথংপদি থা ২/৩ দং ফিজবাগা ভোৎনা অহুব হুৎলবি। ঔশিংদসি কা: ৮০ দগী ৭০ না মতুংদা ৬০ দা ঐংথ-হুরথৎলি। অতোপ্পা ন্যায়রেংনা থাগুবা অদুগা ঔশিং চৎপা মথনা চাউথংগ্রবদি কিডনি শোক্লিগৈদা ওপরেশন তৌদুনা লৌথোকহোৎপদৎবনি। ওপরেশন অসি থাগ্না কিনরমই। মত ক্লোরোফোর্ম এথার শিজিন্নবদগীনি। হৌজিক লাফীং গ্যাস (Laughing gas) শিজিন্নরৈদগী অকিবথু লৈত্রে। অহাংবদা লোব অমত্তা শোক্লই, মরৈমা লোব অহুম্বক শোক্লকই।

অথ্রাইটীজ — অহল ওইরকপা মতমদা তাংদা নাবা চীকপসি তৌরকই। অথ্রাইটিস থায়বসি তাংগী তোংশাদা শোকপনি। তাং নাবা শোকপসি গোনোরিয়া, রিউমেটিজম গাউট অমসুং অথ্রাইটিজদগী লাকপনি। মকচাং মসুংদা ঈদা তোংশাদা কত-থোদি পৈন্থনা লৈবদগী লাকপনি। মরুওইবদি নাই চাদুনা লৈবা মকমদগী হাপবদি থারি থাথো: নাই চাদুনা লেত্তনাই নাই থোক্তুনা লৈরবা তোংসিন্ন কতবগী ঐ নাই টিজ থোক্লকই অঙ্কুবা কত-থোদি অহুনা ঈদা লাকপা মতমদা অথ্রাইটিজ তৌরকপা অমসুং লাকপা মত্রবদি চাকথাব শারাব চাপিনবদগী লাকপনি। চাবা লাবথদগী অরাম্বা শোকপনি। অলকালি শোকপা ৮০% চাথদবনি, ২০% দা এসিদ শোকপা চিজাক চাগদবনি। উদু, থবা-মশিং, শঙ্খোম্বা ৮০% চাবিযু। থৌ, থাও

শা, ঙা, য়েরুম, হরাই, খোইদোক হেন্দোক্লা চিনি মাক্লা চাখিন-
বীগনি। শা, ঙা চারদুগী পোক্ককপা এসিদ অদু পুখোকপা ওমদবকা
তাংদা, তোংদা, ঈদা পৈহুনা লৈ। মাহুনা রিউমেটিজম ভোরকই।
মসিদা তাং মচা মরামদগী তং শচোবা খুউ, খুমিং, নীংহু
থবাক অমসুং নংপন শোক্লকই। খাইদগী মরুওইনা মুংতাই
ভবসি খোজহাম্বা য়াদবা, হবাং খে ক্রুবা, ঈশিং থকপা য়াংপদগী,
অমসুং ঈশিং য়াংনা চৎপদগী লাকপনা ময়ই। সাইনোভাইটিস
থাররবদি ফাজিনখিহুনা তাং খেক্তোক খেকচিন য়াখিদবা য়াওই।
মহুদি খাইদগী লাইবক থীরে খুউদা ওইরে চৎপা ওয়বে
চোংহনা চৎলে। খুৎনিংদা ওইরে কোনশিনবা, তিংখোকপা
য়ারে।

টি, বি, গী অপ্ ড্টেচিজদি য়াম্বা শাথিক্রবা মওংনি। খুমিং,
খুউ, হিপ, ফাজিনখিহুনা লেজবা য়াদে। কোম্থোক কোনশিন
য়াদে। অহীংদা থিং হেমা অরাবা পী। অহুনা অতোপ্পা
হকচাংগী শরুক থরদা থংবা নাবা (Jerking) লৈথৎ-স্নমদোক-
পজুম (Twitching) হকচাংগী শরুক কয়াদা ভোরকই। থর
শোক্লকই, মকম হোংলকই। তাং থবক তৌবা ওয়রে। ক্রোনিক
ওইনা লাকই। ওমচাক্লবদগী তাং অহু নাই চারক্রবদি হকচাং
অপুম্বা শোক্লকপগী থুদম লাকই - মিংথম চল্লকই, তেম্পেরেচর
১০০ দগী ১০৩ দা লৈরকই, নাব অমসুং শোম্বা হেনগৎলকই।
খুৎ, খোঙ অহু ঈশিংনা পোম্লকই। মথদা হনগৎতনা কুপ্তুবা
লৈ। মাই হেক চাখিবদগীদি মরি-মতাং, তাং ফাখিবহ

(Ligament) শোনহনবা মক্রগা বাওহল্লি। শকপী আর্টরীগী অয়োইবদুগা থেংনবা তারকই, অদু ওইরবদি শক্ত অমি তক্কবগী তাব অগু মক্রগা থুদম কাওরকদি। মাই অমি অহানবদা থরদা চারবা য়াই। মবেদা মাই য়াম্না শোক্নুনা মকম অগু পোকথান্নুনা হকচাং অপূম্বদা মাই অদু চাইংকপা য়াই।

সাইনোভাইটীজ—সাইনোভাইটিজদি কয়া মাবদি লৈত্রগদ্বু অপ্চ্চৌগতিগা থুদমদি মাংনৈ। পোমই অদুগা লেঙবাদা মকম অদু শোক্নুনা উই। পোমবদুনা লেঙবা হাইদোক-থাংদোকপা য়াদে। মাখা হেন্নৌ। সিনোভাইয়েল শেক্তা মহী পুনবদগী অহোংবা থুদম পুরক্ই। মহী শোক্তবনু য়াওই। অদুগা অয়াম্বদদি মাই চাদুনা মাই য়াম্না শোক্নুনা কোকচোকপা, মীংথবচনবা লাইংৌ, হকচাং পুমচোক চোকথবা, মাংবা য়াদবা, মাবা, চীকপা শোকই। থাও থাবা তারকই। মতুংদা তাং অদু কোহোক-কোমশিন্ন য়াথিন্নে, তাং শৌজিন্নে।

লায়েংক্রে—তেকপা, চৈনা হুবনচিংবদগী শোকপা নক্কবদি হকচাং পুম্বক কপংহনবগী লাইয়েংদা (Constitutional treatment) চৎপদবনি। ঐ শেংদোকপা, সেল মথা কহনবা অমসুং মশীং হেনগৎহনবা, হিংনবগী পাকল হেন্দহনবগী থবক লৌথংকদবনি। ইহাম হেক হানবদা তৌগদবদি শোকইবা মকম অদু লেঙদনা পোথাহুনা থমগদবনি। অদুগা বি, ১০/১৫ দং ঊপিং অশাংবদা লুপুনা থমগদবনি। মদি হৈনবগা যেগ সদক, হাক্সা ক্রগা ইচম চম্বা ঊপিংগী কম্প্রেস

লৈগদবনি। অদুগা ঈশিং অঙৌংবনা হিগা মৈবগুম নাবদা অদুগা মতুংদা কংবা থবাক্তনা নানবীগদবনি। থুনা য়াংব্রা মিনিট ৩০ দগী ৬০ গী মতুংদা লায়রবং অসি লৌথংলগী। অশোকপা মফমছ থক শোকউগদ্নু। লমদূনা কোম্বোক কোনশিল শার্মবিদু। অহিদা তুম্নমদাইদা ঈশিং অঙৌংবদা লুপ্পা কি অমা কংনা শুমবোক্লগা অনাবা মফম অদুদা পেক তৌবীয়ু। কংবা শাঙবা থবীয়ু, চৌকইবা নাম্বিবছ্ হেক লেপত্রিবা মথৈ নিতিগী পেক অসি তৌগদবনি। থোঙ ফজনা হাযদোকপা য়াবা পোংতা থম্নুনা চাবিয়ু কায়না অসিদা থোঙ ফজনা হাযবা য়ানবদ মরু ওইনা কোংনগদবনি। য়াদ য়াত্রবদি এনেবা লৌবিয়ু। নাবা চৌকপত্র ফগ্রবদি চচম চম্না থেক্তোক থেকচৌন কোম্বোক কোনশিনগী ওইবা শাকেন তৌগনি, নম্বা নানবস্থ তৌবিয়ু। অম্বশা চথবীবগা মতুংদা চানবা শাকেনগী অমমুং বাকিং হৌবিয়ু মাহুম্নু থাক নাইনা চথবীয়ু।

ফকচাং অসি ফক-হৌদিনা থম্না লৈথিছনা থাঙবা ঙমদন চৌকগ্র-নামবদি অদুগা নাই চায়বা অদুগা অতোম্না লাইবেং য়াওরবদি নাম্বিবা চৌকলিবা মফম অদুগীদ নতুনা হকচাং পুম্নক ফগংবমা লায়রবং লৌথংকনি। নঃ ৩ শুবা চম্না মহেন্দা লৈবিয়ু অদুগা এনেমা লৌবিয়ু। ঈশিং অশাবগী ব্লাংকেট পেক তৌবিয়ু। লাইহৌ মম্নপা ঈশিং অঙৌংবগী পেক নোংমা লেপ নোংমা তৌবা ওইনা চথবিয়ু। মসিগা লোয়নমা নাম্বিবা চৌকলিবা তাং অদুম্ন পেক অমমুং বন্ত্রস তৌবিগদবনি।

তাংবা মাই চাবদি মুংশা তৈরেমবা, মাইবা (মকম অমু) কাউবী-পমু। মুংশাইতবা পুমব—মাইহৌ, চৌকপমচিংবা কম্রিবা কাওবা চয়া হেম্পোকপিমু। শাংবা তেনবগী মচুং ঐয়া চয়া হেনবা তোকপগী রুটিন ইয়া চংশিমু; মতু' অহুদা অমুক হৌরনবা অচিংবদ চাদ্রুনা লৈবিমু। মনা-মশিং, হৈ, নট, শজোম অপীনবদা মতম থয়া কুইনা লৈবীমু। ছিটিং কম্প্রেস নত্তনা অতৈ করিগুম্বা মথলগী ঔষিংগী লায়মেং খাদোকউ। গোমোয়ীয়া তৌবা মী ওইরবদি গোমোয়ীয়াগী লায়মেংশু য়েংগদবনি।

ক্রোনিক ওইবা নায়বা মওংদগু শীগ্নিবা লায়য়েং অসি অচুম তৌবীমু। লিপাং শিংবা মাচুনা লৈরবা ভাংগী লায়নাদা শাংবা চয়া হেনবা মরুপা ঐ মরী, মনামশিং অথোংবা লৈথাইবগা মরী লৌবদু (broth) চিনাক ওইনা থকুনা লৈবনা ইকায় কায়গনি। শজোম থকপগী মতুগা চাবা হেনবা তোকপগী রুটিন য়েংছুনা চাবীমু। মেথাজ, পূক শূপ, মানবা এক্সারসাইজ তৌবা মামক্রে হায়বা ঊরবদি তৌবিবা য়াই। অহুগা এনকাইলোসিস থায়বদি থেকচৌনবা যাবিয়োইদবা মওংদা লাক্লবদি নায়বনু থৈজোক থেকচিন শাম্নো। অহুগা নত্রবদি হেক নায়কপদা শাজেন তোকদবনি। নায়বদু থাওবা য়াবা ওইরবদি শাজেল চংথিমু। টি, বি নি হায়বা বজদবদি তেংকপীমু, মুংশা য়াইহমু। অহুগা মথক্তা কয়া আর্টিরিদি শোক্তনা তেনমথৈ ঔ চংহন্নবা শূমপা থবনা (Diathermia) নায়বনু, চৌক্লবনু মহুনা থাওবদা থম মুংশাইহনগনি। ঔষিং অশাবা হিগা লৈবা য়াম্না কাদৈ।

শক্তোম থক্লগা চীকপা হেন্নৌ। মতীম লৈবা মীদদি শক্তোম লেম ৩ দগী ৫ কাংবা মীতা লেংবা পীথকপদা য়াম্না থুনা কয়দি। মথমদি শক্তোমগা মান্না যেৎসোক্ত তৌবা ওবা চীজাক অতৈ লৈতে। শেংদোকপদগী শক্তোমনা ইক্লেন হেন্নি।

মঙ্ঙাক্লবা—অকিবগী মথক ওইনা শাথিপ্রবা মচু অমদা থোয় হোনবা য়াদবা হকচাংগী মকম অমত্তা লেংবা ওমদবা, মী কৌবনু ওমদবা কিতম অমদা লৈ। মচু শায়গত্রা, মঙচাক্লবা হায়গত্রা মঙাক্লবগী হায়দৈ মওং অসিমক্তি ভুমদবগী পূকী যেতৃা হায়বদি য়াম্না লেম্না চাশনবা নত্রগা য়ায়া কাহেম্না হাউবা নত্রগা মঙ্ঙন্দি লৈবা, শক্লদবা পোংশক চাশনবদগী লাকপা মওং অমনি। তিমবা য়াদবা পোংশক অমসুং মথেন চাবদগীনু থোকই। অহুবু অশেংবমক্তি মঙচাক্লবা হায়বসি মরী শোনবা, য়াম্না থীনা শাউবা, থীনা কৌথিবা, অযৌথীদা চিন্তা তৌপনবা মীনা হেম্না তৌপন্নি। নিউরোস্থেনীয়া তৌবা মীওইদা থীৎ হেম্না তৌপন্নি। হেক চুপথবদা য়ে, অাঃ তৌপনি। হিংবগা লোয়ননা চথনা লৈমবী কক্কাদা লানবদগী পূমকপনা মমই। থবক হেনজিননা লোমবা, পুকনিং হেম্না বাহনবা, চিন্তা, লাইরিক পাবা অমসুং ইথদা হেনজিন্না থিৎ শিথিনবা, জুবাম শামকবদগী থেংনা হজিনকপা, বেশ্যাচারগী মীওইনা থেংনা হজিনক্লগা চাকমাম চাশিনবদা মসি থোকপা লৈতে। চিঙ্গাক্তা চাং অমসুং মথদ মথেন তিমবদা লান্নবতদা থোকদবনি।

যুহম — মচু অহুদা তুম্বদগী লাউবা ওয়দে, খোর কুমে. হোমবা মাত্রে হকচাং শুকলেং লেপ্পবা ওয়দে হায়রা লাইথোকচগে তৌবা শুকওব ওয়দে। মাগী কমা হোংনরগা থংলো লৌংনকই। হৃথাংনা পুখচোৎ চোংপা যাওই। খোর হৌমব কমা লাকনৈ। করিগুম্বা কানদা অকৌবা মংনা লাউ খোংই। মপাংক পুক্নাং থীব্রবা অমদা তারবনি হায়রা লৌই। মাবু ঙাংথওনবদা অতোপ্পা অমনা কমা লোংনবদা মতম চঙবসু যাওই। মুক হোগংলগা অমুক তুমথংবিবসু যাওই। মৈ মখম্বদগী মৈ হেক লৈথংপা, কাপথংপদা অকিবা অমু হৈদ্রে। মতম্বা লিথিবা অচুম্বা কুইনা অকৌবদু খোঙ্কনা লৈহনা নমই। লোংবগী মমু দা অমুক্তা খোংপনা নমই। অদুনু মমাংগুবদা অনিমক খেকপসু যাওই। মংমং তোমহনা খোকথবসু যাওই।

লায়রেং — অসিগুম্বা মতৌ অসি চাবা হেনজিনবগী থোকপনা চাক হমনা চাবা তাই। অদুগা মাগী ওমিদৈ, পুখিং লৈরিদৈদা চাবনা থাইদগী চাকথোক্লবগী মরু ওইবা হৈনবী ওইহনবীনু। নিংথিজনা থোংবা, মপাগা পক্লবা পোংলক থবা চাবগী লোইদে। চখোম ৩/৪ চাবগী ওক্লগনি চাববা মতম অদুদা চাবা লেপ্পীনু। মখানথিং হায়বদি থবী থাবেনবীনবা তিংথো-ঙবা থবা খোংদনা হিংনা চাবিনু। অদুগা লোংমদা চারিবা তিজাক অচুবা যাং কংচদবা লোয়রবহন্নবা মওংদা হকচাংগী ওক্লবা খোংদুনা চাবিনু। চাবা হুমবা অমসুং হিংবগী পাজল হেনগংনবা হকচাং কনখৎনবা থাবেম, যাকিং লৌথংগীনু।

অসিগুম্বা মীওইবা অহানবা হৌবদা মোংবা নিনি চয়া হেন্নোক্‌ক্‌নবনি। মহুৎনা ঐ শেংজনগনি অমগা চুমবগী শাকল হেনগৎ-হনগনি, চয়া হেনগে হায়রবদি নং ০ দা হেনবীয়ু। চয়া হেনবা তোকপে হায়রবদা নং ১ গী চয়া হেনবা তোকপগী কুটিনদা চপ্‌থবীয়ু। মতুংদা শরোম চাক্লা থকপা কায়গনি। অদুবু অতেংমা মিতাক চাবদু যাই। মীং হেয়া শিজিনবা ওইরগা পাবা, ঊবা থয়া পোলাবীয়ু। মীং অদু ঊপিং চাবীয়ু। মমী কপৎহনবীয়ু।

অঙাংস্ব মিতম অসিদা হৌগৎলকপা, যায়া মিবা মওং ওইনা ঊবা, ২।৩৪। 'মাইট হেয়র" কৌই। অহিংদা চাবীবা চাক অহংনা পুরকপনি। সুংদাং, সুংদাংবোই চাবা চিজাক্কি চাং, মথল মথেল, মজিন সুমা য়েংবীয়ু

সাইয়টীকা সাইংটিকা হায়বা অমাবসি সাইয়টিক মার্ভ অসিদা-নাবা চৈকপবু থওমৈ। মীংঙ কৈগনগী খুবউ-খুদেং কাওবা শাংনা নাই অমসুং চীকই। ময়ীদা চীকপবু থওমৈ। এক্যুটি অমসু' ক্রোনিক ওইনা নাবসি (নিউরেলজিয়া) মমী চীকপা, ভাং চৈকপা, ভা' পোমখৎপা, চীকপা, অঙাংবা অচোৎপদা কুইনা লৈথোকপগী, যাওদা মখি মমশীনবা, মীংদা শরু নাহোক্‌পা লৈবদগী মমী নমশীন্দুনা লৈবদগী, মাংবা যাদবা, যাওগী শরু অতোংবগা তাইনবা অকুৎপদা (pelvis) দা লৈবদগী পোকপনি।

মীংদু অমসুং যাওগী শরু নাহোকপা, থিংগৎপা, চাউথৎ-নকপথ (subluxation) নাইবদি হুকচাংবা কঙ-হৌবি

য়াম্না নৈথিহুনা লাকপা মওংনি। হু অহুমা মরী শোম্হনবা, ন়াহনবা পূরকই। হিংবদা চঙইবা লমচং পূমবক চুমথোক্লবা চিৎাক অমসুং শাক্লেন্দা। মর পূক্নীং চঙলগা খুকনা-মাহল্লবা য়াবা ল্লায়নানি।

খুদম – মীংদগী নৈগনগী মপান থংবা শরুক্তা শাংন, অহুদগী খুকউ অহুদগী থুমোং কাওবা খীবা নাবা চৌকপা হোৎকপনি। অমুক অমুক অহৌবা মাইনা চীকপনি। হৌরক্লবদি অশুবা মতীক শাথিনা নাথে, থাঙবা ঙমদহুনা পাঙদবা মী অয়াবদি যৌক্নিন কাম্না নঙনা উপায় নৈতে হায়না লৌনৈ। মসিগা লোয়নগনবদি খোঙ হাপদা অকংবা শাইয়োং মরুওম্না থাংই। অহুগা ঘৌ নৈরবা অমা তৌই। পোশাক, শাওগঙবা ফিংদ-বনা থাইদগী মরু ওইবা পোশানবা মরম ওই অহুগা খোন অমা কয়াক্তা থাহৌরগা অমুক হেন্না পোথাবা য়াই। মাংদগী বা নত্রি, শোকপদা য়াদনা অনাবা কাওবা অসি মরী অঙ্গদা ফাওরকই। কুইনা চথহনব্রবা লায়না ওইরবদি শোকইবা খোঙ অহুগী মসল্ পূম্নক মাঙখ্রকই। লায়রেংবা য়ানা থোকই।

ল্লায়য়েং — থরদা মাহুনা নৈথা চেথোক-চংশিনদি ঙবা মীওইদদি মৈশিং অশাবগী শিকবাথ অমা লৌবদা মথম অহুগী মায়কুলেসন হেনগংহনগনি, নাগিবহ্ থাইদগী কহনবা পোথাবা পীবা ঙমই। য়াম্না থীনা মায়বদি মীংহ্ অহ্ পেক তৌরগা পোশাহুনা নৈথনা কৈ। থর কুইনা নিউট্রেল বাথ চৌথিহু, কায়গনি। হিগা নৈবা হায়বদি কোপেস্টৈলনগী কি অঙ

হোংবা হোংনা থৈদুনা অমুক্তা পুংখায় অমরোম থৈগদবনি; তোইরপ থৈবিয়ু, পুংশা যাইথীয়ু। ঐ পেংদোকপা, হিংনবগী পাজন হেনগংহনবনা মরু ওইবা লায়েং ওইগদবনি। খোঙ হাবা য়াহনবনা খাইদগী মরু ওইবা বাখল ওইগদবনি। মাংবা য়াদ-য়াত্রবদি ঐশিং অশাবগী এবেমা নিংতিগী তৌবিয়ু। মরু-মসু চীকপহ পোশাহনগনি। খোঙ হাবা য়াদবা শাইরোং মরু-দৌনা থৈবনগীসু লাকই। মহু হেক পৌখোকপদা ফবসু থাওই।

খাইদগী মরু ওইবা বাকবদি চবা হেন্দোকপনি। হকচাংগী অবস্থা মতুং ইন্না চীকইবহ্ ফক্রিবমথৈ চবা হেন্দোকপা খাইদগী কান্নবা ফংগনি। (নং ৩ গী চবা মহেন) অহনা ঐশিং যান্না থকপসিনা খাইদগী কান্নবা ফংগনি। চবা হেনবা হেক তোকপদা শরোম তাক্তা থকতৌবনা হকচাং চঙ্ংপদা থুগনি, ফতনবসু থুগনি। শরোম থকপসি নং ১ দা উৎ থৈ। যান্না মোয়বা মীওই ওইরপা শরোংগী মহুত্তা অকন্নবা চিন্নাক (খ). (ত) চাবা যাই। কদৌথৈদসু হেনজিন্না চাবা যাদে। কপংলকপগা লোয়মনা পুক শুবা. মোইবা-নানবা, খোঙ-খুৎ থেকপা, লেংজুর থেকপনচিংবা তৌবিগনি। মাঙ তেংবা, খোঙ তিংথোকপা যাওবা, শাক্তেন্না কায়বা থীগনি। যাওদা অয়াবা ফিতম থৈয়মবসু, যাওরবসু চুমথোকপীগদবনি।

ঙুংশিৎ অশেংবদা থৈগদবনি, খোয় শাদবা ঙমগনি। তুবা, হিন্না মতমদা নায়িবা, চীক্রিবা অহুগী মনাক্তা লিক্রিবা ঐশিং অশাবা হাম্নপা পোক্তনবা কিনা যোৎশিন্নপা থবগদবনি।

নাবা চৌকথহ্ল কহনগনি, অদুগা ঈ চেক্লোক-চেনশীনন্না হেনগৎ-হনগনি। মতুডনা মশা শোকপ্লবা তোংশিং অদু মশা কনগৎচবা অমসুং মেরামত তৌরবা ওমজনগনি।

ভুমী য়াদবা—ভুমী য়ানবসি নোংমকাদোকী ৱাকথদা থোক্লা ঈ পুনবদগী তৌবনি। চাকথাম অহিং অশেংবদা চারগম্ভ ভুমী য়াদে। তোয়না ভুমী য়াওরক্রুবদি কৌনঙাইনি; হকচাংগী পাজল কঙচবা য়ানা ওকবা, ভুমী য়ারক্রুবদি মরি-মতাং শোকপা লৈরে; য়াম্না শাথিবা মওংগী পুক্নীং অমসুং মরি পুমশেপ্পল শোন্দনবা অমা লাক্রগনি হায়না থজনগনি। ভুমী য়াদবা থা কয়া চহী কয়া লৈবা য়াওরবসু নোংমদি ভুমী বাৎপগী অকাইবা অমু লাক্কনা লৈরে। ভুমসি কক্ননা ভুমবদি পুং খরনা ওকই। ভুমদি নীংথি মুংঙাইনা য়াক্লগা কমুদা পুং করা ওন্দুনা লৈবনা, শাংনা কমুংদা লৈবনা কায়বদি লাইরকুনা য়াৎনবা ওই। মী অ'স অমাম্না ভুমকম থোকপা মতমদগী হেক্না ভুমবা তাক্কনি। হকচাং কনবদা মুংশিং চিজোক ঈশিং চৎথনম ভুমী হায়বসিন্থ চঙই। ভুমী হায়বসি য়ারক্রুবদি ঙাওরকই হায়নরকইবনি। অঙাওবা অয়াবা ভুমী য়াদবগা লোইনৈ।

অহুমু তৌজিবা মুগসিদদি জাজনিজি, মমাক, শেল থুমগী খবক ইংখাং, কংদবা লমোম হৃতিকতা থীনা মাতবা, তোংমনবগী হয়াওবদা ভুমী য়াদে। শাবেল বাৎপা, পোথাখা কৌবা কংজ-দবা, অদুগা অথেৎবা অহিং কাওবা ক্লম হায়গত্রা মু থকথম-হায়গজা ভুবাব শাদকম অসিদি শিংথাক্রবসু য়ারে-হৌকখনি।

অমাবা কয়াদসু হায়বদি মিযোনিয়া, খোপকী লায়না, পিপিং য়িয়ম, নিউরেস্থেনিয়া, কিডনিগী লায়না থম অমসুং হার্টকী লায়নাদা ভূবা য়াদে। কোক্তা ঐ পনবা, ঈদা কচ্ছ-হৌদি হু লৈরবা ভূবা য়াদে। থাইগী মরুদি কোলোম-দা হু যাম্না লৈরবা হু অদুনা খোপ মরাই কাহনি। অদুগা চোকথদমুনা পোথাবা অমসুং ভূবা ওমহংদে।

ভূবা য়াদবা মীদি চাক থরদং ওম্না চাথোকহৌপদবনি গন্নবদি চাকয়াম চাবিহুন' ভূমবা মতুংদা ঈদা চুপশিনগ্রবা চিন্নাক অহু পূং ১/২ তাবদা ত্রেনদা থাগৎলকপদা ত্রেমগী সেপশিং অহু মরাই কাকন্নি, থবক তৌবন্নি। অদুনা ভূবা, পোথাবা য়াদে। বেক ভূমথবদা নব্রপা ভূমদা খর হোনবা য়াদবা অহু 'স্লিপ এপ্নোয়া' কৌই। অহিং অমদা অমুক্তা পোয়বা য়াওই। ভূমথরিবা মথৈ তৌবসু য়াওই। ভূমথবা কিন্না ভূমদনা লৈবা মী কয়া য়াওই। পাথং, চাকয়াক-শায়াম চাথশিংদা যাম্না তৌগন্নি।

লায়য়েং— ভূবা য়াদবা হায়বসি য়াম্না পুংতাইতবা লায়না অমনি। কহমগে হায়বদি হৌকম থিরপা থাহু লৌথোক্তুনা কনবা লায়রেংবৌপদবনি। হকচাং মতুংদা চৎলিবা খোঙচৎ যেংলবদি ভূবা হায়বসি খোঙগী ঐ তপ্না চাং মাইদা চিংথোকপনি। খোর্ন- কৌদমক্তা ঐ থরদং থাক্লপা অমাগা খোঙগী লৌথোরকপা মতমদা ঐ হেন্না মরম চাদনা খোঙা পীশিন্নকপদগীনি। মসী বেনজিনা মরাই কাহনবদগী লাকই। অদুনু ইবার লায়না মহু কোমথোকহনবা থাই। ভূমন্দ্রাইদা ফিং ৫/১০ দং শাকেন তৌরগা

মরোইদু কোমথোকহল্লি। মংগলগা ওকপবগী মসল অসি থবা মীংথি-
জনা শিজিন্নবা শাবেন তৌগদবনি। ওকপবদগী হোৌরগা মাও
লৈরিবা মরী অসি শাক্তেন অহুনা করুমা মল্লপ তৌরবদি ঐ অদু
কোকলোবদা হাইগংহল্লে।

কম্মুংদা করগা পুকউ কোমা কম্মাক্তা থুং-শা লোৌনরগা কমা চিংহুনা
৫০ দগী ১০০রক থোঙ অদু কমা থেকচিনবগী তাবতা চিংখিদু।
থোঙনা থাওখীদু। মসিনা মাওগী মথা থংবা শরুকী মসল অদু মাক্তা
কমা চিংই অহুনা কোমথোকহল্লি। মসিনা তুমদা মতেং পাংই,
তুম্মীংবা পীরকই। কম্মুংদা থোঙ তিংথোক্তুনা করগা থোঙথোন
লাথতুনা শামথম্ম তুম্মীংবা পোক্লকনি।

ওকী শাক্তেন হানবদি লুথম মথক ওইনা থুং অনিমা থুংশা
লোৌনশিন্নরগা কোক অসি মাঙলোবদা ওকী শাক্তেন ওইনা তুং-
লোবদা অমুক ইনথংদু। চিংথৌ, ওক্লা থাওই। থেংলোবদা অমুক
ওইরোবদা ৫/১০ রক শাম্মৌ। ওক অমসুং মাওগী শাক্তেনা
তুম্মীংবা পোকহনগনি। মরমদি কোমথোকহনবদ মতমা খরদু
শাংবা শাংবা থোক্লকনি।

লোংবা মরগা উপবা চীন্নগা মংগলগী মসল পূথক ওপ-
চীথবদা মাইহণগী থামবা মতেং কপোনি।

শাক্তেন অথবা থমাং অসি মাঙিনবৈ ওকলোবদা পুশিন্নগা
কোক অসি মাঙিবথৈ তুংলোবদা পুথোক্লগা ওক অসি মাক থেং-
থাদা থেকথৌ (৪০/৫০)। লৈমিবা কীথম অহুদগী তুংলোবদা
মাঙিবথৈ থেকথৌ (৪০/৫০) অমুক লেথমা লৈরগা থেংলোবদা

মাখিমথৈ লমথগা কোক অহু মাঙলোমদা থেকথৌ অহুমগী ওইরোমদা অমুক লমথগা মাঙলোমদা কোক অহু থেকথৌ ৪০/৫০ মক অমমা থুদৈ অপাবা অমা চক থুংনবা মগী অমা ঈশিং লুপ্পগা চঙো থেং-শিন্নু। অকংবা ক্লানেল অমনা মথক্তা মুংশিং চঙদনবা থেংশিন্নু। থাং থুংনবা থুদৈ অমা ইঞ্চি ৬ লোম থুপ্পগা ঈশিং লুপ্পগা কংবা তুমদোক্লুনা থাঙদা থেংলু। অকংবা কী অমনা অমুকা মথক্তা থেংশিন্নু। ঈশিংদা মি ৪/৫ মং চঙনা ঈরুক্তথোকউ অহুগা লুম্না কমুংদা তিম্ন্ তুমবিগনি।

ঈশিং অপাবদা থোঙ তাংবা, কোক্তা ঈশিং অইংবা লুপ্পবা ফি থোম্বা ঈশিং অপাবা হানবা লিকলি, থেগ চনৌংদা থোঙদা থম্বা. থোঙ থুংনা মাইবা. মাকিং চংশোকপা, ফি পুমমক থাদোক-লগা মুংশিং চৈহনবা অহুগা লুমবা কমুংদা তুবা থেম্বা. অম মত্রগা থুদেং থানচিন অচৌবা অমদা মীংথৈ দিঃ ১ তং ঈশিং অইংবদা কম্নবা মতুংদা কমুংদা লুমনা কৈজুপ তত্ত্না হীপথমদা তুম্বা হেক্তা মাই।

ইরাম লাম্বা অমমা কমুংদা লোংনা হিপথবীরো, মংগল থুংনৌং পাথোম মক কম্লাক, কৈথোম মীংহু পুমমক থোম্পাক লোক্লবা লাক্লৌ, অমুক অনিমক প্রত্যেক প্রত্যেক তাবগুম হর্কচাং কোমথোকলমু মাইল ১০০/২০০ লাপনা কাংথম অমুবা পাকনা থমলে হায়বা থমু। অহুমগী অহানবা মীংশিং চকপা থাহৈ অমা মাম, কমদা, ঈশিং হেক্তা হায়হনৌ কৈনম লিংথিনা তুমকবিনি।

পৃথিবীগী কিন্নবা লায়না অসিদা খ্বাইদগী মুখ্য লাকখ ওই, অমারবা মীনা যানা শূন্নবীবা থবক, লেপ্লোং, লেপ্লাং, মীগা থংনকপা কেন, মীংবা থুংবা, খাউনীংবা, মচা মপুরোইবগী খুগীগী, কৈরোন লৈবাইগী, মরূপ মপীতাগী মীংবা কায়না খাও-মীংবা, খু'চাইবা মরাব অমু মথং মথং কৌথকপা তুম্বগদি হায়হনা হীপমিরৈ। অদুগুম্বি মচিং শিংবা হেনগংলে, তুকচবা, কুপীংবা, অমাঙব-অতোওবা মরাব অহনা ঐখু হায়া থম্মীখ্র হায়হনা মহাকপু ওংলে, কপাইদা তুখা গাগদি। তুম্মগ হায়হনা মীং হেক উইশিনবদা কোকু'দা মখিং পানবা তুখাদা মনা পানবা কপা মমাওবা লোপ্পা লৈরে। করম্না তুমগদি। তুমথগে তৌবদা মাথল অমা হেক লাকপদা থবে চংলো হায়হনা ভাহোকই। ইচাগী খ্বাইকনবা ইওগী খ্বাইকনবা, অমনা ডাঃ ওক্ষনগে অমনা ইঞ্জিনীয়ার, অমনা উকীল, অমনা প্রোফেসার, অমনা ডি.সি ওইহনগে, ইচাদগী ইও কাওবা লেপকী থাবন থমু। মচা-নওশিংগী খুদ সুবদা শাখিগে, মথোন ৫/৬, হৈরোন হৈরোন ভাবনা তেঞ্জবা গ্লান অমু ভাবনা শাগংলীখ্রু। মসিগী থাবদ অসিদি লেপ্লাং শাগংলগী থাবদি, মমা লোই-রিবৈবা অহুর্ম তুরুগবিগদি। চিন্তা, হেংখিবা, হাংলীংবা লবন শিংনীংবা লেপ্পবমচিংবগী থাবদ অসি থাওজ-ভাক্লবা থাবদি ঐখু খাও ভাবহনবা তুমহনবগী হোৎনা লোংবন লৌনা পুনশৌরিবদি। হেক লাকপদা মওকপর লাকুনা ইহোকখো মহুগী মহৌ মচা হুংশিবা অমগী লাইরিক ওমগী শাও অমসুং মহুৎ

থাবগী য়াথম্না শিনজিন্নু। মচাম্নু মহৈ অমুখক হৈগনি। মরুম অতুমক থাবঃ ওবগনি। মথান্না অয়ৌবীদা লেমগৎ-থাগৎলকনি। মীওইবদি য়াথলনি। য়াথলবা থাগৎপি, য়াথলবা লেগায়নি লায়বসি থক থাউকদে। কমাওনবা লাকইবা য়াথল পুম্নমক থাদোক্লগা তাবনা য়াও ময়াম, যণ ময়াম মনোং ঐহুনা থাদৈ। খোর্ক অমুবা অমদা ৫ কয়া ইরগা ভিরো থাওহুনা থেংহুনা, থীহুনা দৈ। খোশারুম্নু হায়বা হাকমদা লাকহল্লগা অতুম তুমকথি। তুমা য়াদবা ওায়বসি হকচাং কংলক্তবগা ময়ৌ লৈনৈ অমুগা হকচাং কমৎলবা, হিংমবগী থাজল হেল্লগৎমবা, ঐ লেংমবা, থরি-মতাং কগৎনবা থাজেম, লমচৎ হৈমবী পুম্নমক্তা হকচাং, পুক্নীং, থবায় অচম্বক চাওথৎনবা লোৎনগনবনি।

মুংশাংল্লাইদা থাজেম কয়া তৌহল্লগা চোকথরবা মতমদা অতুম তুমকথ'থ। য়াকিং থাংমা চৎলগা তুম্বা য়াদবা পুক্কক কোকই। ঔপিং থশাবা গ্লাস অমা মরুগা শক্তোম গ্লাস অমা থকচীনবদা কোকপী ঐহ পুক্তা চিংথবি, হেক্তা তুম্বা য়াই।

তুম্বা য়াত্রবদি—

১। শা চাগনু।

২। মুংথাংগী চরাদি য়াবা চমনা মনাম্নথিং, চকৎ নবুগা থোংবা মথাম মরুগা থাথোম লৌথোকল্লবা শক্তোম গ্লাসংখমা। অহগা তল, চাক থরদা চাবিনু। মটম, কেক, মুড়া, পকৌরা চাবীগনু।

৩। ঔপিং য়াখ ২/৩ থকপীনু।

৪। চা, কোফী নাইট পিংহল্লি। থক থকপীগনু।

৫। থাংখসি লোংঃমদা ৩/৪ হক থানবা হোৎনবীয়ু।

৬। মপাম্মা নৈনবক্ত লাক্লগীয়ু। মাঙ্গোম্মা, মঙ্গোইদা তুম্বা তুম্বা য়াইহল্লি।

৭। মিতিগী শাখেন ককপা থবক থবা তৌগনা মসল চোৎথ-ওকপথবনি।

৮। তুম্বদাইদা থক-নৈনবা কবিওমা মথলগী মথুম মম্বাত হোৎবা থবক অমম্বা মাওবীক্লগনু।

৯। শেম্বা বোম্পাক, লোম অবোমবা থাবোকপীয়ু। কম্মুংদা কিম্বাব নৈপল্লিনগনু। কম্মুং মম্বাদা পোংটৈ য়াম্বা থবগনু।

১০। লোংবা থক তুমগনু।

১১। তুম্বদাইদা থাংখোকপীয়ু।

উইহনতা নৈবা—

১২। তুম্বদাবদা বিউরেল থাব (কাঃ ৯২ – ৯৬) লৌবিয়ু। অহিং তুম্বা য়াথবা মী অহু সুংবিম্মা উইহনতা নৈ। মী অসি কম্পা উইবা, লেম্পা উইবা, কিপথবপা মবিৎ লেম্বা পিংব মীয়ু নৈ। মথাক অহু মবী মতাংগী (vasomotor regulation) শঙ্গোকপা, অমসুং তাপচৌনবগী শাখল য়ুপন্নবা পৃথিবীগী চিংশিনবগী শাখলদম্বা থবক তৌব্রবনি। কলেজ, স্কুল, চঙ্গবা লেম্বা কম্বা উইবা মী কম্বা য়াওই। হেক লেপথবপদা পুকী থাংকোক চাউখোকপবা মী উত্তোংদা চেনশিনবি, হিম্পা বে ওঃ চেনশিনবি। অদুম্বা থোপ অসি থৈবা হেম্বা অদুম নৈ ; মী কম্বা হায়বদি থাংবা অমুক্তহ নৈবি।

